চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা দরবার
(১৮৭৪)



Courtesy of Manipur State Museum Imphal.

বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মা

B. Nilachandra Sharma
18/4/2012

"চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা দরবার (১৮৭৪)"

লাইরিকসিগী মরমদা

১) লাইরিক্কী মমিং	ঃ-	'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা দরবার (১৮৭৪)'
২) লাইরিক ইবা	ঃ-	বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা ব্রহ্মপুর, থাঙ্গাপাৎ মপাল ইম্ফাল-৭৯৫০০১, মণিপুর
৩) লাইরিক ফোঙবা	ঃ-	বি: কুকুরবিন শর্ম্মা
৪) লাইরিক ফোঙবা মতম	ঃ-	মে, ২০১২ ইং
৫) লাইরিক্কী হক	ঃ-	অইবা অমসুং অফোঙবা
৬) লাইরিক্কী মমল	ঃ-	লুপা ৩০০/-
৭) লাইরিক ফংফম	১)	Royal Book House, Keishampat Junction
	২)	Rajesh Book Stall Governor Road, Imphal.
	৩)	অইবগী ময়ূম
	৪)	অফোঙবগী ময়ূম
৮) লাইরিক নম্ফম	ঃ-	অরূবা প্রিন্টর্স, পাউনা বজার, ইম্ফাল।

নীজ-ৱারোল

"চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা দরবার (১৮৭৪)" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমসুং মসিগা শাগোন্ননা মাইব্যা (মাইবম) তাম্র সিংহ, লৈশং যাত্রা অমসুং জিলা দরবারসিবু শৌগৎপা চেরোল, "য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ হিংলিব্রা নৎত্রগা হিংদ্রবরা" হায়বা ৱারোলশিংসি খণ্ড-হৈরে হায়দুনা ইজবা নৎত্রগা পুথোকচবা নত্তে। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা কছাড় জিলাদা দরবার (Meeting) চৎপসি মমাঙগী অহল লম্মনশিংনা "চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা" হায়না মিংথোন্দুনা মৈতৈ লাইরিক (পুয়া/পুরান) অমা ওইনা থম্মীরম্লবনি। মদু হৌজিক্কী অনৌবা লোন্দাদা ওন্থোকপা অমসুং খর-খজিক্তুং চাওথোক্লা ইথোকচবগী লাইরিক্নি। লাইরিকসিদা ফিদম্লফম ওইরবা ৱাফমশিং য়াওরি। লৈশং যাত্রানা বরাক তুরেন লান্ননবা লীতান থোংগী মরী লীতান শমখিবা অমসুং মাইব্যা তাম্র সিংহনা মাইল ২৬৪ (কিঃমিঃ ৪২২.৪) খকপু মতমগা শীঙনদুনা লমজেন (চেল্লগা জিলা দরবারদুদা চঙগদবা খৃঃ ১৮৭৪গী মতমগী মণিপুরগী অৱাংগী ঙমখৈ লেপ্লবগী য়ান্নবা পুরক্লবা খৃঃ ১৮৩৩ দা বৃটিশ ভারত অমসুং মণিপুরগা লমখৈগী মতাঙদা য়ানদুনা রাজা গম্ভীর সিংহ (খৃঃ ১৮২৫-৩৪) না সহিতৌখিবা য়ান-চে লৌরখিবগী তমজনফম ওইরবা ৱাফম কয়ামরুম য়াওরি। অদুদসু নত্তনা রাজভক্ত অমসুং দেশভক্ত ওইবদা মতীক চারবা মৈতৈ অকল-অথৌ, অঙম-অথৌ, সিফাই-লাম্মীনচিংবা কয়ানা মহারাজনা মতমদুগী ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেল লোর্ড নোর্থব্রুক (খৃঃ ১৮৭২-৭৬) উন্নবদা উৎখিবা ব্যবহারশিংদু হৌজিক্কী মীরোনশিংদা উৎচনীঙবদগী লাইরিক অসি পুথোকচবনি।

পৃথিবীগী মারাথোন লমজেন মাইল ২৫/২৬ খক্তনি, মসি চেনবগী ৱার্ল্ড রেকোর্ডতা অকক্লবা মতম লৈতে, অদুগা খ্বাইদগী অহানবা মারাথোন চেনখিবা রোমান সিফাইদু মহাক্লা তমগদবা পাউদু তম্লম্লগা শিখি। হায়রিবা অরাপ্পা অসিদগী শরুক ১৪ রোম ওইরবা সিলচরদগী ইম্ফাল কংলা ফাওবা অকক্লবা মতমদুগী মনুংদা চেন্খিবা মাইব্যা তাম্র সিংহদি শিখিদে, মতুং তানা চহি ৩৮ (কুন্থানিপাল) হিংলম্লগা খৃঃ ১৯১২ দা নোঙ্গাখি। পৃথিবীগী রেকোর্ডতা শরুক কয়া হেল্লবসি পুথোক্লুনা উৎত্রবদি-মশূ ওইরিবা ঐখোয়না লঙজবা থোক্কনি। মরম অসিনা ঙমজবা খরদং কৎচবনি, অৱাৎ-অপাদি খ্বাই তরা মচাশিংনা হাপ্পীয়ু অমসুং লৌথোকপীয়ু। অরান-অহুই য়াওরবসু তাকপীরক্নুনা চুমথোকচনবগী খুদোংচাবা ফংহনবীয়ু। খ্বাই তরা মচাশিংগী মফমদা লাইরিকসি লাপ্থোকচরি।

অইবা

১৩।৩।২০১২

মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি (১৮৫০-৮৬)

মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী জিলা দরবার

ৱাহৌদোক

"মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ [নিংথেম পীশক, সনাহল, ঈশ্বর সিংহ মহারাজ (খৃঃ ১৮৩৪-৪৪), মৈদিংঙু নাউজীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা (খৃঃ ১৮৫০-৮৬)], নাইট কমাণ্ডর ওফ ষ্টার ওফ ইন্দিয়া (কেঃ/K, সিঃ/C, এসঃ/S, আইঃ/I) গী খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট থাগী জিলা দরবার," হায়বসি মৈতৈ-মলেসগী মরী (Anglo-Manipuri Relation) দা কাইদোংবা, মণিপুরনা মীরান লোইলম ওইদ্রিঙৈগী মমাঙগী লৈঙাক্লোনগী ফিভম অমসুং শক্তম শকতাক-শকলেপ্পা, বৃটিশ অমসুং অৱাং-নোংপোক ভারত মচাশিং অমদি মৈতৈ/মণিপুরীশিংগী অচৌবা থৌদোক থৌরম অমনি। মসি, মতমদুগী বৃটিশ ইন্দিয়াগী গভর্নর-জেনরেল অমসুং ভাইসরোয় লোর্ড নোর্থব্রুক [Lord Northbrook (1972-76 AD)] না বার্ত্তন তৌরক্তুনা মণিপুরগী মহারাজ রাজা/সার চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা লৈপাক্কী অঙম-অথৌশিংগা লোইননা নুমিৎ তরেৎনী (মসি জিরি য়ৌবা ফাওবগীনি) খোঙচৎ চত্তুনা জিলা (কছাড় জিলা, মসিগী বৃটিশ হেড-ক্বার্টর্স লৈরিবা শিলচর) দা ভারতকী ভাইসরোয়গা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবগী থৌদোক্নি।

জিলা দরবারসিগী হঙ্গৎ-হন্দা খোঙচত্তা নুমিৎ ১৪ (তরাগা মরিনী) চঙখি অমসুং খোঙচৎসিদা নীঙশিঙনীঙঙাই ওইরবা কন-থৌবগী থৌদোক অনি লৈশং যাত্রানা ঈহৌরক্তুনা ঈরানবা য়াদ্রবা গ্বাই/বরাক তুরেনবু, কেক্রু পাম্বী অমনা তাউথরকপগী খুদোংথীবদু কেক্রু পাম্বীদুনা লাহোকখিবা ঙাইরগা, থৌরীনা লীতান মরী তিংদুনা থোংগী পাদম লৌদুনা মীয়াম লানবা য়ানবা শেমখিবগী ঈশিং-ঈচাওগী ঈহৌগী খুদোংথীবা নংখিবা অমসুং মাইব্যা (মাইবমচা) তাম্র সিংহনা কছাড় সিলচর/লখিপুরদগী ইম্ফাল কংলা য়ৌবা ফাওবগী শাংলবা লমশাংগী লমজেল (Marathon race)· চেন্দুনা জিলা দরবারসিদা চঙগদবা অইবা

ৰারোলগী ডোকুমেন্ট (Document) অমসুং মতমদুগী মণিপুরগী লমখৈশিং-ঙমখৈশিংগী পাফল (নক্সা/মেপ=Map), লোইননা শ্রীগোবিন্দজীগী নির্মল্য অমসুং মমাশীজগী থৌজান' খুদোন (পান্ঃনা তপ্তাই/মতপ) লৌরদুনা জিলাদা দরবার/মিটিং পাংথোকপগী মতম নংহন্নবা লমজেন্নখিবগী থৌদোকশিং য়াওরি। অথৌবশিংসি তশেংনমক মমা লৈপাক্কীদমক্তা কথোক্লবা অমসুং মরৈপাক্কী ঈকাই খুম্নবা কনখিবশিংনি, হায়জনীঙঙি।

জিলা দরবারসিগী মরম

পৃথিবীগী মনুংদা লৈরিবা মখোয় "বৃটিশশিংগী সম্রাজ্যদা নুমিৎ তাবা লৈতে (There is no sunset in the British empire)" হায়নরিবসিগী য়ক লাউরবা মতম তাঞ্জানি। মৈদিংঙুগী মপাবুং ঈবুংঙো রাজা গম্ভীরসিংহ (খৃঃ ১৮২৫-৩৪) অমসুং মতোন ঈবুংঙো নরসিংহ [মৈদিংঙু লৈরেন নোংলেন শেম্লেং মনিক খোম্বা [খৃঃ ১৭৯২-(১৮৪৪-৫০)-১৮৫০] না লীংখৎপীরম্বগী মতুংইন্না মণিপুর অমসুং য়ুনাইটেড কিংদম (য়ুঃ/U: কে/K.) নৎত্রগা মৈতৈ অমসুং মলেস মরুপ ওইনবগী য়ান্নখিবা মরীনা পুল্লিবা লৈপাক/জাতী অনিনি। অদুবু ভারতবর্ষদা লৈরিবা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনী (খৃঃ ১৬০০ তা ফোর্মেল ওইনা লিংখৎখিবা) গী থবক তৌবা সিভিল অমসুং মিলিটরী ওফিসারশিংনা মণিপুর অসি মখোয়গী খুৎ য়াওদ্রবদি করিসু তৌবা ঙমজদবা, মখোয়না ঙাক-শেন্দুনা থম্না লৈপাক অমগুম্না লৌবা অমসুং শুপ্লতগী মখোয়না পুমলৌ লৌশিন্নবা ঙাইদুনা লৈরিবা লৈপাক অমা ওইনা লৌরম্মী। মখোয়না খৃঃ ১৮৩০ গী মতুংদগীদি মণিপুরগী ওইবা থবক তৌবদা, খুদম ওইনা, অৱা (বর্মীজ/ম্যান্মা/ম্রান্মা) গা লম য়েন্নবা নৎত্রগা ঙমখৈ লেপ্লবা, কবো তম্পাক পীথোকখিবা, অসিনচিংবা, অমত্তা মণিপুরদা নৎত্রগা মৈতৈদা খঙহল্লমদে, তৌবা লোয়খ্রগা খঙহল্লকপা ঙাক্তনি। অদুবু মখোয়গী ওইজনবগী হিরমশিংদদি মখোয় খক চোকথবা নাইদনা হায়জে।

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা মৈত্রবাক্তা পাল্লিঙৈ মতমসিগী মমাঙদগী বৃটিশশিংনা মখোয়গী লল্লোন-ঈতীক্কী পোৎথম-চৈথমফম অমসুং পোৎয়োন-পোত্থাফম মফম অমা অমসুং মফমদুগী লল্লোনপোৎকী কৈশিং (Godowns) অমসুং অতৈ শঙশিংনচিংবদু শঙনবা বৃটিশ সিফাই পল্টন/প্লেটুন অমগা লোইননা

অহল্লুপ পানাগী ঈরোইশেনবা অমসুং লাংজীঙগী চীঙথক্তা লৈরম্মী [ওঃভঃ, ১৯৭৯, ৫৩]। হায়রিবসি লানবন অমা ওইনা লৈপন পল্লী থোনগত্তুনা, লৈরং তাখৎলগা কোয়শিন্দুনা থল্লম্মী অমসুং মসি করম্বা মতমদগী লৈরকখিবগে হায়বগী চপ চাবা মতম অদুদি থিজিন-হুমজিনবগী মনুং লৈরি, অদুমকপু মসি চাওরাক্লা য়েংবা মিৎয়েংদা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা অঙাং ওইনা পানবা মতম, মণিপুরদা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্সী লীংখৎপগী মতম খৃঃ ১৮৩৫ গী মতম অদুৱাইদা হৌগৎ-লীংখৎখিবা ওইরম্বা য়াই। মণিপুরগা বৃটিশ-ভারতকা লল্লোন-ঈতীক্কী লমদাংদা চঙলকখিবসি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা [রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র, রাজা জয়সিংহ, কর্ত্তা মহারাজ, নুঙনাংখোম্বা নৎত্রগা চীঙশাংখোম্বা (খৃঃ ১৭৫৯-৬১ অমসুং খৃঃ ১৭৬৩-৯৮)] গী সনা হাক্তক্তা খৃঃ ১৭৯৭ কী মতমদগীনি, হায়জনীঙঙি, মরমদিঃ-

... নাদ্দেবা লক্ষ্মণগী কুম শক ১৭১৯ ... ঈঙেন থা ... ১৪নি ঈরাই [খৃঃ ১৭৯৭ গী জুলাইগী অরোয়বা চয়োন] দা শিলোৎ লাইবার থুংলৈএ। ...॥ ২০নি ঈরাইদা ... শিলোৎ লাইবারসু ফম কাএ [চৈথাঃ কুমঃ, ২০০৫, ১৭১]।

হায়বসিনি। মসি বৃটিশ হেডক্কার্টর্স সিলেট (Sylhet) তগী রাজদূত (Envoy/ Emissary) থারকপসি লল্লোন-ঈতীক্কী ৱাফম নত্তনা অতৈ করিগীসু ওইফম লৈতে। মরমসিনা মৈদিংঙুনা বেঙ্গোলদা গঙ্গা তীর্থ লেঙবদা মতমদুগী গোভর্নর-জেনরেলনা উৎখিবা ঈকাই খুম্নবদুদা [রাঃকুঃসঃ, ১৯৬৪, ২৭-৩৫] মিৎয়েং থমজবনি। অদুগা মণিপুরদা খৃঃ ১৭৬১ দা অহানবা ওইনা বৃটিশ সাহেব অহুম [Three British officers] লাক্কুনা থা মাপল্লোম লৈরম্লবা (চৈথাঃ কুমঃ, ২০০৫, ১২৩, ১২৪] মতুংদা মখোয়না মণিপুরদা থবক ইনখাংগী ময়ুম শাদুনা লৈবা হৌখিবদি খৃঃ ১৮২৮ দগীনি [মথক্কীসিদা, ২৩১]। হায়রিবা মতমসিগী মমাঙদা অমসুং মতমসিদা বৃটিশ ভারতকী ওইবা শঙ [লৈনবা য়ুম, পোৎ থম্নবা শঙ নৎত্রগা পোৎয়োন-পোৎপৈফম (Sale depot)] অমত্তা শাদ্রি। খৃঃ ১৮২৮ সিগী মতুংদা খৃঃ ১৮৩৫ দগীদি বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট (মণিপুরগী ওইনা অহানবা) জর্জ গোর্ডন, কেপ্তেনগী ওফিস-কম-রিসাইডেন্স (Office-cum-Residence) লাংথবান/কাঞ্চিপুরদা শারগনি (হান্ননা মণিপুর সরকারগী মণিপুর লেভীগী এডজুটেন্ট ওইরিঙৈদা লৈরম্বা শঙদুগী শঙফমদুদা অদুম শাবনি)।

মতমগী খোঙথাংনা লেপ্তুনা চৎখিবনা খৃঃ ১৮৭৩ গী মতম্না মণিপুর ইতিহাসকী লমায়দা জিলা দরবারগী থৌদোক পুরক্লবা চোংথোক্লকখি। হায়রিবসিগী ৱাফমসিদা থম্বীরম্লিবা ৱারম অমদি—

খৃঃ ১৮৭৩ শুবদা বৃটিশ ওফিসার ৩ (অহুম) লাক্লুনা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজদা মণিপুরগী অৱাংগী সীমানা (ঙমখৈ) কদায় ফাওবনো, হংবদা মহারাজনা ডিমাপুর, গোলাঘাট, ডিপু, লমদিং হেন্দুনা যোরহাট, ব্রহ্মকুণ্ড ফাওবা মণিপুরগী লমনি হায়বদা সাহেবসিংনা নাগা পাহার থিবোমৈ (কহিমা) অসিদা মখোয়গী পল্টন অমা থম্লগা লল্লোন-ঈতীক কারবার চখোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচানবা মফমসি জিলা অমা শেম্বা তারি হায়রে।

সাহেবসিংগী রাজনীতি য়াওদবা ৱাঙাং অসিদা শ্রীযুৎ মহারাজনা ৱা ঙাংদনা শঙ্গায় মনুংদা চঙশিনখি। মহারাজগী ৱা ঙাংদবা, মরোন খঙহন্দবা অসিদা সাহেবসিংনা ঈকাইদুনা বড়লাট (Governer-General or Viceroy) ২০শুবা লোর্ড নোর্থব্রুক (১৮৭২-৭৬) কী মফমদা অকনবা অয়াকপা ৱাহৈনা পাউ থাখি [রাঃকুঃসগুঃ, ১৯৭০, ১১৬]।

অসিনি। হায়রিবা বৃটিশ সাহেব (Officer) অহুমসি কনা-কনানো হায়বদুদি পীবীরমদ্রে, অদুবু চৈথারোল কুম্বাবদা য়েংলুবদা হায়রিবা সাহেব অহুমসি ওইবা য়াবা মীশকশিং পীবীরম্লিবদি—

...হাওরোংবা দেবগী কুম শক ১৭৯৪ ... ফাইরেন থা ১৪নি লৈপাকপোকপা (খৃঃ ১৮৭৩ গী ফেব্রুৱারী ১১) দা ... লোংজমচা তোপ মেঞ্জোরসু তমাশোন (Mr. Damant) সাহেবগা অৱাংলম লম য়েন্নবা চৎলে। হান্না অৱাংলম লৈরম্বা সাহেপ ৩মগা সিফাই ৬০ য়াওনা লম য়েন্নববু য়াদদুনা হল্লকএ। ১৯নি লংমাইজীঙদা নিংথেম য়াওনা ... বাশাইতম্ফম শঙদা দরবার তৌএ। সাহেব লাকপা ৩মগী মমিংদি— পত্র সাহেব, কামপা সাহেব, শুত সাহেব অসিনে... [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪০৭-০৮]।

অসিশিংসিনি। মখোয় অহুমসিগী অশেংবা মমিং-মথাশিং বৃটিশ রেকোর্ডতা থিদোক্লগা খঙবা ঙমগনি। মখোয় অহুমসি খৃঃ ১৮৭৪গী মার্চ থাদা মণিপুরগী অৱাংগী ঙমখৈসিগী লমদাংদা নারিয়া (বৃটিশনা কৌবা), ঙারি (ট্রাইবশিংনা

কৌবা), নংত্রগা লাই-ঈ (মৈতৈনা কৌবা) তুরেনগী হৌরকফম অমসুং চেন্থবা মায়কৈগী মতাংদা অহে-অপা শাবদগী থাঙ্গাল মেজর/জেনরেলগী মফমদা চোপ্পা নংখি [মথক্কীসিদা, ৪১৪-১৮]। অদুবু বৃটিশশিংনা পাল্লিবদি মণিপুরগী অৱাং ঙমখৈ লেপ্পা নংত্রগা চুম্না থম্বা নত্তে, মখোয়গী শেন্দোং ফংনবা লল্লোনফম (সেল ডিপোট) কী লম ফংবা অদুনি। অদুবু মখোয়না পাল্লিবা লম অদুদি মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা, রাজা গম্ভীরসিংহনা খৃঃ ১৮৩৩ দা লোই চন্দুনা মণিপুরগী ওইদুনা লৈরবা লমনি। মসিগী মরমদা পীবীরল্লিবদিঃ—

...থাঙজম উরাবগী কুম শক ১৭৫৪ ... পোইনু থা ... ২৮নি শগোলশেন (তাং ১৭।১।১৮৩৩ ইং) দা শ্রীমহারাজ অৱাং-হাও নাবা চৎএ। ৱাকচীঙ থা ৪নি য়ুমশকৈশ (তাং ২৩।১।১৮৩৩ ইং) দা কচাই হাও খুঙ্গং ৩ থুগাই। ১১নি য়ুমশকৈশদা (৪) থোইবা, (৫) খোংতৈ, (৬) তলোইমৈ, (৭) তলোই, খুঙ্গং ৪ থুগায়এ। থানীন লংমাইজীঙ (তাং ৩।২।১৮৩৩ ইং) দা (৮) শরো, (৯) ঙাংচু খুঙ্গং ২মা থুগায়এ। অদুবু নুমিত্তা (১০) অরোংমৈ, (১১) অফোংমৈ, (১২) ওইনাম, খুন ৩মা ফম কাদুনা শন ১০ লোই হাএ। ১৭ নি লৈপাকপোকপদা (১৩) থিংবা খুল্লেন, (১৪) থিংবা খুন্নৌ ... ২১নি ঈরাইদা ... (১৫) ঈপুমৈ, (১৬) য়েলমমৈ, (১৭) ঈফৈমৈ, (১৮) ঈখিমৈ, (১৯) ওইনোং, (২০) ঈৱামৈ, খুঙ্গং ৬মা থুগায়এ, গ্বাই তুরেন মরুগী নোংপোক্তা লৈএ। গ্বাইগী নোংচুপ্তা লৈবদি (২১) কাশোমচি, (২২) শনমৈ, (২৩) মখেকমৈ, (২৪) কাতুমৈ, (২৫) তোনফমমৈ, (২৬) কতেপুঙ, (২৭) কারুমৈ, (২৮) শিঙামৈ, (২৯) মাখোংমৈ (৩০) তারানমৈ ... থুগায়এ। অদু নুমিত্তা মহারাজনা মাখান্দা লৈদুনা (৩১) মাও, (৩২) পুতোংমৈ, (৩৩) পুতোংমৈ খুন্নৌ, (৩৪) খোইয়ু খুন, (৩৫) মানেংমৈ, (৩৬) য়াং, (৩৭) পাবুলাংমৈ, (৩৮) ৱামৈ, (৩৯) মাও খুল্লেন, (৪০) কাশামৈ ... লোই হারৈ। ২৫নি লৈপাকপোকপদা (৪১) পুংতোংমৈ, (৪২) ইবেমৈ, (৪৩) পকক্রমৈ, (৪৪) দেবোমৈ, (৪৫) ইসেমৈ, (৪৬) কাইপুংমৈ, (৪৭) কচুংমৈ ... থুগায়এ। ২৬নি য়ুমশকৈশদা (৪৮) ময়াং, (৪৯) মৱামৈ ... থুগায়এ। ... থাশি লংমাইজীঙদা (৫০) ইশিমৈ, (৫১) ইচেনমৈ, (৫২) তুকিফিমৈ, (৫৩) উপুং খোকমৈ, ... শল ৪০০ লোই হারৈ। ফাইরেন থাদি নিংথৌকাব (তাং

১৮।২।১৮৩৩ ইং) না হনএ। অদু নুমিত্তা (৫৪) খিপুমৈ থুগায়দুনা লান ৭ চঙনা ফাএ, হাও য়াম্না শিএ, খুন অদুদা থা ১ লৈএ। ৯নি য়ুমশকৈশদা (৫৫) ঙামৈ খুন্নৌ, (৫৬) ঙামৈ খুল্লেন, (৫৭) ঙাখুন্নৌ, (৫৮) ঙা খুল্লেন খুন ৪মনা শন ৪০০, শামু ময়া ১ লোই হারৈএ।... ২১নি লংমাইজীঙ (খৃঃ ১৮৩৩ গী মার্চ তাং ১০) দা ফাইরেনগী সংক্রান্তি ওই। ২৫নি শগোলশেন (তাং ১৪।৩।১৮৩৩ ইং) দা মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা মহারাজনা খিপুমৈগী ঈশিং খোং পুখ্রি মপান্দা খুতা ১, নমঙা ১, নুঙ ২মদা খুদাদা শ্রীমহারাজগী খোঙ্গুন য়েকএ। নমঙাদা নোংশা শনতৌ ২মা য়েক্তুনা ইরোই ১, হামেং ২, ওক ১০০ অসি য়াওনা হাওখুন পুম্নমক্কা শ্রীমহারাজনা নুঙ হোঙএ। অদু নুমিত্তা (৫৯) মেরামেচমৈ, (৬০) তোনলোই চামৈ, (৬১) পিত্তেমৈ খুন্নৌ, (৬২) পিত্তেমৈ খুল্লেন, (৬৩) উতু ৰাশামৈ, (৬৪) ৰাহামৈ, (৬৫) খিশামৈ, হাওখুন ৬না শন ৬০০ লোই হারৈএ। লমতা থা ... ৩নি ঈরাই (তাং ২২।৩।১৮৩৩ ইং) দা শ্রীমহারাজ খিপুমৈদগী হল্লকএ [মথক্কীসিদা, ২৪২-৪৩]।

অসিশিংসিনি। মসিদা খন্ন-নৈনবগী ৰাফমদা মরু ওইরিবা খিপুমৈ (কোহিমা/ Kohima) অসি ৫৪শুবা মশীঙদা খৃঃ ১৮৩৩ গী ফেব্রুৰারী তারিক ১৮ দা লোই চনখিবা অমসুং মসিদা চহিসিগী মার্চ ১৪ দা নুঙ য়ুংবগী ৰাফম পীরিবা অসিনি।

মথক্তা পঞ্জখিবা বৃটিশ ওফিসার অহুম, মিঃ পত্র, মিঃ কামপা অমসুং মিঃ শুত অসিগী রিপোর্তকী অকনবা ৰাহৈশিং অসিনা মতমদুগী গভর্নর-জেনরেল অমসুং মহাক্কী সুপ্রিম এডমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল (Supreme Administrative Council) দা অকনবা চৈথেং পীখি। মরম অসিনা কাউন্সিল অসিনা গভর্নর-জেনরেলদা থবক পায়খৎনবা অহুকপা ৰারেপ পীবদগী গোভর্নর-জেনরেলসিনা মখা তাবা থবক লৌখৎলকখি। মহাক্না ৰাফমসি মতমদুগী অসামগী চিফ কম্মিস্নার মিঃ কিটিঞ্জ (Mr. Keatinge) দা পাউ পীদুনা থৌশীন্নবা য়াথং পীখিরম্মী। হায়রিবা থৌশিল-থৌরাংসিদা বৃটিশ ভারত সরকারগী ওইনা পীরিবদিঃ—

মণিপুরগী সীমনাগী ৰাথোক্তা খুরক হাঙদমখৈ চিল্লিঙৈ মতমদা মতম অদুগী ভারতকী গভর্নর-জেনরেল অমদি ভাইসরোয় ওইরম্বা লোর্ড নোর্থব্রুকনা

নোংপোক বেঙ্গোল অমদি অসাম য়েংবা খৃঃ ১৮৭৪ দা লাকখি। ভাইসরোয়না অসামদা লাক্লিঙৈ মতম অসিদা বৃটিশ সরকারগী ফনবতা খনবা মণিপুরগী মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগা অমুক্তং উনহন্নবা অসামগী চিফ কম্মিস্নারনা শিল্লম্মী ... [ডাঃ লঃ চঃ, ১৯৭০, ১৪৫]।

অসিনি। জিলা দরবারগী থবকসি গভনর্র-জেনরেলসিনা মণিপুরগীদমক্তা থৌওইনা কায়থোক্নুনা লাকপা নত্তে, মহাক্কী মথৌ অমদা তাঞ্জা চাবগী খুদোংচাবা লৌদুনা মহাক্কী মনাই সাহেব অহ্নমদুগী রিপোর্ট অদুগী অমসুং বৃটিশকী লল্লোন-ঈতীক্কী ফিভম ফগৎহন্নবগীনি। অদুবু নুংদা চেল্লিবা ঈচেন অমসুং পান্দা চৎলিবা মচৎ খঙবগী মথৌ তাবদু উৎচবনি। অদুগা অতোপ্পা অমনা অমুক পীরিবনা—

চিঠিগী মরোন (সাহেব মচা ৩দুনা রিপোর্ট তৌবগী চিঠি) না বড়লাট সাহেবসু ঈকাইবদগী মণিপুর মহারাজবু উনদুনা ৱা খর ঙাংননিংই; ঐবু মণিপুরদা লাকচৌ হায়বা, নৎত্রগা মহারাজনা সিলচর জিলাদা লেঙবিরক্কেরা, মরোন অমত্তা তাজনিংই, হায়না হায়রকই।

বড়লাট সাহেবকী চিঠি মরোল তারগা মহারাজগী পুক্নীঙদা চিংনদুনা মখোয়না মণিপুরদা লাক্লবদি মনিং থুংদ্রগা লান তৌগে হায়গনি, চৎপনা চুমই হায়না অঙন্বশিংগা খন্নদুনা খৃঃ ১৮৭৪ গী মনুংদা লাংবন হিয়াঙ লোয়রগা সেপ্তেম্বর থাগী মনুংদা ঐ কছার মালুগ্রামদা লাক্কে, মরোন পুন্না ঙাংনসি হায়না চিঠি থাখি [রাঃকুঃসগঃ, ১৯৭০, ১১৬]।

অসিনি। অদুগা লমদাংসিগা মরী লৈনবা ৱারোল অমনা—

...হন্দক লেপ্লিবা জীলা দরবারগী মতম অসি মণিপুরগী ওইনদি খুদোং চাদবা মতম্নি। চীঙলম্বী চৎলগা কছাড় তাখিগদবা লম্বী অসি নোং-চীং তাবা লোয়রমদবনা খুদোং কয়া চারমদে; মরম খর অসি লৈবদগী মণিপুরগী মফম খুদিংদা জীলা দরবার তৌগদৌবা অসি চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজবু ফানবা খুজিন্নি হায়না ঈফোং ফোংনা ঙাংনরম্মী। অদুম ওইনমক প্রজাশিংনা ঙাংনরিবা ৱাফম অসি চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা অচুম্বনি হায়না লৌখিদে।

মতৌ অসুম্না খৃঃ ১৮৭৪ গী জুলাই ৩০ দা মচাঈবুংঙো অনি অমদি অঙম অথৌ কয়া মরুমগা লোইননা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা জীলা দরবারগীদমক মণিপুর থাদোকখি [ডাঃলঃচঃ, ১৯৭০, ১৪৬]।

অসিনি। মথক্কী ৰাফম অনিসি অচুম-অরান য়ান্নবা ৰারমশিংনি, অরানবনা মপুঙ ওই। অদুগা চৈথারোল কুম্বাবদা পীরিবনা—

...থাঙজম চাওবগী কুম শক ১৭৯৬ ... থৱান থা ... ১৫নি য়ুমশকৈশ (তাং ২৯।৭।১৮৭৪ ইং) দা লাট সাহেবনা বার্ত্তোন লাইরিক খুদোন ইদুনা মণিপুরগী মহারাজ ও! ঐসুং জিলা নুংঙাইবদা লাক্কে, শ্রীযুৎ মহারাজসু জিলাদা লেঙলকও! চেংলৌ শকউনসে হায়না লাইরিক থুংলৈএ। চৈরাপ-গারোৎকী অঙম্বা পুন্নমক তীন্দুনা শ্রীমতী মমাশীজ নিংথৌপোকপীদা দরবার তৌদুনা খন্নবদা ফৈ, চৎপা থোকই হায়না... [চৈথাঃ কুমঃ, ২০০৫, ৪২০]।

অসিনি। অদুগা ৰারোল শুনা কুপ্পা মচা খায়না ইরিবনা চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা কৌবা লাইরিক্তনি [ওঃভঃ, ১৯৭৯, ৩-১৮]। অদুবু কছাড়দা মীটিং তৌরগা মহারাজবু ফাখিগনি হায়না কিরিবা অসিদি মৈতৈমচা প্রজাশিং অমসুং অঙম-অথৌশিংদা নত্তে, রাজা চন্দ্রকীর্ত্তি মশামকসিসুনি; প্রজাশিংদা, অঙম-অথৌশিংদা অমসুং মমাশীজদা পাউথোংদুনা ইশিনবনি [মথক্কীসিদা, ৮, ১১]। মরমদি খৃঃ ১৮৭৩গী অমসুং ১৮৭৪ গী মার্চ থাগী মণিপুর অমসুং বৃটিশ ইন্দিয়াগী লমখৈ লেপ্পবা ঙমদনা লৈরিবনি হায়বা য়াই। অদুগা খৃঃ ১৮৭৩-৭৪ দা বৃটিশ সাহেব মচা অহুমগী ৰাফম্না অসামগী চিফ কমিস্নার অমসুং ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেলগী নাকোঙ ৰাই চিলহল্লি, হায়বসিসু চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা খঙঙি। অদুনা মণিপুরগী অৰাংগী ঙমখৈ/সীমনাসিগী মরমদগী দরবার অসি কৌরক্লবনি, বড়লাটনা শিন্নদুনা অসামগী চিফ কমিস্নারনা শীনবা কছাড়গী ডিপুটী কমিস্নারসু থৌরাংদুদা য়াওবনি হায়বসি মহারাজসিনা খঙঙি। মণিপুরদা লৈরিবা মখোয়গী পোলিটিকেল এজেন্টসিদি মখোয় পুন্নমকসিগী মখা থাবনি, মহাক্না করিসু তৌবা ঙম্লোয়। অদুগা লৈপাক্কী ঈজ্জৎ, মৈতৈগী ঈকাই খুম্নবদুদি ঙাক্ত-কন্দবা য়াদে, অদুনা চত্তবদি য়াদে, চেকশিন্দবসু য়াদে হায়না মতোমতা মপুক্লীঙদা লেপখি, তানা-খন্নবা য়াবা মতীক চাবা অঙম-অথৌশিংদা হায়দুনা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎখি। মরম অদুনা খোংজাই (Kuki) গী রাইফল পায়বা সিফাই ৫০০ না তুংদা অমসুং মৈতৈগী রাইফল পায়বা সিফাই ৫০০ না মাঙদা ঙাক-শেন থৌরাং তৌখিবদুনি। অদুগা অসুম্না চেকশিনবসিগী ঈ-পাউসি শিলচরদা লৈবা মতমদসু থেংনরকখিগনি, মদুদি—

...লাট সাহেব ইমান্নবদি করিগী লাক্তরবনো, হায়না য়াইবী মনুং হৌরবদা সাহেব মীয়াম পুন্নমনা, হে মণিপুর রাজা অথোইব-ও! লাট সাহেব নমান্নববু খান্বী মৈগী ৱাকয়ৈ হিবু চৎনা পাউকৌরুগে হায়রবদা মৈদিংঙুনা ইদাইরেম মুতুমচা মুক্তিয়ার, নিংথৌজমচা জয়থরো কৈরুংবা, চুঙখামচা লোংলা হাজারী, মোংজমচা কালিকোর লাল্লুপচিংবা, লৈমপোকপমচা পানা হাজারী, ঈবুংশী আবীরসিং, তনবা নখোয় তরুকমদি খান্বী মৈগী ৱাকয়ৈ হিবু মতৌ করম্বনো য়েং-ও! লাট মাসুং লাকখিবরা য়েংশেম-ও হায়না ৱাকয়ৈ খোঙওইননা তিলান মপুঙওয়ায়বু য়ৌখিএ। মদাইরেম তনবা তরুকমনা ৱাকয়ৈ মতৌ খঙলবগা তন্না হল্লক্তুনা লাইরেন সনা মখোঙ খাদা খান্বী মৈগী ৱাকয়ৈ কোনবু অপুন্বা থৌরম মতোন লোম্না পাউহংখংখিরে [মথক্কীসিদা, ৪৩-৪৪]।

অসিনি মৈগী ৱাকয়ৈ-হি হায়রিবসি গভর্নর-জেনরেলনা কলকটাদগী তোংলকপা য়াচট (Yacht) অদুনি, মহাক ঈশিং লন্বীদা লাকখিবনি। অদুগা হায়রিবা মৈগী হিসিদা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজবু ফারগা পুখিবা য়াদনবা মহারাজগী শামু মোইরাংশানা ফাদুনা থম্মী' হায়না হায়নবী অমা লৈরিবসি [মথক্কীসিদা, ৪৯ ফুট নোট], করিসু তৌদনা হেক্তমক শেমজিনখিবা হায়নবী ওইগদ্রা?

মথক্কী ৱারম ময়ামসিনা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী জিলা দরবার তৌখিবগী মরমসি মণিপুরগী অৱাংগী সীমনাগী ৱাফমগা মরী লৈনৈ অমসুং বৃটিশনা মখোয়গী লল্লোন-ঈতীক্কী মরমদা চাওখৎহন্নবা, হিরম অয়াম্বদা শেন্দোং তান্নবা অমসুং লল্লোনবদা খুদোংচাগদবা মফম অমদা মখোয়গী ট্রেডিং ডিপোট (Trading depot) অমা থম্নবগী মণিপুরগী মহারাজদগী লম নীবগী মরমগীনি। মরম অনিসিদা অহানবগীসি মশানি অমসুং অকোনবগীসি মউনি, মরূনি।

ৱারোল ৱাপুঙঃ জিলা দরবার

চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী জিলা দরবার অসি মতমদুগী ভারতবর্ষগী খ্বাইদগী হেন্না চাওরবা লৈঙাক-মপুগা মণিপুরগী খ্বাইদগী হেন্না চাওরবা লৈঙাক-মপুগা অনিনা বৃটিশ ভারতকী অসাম প্রদেশকী জিলা কছাড়দা উনদুনা লৈঙাক্লোনগী ওইৱা ৱারী-ৱাতাই শান্নবগী থৌদোক-থৌরমনি। দরবারসিগী বার্ত্তন তৌরক্লিবা থৌবুনা ভারতকী গভর্নর-জনরেল লোর্ড নোর্থব্রুকনি, বার্ত্তন ফংলিবনা মণিপুরগী নিংথৌ সার চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনি অমসুং মসি অরাংফম্না অসামগী চিফ কমিস্নার কিতিঞ্জ সাহেবনি। মহাক্না গোভর্নর-জেনরেলগী য়াথং মতুংইন্না বার্ত্তন অসি মণিপুরদা লৈবা মখোয়গী পোলিটিকেল এজেন্ট মিঃ/ডাঃ আরঃ ব্রাউনদা পীরক্তুনা মণিপুরগী নিংথৌদা য়ৌহল্লকখিবনি [মথক্কীসিদা, ৪]।

মাঙজৌনবা থৌরাং

মৈদিংঙু নাউজীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বনা ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেলগা কছাড়গী শিলচরদা উনদুনা ৱারী শান্নবগী চে অসি খৃঃ ১৮৭৪ গী জুলাই ২৯ (শক ১৭৯৬ কী থৱানগী পূর্ণিমা নুমিৎ) য়ুমশকৈশদা ফংলম্মী অমসুং শিলচরদা উনসি হায়দুনা পীরক-থাঃরক্লিবা নুমিৎনা চহীদুগী থৱান থাগী মাকমৈ ১০নি পানবা নুমিৎ হায়না ইরকখি [মথক্কীসিদা, ৬]। মসি থৱানগী নীন্দুং ১০ পানবা নুমিৎ (থা মশাগী ২৫নি পানবা নুমিৎ) নি হায়না থাজজৈ। হায়রিবা চিঠিসি হেক ফংবদা মহারাজনা মশাদা চিংনবা পোকখিরম্মী, অদুমকপু লৈপাক পানবা অমগী চৎনবী অমসুং ৱায়েনগী মতুংইন্না তান-খন্নবা য়াবা, মনুং-মপান ফাওনবা অঙম্বশিং কৌদুনা মমাশীজ নিংথৌপোকপী (মাইস্না কুমুদিনী মহারানী) গী শঙ্গায়দা মীফম অমা ফমদুনা খন্নখি। মহারাজনা চিংনরিবা মণিপুরগী অৱাংগী লমখৈ লময়েন্নবদা বৃটিশ মচাশিংগা নুংঙাইনদ্রিবা অমসুং মখোয়গী লল্লোনফম মফম থিবদা মনীঙ তম্বা লৈপাক্লি, মখোয়গী সম্রাজগী মহারানীগী মরুপ-মপাং ওইনা লৈবা লম্নি খন্দবা মখৈ মরায় হাইগৎলকপা বৃটিশ সাহেব মচা অহুম্বু মমু য়েথেকখিবনচিংবদু মাঙদা থমদুনা খন্ন-নৈনরগা অহকপা চেকশিন-থৌরাংগী মখাদা মহারাজ জিলা দরবার লেঙবা হায়না ৱারেপ তান্নখি।

মৈদিংঙুনা লৌবা য়াবা পাউতাকশিং লৌরবা, উন-ঙাংনবা য়াবশিং উন-ঙাংনবা মতুংদা চৎকদৌরিবা খোঙচৎসিগী মফম-মতম য়েংনা লম্বী-থোং শেম-শারুনবা মীশিং জুলাই ৩০ দগী কোনুংদগী মাঙজৌনবা লূপ (Pioneer Party) ওইনা থারকখি। হায়রিবসিদসু চেকশিন-থৌরাংগী অমসুং অকনবা ঙাক-শেন থৌশীনগী মমিসি অদুম্মক তাই, মদুদি–

...হয়েং কৌবা মনোং শোয়রবগা ইদাইরেম ৱাংঙম থাঙ্গাল কাংঙবমচা লাইফম শঙলেন তেংমায় থিনবা ... নঙনা চিংনা ইদাইরেম গোকুলসিং নোংথোনবমচা, সুবিদার বাপু শঙখুবা, সুবিদার তুলসিংহ য়ুম্নাবা, হেরাসিং কাংঙবমচা, তুলসিং লাইফ্রাকপা, কেশোরসিং হাউবমচা, গুনোসিং অয়েকপা, সোরুপা নোংথোনবমচা, থবা লাইশ্রবা, তাম্রসিং মাইবমচা নখোয় পুম্নমনা ... কোরৌ নোংজা মরিনিদংবু শমু মাঙচৎননা সিফাই ননাউয়োক কম্পু লাল্লোই মপুঙফাবা চামঙা (৫০০) বু ঙাইরোইননা শমু মাঙদা চৎনা য়াংলৌ লমদাং শেম, ঈরোক থোংগা শা, থোংলেন পানপায় লাক্লা ফম্বী য়ারেকফম খুদিংদা খাংপক মফম তৌ ঈল্লুম মফম শেম্না শঙলেন ... শারম-ও! ... মেঞ্জোর তুলি হাউশি ঙমচিংবনা সুবিদার, জমান্দার, কুট পুম্নমা সিফাই ... চামঙাদংবু ঙাইরোইননা ... খুরোই হাওরা লল্লাংতোংবু য়ৌনা... হায়না মদাইরেম অখন-অতেং পুম্নমদা পাউমেনখিএ [মথক্কীসিদা, ১৭-১৮]।

অসিনি। অদুগা মাঙজৌননা লময়ান-লমশেম্বা লূপ অসিগী মীওইশিংগী মশীন মথৌ পীবগী ৱারমদিঃ–

১) জয়সিংহ খোইস্নামচা সুবিদারনা হাও ময়াম পুরগা লৈমতাকদা য়ারেকশঙ শারগা মৈদিংঙু ঙাইদুনা লৈবা,

২) মায়পাক য়ুমখাইবা সুবিদারগা পুষ্কর লোংজাম্বগনা খৌবুমদা য়ারেকশঙ শারগা ঙাক্কুনা লৈবা,

৩) রমানন্দ মোইরাংথেম্বা কুট (Naik/Corporal) না হাও ময়াম পুরগা ঈরং খোংবান্দা য়ারেকশঙ শারগা মৈদিংঙু ঙাইদুনা লৈবা,

৪) কমলসিং থিংবাইজাম্বা জমান্দারনা হাও ময়াম পুরগা লোকলেন অচৌবদা (নুঙবাগী মনাক্তনি) য়ারেকশঙ শারগা শঙদুনা লৈবা,

৫) যদুনাথ খোমদ্রামচা কুটনা লোইবী হাওয়াম পুরগা খাই (বরাক) তুরেন মপান্দা মৈদিংঙুগী য়ারেকশঙ শারগা শঙবা,

৬) বলাসিং তোংব্রমচা সুবিদার, তাঞ্জৌ লোকতোনবা কুট, খৌদোন পোল্লিবা (পোলেমচা) কুট মখোয় অহুম্না মকু তুরেনগী ঈথৈ মপান্দা মৈদিংঙুগী য়ারেকশঙ শারগা মদু শঙদুনা মৈদিংঙুবু ঙাইবা,

৭) দেবসিং শনশেনবা সুবিদার, ওয়নামচা সুবিদার, নামৈরাকপা কুট, মখোয় অহুম্না জিরি তুরেনগী লোকচাওদা মৈদিংঙুগী য়াইরেকশঙ শারগা শঙদুনা লৈবা।

অসিশিংসিনি। অসুম্না মাঙজৌননা লময়ান লূপ (Pioneer party) অসি থাদুনা জিলা দরবারগীদমক থৌরাংখি।

দরবার খোঙচৎকী অনীশুবা থৌরাং

জিলা দরবার খোঙচৎকীদমক্তা এডভান্স (Advance party) অমা থাদুনা অহিং নোংলেনফমশিংগী মফম খন্দুনা য়ারেকশঙশিং শাদুনা মৈদিংঙু লেঙল্লকপা ঙাইদুনা লৈননবা থৌশীল-থৌরাংখ্রবা মতুংদা চেকশিন থৌরাং অমসুং অতৈ থৌরম-ৱারমশিংগী থবকশিংগী মথৌ-মঙম শীনদোক-শীঞ্জিন অমুক তৌখি।

১) জয়ধর নিংথৌজমচা, ৱাঙ্গোল কৈরুংহনবগা যাদব অহম্বেমচা হীদাক ফানবা হঞ্জবগা অনিনা শগোল-শামু পুম্নমক পুদুনা মাঙজৌননা চৎহনখ্রগা কছাড়গী লখিপুরদা মহারাজবু ঙাইদুনা লৈননবা থাখি।

২) ঠাকুর গুনো সুবিদারনা সিফাই খর পুদুনা নুমিৎ নিনিগী মাঙদা লম্বী ঙাক-শেনবা, লাঞ্জাবা অমসুং লম্বী-থোংগী ঈরাং য়েংবা ওইনা লাঞ্জাবা লুপ (Connoisseurs' party) ওইনা থাখি।

৩) মৈদিংঙুনা মচাঈবুংঙো যুবরাজ সুরচন্দ্রদা মণিপুর লৈপাক ঙাকহৌনবা শিন্নরগা মচাঈবুংঙো কত্থাল টেকেন্দ্রজীৎ বীর সিংহ, অঙোম নিংথৌ নোংমাইথেমচা গীরীধারী, মন্ত্রী রিপুজিৎ ঈবুংশীজ (আরঃ কেঃ), খ্বাইরাকপা পুখ্রনবা পুষ্কর ঈবুংশীজ, লাইফম লাকপা মিমি চীঙঙাখমচা, নোংথোনবা চন্দ্রবন মাইস্নামচাদা লৈঙাক মতেং পাংননবা শিন্নখি।

৪) সেনাপতি ঈবুংশীজ ধর্ম্মসেতুদসু লৈঙাক তেংবানবা, লাম্মীশিংগী চেকশিন-থৌরাং লৌখৎনবা শিন্নখি,

৫) পণ্ডিত লোইশঙগী পণ্ডিতশিং খুমুকচম পূর্নচন্দ্রনচিংববু লাইথৌ থৌরম কায়দনা লৈঙাক তেংবাংনবসু শিন্নরমখি [মথক্কীসিদা, ২১-২৪]।

অসিশিংসিনি। অসুম্না মণিপুরদা লৈহৌগদবা, লৈঙাক থবক পুহৌগদবশিংগী মথৌ-মশীন শিন্দোক্লবা মতুংদা জিলা দরবার লেঙবসিদা শ্রীযুৎকী থৌগল ইনগদবা মীওইশিং খল্লকখি। হায়রিবসিগী পীরল্লিবদিঃ-

১) ...লাইরেন ঐগা ঙাইরোইনগদবদি লীক্লাই ঈপারী কুলচন্দ্র সিংহ ... ৱাংখৈরাকপা নঙগা লীক্লাই নশানৌ ঝলকীর্ত্তি সিংহ (ফৈজাওম্না) ... শামুহঞ্জবগা তুবী হৈনা ঈতুং ঈনচেম-ও।

২) চীঙঙু মহাবিষ্ণু থোইখোইবগা ঙাইরোইনগদবদি ব্রাহ্মণ ... থাকুরদাস পুরোহিত, তন্ত্রধার নোংমাইজীঙ, চক্রবত্তি লৈহাউথাবা ৩মগা তরা ৱালহৌশঙগী পূজারী কাবোম্বা, তেপি, খৌদোন, তোলেন, বাবাইখোংবা, মশানৌ অতোনবা, কৃষ্ণগোপাল ১০ মক্কা ঈদাইরেম দেবকিশোর সিংহ লৈমপোকপমচা, চীঙঙু শ্রীজী লাইমরুগী ৱাঙ্গোল কৈরুংবা নঙগা নখোয় ১০মদি পালা খুৎপু ঙাইরোইননা চীঙঙু থৌগল নহৌশাবু কায়চেমগনো।

৩) ঈদাইরেম শাজৌ চীঙঙাখমচা খাবম শঙলেন তেংমায় থিনবা নঙদি পানা হাজারী ৪মবু ঙাইরোইননা পুয়োক-ও!

৪) ঈদাইরেম বলরাম শৌকাইচাম্বা অহল্লুপ শঙলেন তেংমায় থিনবা, মেঞ্জার তুলি হাওশি ঙমচিংবা (Commander of 1st Battalion/Regiment) নঙনা সিফাই ... ঙাইরোইননা থৌগল মহৌশাবু কায়ফরোয়।...

৫) লাইরেন ঐগী সনা পুকইরেনগী অঙাং-অদোন চোংথামচা তেৎনৌ শোচৈহনবা নঙনা চোয়নৌ সনা লনয়াম পুনা তুবী হৈনা ঈতুং ইনচেম-ও!

৭) ব্রাহ্মণ শাগৈরেনগী ঠাকুর জগধাম কাউরেন শল্লুংপুরেন নঙদি তয়ম অখন-অতেংবু ঙাইরোইনচেম-ও!

৮) ব্রাহ্মণ ঠাকুর গোকুল থুমজাও পুরেন নঙগা রসসিং মোইরাং সুবিদার নবিংঙাদি লাইরেন ঐগী শমু তুংদা থাঙচপ্পনা মরাকও!

৯) অঙৌপানবা অঙোম নিংথৌ নঙনা লৈকায় ৪মগা পানা ৪মগা, তুলি ৮মগা, কৈরোই হিদেন ৪; লনলোই, থুমলোই, ৰারোই, উরোই পুন্নমদগী তনবা নিপা থোকপা ... থৌগল মশীঙ শুনা থা-ও! [মথক্কীসিদা, ২৪-২৬]।

অসিশিংসিনি। অসুন্না অঙম-অথৌ, অকন-অরিং অমসুং মীথোই-মীহেনবা অঙন্বশিংবু মাগী মাগী মথৌ-মঙম পীদুনা থৌশীন-থৌরাং পুন্নমক তৌখি। নিংথৌগী পুক্লীঙ খঙবা অঙন্বশিংদুনা স্না পুক্লীঙ থুংনা থৌরাং পুন্নমক লৌখত্তুনা মিকুপ অমত্তা চেকশিন-থৌরাং হোন্দনা মথৌ লাইরেক্লদনা স্না থৌগল তৌখি। মণিপুরীশিংগী অশেংবা থৌরাংদি মৈতৈ নিংথৌ ফাননবা খুজীল-থৌরাংদগী নিংথৌ কন্ননবগী থৌশীন-থৌরাংনি। মথক্তা পীজরিবা থৌরাংসিদা অখঙ-অহৈ অমনা থন্বীরন্বা ৰারোন্দিঃ-

জিলা দরবার লেঙবগী সনা থৌগল মী লেপ্নরকইঃ— ধৰ্ম্মসেতু বড় সেনাপতি (সেনাপতিসিদি য়াওদে, মনিপুর ঙাক্লনবা থল্লম্মী), সৌগাইজান্বা মেজর, থাঙ্গাল মেজর, চনন্বা জয়, সুবিদার, তুলিহন; (৫) য়েংখোইবা সুবিদার, মিয়া সুবিদার, বলরাম সুবিদার, অচোইবা সুবিদার, যোগেন্দ্র সুবিদার, অচোইবা লুৰাংবা, মোইরাং নিংথৌ, (১১) মচাঙ্গীবুংঙো কুলচন্দ্র, মচাঙ্গীবুংঙো কোয়রেং (মচাঙ্গীবুংঙোসিসু, য়াওদে), নোংমাইথেম শগোনহঞ্জবা, য়াম্বেম অরান্বাই হৈবা শারুংহঞ্জবা, শাৎপা মেজর, নিংথৌজান্বা পোইলা (Captain), (১৫) কাংঙবা ময়াং তাবা শেল্লুংবা, শাৎপা লমজেন য়াঙবা, বলদেব পোইলা, নোংমাইথেন্বা পোইলা, অঙোম তোনু শেল্লুংবা, (২০) গুলাপসিং শেল্লুংবা, তোমচাসিং শেল্লুংবা, অঙৌমচা শেল্লুংবা, থম্বৌমচা শেল্লুংবা, নিংথৌজান্বা শেল্লুংবা, (২৫) কাংঙবা লক্ষ্মন শেল্লুংবা।

(২৬) য়াম্বেম যাত্রা, বিনো যাত্রা, লৈশং যাত্রা, গুণ যাত্রা, থবি যাত্রা, (৩১) লুসৈ যাত্রা, কাংজান্বা যাত্রা, খৌদোন যাত্রা, মাধব যাত্রা, লুক্রান্বা যাত্রা, (৩৬) মায়পাক যাত্রা, খুরাইজম অঙৌ যাত্রা, তোনা যাত্রা, (৩৯) মাইব্যা তান্দ্রসিং লমজেন য়াঙবা, হৈস্নাম মথং লৌপানতাবা, (৪২) চনন্বা পেনাখোংবা হঞ্জবা (বাপু কৌই), তোল্লেন বঝাইখোংবা, পাঙল বাসি জমান্দার, (৪) তোল্লেন ঠাকুর, ভরবৰ্ত্তন ঠাকুর, (৪৭) পূজারী ২৫।

মৈতৈ সিফাই ৫০০, খোংজাই সিফাই ৫০০, কাঙজৈ চাবা শগোল ৫০, শামু মোইরাংশা, শামু থীনতার, শামু কোন্দুম্বা, শামু হেরামোৎ, শামু অরাংবচৌবা, শামু জিরিশা, রাজবল্লভ [রাঃকুঃসগঃ, ১৯৭০, ১১৬-১৭]

অসিশিংসিনি। অদুগা জিলা দরবারসিদা পুন্না চঙখি-য়াওখিবা মীওইশিং ওইনা হিরমসিদা ইবা লাইরিক 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা' দা পীবীরিবদি—

(১) থাঙ্গাল মেজর/জেনরেল, (২) গোকুলসিং নোংথোনবমচা, (৩) সুবিদার বাপু শঙখুবা, (৪) সুবিদার তুলসিং য়ুম্নাবা, (৫) হেরাসিং কাংঙবমচা, (৬) তুলসিং লাইফ্রাকপা, (৭) কেশোরসিং হাওবমচা, (৮) গুনোসিং অয়েকপা, (৯) স্বরূপ নোংথোনবমচা, (১০) থবা লাইশ্রবা, (১১) তাম্রসিং মাইবমচা, (Advance party for construction and repairing of road, bridges, etc.), (১২) জয়সিং খোইস্নামচা সুবিদার, (১৩) মাইপাক য়ুমখাইবা সুবিদার, (১৪) পুষ্কর লোংজাম্বা, (১৫) রমানন্দ মোইরাংথেম্বা কুট, (১৬) কমলসিং থিংবাইজম্বা জমান্দার, (১৭) যদুনাথ খোমদ্রামচা কুট, (১৮) বলসিং তোংব্রমচা সুবিদার, (১৯) তাঞ্জৌ লোকতোনবা কুট, (২০) খৌদোন পোল্লিবা কুট, (২১) দেবসিং শনশেনবা সুবিদার, (২২) ওইনামচা সুবিদার, (২৩) নামৈরাকপা কুট (Advance party for erection of resting huts), (২৪) ব্রাহ্মণ গুনো শর্ম্মা অমসুং মহাক্কী সিফাইশিং (Advance party for Road Guard/Security), (২৫) মচাঙ্গবুংঙো কুলচন্দ্র, ৱাংখৈরাকপা, (২৬) মচাঙ্গবুংঙো বালকীর্ত্তি/ ফৈজাওস্না, শামুহঞ্জবা, (২৭) গুরুময়ুম থাকুরদাস শর্ম্মা পুরোহিত, নোংমাইজীঙ শর্ম্মা তন্ত্রধার (লৈমতাক্তা মশা নারক্কুনা য়াওখিদে), (২৯) চক্রবর্ত্তি লৈহাউথাবা, (৩১) কবোম্বা, (৩২) তেপি, (৩৩) খৌদোন, (৩৪) তোল্লেন, (৩৫) বঝাই খোংবা, (৩৬) মশানৌ অতোনবা, (৩৭) কৃষ্ণগোপাল (৩০-৩৬ পূজারীশিংনি), (৩৮) দেবকিশোর সিংহ লৈমপোকপমচা (লৈমপোকপা শাজৌ/ কৈরুংবা), শ্রীগোবিন্দজীগী ৱাঙ্গোল কৈরুংবা (নহারুপ পানা হজারীসু ওই), (৩৯) শাজৌ চীঙঙাখমচা খাবম লাকপা, (৪০) বলাই/বলরাম শৌগাইজাম্বা, অহল্লুপ লাকপা, তুলিহন মেজর (জেনরেল), (Body guards 39 & 40), (৪১) অঙাং অদোন চোংথামচা (চোংথা নীলমনি সিংহ, অয়াপুরেন মেজর),

(৪২) চাওবা নোংথোনবা, ভাণ্ডারী পুরেন, (৪৩) ঠাকুর জগধাম, শল্লুংপুরেন, (৪৪) ব্রাহ্মণ গোকুল শর্ম্মা লৈহাওথাবমচা, থুমজাও পুরেন, (৪৫) রসসিং মোইরাং (মোইরাংময়ুম) সুবিদার (44 & 45 Rear body gurads), (৪৬) নোংমাইথেম্বা ধনি, অঙোম নিংথৌ, (৪৭) নিংথৌখোংজমচা পণ্ডিত, (৪৮) হৈথমচা য়োয়রেনহনবা, (৪৯) খুমল্লম্বম অহাংজাও, (৫০) চনম্বা বাপু পেনা হঞ্জবা, (৫১) পাঙম্বমচা পেনা হঞ্জবা, (৫২) লৈশং যাত্রা, (৫৩) বিনো যাত্রা, (৫৪) য়াম্ব্যা (য়াম্বেম) যাত্রা, (৫৫) মাধব যাত্রা, (৫৬) নোংথোনমচা মরৈবা অশৈহল (সঙ্কীর্ত্তন পালাগী), (৫৭) লৈমপোকপা থাবল পুঙয়ৈবা, (৫৮) থোকচাও ৱারী লীবা, (৫৯) মুতুমচা মুক্তিয়ার, (৬০) চুঙখামচা লোংলা হজারী, (৬১) মোংজমচা কলিকোর লাল্লুপচিংবা, (৬২) ঈবুংশীজ (আরঃ কেঃ) আবীরসিংহ, (৬৩) অঙোমচা তোনু, (৬৪) নিংথৌজাম্বা, (৬৫) অতোমচা শেল্লুংবা, (৬৬) থম্বৌমচা শেল্লুংবা, (৬৭) তোমচা শেল্লুংবা, (৬৮) গুলাপসিংহ শেল্লুংবা, (৬৯) অঙৌমচা শেল্লুংবা, (৭০) য়ুমলেম্বা পেনা খোংবা [ওঃ ভঃ, ১৯৭৯, ১৭-৫১, ৫৫]।

অসিশিংসিনি। মসিদা লান্মীশিং অমসুং শীন্মীশিংদি মমিং-মথানচিংবগী মশীঙশিং থাদি-পান্দ্রিবনি।

জিলা দরবারগী খোঙচৎ-পরীং

মৈতৈ নিংথৌরেন নাউজীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা, মহাক্কী অঙম-অথৌশিং, থৌগল-লাংগন, লোইয়িন-খময়িননচিংবনা কছাড় জিলাগী শিলচর/ লখিপুরদা ভারবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেল উনদুনা রাজনৈতিক ৱারম ঙাংননবা মণিপুরগী কোনুংলেন কংলাদগী কছাড় সিলচর ফাওবগী কিলোমিটর চনি হুম্ফুদ্রা-মরিফুরোমগী লম্বী লমশাং অসি মৈদিংঙুনা শামু, শগোল, দোলাইনচিংবদা অমসুং থৌগল-লাংগন্নচিংবা অয়াম্বনা খোঙনা চৎখ্রিবনি। মতমসিদা ঈঞ্জিন পানবা গাড়ী অমত্তা মণিপুরদা য়ৌদ্রি। মণিপুরগী নিংথৌনা লৈপাকসিগী অহানবা ঈঞ্জিন পানবা গাড়ী লোইরক-লৈরক্কদৌরিবসি খৃঃ ১৯১৩ দগীনি [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৫৭০]। হায়রিবা খোঙচৎসিগী মরমদা চৈথারোল কুম্বাবদা থম্বীরম্লিবদিঃ—

...খন্নবদা ফৈ চৎপা থোকই হায়না শ্রীযুৎ স্না য়াথং কাংঙবমচা থাঙ্গাল মেঙ্গোর নঙদি ৪নি হান্না লন্বী-থোং শেন্নম-ও। ঠাকুর বামোন মেঙ্গোর (গুণ শর্ম্মা) নঙদি সিফাই পুন্নমা পুদুনা নুমিৎ ২নি হান্না চৎলম-ও! থৱান থা ১৬নি শগোনশেন (তাং ৩০।৭।১৮ ইং) দা শ্রীযুৎ মহারাজ স্না খোঙলেঙএ। যৌগন ইনবা অঙম্বদি মচা ঈবুংঙো ৱাংখৈরাকপা (কুলচন্দ্রধ্বজ), স্না শামুহঞ্জবা (ফৈজাও স্না/ঝলকীর্ত্তি), শৌগাইজমচা বোলাই/বলরাম সিংহ্ মেঙ্গোর, চীঙঙামখমচা খাবম লাকপা, মাইবা শঙলেনগী নিংথৌখোংজা গোকুলসিং পণ্ডিত, হৈথমচা রোতোনসিংহ্ য়োঙ্গৈরেন হঞ্জবা, লুৱাংশঙবা ফমইহিদং, খেন্দম্বা পাঞ্জি, কমলাকান্ত কোনোক হঞ্জবা, ৱাহেংবমচা শঙ্গৈইতাবা পাঞ্জি লাল্লুপচিংবা, লৈপাক্কী থৌগল-লাংগন পুন্নমা চৎলে। ১৮নি থাঙজ (তাং ১।৮।১৮৭৪ ইং) দা শ্রীযুৎ লৈমতাক তায়ে। বামোন থুমজাও পুরেনগা পুরুন সাহেব (Dr. Robert Brown, the British Political Agent in Manipur) ২মা লোইননা চঙএ। ২০নি লংমাইজীঙ (তাং ২।৮।১৮৭৪ ইং) দা খৌবুম য়ৌএ। ২১নিদা ঈরং য়ৌএ, মবুধৌ পাখংবা থোক্কুনা শ্রীযুৎনা খুরুমলমএ। ২৩নি য়ুমশকৈশ (তাং ৫।৮।১৮৭৪ ইং) দা মকুদা লেকএ। ২৪নিদা জিলা (তাং ৬।৮।১৮৭৪ ইং) য়ৌএ [মথক্কীসিদা, ৪২০-২১]।

অসিনি। খোঙচৎসিগী যাত্রা তৌবা (Assumable/assumptive start of journey/adventure, etc.), জুলাই ৩০ দা তৌরগা মথংগী নুমিৎ জুলাই ৩১ দা কোনুং থাদোক্কুনা খোঙশানখিবা (Actual start) নি [ওঃভঃ, ১৯৭৯, ২৬-২৭]। খোঙচৎসিগী মিৎনা উবা পাউদমগুম্বা অমা পীবীরিবদিঃ—

জয়পত্র (Certificate/testimony of success) খামেন চৎপা (চপ্পা) ফিরাল পায়বা নিপা অমনা খ্বাইগী মাঙদা থা, ফিরাল পায়বা ১২ অমনা তুংদা ইন, মতুংদা বঝাই বেঙ্গুন খোংবা নিপা ৩০না বঝাঈ-বেঙ্গুন খোং, মদুগী তুংদা য়াঙ্গৈই লানশা কব্রং অহিংবা খুনেৎশা তোংবা, রেসন ফুরিৎ শাইককপা লিত্তুনা নামাবলী ফিশাং য়েৎলগা লানফি খাওওন ওন্দুনা কবাক থাঙ লেংদা থোং; মৈতৈ সিফাই ৫০০ গী মাঙদা থা, মসিগী মতুংদা বড় সেনাপতিনা মাঙদা থাদুনা মৈতৈ সিফাই ৫০০ নোংমৈ লেংদা থোংনা চৎ, সিফাইশিংগী তুংদা অঙম-অথৌশিংনা লাঙ্গৈই লানশা তোংদুনা থাঙ-তা খুৎলাই পায়দুনা সনা থৌগল

মাঙদা থা, — অসিগী তুংদা লাঙ্গোই শামু মোইরাংশাগী মথক্তা স্নরূপ্পা ফিশাং থারগা মথক্তা স্নরুপ্পা তাঙ্গৈবোৎ হাপ্পুনা ৱাহোং মতুগী সেম্বাং-মহুম লোনদুনা স্নরূপ্পা কোঙ্গোন থিনবা সেম্বাং-মহুমদুনা নোংথৌথক্তা খান্দুনা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ নিংথৌনা ফম্বাল লাংলগা শেল্লুংবা ৮না শামু তোংদুনা য়েৎ-ওয়দা কাঙহাই চামর থৌগল তৌ, সৌগাইজাম্বা, থাঙ্গাল, মেজর অনিনা শামু অমমম তোংদুনা য়েৎথাঙ-ওয়থাঙ থৌগল তৌ, লাঙ্গোই শামুগী শাকোক্তা অচোইবা লুৱাংবা মোইরাংনিংথৌ শামু হঞ্জবনা ফমদুনা থৌগল তৌ; লাঙ্গোই শামুগী তুংদা চনম্বা পেনা খোংবা হঞ্জবনা পেনা থৌগন মতুং ইনবা ওই, শামুগী তুংদা খোংজাই লাম্মী ৫০০না নোংমৈ লেংথোং নাদুনা শ্রীযুৎকী তুংইন থৌগন ওইদুনা শ্রীযুৎ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ নিংথৌনা শ্রীগোবিন্দগী সেবা লোয়দুনা ভক্তি কৎলগা সনা কোনুংদগী খোঙলেঙথোক্লকপা ফজবা নীঙথিবদা মপা লৈতবনা সরারেন্না শামু ইরাবত তোংববু অসুক নীঙথিজরিগদ্রা হায়না লৈপাক প্রজানা হায়নৈ [রাঃকুঃসগঃ, ১৯৭০, ১১৭-১৮]।

অসিনি। অদুবু মসিগী মরমসিদা 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা' কৌবা খৃঃ ১৮৭৬ তা ইরম্বা লাইরিক [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪২৫] তসু ইরি। অরিবা লোন্দা-পুদা ইরিবদু হৌজিক্কী লোন্দাসিদা শমজিন্না অমসুং মচং ওইবদুদং লৌখৎলগা মখাদা থমজরি ঃ—

মৈদিংঙুনা শ্রীজগন্নাথগী রথ যাত্রগী নুমিৎ ১০নিগী কুম্মৈ লোয়রগা জিলাদা মীটিং তৌবা লেঙনবা খোঙশানখি, শঙ্গায়মচাদা নোংমা লেক্লগা শ্রীগোবিন্দ খুরুম্লগা লেঙনবা তৌখি, কোনোক হঞ্জবা কমলাকান্তনা যাত্রাগী হৌনবী ঘট লীংখত্তুনা, ধূপ-দীপ, হৈরুক পান্ঃননচিংবা য়াওনা থৌনীদুনা অমুক হন্না যাত্রা তৌহল্লগা সনা কোনুংদগী খোঙ থাংদোকখি। উনবা য়াবা, থবক শিন্নবা য়াবা পুম্নমক শিন্নরগা খোঙলেঙ-খোঙহৌবগী লমদাংসিদা— মৈদিংঙু নিংথৌরেননা পলেম মমা অহেনবী কুমুদিনী শীজগী কোলোয় অমেঙবা ... বর লনকু ফংলবগা ... লাঙ্গোই কারু খোঙদাঙবা য়াইশা মায়ফং কিবা শামায় কোঙ্গোল থিল্লিবা, নাকথং স্নরূপ্পা পুম্ন-থোং, আরাম্বাই তেন্দোং থেৎপবু শমু খুৎনা খুর্জি মিতম চিংনা ... লাঙ্গোই শাদি শাওনথোক লৈনুং লৈমা ক্যাংচায়বী মপারী লৈমুরোন্দা লুৱোইশা, লৈহওরোন্দা তোংওই শা লাঙ্গোই মোইরাংশা য়াপনবা খাবক ফোপচন

য়ৈরিবা য়াঙ্গোই তাইবোৎ লাক্লবা শেম্বাং মহুম য়িনলুম্বা য়াইশা মনাক তম্না খোঙশাল্লে। মতম অসি ওইরকপদা ব্রাহ্মণ শাগেরেনগী ঠাকুর সেবা থৌগনবনা চীঙগু বিষ্ণু থোইখোইববু খোইমোম লাইশঙনুংদগী লেঙথোক্লবগা লাঙ্গোই মোইশাথক্তা অঙৌবা চরৈ ফিঙৌ-কুপ, ছত্র মথোন তৈরনা লাঙ্গোই থক্তা লেঙখৎলে।...

ROUTE FOLLOWED BY MAIBAM TAMRA SINGH IN 1874



* Courtesy to BASANTA NINGOMBAM

মৈদিংঙু নিংথৌরেন্দি বিষ্ণু শমু তুং ওইনবা য়াঙ্গোই খাবক লাক্লবা শেম্বাং-মহুমনুংদা ... লেঙখৎলে। মদাইরেম থৌগললোই, কাঙহাই চামর শূবা, শেনাক খনবা পুম্বনা থৌগল মশীঙ শুরে। লোইবী লাল্লোই চাম্মঙাগা পোইরৈ লাললোই পুম্বগা তয়ায় পরেং শাদুনা চীঙঙু বিষ্ণু থোইখোইবনা শামু মাঙদা থানা তোপ ৮লক কাপ্লকপবু কোরৌ নোংখাকখোনগুম্না মালেম লৈমায় নীকএ [ওঃ ভঃ, ১৯৭৯, ২৯-৩০]।

অসিনি। অসুম্না কংলা কোনুংদগী খোঙহৌ-খোঙশাল্লকখি। মসিদা তোমাল পুঙজাও খিন, মোইবুঙ, শিঙ্গা, পেনা, শাহনাইনচিংবা খোং, নাগনা, লাংদে পুঙনচিংবসু, বঝাই-বেঙ্গুনসু খোংলি-য়েরিবনি। লৈম-নিংথৌকোনগী নিংথৌকোন (Royal residential palace yards or শঙ্গায়রেন inside the Citadel) দগী থোক্লকপনা চৈরাপ অমসুং গারোৎ ওয়ওইননা থল্লগা পাইখোম্না থোংলেন (চিরাইথোঙ) লান্দুনা অহল্লুপ অমসুং লাইফমগী শঙলেন অনিনা য়েত্তা নহারুপ অমসুং খাবমগী শঙলেন অনিনা ওয়দা লৈদুনা লেঙথোক্লক্লগা লৈচোল্লাকপা কৈথেল্লেন (সনাকৈথেল লৈরম্বা মফম) দা মচাঈবেম্মশিংনা করিগী মখোয়বু থাদোক্তুনা লেঙবীরিবনো ৱাকৎচববু থেমজিনবীরল্লখি। মদুদগী লাকপনা খ্বাইরম্বন য়ৌরকপদা পোইরৈ লৈকোয়-লৈকায় মরি (Four communes of the urban domain of Manipur) গী মীশিং অমসুং ব্রাহ্মণশিং বৈষ্ণবশিংনা অহাউ-অথুমগী খুদোল কৎখি। মৈদিংঙুনা মহাক্কী খোঙচত্তু নুমিৎ ২২ (কুননিথোই) নিদনি খঙহন্দুনা ময়ামদুবু থেমজিল্লল্লগা খোঙশাল্লকখি।

হোগায়বী লমলেন (খোংনাং হোগায়বীনা হৌরিবা লমদম) য়ৌরকপদা লাইরেম্মা যুমজাওলৈম (মৈতৈ নিংথৌগী অঙাক-অকন লাই– Guardian deity– অহুমগী মনুংদগী অমনি, মহাকসি নোংদা নোংখললেম্বী নৎত্রগা পাখংবা পোকপদগী লৈনুং য়াবীরোক হায়না মিংথোন্নখিবী, নোংদা লাইরেন পাখংবগী অপোকপী মমাদুনি, হায়না লৌনৈ) না চরৈ ফিঙৌ শেত্তুনা লৈরল্লগা য়াইফরক্লবগী বর পীবিরকখি। মফমদুদগী মৈদিংঙু অমসুং মহাক্কী খোঙবু-খোঙলোইশিংদু ক্বাকৈথেল/ক্বাকৈথেলদা থুংখি। মসিদগী য়ারৌ তৈতুপান (মালোম) লাল্লগা নম্বোনগী খাবীদা থুংখি। মফমদুদগী লোকপচীঙ লান্দুনা

মাইব্যা তাম্রসিং

লৈশং যাত্রা

ওয়নামদা, ওয়নামদগী কৈনৌ, পোৎশংবমনচিংবা লাল্লগা খুরোইরাকপা পনফম (খুরোই হাওরা লল্লাংতোং নৎত্রগা বিষ্ণুপুর) দা থুংখি। মফমসিদা শ্রীবিষ্ণু অমসুং গোপীনাথগী আরতি কৎচখি, শ্রীমদ্ভাগবতকী ৱারী তাখি, অমসুং অহিং লেকখি।

নোংঙাল্লগা বিষ্ণুপুরদগী খোঙহৌদুনা বিষ্ণুপুরগী মনীঙদা লৈরিবা থোংজাওরোক চীঙ কাদুনা লাম্হোল্লগা লাইমতোন চীঙজাও কারকখি। অসুম্না অৱাংবা চীঙদোনসিগী মতোল লোম্লুরগা অমুক অঙম্বা চীঙমায়দগী কুমথদুনা লৈমতাক তম্পাক্তা চেল্লিবা লৈমতাক তুরেন খোংবান্দা থুংলখি। মফমসিদা লাইয়িংথৌ থংজীং কেগে কোকপা কশারেল, মোইরাং পোকপা সরারেনবু খুরুমজদুনা ফয়েং নোংফাইদুনা য়ারেকখি। মফমসিদা নুমিত্তুগী অহিং অথেংবদা শজী ময়াম অমনা খোংবা তাবদা মীয়াম্না ফত্তবা থোক্কদ্রা হায়না মিপাইনখি। করি থোইদোকপদি থোকখিদ্রে অদুবু তন্ত্রধার ওইবা ব্রাহ্মণ নোংমাইজীঙ শর্ম্মদি মশা নারক্তুনা মফমসিদগী ইম্ফাললোমদা হনখি।

মৈদিংঙু অমসুং মহাক্কী খোঙবুশিংনা অমুক খৌবুমগী অৱাংবা লাইমতোন চীঙ, মৈতৈনা লোইমোম ফৌরুংবগী মশাইগোন্নি খন্নবা চীঙজাও (ফৌরুংবসি খোংজোম্বগী মচানুপা চীঙজেং নারল পাঙ্গনবদুনি) দু লাল্লক্লগা খৌবুম তম্পাক্কী চীঙখাংদা থুংলখি। হায়রিবা খৌবুম তম্পাকসিদসু ঈনুং য়ারেকখি।

খৌবুম তম্পক্তসু অহিংদা শজী ময়াম্না লাক্লা-লাক্লা খোংমনবদগী মিপাইনখি। নোংঙাল্লগা তয়াং চীঙজেং লান্দুনা লাল্লগা ঈরং তুরেনগী খোংবান্দা থুংলখি। ঈরং খোংবানসিদা অহিং য়ারেকখি। মফমসিদা মৈদিংঙুগী য়ারেকশঙ মমাঙসিদা তুবী য়োঙ্গনোংদা নোংদা লাইরেন পাখংবা থোকই হায়না লৌনখি। মৈদিংঙুনা পুক্নীঙ ৱাদুনা পণ্ডিত, য়োঙ্গরেনহনবা, অশৈবনচিংবা খোঙবু মরক্তা য়াওরিবশিংদুদা করি মতৌনো হায়না ৱাহং-পাউহংববু মদাইরেমশিংনা অফবা মঙ্গলনি, মৈদিংঙুনা স্না খোঙলেঙবদুদা মবুধৌসু য়াওবীরি হায়বা তাকপীরকপনি, হায়না হঙ্গৎপদগী পুক্নীঙ ঈংথখি।

নোংঙাল্লগা মৈদিংঙুনা মনাইশিংগা লোয়ননা খোঙশাল্লক্তুনা নুঙবারোক (নুঙবাগী লোক) তা লুক হাখি অমসুং ময়ামসু চাক চাখি। মতুংদা নুঙবাগী অঙম্বা চীঙজাও কাদুনা লাম্হোল্লগা ক্লাই/গ্বাই (বরাক) তুরেনগী খোংবান্দা থুংলখি। মফমদুদা অহিংদু ফয়েং নোংফাইদুনা য়ারেকখি।

ক্বাই ঈহৌরকপদু লান্নবা লীতান-থোং

ক্বাই/খ্বাই (ক্বা/খ্বাগী ঈ/ঈশিং/ঈরম), মৈতৈনা থোনবা তুরেন মমিংনি, মসিবু কছাড়ী/ডিমাসাশিংনা 'বরাক' হায়না কৌই। তুরেনসিগী মরমদা হৌজিক্কী মতমগী লম্মিৎ-তুমিৎলোনগী ওইনা থন্নীরিবা ৱারমদি—

...the Barak river (the largest river of Manipur) drains the western half of the State [the western half of the State is drained by the Barak river (Surma river) through Dhansiri river into the Brahmaputra-Ganga drainage system (M.T.L., 1992, 107)]. Barak valley area is about 250 sq. km. It rises from northern ranges of the State about 16 km. east of Mao and follows a south westernly course. When it reaches Tipaimukh it joins with Tipai (Tuvai) river which comes quite opposite to it from Mizoram running northward direction. At Jirighat it is joind by the Jiri river and from there it turns towards the west and after passing Cachar and Sylhet plains it meets with Brahmaputra in Bangladesh (near Bhairab Bazar). Barak river is having one important waterfall (i.e. Tamenglong waterfall, 30 metres high) at Tamenglong area.

The most important tributaries of Barak river are Jiri, Tipai, Juko, Maku, Eerang, Leimatak and Maklang. Maku originated from the Brail ranges and it falls at Barak river after 5 km. from the south of Kalanaga village at Tamengolong district. Eerang rises from north of Yangpugilong ranges at the west of Karong. It runs through narrow and deep gorges at south-east direction and falls at Barak river near Tipaimukh (i.e. about 32 km. north of Tipaimukh). Leimatak and Ijeishi rivers are two important branches of Eerang [ibid, 109].

অসিনি। মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিগী জিলা দরবারগী খোঙচৎকী আগষ্ট তাং ৪ দা খ্বাই/বরাক খোঙবান্দা লেকপা নুমিৎসিগী অহিং অমসুং নুংথিল অনি অদুদা অঙকপা ফংনা নোং কন্না চুখি। মদুনা খ্বাই তুরেনসি ঈহৌরক্তুনা ঈশিংগী ঈমায় য়াম্না

ৰাংখৎলকখি। মদুনা তুরেন লৈরায় কীন্থ-নীঙখায়দুনা হান্না ঈরান্নফম ওইরম্বা অমসুং ঈরান্নবা শারম্বা লীতান থোংদু ঈশিংগী ঈচেন্না পুথখিদুনা তুরেনসি লান্দুনা চৎনবগী পাম্বে অমত্তা লৈরমদে। মরমসিনা অহিংদুমসু লেন্না মফমদুদা য়ারেক্তুনা পুক্লীঙ ৰানা লৈরম্মী। মতমদুদা মৈদিংঙুগী মদাইরেম লৈশং যাত্রানা তুরেন্দুদা লীতান মরী তিংননবা চোংথোক্লকখি। লাইবক থীবদি মহাক্লা ঈরোইদুনা ঈপাক-ঈমায় য়ৌরকপা মতমদুদা চাওরবা কেক্রু পাম্বী, মশা-মরেং কয়ামরুম্না তুরেনগী অপাকপদু পুমথুং থুংবা অমা ঈমায়দুদা তাউথরক্তুনা লৈশং যাত্রাগী মনাক য়ৌশিল্লরুম্মী। তাঞ্জাসিনা যাত্রাসিনা ঈরোইদুনা তুরেন্দু লাম্ছোকখিবসু ওইথোক্তে, অদুনা কেক্রু পাম্বীদুনা মহাকপু চেন্থদুনা পুখিবা হায়বসি শোয়দ্রবগুম লৈরম্মী, মরমদি চীঙলক্কী অঙম্বা অমসুং অখুবা তুরেনগী খোংলম-তুখুন্দা চেনবা তুরেননিনা ঈচেন য়াঙঙি, ঈরৈ কল্লি অমসুং ঈরম-খোংলম লুনা চেল্লি। কংফান্দা লৈরিবা, লৈশং যাত্রাগী মতৌ য়েংলিবশিং অদুদি লুতোন শাৎখ্রে। মহাক হিংগনি হায়বগী থাজবা মাঙখ্রে। অদুবু খুদোংথীবা তারক্লগা পুক্লীঙ লৌশিঙ মাঙদবা লৈশং যাত্রানা কেক্রু পাম্বীদুনা নকশিল্লকপা মতমদুদা নুংশাশোর থনুংদা থন্না চিংশিল্লগা তুরেন খোংলমগী লৈখা তম্না ঙমজবা মখৈ য়াঙনা লুপথখ্রে। অদুগা মহাক্লা শোর থিংবা ঙম্বগী অঙম্বা মতম অদুগী মখৈ তুরেনগী লৈখাদুদা পকশিন্দুনা লৈরম্মী। মহাক্লা অসুম্না তৌরিঙৈগী মতমসিদা কেক্রু পাম্বী অদু মহাক্কী মপা লাম্ছোক্তুনা তুরেনগী ঈচেন্না পুথখ্রে। মহাক্লা ঈমায়দা ফাওগৎলকপা মতমদদি কেক্রু পাম্বীদু তাউথখ্রে হায়বা খঙলে অমসুং তোর্ব্বানগী কংফান্দা লৈরিবা মী পুম্নমক্লা লৈশং যাত্রানা ঈরোন্নুংদগী ফাওগৎলকপদু ঙক্লা য়েংনখি অমসুং হরাউনখি। লৈশং যাত্রানা তুরেনগী ৰাংমা লাম্ছোক্তুনা লীতানগী মরী পরীং তিংননবা থৌরাংলক্লে। মতম অসিদা বিনো যাত্রা, য়াম্বেম্বা/য়াম্ব্যা যাত্রা অমসুং মাধব যাত্রা মখোয় নিপা অহুম অসিসু ঈশিংদা কুমথরক্তুনা লৈশং যাত্রাগী মতেং পাংলখি। অসুম্না মখোয় মরিনা লীতান মরী তিংদুনা লীতান-থোং শারগা মীয়াম লানবা য়ানবা শেম-শাখি। [চঃজিঃচঙঃ, খুঃ লাই অমসুং ওঃভঃ, ১৯৭৯, ৩৬-৩৮]

থ্বাই/বরাক তুরেন ঈরানবা য়াননবা শেম-শারবা মতুংসিদা পূজারী ব্রাহ্মণশিং অদুনা শ্রীবিষ্ণুগী লুক ৰাহৌদুনা অমসুং মীয়ামগী চাক থোংদুনা পুক্লীঙ নুংঙাইনা চা-থক্লবা মতুংদা থ্বাই/বরাক খোংবান্দুদা অহিং অদু য়ারেকখি।

মথং নুমিৎকী নোংঙাল্লগা বরাক খোংবান্দগী মকু তুরেনগী মকুরোক তম্না লাকখি। মকুরোক্তা থুংলগা আগষ্ট তাং ৫, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অহিংদু মকুরোক্তা ফয়েং-নোংফাইদুনা য়ারেকখি।

নোংঙাল্লগা মথং নুমিৎকী অয়ুক্তা মকুরোক থাদোক্তুনা জিরি তম্না লাক্তুনা জিরি তুরেনগী উমং-ৱামং ফাওদুনা লাক্লগা জিরিদা লৈরিবা কালিকা দেবীগী লাইফমদা থুংলখি। মফমসিদসু অহিংদুমা লেকখিরম্মী।

নোংঙাল্লগা জিরি তুরেন লান্নবা মৌবী ৱানা শাবা পোঙ (Raft) শেম-শারগা মীয়ামদু জিরি তুরেন লানখি অদুগা অহো-অরাং চীঙগী চীঙমায় শমদুনা ফুলতোর চীঙখোঙ তমদুনা লাকখিরম্মী। অসুম্না ফুলতোর (ফুল= লৈ, তোর = লানবন) চীঙখোঙদগী লাইরৈম্মা লক্ষ্মী লাৎপদগী লক্ষ্মী দেবীগী ময়ুম-মকাঈফম ওইরবা কছাড়গী লখিপুর লৈময়োন্দা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিসিংহ অমসুং খোঙবু-খোঙলোইশিং থুংখি অমসুং মফমদুদা আগষ্টকী তাং ৬কী অহিংদু ফয়েং নোংফাইদুনা য়ারেকখি।

নোং ঙাল্লগা মৈদিংঙুনা অসামগী চিফ কম্মিস্নারনা থৌরাং তৌদুনা শেম-শাদুনা থম্লিবা মৈতৈ নিংথৌগী থুংফম য়ৌনবা লখিপুরদগী নুঙফৌ লমদম শমদুনা লাক্লগা ভাদ্রি তুরেন লান্দুনা লাকখিরম্মী। অসুম্না বৃটিশ চিফ কম্মিস্নারনা বেরঙ্গন্দা শেম-শারিবা মৈতৈ নিংথৌগী থুংফম মফমদুগী তুরেন লাল্লগা চঙলকপদা অসামগী চিফ কম্মিস্নারগী মীওই বৃটিশ মচা অনিনা চিংনা মৈদিংঙুবু ওক্লম্মী। মসিগী লমদাংসিদা বৃটিশকী পোলিটিকেল এজেন্টনা পীবা ৱারোন্দিঃ—

...the Maharaja with two of his sons and several his principal Officers with the Political Agent (who followed two days afterwards) left for Cachar on 30th July, 1874, marching to Cachar by easy stages. A suitable camp had been provided in the station of Silchar for the Maharaja and his assistants by the Deputy Commissioner, and gave every satisfaction. ... [চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৪২২: ফুট নঃ]।

অসিনি। অদুগা খোঙচৎসিগী অরাপ্পসি কছাড়গী মীশিংনদি নুমিৎ মঙানি খোঙনা চৎপগী অরাপ্পনি হায়না পী [ওঃভঃ, ১৯৭৯, ৩৯]। মসি মীচম-মীওই অমনা চৎপগী ৱাফম মাল্লি।

শিলচরদা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি

মৈতৈগী ধৰ্ম্মনীতি, রাজনীতি অমসুং সমাজনীতিগী মচৎ-মনাৎ অমসুং ৰায়েলশিংসি হিন্দুগী ওইজরবসু ভারতকী অতৈ মফমশিংদগী তোপ্পী, গৌরিয় বৈষ্ণব শ্রেনী (Class) গী ব্রহ্ম/মাধবী সম্প্রদায়গী শ্রীগৌরাঙ্গগী ঘাড়ানা নৎত্রগা প্রণালিকা ওইজরবসু বঙ্গ/গৌরদেশকী বৈষ্ণব সম্প্রদায়দগী তোংঙাল্লি। অদুনা শ্রীবিষ্ণু কৌবা হিন্দুশিংগী পরম দেবতা, অবতারশিংগী কর্ত্তা/অবতারীসি মণিপুরদা মৈতৈ নিংথৌগী মরন্নাইগী লাই (Personal deity) অমসুং নিংথৌগা থানবা য়াদবা লাই হায়বদি শ্রীবিষ্ণু লৈরবদি মৈতৈ নিংথৌ লৈবা নৎত্রগা মৈতৈ নিংথৌনা লৈবা, চৎপা মফমদুদা শ্রীবিষ্ণুসু লৈবা, চৎপা লাই ওইনা লৈ। মরম অসিনা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা জিলা দরবার লেঙবসিদা শ্রীবিষ্ণু য়াওরিবনি, লেঙলিবনি নৎত্রগা পুরিবনি। নিংথৌগা বিষ্ণুগা খোঙলোইনবগী মচৎ-মনাৎসি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী সনা হাক্তক্তগী হৌরকখি [ৰাংঃশাঃপুঃ, খুঃলাইঃ]। হায়রিবা লাইগা নিংথৌগা লোইননা (লৈমিন্নবা, চৎমিন্নবা, লাল্লোইনবা, অসিনচিংবা) অমসুং নিংথৌবু লাইগী শক্তি লৈবনি, মতীক ময়াই চেনবনি (বিষ্ণুগী অংশনি, অসিনচিংবা), হায়বশিংসি মৈদিংঙু খাগীঙম্বা নৎত্রগা খাগেম্বা [পোইরৈ নিংথৌহনবা, সনা হিহোনহন, ময়াম্বা, ময়াংঙম্বা (খৃঃ ১৫৯৭-১৬৫২)] না হৌদোকখিবনি [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৩৪, ৩৭, ৩৯]। অদুগা শ্রীবিষ্ণুনা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী হাক্তক্তগী মৈতৈ নিংথৌগী মফমদা কল্লিবা থাক অমসুং ঈকাই খুম্নবসি মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদগী হৌরগা [মথক্কীসিদা, ৩৯] মৈদিংঙু ময়াম্বা [গরিবনিৰাজ মহারাজ, গোপালসিং, তখেলঙম্বা, নোংপোক ৰাইরং পামহৈবা (১বা), শমজোক ঙম্বা (খৃঃ ১৭০৯-৪৮)] গী মতম ফাওবদা লাইয়িংথৌ সনামহীদা থম্নরম্মী [মথক্কীসিদা, ৭৮]। অদুবু উনৌনা উরিবু পুল্লি, হায়বদুনি, অনৌবনা অরিববু মথক থংখি।

মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিনা শিলচরদা জিলা দরবারগী লৈবা মতমসিদা শ্রীবিষ্ণুবু কছাড়গী মৈতৈ/মণিপুরী মচা মীয়াম অমসুং মণিপুরদগী লাকপা মৈতৈশিং পুন্না আগষ্ট ৬সি অহানবা আরতি কৎখি, মসিদা মৈদিংঙুনা আরতিগী ঈশৈ থোনখি, মদুদিঃ—

....জিলা মপুঙয়ায়গী নমু মী ময়ামগা ... তীল্লবদা লাইরেন মৈদিংঙুনা চীঙঙু বিষ্ণু থোইখোইবগী আরতি মঙম তৌবগী সংকীর্ত্তন দুহার চৎ, নোংথোনবমচা মরেবনা অশে হলবা, লৈমপোকপা থাবলনা মৃদঙ্গ পুঙখৎ তোয়দুনা খোইয়ুম আরতি মঙম থৌবু তৌরবদা... [ওঃভঃ, ১৯৭৯, ৩৯-৪০]।

অসিনি। অসুম্না খোইয়ম লাইবু কিজবা, চীঙঙু লাইবু থাজজবা মৈতৈশিংনা কছাড়দা মৈতৈ হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙগী মশক উৎখি।

জিলা দরবারদা চঙগদবা ডোকুমেন্টশিং

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা আগষ্ট তাং ৭ তা শ্রীবিষ্ণুগী ভোগ আরতি লোয়রদুনা পোথাফমদা হঞ্জিল্লকপগী মতমদুদা স্না পুক্লীঙ শ্রীগোবিন্দজীবু নীঙশিঙলকখি। হায়রিবসিগা লোইননা তৌগদৌরিবা দরবার অসিদা চঙগদবা মচাক-মথুমশিং খন্থরকপদা মরু ওইবা চে-চাং খরগী মরমদা খন্থরকপদা অথোইবা খুদম-চাংদম ওইগদবা ৱাফমশিং য়াওনা ডোকুমেন্টশিং অমসুং মেপশিং মণিপুরদা কাউথোক্তুনা থল্লম্লে। হায়রিবা চে-চাং (ডোকুমেন্ট) শিং অমসুং মেপশিংসিগী মরমদা মৈতৈ লাইরিকশিংগী নৎত্রগা মণিপুরগা মরী লৈনবা লাইরিকশিং অমা-অনিদং নত্তনা অতৈদা পল্লন্বা থেংনজদ্রি অদুবু কোননা মাইব্যা তাম্রসিংগী ৱাফম নৈনরকপদা ফংলকপা ঈ-পাউশিংনি। হায়রিবা ডোকুমেন্টশিংদুদিঃ-

ক) মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা মহারাজনা খৃঃ ১৮৩৩ গী অঙনবা মতমদা মণিপুরগী অৱাংগী ঙমখৈদা লৈবা চীঙমী খুনশিং লোই চনখিবা (জয় তৌখিবা) অদুগী খুনশিংদুগী মমিংশিং অদুগী মমিং পরেং (List) [মথক্তা য়েংবীয়ু]।

খ) মতোনশী মৈদিংঙু নরসিংহ মহারাজ (খৃঃ ১৮৪৪-৫০) গী সনা হাক্তুক্তা খৃঃ ১৮৪৫ দা মায়কৈ অসোমগী হাওখুনশিং খোমগত্তুনা ক্যাং ঈংখোলগী তুরেন মরীন থোলহনখিবা অমসুং স্নাকৈথেলসু থোলহনখিবা চীঙমী খুনশিংগী মমিংশিং অমসুং মদুশিংগী মমিং পরেং অমদি মতোনশীসিগী স্নাহাক্তুক্তা অৱাংগী ঙমখৈসোমদা লোই চনখিবা খুনশিংগী মমিংশিংগী মমিং পরেং [অহানবগী খোমগত্তুনা তুরেন মরীন অমসুং সনাকৈথেল থোলহনখিবা] অৱাং-হাওগী খুনশিংদিঃ-

(১) লাইশৰ, (২) তোরা, (৩) চৰাই, (৪) শোমতন, (৫) ফদাং, (৬) ফদাং খুনথক, (৭) তোইনেম, (৮) কচাই, (৯) ওকফুন, (১০) লাইনিং, (১১) হুন্দুং, (১২) চোইথর, (১৩) হৈচুম, (১৪) নুঙশোং, (১৫) খুনকোয়, (১৬) শনথক, (১৭) কসোম, (১৮) খমলাং, (১৯) নপপুই, (২০) শোকপাও, (২১) চাপং হৈমি, (২২) লাইয়ি, (২৩) কাশোং, (২৪) শাকোকলাং, (২৫) খামপিং, (২৬) মৈরিং, (২৭) তুসোম, (২৮) চোমপি, (২৯) হংকৌ, (৩০)ঙাপ্রুম, (৩১) নুঙমন নুঙৌ, (৩২) ফৈজোম তোনঙৌ অমসুং (৩৩) শৌকাইপুঙ [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ২৭০] অসিশিংসিনি, অদুগা লোই চনখিবা খুনশিংদি অমা অনি খক্তনি [মথক্কীসিদা, ৪০৭]।

(গ) খৃঃ ১৮৭৩ দা সাহেপকী লম (বৃটিশ ইন্দিয়া) গা মৈতৈগী লমগা মণিপুরগী অৰাংগী লমখৈ লেপ্পবদা পুথোক্লখিবা মণিপুরগী নিংথৌ রাজা গম্ভীরসিংহনা বৃটিশ সরকারগা য়ানদুনা মণিপুরদা বরাক তুরেনগী নোংপোক অমসুং নোংচুপকী বন্দা লৈবা চীংশাং অনি অসি পীখিবগী মতাংদা য়ানখিবা সন্ধীগী চে-চাং।

সন্ধীসিগী অনুবাদ, তাং ১৮ এপ্রিল ১৮৩৩ (আইচিসন, খোমজিল্লগা সন্ধীশিং অসিনচিংবগী ভোলুম ১, পার্ট ১ লমাই ১২৩ - ১২৪)।

গবর্নর-জেনরেল অমদি হিন্দুস্তানগী সুপ্রিম কাউন্সিলনা অসুম্না লাউথোক্লিঃ— কলানাগা অমদি নুনজাই হায়রিবা বরাক তুরেনগী নোংপোক অমদি নোংচুপ থংবা বন্দা লৈবা চীংশাং পরেং অনিসিগী মতাংদা ওনরেবল কম্পনিনা ক্লেম তৌরম্বশিং অদু থাদোক্লগনি, অদুগা হায়রিবা চীংশাংশিং অসি মণিপুরগী নিংথৌদা পীরগনি অদুগা তুরেনগী মরিল অমদি বরাক তুরেলগী নোংচুপ থংবা বন্দা অসিনা মহাক্না মখাদা পীরক্কদৌরিবা ৰারমশিং অসি য়াবিরবদি মহাক্কী নোংচুপকী সিমানা ওইগনি।

১বা। রাজা অসিনা ৰাফম অসি হেক খঙবগা পন্থবা তৌদনা চন্দ্রপুরদগী মহাক্কী থানা লৌথোকখিগদবনি অদুগা মসি জীরি তুরেনগী নোংপোক থংবা তোৰ্ব্বান্দা হোংগদবনি।

২বা। রাজা অসিনা বঙ্গালি নৎত্রগা মণিপুরী ললোনবা চৎপশিংবু মখোয়গী লল্লোনবা অদুদা অথিংবা পীরোইদবনি। মহাক্কা মাসুল য়াম্মা লৌরোইদবনি অদুগা লল্লোন পোৎশিং অমত্তসু মহাক্কী ওইরোইদবনি।

৩বা। রাজা অসিনা কলানাগা অমদি নুঙ্গাই চীংশাংদা তোংবা নাগাশিংনা লশিং, মোরোক, শিং, অদুগা লম অসিদা ফংবা পোৎ খুদিংমক মখোয়না মহৌশানা তৌবগুম্না বাক্কান্দিদা অমদি উধারবোনগী কৈথেলশিংদা অমদি কছাড়গী তম্পাক্তা য়োনবা অমদি লৈবা মতমদা অথিংবা পীরোইদবনি।

৪বা। জীরি তোর্ব্বান্দগী হৌরক্লগা কলানাগা অমদি খৌপুম চীংশাং ফাওরগা মণিপুর তম্পাক তাখিবা লন্বী অসি শেন্বা লোয়রবা মতুংদা নোংজু নুংশা অনিমক্তা ষণ গাড়ী মপোৎ থন্না হাপ্লগা চৎপা য়াননবা মণিপুরগী নিংথৌনা শেমগদবনি। অদুগা লন্বী অসি শেন্বা মতমদা বৃটিশ ওফিসারশিংনা লন্বী অসি য়েংননবা অমদি তাক্লনবা লাক্লবদি রাজা অসিনা ওফিসারশিংনা হায়বা অদুদা য়াগদবনি।

(৩) অৱাংলোমদা কবো তম্পাক্কী ঙমখৈদা লৈবা হায়রিবা চীংশাং অসিগী চীংখোংদগী হৌরক্লগা নোংপোক পাংনা চৎখিদুনা অহানবা চীংশাং পরেং অদু ফাওবা অদুগা চোইতর, নুংব্রি অমদি নুংঘুর হায়বা মণিপুরীশিংনা লুহুপ্পা হায়না কৌবা অদুগা বর্ম্মজশিংনা লাগৱেনশাং হায়বা জাৎ হৌজিক্কা মণিপুরগী মখাদা লৈরবা লম অসি ফাওবা।

৫বা। বর্ম্মীজগী কম্মিস্নারশিংনা ৱাশক্লি মদুদি হৌজিক মখোয়দা পীথোক্লবা লম অসিদা ঙাক শেন্দুনা লৈগদবা ওফিসারশিংদা মথক্তা য়াৎখিবা সিমানা অসিগী মনুংদা লৈবা মণিপুরগী প্রজা ওইখ্রবা খিয়েন্স অদুগা অতোপ্পা মীওইশিংদা ওৎ নৈহন্দনবা য়াথং পীগনি অদুগা বৃটিশকী কম্মিস্নারশিংনসু হৌজিক য়াৎখ্রবা বর্ম্মাগী মনুং চনখ্রবা লমশিং অসিদা লৈবা খিয়েন্স নৎত্রগা অতোপ্পা মীওইশিংদা ওৎ-নৈদনবা মণিপুরীশিংদা য়াথং পীগে হায়না য়াগনি।

(মুহোর) সহি/- এফঃ জেঃ গ্রান্ট, মেজর
(মুহোর) সহি/- আরঃ বিঃ পেম্বরটন, কেপ্তেন } কমিস্নার

সন্যাচিল ঘাট, নিংথি, ৯ জনুৱারী ১৮৩৪

[ডাঃলঃচঃ, ১৯৭০, ৪৮-৪৯]

Anglo Manipur Treaties, 1833 & 1834.

That two Treaties were concluded with the Manipur State, namely, one of 1833 and one of 1834. By the Treaty of 1833 the British Government agreed to give to the Rajah of Manipur the line of the Jeeree River and the Western bend of the Barak as a boundary; the Rajah, in return, agreeing to the following conditions, which are still in force, and are, therefore, extracted herefrom Aitchison's Treaties, Volume I, page 123:–

1st.– The Rajah will, agreeably to instructions, without delay, remove his Thanna from Chundrapore, and established it on the eastern bank of the Jeeree river.

2nd.– The Rajah will in no way obstruct the trade carried on between the two countries by Bengali or Manipuri merchants; he will not exact heavy duties, and he will make a monopoly of no articles of merchandise whatsoever.

3rd.– The Rajah will is no way prevent the Nagas, inhabiting the Kalanaga and Noon-jai Ranges of Hills, from selling or bartering ginger, cotton, pepper and every other article,the produce of their country, in the plains of Cachar, at the Banskandee and Oodharbun bazaars, as has been their custom.

4th– With regard to the road commencing from the eastern bank of the Jeeree and continued via Kalanaga and Kowpoom as far as the valley of Manipur; after this road has been finished, the Rajah will keep it in repairs so as to enable laden bullocks to pass during the cold and dry seasons. Further, at the making of the road, if British Officers be sent to examine or superintend the same, the Rajah will agree to every thing these Officers may suggest.

5th– With reference to the intercourse already existing between the territories of the British Government and those of the Rajah, if the intercourse be further extended, it will be well in every respect, and it will be highly advantageous to both the Rajah and his country. In order, therefore, that this may speedily take place, the Rajah, at the requisition of the British Government, will furnish a quota of Nagas to assist at the construction of the road.

6th.– In the event of war with the Burmese, if troops be sent to Manipur, either to protect that country or to advance beyond the Ningthee, the Rajah, at the requisition of the British Government, will provide hill porters to assist in transporting the ammunition and baggage of such troops.

7th.– In the event of of anything happening on the Eastern Frontier of the British Territories, the Rajah will, when required, assist the British Government with a portion of his troops.

8th.– The Rajah will be answerable for the ammunition he receives from the British Government, and will, for the information of the Britsh Government, give in every month a Statement of expenditure to the British Officer attached to the Levy.

By the Treaty of 1834 the Kubo Valley was transferred from Manipur to Burma, on stipend of Rs. 6000/- Annually.

Settlement of Boundary between Manipur and Angami Country 1841-42.

The boundary between the Angamis and Manipur was to be finally settled, to prevent irritation on that side, and a road was to be opened to Sammoogoodting from the plains. A nominal tribute was to be taken from the payment. To arrange the boundary, Lieutenant Biggs marched across the

hills in the cold weather of 1841-42. It was decided, in conference with Captain Gordon, Political Agent at Manipur, the "commencing from the upper part of the Jeeree River, the western frontier of Manipur, the line of boundary formed (1) by the Dootighur Mountain, or that range of hills in which the Mookroo River takes its rise, east on to the Barak River; (2) by the Barak River up to where it is joined by the Tayphani River which flows along the eastern line of the Popolongmai Hill; (3) by the Tayphani River up to its source on the Burrail range of Mountains; and (4) by the summit or water-pent of the Burrail range on the source of the Mow River flowing north from that point towards Assam, was the best boundary between Manipur and the Angami Country: Firstly, because the Angami Nagas and all the inferior tribes subject to their influence occupy the mountainous part north of the boundary here given, and have together been the perpetrators of all the acts of aggression which have been committed of late years both in Cachar and Manipur. Secondly, because along the western portion of the boundary here proposed, the whole of the villages south of it, which were before near this frontier, having been from time to time destroyed by the tribes from the north, and their inhabitants obliged for protection to locate themselves further south a considerable tract of mountainous country in this direction is completely deserted. Thirdly, because along the portion of the boundary here proposed to the east of Popolongmai the Angami tribes are separated from the Nagas of Manipur by a loftily range of mountains, across which little, if any, communication takes place. Fourthly, because the Manipur Government not having at present any control or authority over the villages to the north, and the Angamis not possessing any influence over those to the south of this proposed boundary throughout its whole extent, its adoption would not disjoin connected tribes or separate any

village from a jurisdiction to which it has been long attached, as would be the case where any portion of the country north of the line suggested made over to the Manipur Government's. [N.N.A., 1983, 174-177].

য়েকখিবা মেপ, অসিনচিংবগী ৱাফমসিদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদবগী মরম অমসুং ৱাপাংশিং,

(ঘ) খৃঃ ১৮৭৪ গী ফেব্রু-মার্চদা মণিপুরগী অৱাং ঙমখৈগী মতাংদা সাহেবশিংগা মৈতৈগা তৌনখিবগী ৱাফমশিং অমসুং মসিদা অমুক হন্না য়েকখিবা মেপ [মথক্কীসিদা, ৪১৫-১৮]।

(ঙ) খৃঃ ১৮৩৩ দা মৈতৈ-মলেস (Anglo-Manipur) কী মরক্তা য়ানখিবা ৱারমশিং য়াওবা মপাবুং ঈবুংঙো শ্রীযুৎ রাজা গম্ভীর সিংহ্ ওর্ফে চীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বনা সহি তৌবা য়ান-চেশিং, [চঃজিঃচঙঃ, খুঃলাইঃ অমসুং ওঃভঃ, ১৯৭৯, (২)]।

অসিশিংসিনি। ৱাফমসি ফোঙদোকপদি চেকশিন্নদবা, থৌরম খঙদবা, পোরম-পোমিৎ উদবা তাগদবনিনা শ্রীগোবিন্দগী নির্মল্য অমসুং মমাশীজগী পান্না খুদোল ওইনা হায়দুনা মদুশিংদু কনানা লৌরগা ঙমগদগে হায়না মনাইশিংদা হংলকখিরম্মী।

মাইব্যা তাম্রসিংগী লমশাং লমজেন

মণিপুরগী মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ্না জিলা দরবারদা চঙগদবা মৈতৈ-মলেস লমখৈ-ঙমখৈ লময়েন-লমলেপ্পবগী চে-চাং, মেপনচিংবা কাউরল্লবগী কছাড় শিলচরদগী মণিপুরগী ইম্ফাল কংলা য়ৌনা চত্তুনা শ্রীগোবিন্দজীগী নির্মল্য অমসুং মমাশীজগী পান্না খুদোন অকক্লবা নুমিৎকী মনুংদা লৌরুদুনা পীবা কনা ঙমগদবগে, হায়না হংলকপসিদা লৈপাক্কী অঙম-অথৌ পুন্নমক্তু হায়ফম তৌফম খঙদনা, পাউখুম পীবা ঙম্মদনা লৈনখি। অমরোমদা মৈদিংঙুগী নুংনাংবা অমসুং পুক্নীঙ ৱাবগী মতৌদুসু য়েংবা ঙম্মদে। মতমসিদা মাইব্য তাম্রসিংনা শিরবসু, চঙলবসু লাইবক্তদি ময়েংলুরগে হায়না খনবা ৱাখলগা লোইননা মৈত্রবাক য়ৌরুরগে হায়না চোংথোক্লকখি, মদুদিঃ—

...মদাইরেম তয়ম মাইবমচা তাম্রসিংহ অথৌবনা নিংথৌ শমু মাঙদা চঙনা খুকউ শনশানা চৈরৈ ঙংদা হুক, মিৎমৈ তোরান্নজনা পোইরে লমদা হলরাইঙম্ববু নিংথৌ য়াথং নিঙথিবা বর থৌজাল লনকুবীও। নদাইরেম লাইবক খেনাই য়েংলুরগে হায়না পুরুম্লুবদা ... মাইব্যা তাম্রসিংহ অথৌবদি ... শমু মমায় নোংপোক পাং পোইরে মায়কৈ তম্লক্লে [ওঃভঃ, ১৯৭৯, ৪১ অমসুং চঃজিঃচঃ, খুঃলাইঃ]

অসিনি। হায়রিবসিগী নোংঙানবা খৃঃ ১৮৭৪ সিগী আগষ্টকী তারিখ ৮ (নিপান), থাঙজ নুমিৎকী অয়ুক নুমিৎয়ুংবগী অদুরাইদগী মাইব্যা তাম্রসিংহ অথৌবনা শিলচরগী মৈতৈগী কেম্প থাদোক্লুনা মণিপুরগী মায়কৈ তমদুনা চেল্লকখি। মহাক্না হৌজিক অকক্লবা মতমগী ওইবা লমশাং-লমজেন (Marathon race) সি চেল্লক্লিবসি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা জিলা দরবারগীদমক্তা লেঙলকখিবা খাইনা ভোংজৈ মরীন লম্বী হায়না খোনবা মণিপুর কছাড় নৎত্রেগা ইম্ফাল-শিলচরগী লম্বী লমশাংসিনি। মসিগী মরমদা থম্বীরম্বা রারোলদিঃ—

...হৌজিক্কী মতমদা পৃথিবীগী ওইনা মারাথোনগী লমজেল শূপ্পগী মাইল ২৬ (কিঃমিঃ ৪১.৬) তং অতিংবা লম্বীদা চেনবগী অথোইবা মীদা ইন্টরনেসনেলগী ওইবা মনা মথুম পীনরি।...ইম্ফালদগী ফুলেরতো (ফুলতোর) য়ৌবা মাইল ১৩৮ (কিঃমিঃ ২২০.৮) লোমনি। মসিগী মনুংদা লম্মাংদোংদগী মাইল ১৮ (কিঃমিঃ ২৮.৮) অসি খাইদোকখ্রগা মাইল ১২০ (কিঃমিঃ ১৯২) লৈরি, মসিমকসু চীঙগী অঙম্বা কাবা কুম্বদা অমসুং লোক-তায় কয়া লান্দুনা নুমিৎ ৪ (মরি) নি চুপ্পা চেনবগী রাফমনি। অথৌবা অসিনা লম্মাংদোংদগী শগোল তোংলগা য়ৌরকখিবনি...। মরম অদুনা চীঙগী লমদা নোংমদা মাইল ৩০ (কিঃমিঃ ৪৮) গী হিসাবতা চেল্লে...[মথক্কীসিদা, (৩)]।

THE ROUTE

The Silchar-Impahl road starts from Cachar valley at an elevation of 100 feet above sea level and then ascends five steep-sided forest covered ranges, crossing them at elevations averaging 4,000 feet above the sea. It descends between the ranges to four rivers. Except for one, all the

rivers beds are less than 350 feet above the sea. (Please see the map for details). Compared with such sleep ascent and descent of the Cachar road, the Imphal-Kohima road runs along the gently sloping sides of hills. Besides, August is one of the wet months in Manipur. One can only imagine the slippery zig-zag path that Tamra Singh traversed alone in 1874.

There is slight difference of opinion among authorities regarding the exact distance of the Silchar-Imphal road. While Captain E.W. Dun put in at 108 miles (172.8 kilometers) in the Gazetteer of Manipur (1886), Sir James Johnstone after careful assessment put it at 'not under 132'. Johnstone estimate concurred with that of Colonel Steward, a former Deputy Commissioner of Cachar. As such, we are inclined, to take the distance of the Cachar road as 132 miles (211.2 kms.) – [N.B., XXX, III-IV].

অসিশিংসিনি। মাইব্যা তাম্রসিংনা চীঙগী চীঙচেপ, চীঙয়াঙ, চীঙয়ায়, চীঙ-নাপোমনচিংবা কাদুনা-কুমদুনা উমং-ৱামংনা থল্লবা লোক-তায়, চীঙনুং চীঙলক তম্পাক্কী তুরেন (জিরি, বরাক, মকু, ঈরং, লৈমতাক, অসিনচিংবা) মতোমতা লান্দুনা অঙঃমবা-অশুকপা, শা-কৈনা থল্লবা কিলোমিটর ২০০ অমসুং মণিপুর তম্পাক্কী কিঃমিঃ ১৮ লোমসি অকক্লবা মতম (জিলা দরবার নুমিত্তুদা পুথোক্লবা, পুথোকহৌদ্রবদি থোইদোক্লা কান্নদ্রে) গী নুমিৎ ৩(অহুম) নীগী মনুংদা কছাড়-মণিপুর/শিলচর-ইম্ফাল নৎত্রগা মণিপুর-কছাড়/ইম্ফাল-শিলচরসি হঙ্গৎ-হন্দা [মাইল ১৩২ (কিঃমিঃ ২১১.২) সি অনিরক হায়বদি মাইল ২৬৪ (কিঃমিঃ ৪২২.৪)] চেনবা লমজেন্নি।

OUR HOMAGE

to an outstanding runner

MAIBAM TAMRA SINGH

তাম্রসিংহনা আগষ্ট ৮ গী নুমিৎযুংবদগী কছাড় তম্পাক্কী শিলচর [মসি অশেংবদি লখিপুরনি, লখিপুরসি শিলচরদগী মাইল ১৪ (কিঃমিঃ ২২.৪) লাপ্না লৈ, মসিদি তম্পাক্কী লম্বীনি] দগী তম্পাক্কী লম্বী খর চেল্লক্লগা চীঙগী অকা-অকুমগী লম্বীদা মাইল ১০০ গী (কিঃমিঃ ১৬০গী) লমশাং চেল্লক্লগা

মণিপুরগী লম্মাংদোং/বিষ্ণুপুরদা থুংলখি। বিষ্ণুপুরদগীনা ইম্ফাল-ফাওবগী মাইল ১৮ (কিঃমিঃ ২৮.৮) লাপ্পনি অমসুং মফমসিদগী শগোল লৈফোন অমা [ওঃভঃ, ১৯৮৯, ৪৪] লৌনদুনা/ৰাইনদুনা [লম্মাংদোংদা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা জিলা চঙবগী নিংথেমগী পনফম, খুরোইরাকপা মকাইফম লৈ, শ্রীবিষ্ণুগী আরতি কৎখিবা মফম্নি অমসুং মহারাজনা মণিপুরগী কোনুংদা হল্লক্ত্রিবা ফাওবদি য়ারেকশঙসি লীংদুনা অমসুং মী শঙদুনা লৈ, মরমদি মহারাজনা হল্লকপগী খোঙফমদা মফম অসিদসু য়ারেক্লখিগদবনি, মরম অদুনা মফমসিদা শগোল লৈ, লৌবা য়াই] ইম্ফালগী কংলা কোনুং তম্না শগোল থৌগৎলকখি। মাইব্যা তাম্রসিংনা লম্মাংদোং/বিষ্ণুপুরদগী শগোল তোংলকপসি, মহাক্না চীঙলক-মাল্লক্কী কিলোমিটর ১৬০ (চামগা হুম্ফু) গী অকা-অকুমগী লমশাং চেননা-চেননা লাকপগী অৰাবা পোখাবা ওইনা থোকখি, মশা তেকখৎলকখি অমসুং চোকথবা ফখিদুনা হকচাংগী পাঙ্গল হঞ্জিল্লকখি। অদুগা মাইব্যা তাম্রসিং হায়রিবা মীশকসিগী মীওই-মীতৌ অমসুং হকচাংগী পাঙ্গল মতাগী মরমদা থন্বীরন্বদিঃ—

THE MAN

A typical example of the character of this remarkable man was indicated when he was still a teenager. According to one of his grandsons, a bull belonging to one Ngangom family was on the rampage in the village and out of desperation the head of the family announced that he would give away his daughter in marriage to anyone who could tame the bull. Young Tamra Singh hunted the bull on horseback from early morning and brought it back properly reined in the evening. This is how he got married to Ngangom Chanu Tomcha.

Born to Maibam Khelando and Chirom Chanu Thoinu as the younger of their two sons (date of birth, not known) Tamra Singh was a member of the Lallup from Naharup Pana, then served in the Manipur army [ibid, IV-V].

অসিনি। অসুম্না বিষ্ণুপুরদগী মৈতৈ কোনুংদা থুংলরগা মমাশীজ নিংথৌপোক্পী-নচিংবা কোনুং শঙহৌরিবশিংদা ৰারম পুম্নমক হঙ্গত্তুনা ময়ামদুনা পোৎলম-চৈরমশিং,

চে-চাংশিং, মেপশিংদু থিনরি-লৌনরিঙৈগী পুঙজা খর মাইব্যা তাম্রসিংহ চনিঙ তানা পোথাবা ফংজখি। মতমসিদা মহাক্কী হকচাংগী ফিভম ফরি।

তাম্রসিংহ মাইব্যানা চৎখ্রিঙৈদা লখিপুরদা

মাইব্যা তাম্রসিংহনা ইম্ফালদা চে-চাং লৌবা চৎখ্রিঙৈগী মতমসিদা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা স্নাপুক্লীঙ য়াম্না ৱানা খাঙখি, — চৎখ্রিবা মনাই মাইব্যাদা করি থোক্লমগনি, মতোমতনি, শা-কৈনা থল্লবা, ডাকু-ডাকাতীগী মকোন ওইবা চীঙগী উমং-ৱামংগী লম্বী-লমশাংনি; অমরোমদা ভাইসরোয়না হেক থুংলবগা মীটিং তৌসি হায়রক্কনি, মৈতৈগী অশোয়বা অমসুং অশোনবা ঙাইদুনা লৈরিবা বৃটিশশিংনি, হান্নগী মল্লোমদা তোংদুনা ৱাহে-ৱাঙাংগী নাতৈ অমা শোয়বদা খুদোংচাবা লৌদুনা অফা-অপুন তৌগে হায়রক্কদৌরিবনি, মখোয়না হায়বা খজিক্কং য়াদবদা অথাপ্পা লমদমসিদা দরবার তৌসি হায়দুনা খুজীল-থৌরাংগী থৌওং শীল্লক্লিবসিনি, অসিনচিংবা মখল মখলগী খুদোংথীনীংঙাই, ফত্তবা ওইনীঙঙাইগী ৱাখল ময়াম অমনা লাকহত্তুনা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি তশেংনা অনাবগুম মতম লেল্লকখি। অদুবু মৈতৈগী থৌগল তৌরিবা অঙম-অথৌশিংদুনা মহারাজগী পুক্লীঙগী অৱাবা কোক্লবা ঙম্বা মখে হোৎনজখি। লমদাংসিদা থম্বীরল্লিবদিঃ—

মাইবমচা তাম্রসিংহনা পোইরৈ লমদা চৎখ্রিঙৈ মৈদিংঙু নাউজীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বদি পায়মা পীবুক নুংবঙববু খাঙঙমদ্রবগী জ্ঞান লৌশিঙ মথোঙ মম্, পায়মা নুংশা শৎহোন্ননা মালেম লৈদা তানা হাইহৎ লৈফাই তুখিয়ে। পোইরৈ মৈতৈ অথৌবা পায়মা পীবুক তপ্পবা অমাই-অনপ্ চঙদুনা তুবী থৌগল ফংজৈএ। খোঙৱাই মতম ওইরবনিগীনা... মদাইরেম লাল্লুপ মশীঙ শুবনা সংকীর্ত্তন আরতি মঙমবু চীঙঙু বিষ্ণু শিদবগী শমু মমাঙ শঙশংবদা ব্রাহ্মণ পুরোহিত থোইখোইবনা আরতি মঙম কৎনা ভাগবত ৱারী নুংঙাইবা ধর্ম্ম লমদাং অচেৎ-ৱাবু শিলোক (শ্লোক) মরেংথীনা পূজা ঈরাৎ তৌজখি। মদাইরেম থোকচাউবনা চীঙঙু রামচন্দ্র নামুংবগী ৱারী পুক্লীঙ নুংঙাইবা রামায়ন মতাং থৌগল্লে। মৈদিংঙু মদাইরেম চনম-চা বাপু হঞ্জবনা নারদ মুনি মখুৎশূ পেনা থাদা পম, চৈজীং য়েত্তা পায়না রুপবান মতীক থানা শৈশক্লবদা লাইরেন কোরৌ ঈনোংথৌদি অহিং শোয়য়ায়মগী খোমলেন মংলানচান্দা... [ওঃভঃ, ১৯৭৯, ৪১-৪২]।

অসিনি। মতাং-মতম অসিদনি চনমচা বাপু পেনা হঞ্জবনা অনৌবা পেনা শৈরোনগী ঈশৈ মোইরাংগী খম্বা-থোইবীগী খুনুং-ফুঙ্গা ৱারীগী পরীংবু 'মোইরাং কংলৈ ঈশৈ' থোন্দুনা শৈশক-শৈরোন অমা হৌদোকখি। ঈশৈ অসি তাবদা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা য়াম্না পেনবীখি অমসুং চনম্বা বাপু হঞ্জবদা হংবীখি।

— 'নহাক্কী অনৌবা ঈশৈসি মমিং করি কৌবগে?'

– 'মোইরাং কংলৈ ঈশৈ' কৌই, অজ্ঞা!

— 'ঈশৈ অসি য়াম্না নুংশি, মসিগী মপুঙ ফানবা ঐখোয়না মণিপুরদগী হনম্রগা নীঙথিনা শেম-শাও!

— 'অজ্ঞা, কৃপানি',

অসুম্না সনা য়াথং ফংবদগী চনম্বা বাপু হঞ্জবনা মহাক মশাগা অতোপ্পা পেনাগী ওঝা অনি [পাঙম্বমচা পেনা হঞ্জবা অমসুং য়ুমলেম্বা পেনা (৫৫) ওঝা অনিসি ওইগনি] গা পুঙগী ওজা অনিগা, মখোয় মঙানা মৈতৈ পূরাণ/পুয়াগী ৱারী-শীঙবুনশিংদগী লৌখৎপা য়াবমখৈ লৌখত্নুনা হাপচিল্লগা মোইরাংগী খম্বা-থোইবীগী হৌজিক ফংলিবা ৱারীশিংসি শেম্লকখি [থাঃমঃসঃ, ১৯৭৪, অমসুং Ng., Eka., 1990, 3]। অসুম্না মোইরাং কংলৈরোন/কংলৈ ঈশৈ অমসুং শৈরোন-শৈশকসি ওইরকখি।

মাইব্যা তাম্রসিংহগী কছাড়দা ডোকুমেন্ট পুদুনা হল্লকপগী খোঙজেন

মাইব্যা তাম্রসিংহনা মৈতৈ কোনুংদগী জিলা দরবারদা চঙগদবা ডোকুমেন্টশিং পুদুনা কছারগী শিলচর/লখিপুরদা হল্লক্তুনা চেল্লকপা লমশাং লমজেনসি অশাংবসু মথক্তা হায়জখিবা মাইল ১৩২ (কিঃমিঃ ২১১.২) অদুনি। মহাক তশেংনমক পুঙ অনি ফানা অমুক্তং পোত্থানবগী মতম অমসুং তুম্ন-হীপ্পনবগী মতম ফংখিদবনি, মী খ্বাইনা নুমিৎ তরানি (হঙ্গৎ-হন্দাগীনি, খোঙচৎ অমুক্তা নুমিৎ মঙানিনি) চঙনবদু মহাক্না নুমিৎ হুমনি (৩নি) খক্তদা চঙহন্দুনা চৎকদৌরিবনি পুন্না তম্পাক লম্বীদা মাইল ৬৪ [(১৮ + ১৪) x ২] অমসুং চীঙলম্বীদা মাইল ২০০ [১০০ + ১০০] নি পুন্না মাইল ২৬৪

(কিলোমিটর ৪২২.৪) নি। মসি মমাঙগী মতমদুদা পীবা অরাপ্পনি হৌজিক্কী মতমগদি খর খেন্ননা উই, হৌজিক্তদি ইম্ফালদগী জিরিবাম য়ৌবসি কিলোমিটর ২২৫ গী অথাপ্পনি হায়না পীরি।

মীওইবনা চৎলি-চোংলিবা পুন্নমকসি চাক্কী-ঈশিংগী মমল অমসুং অহিং তুম্বগী মতীক-ময়াইননি। মরম অসিনা মাইব্যা তাম্রসিংহনা মণিপুরদগী কছাড় জিলাদা হল্লকপগী খোঙফমসিদা চেন্না-চেন্না চারক-থল্লকপা অমসুং অহিং অনি তুন্নক-হীপ্লক্তবা (তুন্নবসু ঙাইহাক্তনি, মীকপ অমতনি তুমশীৎ ফাদবনি) অদুগী তেনবাল্লকপসি মশানা তাদুনা লৈরবনি। কংলাদগী শগোন্না বিষ্ণুপুর/লম্মাংদোং ফাওবদি হান্ননা মণিপুরদা লাকপদা তৌখিবগুম মতম চঙদবা হেনবনিনা লাকখি। লম্মাংদোংদগী থোংজাওরোক্কী চীঙজাও কাবা হৌবদগীদি চীঙলক-মাল্লক্কী অকা-অকুম, থেক্লা-খোয়না চৎপগী লম্বীদা চঙশিপ্পবনি। থোংজাওগী চীঙজাওসি লাল্লগা কুমথরক্তুনা লৈমতাক তুরেনগী খোংবান, মদুদগী খৌবুম চীঙজাও কাদুনা খৌবুম তম্পাক তাখিরম্মী। খৌবুমদগী হাইথরক্তুনা ঈরং তুরেনগী খোংবান য়ৌরকপদা তাম্রসিংহগী হকচাংদা চোকথবগী শউম লাংলকখি। অদুবু শিননবগীদমক্তা পোল্লকপা মীওইবগী মপোক ওইদুনসু তৌগনি হায়না লেপপ্পবা থবকপু পাংলমদনা শিবদি শিনীঙখিদে। অসুম্না ঈরং তুরেন লান্দুনা লোকলেন অচৌবা, লাইমতোনগী লোক-তায় মরক্তু শমদুনা চৎপ্পগা বরাক/গ্বাই তুরেনগী খোংবান্দা থুংলখি। গ্বাই খোংবান্দগী মাঙলোমদা চঙশিল্লক্তুনা মকু তুরেনগী খোংবান মকুরোক্তা তাখি। লেপ্পদি য়াদবা মতাং থোকপনা ৱানা ৱানা লাকপনা জিরি উমং চঙলক্তুনা জিরি লোকচাও ফংখিরম্মী। অসুম্না জিলা দরবারগী খোঙচত্তা মৈদিংঙুগী পোথা-য়ারেকশঙ শাখিবা মফম ৭(তরেৎ)—(১) লৈমতাক, (২) খৌবুম তম্পাক, (৩) ঈরং তুরেনগী খোংবান, (৪) লোকচাও (নুঙবাগী চীঙজাওগী লোক্লি, নুঙবা মনাক্তনি), (৫) গ্বাই/বরাক তুরেনগী খোংবান (হৌজিক বরাক হায়না খঙনরিবা নেসনেল হাইৱে ৫৩গী মনাক্তা লৈরিবা লমতুপ), (৬) ঈথৈ/মকুরোক মনাক (মকু তুরেনগী মপানগী লোকনি) অমসুং (৭) জিরি উমং (জিরিদা কালিকা লাইরেম্বী লাৎলিবা লাইফম) অসি লান্দুনা চেল্লক্লগা কছাড় তম্পাক্তা চঙলকপগী মতমদদি মাইব্যা তাম্রসিং মখোঙ থাংবা ৱারক্লে, অদুবু মপুদা মশা কখোকখ্রবা মনাইনা চোকথবা অমসুং

হকচাংগী অৱাবনা মখোঙ-মখুৎ ফাদুনা থন্বা ঙমখিদে, অসিগুম্বা মনাইশিং অদুদা মণিপুরগী নিংথৌ পুন্নমক্কী নিংথৌরেন শ্রীগোবিন্দজীনসু পাঙ্গল হাপ্‌পী, থৌনা পীবী অমসুং লীংজন পালহনবী। অদুনা মাইব্যা তাম্রসিংহনা লখিপুর লাল্লক্কুনা মফমদুদগী মাইল ১৪ (কিঃমিঃ ২২.৪) লাপ্পা লৈবা কছাড় শিলচরদা লৈরিবা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি মহারজগী জিলা দরবার য়ারেক-পোথাশঙ (Rest house) লৈরিবা মফমদা য়ৌরকখি। হায়রিবা নুমিৎসি আগষ্টকী তারিক ১০ (তরা) নিংথৌকাবা নুমিৎনি। মহাক্না শিলচর-কংলাগী লমশাংসিগী লমজেনসিগী অতেনবা ডিসক্রিপসন (Description) অমা অখঙ-অহৈ অমনা থন্বীরল্লিবদিঃ—

THE RACE AGAINST TIME

From the nature of the terrain and rainy condition then prevailing, it is perhaps a misnomer to call Tamra Singh feat 'a run'. There must have been places where he crawled up the steep slipping slopes inch by inch and also places where he ran down as fast as his legs could carry. Whether he ran, walked or simply slithered, Tamra Singh was a lonly figure in the woods racing against time. Probably snatching a few winks of sleep and eating lightly at the rest houses build along the route, he reach the palace on the second day, covering the last leg of about 18 miles in plains from Bishenpur to Imphal on horseback. He conveyed the purpose to his urgent mission to the queen-mother.

[N.B., xxx, IV].

অসিনি। মসিদি মহাক্না লৈমতাক্তা কছাড়দগী থুংলবগী ৱাফমদুনি, অদুবু অকায়বা লৈতে, হঙ্গৎ-হন্দাগী লম্বী-লমশাং অমসুং চেন-চোংবগী মচৎ চপ মান্নবনি, মীশক অমত্তননি, লম্বী অমখক্তদনি, মতমখক্তা নোংমা-নিনী খেন্নবনি।

চিংনবগী খঙলুনবা মী থাবা

মথক্তা হন্দক ভারতবর্ষগী গোভর্নর জেনরেলনা জিলা দরবার তৌসি, কছাড়গী শিলচরদা/লখিপুরদা উনদুনা ৱা ঙাংনসি অমসুং লৈপাক অনিগী লংদাই পন্দাইগী ৱারী শানসি হায়রকপসি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিগী সনা পুক্লীঙ চিংনবা

পোকই, লৌনম-লাংথাক তৌদুনা অরোনবা শরৌ শীল্লগা মবুধৌ ঈবুংঙো মৈদিংঙু খাগেম্বগী সনা হাক্তক্তা খৃঃ ১৬১৫ দা বরাক/ব্বাই তুরেনগী ঘাট (হিদেন/হিথাথেন) তা ভারতবর্ষগী মোঘল সম্রাজবাদিশিংনা উনসি, মরুপ-মপাংগী মরী লীংখৎসি, হায়না পাউকৎলক্লগা তুরেন্দা ঈশিং মনুংদা য়োৎলী থাংবা হি থমদুনা তোংখৎহল্লগা মৈদিংঙুবু ফাগে হোৎনখিবা [ওঃভঃ, ১৯৭৯, ৮; চৈথাঃকুমঃ ২০০৫, ৩৫, কঃমঃসিঃ, ২০০৫, ২-৩] অদুগুম্না খুজীল থৌরাং তৌরিবা ওইরমগদ্রা হায়না য়াম্না কন্না চিংনখিরম্মী। অশেংবদু মপান থোক্লা হায়দোকপা য়াদে; খুৎকল্লিবা, তৌগে হায়বদা ঙল্লিবা মলেস জাতীনি, অদুবু মনুংগী মী মাগী ওইবশিংদদি খঙহন্দবা য়াদে; মরম অসিনা মমা শীজ নিংথৌপোকপীনা মীফা-মীপুনগী লাইবক থোক্তনবা অমসুং জিলা দারবারগী থবক মঙ্গল ওইরক্লবা ফয়েংগী শব্বাং/সরারেন্দা ফি (শাশবা-ঙাশবা কৌই, হৌজিক মণিপুর ষ্টেট মিয়ুজিয়মদা লৈরি) নীঙথিবা অমগা তন্ত্রিক মন্ত্র/ৱারোল ইবা কোরী কোম্পাক মনা ১০ (তরা) গী মপু (Set) অমগা কৎখি।

মৈদিংঙুনা চিংনবা পুম্বসি থনুংদা ফুমদুনা লৈপাক্কী তৌদবা য়াদবা শীছানা মাঙদা থমদুনা য়াম্না মশা চেকশিন্না কছাড় জিলাদা বড়লাট (Viceroy/Governor-General) কা উননবগীদমক্তা লাকখি। কছাড়দা থুংলদুনা (তাং ৬।৮।১৮৭৪ ইংদা থুংবনি) লৈরকপা নুমিৎ হুমনি শুরকপা, নোংমাইজীঙ নুমিৎ, আগষ্ট তাং ৯ অসি ফাওবপদা ভারতকী গোভর্নর-জেনরেল শিলচরদা য়ৌরক্লমদে। মরম অদুনা মতমদুগী কছাড়গী দরবারদুগী অসামগী চিফ কম্মিস্নার মিঃ কিটিঞ্জগী (মহাক্তি কলকটাদা চৎখিদুনা ভাইসরোয়গা লোইননা অসামদা/কছাড়দা লাক্কনি) মহুৎশিন্দুনা থবক্কী অশিন-অরাং তৌরিবা কছাড়গী ডিপুটী কম্মিস্নার উনদুনা মহারাজনা ভাইসরোয়গী ঈ-পাউ লৌখি। মদুদা ‘ভাইসরোয় হয়েং নৎত্রগা হংচিৎ (আগষ্ট ১০ নৎত্রগা ১১ দা) মহাক্কী মৈগী হি য়াট (Yacht) তা ঈশিং লম্বীদা লাক্তুনা (গঙ্গাদগী ব্রহ্মপুত্র তারক্লগা মদুদগী সুরমা তুরেন্দা লাক্লগা শিলচর য়ৌরকপা; সুরমা হায়বসি বাঙ্গলাদেশতা অমসুং অসামগী শরুক খরদা কৌবা বরাক/ব্বাই তুরেনগী মমিংনি) শিলচরদা থুংলগনি অমসুং মণিপুরগী মহারাজগা গোভর্নর-জেনরেলগা উনবা দরবার তৌবসি মৈগী হি অদুগী মনুংদা বরাক খোংনুংদা হিথক্তা তৌরবা য়াই নৎত্রগা তৌগনি’— হায়বসি হায়রকখি। হায়রিবা গোভর্নর-জেনরেলগী য়াট, মৈ-হি মনুংদা দরবার তৌগনি’ হায়বসিদা

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি লৱাই শাৎখি, ফাননবগী থৌরাংনি, শোয়দ্রে হায়না খনখি। করম্না নাহ্লোকপা য়াগদবগে, চৈশুসু তেক্তবা, লিনসু শিবা য়াবা পাম্বে য়েংননবা খল্লকখি।

মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিনা কছাড়গী ডিপুটি কম্মিস্নার উন্নদুনা পাউ লৌরুরগা হেক হল্লকপদা অঙম-অথৌ অতৈশিংদা পাউ তমদ্রিঙৈগী মমাঙদা অচানবা মনাই তরুকখক কৌশিনখি। মখোয় তরুক্তুদি— (১) মুতুমচা মুক্তিয়ার (মুক্তিয়ার হায়বসি ফমনি); (২) নিংথৌজমচা জয়ধর, কৈরুংবা; (৩) চুঙখামচা লোংলা, হাজারী (কেপ্তেনগা মান্নবা ভোলুন্টরি মিলিসিয়াগী ফমনি); (৪) মোংজমচা (মমিং, 'ধর্ম্মশোর' কৌই) কালিকোর (মচু য়েকপা-খোৎপা, তৈবা, শঙবগী লোইশঙ) লাল্লুপচিংবা (মেনেজর), (৫) লৈমপোকপমচা (মমিং, শাজৌ নৎত্রগা দেবাকশোরসিংহ' কৌই [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪০৬ অমসুং ওঃভঃ, ১৯৭৯, ২৪] পানা হজারী অমসুং (৬) ঈবুংশীজ (রাজকুমার) আবীর সিংহ— অসিনি। মখোয়দা মৈদিংঙুনা মৈগী হিসি করম তৌবনো, করি তৌবা য়াই, করি-করি খুৎশু-খুৎলাই য়াওই, কয়া য়াম্না য়াঙনা চেনবা ঙমই, অসিনচিংবগী মরমশিংদা থিজিল-হুমজিল্লুনবা শিন্নরম্মী। মখোয়না মৈগী হিসিগী মরমদা থিজিনবদা কছাড়গী টিলান চীঙ ফাওবা য়ৌনা হিনা চত্তুনা মফমদুদা লৈবা বর্ম্মীজ অমসুং বৃটিশকী কেম্প ওইরম্বদগী মখোয়গা তোৎন-শম্নহৌবা অমসুং মৈ-হিসিগী মরমদা অখঙবা চীঙমী নৎত্রগা তম্মী মচাশিং ফাওবা উনদুনা থি-হুমখি। মখোয় তরুক্না টিলান্দগী হল্লক্লগা অফংবা ঈ-পাউশিং অমসুং মৈ-হিগী মরম পুম্নমক শ্রীযুৎকী সনা চরন্দা হঙ্গৎখিরম্মী। মসিগী লমদাংদা থন্বীরম্বদিঃ—

...মৈদিংঙুনা ঈদাইরেম মুতুমচা মুক্তিয়ার, নিংথৌজমচা জয়ধর কৈরুংবা, চুঙখামচা লোংলা হজারী, মোংজমচা কালিকোর লাল্লুপচিংবা, লৈমপোকপমচা পানা হজারী, ঈবুংশী আবীরসিং, তনবা নখোয় তরুকমদি খান্বী মৈগী ৰাকয়ৈ হিবু মতৌ করম্বনো য়েংও, লাট মাসুং লাকখিবরা য়েংশেমও-, হায়না ৰাকয়ৈ খোঙওইননা তিলান মপুঙয়ায় য়ৌখিএ। মদাইরেম তনবা নিপা তরুকমনা ৰাকয়ৈ মতৌ খঙলবগা তন্না হলৱাইরক্তুনা লাইরেন সনা মখোঙখাদা খান্বী মৈগী ৰাকয়ৈ কোনবু অপুম্বা থৌরম মতোন লোম্না পাউহংখৎখিয়ে [মথক্কীসিদা, ৪৪ অমসুং চঃজিঃচঙঃ, খুঃলাইঃ]।

অসিনি। হি অসিগী লমদাংদা বৃটিশকী ৱাফমগী ওইনদি থোইদোকপা ৱারম লৈতে, অদুবু মৈতৈগী ওইনদি চিংনবগী লংলা-লংজীন অমদি অদুম পীদুনা লৈ [মথক্কীসিদা, ১সুং ওঃভঃ, ১৯৭৯, ৪৯]।

কছাড়দা জিলা দরবার পাংথোকপা

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা লখিপুরগী পোত্থা-নোংলেন শঙদা জিলা দরবারগীদমক্তা ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেলবু কলকটাদগী লাকপা ঙাইরকপা মরিশুবা নুমিৎ, আগষ্ট ১০, নিংথৌকাবা নুমিৎসিদা মাইব্যা তাম্রসিং, লমজেন য়াঙবা লখিপুরগী পোত্থাশঙসিদা থুংলখি। মহাক্না মৈদিংঙুগী মনাক্তা চঙলক্কুনা হৌনবা ঈকাই খুম্নবা উৎচরকপদা লৈরম্লিবা মীপুম খুদিংমক্তা হরাউবগী ঈথক কাখি। মৈদিংঙুগী থৌশীল-থৌরাং, দরবার ফমদ্রিঙৈদা মরী লৈনবা চে-চাং খুত্তা লৈবা হায়বদু মায় পাক্নে হায়না খন্দুনা মদাইরেমবু কৌশিন্দুনা ফমহনখি। মাইব্যা তাম্রসিংহনা মৈদিংঙুগী মফমদা মহাক্না শাংলবা লমশাং (কিঃমিঃ ২১১.২ x ২ = ৪২২.৪) অসিগী লমজেন চেল্লকপদা লমজেন থোইবা তান্নরিবসি মতমগী খোঙজেনগনি হায়বদু উৎচখি অমসুং মদুদা থেংনখিবা মঙং লাংওন পুম্নমক লীজ-তমজখি। মতুং তারকপদা শ্রীগোবিন্দজীগী নির্মল্য, মমাশীজগী খুদোল অমসুং লৌবা চৎলুরিবা ডোকুমেন্টশিং কৎচরে। হায়রিবশিংদু ফংবদা শিননবগী লমন তোল্দুনা লৈরিবা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিদু শিবা নাইররোয়দবা, নাবা নাইররোয়দবা জীবগুম হরাউ নুংঙাইখি। মতাংসিদা শ্রীযুৎনা মদাইরেম তাম্রসিংহগী মফমদা থন্বীখিবা অচন্বা ৱারমদিঃ—

...থৌরম মতৌ উরবগা মৈদিংঙু পায়মা উনকোয়নুংদা হরাউ পুক্নীঙ থোইরবগী, তয়ম নাইনুংচান, অথৌবা মাইবমচা তাম্র অচানবা হৌগৎলাউ-ও নহাকপু। ৱাহায় মরম অসুম হায়দোকপগা তুবী শামু খূৎনা ফংনা তয়ুম নাউকোননা হৌগৎপীরগা নিংথৌ মিৎকোয় লাইজা তরং হৌ, তয়ম ঙক্তা কিরিবা চীঙঙু নির্মল্য নীঙথিববু শামু খূৎফংননা লৌজরবগা তুবী লূদা থোং, পলেম খুদোনপোৎ নীঙথিবা পান্না তপ্তাইগা মপন তুবী চঙখোনবী লাইরিক চাজুমমবু চেংলৌ মিৎপু থিৎনা ... তুবী থাদা কোঞ্জরে। ঈদাইরেম নুংচানব-ও! হন্দক থোংনাং মীরৈপুঙসিদা দরবার ৱাঙাংনববু জয় য়াইফ থোক্নবদা হয়েং ঈপোইরৈ তমদা তাবগা তয়ম নঙবু কাউঙমলোয়... [মথক্কীসিদা, ৪৫-৪৬]।

অসিনি। মরৈপাক্কীদমক্তা থবক্লা পোল্থানদুনা থৱাই-হকচাং কৎখিবা পাঙ্গল-লৌশীঙ পীখিবা মাইব্যা তাম্রসিংহ, লৈশং যাত্রাগুম্বশিং মণিপুর ঈমাগী তাঙলবা মরনশিংনি।

গোভর্নর-জেনরেল শিচলরদা থুংলবা অমসুং দরবার

ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেল, মহারানী ভিক্তোরিয়াগী ভাইসরোয় লোর্ড নোর্থব্রুক মহাক্কী অসাম য়েংবগী খোঙচত্তা অসামগী চিফ কম্মিস্নার মিঃ কিতিঞ্জগা লোইননা শিলচরদা আগষ্ট ১১, খৃঃ ১৮৭৪ দা থুংলখি। মথৌ চিনবনিনা হেক থুংলবগা মীটিংদু অদুগী নুমিত্তা তৌননবগী পাউ পীরকখি। থুংলবা নুমিৎসিদি কছাড় জিলাগী মরমদা য়েংব-খোৎপগী থবকসু তৌরমগদবা মাল্লি। অদুনা মদুগী নুমিৎ আগষ্ট ১১, লৈপাকপোকপদা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা মচাঈবুংঙো অনি অমসুং অঙম অথৌশিংগা লোইননা দরবার তৌননবগীদমক্তা গোভর্নর-জেনরেলগী মৈগী হি থাংলিবা মফমদা লাকখিরম্মী। অদুগা মৈগী হি অদুদা য়াম্না চেকশিন্না মশাদা চেকশিন-শাজেনগা লোইননা মীটিংদুগীদমক্তা চঙখি। মীটিংদুদা ময়ামদুনা ফম্বগী মওং-মতৌ, খুদোনপোৎ পীননবগী মচৎনচিংবগী মরমদা পীবীরিবদিঃ—

শ্রীযুৎ মহারাজগী য়েক্তা ইষ্ট সাহেব, পুরুন সাহেব (R. Brown), ৱাংখৈরাকপা (কুলচন্দ্রধ্বজ), শামুহঞ্জবা (ফৈজাম্না/বালকীর্ত্তি), থাঙ্গাল মেঞ্জোর, বোলাই/বলরাম মেঞ্জোর, বামোন গোকুল অসিনা চৌকি ১১ দা ফমহল্লে। শ্রীযুৎ লাট সাহেবগী ওয়দা চিফ কমিস্নার (মিঃ কিটিঞ্জ), মেঞ্জোর ৱালা, কপ্তান সাহেব, চিতোন সাহেব অসি ফমএ। অদুদা সাহেবনা হায়। "শ্রীযুৎ মহারাজবু উনবা অসি য়াম্না নুংঙাইরে", হায়, মহারাজনা খুমএ, "লাট সাহেবপু উনরবা অসিদা ঐসু য়াম্না নুংঙাইরে, হায়না খুমএ। লাটসাহেবনা হায়, "অৱা লৈপাক অসি অমত্তা ওইনবরা", হংএ। "ওইদে, ৱাগী মখৈ খঙনবা মঙাই", খুমএ। অদুগী শ্রীযুৎ মহারাজগী খুদোনপোৎ চোংথামচা অঙাংতোন্না স্না অশবী ২১ পুশিল্লক্তুনা লাট সাহেবকী খুত্তা পীএ। স্না লৌবা মখুৎনা সলামী তৌদুনা লৌএ। শ্রীযুৎ মহারাজসু সলামী ওকএ। লাট সাহেবকী খুদোনপোৎ শ্রীযুৎ মহারাজদা তৌরকপদি— (১) কবাক থাঙ, মনীঙ-মমাঙ স্না য়োম্বা, খুৎসু স্না লূপ্পা ১,

(২) স্নাগী হুমায় ১, (৩) লুপা য়োম্বা শোরী ১, (৪) স্নাগী থবাকলীক ১, (৪) কোকয়েৎ ১, (৫) ক্রেপ অশাবা স্না হৎপা থান ১, (৬) মুক্তা পরেং ১, লাট সাহেবনা খুত্তা পায়দুনা শ্রীযুৎকী ঙক্তা হাপ্লবদা সলামী তৌদুনা পোৎ পুন্নমা অদু পীএ। অদুগা মফমদা হঞ্জিন্দুনা ফমএ। অদু মতুংদা লৈপাক ২মগী অঙম্বসু মাগী মাগী লৈপাক্তা থোকপা পোৎ লাট সাহেবকা মহারাজগা ২মদা কৎলে। অহিং ১রক উনৈ। হান্নগী কা অদুদা মঙাংনৈ [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪২১]।

অসিনি। মসিদি মনুংদা লৈরিবা মরু ওইবা ৱাফমশিং অদু লোৎশিল্লগা চুম্নগী মপানগী ওইবা মিৎয়েংদুদা থম্বা ৱারমশিংনি। অদুগা বৃটিশকী ওইনা মণিপুর পোলিটিকেল এজেন্সীগী মণিপুর এডমিনিষ্ট্রেসন রিপোর্ট, ১৮৭৩-৭৪ দসু ইরিঃ—

DARBAR HELD IN CACHAR

The unique circumstance of a visit by the Viceroy and Governor-General of India to farther Eastern Bengal on Assam led to arrangement being made in August, 1874 for the Maharaja of Manipur to meet His Excellency in Cachar.

These arrangements were duly made and the Maharaja with two of his sons and several principal officers with the Political Agent ... left for Cachar on the 30th July, 1874 .... A suitable camp had been provided in the Station of Silchar for the Maharaja and his attendants ... and gave every satisfactions .... The Darbar was duly held on board of the Viceroy's yacht and was, I, believed, of a satisfactory nature, presents were as usual exchanged and the Maharaja with his sons were also entertained at the evening reception. The Chief Commissioners of Assam was with the Viceroy, and had an opportunity of seeing and conversing with the Maharaja.

After the departure of His Excellency and the Chief Commissioner, which took place on the day after the Darbar, the Maharaja rested for a few days and had an opportunity

of being introduced to many of the leading tea planters of the district, etc. taking his departure on the 14th August.

Maniur Administration Report 1873-74

অসিশিংসিনি। অদুগা ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেল অমসুং অসামগী চিফ কম্মিস্নারনা শিলচর থাদোক্কুনা চৎখিবদি আগষ্ট ১৩, শগোলশেন নুমিত্তনি [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪২২]। অদুগা থাবান তারিখ য়াওদনা খর কুপথনা মৈতৈগী ওইনা পীরিবদিঃ–

...শ্রীযুৎ য়াথং তুংইন্না চোংথামচা অঙাতোনবু সনা অশরবী/অশর্ব্বি (Golden bar or coin like piece?) ২১গা লাঙ্গোই শগোল ১গা য়াঙ্গোই শামুমচা ১গা খুদোন তন্না শিন্নরে। থৌরম অসি মতুংগী ঙাইহাক পুঙ্গোয় লৈরবগা দরবার ৱাঙাংনরবদা লাইরিক চাজুম য়েংনা দরবার লোয়রবদা ...লাট ঐসুং ৱাকয়ৈ হিকুনুংদা লাকপনিগীনা খাম্বী মৈশা লাংএ... অৱা পোত্থানখিসে হায়না তাংবল থক্কী হৌগৎপগা ৱাকয়ৈ হিকুনুংবু নোংপোক-নোংচুপ হাইনা য়ুহা তন্না নীকখিএ।

মতৌ অসুম মহৈ মহৈ কাঙবু কাঙলুপ হলৱাইরক্লবগা অহিং ঈনুং শোইয়ায়মদি ... লাইরেন মৈদিংঙুদি নিংথৌ শঙ্গায় য়াথোকফমদা ... পায়মা ৱাখল তৌরমঙৈগী লাট মপাউমেনবু অমরক হন্না দরবার ৱা তানখিসে হায়না ... কৌয়াম্লবগী ... খোঙশাল্লক্লে।...

খাম্বী মৈগী ৱাকয়ৈ হিরেন অচৌববু চঙলমদাইবু লাঙ্গোই মীরোন খঙবনা লাইজনুংদা কুমনা ৱাকয়ৈ হিবান খুরৌ য়েৎ, লাঙ্গোই নাতোন অশাংবনা ফারবদা লাঙ্গোই মাসু শামু পাঙ্গল থেক্লা ৱাকয়ৈ হিরেন অচৌববু ফাঙল্লবগী হিরেন মৈগী হিদি লাইজথক্তা থ্রক থ্রক নীক্লা খাঙনৈএ।...

মৈদিংঙু মদাইরেম অঙোমগা তোনু, নিংথৌজাম্বা ২মনা ক্লাগোক খল্লে, অতোমচা শেল্লুংবা, থম্বৌমচা শেল্লুংবা, তোমচা শেল্লুংবা, অহুম্মনা কাঙহাই থৌগন তৌখিএ। শৌগাইজাম্বা, থাঙ্গাল ২মনা য়েৎথাঙ, ওয়থাঙ পায়না থৌগল তৌজখিএ। গুলাপসিংহ শেল্লুংবা, অঙৌমচা শেল্লুংবা ২মনা চামোর থৌগল তৌজৈএ...। পাউহন-হিদগী ফিরিংকি সাহেবচা ৪মনা মৈদিংঙুগী শামু

খুৎশম্লনা, ৱাকয়ৈ-হিরেন্নুংদা পুশিনখিয়ে।... মৈদিংঙুনা লাট মমাঙ শঙশঙবদা লেপ্পুরবগা লাট সাহেব অথোইবনা পাউমেললকএ— হে মণিপুর রাজা অথোইব-ও! ... বৃটিশ ঐখোয়না রাজা নরৈপাক্কা চান্না মতৌ ওইনা লৈবা পামএ। ঐখোয়না ৱাবদা রাজানা তেংবাং পী-ও! রাজানা ৱাবদা ... বৃটিশ ঐখোয়না তেংবাং পীগনি...।

ৱারম অমনা মাগী মাগী লৈপাক্কী লমখৈ য়েংবদা রাজা সাহেবনা লহাননোংদা হায়খিবা লমগী লমখৈসুং চুল্লমলে, ঐখোয়না লাললে। শ্রীপঞ্চযুক্ত মহারাজা গম্ভীর সিংহ নপাবুংগী হাক্তক্তসু বৃটিশ ঐখোয়গা চান্ন-চিন্না ওইনা লৈরকএ। মরম অদুনা হৌজিক ঈরোইশেন্বদা বৃটিশ ঐখোয়গী লনওন-ইতিক্কী (লল্লোন-ঈতীক্কী) মী লৈবা অসি থিবোমৈদা থমগে। মসিনা মণিপুর, অসাম অনিগী মরক্তা লনওনবা থবক্কী খুদোং য়াম্না চাগনি। মরম অসিনা ময়াং লাংজীঙদগী সিফাইশিংদি থিবোমৈদা হোংবা য়াবীয়ো। য়াবীরবদি হৌজিক লন্বী ফত্তবা ডিমাপুরদগী থিবোমৈ য়ৌবা লন্বীনা বৃটিশ ঐখোয়না শেম্বা ওইজগে, থিবোমৈদগী নরম লৈপাক য়ৌবদি রাজা সাহেবনা শেন্বীয়ো, হায়বা ৱারম হায়রক্লবা শ্রীযুৎ অমহিক্তি অঙম্বশিং ঙাইহাক তুমিন লৈনা ৱাখন্নখি। লৌশিঙ লাংথাক হৈবা সাহেবনে শ্রীযুৎপু ফাদুনা সাহেব মখুৎ চনগবরা খনববু মতৌ ওন্ননা থোক্লরে। বৃটিশ মচা নখোয়না পোইরৈ লৈপাক্কী ময়োন্দা লৈরম্ববু খর কুইনা চোংনা য়ুমহোংগে হায়বদি ফৈএ ফৈএ, অসুম খন্নরবগা শ্রীযুৎনা য়াবীরে।

শ্রীযুৎনা য়াবীরে হায়বগী ৱারম মরেং শীননা নাতারবগা বৃটিশ সরকারগী সাহেবচা ৪মনা মৈদিংঙুবু বৃটিশ ঐখোয়গী পুক্লীঙ থোইনা হরাউএ হায়না ৱাতে-ম্নরবদা সিফাই মনাউয়োক অয়াম্বদি বেংগুন না-কানা খোংএ, ধোন পুঙজাও থীন, পেরে শানৈ খোংলে। দরবার ৱাঙাংনবগী থৌরম মতোন লোম্লবনিগীনা...

[ওঃভঃ, ১৯৭৯, ৪৮-৫৫; চঃজিঃচঙঃ, খুঃলাইঃ]

অসিশিংসিনি। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী জিলা দরবার অসিগী মচি অমসুং মচংদি মথক্তা পীজরিবসিগী অরোয়বগী পেরেগ্রাফতনি (Last two paragraph) সিদা লৈবনি। অদুবু দোবী লৈনৌগী তুংইনবশিংনা শ্রীগোবিন্দগী নির্মল্যগী পাউজেন্দা ওন্থোক্তুনা মণিপুর ইতিহাস ইখরে। গোবিন্দজীগী নির্মল্যনা কৈদৌনগদৌরিবনো, লাইবু থৌওইদবগী ৱাফম নৎচদে। শন্দোক্লদবা নৎত্রগা

পীগদবা/পীফম থোকপা ইতিহাসকী ঈ-পাউদুদি পীবীয়ু, হায়বগী ৱাফম থমজবনি। জিলা দরবারসিগী ৱাফমদা হৌজিক্কী অনৌবা লোন্দাদা পাউদল্লিবা অমাদিঃ—

...তোংজৈ মরীন লন্বী চত্তুনা শিলচর জিলা য়ৌরগা, দরবারদা, ময়াং তাবা শেলুংবনা মরোন পুম্বা হান্ন-(না) লাইরিক ইদুনা, মদু বড়লাট সাহেবতা পাদুনা তাহল্লে।

বড়লাট লোর্ড নোর্থব্রূক সাহেবনা, মণিপুর মহারাজনা লান্দে হায়বা খঙদুনা মহারাজগী মফমদা হায়রকইঃ—

"মহারাজ! বৃটিশ ঐখোয়গী মরুপ ওইবা নপাবুং গম্ভীরসি হাক্তুক্তগী মিত্ররাজ্য (Friendly kingdom) ওইনা লৈরক্লিবনি, অসিদা ঐখোয়না কারবারগীদমক শ্রীযুৎনা থিবোমৈ (কোহিমা) কৌবা লম মচেৎসি মমল ওইনা তৌজৌ হায়ব্রা, মফমসি ঐখোয়দা পীনবীয়ু, মসিগী মরম অমত্তং খঙহনবীয়ু হায়জবনি।"

ৱারমসি তাবদা শ্রীযুৎনা, "বৃটিশ গোভর্নর বেন্টিঙ্কী কারবারগীদমক ফম্বদি ফন্বীয়ু, মফমসি মমল লৌবদি লৌজরোয়, য়োম্হোকপা মরমসু ঐ তৌরোয়," হায়না সনা য়াথং তাকপীরবদা, বড়লাট সাহেবনা মফমসি মমল লৌদনা ঐখোয় সাহেবসিংদগী সিফাই ফমহনবীবদগী মনিপুর থিবোমৈদগী আসাম তানবা লম্বীসি ঐখোয়না মতম পুম্নমক্তা ফনবা শেমগনি, মণিপুর সনা কোনুংদগী থিবোমৈ য়ৌবা লম্বী অসিনা শ্রীযুৎ মহারাজনা শেম্বীয়ু," হায়জৈ।

অসিগীদমক বৃটিশ লোর্ড ৱিল্লিয়ম বেন্টিঙ্ক বোডীগী মনুংদা কে, সি, এস আই (K.C.S.I.) মনিপুরেশ্বর সার চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ হায়বা মিং অসি ঙসিদগী থল্লে। শ্রীযুৎ মহারাজ কে, সি, এস, আইগী মফমদা খুৎলাই নোংমৈ ১০০ গা লুপা লাখ অমগা বকশিস তৌজরি," হায়না পীরকখি।

বড়লাট সাহেবনা মণিপুরগী হিয়াঙ কুম্মৈ য়েংনীঙই হায়বদা চন্দ্রকীত্তি মহারাজনা অঙোম তোনুগা নিংথৌজম্বগা অনিবু হি তোংদনা (তোংহন্দুনা) হিয়াঙ কুম্মৈ উৎলি। হিয়াঙ লোয়রগা শিলচর কাঙজৈবুঙদা পানা শগোল কাঙজৈ, মুক্না, লমজেন, থাঙ-তাগী কুম্মৈ মখল মখা অয়াম্বা তৌদুনা সাহেবশিংবু য়েংহন্দুনা নুংঙাইমিন্নে। [রাঃকুঃসগঃ, ১৯৭০, ১১৮-১৯]

অসিনি। ব্রারোল অসি খর থৈদোক-থৈজিন তৌনরবসু অচুম্বগী পরীংদা মপুঙ ওইনা চত্তুনা লৈ। অদুগা শিলচরদা হিয়াঙ কুম্মৈ তৌবা শিলচরগী কাঙজৈবুঙগী শগোল কাঙজৈ, মুক্লা, থাঙ-তাগী কুম্মৈনচিংবসি 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা' লাইরিক্তসু য়াওরি [ওঃভঃ, ১৯৭৯, ৫৪] অদুনা ব্রাফমসি মৈতৈগী ব্রাহৈদা চপ মান্নবা পোৎশক্তুদা 'লৈরক অমা শৈশক অমা' হায়না লৈরিবা অদুনি।

জিলা দরবার মতুংদা ইম্ফাল থোক্লকপা

জিলা দরবার লোয়রবা মতুং নোংমা কোনবা, আগষ্ট ১২ য়ুমশকৈশদা সাহেবশিংনা মণিপুরগী কুম্মৈ য়েংনীঙঙি হায়দুনা মথক্তা থমজখিবা কুম্মৈ তৌদুনা হৌংখি। অদুগা গোভর্ণর-জেনরেল অমসুং অসামগী চিফ কম্মিস্নারনা মখোয়গী সাহেব মচা অনিদা মহারাজবু বেরঙ্গা ফাওবা থিন্ননবা শিন্নরল্লগা অনিশুবা থব্রান থা (থব্রান অনি পানবনি) গী নোংমা পানবা শগোলশেন নুমিৎ (তাং ১৩।৮।১৮৭৪ ইং) দা মখোয়গী য়াট (Yacht) তা তোংদুনা শিলচর থাদোকখিরম্মী। মহারাজবু বেরঙ্গা য়ৌনা, বরাক তান্না থিল্লু হায়রল্লিবা সাহেবমচা অনিসিগী মরমদা পীবীরল্লিবদিঃ—

...মতুং অদুদা কপ্তান (কেপ্তেন) সাহেব, মেকুর্লিয়ুম সাহেব ২মনা শ্রীযুৎ মহারাজনা লেঙগদবা পুংফম হংবদা (মহারাজ লখিপুর/শিলচরদগী মণিপুরদা আগষ্ট ১৪, ঈরাইদা লেঙননবগী খোঙশানগদবনি), পুং ১০ তাবদা চৎকনি খুম্মৈ। অদুদা সাহেব ২মনা লাট সাহেবনা ইবিংঙাবু পেরংগা য়ৌনা বরাক মপান তান্না থিল্লু-ও হায়রমএ, হুকুমগী মতুংইন্না শ্রীযুৎ মহারাজনা স্না খোঙলেঙবদা খিনগনি হায়এ। ২নি ঈরাইদা শ্রীযুৎ মহারাজনা লৈপাক পুম্নমককা হল্লবদা সাহেব ২মসু হনখরে [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪২২-২৩]।

অসিনি। বৃটিশ ওফিসার অনিদুনা মহারাজবু থিনগনি হায়না ঙাইদুনা লৈরবসিদা কছাড়গী লখিপুর, মালূগ্রামনচিংবদা লৈবা মৈতৈ মচাশিং লাক্তুনা মহারাজবু নোংমা পল্থবীনবা হায়জরখি, মহারাজনসু য়াবীখি। ব্রাফমদুদগী সাহেব মচা অনিদু মখোয়-মখোয়গী থবক মফমদুদা হন্নখি।

শ্রীযুৎ মহারাজনা আগষ্ট ১৩, শগোলশেন নুমিত্তা লখিপুরদগী মণিপুরদা থোক্লক্লবগী থৌরাং তৌরম্মী। হায়রিবা নুমিৎসিদা রামান্দি ধর্ম্ম বৈষ্ণব সম্প্রদায়

চৎপা কৈ মউনগী ফুরিৎ লীৎপা নুপা অমনা লখিপুরদা শ্রীযুৎ মহারাজগী মনাক্তা লাক্কুনা মহাকসু শ্রীযুৎকী তুং ইন্দুনা মৈতৈ থোকচগে হায়না হঙ্গৎচরে। শ্রীযুৎনা থৌজানবীদুনা থোকচৌ হায়না তাকপীবদগী মহাক্না মশাগা লোইননা পুজবা লাই গ্রাম (শালগ্রাম) অমগা নরসিংহ (মূর্ত্তি) অমগা অনিদু পুদুনা মণিপুরদা থোক্লকুগা লম্মাঙদোং য়ৌরকপদা (আগষ্ট তাং ২০, শগোলশেন্দা) লাই অনিদু লম্মাঙদোংগী অদ্বৈত প্রভূগী লাইশঙদা থল্লমখি [মথক্কীসিদা, ৪২৩]। মৈদিংঙুনা লম্মাঙদোংদা নোংমা পোত্থারগা মথংগী নুমিৎ ঈরাই, আগষ্ট ২১ দা স্না কোনুংদা অযুক্কী পুং ১১ দগী ১২ (বারো) ফাওবগী মতমদা থুংলখি [মথক্কীসিদা, ৪২৩]।

ব্রাখোম-ব্রারোয়

খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট থাদা মৈতৈ নিংথৌ সার চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা মতমদুগী বৃটিশ ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেল অমসুং/নৎত্রগা ভাইসরোয় লোর্ড নোর্থব্রূকনা উনদুনা ব্রারী শাননবগী জুলাই থাদা পাউকৎলক্কুনা (বার্ত্তন তৌরক্কুনা) মৈতৈগী মহারাজনা মণিপুরদগী কছাড় জিলাদা চত্তুনা জিলাদুগী শিলচর মহাকুমা (Sub-division) গী লখিপুরদা বরাক তুরেনগী খোংনুংদা গোভর্নর-জেনরেলগী য়াট, মৈ-হিগী মনুংদা মণিপুরগী নিংথৌ অমসুং মহাক্কী অঙম-অথৌশিং অমদি ভারতকী গোভর্নর-জেনরেল অমসুং মহাক্কী অব্রাং-নোংপোক ভারতকী মরু ওইনা অসাম প্রদেশকী থবক পুবা ওফিসারশিংগা আগষ্ট তারিখ ১১, লৈপাকপোকপা নুমিত্তা উনদুনা ব্রারী ব্রাতাই শান্নখিবা অদুবু মৈতৈ/ মণিপুরীশিংনা "জিলা দরবার" (Meeting held at Kachar Jila/District) হায়না কৌই অমসুং খঙনৈ। জিলা দরবার অসি তৌখিবগী মরমদি মতমদুগী অব্রাং-নোংপোক ভারতবর্ষগী চীদায়দা লৈরিবা অসাম, মণিপুরনচিংবদা লৈঙাক্লোনগী অমসুং লল্লোন-ঈতীক্কী বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী লল্লোনবগী থবক পুরিবা ওফিসার অহুমনা মখোয়গী লল্লোন-ঈতীক্কী পোৎফম (Sale depot) অমসুং পোৎপৈ-পোত্থম্ফম (Godown), মণিপুরগী ঈরোইশেনবা অমসুং লাংজীঙদা লৈবদু অসাম অমসুং মণিপুরগী শম্নবা য়াবা মফম খিবোমৈদা

হোংননবগী ৱাফমদা মণিপুরগী নিংথৌগী মায়য়োক্তা অমসুং মথক্তা মখোয়না হায়বা য়াদে, লল্লোনফম অমসুং পোৎপৈফম হোংদবা য়াদে অমসুং থিবোমৈ ফংননবা শীনবীয়ু হায়না ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেলদা অকনবা ৱাহে-খোন্দা শীজিন্নদুনা ৱাকৎপা অমসুং রিপোর্ট থারুবদগীনি।

জিলা দরবার অসিগী বৃটিশকী পান্দমদি মতমদুদা মণিপুরগী লম ওইরিবা থিবোমৈ, হৌজিক্কী কোহিমা অসি মখোয়গী লল্লোন ঈতীক্কী পোৎয়োনফম পোৎফম অমসুং পোৎথম-পোৎপৈফম পুকৈ ওইননবা ফংবা হায়বসিনি। অদুগা মৈতৈ/মণিপুরীশিংগী পান্দমদি বৃটিশশিংনা মৈতৈ নিংথৌবু ফাদুনা মখোয়গী মখুৎ চলহনখিদবা হায়বসিনি। মৈতৈশিংনা জিলা দরবার অসি মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহবু দরবার তৌশিন্নরগা নমদুনা ফাননবা শরৌ লাংথাক্লি, হায়না লৌই অমসুং মসিগী তোকঙাসি মতমদুদা মণিপুরদা লৈবা বৃটিশকী পোলিটিকেল এজেন্ট আরঃ ব্রাউন মশামক ফাওবা তাই, হায়বসি মহাক্কী চহিদুগী মণিপুর এডমিনিষ্ট্রেসন রিপোর্টতা য়াওরি, মদুদিঃ—

As might be expected in an isolated country like this and with a profoundly ignorant population, a good deal of speculation and suspecion attended the above movement: bazar rumour had it that the whole thing was a plan to entrap the Maharaja and keep him in confinment, etc. and had the pleasure of hearing afterwards that some of his younger sons had sworn, in such an event, to have my life. As it was I was forgiven on the safe return of the Maharaja, whom I did not and do not, credit with any suspicious feeling on the matter [Manipur Administration Report, 1873-74 অমসুং চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪২২]

অসিনি। খেন্নরবা পান্দম অনিসি জাতী অনিমকসিনা মাগী মাগী অপাম্বশিংসি ফংনখি। মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা তশেংনমক মহাক্কী ৱাখন্দা মহাকপু ফাননবা শরৌগী দরবারনি চিংনরম্বা, মহাক্কী থম্মোইদা মহাক মীগী লানফা (Captive) ওইগনি নৎত্রগা মদু ঙাকথোক্লবা লাম্বেংনগনি, হায়না কিরম্বা অমসুং মহাক্কী পুক্নীঙদা করম্না খুজীন-থৌরাংসিদগী নাম্থোক্কদবগে খল্লম্বা পুম্নমক্তগী

ওন্ন-তৈনবদা লম মচেৎ অমখক নীবগী, কোহিমাগী লম/মফমসি লৈজরগে, মমল পীজরগে, হায়বগী দরবার ওইরম্বসিদা পুক্লীঙ হকচাং ফাঙমদবা ঙকপা, ৱাখল ঈথক থিংঙমদনা হরাউবা অমসুং থম্মোই পেন্না নুংঙাইবা ফাওখিবনা মাঙগী তুংগী খন্দনা অমসুং খলহৌদনা কোহিমাগী লমসি মমল লৌদনা/য়াওদনা বৃটিশকী মফমদা পীথোকখিবনি, ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেল অমদি ভাইসরোয় লোর্ড নোর্থব্রূক (১৮৭২-৭৬) কী ভিক্ষা হাপীখিবনি।

জিলা দরবারগী থাগৎনীঙঙাই ওইবা গুণ

খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট ১১গী মতমদুগী বৃটিশ ইন্দিয়া অমসুং মণিপুরগী লৈপাক্কী লুচিংবশিং উনদুনা ৱারী-ৱাতাই শানখিবা, মৈতৈনা জিলা দরবার হায়না খঙনবসি বৃটিশশিংগী নৎত্রগা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনী (লল্লোন-ঈতীক্কী লুপ) গী অমসুং বৃটিশ ভারতবর্ষগী মায়কৈদদি থাগৎনীঙঙাই ওইবা গুণশিং (Merits) য়াম্না লৈ অমসুং মসি মতমদুগী ভাইসরোয় অমসুং গোভর্নর-জেনরেলগী হৈ-শিঙবদগী মহাক মশাগী, মহাক্কী লৈঙাক-শীঙলুপকী অমদি মহাক্কী মহারানীগী মায় পাকপনি। মখোয়না চুম্নগী লল্লোন-ঈতীক্কী লম মচেৎ অমখক ফংখিবদা নত্তনা তুংলমচত্তা হিন্দু লৈপাক অচৌবা অমগা বৌদ্ধিক (Buddhist) লৈপাক অমগী মরক্তা অমসুং খা-নোংপোক এসিয়া অমদি নোংপোক অমসুং ময়ায় থংবা এসিয়াগী লমদমশিং থুংনা কোল্লিবা বৌদ্ধ ধর্ম্মগী লৈপাকশিংগী লমদমশিংগী মনুংদা মখোয়গী ধর্ম্ম অমসুং ধর্ম্মগী লমকন-লৈপাক অমা লীংখৎলক্লনবগী য়ুম্ফম খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট ১১সিদগী ফংখ্রবনি। মসিনা মখোয়না হকচাং কায়াৎকী কোক ওইরগা মায়কৈ অসোমগী লমদম খরদা তুংলমচৎকী মতম খরদা লৈঙাক্লোন-পান্দম-তানবগী কিহন-থুক্কৎহনবগী মকিহন (Terrorism) গী মেলোড্রামা (Melodrama) শান্নরখিগনি।

জিলা দরবারসিগী শীঙথানীঙঙাই নৎত্রগা নীঙশিঙনীঙঙাই ওইবা গুণ, মৈতৈ-মলেসকী মরী (Anglo-Manipuri Relation) দা থোইদোকপা লৈতে। কোহিমাগী লমদমসি বৃটিশ ভারতবর্ষদা পীথোকখিবসিনা মতমদুদা মখোয়গী সম্রাজ্যদা নুমিৎ তাবা লৈত্রবা নোংপোক ভারতকী লমদমশিংদা মখোয়গী লান্থা ওইবা য়ুরোপকী জাতিশিং ফ্রেঞ্চ, পোর্টুগীজ, স্পেনিজ, উৎচ,

ডেন্সনচিংবা মায়থীবা পীশ্রবা, বর্মীজশিংবু অনিরক খৃঃ ১৮২৪-২৬ অমসুং ১৮৫০-৫১ দা মায়থীবা ফংহনখ্রবা বৃটিশনা কোহিমাগীদমক্তা লান্দারক্কুনা মণিপুরবু মায়থীবা পীবীখিদে, হায়বসি নত্তনা অতৈ থোইদোকপা লৈতে। অদুগা মৈতৈ মশাগী ওইনা নীঙশিঙনীঙঙাই ওইবা থৌদোক-ৱাথোক্তি-- মৈতৈ অকন-অথৌশিংগী মরক্তা দেশভক্তি অমসুং রাজভক্তি (Patriotic devotion and devoted faith/loyality and loyalism to the king) গী মশক তাকপা-উৎপদা লৈশং যাত্রাগী থৌনা অমসুং মাইব্যা তাম্রসিংহগী লীংজেন মণিপুর ইতিহাস অমসুং ইতিহাসকারশিংনা কাউঙল্লরোইদবনি। পাক্লবা ঈশিংগী ঈরৈ কল্লবা অমদি ঈচেনগী খোঙজেল য়াঙলবা খ্বাই/বরাক তুরেনগী নোংজু-পাম্বাগী ঈহৌরকপা ঈচাও-ঈচেন্দা শিবা চঙবগী খোঙফম ওইনা কেক্রু উজাওনা তাউথরকপদা মশাবু অশিবা লাইগী মখয়াত্তগী শত্তোকচখিবা লৈশং যাত্রানা অমসুং জিলা দরবারগী চঙগদবা পোৎচঙ, রাজা গম্ভীর সিংহগী সহি য়াওবা সন্ধিপত্র, জয় তৌখিবা খুনশিংগী লিষ্ট অসিনচিংবগী ডোকুমেন্টশিং অমসুং মেপশিং নুমিৎ তরানি চৎকদবা ইম্ফাল-লখিপুরগী লম্বী-লমশাং মাইল ২৬৪ (কিলোমিতর ৪২২.৪) বু নুমিৎ নীনীগা তংখায় (পুং ৬০) নৎত্রগা চাউরাক্লা নুমিৎ হুমনীদা লমজেন চেনখিবা খোঙয়াঙবা মাইব্যা/মাইবমচা তাম্র সিংহগী থৌদোক ৱারী নীঙশিঙনীঙঙাই, শোন্ননীঙঙাই অমসুং শীঙথানীঙঙাইনি। মসিনা লৈপাক্কী অমসুং ঈশাগী চিরবা তাঞ্জাদা, করম্না লৈপাক্কী সেবা তৌগনি অমসুং ঈশাবু কঞ্জগনি হায়বদুগী ঈ-পাউ পীবদা নত্তনা ফিদম্লনবা পরা অমা ওইরিবনি।

জিলা দরবারগী থাগৎনীঙঙাই ওইদবা গুণ

অঙানবা লৈরবদি অমম্বসু লৈ, মঙাল লৈরবদি মমি-মরুম/মম-শুকপসু লৈ, মরম অসিনা অফবা/কান্নবা লৈরবদি ফত্তবা/মাঙজবসু লৈ। অদুনা খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট ১১ দা পাংথোকখিবা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ অমসুং লোর্ড নোর্থব্রুক্কী অনিসি উনদুনা ৱারী শান্নবা, মীটিং তৌখিবগী জিলা দরবারসি মতমদুগী বৃটিশ সরকারগী মায়কৈদদি থোইদোক্লা ফত্তবা, থাগৎনীঙঙাই ওইদবা গুণশিংগী ওইবা থবক-থৌরম নৎত্রগা থৌদোক-ৱাথোক লৈখিদে। মীটিং অসি পাংথোক্লবগী থৌশীন-থৌরাংবা, খুদোলপোৎ পীনবগী পোৎলম শীনবা,

অসিনচিংবগী লমদাংদা চাদিং/খরচ (Expense/expenditure) খরদি তৌরমগনি, অদুবু মদু মখোয়না ওইজবা অমা ফংননবগী পান্দমদা পাংথোকখিবনিনা অমাঙবনি হায়না শীঙথাবদি চুল্লোয়।

জিলা দরবার অসি, মণিপুরগী নৎত্রগা মৈতৈগী/মণিপুরীশিংগী মায়কৈদা থাগৎনীঙঙাই ওইবা নৎত্রগা কান্নবা গুণশিংদা মণিপুরগী নিংথৌনা কেঃ সিঃ এসঃ আইঃ [K.C.S.I. (Knight Commander of Star of India)] হায়বা মিংথোন ফংখি [রাঃকুঃ সগঃ, ১৯৭০, ১১৯] হায়না লৌরবসু মসি বৃটিশশিংনা মণিপুরবু মখোয়গী রাজনৈতিক ক্ষেত্রদা মখোয়গী মখা থাবা, মখাদা লৈবা মীশক, মখোয়না পীবা মখোয়গী উপাধী (Title) ফংবগী ওইনা পুশিল্লগা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোন্দা খুৎ থিংজিনবা য়ানবা অমসুং ঈকুই কুইদবা তুংলমচৎকী লমদাং অমদা (চহি ১৭, তরাতরেৎখক্তগী মতুংদা) মণিপুরবু মখোয়গী লোইলম ওইনা লৌশিনবা (খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৭ নিংথৌকাবদা বৃটিশনা মণিপুর লৌশিনখি) য়ানবা থোং থাবনি, খুজীন থৌরাং তৌবনি। তশেংনমক মসি তাৎ তৌনা থেম্বা মখল অমনি, ঙা থোংদুনা চাক পীজরগা ফিনুংদা খুত্তুম শীঙবনি। অদুগা অমনা মখোয়না মখোয়গী লল্লোন-ঈতীক্কী মঞ্চ (Stage) দা থিবোমৈ (কোহিমা/Kohima) বু লেম্না ফংবদুগী নোংমৈ ১০০ (মসি মার্টিনী হেনরী/ Martiny Henery হায়বা রাইফল মখলদু ওইরম্বা য়াই, মতমদুগী খ্বাইদগী হেন্না মপাঙ্গল লৈবা নোংমৈ রাইফলগী মখলনি) গা লুপা লাখ অমা (লুঃ ১,০০,০০০/-) গা বকশিস (Gifted fee) পীরি [মথক্কীসিদা, ১১৯]। মসিসু ঈখৃৎ লাম্বোকপগী মীখৃৎ লাম্বোক্লকপনি, তুংলমচৎকী পোশীন-পোখাংদা য়েৎলক-থৎলকপদা য়াদনবগী শরৌনি।

জিলা দরবারসিনা খন্থহৌদবা মিকুপ্তুদা মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা [খোংজাইঙম্বগী মনাউ, শামু ফাবা, রাজা গম্ভীর সিংহ (খৃঃ ১৮২৫-৩৪)] না খৃঃ ১৮৩৩ গী ফেব্রুৱারী ১৮ (শকাব্দ ১৭৫৪ গী ফাইরেনগী নোংমা পানবা), নিংথৌকাবা নুমিত্তা লোই চল্লম্বা [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ২৪২] অমসুং চহিসিগী মার্চ তাং ১৪ (শক ১৮৫৪ গী ফাইরেন ২৫নি পানবা) শগোলশেন নুমিত্তা লমসিগী ঈশিং খোং পুখ্রি মপান্দা খুদা নুঙ (Placed stone slate) মহারাজগী খোঙ্গুল য়েকপা অমসুং নমঙা নুঙ (Erected stone menhir) নোংশা অমসুং

শনতৌ/শনথৌ (Bantin/Tsaing, Zoo: Bibos banteng, Fam, Bovidae) য়েকপা, খীন-য়ুংদুনা চীঙমী মচা ময়ামগা নুঙ হোঙখিবা মফম অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা চীঙমী ঙামৈ, মেরেমৈ, কাতুমৈ, ঈফেমৈ, য়েলেমমৈ, অসিনচিংবগী খুন ময়ামগী ময়ায় লৈকোক (Centre or central headquarters) ওইনা শেল্লম্বা লম অসি খৃঃ ১৮৭৪গী আগষ্ট ১১ অসিদগী মতম চুপ্পগী ওইনা মাঙজরবা লম অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা অমসুং মসিনা কোনবা লমদমশিং ওইনা মতমদুদা লৈরম্বা অমসুং তুংলমচত্তা লৈরক্কদৌরিবা মিঃ রিনেল, ড্রাফ্টমেন (Mr. Rennel, Draftman) না খৃঃ ১৭৬৯ দা কলকটা (কোলকতা) দা য়েকখিবা 'ডোমিনিয়ন ওব মেক্লে' হায়বা মণিপুরগী নিংথৌ পানবা লৈপাক্কী পাফল/নক্সা (মেপ/Map) অদুদা য়াওদুনা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী সনা হাক্তক ফাওবদা লৈরম্বা মৈত্রবাক-মণিপুরগী মশাগী কায়াৎ ওইবা লমদম-লমতুপ অমা মতম পুন্নমক্কী ওইনা মণিপুরদগী শেত্তোকপীখি অমসুং তুংলমচৎকী লমদাং অমদা মৈত্রবাক্কী লমখৈ কায়হন্নবগী অমদি ঙমখৈগী পরীং থুগায়নবগী থৌরমগী মরু হুনখি।

থিবোমৈ/কোহিমাগী লমদম অসি খৃঃ ১৮৭৪ দগী বৃটিশকী মখুত্তা চনখিবসিদগী নাগা হিলস ডিষ্ট্রিক্ট শেল্লক্তুনা মফমসিদা বৃটিশ সিফাইশিংনা চহিসিদগী লৈরক্তুনা লল্লোন-ঈতীক্কী মিংদা/নামাদা বৃটিশশিংনা ফম্বা চল্লগা হীপ্পা চল্লি হায়বদুগী থৌদৌদুদা ভারতবর্ষবু মচেৎ-মচেৎ লৌশিনখিবগী খুৎলৌদুদা মায়কৈ অসোমগী মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হন্নবগী থৌরাংদা অমসুং অতৈ লমশিং খুদুম চনশিনবদা খুমাঙ চাওশিল্লকখি। খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল থাদা এঙ্গলো-মণিপুরী লাঞ্জাও, ১৮৯১ থোক্লক্লবদা কোহিমা অসি মণিপুরদা লান্দানবা বৃটিশকী মণিপুর ফিল্ড ফোর্স (Manipur Field Force) কী ওভর-অল কমাণ্ডর, ব্রিগেদিয়র-জেনরেল/মেজর-জেনরেল হেনরী কোলেট (Brigadier-General/Major-General Henry Collet, Over-all Commander, Manipur Field Force) কী হেড ক্বার্টর্স ওইদুনা মফম অসিদগী মণিপুরদা লান্দানবা খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল ২০, নিংথৌকাবা নুমিত্তা অচৌবা লান্মী তেঙ্গোল অমা পুদুনা খোঙশাল্লকখি [রাঃকুঃসঃ, ১৯৭৩, ৫৭-৫৯]। হায়রিবা খৃঃ ১৮৯১ গী লানসি বৃটিশনা মায়কৈ অহুমদগী তেঙ্গোল অহুম কোহিমা কোলম, শিলচর কোলম অমসুং তুমু/তমু কোলম হায়না মায়কৈ ফাংনা লান্দারকখি অমদি

মণিপুরীশিংনা লান্দা মায়থীদুনা শিলচর কোলমগী ট্রুপর নোৱেলসনা খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৭ কী অয়ুক পূং ৮ দা মুস্লিম হফিজ ফতেসাগী মতেংনা মৈতৈ কোনুং কংলাদা চঙদুনা বৃটিশকী য়ুনাইটেড কিংদমগী জাতিগী ফিরান য়ুনিয়ন জেক (Union Jack) য়ুংদুনা মণিপুরবু বৃটিশকী সাউথ-ঈষ্ট অমসুং সাউথ-এসিয়াগী লোইলমশিংদা তীনশিনখি।

বৃটিশশিংনা কোহিমাদা মখোয়গী লান্মী থম্বসি খৃঃ ১৯৩৯-৪০ ফাওবদা মণিপুরদগী চেঙ পীদুনা চৎখে [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৬৩২] অমসুং বৃটিশকী সিফাইশিং পল্টন/বেটালিয়নসি খৃঃ ১৯৪৭ কী আগষ্ট থা ফাওবদি, বৃটিশশিংনা ভারত থাদোকখ্রবদা মখোয়না মণিপুরগী লমদগী শেত্তোক্নুনা বর্ম্মীজ/গ্রান্মাশিংদা খৃঃ ১৮৩৪ দা শান্দোকখিবা (মণিপুর তাক্লমদে) মৈতৈ কবো তম্পাক (Kate/ Cassey Shan) তি মণিপুরদা চহিসিগী, হায়বদি খৃঃ ১৯৪৭কী আগষ্ট থাসিদা মণিপুরদা অমুক হঞ্জিল্লকখি [মঃবঃঘঃ, ১৯৪৮, ২]। অদুবু মখোয়না কারবার (লল্লোন-ঈতীক) গীনি হায়দুনা খৃঃ ১৮৭৪ গী এপ্রিল ১১ দা জিলা দরবারদা নীজদুনা লৌখিবা মমল পীদনা/লৌদনা শান্দোকপা) থিবোমৈ/কোহিমাগী লমসিদি মখোয়গী তুংলমচৎ থৌরাং অমগী মখাদা লৈবনা অমুক হন্না হন্দোকপীরমদে। নোংমাংখা মখোঙদা চুহী শেনফু/খরুঙ ১০০০ (লীশীঙ অমা) হৈদুনসু নোংমাংখাদুগী মনা মপান্নচিংবদু অমত্তা খক থুল্লক্তে।

ৱাখোল্লোন—

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহবু ভারতবর্ষগী বড়লাট লোর্ড নোর্থব্রুক্না মীটিং তৌসি হায়না পাউকৎচরগা খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট তারিখ ১১ দা শিলচর, লখিপুরগী বরাক খোংনুংদা মৈগী হিগী হিথক্তা তৌখিবা জিলা দরবার অসি, মথক্তা থমজখ্রিবা ৱাফমশিং অমসুং থৌদোক-ৱারীশিং অসিদা মিৎয়েং থল্লকপদা হৌজিক্কী মতমগী ওইবা মিৎয়েং পুরক্লিবা ৱারমশিংদিঃ—

(ক) ভারতকী বড়লাট সাহেবনা মখোয়গী পোৎয়োন-পোৎপৈফম অনৌবা লীংখৎনবা অমসুং মদুশিংদু ঙাক-শেন্নবা সিফাই পাল্টন (Platoon) অমা থম্মনবা লম ওইনা মতমদুগী থিবোমৈ কৌবা হৌজিক্তা কোহিমা মিংগৌনবা মফম/লম অসি নীবগী দরবারনি অমসুং মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা অফিং-

অফাই ওইনা তুংলমচৎকী থাজবা থমদনা লম অসি হায়রিবা নুমিৎ (তাং ১১।৮।১৮৭৪ ইংঃ লৈবাকপোকপা নুমিৎ) অসিদা মখল অমত্তগী মমল (অয়োনমল, অশানমল, লম্বানমন/লম্বানশেন/টেক্স) লৌদনা বৃটিশকী লল্লোন-ঈতিক্তা শীজিন্নবা পীখিবনি।

(খ) খৃঃ ১৮৭৪গী আগষ্ট তাং ৮ দগী তাং ১০ ফাওবদা নুমিৎ ৩নিগী মতমসিগী মনুংদা মাইব্যা তাম্রসিংহনা কছাড় লখিপুরদগী খোঙহৌদুনা শাংলবা লমশাং (মাইল ১৩২ নৎত্রগা কিলোমিটর ২১১.২), তম্পাক্তা মাইল ৩২ (কিঃমিঃ ৫১.২) চীঙলক্তা মাইল ১০০ (কিঃমিঃ ১৬০), মতমগী মায়োক্তা শীঙনদুনা লমশাং লমজেন (Marathon) চেল্লকখিবদু জিলা দরবারদুদা বড়লাট (Governor-General and Viceroy) গা ৱা-ঙাংনবদা অমসুং ৱারী শানবদা চঙগদবা, সাক্ষী-প্রমাণ ওইগদবা, খৃঃ ১৮৩৩ দা মপাবুং ঈবুংঙো রাজা গম্ভীর সিংহগা বৃটিশকা তৌনখিবা যুক্তি (Treaty/Agreement between His Highness Gambhir Singh, the Raja of Manipur and British India Government in 1833), মপাবুংসিনা চহিসিগী জানুঃ-ফেব্রুঃ দা লোই চনখিবা মণিপুরগী অৱাংগী ঙমখৈ অমসুং ঙমখৈ ৱাংমগী খুনশিং মমিং পরেংনচিংবা লাইরিক চাজুম (চা নমদুনা থম্বা মতুম) শিং অমদি মেপশিং লৌবা লাকপনি। মদুদা পোৎনপ ওইনা ধর্ম্মদা থাজবগী শ্রীশ্রীগোবিন্দজীগী নির্মল্য/লৈমন অমসুং মমা নীঙবা মচা ওইবগী মমাশীজ নিংথৌপোকপী (মাইস্না কুমুদিনী) গী পান্না খুত্তপকী খুদোল নপশিল্লকপনি। লমজেল্লোই অথৌবসি মৈতৈ কোনুংদা চহিসিগী আগষ্ট ৯ দা থুংলখি। পোৎলমশিং পুরগা অমুক হন্না চেনখিদুনা কছাড়গী লখিপুরদা আগষ্ট ১০ দা থুংখি। অমসুং চঙগদবা পোৎলমশিংদু মবুংঙো নিংথৌদা কৎখি। মাইব্যা তাম্রসিং অথৌবনা মতোমদা চেনখিবসি—

১) তাং ৮ লখিপুর কছাড়— শিলচর, কছাড় অরাপ্পা মাইল ১৪ (কিলোমিটর ২২.৪), মসি তম্পাক্কী লমনি। খোঙনা চেনবনি।

২) শিলচর-জিরি-মকু-বরাক-নুঙবা-ঈরং-খৌবুম-লৈমতাক-থোংজাওরোক বিষ্ণুপুরদা তাং ৯ দা থুংখি, মসি চীঙলক-মাল্লক্কী অতোং-অকুৎ মান্নদা-অকা-অকুম অনি লানবা চীঙ-লম্বীনি, অশাংবনা মাইল ১০০ (কিলোমিটর ১৬০) নি, খোঙনা চেনবনি।

৩) তাং ৯ বিষ্ণুপুর/লম্মাংদোং, মণিপুর-কংলা কোনুং অরাপ্পা মাইল ১৮ (কিলোমিটর ২৮.৮), শগোল লৈফোন অমা লম্মাংদোংদগী তোংদুনা কংলা কোনুংলেন্দা লাকখিবনি।

৪) কংলা কোনুংলেন মণিপুর– লম্মাংদোং, মণিপুর, অরাপ্পা মাইল ১৮ (কিলোমিটর ২৮.৮) নি, শগোল লৈফোন্দুদা লাকখি অমসুং শগোন্দু মপুদা পীরম্মী।

৫) লম্মাংদোং-থোংজাওরোক-লৈমতাক-খৌবুম-ঈরং-নুঙবা-বরাক-মকু-জিরি-শিলচর, চীঙলম্বীনি, অরাপ্পা মাইল ১০০ (কিলোমিটর ১৬০) নি, খোঙনা চেনবনি।

৬) শিলচর, কছাড়-লখিপুর কছাড়-তম্পাক্কী লম্বীনি, অরাপ্পা মাইল ১৪ (কিলোমিটর ২২.৪) নি, খোঙনা চেনবনি।

অসিনি। লম্বী লমশাংসি (মাইল ১৩২ নৎত্রগা কিঃমিঃ ২১১.২) অসি হঙ্গৎ-হন্দা (অরাপ্পসিগী অনিরক) চেনবনি, মরম অসিনা মাইব্যা তাপ্রসিংনা মাইল ২৬৪ (কিলোমিটর ৪২২.৪) গী অরাপ্পসি নুমিৎ ৩ (অহুমনী) দা, হায়রিবসি নুমিৎ অনিগা মখায়দা চেনখিবনি। ইম্ফালদগী লখিপুর অমসুং লখিপুরদগী ইম্ফাল য়ৌরসি নুমিৎ ১০নি (খোঙচৎ অমমমদা নুমিদাং ৫/৫ নি) চঙনরম্মী।

(গ) চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী জিলা দরবারসিগী মণিপুরদগী কছাড় জিলাদা লাকপগী খোঙচৎসিদা নোংজু পাম্বা ওইবনা থ্বাই/বরাক তুরেন ঈহৌরক্তুনা তুরেন, লৌনম্বান অমসু তোর্ব্বান নমখায়বা অমসুং কীহ্নবা থোক্তুনা বরাক তুরেন লাননবা লীতান থোং (থোং অহাইবী, থোংখোঙ য়াওদনা তুরেনগী নাকল অনি শম্নুনা থৌরী/য়োৎলী/লী/মরী তিংদুনা শাবা থোং) গী মরী তত্তুনা লৈরমদুনা তুরেন লানবা য়াদ্রবদা লৈশং যাত্রানা তুরেন্দা কুমথদুনা ঈরোইদুনা ঈরাল্লগা লীতান মরী শম্নুনবগী থৌরাং, মদুদা থোকখিবা খুদোংথীবা (কেক্রু পাম্বী, মশা-মরেং য়াম্না পানবা অমা তাউথরকখিবা) অমসুং লৈশং যাত্রানা মায় পাক্লকখিবা (ঈশিং মনুং ঈরুপ্তুনা কেক্রু পাম্বীদু তাউথহনখ্রগা তুরেন লান্দুনা চৎখ্রগা লীতান থোংগী লীতান মরী শমখিবা) অমসুং মহাকপু মতেং পাংখিবা বিনো যাত্রা অমসুং য়াম্ব্যা/য়াম্বেম্বা যাত্রাগী থৌওং-থৌদৌশিং নীঙশিঙনীঙঙাই ওই।

(ঘ) মতমদুদা কছাড়দা মরু ওইনা শিলচর, লখিপুর, মালুগ্রাম, খোইরেন খুননচিংবদা লৈবা মৈতৈ মচাশিংনা মৈতৈ নিংথৌগী হককোন্নবা দেবতা শ্রীবিষ্ণুবু দর্শন ফংজবা, ঈবুংঙোসিগী আরতি য়াওজবা অমসুং মখোয়গী মনিংথৌগী থৌজাল ফংজবদা হরাউ-নুংঙাইজখিবা, মীরমদম মীরৈপাক্তা পীদোন্ননা হিংবা পুন্সিশিংদুদা ঐখোয়গীসু ঈরৈপাক লৈ, ঈনিংথৌ পাল্লি হায়দুনা মমান্নবা প্রআরী কছাড়ী অমসুং য়ুমদাংলবা বাঙ্গালীশিংগী মফমদা চাওথোকচখিবা, মখোয়গী থম্মোই চাওখৎহনবীখিৰা মৈদিংঙুসিগী থৌরাংদু মৈতৈগী লীংজেন মান্নবগী লীপুন্নি।

জিলা দরবারসিগী লাইরিক

মৈতৈ জাতি মশাগী মরোন লৈজবা অমসুং মরোনসিবু ইননবা মশাগী ময়েক মৈদিংঙু খাগেম্বা হাক্তৰী খৃঃ ১৬১৬ তগী লৈজরকপা [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৩৬] জাতিনি। মরম অসিনা মালেমসিনা মশা মতোমতা উঙনা-উঙনা নুমিৎকী অকোয়বদা চৎলিবা খোঙচৎসিদা নুমিৎ অমসুং থাগী খোঙকাপ-খোঙথাংদা হোংলক-ওইরক্লিবা মহৌশা লাইরেম্বীগী অমসুং মীওইবা জাতিগী থৌদোক-ৰাথোক্কী ইশিন-খোমজিন্দুনা থম্বগী মচৎ-মনাৎসি লৈরকখি। অচৌবা, নীঙশিঙনীঙঙাই ওইবা থৌদোকশিং, ৰারীশিং, খুদম ওইনা, মৈদিংঙু ময়াম্বা/ ময়াংঙম্ব (গরিবনিৱাজ মহারাজ) গী বিজয় পঞ্চালী [মথক্কীসিদা, ১৩৮], জ্যোতিষ চন্দ্রিকা [মথক্কীসিদা, ১২৩/২৩৬-২৩৭], লঘু জ্যোতিষ চন্দ্রিকা [মথক্কীসিদা, ২৩৭], নিংথৌরোন [মথক্কীসিদা, ৩১৯], নিংথেম ময়ুমগী মৈহৌরোন [মথক্কীসিদা, ৩৭৯], ক্ষেত্রিময়ুমগী মৈহৌরোন (নাগরী), পাঙল লাইরিক নাগরী [মথক্কীসিদা, ৩৯০], ঔৰাঙম্বা [মথক্কীসিদা, ৩৯২], অসিনচিংবা ইদুনা নিংথৌগী/লৈপাক্কী লাইরিকশঙ (Royal/State Archives) তা থম্লম্মী। মরম অসিনা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা জিলা দরবার লেঙলুবগী ৰারম-ৰাফমশিংসিগী মরমদসু লাইরিক ইদুনা থম্মু হায়না মৈদিংঙু মশামক্লা সনা য়াথং পীখি। মরম অদুনা মতমদুগী পণ্ডিতশিংনা 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা' কৌবা লাইরিকসি খৃঃ ১৮৭৬ তা ইখি। মসিগী মরমদা পীরিবদিঃ—

কাংহুজাম্বা খেমাগী কুম শক ১৭৯৮... ২৭নি ঈরাই (খৃঃ ১৮৭৬ কী এপ্রিলগী তারিক ২১) দা শ্রীযুৎ স্না য়াথং খুমুজাম্বা পূর্ণচন্দ্র পণ্ডিতদা জিলা চঙবগী লাইরিক শেমও হায়না শিন্নদুনা শরাংথেমচা সূর্পানন্দ পণ্ডিত, থৌদামচা চাওবতোন পণ্ডিত ২না ফমদুনা খুন্দ্রাকপমচা জগসিং, য়ুমলেম্বমচা পেনা খোংবা, পাখংলাকপা ১, ২মসু য়াওনা ৪মনা সনা খোঙলেঙলুবগী ৱাবু মথংশীৎনা তাক্তুনা য়াম্বেমচা অঙাতোন ১, ঈরুংবমচা পাবুং ১, খুন্দ্রাকপমচা নুঙনাং ১, খোমদ্রাম লৈশং১, লাল্লুপচিংবা ৪মনা কর্ফাইচেদা কাঙ্গ্রুকোলোম পায়দুনা ইএ [মথক্কীসিদা, ৪২৯]।

অসিনি। মসিদা খুন্দ্রাকপম জগসিংহ, য়ুমলেনবা পেনা খোংবা অমসুং পাখংলাকপা অনিমগনা শৈরেং ওইনা থীরগা য়াম্বেমচা অঙাতোন, ঈরুংবম পাবুং, খুন্দাকপা নুঙনাং অমসুং খোমদ্রা লৈশং লাল্লুপচিংবা, মখোয় ৪ অসিনা কলম পায়দুনা ইখি হায়রি [ওঃভঃ, ১৯৭৯, (২)]। মসিদা য়াওরিবা য়ুম্লেম্বচা (য়ুমলেম্বমচা/য়ুম্লেম্বা) পেনা খোংবা হায়বসি মহারাজনা জিলা দরবার চৎপগী খোঙচৎসি য়াওরুরগা হেক হল্লকপা মমাশীজ নিংথৌপোকপী মাইস্না পোংলেনখোম্বী (ফম্বাল মিংনি) কুমুদিনীনা কৌদুনা জিলা দরবারগী থৌদোকশিংগী ৱারী লীহনখিবা মীশক্নি [মথক্কীসিদা, ৫৫]। অদুগা মহাকসি শ্রীযুৎ মহারাজনা কছাড় লখিপুরগী পোত্থা-নোংলেনশঙদা লৈরিঙৈদা চনম্বা বাপু পেনা হঞ্জবদা মহাক্কী মোইরাং কংলৈ-ঈশৈ (খম্বা-থোইবীগী ৱারীগী শৈরোন), শেমউ, চাওথোকহল্লু হায়দুনা তাকপীখিবদুগী মতুং ইন্না মণিপুরদা চনম্বা বাপুনা খম্বা-থোইবী ৱারীগী শৈরোনসি শেম্বদা য়ুমলেম্বা পেনা খোংবসি য়াওখিবা কলাকারনি হায়না থাজজে।

মথক্কী ৱারমশিং অসিদগী চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী জিলা দরবার (কছাড় জিলাদা মীটিং তৌরুবা) গী ঐতিহাসিক থৌদোক অসি লৈঙাক্লোনগী মিৎয়েংদা মতম অদুগী ফম্রবসু অমসুং মনিপুরী অমসুং বৃটিশকী মরীদা অকায়-অতোয় থোকখিদ্রবসু তুংলমচৎকী শাংলবা লমদাংদা শীংগৎ-মেনখৎপা ঙল্লরোয়দবা অমাঙবা অমগী লাং বৃটিশনা থাক্তুনা থল্লম্বগী খুদম অমসুং লংলা-লংজীন্নি। লমদম তান্নবা সমুদ্র ঈৱাংমা তরেত্তগী তাদনা লান্দুনা লাক্লম্বা মখোয়দি অথাপ্পা মৈতৈনা অমসুং নোংপোক ভারত মচাশিংনা পাক য়ৌবা ঙল্লোয়দবা মফম, মরৈপাক্তুদা য়েক্ল-তীঙখং, কল্লক-য়েংথীনবা, থরুম-লাইমন পুনবা, অমসুং

খৎন-চৈনবা লৈতনা পানখিগনি অদুবু মখোয়না লীংলম্বা অফবা চার অসিনা হূ চেনবা মহৈ পাল্লক্কুনা য়ুল্লোন-য়ুমথংনরিবা জাতী, কাংলুপ অমসুং ফুরুপ কয়াগী শাইজীন্দা মৈ চুনররগনি হায়বসি মখোয়দি মাঙজৌননা উখ্রবনি। মখোয়গী কান্নবা নৎত্রগা কান্নগদবা লৈরগা নকশিনবা, কান্নবা লোয়খ্রগা নৎত্রগা কান্নরক্ক্রগা থাদোক-লাপথোকপা; পোইনুগী মরুপ, ঈঙা-ঈঙেনগী চুরান-থাবনি। মখোয়না ভগবান বুদ্ধদেব অমসুং অমিতাব বুদ্ধগী লৈপাক্তা অমসুং ব্রহ্মা-বিষ্ণু-মহেশকী সম্রাজ্যদা অনৌবা রাজ্য লীংনবা শেনবী মুকাকলৈ মরু হুনবদি খোইজু লৈখাম ওল্লক্কনি। মরম অসিনা রাজনৈতিক লমদাংদা মণিপুরগী অমাঙবনি।

খৃঃ ১৮৭৪ ভারতবর্ষগী গোভণর-জেনরেল অমসুং ভাইসরোয়না মণিপুরগী নিংথৌদা থিবোমৈগী লম নীবগী ৱাফমসি মণিপুর অসি মনীঙতম্বা, মশা মতোমতা লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদাজবা অমসুং মনীঙ-মখা তম্বা নিংথৌনা পানবা লৈপাক্কি হায়বগী ৱাফমসি লৈবননি। মসি, য়ান্দবূ ত্রীটী, ১৮২৬ গী মতুং ইন্ননি। হায়রিবা ত্রীটীসিদা য়ান-ৱারম খর শিখ্রবসু অহিংবা ৱারম খরদি মতমদুদা য়াওরি অমসুং মসিগী অশিবা অমসুং অহিংবা ৱারমশিং, হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈরিবশিংদুগী ৱাফমদা মিৎয়েং থম্বগী মথৌ তাই।

জিলা দরবার অসি খুন্নাইলোন/সমাজনীতি অমসুং লাইনীঙলোন/ ধর্ম্মনীতিগী লমদাংশিংদদি মৈতৈ জাতিদা মঙাল কয়া পীরি। অকন-অথৌগী ফিদমশিং কয়া উৎলি। লাইয়াম নীঙবা মৈতৈ জাতীগী মপা-মপু হাক্তক্কী লাইশিং (য়ুমজাও লাইরেম্মা, চীঙঙু থাঙজীঙ কোয়রেন লাই, লাইয়িংথৌ পাখংবগী লাইনীঙশিং) দা লৈরিবা অচেৎপা থাজবগী মশক উৎলি অমসুং মতমগী খোঙথাংদা লৌরুবা হিন্দু ধর্ম্মগী দেবতাশিং (শ্রীবিষ্ণু, শ্রীগোবিন্দজীনচিংবা) দা লুপচ-ঙাওজবগী শক্তম উবা ফংহল্লি। মণিপুরদা বৃটিশশিংগী যুগ (খৃঃ ১৮২৫-১৮৯১ না লোইলম লৈঙাক্কী মমাঙ অমসুং খৃঃ ১৮৯১-১৯৪৭ না লোইলম লৈঙাক) তা মৈতৈগী শান্ন-খোৎনবা, থাঙ-তানচিংবনা মৈতৈগী মশক তাকপদুগী মনাক্তু ময়েক লানা উহল্লি। হৌখ্রবা ইতিহাসকী থৌদোকপু অমুক হন্না নীঙশিঙদুনা মখোয়গী ফিদম লৌদুনা হৌখ্রবা থৌদোক্কী নীঙদোন পোম্বা তৌরুদনা মৈতৈ লৈমা ঈমাগীদমক মরুভুমিদা গুহা তৌরুদ্রবসু অথৌবশিংগী মোংফমদা থাউমৈ অমত্তং কৎলুসি, মণিপুরগী শান্তি নীরুসি।

মরী মখোঙ উৎচবা

(ক) মৈতৈলোনগী অফোঙবা লাইরিক

১) চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫ – লাইরেনময়ুম ৺ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ: চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল-২০০৫)

২) ওঃভঃ, ১৯৭৯ – ওয়নাম ভোগেশ্বর: চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা (ইম্ফাল-১৯৭৯)

৩) রাঃকুঃসঃ, ১৯৬৪ – রাজকুমার সনাহল সিংহ, বি:কম: চীঙথংখোমবা গঙ্গা চঙবা/চৎপা (ইম্ফাল-১৯৬৪)

৪) রাঃকুঃসগুঃ ১৯৭০ – রাজকুমার সনাহল সিংহ, গুনেশ্বর: সৎজাল (ইম্ফাল-১৯৭০)

৫) ডাঃলঃচঃ, ১৯৭০ – ডাঃ লৈশাংথেম চন্দ্রমনি সিংহ: মণিপুর ইতিহাস (ইম্ফাল-১৯৭০)

৬) থাঃমঃসঃ, ১৯৭৪ – থাঙ্গা মাঙ্গোঞ্জাও সিংহ: মোইরাং কংলৈরোন (ইম্ফাল-১৯৭৪)

৭) রাঃকুঃসঃ, ১৯৭৩ – রাজকুমার সনাহল সিংহ, বি:কম: বীর টেকেন্দ্রেজিৎ সিংহ (ইম্ফাল-১৯৭৩)

(খ) মৈতৈলোনগী খুৎই লাইরিক

১) চঃজিঃচঙঃ, খুঃলাইঃ – চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা, খুৎই লাইরিক।

২) ৱাংঃশঃপু, খুঃলাইঃ – ৱাংখৈময়ুম শাগে পুয়া, খুৎই লাইরিক

(গ) ঈংল্রেজী লাইরিক

1) MT. L., 1992 – M.T. Laiba: Geography of Manipur (Imphal-1992)

2) N.B., XXX – Ningombam Basanta, Lecturer Thambal Marik College: The Historic Run of Maibam Tamra Singh (Imphal-XXX)

3) Ng. Eka, 1990 – Ng. Ekasini Devi: Pena (Research-Report No. 1)

4) Manipur Administration Report, 1973-7.

5) N.N.A., 1983 – N.N. Acharyya: Assam And Neighbouring States Historical Documents. (New Delhi-1983)

——()——

6৭

লৈশং যাত্রা

(কোনোক বামোন লৈশং শর্ম্মা)

ৱাহৌ-শৈহৌ

"লৈশং যাত্রা", অশুবা মিংলেন্দা কোনোক/কনক (গনক, Mathmetician or mathmetical astrologer) বামোন ('বামুন' derivative of Brahmana/ব্রাহ্মণ) গুরুময়ুম লৈশং শর্ম্মা, যাত্রা (Champion of Manipuri Style of wrestling), মণিপুরগী পাঞ্জিগী মহৈ-মশিঙ (Art and Science of astrology) গী ইতিহাসতা মমিং লৈরবা, মৈদিংঙু খাগেম্ব (খৃঃ ১৫৯৭-১৬৫২) গী স্না হাক্তক্তা মঙান নাইনা পাল্লম্বা কোনোক/গোনোক থেঙ্গ্রা/থেঙ্গরা (থেঙ্গুরা, থে:ঙ্গু-রাবা/থেঙ্গুলাবা, Male turtle/tortoise) গী চাদা-নাউদা/ধারাদা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ [নিংথেমপীশক, সনাহল নৎত্রগা ঈশ্বর সিংহ মহারাজ (খৃঃ ১৮৩৪-৪৪) নৎত্রগা মৈদিংঙু নাউজীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বা (খৃঃ ১৮৫০-৮৬), নাইট কমাণ্ডর ওভ ষ্টার ওফ ইন্দিয়া (কেঃসিঃএসঃআইঃ = K.C. S.I)] গী সনাহাক্তক্তগীনা মৈদিংঙু চুরাচান্দ সিংহ (খৃঃ ১৮৯১-১৯৪১) গী স্নাহাক্তক্কী অহানবা মশুঙ ফাওবদা মণিপুরদা লৈরম্বা অথোইবা মুক্না যাত্রা অমনি। মহাক্কী মৈতৈ বামোন যুম্নাক/শাগৈ অসিনা ওইরকখিবগী লমদাংদা পীবীরল্লিবদি—

মৈদিংঙু মুংয়াম্বা (খৃঃ ১৫৬২-৯৭) সনা হাক্তক্তা গৌরদেশতগি লাকপা কৈল্যাম্বরনা মতু লৌইনরকই। মানা রঘুনাথনে, শ্রীনাথনে অনি পোকএ। রঘুনাথনা নিংঙোল লাকপীনে কবো চনু পোরাসিনে, সাইখোম চনু চিন্তিনে ৩মা পান্নেয়ে। রঘুনাথনা গোনোক থেঙ্গরাগা মতাও শান্নে। থেঙ্গরাগী মতু শিরবদা রঘুনাথগি মতু অতোম্বী সাইখোম চনু চিন্তিবু থা ৩গী গর্ভগা লোইননা গোনোক থেঙ্গরাদা পিখিয়ে। চিন্তিনা কেশোর, জীবনাথ ২ পোকয়ে। গুরু ময়ুমদা চংখরে [কঃমীঃথঃমঃ, xxx, ৪; বাঃখুঃ,খুৎঃলাইঃ অমসুং বাঃমৈঃ,খুৎঃলাইঃ]

অসিনি। অদুগা কোনোক থেঙ্গ্রা হায়বসি কনানো, কদায়দগী হৌরকখিবগে হায়বসিগী মরমদা থন্বীরম্বদিঃ—

...অসিগী ৱাখুনবু থেঙ্গরানা খোংনাং থাবদা হংজবদা খোংনাং থাবনা লিবীখিরম্বা ৱানে। থেঙ্গরানা মহাক্কী মপোক অমরক হংজবদা খোংনাংথাবনা লিবীখি। "নহাকসু পাখংবগী ঈনে। মৈতিংঙু চলাম্বগী মনাইনুপী খুমন চনু থারৈমনা নিংথেমনুবী ওইবদা মঙোন্দা হাথদুনা লাইজ ঈরোন্নুংদা থা ৪গী খোংকাপ পুদুনা কোনোক মনিরামদা পিদুনা থেঙ্গরা নং পোকপনে। অদুগীদমকপু লৌদুনা কোনোক থেঙ্গরা হায়না মিংগৌখিবনে, খঙও, নহাক ঐহাক্তি সনামহি পাখংবগী সনা ঈনে, হায়বা খঙউ [নোঃঅঃ, ১৯৭৭, ২০৮-০৯ অমসুং মঃলাংঃলঃ, খুৎঃ লাইঃ]।

অসিনি। অদুগা কোননা অমুক মহাক (কোনোক থেঙ্গ্রা) কী ধারা-নালা/চাদা-নাউদাসি গুরুময়ুম শাগৈদা চঙদুনা (নপচদুনা/পক্কুনা) গুরুময়ুম (মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী গুরু অনি রামগোপাল বৈরাগ্য অমসুং পরমানন্দ আচার্য্য অনিগী ধারাশিংনা শাবা) ওইখিবনি।

লৈশং যাত্রা কনানো শক্তাকপা

লৈশং যাত্রাগী য়ুম্লাক অমসুং শাগৈগী মশক মথক্তা থমজখ্রে। অদুগা মহাক অসিগী মৈদিংঙু নাউজীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বগী স্নাহাক্তক্তা বামোন হঞ্জবা [বামোন হঞ্জবগী ফম অসি মৈদিংঙু ময়াম্বা, মেখলেশ্বর গরিবনিৱাজ মহারাজ, গোপালসিং, শমজোকঙম্বা, তখেলঙম্বা, ময়াংঙম্বা নৎত্রগা নোংপোক ৱাইরং পামহাইবা/পামহৈবা, ১বা (খৃঃ ১৭০৯-৪৮) গী মতমদা লীংখৎখিবা বামোন লোইশঙ (Brahmins' institution) গী লুচিংবা অমসুং লীংখৎপা মতমদুদা শেমখিবা ফম্লি, মতুং তারকপা মতম খৃঃ ১৭১৬ তা লৈরে [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৭৭], বামোন লোইশঙ মুখৎপ্রগা পঞ্চরতন, খৃঃ ১৭৯৭ তা পল্লে [মথক্কীসিদা, ১৬৯], 'নবরতন লাইশঙ', খৃঃ ১৮০৪ দা পল্লে, লোইশঙসি তারক্লগনি [মথক্কীসিদা, ১৮৪], অমসুং ব্রাহ্মণ সভা, খৃঃ ১৮৩১ দা পল্লে [মথক্কীসিদা ২৩৮], হায়রিবশিংসিগী অশীন-অরাং-থৌবুরেন (Secretary/Convenor)

ওইরকপা অমসুং ওইরিবা ফম্লি] ওইরম্বদগী পাঞ্জি শঙ (লোইশঙ্, পণ্ডিত লোইশঙদগী খৃঃ ১৭২৯ গী অদুৱাইদগী তোপ্পা খাইদোক্নুনা লৈরকপা [মথক্কীসিদা, ৮৯, ১২৩] লোইশঙনি) গী শঙলাকপা ওইবা ব্রাহ্মণ পাঞ্জি/ কোনোক কমলাকান্তগী মচানুপানি [মঃপ্রঃ, ১৯৯৬, ৪৩]। হায়রিবা লৈশং যাত্রাগী মপা কমলাকান্তসিগী মরমদা ফংলিবা ঈ-পাউ (Information) শিংদিঃ-

১) ...ৱারম মতৌ অসুম তৌনা পুরুল্লবগা থাকুর কমলাকান্ত পাঞ্জি শঙলাকপনা ঘট থাউমৈ, শেম, হৈরুক, পান-না লাকোয় থানা লাইরেন মৈদিংঙুনা ঈরাৎ থৌনীজরবগা লাইরেন খোঙকাপ মাপন থাংনা যাত্রা তৌহল্লে [ওঃভঃ, ২০০১, ২৭]।

মতাং অসি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা খৃঃ ১৮৭৪ গী জিলা দরবারগীদমক চহীসিগী জুলাই ৩১ দা কছাড় জিলা চৎনবগী খোঙশানবগী যাত্রা তৌবগীনি।

২) ...থাংজম চাওবগী কুম শক ১৭৯৬... ঈঙেন থা ... ৯নি লৈপাকপোকপ (তাং ২৩।৬।১৮৭৪ ইং) দা বামোন হঞ্জবা কোনোক কোমলাকান্ত, পূর্ণ হিদং ২মনা কোনোক চঙখি হায়দুনা শ্রীযুৎ স্না মাঙদা বামোন সভাগী বিচার তৌনবদা বামোন হঞ্জবদি কৈ/কই (Prison) দা শুমএ।... হঞ্জবা কৈদা নুমিৎ ৯নি শুম্ববু লৌথোকপী... [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪১৯-২০]।

৩) ...থাংজম চাওবগী কুম শক ১৭৯৬ ... থৱান থা... ১৭নি ঈরাই (তাং ৩১।৭।১৮৭৪ ইং) দা শ্রীযুৎ মহারাজ সনা খোঙলেঙএ। থৌগন ইনবা অঙম্বদি মচাঈবুংঙো ৱাংখৈরাকপা ..., মাইবা শঙলেনগী নিংথৌখোংজা গোকুলসিং পণ্ডিত, হৈতমচা (অরাম্বমনি) রোতোনসিং য়োয়রেন হঞ্জবা, লুৱাংশঙবা ফমইহিদং, খেন্দম্বা পাঞ্জি, কমলাকান্ত কোনোক হঞ্জবা, ৱাহেংবমচা শঙ্গোয়তাবা পাঞ্জি লাল্লুপচিংবা... [মথক্কীসিদা, ৪২০]।

মতাংসি চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা জিলা চঙবগীনি।

৪) ...হাওপুজাম্বা চন্দ্রসিংগী কুম শক ১৮০০ ... থৱান থা ৮নি লৈপাকপোকপ (তাং ৬।৮।১৮৭৮ ইং) দা পাঞ্জি কোনোক কমলাকান্তগা শোক্কী চুমই চুমদে হায়দুনা শ্রীমচাঈবুংঙো যুবরাজনচিংবা অঙম্বা পুন্বা য়াওনা ফমদুনা বিচার তৌনবদা শ্রীযুৎ মহারাজদা ৱাহম্বদা শ্রীযুৎ সনা য়াথং তাকপীএ। কমলাকান্তবু মফম থাই। কোনুং চঙহন্দে [মথক্কীসিদা, ৪৩৮]।

৫) ...খোকচাও চাওখোইগী কুম় শক ১৮০৩ .. কালেন থা ২৯নি শগোলশেন (তাং ২৬।৫।১৮৮১ ইং) দা কমলাকান্তনা পাঞ্জি খুৎপাইবু মীরৈপাক্কী খুৎপাইগা মান্নহনগে হায়দুনা শেন্নবু শন্বান্দুরাম পাঞ্জিনা অসিদি চন্দ্রাব্দ খুৎপাইদি কায়বা থোক্কে হায়দুনা শ্রীযুৎ স্নামাঙদা বিচার তৌনরবদা চন্দ্রাব্দগী পুং ৮ লৌথোক্লবদি কমলাকান্তদি লানবা থোক্কে হায়দুনা নিংথৌখোংদা লোই থাই ... [মথক্কীসিদা ৪৪৮]।

....ঈঙেল থা ৬নি লংমাইজীঙ (তাং ৩।৭।১৮৮১ ইং) দা কমলাকান্তবু লোইদগী পুখৎলে [মথক্কীসিদা, ৪৫২]।

অসিশিংসিনি। লৈশং যাত্রাগী মপাবুং কোনোক বামোন কমলাকান্তসি করম্না মতম ফাওবা হিংলম্নগে হায়বসি খঙবা ঙমদে।

ব্বারোল-ব্বাপুঙ

কোনোক বামোন মচা গুরুময়ুম লৈশং শম্মসি কোনোক/বামোন হঞ্জবা নৎত্রগা পাঞ্জি শঙলাকপা কমলাকান্তগী মচানুপানি হায়দুনা শক্তাকপসিদি মহাকপু মশক খঙবা ব্বাৎলি, মহাকপু শক্তাকপদা হেক্তমক খঙনবদি ''মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিনা জিলা দরবারগী কছাড় চঙবগী খোঙফমদা বরাক তুরেন ঈহৌ-ঈচাওদুনা লীতান থোংগী লীতান তত্তুনা লৈরল্লবদা লীতান থোংগী লীতান মরী শমখিবা নুপাদুনি নৎত্রগা মৃক্কা যাত্রাদুনি'' হায়বসিনি।

লৈশং যাত্রাগী পুন্সিগী চহি পাবা/হোৎপা

লৈশং যাত্রাগী পুন্সি চহি, কদায়দা, কৈদৌঙৈ পোকখিবা, করি লমদা করম্না হৌরক-চাওরকখিবা, করি মহৈ, কনাদগী তমলকখিবা, কদায় কদায়দা করি-করি তৌদুনা ফাওরক্লিবা, মণিপুরগী করম্বা মফম/লমদা করম্বা মতমদা লৈরম্বা, করি শীনফম তৌদুনা হিংলম্বা, মহাক্কী ঈমুং-মনুং করম তৌবা, কদায়দা, কৈদৌঙৈ করম্না নোঙ্গাখিবা অসিনচিংবগী মতম পাবা নৎত্রগা হোৎপা হায়বসি, মহাক্কী মপাবুং পাঞ্জি শঙলাকপা কমলাকান্ত অমা খঙলমগনি; অদুগা অতোপ্পা থবকসি খঙবা, হৈবা য়াবা মীশক অমা অমুক য়েংবা নৎত্রগা থিবা তারবদি মহাক

অদু মহাক্কী মপাবুংসিনা পাঞ্জিগী মহে-মশীঙ/বিদ্যা তম্বীখিবা লৈশং শর্ম্মা মহাক মশামকসিনি। লৈশং যাত্রা খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট তাং ৪ দা ঈহৌরকপগী ঈচেল অমসুং ঈরৈ কল্লবা থ্বাই/বরাক/সুরমা তুরেন (চাওরাক্লা ঈশিংগী শরুক খক্তদা মিটর ১৫০ রোম পাকপা) ঈরোইদুনা, মৈতৈ নিংথৌগী য়াথংদগী নিংথৌসিগী অখন্নবা মুক্লা যাত্রা অমা ওইনা, লানখি। ৱাফমসিনা তাক্লিবদি মহাক নিংথৌ খল্লে, লৈপাক-নিংথৌনা শক খঙলবা যাত্রা অমা ওইরে। অসুম্না নিংথৌনা শক খঙবসি, খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙগী নিংথৌ পানবা লৈপাক্কুগী অঙম-অথৌ, অকন-অরিং নৎত্রগা লোইশঙগী ফম্নাইবা অঙম্বা (Officer) নৎত্রগা ফম পায়বা মীশক (Ranking Pesonnel) অমা ওইবা মতমদুগী সরকারগী থবক চঙবগী নৎত্রগা লৈঙাক-শীশ্মী লৌবগী ৱায়েন-ৱাখুন্না চহি ৩০ (কুন্থ্রা) দগী তাবা শুপয়া য়ারমদে। মসিগী ৱায়েন-ৱাখুনগী মশক অদুদিঃ—

নিংথৌ শেনবদা কাবদি ... পিবাগা মথংগা অনিনা শেনগদবনে। ... নিংথৌনা ৱা হংদনা ৱা হংকৎফদে। চহি কুন্থ্রা (৩০) শুদবা মীবু ফম হাপহৈদে, নীঙ-মাঙগী ৱা খঙবা ৱাৎলে। মীসুং মহাকসুং মাঙনৈএ। মাগী মাগী পান্নবা শঙলাক কৈরুংবনা মী অসিদি মতীক ওইরে হায়না নিংথৌদা কৎলরবা মী অদুবু নিংথৌনা মফম হাপ্পীএ [নিঃখঃসঃ, ১৯৮৭, ৭; খঃচঃসঃ, ১৯৭৫, ৭; লাইস্রাঃ ফঃ, খুৎঃলাইঃ]

অসিনি। অসিনদি লৈশং শর্ম্মসি চহি ৩০ দগীদি তাদ্রে। অদুগা জিলা দরবারসি চৎপগীদমক্তা যাত্রা ময়াম মরক্তগী অথোই-অহেনসু ওইবা চহিসু অতৈদগী খর কল্লপ লৈবা যাত্রা ১৩ (তরাহুমদোই) খনগৎলকপা [রাঃকুঃসগুঃ, ১৯৭০, ১১৭] গী মনুংদা অহুমশুবদা য়াওরিবনি। অদুনা মতমদুদা মহাক মশাগী চহিসি ৩০ দগী ৪৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইনি অদুগা মহাক্কী থৌদৌদা বরাক তুরেন ঈরান্দুনা লীতান মরী শন্নুনবা য়াথং পীবদা হেক্তমক য়াখ্রিবসিনা তাক্লিবসি মহাকসি মশাগী মপাঙ্গলবু থাজজবা; মরৌশিঙ, মহৈনচিংবদা থাজবা থন্বা মীশক্লি— হায়বনি, অদুনদি ৱাখল খন্থবা ঙন্নবা, মাঙ-তুং নীঙ্থিনা উরবা মীওই অমা মতম অসিদা ওইরে, অদুনা মহাক চহি ৪০ (নিফু) গী ঙকয়া, নিফু তানখৎলক্লিবা মীনি। অসিগুম্বা মখলগী মীশিংসিনা থবক্কী লমদা মমিৎ থৌবা হেল্লি, লৈশং যাত্রাসিসু মমিৎ -মনা শিঙই, পাইরক্কী লৌশিঙ লৈ, খুদোংথীবা

করম্না হৌহনখিগদগে, কমদৌনা মশা লীখোক্কদবগে হায়বগী পোমিৎ নৎত্রগা লৌ উই হায়বসি মহাক্কী থবক্লা উৎলকখিগনি। মরম অসিনা মতম অসিদা (খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট থাদা) মহাক মশাগী চহি ৩৭/৩৮ রোমগী মতমদা লেপ্লা নৎত্রগা ওইহনবা য়াই। অসি ওইরবদি মহাক খৃঃ ১৮৩৬ (১৮৭৪-৩৮) গী অদুৱাইদা পোকখি হায়না পাবা য়াই।

পোকপা, চাওরকপা অমসুং মহৈ তম্বা

লৈশং যাত্রাগী মপাবুং কোনোক বামোন (গুরুময়ুম) কমলাকান্ত, বামোন হঞ্জবা নৎত্রগা পাঞ্জি শঙলাকপসি মতমদুগী কোনোক থিংঙেনগী লৈকায় (কোনোক থিংঙেন/থিংলেন মরূগী অকোয়বদা লৈতা-খুন্দারিবা লৈয়াৎ/লমতুপ) দা লৈবা মীশক্লি। মহাক্কী নৎত্রগা মহাক য়াওবা বংসা বলী পুরাণ (Genealogical history) ফংবা ঙমদবনা মহাক্কী তাল্লোই নৎত্রগা কোনোক বামোন লৈশং শর্ম্মবু পোকপা মমাগী মমিং পনবা/পীবা ঙমজদে। লৈশং শর্ম্মা কোনোক বামোন কমলাকান্তনা বামোন হঞ্জবগগা ওইদ্রিঙৈগী মতমদা খৃঃ ১৮৩৬, মৈদিংঙু সনাহল/নিংথেমপীশক্লা নিংথৌ ওইরগা যুবরাজ নরসিংহ [খৃঃ ১৮২৫ গী জুনদগী সেনাপতি, খৃঃ ১৮৩৪ গী এপ্রিল ২৪ দগী যুবরাজ, খৃঃ ১৮৪৪ গী ফেব্রুৱারী ৮ দগী খৃঃ ১৮৫০ গী এপ্রিল ১০ ফাওবা নিংথৌ ওইখি] না লৈঙাক্লিঙৈগী মতমদা থাংমৈবন্দ কোনোক থিংঙেন লৈকায়দা পোকখি। অদুগা মহাক হায়রিবা লৈকায়সিদা য়োক্লক-চাওরকখিবনি। কোনোক থিংঙেনগী মনীঙ/নোংচুপ্তা হেক থংননা লম্ফেলপাৎ লৈরম্বনিনা/লৈবনিনা গুরুময়ুমচা নৎত্রগা কোনোক বামোনমচা লৈশং শর্ম্মসি মশাগী চহি ১০ রোম শুরকপগী অদুৱাইদগী তন্বীরুবা নাইদনা খুৎহুম-ঈশীৎ তৌদুনা ঙাতান-ঙাফাবা তৌরমগনি, হায়বসি চেৎনা থাজে। হায়রিবা থৌদৌসি থৌওইনা তৌবা নৎত্রগা হিংননবগী লম্বী ওইনা শীঙ্থা ওইনবগী নত্তনা অঙাং ওইবগী শান্নবগী মখল অমা ওইনা পাংথোক্লমগনি। হায়রিবা চহি মতাংসিদগী খর হেল্লকপা চহি ১৪/১৫ গী মতম, হায়বদি অঙাং ওইরিঙৈগী খোঞ্জন-খোল্লে হোংখিবা, খোনফম-খোঙ্থাং লুম্লক অমসুং য়াক্লকপা, হকচাংগী ফিভম হোংদুনা অঙাং ওইরিঙৈ ফোপচাওনরম্বা খ্বাঙনা চেংলপ লাকপা, লেংদোন অনিনা ফনগৎলকপা, হকনুংদা ফমঃবী (বীর্য) চেল্লকপা, চাগোক মচি কারকপগী তাঞ্জা য়ৌরকপদদি

মহাক্কী ঈমুং অদুনা মহৌশাদগী লাইরিক শূরকপা, লাইশূদা থৱাই য়াওরকপা ওইবনিনা মমাঙদগী চাং নাইদনা পঙতম-তম্বীরকপা লাইরিক-লাইশূগী মহৈ-মশিঙ, পাঞ্জিগী বিদ্যাদু মতম নাইনা তম্লনবা, বামোন মচা ওইবগী পুন্সিগী লাইথৌ (জাত কর্ম্ম) দা লুগুণ/নগুণ থাংবা (উপ-নয়ন Investiture with the secred thred), লাইমিং লৌবা [নাম দীক্ষা (Consecration for initiation of the holy and auspicious name)] গা লোইননা বিদ্যা আরম্ভ তৌদুনা গনক পরম্পরাগী পাঞ্জি বিদ্যা তম্লম্লগনি। হায়রিবা মহৈ-মশিঙ অসিগী মহাক্কী গুরুদি মহাকপু পোকপীবা পিতাশ্রী কমলাকান্ত শর্ম্মনি। গুরুসিগী থৌজালদগী মহাক মহৈ-মশিঙসি নীঙথিনা হৈখি। অদুবু মসি মহাক্লা মহাক্কী মতমদুগী পুন্সিগী তুংলমচৎকী মতমদা হিংনবা পুন্সিগী লাম্ছেংবদা খুৎলাই ওইনবা মহাক্কী কোক্কী/থোপকী লকানুংদা চেৎনা য়োমদুনা থমজিনখি।

(লৈশংগী পাঞ্জি বিদ্যাগী গুরুদি মহাকপু পোকপীবা কমলাকান্তনি)

কোনোক বামোনচা লৈশংনা শঞ্জেন-শনঙাক গুম্বগী মতম অমসুং পাখং ৱাই ৱাই ফারকপগী তাঞ্জা খৃঃ ১৮৫০ গী মমাঙ অমসুং মতুংগী চহি ১০/১০গী তাংককশিংগী মতমসি মৈত্রবাক মণিপুরদা লৈরিবা মীওইশিংনা পাম্নবা, থাদোকপা-হুন্দোকপা য়াদ্রবগুম খন্ন-লৌনরিবা অমসুং তম্ন-তান্নরিবা মহৈ-মশিঙসি শা-লানগী মহৈ-মশীং (Education of Martial arts) সিনি। হায়রিবা মহৈ মশিঙসিগী হিরমশিংগী মখল-মথেলশিং, মরুওইনা থাঙগী মহৈ (থাঙ হৈবদা নরসিংহ, তা হৈবদা গম্ভীরসিংহ, হায়নৈ), তাগী মহৈ, নোংমৈগী মহৈ, শরিৎ-শরাক (সৎজালগী মহৈ), মুক্নাগী মহৈ, লীরুং-তেনগী মহৈ অমসুং আরম্বাই তেন-নাগী মহৈ— হায়না খাইদোক্কুনা লৈবগুম তৌই। মসিশিংসিগী মনুংদা নোংমৈগী মহৈ-মশিঙ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না নৌবা মহৈ-মশীঙনি [মৈতৈনা নোংমৈ/মস্কেট শীজিন্নবসি মৈদিংঙু মুংয়াম্বগী মাহাক্তক্কী খৃঃ ১৫৬৩ দগী হৌখি (চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ২৭)] অমসুং মসিগী হিরমসিদা অন্তরজাতিগী ওইবা থাক্তা ত্রেনীং চৎখিবা, অনৌবা, য়াম্না কুপশিন-লুশিনবা নোংমৈগী খুৎশূ-খুৎলাইশিংগী মহৈ-মশিঙ অমসুং অনৌবা পুথোক্লিবা

(শা-লানগী মহৈ-মশিঙগী মখল-মথেলশিং)

নোংমৈশিংগী মহৈগী লৌশিং ফংনবা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী সীলেট হেডকার্টর্স (Sylhet Headquarters) না শীন্দুনা খৃঃ ১৮২৪ গী সেপ্তেম্বর-ওক্তোবরদা থাকাদা তৌবা অতেনবা মতমগী তাকপী-তম্বীবা Training of/in short termed course) দা শরুক য়াখিবসি ঈবুংশীজ/রাজকুমার নরসিংহনি [গঃশঃ xxx, 32]। অদুনা বিদ্যাসিদসু সেনাপতি/যুবরাজ/রাজা নরসিংহনা খ্বাইদগী অথোইবনি অমসুং নোংমৈগী মহৈ-মশিঙসি মৈতৈ নিংথৌমচাশিং অমসুং নিংথেম মচাশিংনা খ্বাইদগী হেন্না পামজবা অমসুং খোয়দাজবা মহৈ মশিঙনি।

লৈশং যাত্রা মৈতৈগী শা-লানগী মহৈ-মশিঙদা নীঙ্থিনা তন্নকখি হায়বদি, থাঙ-তা শীজিন্নবা, নোংমৈ কাপ্পা অমসুং অফংবা খুৎলাই অমা পায়দুনা নৎত্রগা খুৎলাই পায়দ-য়াওদনা য়েক্লবগা লাম্বা তৌবা ঙম্নবগী লৌশিঙ, হায়বসি মহাক্লা খৃঃ ১৮৮৬ তা স্নখ্যা বরাচাওবা নৎত্রগা স্না উগ্রালসিংগী লানহৌদা স্নখ্যাসিগী মীচঙদা য়াওদুনা লাম্ছেংনখিবদগী খঙবা ঙম্নে। অদুবু হায়রিবা বিদ্যাসিগী মহাক্কী গুরু/ওঝাদি কনানো, মমিং-মথা করিনো হায়বা খঙবা ঙম্নদ্রি। অদুগা কোনোক বামোন মচা লৈশং শর্ম্মসি শা-লানগী মহৈসিগী মশা ওইনা লৈরিবা শরীৎ-শরাক্কী শাখায় নৎত্রগা মপাং ওইনা লৈরিবা মৈতৈগী মুক্না (Manipur Style of Werstling) অসি য়ান্না খোয়দাজরকখি। মহাক্লা হিরমসিদা মহাক্কী ওঝা গুরুগী কৃপাদগী অমসুং মশাগী-শাজেন অমদি হোৎনজমন্দগী মীকোক থোংলবা যাত্রা (Champion) অমা ওইরকখি। অদুবু মৈতৈ মুক্নাগী লম/হিরমসিদা মহাক মখুৎ পায়দুনা, মশা শাগোন্নদুনা মেত্তুনা শেম্বীরক্লিবা মহাক্কী থৌজাল হৈরবা ওঝা ঈবুংঙো, গুরু অথোইবা অদুগী মমিংদি হৌখিবগী মাল্লংনা পুখিদুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙনদ্রি। পুকচেল চাওরবা ওঝা/গুরু অদুনা তুংলমচত্তা নোংমা লৈপাক--নিংথৌগী কান্ননবা মহাক্কী পরুবান/সেবক অসিনা তৌরগনি খঙদুনা/খন্দুনা মহাক্কী চার/ফৌদিসি হুল্লন্নিব্রা? ''মৈতৈ মুক্না'' হায়বসিগী চাওরাকপা মশক অমা কোলোম্না য়েক্লুনা থম্বীরম্লিবদিঃ—

(লৈশং যাত্রাগী শা-লানগী মহৈ তম্নকপগী ৱাফমনি, মহাক্কী মহৈসিগী গুরুদি খঙদে)

(লৈশং যাত্রাগী মুক্নাগী ওঝা কনানো খঙনদ্রি)

মুক্না হায়বসি নিপা অনি মফি মখ্বাঙদা তাখত্তুনা শেৎনরগা মখুৎ অনি-অনিনা খ্বাঙগী ফি (কদায়বু কৌবগে) পায়নরগা খোঙ অমসুং খুৎকী লৌশিঙনা, মরু ওইনা, হকচাংসি মুক:নদুনা, নমদুনা তুহন্নবা হোৎনবা লৌশিঙগী মহৈনি। মীবু খোঙ-খুৎকী লৌশিঙনা, মরুওইনা মুক:নদুনা নমদুনা তুহললি, হায়বা মরমদগী মুকনা কৌবনি। তুবদি শান্নরিবা অনিমক তুমিন্নে, অদুবু মথক থংনা নমদুনা তুরিবা মীদুনা মুকনাদু লৌরে (থারে) হায়নৈ, মখা থংনা তুরিবদুনা মুক্না তুরে হায়নৈ [রাঃকুঃসগুঃ, ১৯৭০, ১৯৬]।

মৈতৈ মুক্না যাত্রা ফংখ্রবা, অফাওবা ওঝাশিংদি, ফনা অহল ওইরবসু মপাঙ্গল কল্লবা ব্রাং-চাওরবা, মুক্নাদসু যাত্রা ফংলবা নহারোনশিংনা মুক্না থাবা ঙমদে, খুদমদি, মপাঙ্গল কনবা হেল্লবা, নহাসু ওইরিবা লৈশং যাত্রা অমসুং থবি যাত্রানা অহনসু ওইরবা, পীকসু পীক্লবা, মপাঙ্গলসু শোল্লবা ব্রাংজীঙগী খুমন যাত্রাবু মুক্নাদা থাবা ঙমখিদে, মখোয় অনিবু ওঝাদুনা য়াম্না লায়না তুহনখি। অসুম্না হকথেংনবগী লৌশিঙদা মীনা লাকচবা য়াদবা মীবু লায়না লাকচবা য়ারবা মৈতৈ মুক্না হায়বা মহৈসি মৈতৈ নত্তনা পৃথিবীগী মফম অতৈদা, কনাগুম্বা জাতি অমত্তনা হৈরম্লোয় হায়বা য়াই [মথক্কীসিদা, ২৯৭]।

(১) মুক্নাগী ফিজেৎ অনি শুই, মদুগী মনুংদা অহানবদা ফিনুংগী হকচাং (লিঙ্গ) শোক্তনবা নিঙ্গি/নীঙকি [লেঙত (Underwear)] শেৎলগা, মদুগী মথক্তা কপ্রেং ফিজেৎ নৎত্রগা (মুক্নাগী ফিজেৎ) মাঙলোমদা কিশি কিরগা তুংলোমদা নামৈ য়েপ্তুনা শেৎনৈ। (২) ফি শিন্নগনি যাত্রাগুম্না, অহল খর ওইবা অমনা মুক্না শান্নগদৌরিবা অনিদু ফি পায়হনগনি [মথক্কীসিদা, ২৯৭]।

ফি পায়রমদায়দা লাম্বা অনিদু মহৈ মহৈ পাকথনগনি, পাকথবা ফিভমদি খোঙ অনিসি ওয়-য়েৎ ইঞ্চি ২৭/২৮ লোম ফাক্না, চপ মান্ননা, খুকউ কোন্না, হকচাং মাঙলোমদা তুথনা, য়াঙ চপ তিংনা লৈপাক্তগী খুদুপ অমরোম লাপ্পনা পাকথরগা খুৎ য়েৎ-য়েৎপু ওয়-ওয়না পায়নদুনা চিংশিন্নরগা মাগী মাগী পীরাই-ফি পায়গনি। ফি পায়নবা লোয়রগা যাত্রাদু (Captain) (মুক্না শান্নবা হৌনবগী শ্বা লমথাবা) হন্দোক্কনি, অদুগা অনিদু পাকথনমদুনা য়েৎ-ওয়দা ফৈনা-ফৈনা কোন্না-কোন্ননা চৎনদুনা মাগী মাগী

খুদোংচাবা হৈনবা লৌশিং তৌদুনা মুক্না থানবা হোৎনগনি। করিগুম্বদা, কনাগুম্বা চক্রি ফত্তবনা খুৎ য়েৎ য়েৎ ফি নীঙথিনা পায়নখ্রবদি, ওয়দি পায়হন্দবসু য়াই, ওয় পায়বা ঙমদ্রিঙৈদা লৌ হৌদুনা মুক্না থানবা হোৎনবদা বেরা লৈনদে [মথক্কীসিদা, ২৯৭-৯৮]।

অসিনি। মুক্না অসি মাগী মাগী লম-লম/লৈপাক-লৈপাক্কী ৱায়েল-কাংলোনগী মখা পোনবনি। পৃথিবীদা রেষ্টলিং (Wrestling) হায়রিবসিনি। মৈতৈগী অসিগা চপ মান্ননা ফিজেৎ শেৎনরগা অনি কোন্নদুনা তুহন্নবা হোৎনবসি চাইনীজ, (Chisese) টাই (Tai) শিংদসু লৈ, শান্নে। মৈতৈ জাতিগী হৌরকফম থিরগা মদুদগী পুরকখিবা মাল্লি, করিসু নত্তবদা লাইশিংদা পঙথৈদা থৈজিনবা, পোৎ খিবা খঙদ্রগা লাইনা লৌরম্মনি হায়দুনা লাইদা পঙতাইদা তাইনবসি [মথক্কীসিদা, ২৯৬] লৈপাকমচা তাবা ৱাৎলি। মৈতৈ মুক্নাসিগী ৱায়েন-ৱাখুন খর লৈ, মদুশিংদুদিঃ--

(১) হক্চাংগী মফম চাদবা অথীফম্মচিংৱা পায়বা য়াদে। করিগুম্বদা অমনা পায়রক্লবদি অতোপ্পা লাম্বাদুসু পায়বা য়াই। পায়রোয় হায়রগা মখুৎ অনিমক থাদোক্কনি, ফি পায়বা থারবদি পায়রিবা মীদুসু ফি থাদোক্লে, অদুগা অমুক নৌনা ফি শিন্নরগা শান্নে।

(মুক্নাগী ৱায়েল-ৱাখুল)

(২) মুক্নাদা খোঙনম্না লম্বাদুগী খুকউ মথক্কী ফৈবাক মনুংদা কাওবা য়াই, পঙনা কাওনদে। অদু নত্তনা খুয়ানা কাওবা য়াদে। খুৎনা ফুবা, থিনবা, খৌরী মেৎপা য়াদে। লৌ তৌনরকপদা খদাংনা ঙকথী চপ্লবদি য়াই।

(৩) মুক্নাদা ফৈগন মরূদগী মখা হুহ্না খুৎনা পায়নদে, ফৈগন মরূ কাওবদি করিগুম্বদা লৌ ওকপদা পায়নবা য়াওই, পঙনা পায়নদে। ফৈগন মরূদগী মখা থংবা খোঙগী শরুক্তা খুৎনা পায়নদে।

(৪) ফি শিন্নবা মতমদা, লৌ তৌরকপদা করিগুম্বা লৈপাক্তা খুৎনা শোকপা, খুকউ লৈপাক্তা শৌবা য়াদে, মদু মুক্না তুরে হায়না লৌনৈ।

(৫) লৌ তৌনরকপদা অনিমক চপ মান্ননা চেপ্পা নৎত্রগা উপ্পা তুমিন্নরবদি, মুক্না থাবা, তুবা হায়না লৌনদে, মদু ফৈদু (Draw) নি হায়না কৌনৈ, ফৈদু তুরবদি অমুক হন্না শান্নে।

(৬) ফৈদুদা, লৌ তৌরিবা নৎত্রগা ওক্লিবা মীদুনা মকোক মখৈতা ওইরবসু লৈখতুনা মথক থংনা ননবা ঙল্লবদি নল্লিবা অদুনা মুক্লা থারে, হায়না লৌনৈ।

(৭) মুক্লা থারিবা মীদুনা তুরিবা অদুবু নীঙথিনা কোন্নদুনা হৌগৎমিন্নে, থারিবদু মতোমতা হৌগৎনদে।

(৮) লৌ তৌনরকপদা অনিদু তোংঙান তোংঙান্না তানবদা অমনা উপ্পা তাবা, অমনা লোংনা তারবদি উপ্পা তারিবা নুপাদুনা মুক্লাদু থাবনি হায়না লৌনৈ [মথক্কীসিদা, ২৯৮-১৯]।

অসিশিংসিনি। অসুম্না মুক্লা হায়বসি শা-লানগী মহৈ-মশিঙ ওইনা লৈরম্বদগী মসিবু শান্নবগী মশান্না ওইনা ওহোকখিবসি মৈদিংঙু খাগেম্বগী ম্নাহাক্তক্কী ওইনা লৌনৈ। মৈতৈ মুক্লা অসিগী মায় পাক্লনবগী লৌ (Technique and Tactics) নৎত্রগা লৌশিঙ (Skill/knowledge) য়াম্না লৈ, মদুগী মনুংদগী মরু ওইবনি হায়দুনা পীবীরম্লিবা খরদিঃ—

(মৈতৈ মুক্লাগী মুক্লা থাননবা লৌ (Techniques/tactics)

(১) কপ্লাক কোৎপী– (ক) য়েৎকী কপ্লাক কোৎপী, অমসুং (খ) ওয়গী কপ্লাক কোৎপী, (২) খুকউ থৈ:বী– (ক) য়েৎলোমদা খুকউ থৈবী, (খ) ওয়রোমদা খুকউ থৈবী, (৩) নীঙগোং লংবা– (ক) য়েৎকী নীঙগোং, (খ) ওয়গী নীঙগোং, (৪) চেপচিং চিংবা– (ক) য়েৎকী চেপচিং, (খ) ওয়গী চেপচিং, (৫) হৈবোঙ কাবী– (ক) য়েৎকী হৈবোঙ কাবী, (খ) ওয়গী হৈবোঙ কাবী, (৬) লোংখ্রৌ লৈ:বা (লোংনা খুরৌ লৈবা)-- (ক) য়েৎকী লোকখ্রৌ লৈবা, (খ) ওয়গী লোংখ্রৌ লৈবা, (৭) য়েৎকী লোংখ্রৌ থক-ইন, (৮) খুদোং পুখৎপা– (ক) ওয়গী খুদোং, (খ) য়েৎকী খুদোং, (৯) খুচেপ হাইবী– (ক) য়েৎকী খুচেপ হাইবী, (খ) ওয়গী খুচেপ হাইবী, (১০) য়েৎকী খুদোং হাইপু, (১১) খুদোং অৱাংবা [মথক্কীসিদা, ২৯৯],

অসিশিংসিনি। মখোয়সিগী অকুপ্পা মরোন, খোঙলোন, খুৎলোন, হকচাংগী ফিভম-ফিদুপ্, খুৎহাই-খোঙহাইনচিংবা লৈরি। মসিদা মুক্লারোই নৎত্রগা যাত্রা অদুনা মানা মানা হৈনবা লৌশিংসু লৈরিবনি, অদুগা লৈশং যাত্রানা করম্বা লৌ পুবগে হায়বদুসু খঙবা ঙমদ্রি।

লাল্লুপ থৌদাং

লাল্লুপ থৌদাং হায়বসি খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙদা লৈরম্বা নিংথৌ পানবা মৈতৈ লৈপাক অদুগীদি নুপা ওইবা চহি ১৭ তগীনা ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংগীদি থাদোক-তোকথোকপা য়াদ্রবা লৈপাক্কী থৌগায় শরুক অমা অমসুং শীজিন্নরিবা লৈপাকসিগী পোৎলম-চৈরমশিংগী শীজিন্নবগী মমল, লমগী লম্বানমল নৎত্রগা (লমদুদা পাল্লিবদুগী/শীজিন্নরিবদুগী মমল) অমসুং অতৈ শীজিন্নমলশিং লৈঙাক মপুদা, লোইশঙদা পোত্থোক্কী শরুক খর নৎত্রগা শেল ওইনা পীবগী মহুত্তা পাঙ্গল অমসুং শূ-নোম্বগী মশক্কা মমল পীবা-থীবনি [নঃশঃ, ১৯৬০, ১০]। অদুগা লাল্লুপ হায়বসি লানগী মতমদা লান তৌনবা লান্দানবা, লান্দারকপা ঙাক্লুবা অমসুং লৈপাক কন্নবা লুপ (মীয়ামগী অপুনবা মপাঙ্গল) নি, শাগী মতমদা শা ফানবা লুপ্লি অমসু শা-লান লৈতবা, লৈপাক কায়না-মাঙনবগী ঈরাং লৈতবা মতমদা চাওখৎ-থৌরাংগী, শেন্দান-থুমদানগী, শীনশূ-শীছাগী ময়াম্না পুন্না থবক শূমিন-নোমিন্নবগী লুপনি। লাল্লুপ অসি মৈদিংঙু লোইয়ম্বগী মাং হাক্তক্তা মণিপুরদা হৌদোকখিবনি হায়না পীরি [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৯]। হৌদোক্লকপগী মচীনঙৈগী মতমদদি লাল্লুপ অসি ঈশেং শেংনা লানগী লুপ ওইরম্মী, অদুবু মতুং তারকপা মতমশিংদা হিরম-মরম ময়ামগী ওইবা লুপ (Multipurpose Association/Institution) ওইজরকখিবনি। লাল্লুপ অসি মৈতৈ নুপাশিংনা চহি অমা (নুমিৎ ৩৬০) গী মনুংদা নুমিৎ ৮০ (মরিফুনি)

(*লাল্লুপ কাবগী মতম*)

কাগনি। মসি নুমিৎ ৪০নি খুদিংগী মনুংদা নুমিৎ ১০নি লাল্লুপ কাবগী মচত্তা অমসুং চহি অমগী লেমহৌরিবা নুমিৎ ৪০নি অদুনা মী অমমমগী লাল্লুপ কোকপীবা নৎত্রগা লৈপাক্কী থবক্কী শীলেপ্পা/শীন হেনবা ওইনা উবা ফংজে। লাল্লুপ অসিগীসু অকক্লবা ব্রায়েল খর লৈরি। অদুগা মৈতৈ লৈপাক্কুদা লাল্লুপসি কাদবা, মৈতৈ নিংথৌনা কোকপীবা [Exempt] মী কাংলুপ, য়ুম্নাক/শাগৈ অমসুং মীশকশিং খরসু লৈ। লৈশং শর্ম্মা মশাগী চহী ১৭ (তরাতরেৎ) শুরকপা খৃঃ ১৮৫৩গী চহি অসিদগী হৌনা লাল্লুপ কাফম থোকপনি। অদুবু মখোয়গী ঈমুং অসিদা মহাকপু পোকপা মপা কোনোক বামোন কমলাকান্ত শর্ম্মা অসিনা মতমদুগী মণিপুর সরকারগী পাঞ্জি লোইশঙদা কাবনিনা নিংথৌনা লাল্লুপ কোকপীবা (Exempt) লুপশিং/কাংবুশিংগী মরক্তা

চন্দুনা লাল্লুপ কাখিরমদবগুম তৌই। অসুম্না পাঞ্জিশিংবু ঈকাই খুম্নবীবগী ৱায়েল অসি মৈদিংঙু লৈরেন নোংলেন শেন্দ্রেং মনিক খোম্বা নৎত্রগা নরসিংহ মহারাজ (খৃঃ ১৮৪৪-৫০) না খৃঃ ১৮৪৫গী মার্চ এপ্রিলদা হৌদোকখিবনি, মদুদিঃ-

...লুৱোংজাম্বা পত্রসিংগী কুম শক ১৭৬৬ ... লমদা থা ... ২২নি লংমাইজীঙ (খৃঃ ১৮৪৫ গী মার্চ ৩০) দা মমাঙদা চৎলম্বা বিশোইরৌ (Land/paddy field granted free of text subject to a topic/purpose of State/Kingdom work/service) য়ুম, অরাংবা, কৈরুংবা, পোৎশঙবা, বিশোই অসি খিবিকপু শ্রীযুৎ সনায়াথং শ্রীমনাউ ঈবুংঙো যুবরাজনা চিংনা চৈরাক্কী অঙম্বা পুম্নমতা হায়দোক্কুনা পাঞ্জিসু বিশোই চঙহনএ। স্নাউপু পায়হনএ [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ২৭০]।

অসিনি। খৃঃ ১৮৫৩ দা পাল্লিবা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিসিনা মতোন ঈবুংঙো মহারাজ নরসিংহসিবু য়াম্না লুনা নীঙজবা মরম্না মতোন ঈবুংঙোসিনা তৌরম্বা থবকশিংবু ঈকাই খুম্ননা ঙাক্কুনা থম্মী। মরম অদুনা পাঞ্জি কমলাকান্তগী ঈমুং লাল্লুপ কোকপীবা কাংলুপ্তা চন্দুনা পাঞ্জি কমলাকান্তগী মচানুপা লৈশং শর্ম্মা লাল্লুপ কাখিদে।

মুক্নাগী লমদাংদা খোঙদাবাঃ—

কোনোক বামোনমচা লৈশং, মৈত্রবাক্কী লাল্লুপ কাবগী অফা-অপুন্নবগুম্বা লৈপাক্কী থৌগায়-থৌসিদগী কোকপীবা কাংলুপ্তা চনবা/চঙবনিনা মহাক মহাক্কী চহি লোনগাগী মমান্নবশিংদগী খর হেন্না মশা কোম্মী, মথৌ শংই। মহাক্না লমফেম দা শঞ্জেন-শনঙাকপা, খুৎহুম-ঈশীৎপা তৌদুনা য়ুমগী ঈমুং-মনুংগী ঙাচেৎ-থুমচেত্তা তেংবাংলম্বদগী মশাগী চহি অমা-অনি কারকপদগীদি লাঙ্গোন চীঙদা কাদুনা শীঙজন-উয়ানবা, উশিঙশা মপান থিবা, অসিনচিংবা তৌদুনা নহা ওইবগী পুন্সিদু লেল্লি। অদুবু মহাক্কী পুক্নীঙনা য়াম্নমক পামজবদি অসুম্না ঈমুংগী য়ুম্বানবগী পোৎচঙ পাংবসি নত্তে। মখোয়গী মতমসিদা মণিপুরগী নহা পাখংশিংনা শারৈ-লাল্লেতবা, লৈপাক ঈরাং লৈতবা মতমদা নুমিদাংৱাইরমদগীনা য়াচঙ মতুং পুং অমা-অনিরোম চথনা খুনগী/খুন্দাফমগী শাবন লমহাংদা লৈপুঙ ফম্বগী নহা পাখংশিংগী মহৈ-মশিঙ তম্ফম অমসুং ঔরাইফমগী

(*লৈপুঙ ফম্বগী মহৈ-মশিঙ তম্ফম অমসুং ঔরাইফম*)

মশক অসি লৈরবনি। লৈপুঙ ফম্বসি পাখংশিংগী তীন্ন-উনফম, লৈপাক্কী ঈ-পাউ লৌফম, মহৈ-মশিঙ— মুক্কা, শরীৎ-শারাক, চেঞ্জোং-মাঙজোং, খোঙজোং-খুবৈনচিংবগী তাক্ল-তীক্লফম, ঔরাইফম, শাজেনফম ওইনা তৌবনি। মসি খুনগী পাখংফাল লৈরম্বা মুৎখিবদগী নহা-পাখংশিংগী তীন্ন-উনফম লৈরক্তবদগী থোক্লকখিবনি। হায়রিবা লৈপুঙ ফম্বসিদা মথৌ শঙলবা অহল অমা-অনিদি য়াওনৈ, মখোয়না মৈতৈগী নৎত্রগা অতৈ জাতী/কাংলুপকী মরু ওইবা ৱারী-শীঙবুন লীবীদুনা পাখংশিংদুবু তাহল্লি, লৈপাক্কী, চৎনরোন, মীওইবগী লমচৎ-শাজৎ, অসিনচিংবগী পাউতাক কয়া পী; পরা কয়া মরুম তম্বী, শাফম-লানফমগী থেংনরকপা মহৈ-মশিঙ্‌শিং তাকপী। মসিদা ইনখৎলক্লিবা পাখংশিংদুগী মশানা মশাবু ঙাকচবা ঙম্লবা মরুওইনা, মুক্কা অমসুং শরীৎ-শারাক্কী মহৈসি তাকপী-তম্বী, অমগা অমগা হকথেংননা চাংয়েং তৌনহল্লি।

লৈপুঙ ফম্বগী নুমিদাংৱাইরমগী প্রোগ্রাম অসি কোনোকচা লৈশং চিংখবা লৈতে, য়াম্না থৱাই য়াওজে, মুক্কাগী লমদাং লাকপদদি মহাক হেক্তমক মুল্লি, খুদোংনা করম্না পুখৎপা, লোংথ্রৌনা করম্না য়েৎপা, হৈবোং কাবীনা করম্না কাবা, ফিনা কদায়দা করম্না পায়বা, ফৈদুনা করম তৌবা, হায়বনচিংবদা থৱাই তানা পুক্নীঙ চঙনা য়েংলম্মী। মহাকসি হৌরকপা মতমদগী হৌনা য়াম্না চাওবা মীজাও— মীশাং হায়বদুদি নত্তে, মী পীকপা হায়বদুসু নত্তে, তোংগাননা ফুট ৫গা ইঞ্চি ১০ (মিঃ ১.৮২) রোমগী চাংদা ৱাংবা, মশাগী হকচাং মরুঙ থারপ তৌনা, খোঙ-খুৎ শিঙবা ওইনা হৌরকখি, কুচু কুমেন শেংনা পুল্লে নৎত্রগা লফু লায়োন মচুগী লমযৌবা কুচুগী মীওইনি, মায়দাদি শাংলপ তৌনা শগোল মায়দা তাবা মীশক্লি, ফি শেৎলগা সধারন মতৌ, ফি লৌথোক্লগা তোংশানা মচি কাবা (Muscular ওইবগী) মতৌ লৈবা শাবান-মূর্ত্তিগী মীনি (মহাক্কী ফোটো পিকচরদসু য়েংবীয়ু)। মথোক কারকপা পাখং মচা ফারকপা, শঞ্জেন-শনঙাক ঙম্লকপা চহি ১৪/১৫ গী লোনগী মীওই অমা ওইরকপা মতমদগী হৌনা মমান্নবশিংগা লাক্ল-ফানবা, চিংনা-খাঙনবা, কোন্না-নম্নবা, অসিনচিংবদা মমান্নবগী মখা থারক্তবনি; কোনোক খুৎনা হৈবা, বামোন খোঙনা শিঙবা, লৈশং লাক্ল-ফানা থৌবা, হায়না মমিং লৈরকপগুম তৌই। অদুগা মহাকসি, ওক্লেন তোমচৎপা, তেকপী নাইতোম চৎপগুম্না তৌই।

(লৈশং যাত্রাগী মীওই-মীতৌ, শাবান-মূর্ত্তি, কুচু-কুমেন)

বামোন লৈশংনা লৈপুঙ ফম্বদগী মৈতৈ-মুক্লাগী ঈ-পাউসি ফংবদগী মহাক হিরমসিদা খোঙদাগে হায়না খঞ্জখি। মরম অদুনা মহাক্লা বিদ্যাসিদা ওঝা নাইনা তমগে হায়না লেপখি, মসিদগী মহাক মৈতৈ মুক্লাগী মমিং চৎপা ওঝা গুরুশিং থিবা হৌরক্লে। করিগুম্বা মহে অমদা ওঝা নাইদুনা তম্বগা ওঝা নাইদনা তম্বগা অনিগী খেন্নবসি মহাভারতকী তেনহৈবা দ্রোনাচার্য্যগী সেবক/পুরুৱা অনি-- একলব্য অমসুং অর্জ্জুন অনিনা খুদম-চাংদম ওইদুনা লেপ্লি। মরম অসিনা মহাক্লা মুক্লাগী মহৈ-মশিঙসিগী মহাক্কী ওঝা ওইবীনবা ওঝা অমা থিরকখিরম্মী। মহাক্লা মহাক্কী ঈকাই খুম্নফম ওইরবা ওঝাদু ফংজখি, ওঝাদুদগী মহাক্লা মতীক চাবা মুক্লাগী মহৈ-মশিঙশিং মশাগী চহি ১৫ দগী চহি ২২ ফাওবা চহি তরেৎকী মতমদা মহৈ-মশিঙসি তমজখি। হায়রিবা ওঝাসিগী পাউতাক মতুংইন্না চহি অনি, মৈত্রবাক্কী ইম্ফাল-মণিপুর তম্পাক থুংনা কোয়দুনা মতমদুদা লৈরম্বা মুক্লাগী মমিং লৈবা/চৎপা ওঝাশিংগী মফমদগী লৌবা য়াবা মুক্লাগী লৌশিং (Techniques/tactics) অমসুং তানশিনবা য়াবা বিদ্যা/মহৈ-মশিঙসিগী লৌশিঙশিং (Knowledges) তানশিনখি। অদুবু মহাক্কী ঈকাই খুম্ননীঙঙাই ওইরবা ওঝা ঈবুংঙোদুগী নাম/মিংলেন্দি খঙবা ঙম্মদে।

কোনোক বামোন মচা লৈশং শর্ম্মনা মশাগী চহি ২২ শুরকপা খৃঃ ১৮৫৮ গী মতমদগী হৌনা মণিপুরগী মুক্লা শান্নবা মফমশিং, মরুওইনা, মৈতৈগী উমংলাই হরাউবগী লাইবুঙশিং— সনাকোনুংগী পাখংবা হরাউবা, খুরাইগী পুথিবা হরাউবা, চীঙমৈরোঙগী চীঙ্গোন-নিংথৌ হরাউবা, লমফেলগী লাঙ্গোন নিংথৌ হরাউবা, হৈঙাংগী মার্জিং নিংথৌ হরাউবা, লমদেংগী পোইরৈতোন হরাউবা, ফয়েংগী সরারেন হরাউবা, ফোইজীঙগী খোরিফাবা হরাউবা, পোৎশঙবমগী পাঙ্গনবা হরাউবা, নিংথৌখোংগী ওক্লরেন অমসুং থংনরেন হরাউবা, মোইরাংগী থাংজীঙ হরাউবা, কুম্বীগী শঙ্খোঙ নিংথৌ হরাউবা, থাঙ্গাগী চীঙনিংথৌ হরাউবা, শুগ্নুগী ৱাংব্রেন হরাউবা, চাইরেনগী হৈয়াইনু পাঙ্খোইবী হরাউবা, লাংমৈদোংগী পাখংবা হরাউবা, ককচীঙগী খম্লাংবা হরাউবা, অন্দ্রোগী পনমনিংথৌ হরাউবা, সেকমাইগী কৌব্রু হরাউবা, তাংজেংগী লোকনিংথৌ হরাউবা, কাংঙমুংগী লোইয়ারাকপা হরাউবা, থৌবাল তোমচীঙগী নোংপোক নিংথৌ হরাউবা, অসিনচিংবা কোয়না চত্তুনা লাই হরাউবগী মুক্লা য়েংবা অমসুং খুদোংচাবা ফংলগা

শান্নবা য়াওবা মফি য়োমদুনা, চেঙজেন্ পুদুনা মুক্লাগীদমক্তা হোৎনরকখি। অসুম্না হোৎনরকপা অসিনা চহি অনিরোম লৈরগা মহাক যাত্রা হায়বা মিংথোল/ উপাধী (Title) অসি খৃঃ ১৮৬০ গী অদুৱাইদা, মশাগী চহি ২৪/২৫ গ চহি মতাংদা ফংখিরম্মী। অদুবু মহাক্লা যাত্রাগী মিংথোলসি করম্বা মফমদা কনা-কনাগা মুক্লা শান্নবা, কনা কনাবু মুক্লা থাদুনা অমসুং কনানা পীদুনা যাত্রা ফংগ্রিবনো হায়বদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙদবগী ফিজঙনুংদা লৈরি। মহাক্লা যাত্রা ফংখিবগী লমদাংসি ইম্ফালগী কংলাগী লাইয়িংথৌ পাখংবা হরাউবদা নৎত্রগা ইম্ফাল কংলৈগী লৈকোক-লৈকায় মরিগী মনুংদা লৈরিবা উমংলাই লাইবুংশিং— হেস্নাম পান্থোইবী, খুরাই পুথিবা, মোংখাংলম্বীগী ৱাংব্রেন, শীঙজমৈগী য়াওরৈবী (ময়েংবম লৈকায় লাইরেম্বী), পাউনমগী লাইয়িংথৌ ঈশিং চাইবা/লীশীঙচায়বা (নাগমপান), শল্লানফমগী মারজিং, চীঙমৈরোঙগী চীঙ্গোননিংথৌ, উরিপোক/শগোলবনগী খল্লাংবা, তেরাগী অমুদোন লাইয়িংথৌ, ক্লাকৈথেলগী নোংশাবা, নোংমৈবুঙগী কোল্লোয়লৈমা, থাঙমৈবনগী কোয়রেললৈমা (খুম্থোকহানবী), অসিনচিংবা লাইবুঙ অমদগী ফংখিরম্বা য়াই হায়না থাজজে।

(বামোন লৈশং শর্ম্মনা লৈশং যাত্রা ওইরকপা)

য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাবা

বামোন কোনোকচা লৈশং যাত্রানা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাখিবসি মহাক্লা যাত্রাগী মিংথোল অসি ফংলবা মতুংদা পাংথোকখিবা মাল্লি, মরমদি হায়রিবা মতমসিগী মমাঙদদি মহাক অতৈ মহৈ-মশিঙশিং— ইবা-পাবগী লমদাংদা কনক /গনক পাঞ্জিগী মহৈ-মশিঙ, শা-লানগী মহৈ-মশিঙদা থাঙ-তা অমসুং নোংমৈগী বিদ্যা অমদি হক্কন-শাকন্নবগী মহৈ-মশিঙদগী শান্না-খোৎনবা ওল্লকপা মুক্লাগী মহৈ-মশিঙশিং তম্ননবা হোৎনবদা হকচাংনা মতীক ওক্লবসু, মপা অমা ওইবা য়াবগী মহী-ময়াই চেল্লবসু থোইদোক্লা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা ৱাখল থমখিদবগুম তৌই। অদুগা মহাকপু পোকপীবা মপাবুং ঈবুংঙোনসু মহাক্লা পামজরিবা মহৈদুদা পুক্লীঙ পীথোকখিবদু খঙবা-উবদগী হিরমসিদা মহাক্লা তৌরকপা-পায়খৎলকপদা অথিংবা, য়ৈথৎপা, মপুক্লীঙ পীকথহনবা, থৌনা হলহনবা অমসুং য়েৎপীবা তৌদনা কাও থাবগুম থাদুনা মহৈদুদা মায় পাক্লবা,

মীথক থোংনবা হোৎনহল্লকখিবনি। মরম অসিনা মহাক্লা পামজবা মহৈদুদা মায় পাক্লবা, হায়বদি যাত্রাগী মিংথোন ফংলবা মতমসিদদি মী ওইনা হিংবা-পানবগী চৎলম-লমচৎ, চৎন-লোনচৎ অমদা চঙশিনবদা মহাক মশানসু য়ানীঙলমগনি অমসুং অহল-লম্মনশিংনসু পাল্লমগনি। অদুবু মহাক্লা পুন্সিগী খোঙবু/খোঙলোই ওইনা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদামিন্নখিবী মহাক অদুগী মমিংনা করি কৌবগে, করম্বা য়ুম্নাক-শাগৈগী চনুরানো, লমদম কদাৱাইদগীনো, হায়বনচিংবগী ঈ-পাউ অমত্তা ফংবা ঙমদে। অদুগা মহাক্কী য়ুম্বানবগী পুন্সিদুগী মরন্নাই ওইবা মপুন্সি (Private life) অদুগী মরমদসু করিসু খঙবা ঙমদ্রি, অদুগা মহাক্লা মহাক্কী য়ুমলেপ চার লীংলমই নৎতনগা লীংলমদে, হায়বসিসু খঙদবগী ফিজঙনুদা লৈরি।

(লৈশং যাত্রাগী নুপী তালোই কনানো, মমিংনা করি কৌবগে)

পানা/লৈকায় শঙলেন লোইশঙদা লৈশং যাত্রা

লৈশং যাত্রা, মহাক্কী পাঞ্জিগী মহৈ, অতৈ তুংলমচৎকী খাক্কুনা থন্নগা খৃঃ ১৮৬০ দগীদি মুক্লাগী যাত্রা (Champion) অমা ওইনা মুক্লা শান্নরোই (Wrestler of Manipur style of wrestling) অমা ওইনা মমিং লৈরক্লবনা মমান্নবগী মীরক তীনবা ঙম্মনবা মণিপুর সরকারগী লোইশঙদা চঙজবা হৌরে। মপা-মপুনা থোং থারম্বা মচানিনা লোইশঙদা চঙবদা থোইদোক্লা অদু-অদাগী ৱা হায়দে। অদুবু মহাক মপাবুংনা কাবা পাঞ্জি লোইশঙদা কাদে। অহল্লুপ পানাগী লৈকোয় লৈকায় ওইরিবা খ্বাই লৈকায়গী লোইশঙদা কায়। মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী লমগী লৈয়াৎ য়াৎপদা পানা মরি (অহল্লুপ, নহারুপ, লাইফম অমসুং খাবম) না খুঙ্গংলম (Rural area) গী ওইনা অমসুং লৈকায় মরি (খ্বাই, য়াইস্কুল, খুরাই অমসুং ৱাংখৈ) না কংলৈলম (Urban area) গী ওইনা খায়দোকই। অদুনা শান্ন-খোৎনবগী ওইনা পানা তরুক [হান্নগী অহল্লুপ, নহারুপ, লাইফম অমসুং খাবম) অদুগা নাই (Slaves and servants) শিংগী ওইনা/বা 'হীদাক ফানবা' (মখোয় মখুৎকী নৎত্রগা মখুৎনা লানবা/খনবা মৈখুহীদাক্কু ঈনিংথৌনা/মৈদিংঙুনা ফানবী-থকপীবা মীশিংগী লুপ) গী পানা অমসুং লোই (Tributary or Tribute-payer) শিংগী ওইনা/ওইবা

(লৈশং যাত্রাগী পানানা অহল্লুপ, লৈকায়না খ্বাই লৈকোয়-লৈকায়)

'পোৎশঙবা' (ময়েক্কী ওইনা লোইপোৎশিং মাঙদা-হুখিদনবা য়েংবা-শঙবা, অদুবু চৎনবীদা লোইপোৎকী পোৎনা/খাজনা/পোৎলমশিং পীরিবা মী কাংলুপ-ফুরুপকী মীশিংগী লুপ) গী পানা, অনি অসিগা ম্নাওনা] অমসুং লৈকোয় লৈকায় মরি [লৈকায় মরিসিগী লমখৈ লমকন মনুংদদি লোই খুনশিং নৎত্রগা লোইমীশিং/লোই-খুঞ্জাশিং লৈতে] গী লুপশিং অসিনি। মখোয় পানাশিং অমসুং লৈকায়শিং অসিগী ফিজেৎ-ফিজোনগী মচু তোংঙাল্লি [য়ুনিফোর্ম/Uniform মচু মান্নদে, খেন্ন-খেন্ননা লৈ] অদুগা লৈশং যাত্রানা কারিবা লোইশঙসিদা ওইরিবসি অকন-অথৌ, মুক্নাগী অথোইবা শান্নরোই ওইননি। মসি তশেংনমক শামী-লাম্মীগী শীনফম/থবক (Military Service) নি। মৈতৈগী/মণিপুরগী লাম্মীসি মৈদিংঙু চীঙলেন-নোংদ্রেনখোম্বা নৎত্রগা রাজা গম্ভীর সিংহনা বৃটিশকী মতেং লৌদুনা খৃঃ ১৮২৪ গী মার্চ-এপ্রিলদগী শেমখিবা অমসুং খৃঃ ১৮৩৫ গী ফেব্রুৱারী ৭ তগী বৃটিশনা থাদোকখ্রগা মণিপুর মশাগী ওইজহৌবা মণিপুর লেভীগী রিগুলর আর্মী নৎত্রগা সিফাই লাম্মী, শমজিল্লগা সিফাই (মসি খৃঃ ১৮৯১গী এপ্রিল ২৬ ফাওবা হিংলম্মী) অমসুং মণিপুরগী নিংথৌ পানবা লৈপাক লীংখৎলকপা খৃঃ ৩৩/৩৪ দা লীংখৎখিবা, অদুগা খৃঃ ১০৭৪-১১২২ দা নৌনা মশক শেমখিবা ইরেগুলার আর্মী নৎত্রগা ভোলুন্টরী মিলিসিয়া (Irregular army or Voluntary militia), লাল্লুপ লাম্মী, শমজিল্লগা 'লাম্মী' অসিনি। মখল অনিসি খৃঃ ১৮৯১ গী মলেস-মৈতৈ লাঞ্জাও (Anglo-Manipuri War, 1891) দা সিফাই লাম্মী ৫০০০ অমসুং লাল্লুপ লাম্মী ১২,০০০ খক শীজিন্নখি [ডাঃলৈঃচঃ, ১৯৭০, ২০২]। হায়রিবা মৈতৈ লাম্মীশিংসিদা লৈশং যাত্রাসি লাল্লুপ লাম্মীগী কাংলুপ অসিদা লৈ অমসুং মসি লৈরিবা লাম্মী/লাল্লোই, লাল্লোইরেন, লাল্লুপচিংবা অমসুং হাজারী হায়রিবা ফমশিং অসিগী মনুংদা করম্বা ফম নৎত্রগা থাক্তা লৈরম্বগে হায়বসু খঙবা ঙমদে। অদুগা শামী-লাম্মীগী থবকসি নত্তবা মীচম-মীয়ামগী থবক (Civil service) তা মহাক করি ওইরম্বগে? পানাগী/লৈকায়গী লোইশঙলোই (Unranking

(মণিপুরগী শান্ন-খোৎনবগী ওইবা পানাশিং)

(মণিপুর গোভর্নমেন্টকী লাম্মী মখল অনি, লাল্লুপ লাম্মী অমসুং সিফাই লাম্মী কৌই।)

(কোনোক বামোন লৈশং শম্মগী মীচম-মীয়ামগী থবক্কী পায়রম্বা ফম)

Official), পাউখোল্লোই (Peon/runner), কৈরুং-হিদং, শেল্লুং-হিদং, কৈরুংবা, শেল্লুংবা, লোইশঙ-হিদং অমসুং লোইশঙ হঞ্জবা, অসিনচিংবগী মনুংদা মহাক করি ওইরম্বগে, পাঞ্জি-লোইশঙদসু মথক্কী ফমশিংসি লৈরিবনি, মসিগী মথক্তা পাঞ্জি-নহা, পাঞ্জি, পাঞ্জি-শঙলাক হিদং, পাঞ্জি-শঙলাকপা অসিনচিংবসু লৈরিবনি। মহাক পাঞ্জি-নহা নৎত্রগা পাঞ্জি ওইনা লোইশঙ কারম্বগী ব্রাফমসু লৈতে। মহাকপু মৈতে লৈপাক্কী পানা/লৈকায় অমগী মুক্না যাত্রা অমা ওইনা লৈপাক্লা শকখঙনা লৈ হায়বসিদি মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা জিলা দরবারগী জিলা চঙবগী ব্রারোন্দগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে [ওঃভঃ, ২০০১, ৩৭-৩৮; চঃজিঃচঙঃ, খুৎঃলাইঃ অমসুং রাঃকুঃসগুঃ, ১৯৭০, ১১৭]।

খৃঃ ১৮৬০ দগী ১৮৭৪ গী জুন ফাওবদা

বামোন লৈশং যাত্রা খৃঃ ১৮৬১-৬২ দগীদি কোনুং খল্লে, লোইশঙ কারে। নুপীসু থিজিল্লুরে চাদবদি য়াদে, ঈমুং/ফুঙ্গা অমা ওইবগী অতে চাদিংসু তৌদবা য়াদে। শীঙজন-ঙাফাসু অঙাং ওইরিঙৈদগী শীল্লম ওইরে, পাঞ্জি তৌরে মপাবুং লৈবনা শেন্দান লন্দী ওইবা য়াদে। মুক্না খর শান্নবগী মীনা থারক-থোল্লবা শেন/ফি খরদুনা য়ুম পুবদি ব্রাই, অদুনা মপাবুংদগী তাঙদুনা মাগী ঈমুং-ফুঙ্গাদু অচা-অথক্তি ব্রাত্তে, মমান্নবগী থৌদৌদগীদি তাদনা পাল্লি। লোইশঙ কাদুনা মীরক তীল্লকপদগী অতে মুক্নারোই, মরুপ-মপাং/লোনগা ওইবা মথক থোংবা ময়াম্বশিং খরসু খঙন-শকখঙনরে, মখোয়দুদগী মমিং চৎপা খরদি –

(১) য়াম্ব্যা মাধব যাত্রা, (২) বিনো যাত্রা, (৩) গুণ যাত্রা, (৪) য়াম্বেম/য়াম্ব্যা যাত্রা, (৫) থবি যাত্রা, (৬) লুসৈ যাত্রা, (৭) কাংজাম্বা যাত্রা, (৮) খৌদোন যাত্রা, (৯) লুক্রাম্বা যাত্রা, (১০) মায়পাক যাত্রা, (১১) খুরাইজম অঙৌ যাত্রা, (১২) তোনা যাত্রা, (১৩) মাইব্যা তাম্র সিংহ যাত্রা (মাঃপ্রেঃ, ১৯৯৬, ৪৪ঃ 'মাইব্যা তামুল যাত্রা' হায়না পী)/লমজেন-য়াঙবা [রাঃকুঃসগুঃ ১৯৭০, ১১৭]।

অসিশিংসিনি। মখোয়সিদগী বামোন কোনোকচা লৈশং শর্ম্মগা খ্বাইদগী হেন্না লুনা-চান্না তীন্ন-লোইনরিবসি বিনো যাত্রা অসিনি।

মণিপুরগী মুহারাবা অচৌবা, শ্রীগোবিন্দজী (মীওইবনা শাদুনা থৱাই হাপখিবা নৎত্রগা জীবন্যাস তৌখিবা) স্বর্গারোন ওইখি, হায়না লৌনরিবা [নঃমঃ, ১৯৯৮, ১১-১২] খৃঃ ১৮৬৯ গী মতমসিদা লৈশং যাত্রা অমসুং বিনো যাত্রা (মহাক অসিসু বামোন ওইরমগনি হায়না থাজজে) অনিনা ৱাংজীঙগী অহল ওইরবা যাত্রা 'খুমন যাত্রা' কৌবা অমা লৈ হায়না তারম্মী। মহৈসিদা থৱাই য়াওবনিনা অহলদুদগী লৌ অমসুং লৌশিঙ খর লৌহৌরুসি হায়দুনা হৌনদুনা ৱাংজীঙদা লাক্লম্মী। মখোয়না যাত্রাদুগী ময়ুম থিদুনা লাক্লগা যাত্রাদুগা থেংনবা মতমদদি অহলদু চহি ৬৫ রোম শুরম্লগনি হায়না খন্নে অমসুং মপাঙ্গনসু হল্লে, শোল্লে হায়বসিসু উরে।

(লৈশং যাত্রানা মুক্লা তুহনবা ঙমখিদবা ৱাংজীঙগী খুমন যাত্রা)

মখোয়না খুমন যাত্রাদা লৌশিং খর তাকপীনবা হায়জবদা অহলদুনা য়াবীরদুনা ঙাইহাক কোন্নসি হায়দুনা কোন্নরে। খঙহৌদে ভাবক শঙ্গু অমা, কোনুংদগী/ইম্ফালদগী যাত্রা অনি লাকখি, খুমন যাত্রাগী ময়ুম চঙখি, করি তৌরমগনি, মুক্লাগী কুম্মৈ য়েংলুসি হায়দুনা থোমজিল্লকখি। ভাবক য়াওরমদবদু ভাবক য়াওরকপদুদা মায়কৈ অনিমক্কী থম্মোইদা 'ঐ' হায়বা ঈথক-ঈপোম কানখ্রে। ফি পায়নদুনা লৈশং শর্ম্মগা অহানবা কোন্নরকপদা তমজরকপা পুম্নমক শীজিন্নরকপবু পুম্নমক অহল খুমন যাত্রানা মাগী লৌশিংদু অমমম ওকপগা লোইননা লায়না থিংদুনা থল্লে। লৈশং যাত্রা মহাক্লা হৈজবদগী খ্বাইদগী ঈহেন হেন্না হৈজবা য়েৎকী খুদোং পুখৎপীদু তৌরদুনা খুদোং পুখৎলুববু খুমন যাত্রা মশাবু লায়না খুদোং পুখৎহল্লগা মথা অদু মখারোমদা লুকথরগা লৈশং যাত্রাগী মশাদা নপশিন্দুনা মশা-হকচাংদু লুমথহন্দুনা ঙাইহাক খাঙলগা লৈশংনা খুনদোং শেৎকে তৌরকপগী, চৈরক্তুদা অহলদুনা মশাদু নাম্বুরগা লৈপাক্তা মখোঙ অনিমক তারগা খুমন যাত্রাদুনা লৈশংবু অমুক খুদোং তনপু পুখৎখিদুনা লৈশং যাত্রাবু থবাক মপাগী মথক্তগী শেখদুনা নীঙগোং লংবগুম লংলকপদুদা লৈশং যাত্রা লৌ ওকপা নৎত্রগা মশা ঙাকপা ঙমহৌদদুনা লৈমায়দা লোংনা তারম্মী। অদুগা অহন্দুনা লৈশংবু কোনখত্তুনা হৌগৎপীখিরম্মী। লৈশং যাত্রানা লৈমায়দা লোংনা তাবগী তাঞ্জাদুদা ৱাংজীঙ ভাবকশিংদু 'ৱা' লাউখি। অদুবু খুমন যাত্রানা 'যাত্রা শান্নবা নত্তে, ওরায়নবনি,' হায়না খামখি।

মতুং তারকপদা বিনো যাত্রাগা অহল ওইরবা খুমন যাত্রাগা কোন্নখি। অদুবু কুইদে মিনিট ৭ লোমগী মতুংদা বিনো যাত্রাসু লৈমায়দা তাখি। খুমন যাত্রানা কোনখৎপীখি। খুমন যাত্রাগী ময়ুমদা মখোয় অনি অহিংদু লেৱুগা নোংঙাল্লগা ইম্ফাল তম্না লাকখি। অহলদুদগী পুক্নীঙ-ৱাখলগী পাম্বৈনা হকচাং পাঙ্গল ফুদোকহল্লক্লবগী মহৈদু মখোয় অনিনা ফংজরকখি। অসুম্না বামোন লৈশং যাত্রানা মুক্নাগী ঈরাংসিদা তাউদুনা খৃঃ ১৮৭৪ গী অহানবা থা তরুক হৌখিরম্মী। শাংলবা চহি মঙাগী মতম হৌখিবদু খঙহৌদে, ঙরাংদা ওইবগুম খল্লি।

খৃঃ ১৮৭৪ গী জিলা দরবার খোঙচত্তা

খৃঃ ১৮৭৩ দা মতমদুগী বৃটিশ ভারতনা মণিপুরগা মণিপুরগী অৱাংগী লমখৈ য়েন্নবা অমসুং মতমদুদা অৱাং-নোংপোক ভারতবর্ষগী ঙমখৈ লমদম অসোমদা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী অমসুং বৃটিশ ভারতবষগী থবক পুরিবা বৃটিশ মচাশিংনা অসাম, খাসিয়া-জয়ন্তিয়া, মণিপুর অমসুং অসামগী জিলা কছাড় হায়রিবা লৈপাকশিংসি শোক্না লল্লোন-ঈতীক তৌবা য়াবা, মরুওইনা অসাম অমসুং মণিপুর ফাওননা লল্লোন-ঈতীক তৌবদা খুদোং চাগদবা মফম অমদা মখোয়গী লল্লোন-ঈতীক্কী পোৎপৈফম-পোত্থমফম অমসুং পোৎখোম-পোৎলৌফম, পোৎয়োন-পোত্তাইফম অমদি পোৎফম ফম্ফম মফম, ত্রেডিং/কম্মর্সিয়েল ডিপোট [Trading/Commercial depot] অমা অমসুং মদুগী লৈফম মফম চাবা লম অমদা মফম অমা পাল্লম্মী। হায়রিবসিগী পান্দমদা মখোয়না মণিপুরগী অৱাংগী লমখৈ মনুংদা লৈরিবা খৃঃ ১৮৩৩ দা অমুক হন্না অমসুং নৌনা লোই চন্দুনা (গম্ভীর সিংহঃ, মহারাজনা হাওখুল ৬২ জয় তৌদুনা মণিপুরগী লম ওইনা খৃঃ ১৮৩৩ গী জানুঃ, ফেব্রুঃ অমসুং মার্চ থাদা তীনশিল্লম্বা) মৈতৈগী লোই খুঙ্গং ওইরিবা থিবোমৈ (হৌজিক্কী নাগালেণ্ডগী কোনুং ওইরিবা কোহিমা) দা বৃটিশ ভারতবর্ষগী লল্লোনফম (Marketing Centre or Trading depot) হাঙদোক্কে হায়না লেপ্পদুনা থবক লৌখৎনবা থৌশীন-খুজিল্লক্লম্মী। খৃঃ ১৮৭৩ সিগী ফেব্রুঃ ১৫ দ গী মার্চ ১০ ফাওবদা মণিপুরগী অৱাং লমখৈগী লমদাংদা বৃটিশ ভারতকী বাউন্দরী কম্মিসনগী মেম্বর (Member of Boundary Commission) ওইনা লাকপা সাহেব/ওফিসার অহুম— মিঃ পত্র

(করিগীদমক জিলা দরবার তৌরিবনো?)

(Mr. Porteus?), মিঃ কামপা (Mr. Kampa?) অমসুং মিঃ শুত (Mr. Shuta?) না মণিপুরগী কোনুংদা লাক্কুনা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহদা হায়রিবা হাওখুনসি মখোয়দা পীগদবনি হায়না মখোয়গা মরুপ ওইনবা মনীঙ তম্বা লৈপাক (Their friendly independent kingdom) অমবু মখোয়গী লোইলমগুম, হায়রবদা মহারাজনা ৱা খুম্বীদনা হৌগত্তুনা চখোক্কুনা ঈকাইবা পীবিরম্মী। মরম অদুনা মখোয়না অকনবা-অয়াকপা ৱাহৈনা রিপোর্ট ইদুনা ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী সিলেটতা লৈরিবা ওথোরিটীদদা নত্তনা কলকটাদা লৈরিবা বৃটিশ হেড ক্বার্টর্সকী গোভনর-জেনরেল ফাওবা য়ৌনা পাউ থারম্মী অমসুং হায়রিবা থিবোমৈগী লমসি ফংননবা অকনবা থৌরাং তৌবীয়ু অমসুং থবক লৌখৎপীয়ু হায়না ৱাকৎলম্মী। হায়রিবা ৱাকৎসি লল্লোনবগী শেন্দোং য়াম্না পান্বা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী সুপ্রিম এডমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিল (Supreme Administrative Council of British East India Company) দা শাফু কন্না য়ৈরম্মী অমসুং কাউন্সিলসিগী থবক পাংথোক্লবা কাউন্সিলগী মীটিংগী ৱারেপ লৌদুনা গোভর্নর-জেনরেলদা শিন্নরম্মী। মরম অসিনা কাউন্সিলসিগী কুনশুবা গোভর্নর-জেনরেল লোর্ড নোর্থব্রুক [Lord Northbrook (1872-78)] না থবক পায়খৎলক্লম্মী।

খৃঃ ১৮৭৪ গী জুলাই-আগষ্টতা ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেল অসিনা বেঙ্গোল (ৱেষ্ট অমসুং ঈষ্ট বেঙ্গোলগী অপুনবা) অমসুং অসাম কোয়না চত্তুনা য়েশিন-খোৎচিন্নবগী প্রোগ্রাম লৈরম্মী। হায়রিবা প্রোগ্রাম অসিদা মহাক্কী নোর্থ-ঈষ্ট ইন্দিয়াগী ওফিসারশিংগী ৱাকৎ লৈরিবদুগী থবক লৌখৎনবা মণিপুরগী নিংথৌবু অসামগী জিলা অমা ওইরিবা কছাড়গী বৃটিশ হেড ক্বার্টরস শিলচরদা উন্ননবগী প্রোগ্রাম হাপ্লম্মী অমসুং কছাড় জিলাদা উন্নবগী থৌরমসি অসামগী চিফ কম্মিস্নার মিঃ কিটিঞ্জ (Mr. Keatinge) দা শীন্ননবা য়াথং পীবদগী মহাক্না অমুক কছাড়গী ডিপুটি কম্মিস্নারনা শীন্দুনা কছাড়গী শিলচরদা খৃঃ ১৮৭৪ সিগী আগষ্টকী অহানবা থাখায়দা পাংথোক্লবা শীনখি। অদুনা কছাড় জিলাদা ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেল লোর্ড নোর্থব্রুকনা মণিপুরগী নিংথৌ রাজা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগা উন্নদুনা বৃটিশনা মণিপুরগী লম, থিবোমৈ (কোহিমা) মখোয়গী লল্লোন-ঈতীক ওইনা

(জিলা দরবার করিনো কদায়দা, কৈদৌঙৈ, কনা কনানা পাংথোকখি?)

নীজবা অমসুং মৈতৈ নিংথৌনা থিবোমৈ বৃটিশতা পীবীখিবগী ৱারী-ৱাতাই শান্নবগী উনবা অদু মৈতৈনা (কছাড়) জিলাদা তৌখি হায়দুনা 'জিলা দরবার' হায়না কৌই।

ভারতকী গোভর্নর-জেনরেলগী য়াথং মতুংইন্না কছাড়গী ডিপুটী কম্মিস্নারনা অইবা বার্ত্তনগী চে মণিপুরদা লৈবা মখোয়গী পোলিটিকেল এজেন্ট মিঃ/ডাঃ আরঃ ব্রাউন ফ্রোস [(Mr./Dr. R. Brown Frose (1867-75)] তা পীরক্কুনা মণিপুরগী নিংথৌগী মখুত্তা চহিসিগী জুলাই ২৯ দা য়ৌরকখি [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪২০]। গোভর্নর-জেনরেলনা জিলা কছাড়দা দরবার তৌসি, লৈবাক অনিগী ৱারম ঙাংনসি হায়না বার্ত্তন তৌরকপসি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি মশামক, লৈপাক পুবা অঙম- অথৌশিং পুন্নমক্না কছাড়দা কৌথোক্লগা ফাননবগী থৌরাংনি, হায়না য়াম্না কন্না চিংনরম্মী অমসুং তোকঙা অমা ওইনা নোংমখক্তদা মৈত্রবাক মণিপুর শীনবা থুংনা শন্দোক্লম্মী [M.A.R, 1874-75, 2]। ফাখিগনি হায়না চিংনরবগী মরমশিংদি– (১) মণিপুরগী অৱাং ঙমখৈ য়েন্নবদা বৃটিশ ওফিসারশিং মায়থীখি, (২) লমখৈসিগী ৱাফমসি লাইখায়/লৈখায় তাদ্রি, (৩) লমখৈ য়েন্নবসিগী বৃটিশকী বাউণ্ডরী কম্মিসনগী মেম্বর অহুম্বু ঈকাইবা পীখিবদগী মখোয়না মৈতৈ নিংথৌগী মথক্তা/মায়য়োক্তা মরাল শীদুনা অকনবা চার্জ তৌরে, গোভর্নর-জেনরেল য়ৌশ্রে, (৪) ৱাফমসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনবা মিত্রতা, মরুপ-মপাং ওইনবগী মরী (Friendly relationship) অদুদা অকায়বা পীরে, অদুনা মণিপুর নৎত্রগা মৈতৈ নিংথৌ বৃটিশ গোভর্নমেন্টকী য়েক্লবা ওইরে– হায়বশিং অসিদা চিংনবা অমসুং অকিবা পোকপনি। অদুবু মৈতৈ নিংথৌনা মহাকপু ফাবগী থৌদোক্তি থোক্লক্ত্রিবা থৌদোক্লিনা লৈপাক্কী ঈজ্জৎ, জাতিগী ঈকাই খুম্নবা ঙাক্লনবা অমসুং মশাগী ফিবম-ফিরেপ কন্ননবগীদমক্তা লৈপাক পুবা অঙম্বশিং তান্নরগা অকনবা চেকশিন-থৌরাং অমসুং ঙাক-শেনগী খুজীন-থৌশীলগা লোইননা দরবার তৌরুবা কছাড় জিলাদা সনা খোঙলেঙনবগী ৱারেপ লৌখিরম্মী। হন্দক্কী জিলা

(চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ কছাড় জিলাদা দরবার তৌরগা ফাখিগনি হা য়না চিংনবা অমসুং পাক-শনবা তোকঙা)

(চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা দরবার চৎননবা ৱারেপ লৌখিবা)

দরবার অসি, তশেংনমক লান চৎপা অমা ওইনা নৎত্রগা অমগুন্না চৎখি। মসিদা খোংজাইগী নোংমৈ পায়বা লাম্মী ৫০০না তুংদা, মৈতৈগী নোংমৈ পায়বা সিফাই ৫০০ না মাঙদা নাক য়েৎ-ওয়দা অখন্নবা অঙাক-অকনগী য়েৎথাঙ অমসুং ওয়থাঙ ওইবা সৌৱাইজাম্বা বলরাম সিংহ, মেজরনা য়েত্তা; কাংঙবা থাঙ্গাল/চিদানন্দ সিংহ মেজরনা ওয়দা, হকথেংননা থৌগলগী মচাঙ্গীবুংঙো ৱাংখৈরাকপা কুলচন্দ্র/ঙাক্রচাবনা য়েত্তা, মচাঙ্গীবুংঙো শামুহঞ্জবা ঝলকীর্ত্তি/ফৈজাওম্নানা ওয়দা; চীঙঙাখমচা শাজৌ খাবম লাকপনা পানা ৪গী লাম্মীগা লোইননা নিংথৌগী অকোয়বদা উরু-উরু লৈনা, কোয়না কোয়না চেন-চত্তুনা ঙাক-শেনবা, অমসুং ঙাক-শেন লুপসিদা য়াওরিবা (১) চনম্বা জয়, সুবিদার, তুলিহল; য়েংখোইবা সুবিদার, মিয়া সুবিদার, বলরাম সুবিদার (৫) অচোইবা সুবিদার, যোগেন্দ্র সুবিদার, অচোইবা লুৱাংবা মোইরাংনিংথৌ, মাহুৎ হঞ্জবা; নোংমাইথেম্বা শগোল হঞ্জবা; য়াম্বেম অরাম্বাই হৈবা, শারুং হঞ্জবা; (১০) শাৎপা মেজর; নিংথৌজাম্বা পোইলা; বলদেব পোইলা, (১৩) নোংমাইথেম্বা পোইলা,— অসিনি।

সনা থৌগন শেল্লুংবদা— (১) কাংঙবা ময়াং তাবা শেল্লুংবা, (২) অঙোম তোনু শেল্লুংবা, (৩) গুলাপ সিংহ শেল্লুংবা, (৪) তোমচাশিং শেল্লুংবা, (৫) অঙৌমচা শেল্লুংবা, (৬) থম্বৌমচা শেল্লুংবা, (৭) নিংথৌজাম্বা শেল্লুংবা, (৮) কাংঙবা লক্ষ্মন শেল্লুংবা অসিনি। অকন-অথৌদা— (১) শাৎপা লমজেন য়াঙবা, (২) মাইব্যা তাম্রসিং লমজেন য়াঙবা, (৩) হৈস্নাম মথং লমজেন য়াঙবা, (৪) লৌপানতাবা লমজেল্লোই, (৫) য়াম্বেম্বা যাত্রা, (৬) বিনো যাত্রা, (৭) লৈশং যাত্রা, (৮) গুণ যাত্রা, (৯) থবী যাত্রা, (১০) লুসৈ যাত্রা, (১১) কাংঙবা যাত্রা, (১২) খৌদোন যাত্রা, (১৩) য়াম্ব্যা মাধব যাত্রা, (১৪) লুক্রাম্বা যাত্রা, (১৫) মায়পাক যাত্রা, (১৬) খুরাইজম অঙৌ যাত্রা, (১৭) তোনা যাত্রা অসিনচিংবনি। অদুগা পেনাদা— (১) চনম্বা (বাপু) পেনা হঞ্জবা, (২) পাঙম্বা পেনা হঞ্জবা, (৩) যুম্লেম্বা পেনা শকপা;— বঝাইদা— তোল্লেন বঝাই খোংবা অমসুং মহাক্কী মপাংশিং, শ্রীবিষ্ণুগী সেবাদা— (১) গুরুময়ুম ঠাকুরদাস পুরোহিত, (২) গুরুময়ুম নোংমাইজীঙ শর্ম্মা তন্ত্রধার, (৩) তোল্লেন ঠাকুর, (৪) ভরবর্ত্তন ঠাকুর, (৫) কমলাকান্ত পাঞ্জি শঙলাকপা, (৬) লৈমপোকপা দেবকিশোর (শাজৌ) সিংহ, শ্রীগোবিন্দগী কৈরুংবা (নহারুপ পানা হজারী), (৭) কবোম্বা

(২) শিলচর (কছাড়গী ডিপুটি কমিস্নারনা শাবনি), অসিশিংসিনি। মৈতৈনা শাবা য়ারেকশঙশিংসি মথংশীৎনা– (১) খোইস্নাম জয়সিং সুবিদারনা লুচিংদুনা, (২) য়ুমখায়বা মায়পাক সুবিদার অমসুং লোংজাম্বা পুষ্কর সুবিদার অনি লুচিংদুনা, (৩) মোইরাংথেম্বা রামানন্দ কুট (Naik/Corporal) না লুচিংদুনা, (৪) খিংবাইজম কমলশিং জমাদারনা লুচিংদুনা, (৫) খোমদ্রামচা যদুনাথ কুটনা লুচিংদুনা, (৬) তোংব্রমচা বলসিং সুবিদার, লোক্তোনবা তাঞ্জৌ কুট অমসুং পল্লিবা/পোল্লেমচা খৌদোন কুটনা লুচিংদুনা, ৭) শনশেনবা দেবসিং সুবিদার,ওয়নামচা সুবিদার অমসুং নামৈরাকপা কুট অহুমনা লুচিংদুনা অমসুং (৮) কাংঙবমচা তুলিনহা মেঞ্জরনা লুচিংবা মৈতৈ লান্মী ৫০০ অমসুং মখোয়গী ওফিসারশিং, নোংথোনবমচা গোকুলসিং সুবিদার, শঙখুবম বাপু সুবিদার, য়ুম্নাম্বা তুলসিং সুবিদার, কাংঙবমচা হেরাসিং, লাইফ্রাকপা তুলসিং, হাওবমচা কেশোর সিংহ, অয়েকপাচা গুণসিং, নোংথোনবমচা সোরুপা/স্বরূপ, লাইশ্রবা থবা, মাইব্যা তাম্রসিংনচিংবা অকন-অথৌ ১০০ য়াওবা মাঙথা-লময়ান-লময়েংবা লুপনা শাখি অমসুং মৈদিংঙুনা কছাড়দগী লেঙথোরক্ত্রিবা ফাওবা শঙখি। অদুগী লম্বী-লম্বেল ঙাক-শেন (Road guard security) দুনা লৈননবা গুণ শর্ম্মা, মেজরদা সিফাই ৫০০ রোম পুদুনা নুমিৎ নিনিগী মমাঙদগী খোঙশানহনখি [ওঃভঃ, ২০০১, ১৭-২২]।

বামোন লৈশং যাত্রাগী নুপামচা থৌদাং

মৈদিংঙু নাউজীঙলেনখোম্বা ওর্ফে মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা জিলাদা ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেল লোর্ড নোর্থব্রুক্কা উনদুনা ৱারী শান্নবগী দরবার/মীটিং লেঙবদা কোনোক বামোন মচা লৈশং শর্ম্মা/যাত্রা স্না থৌগল ইঞ্জে হায়বসি মথক্তা উৎচখিবা খোঙচৎসিদা য়াওখিবশিংগী মমিংগী পরেং পীজবদা য়াওখ্রে। মৈদিংঙু মহারাজসি খৃঃ ১৮৭৪ সিগী জুলাই ৩০ দা মমিংদা ওইবা যাত্রা (Nominal Start) তৌরগা মথংগী নুমিৎ জুলাই ৩১ দা স্নাহকচাং য়াওনা খোঙলেঙবগী যাত্রা ঘট লাক্কুনা অমুক হন্না খোঙকাপ ৯ (মাপন) থাংদুনা তৌরগা স্নাকোনুংদগী খোঙশান্দোকখি। স্না কোনুংদগী খ্বাইরম্বন, খোংনাং হোগায়বী মপা লাল্লগা শগোলবন খুল্লক লান্দুনা কাক কৈথেল, চউমকৈ/চঙালকৈ, মালোম, নম্বোল,

(জিলা দরবার লেঙবগী অশেংবা যাত্রা)

পূজারী, (৮) তেপী পুজারী (৯) খৌদোন, (১০) তোল্লেন, (১১) অতোনবা, (১২) কৃষ্ণ গোপালনচিংবা লাইগী পুজারীশিং অমসুং ময়ামগী চাক খোংনবা অতৈ পূজারী ২৫, (১৩) নোংথোনবম চাওবা ভান্দারী পুরেন, (১৪) বামোন জগধান শল্লুংপুরেন (শঙ্গোম পীনবা), (১৫) চোংথামচা অঙাং-অতোন (নীলমনি সিং) তেৎনৌ শোজৈহনবা অমসুং অতৈ-অতৈদা– (১) লৈহাউথাবম গোকুল ঠাকুর, থুমজাওপুরেন অমসুং মেজর, (২) মোইরাং রস সিংহ সুবিদার, (৩) অঙোম নিংথৌ (গিরীধারী), (৪) নিংথৌখোংজমচা পণ্ডিত, (৫) হৈথমচা (রতনসিং) য়োঙ্গরেন হনবা, (৬) খুমল্লম্বম অঙাংজাও অশৈবহনবা, (৭) নোংথোনবমচা মরৈবা, সঙ্কীর্ত্তন ঈশৈহনবা, (৮) লৈমপোকপা থাবন, পুঙয়ৈবা, (৯) থোকচাও ৱারী লীবা, (১০) মুতুমচা মুক্তিয়ার, (১১) নিংথৌজম জয়ধর, কৈরুংবা, (১২) চুঙখামচা লোংলা হজারী, (১৩) মোংজমচা (ধর্ম্মশোর), কালিকোর লাল্লুপচিংবা, (১৪) ঈবুংশীজা আবীর সিংহ, অসিনচিংবনি।

শামুদা– (১) মোইরাংশা (নিংথৌনা তোংবা), (২) কোন্দুম্বা (শ্রীবিষ্ণু লেংখৎপা), (৩) ধীনতার (বলরাম্না তোংবা), (৪) হেরামোৎ (চিদানন্দ/ থাঙ্গালনা তোংবা), (৫) অরাংবচৌবা (কুলচন্দ্রনা তোংবা), (৬) জিরিশা (ফৈজাওম্নানা তোংবা), (৭) রাজবল্লভ (অথোই-অহেন), অমসুং কাঙজৈ চাবা শগোল ৫০, (২) কাঙজৈরোই ৫০ অমসুং মখোয়গী কাঙজৈ শান্নবগী মপোৎ-মচৈশিং [ওঃভঃ, ২০০১, ১৭-৫৫; রাঃকুঃসগুঃ ১৯৭০, ১১৬-১৮] অসিশিং পুদুনা অমসুং লোইনদুনা জিলা লেঙশিনখি। জিলা চঙবগী খোঙচৎসিগী লম্বীগী মণিপুরগী মনুংদা মফম তরেৎ অমসুং কছাড়দা মফম অনি (শিলচরগীদি কছাড়গী বৃটিশ ডিপুটি কমিস্নারনা শাবনি)।

(জিলা চঙবগী য়ারেক-নোংলেনশঙ তরেৎ শাখি)

মখোয়দুগী মফমশিংদি– (১) লৈমতাক তুরেনগী খোংবান, (২) খৌবুম তম্পাক, (৩) ঈরং তুরেনগী খোংবান (৪) লোকচাও (নুঙবাগী লোকচাও), (৫) ক্বাই/গ্বাই/বরাক তুরেনগী খোংবান (হৌজিক বরাক হায়না N.H. No. 53 দা খঙনরিবা লমতুপ্তুগী মনুংদা), (৬) মকু লোকচাওগী ঈথৈগী মকু তুরেনগী খোংবান অমসুং (৭) জিরি তুরেনগী খোংবান (জিরিঘাট মনাক্তা), অদুগা কছাড়গী– (১) লখিপুর (মসি থাঙ্গাল মেজরগী এডভান্স পার্টীনা শাখি) অমসুং

ওয়নাম, কৈনৌ, শামুপন (ঙাইখোং, পোৎশঙবম) লাল্লগা লম্মাংদোং/ বিষ্ণুপুরদা থুংলখি। মসিদগী থোংজাওগী চীঙজাওগী চীঙদোন লাইমতোন-চীঙদোন লান্দুনা কুমথরক্লগা লৈমতাক তম্পাক তারক্লগা লৈমতাক তুরেন খোংবান্দা অহিং লেকখিরম্মী। নোংঙাল্লগা খৌবুম চীঙজাও কাদুনা লাইমতোন ফৌরুংবগী চীঙদোন লান্দুনা খৌবুম চীঙখাং তারগা খৌবুম তম্পাক্তা কুমদুনা

ROUTE FOLLOWED BY MAIBAM TAMRA SINGH IN 1874



* Courtesy to BASANTA NINGOMBAM

মফমদুদা শাবা য়ারেকশঙদা অহিং লেকখি। নোংঙাল্লগা অমুক খৌবুমদগী তয়াং চীঙজেং লাল্লগা ঈরং তুরেনগী খোংবান্দা কুমথরক্তুনা মফমদুদা য়ারেকখিরম্মী। ঈরং খোংবান্দা থুংখিবসি অহানবা/মলমাস থবান থাগী ২১নি পানবা, গ্রীগোরিয়ান কুমশীঙ, ১৮৭৪গী আগষ্টকী তারিক ৩ নিংথৌকাবা নুমিৎনি। মসি, নুঙবাগী লোকচাওগী মনাক্তনি। নুঙবাগী লোকসিদা অয়ুক্কী চাক্লেন চারগা নুঙবাগী চীঙজাও কাখত্তুনা লাল্লগা কুমথরক্লগা কাই/খাই (কা/খাগী ঈ/ঈশিং/ঈচেন), ময়াং/কছাড়ী (ডিমাসা) না বরাক (বর = অচৌবা, আক = ঈশিং/ঈচেন) কৌবদুগী তোর্বান্দা মথংগী নুমিৎ আগষ্ট ৪সিদা থুংখিরম্মী [চঃজিঃচঙঃ, খুৎঃলাইঃ অমসুং ওঃভঃ, ২০০১, ৩৬]।

লৈশং যাত্রানা বরাক-লীতান শম্বা

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিগী জিলা দরবারগীদমক্তা জিলা কছাড় চঙবগী খোঙবু-খোঙলোইশিং অমসুং মৈদিংঙু নিংথৌনা বরাক/খাই ঈথে খোংবান্দা আগষ্ট ৪ দা থুংখিবদগী হৌনা অকনবা নোং চুবা হৌখি অমসুং নোংমদোন অতিয়াদা খীনবা/লৈবা পুঞ্জাও অমদগী লেপ্তুনা ঈশিং হৈথরকপগুম চুথরম্মী। নোংজু পাছ্ৰাগী মকুম-মথা ওইবগী চুবা নোংনিনা ঙাইহাক্তা পাথবা লৈতে, খাকপা-লাউবা তৌদে, চুফম থোকপা নোংগী নোংজুদা নোংলীক চাওনা নোংলীতনা হৈথবনি। খাই/বরাক খোংবান্দা য়ারেক্লবশিংদুদি মমাঙগী অয়ুক নোংথিন্দু লোইখী চীঙঙমগা লোকচপ অকুৎপগা, লৈরায় অচপ্পগা মখোয়গী মপাঙ্গনগা, খোঙ-ফৈগনগা লাম্ছেংনরকপনা নোংজু মখোল, মনা-মনীন তাদনা তুমখুন হুন্নখি। অদুবু নোং ঙাল্লকপদদি ঙরাংগী ঈচেল তপ্পী বরাক্কী ঈচেলদু লৈরমদ্রে, তোর্বান নীক-নীক লাউনা ঈমায় চোন্না ঈচেন য়াঙনা অমসুং ঈরৈ কন্না লৈদুনা চেল্লে, ঈহন তোরৈ লৈত্রে। অদুগা ঙরাং লৈহৌবা বরাক তুরেল লাননবা লীতান থোংসু লৈরমদ্রে, থোং অদুগী লীতান মরী তত্তুনা থোংদু তুরেনগী ঈচেন্না চেছ্খ্রে। বরাক তুরেন লান্নবা থোং লৈত্রে। অপীকপা তুরেন মচাসু নত্তে, ঈমায় চোল্লবা মতমদুদা গজ ২০০/৩০০ (মিঃ ১২৮/২৭৪, চাউরাক্পা) পাকপা অচৌবা তুরেন্নি। লমদাংসিনা পাবীরিবশিংনা বরাক তুরেনগী মরমসিদা খজিক্তং পুক্রীঙ লৌশিঙ ওইনবা থমজনীঙলিবা ৱারমশিংদিঃ-

> *(অঙকপা ফংনা কল্লবা কুমগী নোংজুনা লেপ্তুনা তাং ৪গী অহিংদুদা চুবা)*

মফমদুদা শাবা য়ারেকশঙদা অহিং লেকখি। নোংঙাল্লগা অমুক খৌবুমদগী তয়াং চীঙজেং লাল্লগা ঈরং তুরেনগী খোংবান্দা কুমথরক্তুনা মফমদুদা য়ারেকখিরম্মী। ঈরং খোংবান্দা থুংখিবসি অহানবা/মলমাস থবান থাগী ২১নি পানবা, গ্রীগোরিয়ান কুমশীঙ, ১৮৭৪গী আগষ্টকী তারিক ৩ নিংথৌকাবা নুমিৎনি। মসি, নুঙবাগী লোকচাওগী মনাক্তনি। নুঙবাগী লোকসিদা অয়ুক্কী চাক্লেন চারগা নুঙবাগী চীঙজাও কাখত্তুনা লাল্লগা কুমথরক্লগা ক্বাই/খ্বাই (ক্বা/খ্বাগী ঈ/ঈশিং/ঈচেন), ময়াং/কছাড়ী (ডিমাসা) না বরাক (বর = অচৌবা, আক = ঈশিং/ঈচেন) কৌবদুগী তোর্বান্দা মথংগী নুমিৎ আগষ্ট ৪সিদা থুংখিরম্মী [চঃজিঃচঙঃ, খুৎঃলাইঃ অমসুং ওঃভঃ, ২০০১, ৩৬]।

লৈশং যাত্রানা বরাক-লীতান শম্বা

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিগী জিলা দরবারগীদমক্তা জিলা কছাড় চঙবগী খোঙবু-খোঙলোইশিং অমসুং মৈদিংঙু নিংথৌনা বরাক/খ্বাই ঈথে খোংবান্দা আগষ্ট ৪ দা থুংখিবদগী হৌনা অকনবা নোং চুবা হৌখি অমসুং নোংমদোন অতিয়াদা খীনবা/লৈবা পুঞ্জাও অমদগী লেপ্তুনা ঈশিং হৈথরকপগুম চুথরম্মী। নোংজু পাম্বাগী মকুম-মথা ওইবগী চুবা নোংনিনা ঙাইহাক্তা পাথবা লৈতে, খাকপা-লাউবা তৌদে, চুফম থোকপা নোংগী নোংজুদা নোংলীক চাওনা নোংলীতনা হৈথবনি। খ্বাই/বরাক খোংবান্দা য়ারেক্লবশিংদুদি মমাঙগী অয়ুক নোংথিন্দু লোইবী চীঙঙমগা লোকচপ অকুৎপগা, লৈরায় অচপ্পগা মখোয়গী মপাঙ্গনগা, খোঙ-ফৈগনগা লাম্হেংনরকপনা নোংজু মখোল, মনা-মনীন তাদনা তুমখুন হুন্নখি। অদুবু নোং ঙাল্লকপদদি ঙরাংগী ঈচেল তপ্পী বরাক্কী ঈচেলদু লৈরমদ্রে, তোর্বান নীক-নীক লাউনা ঈমায় চোন্না ঈচেন য়াঙনা অমসুং ঈরৈ কন্না লৈদুনা চেল্লে, ঈহন তোরৈ লৈত্রে। অদুগা ঙরাং লৈহৌবা বরাক তুরেল লাননবা লীতান থোংসু লৈরমদ্রে, থোং অদুগী লীতান মরী তত্তুনা থোংদু তুরেনগী ঈচেন্না চেম্থখ্রে। বরাক তুরেন লান্নবা থোং লৈত্রে। অপীকপা তুরেন মচাসু নত্তে, ঈমায় চোল্লবা মতমদুদা গজ ২০০/৩০০ (মিঃ ১২৮/২৭৪, চাউরাক্লা) পাকপা অচৌবা তুরেন্নি। লমদাংসিনা পাবীরিবশিংনা বরাক তুরেনগী মরমসিদা খজিক্তং পুক্নীঙ লৌশিঙ ওইনবা থমজনীঙলিবা ৱারমশিংদিঃ-

(অঙকপা ফংনা কল্লবা কুমগী নোংজুনা লেপ্তুনা তাং ৪গী অহিংদুদা চুবা)

...the western half of the State (Manipur) is drained by Barak river (Surma River) through Dhansiri river into Brahmaputra-Ganga drainage system. [M.T.L., 1992, 107]

...the Barak river (the largest river of Manipur) drains the western half of the State, Barak valley area is about 250 Sq. Km. It rises from the northern ranges of the State about 16 km. east of Mao and follows a south westernly course when it reaches Tipaimukh, it joins with Tipai river which comes quite opposite to it from Mizoram running northward direction. At Jirighat it is joined by the Jiri river and from there it turns towards the west and after passing through Cachar and Sylhet plains it meets with Brahmaputra in Bangladesh (near Bhairab Bazar). Barak river is having one important waterfall (i.e. Tamenglong waterfall, 30 metres high) at Tamenglong area. [ibid]

(বরাক খ্বাই তুরেন অমদি মসিগী খোংলম, মশা অমসুং ঈতীল্লবা)

The most important tributaries of Barak river are Jiri Tipai, Juko, Maku, Irang, Leimatak and Maklang. Maku originated from the Brail ranges and it falls at Barak river after 5 miles from the south of Kalanaga village at Tamenglong district. Irang rises from the north of Yangpugilong ranges at the west of Karong. It runs through narrow and deep gorges at south west direction and falls at Barak river near Tipaimukh (i.e. about 32 km. north of Tipaimukh). Leimatak and Ijeibi rivers (Eeyeibee river) are two important branches of Irang [ibid, 109].

অসিনি। অসুম্না মণিপুরগী খ্বাইদগী হেন্না চাওরবা খ্বাই/বরাক তুরেনসিনা নোং কন্না চুবদগী ঈহৌরক্তুনা ঈশিং ঈচেন কনখৎলকপা, ঈরৈ কন্না চেল্লকপা, ঈশিংগী খোঙজেল য়াঙলকপনা মরম ওইনা তোর্ব্বান নীঙখায়রকপা, লৌনম্বান কীন্থরকপা, খোংলম-খোংবান কায়থরকপা অমসুং থিংঙেন/থিংলেন নমথরকপা অসিনা মরম ওইদুনা তোর্ব্বান্দা, লৌনম্বান্দা হৌরম্বা উপান-ব্রাপান মরূ ফুক্তুনা, নাপী-শীঙবী, হাপুঙ-মোংশোংনচিংবা কয়া মপান-মরূ য়াওনা,

মশা-মরেংগা কোন্ননা ঈশিং ঈচেন্দা তাশিল্লকপা, ঈচেন-ঈরৈনা মখোয়দুবু চেন্থদুনা লৈনা-লৈনা তাউথরকপগী খুদোংথীরবা মহৌশা লাইরেম্বীগী উপদ্রবশিংদু থোক্লে। মহৌশা লাইরেম্বীগী মকুম-মথাগী খুথা অদুনা মীখুৎশেমগী থোং, শঙনচিংবা কয়া তেক্লা-তৎনখি, হুমদেক-হুমদোক্লুনা থাদখি। মসিগুম্বা মাঙ-তাকপগী থবকশিং অসিগী মনুংদা আগষ্ট ৪গী য়াচঙ-মতুং, নোং তারবা মতমদু ফাওবা লৈহৌরিবা বরাক তুরেন লানবা তুরেন্দুগী মথক্তা লী/লীতান তিংদুনা শাবা থোং অদু লৈত্রে, তত্তুনা তেকখ্রে।

(বরাক তুরেন্দা শাবা লীতান থোংগী লীতান-মরী তৎলম্বা)

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী জিলা দরবার অসিদি চত্তবা য়াদ্রবা, হয়েং তুং ফাওবগী তঙ তাবা মরম অমা খঙনগদৌবা খোঙফমগী খোঙচৎনি। মরম অদুনা হায়নখিবা মতম অদু নংনবা নৎত্রেগা শোয়দনবা কছাড়দা থুংলুদবা য়াদবনি। অমরোমদা মণিপুরগুম্বা চাম/চামগী থবক পুরিবা মথৌ চিল্লবা ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেলনি, মহাক্লা পীবা মতমদগী ঙাইহাক্তা ঙাইবীয়ু য়াগদবা নত্তে অমসুং মহাক্তি মনীঙ তম্বনি, মহাক্কী মথক্তা ভারতবর্ষদা অমা লৈত্রবনি। অদুনা মহাক্লা পীরকপা মতমসি কায়বা য়াদ্রবনি। মরম অসিনা বরাক তুরেন লান্নবা লীতান-থোংগী লীতান মরী অদু তুরেন লাম্বোক্লুনা চৎখ্রগা ৱাংমগী তোর্ব্বান্দা শম্লুনবা শ্রীযুৎকী স্না য়াথং মণিপুর লৈপাক্কী অঙস্বা অকন-অথৌ ওইনা য়াওরক্লিবা মুক্লা যাত্রা কয়ারক ফংগ্রবা কোনোক বামোন মচা কমলাকান্ত পাঞ্জি শঙলাকপগী মচানুপা লৈশং শর্ম্মা/যাত্রাদা পীরম্মী।

(বামোন লৈশং যাত্রাদা বরাক লীতান-থোংগী লীতান মরী শম্লনবা শ্রীযুৎ স্নায়াথং পীবা)

লৈশং যাত্রা মতমসিদা মশাগী চহি ৩৮ (কুন্থানিপান) মপুঙ ফারে, মীওইবগী পুন্সিগী যৌবন মতমগী য়ক লাউবা মতম্লি, মীকি-লাইকিদবা, মতোমতা কৈ ফাগে হায়বা তাঞ্জাদুনি। স্না য়াথং ফংবগা পচ্ছদে মফি তনশেম শেমদুনা বরাক তুরেনগী তোর্ব্বান্দা লেপ্লগা চেল্লিবা ঈচেল, লৈরিবা ঈরৈদু শঙত্রিক য়েলগা মহাক্লা খঙজবা নীঙশীঙদুনা হিন্দুশিংগী লাই বরুনদেবতা, মৈতৈগী ঈশিংগী লাই ৱাংব্রেন খানা চাওববু, পুক্নীঙ চেৎনা খুরুমজরগা, “হে ঈশিংগী

(লৈশং যাত্রানা বরাক্কী লীতান শম্নবা থৌরাং)

মশা-মরেংগা কোন্ননা ঈশিং ঈচেন্দা তাশিল্লকপা, ঈচেন-ঈরৈনা মখোয়দুবু চেন্থদুনা লৈনা-লৈনা তাউথরকপগী খুদোংথীরবা মহৌশা লাইরেম্বীগী উপদ্রবশিংদু থোক্লে। মহৌশা লাইরেম্বীগী মকুম-মথাগী খুথা অদুনা মীখুৎশেমগী থোং, শঙনচিংবা কয়া তেক্লা-তৎনখি, হুমদেক-হুমদোক্লুনা থাদখি। মসিগুম্বা মাঙ-তাকপগী থবকশিং অসিগী মনুংদা আগষ্ট ৪গী য়াচঙ-মতুং, নোং তারবা মতমদু ফাওবা লৈহৌরিবা বরাক তুরেন লানবা তুরেন্দুগী মথক্তা লী/লীতান তিংদুনা শাবা থোং অদু লৈত্রে, তত্তুনা তেকপ্রে।

(বরাক তুরেন্দা শাবা লীতান থোংগী লীতান-মরী তৎলম্বা)

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী জিলা দরবার অসিদি চত্তবা য়াদ্রবা, হয়েং তুং ফাওবগী তঙ তাবা মরম অমা খঙনগদৌবা খোঙফমগী খোঙচৎনি। মরম অদুনা হায়নখিবা মতম অদু নংনবা নৎত্রগা শোয়দনবা কছাড়দা থুংলুদবা য়াদবনি। অমরোমদা মণিপুরগুম্বা চাম/চামগী থবক পুরিবা মথৌ চিল্লবা ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেলনি, মহাক্না পীবা মতমদগী ঙাইহাক্তা ঙাইবীয়ু য়াগদবা নত্তে অমসুং মহাক্তি মনীঙ তম্বনি, মহাক্কী মথক্তা ভারতবর্ষদা অমা লৈত্রবনি। অদুনা মহাক্না পীরকপা মতমসি কায়বা য়াদ্রবনি। মরম অসিনা বরাক তুরেন লান্নবা লীতান-থোংগী লীতান মরী অদু তুরেন লাম্থোক্লুনা চৎশ্রগা ৱাংমগী তোর্ব্বান্দা শম্লুনবা শ্রীযুৎকী স্না য়াথং মণিপুর লৈপাক্কী অঙস্বা অকন-অথৌ ওইনা য়াওরক্লিবা মুক্লা যাত্রা কয়ারক ফংশ্লবা কোনোক বামোন মচা কমলাকান্ত পাঞ্জি শঙলাকপগী মচানুপা লৈশং শর্ম্মা/যাত্রাদা পীরম্মী।

(বামোন লৈশং যাত্রাদা বরাক লীতান-থোংগী লীতান মরী শম্লনবা শ্রীযুৎ স্নায়াথং পীবা)

লৈশং যাত্রা মতমসিদা মশাগী চহি ৩৮ (কুন্থানিপান) মপুঙ ফারে, মীওইবগী পুন্সিগী যৌবন মতমগী য়ক লাউবা মতম্নি, মীকি-লাইকিদবা, মতোমতা কৈ ফাগে হায়বা তাঞ্জাদুনি। স্না য়াথং ফংবগা পম্থদে মফি তনশেম শেমদুনা বরাক তুরেনগী তোর্ব্বান্দা লেপ্লগা চেল্লিবা ঈচেল, লৈরিবা ঈরৈদু শঙত্রিক য়েলগা মহাক্না খঙজবা নীঙশীঙদুনা হিন্দুশিংগী লাই বরুনদেবতা, মৈতৈগী ঈশিংগী লাই ৱাংব্রেন খানা চাওববু, পুক্নীঙ চেৎনা খুরুমজরগা, ''হে ঈশিংগী

(লৈশং যাত্রানা বরাক্কী লীতান শম্লবা থৌরাং)

লাইশিং-ও! মহৌশা লাইরেন্বী মখুৎশেম, লাই নখোয়গী লাইখুৎশেম্নি, নমু তাইবংনা ঙম্বা নত্তে, খোইয়ুম নখোয়না ঙম্বনি, লীতান মরী শম্নবা তুরেন লানবা ঙমহন্‌বীয়ু! হে মুক্তাগী লাই! লাঙ্গোই শগোল অপাইববু চীঙঙু য়াঙ্গোই শামদোনবু মুক্তা লোংত্রৌ য়েৎনা, মুক্তা লেংফাই চন্না ফাবীবা থাঙবাই মারহনবা চীঙঙু মারজিং-ও! খোইয়ুম নরোই লোইনরিবা ব্রাংব্রেন খানা চাওববু তাইনবীয়ু! লীতান মরী শম্বা ঙম্বা পীনবীয়ু, হা গোবিন্দ ঈবুংঙো! অগতের গতি! ননাইবু পাঙ্গল পীনবীদুনা থৌজানবীয়ু!– হায়না খুরুম্লম্লগা বরাক তুরেনগী ঈপাক্তা চোংথখ্রে। অদুগা মায়য়োক্লবা তোর্ব্বানগী পান্দম লাক্কুনা ঈরোইবা হৌখ্রে। অসুম্না ঈরোইদুনা ঈপাক লানগে হায়দুনা ঈয়ায় য়ৌরকপা মতমদা লৈশং যাত্রানা য়েৎলোমদা চেহ্ররক্লিবা ঈচেনগী মায়কৈদা য়েংথোক্লকপা মতমদা চাওরবা কেক্রু পাম্বী, মশা-মরেং য়াম্বা, মউ মপানসু চাওথোইবা অমা তুরেনগী ঈচেন্না পুথরক্কুনা মহাক্কী মনাক য়ৌগদবা লম অমতগী মফমখক্তা ঙাইরম্লে। হায়রিবা তাঞ্জা অসিগী অমসুং ফিবম অসিগী ওইনা থম্বীরম্লিবদিঃ-

(বরাক তুরেন ঈমায়দা লৈশং যাত্রানা থেংনবা কেক্রু পাম্বীগী খুদোংথীবা)

"...মৈদিংঙু মদাইরেম লৈশং যাত্রা অথৌবনা সনা য়াথং লুদা থোং লাইজা তমলেন অচৌবা ঈমু মঙাও হৌবরকী চঙনা শ্রীগোবিন্দ মিংখৈ শোল, থম্মোই লাইয়ুম নুংদা ময়ু পাফল কাউঙমদনা শমু খুৎনা লাইজা থিনপেক্লনা ঈমু মনুং চঙ, লাইজা ঈয়ায় থুংলবদা পামেল কেক্রু চাওথোইবা উরূ পাল্লবনা লোক্লেন থননা তাউথববু পামেল হেছোক ঙাইরবগী পোইরৈ মীয়াম পুম্নমা উনবী নুংবঙচঙ, চীঙঙু গোবিন্দ চীন্দা শোন লৈশং থবাই নীনখিএ [চঃজিঃচঙঃ, খুৎঃলাইঃ, ওঃভঃ, ২০০৯, ৩৭]।"

(ওরিজিনেল বুক্তা মমাঙগী ওইনা থম্বীরম্বা ব্রারোল)

অসিনি। লৈশং যাত্রা কেক্রু পাম্বীদুবু অহানবা উবমক্তদদি, পুক্লীঙদা খজিক্তং থুক্কৎলি, অদুবু মীনা খুদোং পুখৎত্রগা ব্রাখল মাঙদনা খুদোং ওক্কনি খঙবা মুক্তারোইশিংগী যাত্রানি, খুদক্তা লৌশিঙ লাক্কুনা মশাগী পীবুক থন্না শোরগী নুংশিৎ চিংশিল্লগা লাইজা ঈনুংবুঙদা ঙমজবা মখৈ থুনা মশাগী হকচাংদু লুপথরক্লে। বরাক্কী লুরবা তুরেন খোংনুংগী লৈখাদু ফংনা চখ-লুপথরক্লে, খোংনুং লৈখাদুদা থেংনবা নুঙবী-নুঙজাও অমদা কোন্দুনা হকচাং নপশিন্না

(লৈশং যাত্রানা বরাক খোংনুংদা ঈরুপখিবা)

লৈখাদুগী লৈমায়দা হকচাং শাংদ্রোং শাংনা দণ্ডবৎ প্রনাম তৌবগুম হকচাং লৈপক্লনা খুরুম্বগুমনা ৰাংলেন মিংকুপ খর লৈরুরে। অসুম্না লৈরিঙৈগী মতমসিদা বরাক ঈহৌ ঈচাওরকপগী খোঙজেন য়াঙলবা ঈচেন্দুনা চাওরবা কেক্রু পাম্বীদু মশা-মরেংশিং, মউ-মরূ য়াওনা লৈশং যাত্রানা ঈরোন্নুংদা লুপ্লিবা মপা অদু লাহ্নোক্তুনা ঈচেন্না চেম্ছরিবদুগী মখারোমদা পুথখ্রে। লাইজা ঈরোন্নুংদা লৈরিবা

(লৈশং যাত্রানা ঈশিং' ঈমায়দা ফাওগৎলকপা)

লৈশং যাত্রাসু ঈনুংবুঙদা ঈরুপথক্ললমদায়দা পুরকখিবা পুন্সি চেঙজেলগী নুংশিৎ অদু লোয়শিল্লক্তুনা লাইজ ঈনুংবুঙদা কেক্রু মপান অচৌবা মশা-মরেং পানবদু মহাক্কী মপা লাহ্নোক্লম্লগনি খন্দুনা ঈপাল লাংনা ফাওগৎলক্লে। মহাক্লা হেক ফাওগৎলকপদা বরাক খোংবান্দা লেপ্তুনা মহাকপু য়েংলিবশিংদুনা 'ৰা' লাউনখি; ''হিংলে, হিংলে'' হায়না নীন্নখি।

লৈশং যাত্রানা অচৌবা কেক্রু পাম্বীদুনা মাগী মপা লাহ্নোক্তুনা চৎখিবদু উরবদা শোর চনীঙ তানা হোন্থখি। খুদোংথীবনা হৌথ্রবনিনা অমুক অকিবা লৈতনা বরাক লাইজা ঈৰাংমগী তুরেন খোংবান য়ৌনা ঈরোইদুনা ঈরাল্লক্লে। অদুগা হান্ননা মখ্বাঙদা য়েত্তুনা পুরকপা থৌরী লীশাংনা অচৌবা পামেন উরাং/মউদা কি-পুন্দুনা শেম-শারগা লীতান থোংগী থোংলী, লীতান মরী শম্লনবা হোৎনরক্লে। মতমসিদা মহাক্কী মপাং মুক্লা শান্নরোই যাত্রা মতাউ বিনো যাত্রা (য়ুম্লাক?), য়ান্থ্যা/য়াম্বেম মাধব যাত্রা

(বিনো যাত্রা, য়াম্থ্যা মাধব যাত্রা অমসুং অতোপ্পা যাত্রা অমগনা লৈশংগী তেংবাংবা)

অমসুং অতোপ্পা যাত্রা অমগা অহুমসু বরাক লাইজা ঈচেন-ঈপাক্তা চোংথরক্তুনা লৈশং যাত্রাগী মতেং পাংলরে। অসুম্না লৈশং যাত্রানা শম্বা লীতান মরী অদুদা মখোয় মরি চঙদুনা মথং-মথং শমদুনা বরাক তুরেনগী ঈপাক্তুগী মরাক্তু থুংনা লীতান মরী তিংলে। মদুদা ময়াম চঙদুনা থোংগী খোঙ থাফম খোঙদাফম থোংপাক হাপ্তুনা চৎপদা মপানদা পায়ননবা পানপায়/পাম্বে শেমদুনা থোংদু মীয়াম্না লানবা য়ানবা শেম-শাখি। হায়রিবসিগী মরমদা থন্বীরল্লিবা ৰারোম্দিঃ—

...লাইচা ঈহৌ অচৌবগী পামেন চাওথোইবু পুরকপদি হেন্দোকখিরবগা লৈশং যাত্রা অথৌবনা ঈমু মনুংচঙদগী লাইজচা ঈপাল ফাওরবগা লীতান মরী

শম্বদা– পোইরৈ মীয়াম পুম্বদি "জয় য়াইফথোক্লে। চীঙু গোবিন্দ থোইখোইবনা থৌজাল লনকুবীরে," হায়না য়াব্রা খোঞ্জেন থোক্লা নীনখিএ। তয়ম মদাইরেম বিনো যাত্রা, য়াম্ন্যা মাধোপ যাত্রাগা তনবা নিপা অহুমসুং লাইজা ঈরোন্নুংদা চঙনা লৈশং মতেং পাংলরে। মতৌ অসুম নমু মী পুন্নমা অব্রা হুইরাং শোল্লুববু চীঙঙু মথৌজান্না লনকুবীরবগী [মথক্কীসিদা, ৩৭-৩৮ অমসুং চঃজিঃচঙঃ, খুৎঃলাইঃ]।

অসিনি। অসুন্না বামোনচা/কোনোকমচা লৈশং শর্ম্মা/যাত্রানা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা জিলা দরবার চঙবদা খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট থাগী তারিক ৪ দা বরাক তুরেন্দা শাবা লীতান-থোং তৎলবদা নোংজু পাম্বাগী ঈচাও-ঈহৌরবা বরাক তুরেন ঈরোইদুনা লাল্লকপদা কেক্রু পাম্বী অমা তাউথরকপগী খুদোংথীবদু নাম্বোক্তুনা লীতান মরী শম্লগা থোং অদু অমুক হন্না শেম-শাদুনা লাল্লগা জিলা দরবারদা শরুক য়াহনখি।

লৈশং যাত্রানা লীতান মরী শমখিবগী লৈপাক-নিংথৌনা পীবা মনা, ব্রাইথৌপাৎ চাবা

কোনোক বামোন মচা লৈশং শর্ম্মা যাত্রানা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা কছাড়দা ভারতকী গোভর্নর-জেনরেল অমসুং ভাইসরোয় লোর্ড নোর্থব্রুক উনবগী জিলা দরবার (কছার জিলাদা মীটিং তৌবা) চৎপদা বরাক তুরেনগী মথক্তা শাবা লীতান-থোং তত্তুনা বরাক লানবা য়াদ্রবদা থৌনা ফনা চোংথোক্তুনা লীতান থোংগী মরী শমদুনা বরাক লালহনখিবসিগী থৌনা ফবগী মনা (Gallantry/ Bravery Award) পীবীখি। অসুন্না অথোইবা থৌনা ফবগী মনা ফংখিবসি অনিনি, অমনা মাইব্যা তাম্র সিংহ অওন্দার (Havildar/Bravery Award) নি অমসুং মহাকপু জমাদার (Jamadar) গী ফমদা ফমথোন হাইগৎপা/কাখৎপা পীখি অমসুং ফম অসিগা কোন্নবা হান্না চারম্বদগী লৌ পরী অমা হেনগৎনা লৌ পরি ৩ (অহুম) চাহনখি। মসি থাগী তলবতা লুপা ৮ (নিপান), হান্নগী ফমগীদগী লুপা ২ (অনি) হেনগৎলবনি (বঃকঃশঃ, ২০১১, ১৩২)]। অদুগা লৈশং শর্ম্মা যাত্রাদনা ব্রাইথৌপাৎ অসি মহাক্লা হিংলিবা মখৈ

(গেলেন্ত্রী এৱার্ড ফংখিবা মীশক-মীওই অনিখক)

চাবা (শোয় চাবা) নি [মঃপ্রেঃ, ১৯৯৬; ৪৭]। হায়রিবা মনা অসি খৃঃ ১৮৭৬ কী শ্রীগোবিন্দজীগী দলান (বৈথক) হোঙবা নুমিৎ শকাব্দ ১৭৯৮ গী কালেন নিনি পানবা (তাং ২৬।৪।১৮৭৬ ইং) য়ুমশকৈশা নুমিৎসিদা লৈশং যাত্রা অমসুং অতৈ মনা ফংবশিংনা হূকথেংননা ফংজখি, হায়না খঞ্জে।

লীতান শম্বগী মনাসিনা পুরকপা কোনোক-বামোন লৈশং শর্ম্মা, যাত্রাগী পুন্সিগী অহোংবা

কোনোক-বামোন লৈশং শর্ম্মা, যাত্রাসি লাল্লুপ কাদবা, লাম্মী (লাল্লুপ নৎত্রগা সিফাই)গী লৌচা নৎত্রগা তলব চাদবা/ফংদবা অমসুং অহল্লুপ/খ্বায়গী লোইশঙদা অকন-অথৌনি, যাত্রানি হায়দুনা কাবা, লুগুনলৌ [Lugunlou, lands given to the Brahmins on the occasion of their taking sacred thread (Lm.I.S., 1987, 100)] লৌ পরি অমতং চাবা মীওইনি। মরম অসিনা মহাক্পু মহারাজনা ৱাইথৌ-পাৎ 'শোয়' চাবগী মনাসি পীখিবনি। মহাক্না মনা অসি ফংবদগী মহাক্কী পুন্সিদা অহোংবা কয়ামুক লাকখি। অহোংবশিংসিগী ওইবা চাওরাকপা মশকশিংদিঃ—

(১) য়ুম-হোং-খুন-হোংবা

কোনোক বামোন লৈশং শর্ম্মা, যাত্রা বামোন হঞ্জবা ওইরম্বদগী পাঞ্জি শঙলাকপা ওইরকপা কোনোক বামোন কমলাকান্তগী মচানুপানিনা মহাক মৈত্রবাক্কী খ্বাই লৈকোয়-লৈকায়গী মনুংদা লৈবা কোনোক থিংঙেন/থিংলেন লৈকায়দা পোকপনি, চাওবনি অমসুং মফমদা লৈবনি। মহাক্না ৱাইথৌপাৎ শোয় চাবগী মনাসি খৃঃ ১৮৭৬ কী এপ্রিল থাসিদা ফংখিবদগীদি মহাক থা খর/অমা-অনিগী মনুংদা ৱাইথৌ শোয় চাবগী শেন-নীঙথিনা ফংনবগীদমক্তা নহারুপ পানাগী ৱাইথৌদা য়ুমহোং-কৈহোংবা তাখি। খুনহোং-লৈহোংবসি থীহৈরবদি ওইজবা মাঙবা য়াই, হায়বা ৱাখনসিদগী মহাক খৃঃ ১৮৭৬ সিগী নোংজু পাম্বা লানথ্রগা (নোংজু পাম্বাসিদদি য়ুম-কৈ শাবা খুদোং চাদে) মেরা থা (ওক্তোবর নবেম্বর) দা ৱাইথৌ শোয়নীঙগী লম্বী মনাক্তা অতোঙবা মফম অমা খন্দুনা ময়ুম-মকৈ শাদুনা য়ুমলৈমা-য়ুম্বুরেনবীনচিংবা পুদুনা য়ুম হোংখিরম্মী। লমদাংসিদা

মহাক্কী মচা-মশূশিংগী মরমদা ৱারী-ৱাখোঙ অমসুং মরী-মখোঙ অমত্তা ফংবা ঙমজদ্রে। লমসিদা অমসুং মফমসিদা য়ুমহোং-কৈহোংদুনা মচীঙ্গাক চাবা য়ুমখোং অমা ওইনা পানখ্রে।

(২) কোনুং কাবা তামথরকপা

ৱাইখৌপাৎ, মণিপুরগী ইম্ফাল সহর নকপা, উশোয়পোকপী, উত্রাপাৎ (নম্বোন), পোরোম্পাৎ, লম্ফেলপাৎ, লৈতাংপাৎ, অসিনচিংবগী মনুংদা ঙাফা-ঙাকোন হেনবগী থোইদোক্লা মমিং চৎপা, মতম অমদা ঙাতোন, পেংবানচিংবগী মমিং লৈরম্বা পাৎনি। ইম্ফালদগী নৎত্রগা মণিপুরগী অতৈ মফমশিংদগী মতম অদুৱাইদা ঙা তীকপা লাক্লবা ৱাইখৌগী শোয়নি। মতম খর মৈদিংঙুগী পাৎ ওইদুনা শোয়সিবু শঙলি-পান্নরিবা(শিং) না মরন্নাইগী নত্তবনা খর হন্থু-শিথরম্বদু লৈশং যাত্রা মহাক্লা ঙমজবা খর, মহাক্কী মচা সেবোক-পরুৱাশিংগী মতেংনা শেমজিন--শাজিন্দুনা হোৎনরে অমসুং খরমখৈ ফজনা ঙা ফারে। অসুম্না পাৎ অমসুং শোয়গী থবক ইনখাং খর নোম-লীকপা অসিদা মৈতৈ কোনুংদা মতম খর কারু-চৎলুদ্রে। অদুবু খৃঃ ১৮৭৭ কী অদুৱাইদা অমুক অনীরক্তি কারুই, হায়না থাজে। অদুবু থায়নগুম হায়বদি মহাক্লা কোনোক থিংঙেন্দা লৈরিঙৈগুম খোঙকাপ অমা কানবদা কোনুং লৈরে হায়বদু ওইরবদি খরসু ফগদবনি, মদুসু থোক্লে। অমুক অমরোমদা খৃঃ ১৮৭৭ সিগী নবেম্বর থাদা শ্রীযুৎ মহারাজনা কোনুংগী লৈমশিং পুদুনা উশোয়পোকপীদা ঙা হাবা লেঙলকখি, মসিগী ঈ-পাউদিঃ—

খাংচ্রাকপা চাওবগী কুম শক ১৭৯৯ ...হিয়াঙ্গৈ থা ২৩নি য়ুমশকৈশ (তাং ২৮।১১।১৮৭৭ ইং) দা মহারাজনচিংবা য়োঙ্গৈবু য়োঙ্গৈহে, উশোয়পোকপীদা ঙা চাবা কুমএ [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪৩৬]।

অসিনি। মসিদা মপু নীঙবা মনাই অমা ওইনা বামোন কোনোক লৈশং যাত্রা কোনুংগী শ্রীমহারাজ অমসুং য়োঙ্গৈবু (ফমথোনকাবী লৈমশিং) য়োঙ্গৈহে (ফমথোন কাদবী লৈমশিং) গী হাননবা ঙা, মহাক্কী ৱাইখৌ শোয়গী ঙা থিল্লুই। শ্রীযুৎ মহারাজনদি য়াম্না নুংশিনা তৌবীরকখি অদুবু লৈশং যাত্রাগী পুক্লীঙদা খরদি নুংঙাইখিদে। মসিনা নাইনু কিশি কিদুনা তুংলমচৎকী লন্বী অমদা ঈথৈখিনবগী লংলা-লংজীন ওইরকখিগনি। অসুম্না লৈশং যাত্রানা কোনুং কাবা অসুম-অসুম তামথরকখি। অদুবু কোনুংদা মহাক্কী মবুংঙো লৈ হায়বসিদি কাউজদে।

(৩) মুক্তা শান্নবগী পরীংদা

লৈশং যাত্রা ৱাইথৌপাৎ চাবগী মনা ফংদুনা ৱাইথৌ শোয়নীঙদা ময়ুম শাদুনা ময়ুম-মকৈ হোংলকপা মতমসিদা মশাগী চহি ৪০ (নিফু) মপুঙ, নিফুমাথোই চঙলকপগী চহি মতাংনি। মহাক্না ৱাইথৌ শোয় চাদুনা নৎত্রগা ফমদুনা লৈবা মতমসি মহাক পাৎকী নৎত্রগা শোয়গী ঙা য়েংদে, শোয়দুদা লাকপা অমসুং শোয়ফমদুগী মনাক্তা ফাওদুনা চৎপা মীশিংদু য়েংদুনা লৈ, মখোয়গী মরক্তা মুক্তা লাম্বা য়াবা শান্নবা ঙমগদবা নৎত্রগা ঔরায়মিন্নবা য়াগদবা মীওইশিং য়েংদুনা লৈ। হায়রিবা ৱাফমসিদা বামোন মচা লৈশং শর্ম্মসিগী থৌওং-থৌদৌগা লোইননা থৌদোক-ৱারী ওইনা অখঙ-অহৈ অমনা থম্বীরম্বা ৱারমদিঃ—

...শ্রীযুৎ চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা জিলা দরবার চৎপদা লৈপাক-নিংথৌগী অচৌবা থৌদাং য়াবা মীওইশিংদা শ্রীযুৎ মনা অমমম পীবিখি। মদুদা লীতাল থৌরী শর্ম্মগীদমক লৈশং যাত্রাদা মশা শিদ্রিফাওবা ৱাইথৌ শোয় মনা ওইনা পীবিখি। লৈশং যাত্রানা ৱাইথৌ শোয় ফম্বা মতম অসিদা ৱাইথৌ শোয়গী লম্বীদা চৎপা মী খুদিংমক খাল্লগা চৎলিবগী মরম হংই। মী কয়াদা মুক্তা শীঙনদুনা মুক্তা শান্নবা হৌই। লৈপাক নিংথৌনা খর চানবা অদুদা য়াম্না থোইচৎ-ৱাংচৎনৈ।

মতম অদু খুমহ্নেম চাওবা মুক্তা খর খর শান্নজরে। মুক্তা শান্নবা লাইবুঙ খরদা মফি য়োমদুনা মুক্তা কুম্মৈ য়েংজবা, তান চারগনা মুক্তা য়াওবা, অসুম তৌবা মতমনি। লৌ ঈংখোলদসু থৱাই য়াওজবা চাওবনি। মাগী ঈরোই মচা অমা তোময়ান শূই, মদু পাবোৎ শুনীঙদুনা ঈরোই মচা অমতা য়েংগে, হায়দুনা উশোয়পোকপী লিলোং তম্না লাকই। লম্বী অচৎ-অওক অসি ৱাইথৌ-শোয় লম্বী নত্তনা অতৈ লম্বী অমা লৈতে। ঈপান থাদা হিনা চৎলি, ঈকং থাদা শোয়নীঙ লম্বীদা চৎলি। মতম অদু ঈকং থানি, খুমহ্নেম্বা চাওবনা শোয় লম্বীদা চৎলিঙৈদা লৈশং যাত্রানা কৌশিল্লি। 'ঈনাউ কদায়দগীনো, করি লম য়ৌগদবনো?' চাওবনা, 'ঈয়াম্বা! ঐহাক ঈরোই মচা অমতং য়েংজনীঙদুনা লিলোং য়ৌগে তৌবনি।' লৈশংনা, 'ঈনাউ! নঙবু নথীক নথাসু ফনা উই, মুক্তা তৌব্রা? ঐগা অমুক্তা কোন্নসিদনা?' 'ঈয়াম্বা! ঐ মুক্তা থোইনা হৈজদে, লৌ-ঈখোল শূদুনা লৈজবা মীনি', 'ঈনাউ, ঐ লৈশং যাত্রা হায়বা

(লৈশং যাত্রানা খুমহ্নেম চাওববু অহানবা মতমগী ওইনা মুক্তা থাখিবা)

অদুনি, ঈনাউগী অফবা নশাদু পাম্মুই, তুংদা হৈহৌনবা অদুক কোন্নসি’ — হায়দুনা লৈশংগা চাওবগা কোন্নখি। খোঙফম অদু লৈশংনা মুক্না থাখ্রে। খুমন্থেম চাওবা নুংঙাইতবা অমগা লোইননা ঈরোই লৈবা তোক্লে, থুনা ময়ুমদা হল্লক্লে। য়ুমগী মীশিংদা ফৌ শঙবাই ৩/৪ শুহল্লে, চেঙ ওন্থোক্লে। কাংপোৎ অমা শেমদুনা ঈরোই পানশিল্লে, নিংলৈ/নিংঙৈ অমগী মনুংদা চেঙ, চফু-ঈৰান, থুম-মোরোক, থোং থাকপা য়াবা কয়া হাপ্তুনা থৌরক্লে। নোংপোক পাংনা থৌদুনা হৈরোক্কী মমাঙ-চীঙ্গোনগী অৰাং পাংনা লোক্লুং অমদা থৌজিল্লে [খুমন্থেম চাওবা নৎত্রগা খুমন্থেম্বসি ৰাংজীওগী লমদিং খুন্দগীনি]। লোক্লুং য়ৌরবদা ঈরোই কাংপোৎ থারে, উখোঙ খর য়াল্লে, ৰা য়াল্লে, ই ফান্দুনা মশা লৈবা য়াবা শঙ অমা শেল্লে। খুমন্থেম চাওবা নুংঙাইখিদবা ৰাখন্না শা-কৈ, লন্নক্কী য়েক্লবা পুন্নমক অকিবগী ৰাংমদা থমখি। শীঙ-উ য়ান্দুনা মৈফম চাওনা শেল্লে, উখোঙ য়ুংদুনা লপ শারে। মশাগী ঈরোই লামচাদু হাত্তোক্লে, ঈরোই অদু শেমদুনা মৈফমগী মথক লপ্তা হাপ্তুনা ফৌরে, তেক্না চাবা য়াবা, কংনা চাবা য়াবা খন্দুনা ঈরোই শনবুম অদুমা চাবা হৌবগা লোইননা চীঙলাইবক্তা হৌবা য়ুন্বীরেন য়াবা উ-ইন অমগা মুক্না শান্নবা হৌরে। অয়ুক য়াহৌরগা অয়ুক্কী মথৌ লোয়রগা মুক্না কোন্নে, চাক্কী মতমদা চাক থোংলগা চাই, চাক তোকপগা ঙাইহাক পোত্থারগা অমুক মুক্না কোন্নৈ। নুমিদাং ওইরে, চাক চারগা ঙন্না তুম্মী, অয়ুক ঙন্না হৌগত্তুনা অমুক উ-ইনগা মুক্না কোননৈ। অসুম্না খুমন্থেম চাওবনা লোক্লুংদা লৈরকপসিনা পুরকপা চেঙ লোয়গদৌরে, ঈরোই শাবুম অদুমসু লোয়শিল্লক্লে। নুমিৎ কয়ানি লোংখ্রৌ য়েত্তুনা ফুক্লবা হোৎনরকপা নোংমদি ফুকপা ঙমদুনা লোংখ্রৌনা উ-ইন অদু থাদখি ...। খুমন্থেম চাওবা ময়ুমদা লাক্লে।

মতম খরগী মমাঙদা ৰাইথৌ শোয়দা লৈশং যাত্রানা কোম্না মুক্না থাখিবা অদু নীঙশিঙদুনা লৈখি। হৌজিক লাইরেম্বী মমাগী থৌজাল ফংলবা অদুদদি লৈশং যাত্রা কোন্ননীঙলে। ...খুমন্থেম চাওবা ...ৰাইথৌ শোয় তম্না লাক্লে। ৰাইথৌ শোয়নীঙ লম্বীদা লাকপদা মহৌশাগুম লৈশং যাত্রানা কৌশিল্লকই। মহৌশা উখিবা মাগী মুক্না য়েনশি ওইখিবনা লৈশং যাত্রা খঙই। ‘ঈনাউ চাওবা নঙবু মুক্না খর তমশিল্লুরব্রা, ঙসি অমুক কোন্নবা পামলিব্রা?’ — হোয় ঈয়াম্বা! ননাও খর অখঙ-অহৈদা তমজরুরে, ঈশাগী অপান্বা শীনফম অমা ওইনা ঔরায়বদি লৈতে, থৌগল

ফংজৌ হায়বসু লাইবক ফবনি, ঔরাইজরুবগী চাংদি অমুক্তং য়েংনীঙই'। 'ফরে ফরে অদুদি নঙসু নফি শেল্লো, ঐসু শেল্লগে,' হায়নদুনা ২মক মফি শেম্নখি। নুমিৎ অদু শোয়দা লৈরম্বা অরাকপা মী ভাবক খর ফল্লে। ৱাইথৌ শোয়মাঙদা অনিদু ফি পীনদুনা কোন্নখ্রে। লৈশং যাত্রাসু খল্লি— নিপা অসি খর তম্মুদুনা ঐবু তমশিল্লক্রুবনি। অদুনা মরম ওইদুনা য়াম্না হৈ-শিঙনা চেকশিন্না শান্নে। খুমহেম চাওবসু হৈরোক চীঙ্গোন্দা মমা লাইরেম্বীনা পীবীবা সিদ্ধ অদু শান্নদুনা ফিবম শেমদুনা লৈখি। লৈশং যাত্রাসু লৌ চঙগদবগী ঈললি, চত্তে; চিংই, লাক্তে, লৌ চঙবা ঙমখিদে। লৈশংগী পুন্সিদা মানা তমজরুবা হৈজবা বিদ্যা লোয়না পুথোক্তুনা হোৎনবদা চঙবা ঙমখিদ্রে। মতম খরগী মমাঙদা মানা থাখিবা মী ওইবনা তোল্লকসি হায়বসু ঈকাইরে। লৈশং ইন্থোক-ইনশিন, চিংথোক-চিংশিন তৌদুনা খোঙফম অকায়বা য়েংবা চাওবনা তাঞ্জা অমা ফংদুনা লেং হীকথরগা নীঙ ফাদুনা লেং শুপ্লগা ওয়গী নীঙ্গোং লংবদা লৈশং লোংনা লৈবাক্তা তাখি। লৈশংদু পেন্দ্রদুনা, 'ইনাউ অমুক্তংগা কোন্নসি' হায়দুনা কোন্নে। অকোনবগী মুক্লাদসু চাওবনা ওয়গী লেং শীজিন্নদুনা খুদোং চিংদুনা লৈশংবু মুক্লা থাখি। মমৈদা লৈশং যাত্রা মবুক চমদুনা নিপা অসি করিগুম্বা থৌজাল অমা ফংলবা, ঐনা পাবা ঙল্লরোয়দবা নিপানি খনখি [মঃপ্রেঃ, ১৯৯৬, ৪৭-৫১]।

অসিনি। অসুন্না লৈশং শর্ম্মা যাত্রানা মুক্লাগী পুন্সিদা ৱাইথৌদা লৈরিঙৈ, ৱাইথৌ শোয় চারিঙৈদা অঙকপা মুক্লাগী থৌদৌসি থেংনখি।

(৩) ককচীঙ কমেংদা লৈশং যাত্রা

ককচীঙ কমেং হায়রিবসি মণিপুরগী থায়না মমাঙঙৈগী সুসা কমেং অদুবুনি। ককচীঙদগী মী খরনা হিংননবগী লম্বী থিবদা সুসা কমেংদা চত্তুনা শাইদাংলুরগা য়ুমদাংবনা কৈনাদুনা ককচীঙ কমেং হায়না ককচীঙগী মীনা থোঞ্জিনখিবনি। সুসা কমেংগী লমদাংদা থম্বীরম্বদিঃ—

...About the year 1250 A.D. a large Chinese force invaded the country, and was signally defeated; all who were not killed being made prisoners. These taught the Manipuris silk culture and a number of them were settle at Susa Rameng in the valley, where they have still descendants [S.J.J., 1990, 80].

...The village of Susa Kameng is said to be inhabited by the descendants of Chinese who came to Manipur in the reign of Khagenba [T.C.H., 2003, 9].

...The smaller village such as Tangjeng, Shuganu, Langathel, Kokching Yairi, Kakching Khunou, Andro, Kameng Kokching, Susa Kameng, Sekmai Awang, Kurukhul, Kaotaruk, Kameng, Chakpa Laimaram, are less endowed with officers, the Chief of whom bears the title Khullakpa. [ibid, 72].

অসিনচিংবনি। জোনষ্টোন (খৃঃ ১৮৭৬-৮০) গী মতমদাককচীঙ কমেং নৎত্রগা কমেং ককচীঙ লৈত্রি, টিঃ সিঃ হোডসনগী মতম, হায়বদি সার চূড়াচান্দ (খৃঃ ১৮৯১-১৯৪১) গী মতমদা কমেং ককচীঙ লৈরিবসিনি। হৌজিক্কী মতমদা মণিপুরদা– সুসা কমেং, ককচীঙ কমেং, নোংপোক কমেং (লম্লাই কৈথেল্দা তাবা/চাবা) অমসুং নোংচুপ কমেং (লমদেং অমসুং খামরন খুঙ্গং অনিগী মরক্তা, ঈরোইশেনবা চীঙশাংগী মনীঙ/নোংচুপ্তা লৈবা) লৈরি। অদুনা ইন গুড ফেথদা খর লৈরবদি ককচীঙ মণিপুর নৎত্রগা মণিপুর ককচীঙ ওইরকপা য়ারি।

'সুসা' হায়বসি সেরিস (Serie) কী লোম্বেনি, মৈতৈনা হায়বনি, চাইনীজগী সেরিস/সেরিজ/সেরেজ/সেরেস (Seres) কী মতৌ তমদুনা, মসিবু য়ুরোপীয়ান, মরু ওইনা বৃটিশশিংনা সিল্ক "(Silk)", হায়। মণিপুরদা সিল্ক কলচর তৌবশিংগী অহানবা খুন্নি 'সুসা কমেং', ককচীঙবু সিল্ক কলচর তৌব্রা, য়োৎশুংবা অমসুং য়োৎশাবগী কলচরনি ককচীঙনা তৌরম্বদি অমসুং ফাওরম্বদি [খুঃচঃসঃ, ১৯৭৫ ....]। ককচীঙ-মী খরনা য়োৎ শুংনবা পোৎচাক/য়োৎচাক থিরকপদা মফম/খুঙ্গং অসিদা য়ৌরক্কুনা খুন্দারকখিবা ওইরমগনি, হায়না থাজজে। ককচীঙ কমেংদা লৈশং যাত্রানা মুক্লা তুখিবগী লমদাংদা থম্বীরম্বদিঃ--"অতোপ্পা অমনা কুম অমা ককচীঙ কমেং ইবুধৌ খল্লাংবা হরাওবগী লোয়রকপদা খুঙ্গং অদুগী ওইবা মুক্লা শান্নবদা শ্রীযুৎ চন্দ্রকীর্ত্তি সনা মিৎয়েং তাখি। মুক্লা কুম্মৈ য়েংবদা য়াওবা লাংখোং তৌবা তাংখুল শিমরে কৌবা অমনা শ্রীযুৎ ঈবুংঙোদা ঐসু মুক্লা শান্নবা অসি য়াওজগে হায়জখি। শ্রীযুৎনা তাকপীখি, তাংখুল নিপা নং মুক্লা য়াম্না শান্ননীঙবরা হংবীখি। তাংখুন্না শান্নজগে খুন্নবদা শ্রীযুৎনা ঐ

চীঙ-তম অনিগী নিংথৌনি, নংগী মুক্লা লান্বা পীগনি হায়না মুক্লা শান্নহনখি। মায়কৈ অদোমদা লৈবা মুক্লা হৈবা যাত্রা কয়া শান্নহনবদা শিমরেনা লোইনা থাখি। শ্রীযুৎসু লান্বা পীগে হায়রুবগী নুংঙাইত্রদুনা শগোল পাউ থাদুনা মণিপুরগী মায়কৈ মায়কৈন্দগী মনম লৈপাক তাদ্রিবা যাত্রা কয়া কোনুংগী বামোন কলকী, মাইব্যা তামুল যাত্রা, লৈশং যাত্রানচিংবা মায়কৈগী অফাওবা যাত্রা কয়া কৌদুনা শান্নহনবদা তাংখুল শিমরেনা লোয়না থাখ্রে। মমৈথংদা শ্রীযুৎনা মনাই থাদুনা ককচীঙ খুঞ্জাওগী ময়াংলম্বম শেঞ্জাও যাত্রা কৌহল্লদুনা শিমরেগা শেঞ্জাওগা শান্নহনবদা শেঞ্জাও যাত্রানা শিমরেবু মুক্লা থাখি। মদুদা শ্রীযুৎনা পেল্লদুনা শেঞ্জাও যাত্রাবু চীঙ-তম অনিগী অপুনবা যাত্রানি হায়না লাউথোকপীখি [মঃপ্রেঃ, ১৯৯৬, ৪৩-৪৪]।

অসিশিংসিনি। ৱারোল অসিদা 'মাইব্যা তামুল যাত্রা' হায়বসি মাইব্যা তাম্র সিংহ যাত্রা হায়গদবা মাল্লি। অদুগা মথক্কী ৱারীসি ককচীঙগী শেঞ্জাও যাত্রাবু স্বর্গদা থম্নবগী ৱারীনি থাজে, অদুবু চৈথারোল কুম্বাবদা মমিং লৈতে, য়াওদে। মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ, ককচীঙ (খুল্লেন) গা য়াম্না নক্নবা নিংথৌনি, খৃঃ ১৮৮০ দা মাঙব হোঙবগী চাওরবা থৌরমদা মহারাজসিনা অচৌবা শরুক লৌখ্রিবনি [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪৪৩]। অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি লৈরবসু ইম্ফালগী নৎত্রগা মণিপুরগী মুক্লা যাত্রাশিংগী মনুংদা মমিং পনবদা য়াওদে, জিলা দরবারগী মুক্লা যাত্রাগী মরক্তসু মমিং য়াওদে, খুল্লক-ঈরক্তা, মখুন্দা পঙহায় হায়নবা যাত্রা মাল্লি। অদুগা মথক্কী তাংখুল শিমরে (শিম্রে?), লৈশং যাত্রা, মাইব্যা তামুল (তাম্রসিংহ) যাত্রা অমসুং শেঞ্জাও যাত্রাগী ৱারীসি, মতম পীদবা (হিষ্টরী নত্তবা) ফুঙ্গাৱারী, খুনুং পুৱারী, চাকঙাই-ৱারী নৎত্রগা ৱাশেম-ৱারীনি হায়না লৌবা য়াই, টাইম ফেক্তর (Time factor) দা অহোবা লৈ।

(৪) স্নখ্যা বরাচাওবগী লান্দা

লৈশং শর্ম্মা যাত্রাগা স্নখ্যা বরাচাওবগী লানগা করি মরী লৈনবগে, কোনোক বামোন লৈশং যাত্রানা করি তৌখিবগে, অসিনচিংবগী মরম লৌখৎচদ্রিঙৈগী মমাঙ স্নখ্যা বরাচাওবা কন্নানো, মহাক্লা মণিপুর ইতিহাসতা মমিং লৈবা থবক করি তৌখিবগে হায়বনচিংবগী খঙবদা মথৌ চঙবা ৱারী-ৱাখোঙশিংদু লৌখৎচরি। হায়জরিবসিগী পরীংদা কোনোক বামোন লৈশং যাত্রানা লৌখিবা শরুক, য়াখিবা থৌদাং অমসুং ওইখিবা শক্তমদসু য়াওজরক্কনি।

ঈবুংশীজ/ঈবুংশী (রাজকুমার/নিংথেমচা) নৎত্রগা সনা/সনখ্বা/ম্নখ্যা (নিংথৌমচা নৎত্রগা নিংথৌরেনমচা) বরাচাওবগী জন্মকোঠী মিং (কুঠিদা থোনবা/পীবা মমিং) দি উগ্রালসিং হায়না কৌই [মঃসঃকঃ, ১৯৯৪, ২৬২ অমসুং শঙ্গাই ফম্মাঙ, খুৎঃলাইঃ]। মহাক মৈদিংঙু লৈরেন-নোংলেন শেন্দ্রেং মনিকখোম্বা ওর্ফে মহারাজ নরসিংহ (খৃঃ ১৮৪৪-৫০) গী মচাঈবুংঙো ওইনা মহারাজসিগী মঙাশুবী লৈমখুবী নোংমাইথেম/লংমাইথেম চনু চন্দ্রাবলীনা শকাব্দ ১৭৬৭কী ফাইরেন ২৭ নিংথৌকাবা (তাং ২৩।২।১৮৪৬ ইং) দা পোকখিবনি [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫,২৭৪]। মহাক মমাশীজসিগী নুংশি মিৎয়েংখাদা নাইতোম পোকপা তোম্পোক ওইনা চাওরকখি অমসুং মৈতৈ নিংথৌমচা অমনা তম্ফম থোকপা, হৈবা হৌনবা মহে-মশিঙ পুম্নমক মমাশীজগী থৌশীল-থৌরাংগী মনুংদা তম্লক-হৈরকখি, অদুবু মহাক্কী ওঝা-গুরুশিংগী ওইবা ঈ-পাউদি ফংবা ঙমজদ্রি। মহাক কোনোক বামোন হঞ্জবা কমলাকান্তগী মচা লৈশং শর্ম্মগা চহি তরা খেন্নবনি। মহাক মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা অনিরকশুবা নিংথৌ ওইবগী হাক্তকসিদা পুকচেল তিংবা, হৌনবা খঙবা, অরানবা লমচৎনদবা অমসুং মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী খ্বাইদগী হেন্না অথোইবা রাজভক্ত অমা ওইনা লৈরম্মী। মচীন-মনাউ অনিসি অশুপকী মতীক নুংশি-চান্নরম্মী, মদুদি মচীন-মনাউ ওইবগী ৱাখল লৈনদনা মরুপ-মপাং ওইনা লেঙ্গোন্নদুনা ফাওবা চৎমিন্নরম্মী। মচীন-মনাউ অনিগী চান্নবা মতৌসিদা মীথিঙ্গে ওইবা মী অমা অমসুং মমা শাদুং লৌওনবী, নিংথৌপোকপী ওইরগা অহৈবম মৌ ওইনীঙবী [মথক্কীসিদা, ৩০৯] অনিগী মমিৎ নাখি, অমসুং মচেক্লা য়ৈদুনা সনা উগ্রালসিংবু কোনুং চঙহন্দনা খুজীল-থৌরাং তৌখি। অদুনা সনা উগ্রাল/ বরাচাওবা কোনুং কাবা লৎখি অমসুং ৱাংখৈরাকপা (যুবরাজগী হেক ঙমথংনি, সেনাপতিগী মথক্তা লৈবা ফমনি) ওইরিবা মহাক্না কোনুংদগী তামথোক্লবা হোৎনরকখিরম্মী। অদুবু ময়াম্নুং ঈবুংঙো মহারাজনদি মী থারক্লুনা মনাউবু কোনুংদা কৌহন্দুনা কোনুং কারক্তবগী মরমদা চপখৎলকখি অদুগা লেপ্তনা কোনুং কাননবা তাকপীখি। অদুবু নোংমাংখা মখোঙদা চুহী খরুং ১০০০ হৈদুনসু থুম্নক্লরোয়দবা অমসুং থুম্নক্লরোয়দবী অনিদুনা শীন্দুনা করিসু খঙজদ্রিবা

(ম্নখ্যা বরাচাওবা কনানো করম্না হৌরক-চাওরকখি)

(ম্নখ্যা বরাচাওবদা লানহৌনীঙবা ঈথিন পীখি-পোকহনখিবা)

খৃঃ ১৮৫২ গী জুন ৮ দা পোকপা, পোকপা নুমিত্তুদা যুবরাজ হাপখিবা [মথক্কীসিদা, ৩১৪] মচাঙ্গৈবুংঙো যুবরাজ অদুনা ফাওবা করেম্মদুনা, "সিংহাসন মাগীনি", "মণিপুরসু মাগীনি" হায়বনচিংবা ইনশিন্দুনা হায়হল্লগা সনা বরাচাওববু ঈকাইবা পীখি। মসিদগী স্নখ্যা বরাচাওবা কোনুং কাবা লেপখি অমসুং ৱাংখৈরাকপগী ফম অদুসু য়াইস্কুল লাকপগী ফমদা লৈখি [মথক্কীসিদা, ৫১২]। হায়রিবশিং অসিনা স্নখ্যা বরাচাওবগী থম্মোইদা লান হৌনীঙবগী ৱাখল পোকখি, অদুবু মহাক্না মহাক্কী মবুংঙোনা লৈরিবা মখৈদি লান খক হৌরোয়, মতম লাকখিনি, হায়দুনা নিংথৌ ৱারুম, শামু ৱারুমগী মলোমগী থরুম অমসুং ৱারৌ-পুক্রৌবগী নীঙচিং, থম্মোই কিশি কিদুনা থমখি।

স্নখ্যা বরাচাওবা, মীগী মতেং পাবদা হাল্লেঙবা লৈতবা মীওইনি। মহাক্না পাউনমচা নাওল সিংহ (পাউনা ব্রজবাসি), চোংথামচা মিয়া সিংহ চোংথামিয়া), পুত্রনবমচা তংকোনচিংবগী মতেং পাংখিরম্মী। অদুগা হৌমিন-কামিন্নরকপগুম্বা কোনোক বামোন মচা লৈশং শর্ম্মনা মুক্না যাত্রা ওইদ্রিঙৈদগী খঙনরক্তুনা মুক্না যাত্রা ওইরক্লবা মতমদা মতেং পাংখিরম্মী। মহাক্কী থম্মোইদা মতমদুদা ঐখোয় মঙাইরে, হায়দুনা ফল্লিবা,

(স্নখ্যা বরাচাওবগা লৈশং যাত্রাগা হান্নদগী শকখঙনরকপা)

তৌবীমল খঙবদগী তামথোকখ্রবা মখোয়না চুখিবা মৈদুগী মৈশা ফাওরক্লবা মতমসিদা মহাক্কী মী ওইজবশিংদুবু নীঙশিঙলকখি। মহাক মশাগী চহি নিফুশিংগী মতাং লাকখিবগা লোইন্ননা মহাক্না ঙাইরকপা মতম অদু থুংলখি। নাউরিয়া পুন্সিগী কুম্ন শক ১৮০৮ গী কালেন থা, মৈতৈ মচাশিংনা বৃটিশকী মথক্তা অৱাশিংনা লান হৌবা (The Third Burmese Insurrection or 3rd Anglo-Burmese War, 1885-86) কী লাংনরিঙৈ, সৌগাইজাম্বা বলরাম সিংহ, জেনরেলনা লেফটেনেন্ট-কর্নেল জোনষ্টোন্না মৈতৈ নিংথৌদা বৃটিশকী মণিপুরদা লৈবা পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা হায়জবদগী মহারাজগী য়াথংদগী মৈতৈ সিফাই ৪০০, খোংজাই সিফাই ৫০০ পুদুনা কেন্দাট/কিন্দাৎ লান চৎলুবদগী হল্লকপা, থাঙ্গাল/চিদানন্দ, জেনরেলসু মৈতৈ সিফাই ১,০০০ পুদুনা মোরেদা লাল্লুম্বা চৎলুবদগী হল্লকপা নুমিৎ খৃঃ ১৮৮৬ কী মে ১৯সিদা শ্রীযুৎ স্না হকচাং ঈরে,

(স্নখ্যা বরাচাওবগী লানহৌনবা থৌরাং)

মাইবা-বৈতশিংনা নীঙবা কায়না অনাবগী পাউখুম পীরে। মসিদা সনা বরাচাওবসি য়াইস্কুল পনকোক্তা শাবা মমাঙঙৈদগী তম্পাকয়ুম ওইরক্লগা হন্দক্তা তম্পাকয়ুম হোংদোকখিবা, খৃঃ ১৮৬৯ দা য়াম তক্লবা চক্রি শেমখিবা [মথক্কীসিদা, ৩৮১] গী মমাঙ/নোংপোক্তা লৈবা নিতাইবাৎ চীথেক্কী ঈংখোল-কোল্লুপাতা লৈরি। অদুনা কোনুং-মনুংগী ঈ-পাউসি খুদক্তা ফংলম্মী। মরম অসিনা মহাক্কী হান্নদগী তান-খন্নদুনা লৈরবা মীশিংদা পাউ থাদুনা তৌবা য়াবা থৌরাং তৌনবা খঙহনখ্রে। অচানবা মনাই অমদা শগোলপাউ পুহন্দুনা ৰাইথৌদা লৈরিবা কোনোক বামোনমচা লৈশং যাত্রাদা থীন্দনা লাক্কুনা লৌখৎলিবা থৌরাংদা তেংবাংলনবা খঙহনখ্রে। লৈশং যাত্রাদা নত্তনা অতৈগী মফমদসু শগোলপাউ য়ৌখ্রে। স্নখ্যাসু কোনুং মনুংগী মখা তাবা ঈ-পাউ লৌদুনা লৈরি। ঈশ্বরনা তন্নকপা নোংদম শোয়বা য়াদবনা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ নাউরিয়া পুন্সিগী কুমসিগী কালেনগী ১৭নি পানবা শগোলশেন (খৃঃ ১৮৮৬ কী মেগী তারিক ২০) নুমিত্তা মশাগী চহি ৫৫ দা নোঙ্গাখিরম্মী। মতমসিদা নিংথৌ নোঙ্গাবগী অৰাবদু নিংথৌ লৈতবা পান্দবা য়াদবগী নিংথৌ ফম্বাল হাঙহৈদবনা নিংথৌ হাপ্পনবা লাংনবদা ঈথৈরি।

(মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ নোঙ্গাবা, তাং ২০/৫/১৮৮৬ ইং)

স্নখ্যা বরাচাওবগী থাজরবা মনাইশিং, কন-থৌরবা চোংথা মিয়া অমসুং পাউনা ব্রজবাসি সুবিদার অনিনা খোমজিন্দুনা য়াউরৌ (চঙালগৈ/চঙাঙ্গৈদগীনা নম্বোল ফাওবগী মরক্তা লৈবা লম) দা তেঙ্গোল শাদুনা স্নখ্যা লেঙলকপা ঙাইদুনা লৈখ্রে। শগোল-পাউ থাদুনা স্নখ্যাদা খঙহন্নবা মে ২০ সিদা লাকখিরম্মী। নুমিৎসি শ্রীযুৎ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ থুপখিদুনা মচাঈবুংঙো অহল সুরচন্দ্র যুবরাজবু নিংথৌ হাপ্পগী হেক লাউথোকপগা স্নখ্যা বরাচাওবা শগোলপাউ লাকপা মনাইশিংগা লোইননা লাঙ্গোই শায়াঙ থক্তা য়াওরৌ তান্না লেঙথখি। অসুম্না খোঙশাল্লকপগী মরমদা পীরিবদিঃ—

(স্নখ্যা বরাচাওবগী অহানবা তেঙ্গোল য়াওরৌ লমদমদা)

নাউরিয়া পুন্সি কুম শক ১৮০৮ ... কালেন থা ... ১৭নি শগোলশেন্দা মৈদিংঙু নাউজিংলেন নোংদ্রেন খোম্বা চহি ৩৭তা নোংগাই, শুপ্পা পুন্সিদি চহি ৫৫নে। অদু নুমিত্তা সুরচন্দ্র সিংহনা চহি ৩৫ দা নিংথৌ ওই। অদু নুমিত্তা মতোন

ইবুংঙো ৰরাচাওবা চেনখিএ। মাইস্লামচা (শামু সিংহ) তুলিয়ায়মা (2nd B.N.) মেঞ্জোরগা ঈরুংবা পোইলা, ২মগা য়াউরৌদা কাপ্লেএ। ১৮নি ঈরাইদা ঈবুংশীজ কন্থান (কোইরেং সেনাপতি ওর্ফে টেকেন্দ্রজিৎ বীরসিং যুবরাজ) না চিংবা, মচাঈবুংঙো ৱাংখৈরাকপা (ঈবুংশীজ দিনচন্দ্র সিংহ, ৱাংখৈরাকপা), চোংথা (চোংথাম অঙাংঅতোন মেঞ্জোর ওর্ফে নীলমনি সিংহ) অয়া পুরেন মেঞ্জোরনচিংবা য়াউরৌদা কাপ্লে। অদুদগী কায়দুনা খুরাইরাকপা পন (খুরোইরাকপা পন) দা লৈএ। ঙমদুনা চেনখিএ [মথক্কীসিদা, ৪৬৭]।

অসিনি। য়াওরৌগী নম্বোল হৈবী মখোঙদা স্নখ্যা বরাচাওবগী তেঙ্গোল শারি, তেঙ্গোলদুদা অসিগুম-অসিগুম্বা অকন-অথৌ য়াওরি হায়বসি স্নাকোনুংদা লৈরিবা লৈপাক্কী অঙম্বশিংনসু খঙলিবনি। অহানবা নুমিৎ মে ২০ তা লান কাপ্লবদগী লানহৌরিবা কাংবুনা লাকচরম্বনি অদুবু মথংগী নুমিৎ (মে ২১ সিদা সনা কোনুংদগী অনৌবা অচৌবা লাম্মী মপৈ অমা থোমজিল্লকপসিদদি স্নাকোনুংগী লাম্মীনা লাকচরে। অদুনা খুরাইরাকপা পন (মসি শামুপনগী মনীঙ/নোংচুপ্তা লৈবনি) দা লান হন্দোক্তুনা লৈখিরম্মী। অদুবু মদুদসু স্না কোনুংগী লাম্মীনা লান্দারক্তুনা লান শোক্লখি। লানফমসিদা লম্বা পাবা ঙমদদুনা স্নখ্যা বরাচাওবা, পাউনা ব্রজবাসি, লৈশং যাত্রানচিংবা কছাড়দা লাঞ্জেনখি। হায়রিবা খুরাইরাকপা পনগী লানফমসিদা ফাখিবা লানফমশিংদিঃ—

নাউরিয়া পুন্সিগী কুম শক ১৮০৮ ...কালেন থা ২১নি নিংথৌকাবদা (তাং ২৪।৫।১৮৮৬ ইং) মনাউ ঈবুংঙো কন্থান, মনাও ফুঙ্গানাই শঙলাকপা ২মনচিংনা থুংলৈ। লান ফারকপদি— পুখ্রনবা তংকো [১৮৯১ গী মার্চ ২৪ দা বৃটিশনা যুবরাজগী য়ুমদা লান্দারকপা চোংথোক্তুনা বৃটিশ লাম্মী অমগা শিমিন্নখি (মথক্কীসিদা, ৩৪৮)], চোংথামিয়া [খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল ২১-২৫ ফাওবগী খোংজোম লানবনগী লানজিংলেন (Commanding Officer or Commandar) (মথক্কীসিদা, ৪৮৯, ৪৯২)], ইংগুদুম্বা শ্যামমনিক ৩মনচিংনা লানফা ১০ ফায় [মথক্কীসিদা, ৪৬৭-৬৮]।

অসিশিংনি। মখোয়সি নুমিৎসিদা কৈশুমশঙ [ফাদোক হায়, জেলনি] দা লোইনমক থমখি।

স্নখ্যা বরাচাওবনা কছাড়দগী লান্মী খোমদুনা অমুক হন্না মণিপুরদা লান্দারকখি অমসুং মসিদা স্নখ্যাগী লান্মীশিংগী মরক্তা লাঞ্জিংবা অমা ওইনা বামোন লৈশং যাত্রাসু য়াওরি। মখোয়না কছাড়দগী লান্দারকপসি মৈতে সনা কোনুংদা চহিসিগী ওক্তোবর ৪ দা তাখি। খোঙফমসিদা স্নখ্যা বরাচাওবগী লান্মীশিংসি তোংজৈ মরীল লম্বীগী লম্বান্দা লৈবা য়ৌয়াংতেক কৌবা মফমদা তেঙ্গোল শাখি। অদুগা মখা তাবা লানগী লাল্লোং, খোঙচঙ, লান্দা-লাহৈনচিংবগী মরম পুম্নমক লেপ্লথোক্কুনা লৈখি। সনা কোনুংদগী ঈরুংবা মেঞ্জোর (মমাঙগী লান্দা পোইলা ওইরম্লদুনি), শঙখুবা পোইলা অনিনা লুচিংদুনা য়ৌয়াংতেক্কী স্নখ্যা বরাচাওবগী তেঙ্গোন্দা লান্দাখি। হায়রিবা ওক্তোবর ৮সিগী মথংগী নুমিত্তা (ওক্তোবর ৯দা) কত্বান ওইরম্বা নিংথৌমচা কোইরেংবু সেনাপতিগী ফম পীরগা মহাক্না লুচিংদুনা মনাওঈবুংঙো শামুহঞ্জবা (কেশোরজিৎ সিংহ) মচা ঈবুংঙো ৱাংখৈরাকপা (দিনচন্দ্র), চোংথা মেজর (অঙাংতোন/নীলমনি), চোংথা পানা হজারী, ৪সি য়াওনা অচৌবা লান্মী মপৈ অমা পুদুনা লান্দাখি। য়ৌয়াংতেক্তা মায়কৈ অনিমক্লা ওক্তোবর ৯ দা লান শোক্লরিঙৈসিদা হান্নদগী লেপ্লখি খন্নখিবগী মতুংইন্না স্নখ্যা বরাচাওবা অমসুং পাউনা ব্রজবাসি সুবিদারনা মচিৎ-মচিৎ ওইনা লান্মী পুরগা থোংজাও চীঙখোঙ চীঙয়া লান্দুনা খোইজুমান-তৌবুল, পোৎশংবম-ঙাইখোং লান্দুনা লোইয়ালম, চীঙথাং, শঙাইথেল মাকলং ফাওদুনা চৎশ্লগা ফুমলৌ, লমদেং লাল্লগা ঈরোইশেনবা তাখিদুনা মফম অদুদা চীঙথক্তা বৃটিশশিংনা মখোয়গী লল্লোনপোৎ থম্ফম অমসুং পোৎয়োন-পোৎৱানফম শারম্বা, হায়রিবশিংসি ঙাক্ল-শঙনবা লান্মীশিংগী লৈফম শেমদুনা লৈপন-পল্লী নাখত্তুনা লৈপন-লৈরংগী লানবন লৈরম্বা মফমদুদা তেঙ্গোল লীংদুনা লৈখ্রে। য়ৌয়াংতেক্কী লানফমসিদগী স্নো কোনুংগী লান্মী লানফা ৩০ ফাখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৪৬৯]।

(স্নখ্যা বরাচাওবগী অনিশুবা কছাড়গী লান্দারকপদা য়ৌয়াংতেক কৌবা লমদা তেঙ্গোল শাখি)

(য়ৌয়াংতেক্কগী ঈরোই শেনবা তেঙ্গোল শাফম হোংদোকখিবা অমসুং লান)

ঈরাইশেনবগী তেঙ্গোল অসিদা স্নাখ্যা বরাচাওবগা পাউনা ব্রজবাসি সুবেদারগা অনিনা চেকশিন্না ঙাক-শেন্দুনা লৈরকখি, হায়রিবা লানবনসিদা লাঞ্জিংবশিংগী মরক্তা কোনোক বামোন লৈশং যাত্রাসু য়াওরি। নুমিৎ ৪নি স্নখ্যা বরাচওবগী লান্মীশিংনা কেকু লোৎখিবদগী কোনুংদা লান লৈত্রবগুম হরাউনরুরবনি। অদুবু ঈরোইশেনবদা স্নখ্যা বরাচাওবগী লান্মী লৈরে হায়বা পাউ সনা কোনুংদা য়ৌখি। মসিদগী থীহুদনা থাঙ্গাল/চিদানন্দ জেনরেল, সেনাপতি কোইরেং অনিনা লুচিংনা মৈতৈ অকন-অথৌশিং কয়া য়াওরবা তেঙ্গোল অমনা ঈরোইশেনবগী লানবনসিদা লান্দাখিরম্মী। অসুম্না চহিসিগী ওক্তোবর ১০ নোংমাইচীঙ নুমিত্তা মায়কৈ অনিমক লানহৌবা অমসুং লানকনবা ওইনা থেংনখি। অদুবু লানকনবা সনা কোনুংগী লান্মীশিংনা মায় পাকখি অমসুং লানফা কয়ামরুম ফাখি। হায়রিবসিগী ঈ-পাউদিঃ—

(লানফা অমা ওইনা কোনোক লৈশং যাত্রা)

নাউরিয়া পুন্সিগী কুম শক ১৮০৮ ...মেরা থা ...১৩নি লংমাইজীঙ (তাং ১০।১০।১৮৮৬ ইং) দা ঈরোইশেন্বদা কাপ্লবদা ঙমদুনা ফানবা লান্দি— স্না বোরাচাওববু খুৎহৈবা কৈরুংব (খুৎলেম/খুলেম শাজৌ কৈরুংবা) না ফাএ। শুপ্না নিংথেমচা ৯ (মাপন), বামোন ৫ (মঙা), মৈতৈ ১১৩, নোংমৈ ৩৩ লোকএ ...[মথক্কীসিদা, ৪৬৯-৭০]।

অসিনি। মথক্কী ৱারোলসিদা হায়রিবা বামোন লানফা ৫ (মঙা) য়াওরিবা অসিগী মনুংদা কোনোক বামোনচা লৈশং শর্ম্মা যাত্রাসু লানফা (War prisoner/captive) অমা ওইনা য়াওরিবনি।

বামোন লৈশং যাত্রাককচীঙ খুন্নৌদা লোই থারকখিবা

খৃঃ ১৮৮৬ কী স্নখ্যা য়াইস্কুল লাকপা বরাচাওবগী লানহৌসিদা ঈরোইশেনবগী লানফমদগী চহিসিগী ওক্তোবর ১০ দা ফাখিবা লানফাশিং অসি মৈতৈ নিংথেমচা অমসুং নিংথৌমচা মাপন অমসুং বামোনমচা মঙা য়াওবসিনা বিচার তৌদবা ঈয়া য়াদদুনা চৈরাপ ৱায়েন-চৈরাকশঙগী ফমবৈ ফমদুনা ৱায়েল-চৈরাক পরীং অমসুং পরম চখ্বরে। অদুগা স্নখ্যা বরাচাওবদি লানহৌ

(লানহৌবশিংগী বিচার অমসুং দণ্ডি)

মকোক পুরেন্নি অমসুং অতৈ নিংথৌমচা অহুমসুং মকোক পুরেনগী ঙমথংনি হায়দুনা বিচার নীঙথিনা তৌদনা মথংগী নুমিৎ ওক্তোবর ১২ দা মীরৈপাক্তা লোই থাবা/থম্ব (Deportation) গীদমক্তা মখোয় মরিদি পুথোকখ্রে। অদুগা অতৈদি ওক্তোবরগী তারিক ১৭ ফাওবদা ব্রায়েল্লগা চৈরাক পীদুনা মথং নুমিৎ ওক্তোবর ১৮ দগী লোই থাখি। মসিগী ঈ-পাউদিঃ—

নাউরিয়া পুন্সিগী কুম শক ১৮০৮ ...মেরা থা ...২০নি লৈপাকপোকপা (তাং ১৮।১০।১৮৮৬ ইং) দা বরাচাওবগী লানফমদা ফাবা নিংথেমচা স্নাতোম্বী শগোলমাঙদা থাইএ, ঈবুংশী কবুইঙম্বগী মচানা ককচীঙ খুন্নৌদা থাইএ, ঈবুংশী মন্ত্রী হনুবগী মচানা কমেংদা লোই থাই, ব্রাংখৈরাকপা পোইলা চাইরেন্দা থাইএ। বামোন ৫সু— কুমফিদা ১, থাঙ্গদা ১, ফৌগাকচাওদা ১, ব্রাংঙুদা ১, ককচীঙ খুন্নৌদা ১। ... [মথক্কীসিদা, ৪৭০]

অসিনি। ব্রারোলসিগী অরোয়বদা বামোন ৫ (মঙা) লোই থাবগী অকোনবা ককচীঙ খুন্নৌদা লোই থাবা অমা য়াওরিবসি বামোন লৈশং যাত্রানি।

ককচীঙ খুল্লেন্দা লৈশং যাত্রা

কোনোক বামোন লৈশং যাত্রা লানহৌবা য়াওরুবদগী লানফা ওইনা ফারগা লোই থারক্লবনিনা মহাক্না লৈনীঙবা মফমদা লৈবা য়াদ্রে, মহাক্কী লোইফম নৎত্রগা লোইখুল (Colonial place or village) অমসুং চৈরাকফম/চৈরাকখুন (Penal Place/Village) অদুদা লৈবা তাবনি, মতম খরদি শোয়দনা লৈতবা য়াদবনি। অদুগা মহাক্না পাল্লিবা নিংথৌ নৎত্রগা গোভর্ণমেন্টকী মায়য়োক্তা লানহৌবা য়াওরুরবনিনা মহাক্কী মপুন্সিনা লৈরিবা মখৈ চাও হায়দুনা মণিপুর সরকারনা খৃঃ ১৮৭৪ দা লীতান শম্বগী মনা ওইনা পীরম্বা ব্রাইথৌপাৎকী শোয় চাবা-ফম্বগী মনা অদুসু খৃঃ ১৮৮৬ কী ওক্তোবর ১৮ দগী ককখ্রে, পাল্লিবা নিংথৌদুনা (সুরচন্দ্র মহারাজনা) মহাক্কী মরান্দুদগী মঙোন্দগী হন্দোক--লৌথোক্কুনা লৈপাক্কী/নিংথৌগী ওইখ্রে। মহাক্কী লুগুণ/নগুণ লৌসু ককখ্রে। মশাগী চহি ৫১ চঙলকপগী মতমসি মহাক্কী মফমদা অৱাবগী মতম ওইনা থোক্লে। অসুম্না ৱানা-ৱানা মহাক্কী

> *(মনা-শোয়ফম হন্দোকখি-লৌথোকখিদুনা পাল্লিবা নিংথৌগী ওইখিবা)*

লোই মফম ককচীঙ খুন্নৌ (Penal village called Kakching Khunnou) দা চহি অনিগী মতম লেল্লক্লে। মতমসিদা মহাক্লা মহাক্কী কোক্কী থোপ (Brain) মনুংগী চীদায় অমদা লোত্তুনা থম্লকপা মহাক্কী পুকোক পুরেন হাক্তক্তগীনা অপোকপা মপাগী মরোন ফাওবদা শীষ্লানরিবা পাঞ্জিগী বিদ্যা পুথোক্লক্লে। থিবা য়াবা মরী লৈনবা চে-চাং, সুবিকা (শিব-অঙ্ক্তা), জ্যোতিষ চন্দ্রিকা, লঘু জ্যোতিষ চন্দ্রিকা, পাঞ্জি খুপায়, অরিবশিং, অনৌবশিং থিরক্লে; চৌদিৎ, কিথুম, লাইশাবা, অসিনচিংবা পায়খৎলক্লে। গনিতকী মহৈনি, গনকগী লৌশিংনি, চহিনা য়েরকপদা, মুক্লানা য়ারক্ক্রবদা হিংনবগী লম্বীদা শীজিন্নবা থমখিবা বিদ্যাদু নীঙথিনা ঔরায়বা হৌরকখি।

(লোত্তুনা থম্লরবা পাঞ্জি বিদ্যা পুথোক্লকপা অমদি শীনফম ওইনা লৌখৎপা)

কোনোক লৈশং যাত্রাসি ককচীঙ খুন্নৌদা চহি অনিরোম পাঞ্জিগী বিদ্যাসিদা হোৎনদুনা লৈরুরগা খৃঃ ১৮৮৭-৮৮ দা ককচীঙ খুন্নৌদগী ককচীঙ খুঞ্জাও, হায়বদি ককচীঙ খুল্লেন্দা হোংগৎলক্কুনা লৈখিবা মাল্লি। হিরমসিগী লমদাংদা ককচীঙ খুল্লেনগা তাইননা ককচীঙ ৱাইরী শরুক্তা লৈবীরম্বা অখণ্ড-অহৈ অমনা থম্বীরম্বা ৱারোন্দিঃ—

মমাংঙৈ সনখ্যা বোরাচাওবা হাক্তক্তা করিগুম্বা ৱাথোক অমদগী পণ্ডিত গনক থিংগ্রানা পোকপা কোম্লাকান্ত শর্ম্মগী মচা লৈশং শর্ম্ম ককচীঙ খুঞ্জাওদা লৈখি। অহল-লমন হাক্তক্তগী পাঞ্জি গনক্কী থবক হৈরকপনা ককচীঙ খুঞ্জাওদা পাঞ্জি তৌদুনা, গ্রহ পুজা তৌদুনা ফৌ-চেং, শেল য়াম্না ফংদুনা নুংঙাই য়াইফনা পানবা মী অমা ওইজরে। লৈশং শর্ম্ম মপা মপুগী নুংঙাই য়াইফনবা কীর্ত্তন উৎসব অমা কৎনীঙলে। লৈশং শর্ম্মগী অনিংবা অপাম্বা অদু শ্রীযুৎ সনা কোনুংদা চত্তুনা শ্রীযুৎকী অয়াবা লৌজরুরে, লোয়ননা শ্রীযুৎ ইবুংঙোবুসু কীর্ত্তন য়াওবীনবা বার্ত্তন কৎখ্রে। হায়রিবা কীর্ত্তন অদুদা শ্রীযুৎ ঈবুংঙো, বামোন কলকী য়াওনা মনাইশিং কয়া পুদুনা লেঙবীরকই। খোঙফম অদুদা বামোন কলকী শর্ম্মগা ককচীঙকী শেঞ্জাও যাত্রাগা মুক্লা শান্নহনবদা শেঞ্জাও যাত্রানা থাখি [মঃপ্রেঃ, ১৯৯৬, ৪৩-৪৩]।

অসিনি। ৱারোন অসিনা লৈশং শর্ম্মা/যাত্রাগী, ঈ-পাউ (Information) শিংগী লংলা-লংজীন (Clue), নীঙথিনা পী হায়বা য়াই, অদুবু মণিপুরগী ঈতিহাসকী থৌদোকশিং মমুৎ তানা নৎত্রগা ৱাখল লৌশিঙ তানা খঙবা, খঙ্বা ৱাৎপগী

মমি তাই। অদুবু মমাঙগী অহনশিংগী ইবগী খুৎই-লাকইদা চীনবুঙ চীনফাগী ৱারী-ৱাতাই, অহন লমন (মপা মপুনা) লীবীরম্বা ৱারী (Story, not History) চেবাংদা কলম্না মমি তাহনবগী মচত্তা থন্নম্বনি হায়না লৌরগা লৌখৎপা য়াবা ঈ-পাউশিং লৌখত্তুনা শীজিন্নবগী লংলা লংজীন্নি। পুম্নমক চুমদ্রবসু অচুম্বা খরদি ময়াওরিবনি অমসুং মথক্কী ৱারোলশিং অসিদা য়াওরিবা ঈ-পাউশিংসি লৌখত্তুনা হৌজিক্কী মিৎয়েংদা নৈন-খন্নবদা ফংলিবা ইতিহাসকী মচাকশিং অমসুং বামোন কোনোক লৈশং শর্মগী পুন্সিগী থৌদোকশিংগা মরী লৈনবা ৱারমশিংদি (মথক্তা থমজখিবা লৈশং যাত্রাগী পুন্সি ৱারীগী মখা তারকপা ৱাফমশিংদি)ঃ—

কোনোক বামোন লৈশং শর্ম্মা/যাত্রানা পাঞ্জি বিদ্যা তৌদুনা শেন তাল্লগা মপা মপুগী কীর্ত্তন কৎলিবনিনা মহাক ককচীঙ খুঞ্জাও/খুলেন্দা মাগী লোইফম খুন ককচীঙ খুন্নৌদগী ককচীঙ খুল্লেন্দা খৃঃ ১৮৮৮ দগী লৈরকখি। অদুগা মহাকসি লোই-মী (Penal personnel/captive) অমা ওইবনিনা মানা তৌগদবা থবক্কী অয়াবা মৈতৈ নিংথৌদগী লৌবসি অচুম্বনি অমসুং মহাক্না অসুম্না লোইমী নৎত্রগা চৈরাক/দণ্ডি ফংলিবা মী অমা ওইনা লৈগদবসি চহি ৫ (১৮৯১-১৮৮৬) রোমদনি। অদুগা ককচীঙ খুল্লেন্দা খৃঃ ১৮৮৮ দগী লৈরকপনিনা চহি ৩ খক্তগী মতমদনি। অদুগা শ্রীযুৎ, মহাক্না কৎচবা কীর্ত্তন্দুদা লেঙবীরকই হায়রিবনিনা চহি অহুমসিদা/মঙাসিদা পাল্লিবা মৈদিংঙু শ্রীযুৎশিংদি— (১) মৈদিংঙু কৌবা চীঙলেন লাম্বাবা [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪৭১-৭২] ওর্ফে সুরচন্দ্র মহারাজ (খৃঃ ১৮৮৬-৯০) গা (২) মৈদিংঙু কুলচন্দ্রধ্বজ (খৃঃ ১৮৯০-৯১) গনি। অদুগা নিংথৌ অনিমকসিনা ককচীঙদা লেঙখিবগী ৱারোল চৈথারোল কুম্বাবদা লৈতে [মথক্কীসিদা, ৪৬৭-৪৯৫]। অসিগুম্বা থৌদোক্তা শ্রীযুৎ সুরচন্দ্রনা লেঙখিবসি সৌগাইজাম্বা বলরাম সিংহগী কীর্ত্তন (ফিরোই) খৃঃ ১৮৯০ গী মার্চ ৯ (নোংমাইজীঙ নুমিৎ অসি খক্তনি [মথক্কীসিদা, ৪৭৯]। মসিসু ইম্ফাল মোইরাংখোমদনি। অদুবু অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু বামোন লৈশং শর্ম্মা/যাত্রানা ককচীঙদা মপা-মপুগী কীর্ত্তন কৎখি, হায়বসিনি লৈশং যাত্রাগী মতাংদা পাল্লিবা ঈ-পাউসি। অদুগা মহাক্না কীর্ত্তনসি খৃঃ ১৮৯০ সিদা কৎলন্নবদি মহাক মশাগী চহি ৫৪ (য়াঙখৈ মরি) শুরে অমসুং মতমসিদা মহাক ককচীঙগী নিংথৌ বুদ্ধিরাজ (মোইরাংথেম গৌরশ্যাম) গী প্রজা ওইনা পানখিরম্মী।

কোনোক বামোনমচা লৈশং যাত্রা ককচীঙদা খৃঃ ১৮৮৮, মশাগী চহি ৫২ দগী ককচীঙ খুল্লেনগী খুঞ্জা অমা ওইনা লৈরকপা মতমসিদা মহাক্না পায়রন্বা শীনফমসি পাঞ্জি ওইবনি, গ্রহগী পূজা তৌবনি। হায়রিবা কোনোকশিংগী শীনফম নৎত্রেগা শীল্লম অসি মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবসু অতৈ কাংলুপ-ফুরুপশিংনা য়েংশিল্লক্তুনা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা অমুক নৌহৌননা ৱায়েল য়াথং থোকপীদুনা খৃঃ ১৮৮৪ দা শেম্বীখিবনি, মদুদিঃ—

(কোনোক্কী শীনফম/ শীল্লম)

...হৈন্নাম ধর্ম্মগী কুম শক ১৮০৬ ...মেরা থা ...২০নি শগোলশেন (তাং ৯।১০।১৮৮৪ ইং) দা কোনোকপু গ্রহগী দান চাগদববু য়াদদুনা কোনোক্কী য়ুমদা মৈতৈনা চঙলবদি লোই থাগনি, বামোন্না চঙলবদি কোনোক ওইহনগনি, হায়দুনা কৈথেন্দা শামু ভোংদুনা পাউ চেল্লে [মথক্কীসিদা, ৪৬৩]।

অসিনি। হায়রিবা সনা য়াথংসিগী ৱায়েনসি ঙাক্তুনা মশানা অঙাং-পাখং ওইরিঙৈদগী তমজ-হৈজরকপা কোনোক মফুরুপ/মকাংলুপকী শীল্লম-শীনফম অসিদা শীম্হাদুনা বামোন কোনোক মচা লৈশং শর্ম্মা/যাত্রানা ককচীঙ খুল্লেন্দা হিংখি-পানখিবনি।

(লৈশং যাত্রাগী শীনফম)

বামোন কোনোক লৈশং শর্ম্মনা নিংথেমচা/নিংথৌমচা সনা বরাচাওবগী লানহৌদা য়াওরুবদগী ককচীঙ খুন্নৌ লোই থাদুনা ককচীঙ খুন্নৌদা মতম খর (চহি অনিরোম) লৈরন্নবা মতুংদা ককচীঙ খুল্লেন্দা হোংগত্তুনা লৈখিরম্মী। মফমদুদা মহাক্না পাঞ্জি বিদ্যাগী মতেং লন-থুম খর তানশিল্লবা মপা-মপুশিংগী কীর্ত্তন (Oblation with grand devotional chorus melody for the ancestors) কৎনীঙদুনা মৈদিংঙু সুরচন্দ্র মহারাজগী অয়াবা নীজদুনা মপা-মপুশিংগী কীর্ত্তনসি কৎচখিবগী ৱাফম মথক্তা থমজখ্রে। অসুম্না লাক্লি-ওইরক্লিবা মতমগী ঈচেন্দা তাউথরকপা গ্রহগী ফল/মহৈগী মমল চাদুনা লৈশং যাত্রা ককচীঙ খুলেন্দা/খুঞ্জাওদা পাল্লকখি।

কুমওনগী পাম্হা, থা, নুমিৎ-থাবানগী মকোয়না লৈনা-কোয়না চৎলি-উঙলিবা মকোয়শিংদা অওনবা য়াওনা পুরক্তুনা মহারাজ সুরচন্দ্রগী গ্রহমণ্ডলদা রাহু-কেতুনা মপাঙ্গল কনখৎলক্তুনা শনিদেবগী থৌজাল/কৃপা ফংজখ্রে। সুরচন্দ্র মহারাজ ঈচা-মীচা, য়োংলৈ-মেল্লৈ নাইবগী মমা তীন্নদবা মনাউশিংনা

লানহৌরক্লুনা নিংথৌ ফম্বালদগী চিংথখ্রে, তীর্থ চৎকনি হায়দুনা মণিপুর থাদোকখ্রে, অনৌবা নিংথৌ, অনৌবা লৈঙাক, অমসুং অনৌবা শক্তি পায়বা মীওইশিংনা সনা লৈপাক মণিপুর পায়খ্রে। মতমসিদা ককচীঙদা লৈরিবা লৈশং যাত্রা ইম্ফাল কানীঙলক্লে, ময়ুম-ঈংখোল ককচীঙ খুল্লেন্দা লীংজরবসু অনৌবা রাজনীতিগী ঈরাংদু য়াওনীঙলক্লে। মসিদা মহাক্না কনাদা, করম্বা অঙম-অথৌদা খনগদবগে খল্লক্লে। পুম্নমকসিগী খুৰ্জী পায়রিবা অকন-অথৌবু লুনা চান্না তৌবা, লীংজেন্দি খাবা মানবা নিংথৌমচা যুবরাজ কোইরেংদা চঙজরগে খনখ্রে। মহাক্না খঞ্জবদা যুবরাজ কোইরেং মীনি, রাজনীতি, কুতনীতিবু মনুং হুৎনা খঙগন-উগনবা মীনি; মতমদুদা লৈরম্বা মী নত্তবা, মী মানবশিংগুম্বা নত্তবা মীওইনি, মহাক মীকিথী শাবসু চীঙ-লেম্না হৈ, মীনুখাঙ শাবসু পুকচেল তিংনা হৈ, নুংশিরবা মপা, নুংশিথোইরবা মপুরোইবা ওইননবগী মতম ফংখিদে, অথোই-অহেন তান্নবা নহা ওইরিবা চহি নিফুগী মখাগী নিংথৌমচা ওইবগী পুন্সিদুদা, শীঙনরকপশিংবু নমথেক্লবা হোৎনবদা মহাক য়াম্না শাথীখি, তমথীখি অদুবু মহাক্কী থম্মোয় থুপ্লবা কাচিন্দা মরৈপাক নীঙবগী থম্বাল অমদা মীনুংশিগী লৈনা পাল্লবা, কখোকপগী কুয়োম্না য়োল্লবা বসন্ত বসন্তদা লৈনা হাইদোক্লকপা থম্বাল অমা শাৎলি, হায়না থাজখি। মরম অসিনা লৈশং যাত্রা থীহুদনা লাক্লুনা যুবরাজ কোইরেংগী দল/খুৎপু অদুদা য়াওররে। মমাঙঙৈগী হনুমান্দো চেদা য়েকথোক্লগা থেংনবগুম যুবরাজ কোইরেংনা লৈহৌ-লেমহৌরিবা লৈশং যাত্রাগী মতীক, মরৌশিঙদুবু তরাম্না লৌশিনখি।

লৈশং যাত্রা যুবরাজ কোইরেংগীদা লৈখ্রে, অয়াম্বা মতমদা মতমদুগী তম্পাকয়ুম/যুবরাজকোন্দা লৈ। মফমদুদা থেংনৈ থায়নগী ৱামিন্নরকপা মরুপ-মপাংশিং— চোংথামিয়া সিংহ, থাঙহৈবা; পুখ্রনবা তংকো, অফিংবা; দসু সর্দার, লোনখঙ-শীনহৈবা; নিরঞ্জন নেপালী সুবিদার, খুগ্রি-হৈবা, অসিনচিংবা। মখোয়গী মরক্তা বামোন কোনোক লৈশং শর্ম্মা পাঞ্জি খেলহৈবা, মুক্না যাত্রা লৌহৈবসু ময়ুম-মকৈ ককচীঙদা থল্লম্লগা মীরক তীল্লি। খেলহৈবদুনা খেল থিরিঙৈ মতম্না পুরকপা খঙহৌদনা— কলিকটাদগী টেলিগ্রাম লাকই, ''মণিপুরগী কৈজাও অমা থুনা ফারগনি [রাঃকুঃসঃ, ১৯৭৩, ৭৭]'' হায়। লৈপাক লোয়না খঙনদে, অতাবা খরনদি খন্নে, কৈপীক্লা কনা, শামুহঞ্জবা জিলাঙম্বা, কৈয়ায়না কনা, সেনাপতি অঙৌম্না; কৈজাওনা কনা, মহাক্তো। ময়ামদু চেকশিন্নে, চেকশিন

থৌরাং লৌখৎনৈ, অঙাক-অকন শিন্দোক্নে। খঙহৌদে, অসাম চিফ কমিস্নার মিঃ জেঃ দব্লিউঃ কুইন্টন বৃটিশকী গুর্খা সিফাই ৪০০ অমসুং মখোয় ওফিসার লোইননা কোইরেঙ্গেদা খৃঃ ১৮৯১ গী মার্চ ২২ দা থুংলখি। লৈশং যাত্রানা, যুবরাজনা চিফ কমিস্নারবু ওকপগা কোইরেঙ্গেদা লেঙবগী, থৌগল ইনবা কুইন্টন সাহেপ্পু উই, "শক্তাদু মীরৈহৎ, মীনুখাঙ ওইনা তৌই, পীশুম শুক্লুপ তৌনা মিৎয়েং-নায়েং কয়া লৃজদে, অফবা তৌথোক্লককদবা মান্দে" হায়না খনখি। পুন্না কোইরেঙ্গেদগী লাকমিন্নরগা কংলাগী নোংচুপথোঙ/স্নথোঙদা থুংবগা, চাক চাবা-চাদবগী ৰাগা থিদে, "পুং ১১ তাবদা দরবার তৌসি" হায়রম্লগা রেসিডেন্সীদা চঙখি। মৈতৈশিংসু কংলাদা চঙনরকখি। বামোন লৈশং শর্ম্মসু মখোয়গী লৈফম যুবরাজকোন্দা লৈখি।

মার্চ ২২গী নুমিৎকী মিটিংদু মথং নুমিৎ তাং ২৩গী অয়ুক পুং ৮ দা য়ৈথোকপ্রে হায়বা লৈশং যাত্রানা তাই। "কুইন্টন সাহেবকী মীটিংসি মতা অমা চাগদবা মান্দে, যুবরাজগী মতৌসিগা কয়া ওইগদবা মান্দে, অদুবু লাইরেকপদি য়াদে, অচৌ-অশাং ঙাক্তনি" হায়না খল্লদুনা লৈশং যাত্রা তৌনরিবা লৌশিংদু য়েংদুনা লৈরি। মার্চ ২৩গী অয়ুক্কী মীটিংদুসু তৌখিদ্রে, যুবরাজ য়াওদ্রবদি মীটিং তৌরোয় হায়না চিফ কমিস্নারনা হায়বদুদা যুবরাজ হকচাং ঈদুনা ঙমদদুনা লৈরবনিনা মীটিংদু অদুম তোকপ্লে। অদুবু মসিনা অসুপ চাওবা চিফ কমিস্নারনা লাকপসিগী ৰারোয়-পোলোয় ওইবদি য়ারোয়, মখা করিনো খর ৰাৎলমখিনি। মার্চ তারিক ২৩ সিগী নুংথিল নুমিদাংৰাইরম পুং ৪ খর হেল্লকপদা পোলিটিকেল এজেন্ট (মিঃ সেন্ট ক্লেয়র গ্রীমউড) কা সাহেব অমগা কংলাদা চঙলক্তুনা নিংথেমকোন্দা শ্রীযুৎ মহারাজ উন্নরগা মখোয় মলেসকী ভারত সরকারনা মণিপুরগী নিংথৌ সিংহাসনগী মতাংদা পীবা রায়/য়াথং শ্রীযুক্তা খঙহল্লম্মী। য়াথংসিদা খঙহল্লিবদি শ্রীযুৎ কুলচন্দ্রধ্বজ মহারাজনা মণিপুরগী রাজা ওইবদু য়ারে, অদুগা য়াথং অমনা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহবু মণিপুরদগী মপান লৈপাক্কী বৃটিশকী লম অমদা পুথোকখিদুনা লৈহনখিবা হায়বসিনি। অদুগা পোলিটিকেল এজেন্টতু শ্রীযুৎ উনরবা মতুংদা যুবরাজগী অনাবা হংবসু লাক্লম্মী। মসিদা লৈশং যাত্রাদু তাঞ্জা অমা চারুদুনা পোলিটিকেল এজেন্ট অমসুং সিম্পসন সাহেব অনিগা যুবরাজগা ৰারী শান্নবদু তারুরে, মদুনা পোলিটিকেল এজেন্টনা

ভারত সরকারগী য়াথংদু লাউথোক্লবা অসাম চিফ কমিস্নার মিঃ কুইন্টন মণিপুরদা লাকপনি। রায় অনিসিদা মহাক মশাগী ৱাফম ওইরিবা যুবরাজগী মত করিনো হায়না হংলম্মী। মদুদা যুবরাজনা লৈপাক-নিংথৌনা অসুম্না ফৈ হায়না লেপ্পবদু মহাক্কীসু অরেপ্পনি, মদু ইন্দুনা তৌবা তাবনি, হায়না খুমখি। পোলিটিকেল এজেন্টনা, ''ৱাফমসিদা থোইদোক্লা লুনা খল্লুগনু, মতম খর মপান্দা লৈরুরগা মরম ওক্লা, থাজবা য়ানা য়াথং ঙাকপগীদমক অমুক মণিপুরদা হঞ্জিল্লকপা য়াননবা হোৎনসি'' হায়না থেমজিল্লম্মী।

লৈশং যাত্রানা ঙাংনরিবা ৱাফমসিদা অঙকপা অমা লৈখি, মদুদি যুবরাজসি মপা ঈবুংঙো লৈখিদ্রবা শ্রীযুৎ মহারাজ অদুনা জিলা দরবার (Meeting in Kachhar district of Assam) লেঙবদা লৈশং যাত্রা মশা স্নাথৌগল ইনখি, দরবারদুগী ভারতকী গভর্নর-জেনরেলদুনা কোহিমাগী লম মচেৎ অমা নীখি। শ্রীযুৎনা কোহিমা পুন্বা পীথোকখি [মথক্তা য়েংবীয়ু]। অদুগা মখোয় মলেসনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইবদা শকখঙবীবা/য়াবীবা হায়বসি করিগীনো, মখোয়গী মরুপকী মচাবু মরৈবাক্তুদা লৈহন্নীঙদ্রিবসি তৌবীমল খঙবগী খুদম্লা, মপা ঈবুংঙোদা কেঃসিঃএসঃআইঃ মিংথোল পীখিবা, শেল খর অমসুং নোংমৈ ১০০ খক পীখিবা অদুনা কোহিমাসি লৈজবনি, নখোয় ঐখোয় করিসু হেঞ্জিন্নদে, হায়রিব্রা। অদুগা যুবরাজনা মণিপুরগী মপান্দা পুথোকখিবদু য়াদবা তারবদি করি-কমদৌবা তারকপা— হায়না মওল-মওল খল্লগা ৱাদি ঙাংথোক্তনা ৱাফমসি যুবরাজগী মরন্নাই ওইবা ৱাফমদা তাদ্রে, লৈপাক-নিংথৌ পাল্লিবসিগী কান্নদ্রবা ৱাফমদা লাকপনা লৈপাক জাতিগী নীঙ-খা তম্বা, তৌনীঙ-তৌনীঙবা, হায়নীঙ-ঙাংনীঙবা, অপাম্বা অনীঙবা তৌবগী থবকশিংদুগী হক কন্নবগী ৱাফমদা জাতীগী সনমান/ঈজ্জৎ (National respect or prestige) মাঙবা কনবগী ৱাফমদা লাক্লে, মরম অসিনা হে পুক্নীঙ-হকচাং লাইরেক্কনু— হায়না মতোমতা অচীকপদা মপুক্নীঙ-ৱাখলবু থেমজিনখি, হকচাং কয়াৎশিংবু মথৌ তৌবদা চেকশিন্নবা হায়খিরম্মী।

মার্চ ২৩ গী নুংথিল হৌখ্রে, নুমিদাংৱাই লোয়খ্রে, নুমিদাং ওইরি, অঙনবগী চান-থক্লবা লোয়নখ্রে, অথেংবশিং থোং-থাক্লি, শেম-শারি। অদুগা য়াচঙবা মতম অদুৱাইগী পাউনা অসামগী চিফ কমিস্নার হয়েং হনখ্রগে, পোত্থাং-

মী ৪০০ পীয়ু, হায়; অদুগা মৈতৈগী রাস লীলা য়েংনীঙঙি, রেসিডেন্সীদা শান্নহল্লোসু হায়রকই হায়। ঙসাইদি সঙ্কীর্ত্তন মখোল খর খর তারম্মী, হৌজিক্তি তাখিদ্রে, রাস লীলা শান্নবগী মখোলসু তাদে। খন্না-খন্না লৈশং যাত্রাদু তুমখুন হুনবগী লাইরেম্বীগী মতম্পাক্তা পোত্থাখ্রে। অদুবু মহাকপু নোংমৈ কাপ্পগী হৌরবা মখোল অমনা মিকপ খঙথোক থোকহনবীরে, হৌগৎলকপদদি খঙলে, মখোয়না লৈরিবা যুবরাজকোন অসিদা চুমদ্রিংনা লান্দারকপনি। বৃটিশ সিফাইশিংনা মার্চ ২৪সিগী নোংঙাল্লমদাই/অয়ুক্কী পুং ৪-১৫ দগী অৱাংথংবা কংলাগী মপানগী চেকপল কাদুনা লানশিল্লক্লগা অমসুং খরনা কংলাগী অৱাংথোঙগী থোঙশঙবা শন্ত্রীশিংবু খুদুম চনশিল্লগা লান্দাশিল্লক্লিবনি। নোংমৈ মরুনা মকোন/মহুম থুগায়রুবদা পাইথোক্লবা হয়িংখোইশিংগুম্না পাইরিবা নোংমৈ মরুশিংদুগী মতৌদুদা থৱাই হিংনবা করি তৌগনি। য়েক্লবনা খুদোংচাবা হেনখ্রবা, মৈতৈগী লাম্মী নত্তবা য়ুমশঙ-কৈশঙবা, চাকথোং-ফিশূবা, ৱাশীৎ-লমশীৎনপনচিংবদুগী মরক্তা বৃটিশকী গুর্খা সিফাইশিংনা মখোয়গী লালহৈবদু উৎখি, অদুবু পুখ্রনবা তংকোদা থোক্লবা গুর্খা মচা শঙ্গীন হাপ্পা/পানবা নোংমৈ রাইফল পায়বা অমদি খুৎলাই য়াওদবা তংকো শিমিন্নখি। লৈশং যাত্রা উচীন নাচীন্না যুবরাজকোনগী মখাথংবগী শম্বল লীথোক্লগা, থাঙ্গপাৎ লৈরিবদু কোইখৎলক্লগা গজ ২০০ (যুবরাজকোন্দগী নিংথেমকোন ফাওবদা লাপ্পা) গী অরাপ্পদু থুনা চেন্দুনা নিংথেমকোন লানবন (Citadel) দা চেনশিনখি। গুর্খা সিফাইশিংনা যুবরাজকোন লৌখ্রে, নোংচুপথোঙসু অৱাংথোঙদা নত্তনা খুদুম চনশিনখ্রে, মখোয়না যুবরাজবু কন্না থিরি, যুবরাজদি তোপ গারোত্তা অহিং লেক্লবনিনা মখোয়না ফংবা ঙমদ্রে।

অয়ুক্কী পুং ১০ রোম ৱাইশিল্লকপদদি অরাপ্পা অমসুং অনকপদা মৈতৈগী লাল্লুপকী থৌমীশিং থুংলরে, লাল্লুপ লাম্মী (Voluntary militia or Irregular army) সু য়ৌরক্লে, সিফাই লাম্মী (Regular State/Kingdom's Force/Troops) সু খর লাক্লে অমসুং বৃটিশ মচাশিংগী লান্দাসি থিংননবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। হৌজিক্তি লৈশং যাত্রাসু মমিৎ-মমায় খর পাংলে, মৈতৈগী কংলা ঙাকপদা য়াওরে, যুবরাজকোন্দি চঙবা য়াদ্রি। অসুম্না নুংথিল চুপ্পদুমা যুবরাজকোন মনাক্তা, স্নথোঙদা কাপ্পবদা নোংপোক থংবা তুরেন ৱাংমগী মৈ থারম্বা লৈকায়শিং কনবদা য়াওরে, নিংত্যাইপাৎলোমদগী মৈতৈনা ফাওজিন্দুনা

ম্নথোঙ মনাক্তা কাপ্লরে, মলেস মচাশিং ৱারক্লে, মখোয়গী নোংমৈ মরু ৱাৎলক্লে। নুমিদাংৱাইরম হৌখিদুনা য়াচঙলক্কদৌরবদা বৃটিশ মচা ওফিসার ৫/৬ অমসুং মখোয়গী গুর্খা সিফাইশিং রেসিডেন্সীদা লোয়নমক চেনশিনখ্রে, লম্পাক্তা উপ্লা হীপ্তুনা ফিবম শেমদুনা লৈখ্রে, মৈতৈসু লানওং হোংলে, ঙাকথোক কনথোকপগী ওইরম্বদু লান্দাশিন্দুনা তকশিনবা, নমহত্তুনা লাকশিন্নবগী লানওংদা চঙশিল্লক্লে, রেসিডেন্সীদা নোংমৈ মরু নোং চুথহল্লে, নোংমৈ তোপকী বমদিয়ারনা লেন তাহন্নবগী থৌরাং শীল্লে। থৌনাফবশিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী থৌনা ফরবা লান্দুদা নোংমৈ মরু অমা ফাওবা কাপচখিদবা মিঃ জেঃ দল্লিয়ু; কুইন্টনদু খাঙবা য়ারক্লে, জীব কৌবনিনা শিনীঙদবনিনা ‘‘লান লেপ্পসি’’ হায়দুনা বেঙ্গুল মরোন্না চঙজ-নোঞ্জখ্রে, অদুবু সরেন্দর তৌরেদি হায়নীঙদ্রি, চিঠি মচা অমা ইদুনা দরবার তৌসি, তাইশিন্নসি হায়জরে।

মৈতৈশিংনা কংলা মনুংসিদা মী ৪০০০/৫০০০ তীন্দুনা নিংথৌ যুবরাজগী ৱারেপ তাগদৌবগী মখোয়গী মপা-মচা, মচীন-মনাউ, নুপী-অঙাংনচিংবা হাৎখিবগী লমন খুম্নীংবগী ৱাকৎকদৌবগী, ময়ুম-মকৈ মৈ থাখিবগী, মশন-মওক মাঙহনবগী, মরন-মথুম লুট তৌখিবগী ৱা লানখত্তুনা ৱাকৎননবগী ঈ শাগৎনদুনা লৈরিঙৈ তাঞ্জাদুদা মিঃ কুইন্টন্দু মশাগী মমং থিবা লাকখিরম্মী, অমসুং মহাক্তা নত্তনা মিঃ গ্রীমউড, মিঃ কোসিন্স, কর্নেল স্কেন, লেফতনেন্ট সিম্পসন অমসুং বেঙ্গুন খোংবা গুর্খা সিফাই অমসু হৌবীরকই, অশিবগী লাই প্লুটো (Pluto) গী মনাক য়ৌনা লৈনুংদা চঙমিন্নবা। কুইন্টননা দরবার তৌনবা লাক্লে, হায়বসি তাবদা মৈতৈগী নিংথৌনচিংবা অঙম-অথৌশিংনা দরবার অদু বঝাইশঙ অমসুং দরবার শঙ অনি পুন্না মথক মখা ওইবা তোপ গারোৎকী নোংচুপ, কুচুগী নোংপোক্তা থংন-লোন্ননা লৈরিবা শঙলেন্দুগী মমাঙদা চৌকি খর থাদুনা ফম্লগা তৌনবা থৌরাং শীল্লি। সাহেবশিংদু কৌশিন্দুনা ফমহল্লে, (১) মৈদিংঙু কুলচন্দ্র, (২) যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ ওর্ফে কোইরেং যুবরাজ, (৩) সেনাপতি অঙৌসনা/ভুবনসিং, (৪) শামুহঞ্জবা জিলাঙম্বা, (৫) জেনরেল কাংঙবম চিদানন্দ সিংহ ওর্ফে কাংঙবা থাঙ্গাল, (৬) অঙোম নিংথৌ নোংমাইথেম্বা গিরীধারী, (৭) লুৱাংনিংথৌ, তুলিয়ায়মা মেজর, কর্নেল মৈস্না শামু সিংহ, (৮) অয়াপুরেন মেজর চোংথা

অঙাং-অতোন (অঙাংতোন/অঙাতোন) ওর্ফ নীলমনি সিংহ, (৯) হাওবম দেৱান, (১০) ফৌরুংবা যাত্রা সিংহ, অসিগা ফমিন্নদুনা দরবার হৌরে। মখোয়না ঙাংনরি-শানরিবসি তাগদবগী মী ৪০০/৫০০ না, মরু ওইনা, যুবরাজগী মীওইশিংনা থৱাই য়াওনা হোৎনরি। মখোয়দুগী মমিং-মথা পীবীরল্লিবদিঃ—

...নুমিদাংগী পুং ৯ লোম তাশিল্লক্লে, অদুবু দরবার অদুদা য়ানবা মওংগী করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা লেপ্পবা ঙম্মখিদ্রে। মপান্দা তিল্লল্লিবা মীয়ামগী মরক্তা মশক নাইবা মীওইশিংদি— (১) মিয়া সিংহ, (২) কালি মুহোদার, (৩) লৈশং যাত্রা, (৪) বোরাচাওবা, (৫) য়ুম্নাম চাওবনচিংবা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ সিংহগী মীওই কয়ানি [মথক্কীসিদা, ৩৮]।

অসিনি। অসুম্না খৃঃ ১৮৯১ গী মার্চ ২৪গী বৃটিশ ওফসার মিঃ জেঃ দব্লিয়ুঃ কুইন্টন্না ফত্তবা শরৌগী খুজীল থৌরাং তৌদুনা লান লাউথোক্কনা অমসুং খঙহন্দনা মৈতৈ কোনুংদা লান্দারকপা অদুদা মখোয়গী মহারানীগী মথক্তা লানহৌবনি হায়জিনবা, হান্না হাৎলগা কোন্না বিচার তৌবগী "মীফত্তগী লানদা" অসি ঙাকপদা কোনোক বামোন লৈশং শৰ্ম্মা, যাত্রানা শরুক য়াখি। মীফত্ত' কুইন্টন্দু মণিপুরগী আৰ্মী/মিলিটরী কোৰ্ট তোপ গারোনা স্পিসিয়েল ঈমর্জেন্সী সিটিং (Special Imergency Sitting) গী জষ্টিস্ট (যুবরাজ/সেনাপতি = টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ), কোৰ্টকী কনভেনর (অয়াপুরেন মেজর = চোংথা অঙাতোন ওর্ফে নীলমনি সিংহ) অমসুং অতোপ্পা মেম্বর (মেজর রেঙ্কতগী তাদবা নৎত্রগা মিনিষ্টর, ডিপুটী মিনিষ্টরদগী তাদবা মেম্বর অমা = জেনরেল কাংঙবা চিদানন্দা সিংহ) না ফমদুনা মণিপুরগী লৈপাক নিংথৌগী মথক্তা লান্দাবা, লান্দাননবা কর্নেল স্কেন, গ্রীমউডনা চিংবদা ইনশিনবা, ধৰ্ম্মগী চৎনবী থুগায়বা, নুপী-অঙাং-হাৎনবা, লৈকায় অহুম তুম্না মৈ থাবা অমসুং মণিপুর রাজ্যগী রোয়াল ফোটোগ্রাফর (Royal Photgrapher) 'দসু সৰ্দ্দার' হাৎপদা হাৎননবা ঈনশিনবগী মরালশিংসিদা অমসুং কর্নেল স্কেন, লেফটেনেন্ট সিম্পসন, মিঃ গ্রিমউড অমসুং মিঃ কোসিন্সপু— লান্দা-লানহৌরকপা, মীহাৎপা অমসুং মী হাৎনবা ইনশিনবগী মরান্দা মঙক তুপত্রিবা ফাওবা কক্তুনা হাৎননবা ৱায়েল পরীংগী ৱারেপ তাদুনা বিচারগী রায় (Judgement) পীরগা খুদক্তা হাৎননবগী য়াথং পীদুনা মণিপুরগী কংলা উত্রামাঙগী নোংশা অনিগী মমাঙদা লফুদা শদন

থারগা থাঙনা কক্কুনা মার্চ ২৪সিগী অহিং নোংয়ায়ৰাইদা হাৎখি [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪৮৫-৮৬]।

মার্চ ২৫গী অয়ুক্তা মণিপুরনা বৃটিশকী মথক্তা লান তৌরে হায়না লাউথোক্লগা মণিপুরদা লৈরম্বা বৃটিশ সিফাইশিং, বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্সীগী মীওইশিং ফাগৎখি অমসুং ফাননবা তান্নখি। হায়রিবা লাল্লক অসিদা লৈশং যাত্রা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহগী বোডীগার্ড (Body Guard) শিংগী মরক্তগী অমা ওইনা যুবরাজনা লেঙবা চৎপা, মী-উন্নবা, ফম্বা, দরবার তৌবনচিংবা খুদিংমক্তা থৌগল ইন্দুনা চৎখি-লৈখিরম্মী। অমরোমদা, বৃটিশ ভারতনসু মণিপুরগী মথক্তা লান তৌরে হায়দুনা মার্চ থাসিগী তাং ৩১ দা লাউথোক্কুনা [ডাঃ লঃচঃ, ১৯৭০, ১৭১] মণিপুরগী মায়কৈ অহুমগী শিলচরদগী শিলচর কোলম অৰাংগী কোহিমাদগী কোহিমা কোলম, অমসুং মৈরমগী তুম্মুদগী তম্মু কোলম থোন্দুনা লাল্লম অহুম থাজিল্লকখি। লাল্লমশিংসি শিলচরদগী, কোহিমাদগী অমসুং তম্মুদগী এপ্রিল ৫, ২০ অমসুং ২৩ দা খোঙহৌরক্কুনা মণিপুরদা লান্দাবা চঙলকখি [N.K.S, 1983, ...], অদুবু মৈরমগী লাল্লমসিদি লংথবান্দগী চেনখিবা ৪৩শুবা গুর্খা রাইফলস, বেঙ্গল ইনফেন্ত্রীগী জমাদার বীরবল নগরকতিনা লুচিংবা সিফাই ৩৫না তমুদা মার্চ ২৪ দগী লোন্না অহিংদগী চেনখ্রগা থাসিগী ২৭তা তুম্মু বৃটিশ কেম্পতা লেফটেনেন্ট সিঃ জেঃ দব্লিয়ু গান্ট, ১২শুবা বর্মা/মদ্রাজ ইনফেন্ত্রীদা, মণিপুরনা লান হৌদুনা অসামগী চিফ কমিস্নারনচিংবা বৃটিশ ওফিসারশিং ফাজিনখ্রে হায়বা রিপোর্ট তৌরুবদগী হায়রিবা গ্রান্টসিনা মহাক্কী সিফাই ৫০গা চেল্লক্লিবসিদগী সিফাই ৩০ গা লোইনদুনা লাক্লগা থৌবাল অথোকপমদা মার্চ ৩১ দা য়ৌরক্কুনা কাপ্লবা হৌখ্রবনি। গ্রান্টসিগী লাম্মীনা অথোকপমদগী এপ্রিল ৬ তগী হনখ্রবদা মহাকপু কনবা লাকপা কেপ্তেন প্রেসগ্রেব অমসুং মহাক্কী ১২শুবা বর্মা/মদ্রাজ ইনফেন্ত্রীগী গুর্খা সিফাই ১০০ গদা য়াথং পীদুনা পল্লেন্দা কেম্প শাদুনা এপ্রিল ১৩ দগী লৈখি। হায়রিবা কেম্প অসিদা অনৌবা তমু কোলমগী এডভান্স পার্টী অমা ২-৪শুবা গুর্খা রেজিমেন্টকী মেজর সার চার্লস লেস্লীগী মখাদা গুর্খা সিফাই ৩০০ রোয়াল আর্টিলরীগী মাউন্টেন বেটরীগী নোংমৈ অচৌবা অনি অমসুং ১২শুবা মদ্রাজ

ইনফেন্ত্রীগী শগোল তোংবা সিফাই ৪০ খক থোমজিল্লকপগা লোইননা এপ্রিল ১৮দগী গুর্খা সিফাই অমসুং শিখ সিফাই ৪০০ শুনা পল্লেন্দা তেঙ্গোল শাদুনা লৈখি। মরম অসিনা মৈরমগী লাল্লমসি লুনা লৈবনা মৈতৈগী মায়কৈদগী সেনাপতি অঙৌম্বা য়াওনা ব্রাংখৈরাকপা মায়পাক (লোকেন্দ্র বীরজিৎ সিংহ), য়েনখোইবা মেজর, চোংথা অঙোতোন (নীলমনি সিংহ) অয়া পুরেন মেজর, ব্রাংখৈ মৈরাবা পোইলানাচিংবশিংনা থেংনরম্বদু অথোকপমগী লান লোয়বা এপ্রিল ৭ তগী সেনাপতিনা কোনুংদা কাপ্রগা লৈরকপদা এপ্রিল ২০ দা চোংথামিয়া অমসুং পাউনা ব্রজবাসিনা মৈতৈ সিফাই ৪০০ গা লোইননা অফোংবা লম্বীদা চত্তুনা পল্লেনগী বৃটিশ কেম্পতা লান্দানবা, ব্রাংখৈ পোইলা/মৈরাববু অরোনবা লম্বীদা এপ্রিল ২০-২১ দগী চংখিদুনা পল্লেনগী বৃটিশ কেম্পতা নীঙলোমদগী লান্দাদুনা মৈতৈনা নীঙ-মাঙ চপ্তুনা থুগায়নবা কোনুংদগী স্নায়াথং পীদুনা থারকখি [ibid, 47-48]। অদুবু মাঙলোমদা লান্দাগদবা তেঙ্গোলদুদি বৃটিশনা লাংঙথেল অমসুং ককচীঙ পায়শিনখ্রে হায়বা তাবদগী খোংজোমদা তাং ২১ গী নুমিদাংদগী লৈপন-লৈরং লানবন শাদুনা লৈথোকখিবা নীঙ-মাঙগী অব্রাই-অখুম তৌগদবদু তৌখিদে, অদুনা পল্লেনগী নীঙলোমদা চঙগদবা তেঙ্গোল কায়খি, ব্রাংখৈ মৈরাবা ককচীঙ মনাউ চীঙদা লাম্মী মশীঙ ১৬০ (১৫০+৪০—৩০) হেনখ্রবা বৃটিশ লাম্মীগী মখুত্তা নোঙ্গাখি, চেল্লগমক্তি শিখিদে। অদুগা এপ্রিল ২৫সিদা বৃটিশ লাম্মী ২৫০, তোপ অনি অমসুং শগোল লাম্মী ৩৫ শীজিন্নদুনা মৈতৈ সিফাই ৪০০ দগী তাদনা লৈবা অকনবা, অফাওবা মেজর অনি য়াওরিবা মৈতৈ তেঙ্গোন্দু অয়ুক্কী পুং ১০গী অদুব্রাইদগী নুমিৎ তাবা ফাওবদা থুগায়দুনা মৈতৈবু মায়থীবা পীখিরম্মী। খোংজোম লানবন অমসুং তেঙ্গোনগী কমান্দর চোংথা মিয়া সিংহ মেজরনা মশাসু খুৎলাইনা শোক্লগা ব্রাগী শগায়দা পুরকপদা খুৎলাইনা শোকপগী মৈতৈ অশোক-অপন নংবা ১০০ রোম লোইনদুনা থৌবান্দা তাং ২৫গী নুমিদাংদা লান কারকখি। অদুবু পন্নীঙ পুবা থৌবালগী তেঙ্গোন্দা মী লৈরমদবা, কোনুংলোমদা চেনখৎনখিবনা নীঙবা কায়খি অমসুং মহাক মশাসু মথং নুমিংকী অয়ুক্তা থৌবান্দা লৈরিঙৈদা বৃটিশ লাম্মীনা খোঙ্গুল লীরক্তুনা য়েক্লবগী মখুত্তা তাখি, বন্দি ওইখিরম্মী [ibid, 53]।

খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল ১৫গী অদুৱাইদগী ২৫ ফাওবদা শোক্লখিবা এঙ্গলো-মণিপুরগী লাঞ্জাওসিদা মশানা লাঞ্জাওসিগী মরম, মরূ অমসুং লানজিংলেন-পুরেন (Over-all Marshal/Commander) দি ওইরগা মশা চোংথোক্লুনা লান শোক্লবা ফংহনবীখিদ্রবা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহনা কংলা কোনুংদা নৈশিন্দুনা লৈবা মতমসিদা লৈশং যাত্রা মহাক্কী বোডী গার্ড অমা ওইরুবনিনা মবুংঙোনা লানশোক্লবা ফংখিদবনিনা মহাকসু ফংখিদে। অদুগা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহনা মৈতৈ নীঙতম লান অসি মায়থীরবদা চাইনাদা চৎনবগী থৌরাংদা চশাৎ খোংজাই হাওকিপ খুন্দা চহিসিগী এপ্রিল তাং ২৮-২৯ গী মতমদগী মেগী তাং ১৮-১৯ ফাওবা অন্দরগ্রাউন্দদা লৈবগী মতমসিদদি লৈশং যাত্রাসি যুবরাজগা লোইনবগী শউম ফংদে। মসি, থাসিগী তাং ২৬ তা লৈপাক্কী অঙম-অথৌ ময়াম্না নিংথৌ, যুবরাজগচিংবগা কায়নবা, মাগী নুপী-অঙাং, মনাই-মশন্নচিংবা মনীঙ থাদোকপীরম্বা অমসুং শঙ পানবা পুম্নমক্কী লোইশঙ মচাশিংনা মাগী মাগী শঙ থাদোক্লবগী তাঞ্জাসিদা লৈশং যাত্রাসু যুবরাজনা থাদোকপীরম্বা য়াই। হায়জরিবা কায়নবগী ৱাফমসিদিঃ—

অহোঙশাংবম দুহোবকী কুম শক ১৮১৩ ...শজিবুগী থা ১৭নি লংমাইচিং (তাং ২৬।৪।১৮৯১ ইং) দা ... নোংঙানবা মতুং পুং ৪ (অয়ুক পুং ৬ মখায়, I.S.T.) তাবদা ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণব পুম্নমা দান দক্ষিনা তৌরম্মে। অদুগা ঈবেম্মশিং পুম্নমা মপোৎ-মচৈ লোইনদুনা ঙম্না কুম্লখ্রে। ...নুংথিন্দা মশঙ মশঙদা খুৎশূ খুৎলাইসু পুম্নমা কৎলমএ। নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ৬ (I.S.T. দা পুং ২ মিঃ ১৫) লৈপাক মীয়াম হাইদোকলকএ। মাগী মাগী মশঙবু নুংশিবনা কপ্পা-কপ্পা থোক্লকএ। ... [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪৯৪]।

অসিনি। অসুম্না লৈশং যাত্রাগা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহগা কায়নরম্বা য়াই। হায়রিবা মতমসিদা লৈশং যাত্রাসি মশাগী চহি ৫৫ (য়াঙ্খেমঙা) দমক শুরিবা মতম্নি।

লৈশং যাত্রানা যুবরাজগা কায়নরবা মতুংসিদা মহাক থীহ্নদনমক ককচীঙ খুন্নৌদা লাক্লমগনি, মরমদি মদুনা মহাকপু বৃটিশশিংনা থি-হুন্নকপদা ৱরদি শাফগনি। অচম্বা প্রজাশিংগী মফমদদি বৃটিশশিংনা থোইদোক শাথীবা মীৎয়েং উবা ফংদে। অদুগা ময়ায়লম্বী (ইম্ফাল-হিয়াঙলম-ৱাবগাই লম্বী, ৱাঙ্গোই,

ময়াংইম্ফাল অমসুং সেকমাইজীন ফাওরগা) রোমদদি বৃটিশনা থোইনা লৈত্রিবনিনা অমসুং ককচীঙ খুন্নৌসিনা লৱাই-লম/খুঙ্গংগী লম ওইবনিনা সাহেবশিংনা লান মতুংদুদসু থোইনা য়েংশিন্দে, কংলৈ/সহর নৎত্রগা ইম্ফাল লমদমশিংদদা ওইনা সাহেবশিংনা চেকশিন-খোইজিনবনিনা লৈশং যাত্রানা ককচীঙ খুন্নৌসিদা মতম খরদি পুক্নীঙ তুজুং-নাচুংদনা লৈরমগনি হায়বসি চেৎনা থাজজে। অদুগা মহাক্না খৃঃ ১৮৯১ গী লান মমাঙ অমসুং মতমদা তৌখিবশিংদু মীচম প্রজা অমা ওইনা অমসুং থোইদোক হেন্দোক্না মাঙজীন থাবা থবকশিং তৌখিদবা অমদি মাঙ থানা থৌরমশিংদা শরুক য়াখিদবনা কনানসু পুথোক্লরকখিদে। অদুনা বৃটিশশিং মমিৎকী মিৎ নহাদা মহাক্কী মমি তাখিদে। মরম অসিনা খৃঃ ১৮৯১ গী এঙ্গলো-মণিপুররী লানগী বৃটিশ রেকোর্দতা মহাক্কী মমিং য়াওদে।

পুন্সিগী অরোয়বা য়াহীপ্তা

লৈশং যাত্রা মণিপুরগী শক্লাইরবা পাঞ্জি কমলাকান্তনা কোনোক থিংঙেন্দা পোকখিবনি, চাওরকপনি অদুবু মফম অদুগা তাম্নরকপা, মহাক্কী বারী-সম্বন্ধশিংদুগা খায়নরকপা চহি কুমশীঙ য়াম্লক্লে। অহল ওইবগী পুন্সিনা লেপ্তুনা চঙশিল্লকপসি য়াঙনা চেনশিল্লকপগুম খল্লি। অদুগা মহাক খৃঃ ১৮৯১ ফাওবদা লৈরম্মী, অদুনা মশাগী চহি ৬৫ রোম ফাওবদি হিংলম্মী হায়না লৌবা য়াই। হায়রিবসিদগী মখা তাবা ঈ-পাউ অমত্তা চীনহায় ওইনা নৎত্রগা অইবা ৱারোল ওইনা ফংবা ঙমদ্রে। মহাক ককচীঙ খুল্লেনগী ময়ুমদা লৈখিদবনি, হায়বসিমদি ফক্লাংদা তেংপাক লৈতুন্না থাবনি, হায়বসি মথক্তা পীজখিবা লৈশং যাত্রানা ককচীঙদা মপা-মপুগী কীর্ত্তন কৎপগী ৱাফম অসিনা থিন্দুনা তাক্লি। অদুবু মহাক কৈদৌঙে (করম্না মতমদা, শক তারিক্তা), করম্না (নাদুনা, অহল ওইশিল্লক্তুনা) লৈখিদবগে হায়বসি খঙবা নৎত্রগা ঈ-পাউ ফংবা ঙমদে। অদুগা মহাক্না কোনোক থিংঙেন্দা, ৱাইথৌদা অমসুং ককচীঙদা লৈবসি মহাক্কী নুপী-অঙাং য়াওবরা, মহাক্কী চাদা-নাউদা লৈব্রা, হায়বনচিংবগী ঈ-পাউসু ফংদে। তশেংনমক মতম অমদা মমিং লৈরম্বা মীশক অমা মতমগী ঈপাক্তা কোঙ্গোল তাকপ্রে। অদুবু ককচীঙ খুল্লেনগী প্রজাশিং মহাক্না কেঠী-য়েংবীখিবা, গ্রহ পূজা তৌবীখিবশিং মতমদুদা লৈরিবনিনা

মহাক মনশিক্ষাগী ঈশৈমক তাবা ফংজখিদ্রবসু শ্রীবৃন্দাবন যাত্রাগী সঙ্কীর্ত্তনগী ঈশৈ অমসুং পুংখত্তি মাগী থৰাইনা চৎশ্রগা তুংদা শকপীরমগদবা মাল্লি। পুন্সিগী শক্তম লাংবা লোয়রবা মুক্না যাত্রা! পোথারো, মপু মাগী লৈকোন্দা।

ৰাখোম-ৰারোয়

মণিপুর ইতিহাসকী খৃঃ ১৮৭৪ গী তাংকক্তা আগষ্ট ৪গী নুমিৎ অসিমক্তদা লৈপাক-নিংথৌগী থাদোকফদ্রবা থৌগায় শরুক য়াদুনা থৰাইনা পোল্থা থাদুনা খ্বাইনা কিন-হঙ্গোয়নরবা অকন-অথৌগী থবক অমা পাংথোকখিবা মুক্না খোয়দাজবা, খঙহৌদনা লানহৌ অমদা শরুক য়াখিবা, পাঞ্জি খেলহৈবা কোনোক-বামোনচা/বামোন কোনোকচা লৈশং যাত্রাগী পুন্সিগী ৰারম অফংবা ৰাফম খরদং থমখ্রিবা অসিনা হৌজিক মতমগী সমাজ অসিদা পীরিবা ঈ-পাউ নৎত্রগা পাউতাক্তি—

(১) পোল্লকপা নুমিত্তগী শিননবগী লমন তোন্দুনা লৈরবা মীওইবগী পুন্সিদা লানগী নোংমৈ গুলী মরক্তা চঙলবসু শিরক্তবা ফমুংদা হীপ্পুনা লৈরসু য়েক্লবা/য়েংথীনবা অনিনা নোংমৈ কাপ্লবদগী হাইদোল্লকপা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শিনবনি, অদুনা থবক পাংথোক্লবা হোৎনবদা শিবা নাবা হান্না খক খল্লুগনু।

(২) লৈপাক্কী ফনবা তৌবদা থৰাই লাম্থোকউ, পৈশানা নতুং ইন্নজরক্কনি, লৈশং যাত্রাগী ৰাইথৌ-শোয় চাবা হায়বদু অসিনি।

(৩) মতম চুপ্পদা মায় পাক্কুনদা লৈগদবা নত্তে, মায়থীবসু য়াওরক্কনি, মায় পাকপা অমসুং মায়থীবা নৎত্রগা মায়থীবা অমসুং মায় পাকপা হায়বা অনিসি শেন ময়েক অমখক্তগী ওন্ন-তৈনবা মমায়শিংনি হায়বদু লৈশং যাত্রা অমসুং খুমহ্নেম চাওবা (যাত্রা) না উৎলিবা শক্তমশিংদুনি, অদুবু লৈশং যাত্রানা খুমহ্নেম্না চাওবগী পুন্সিগী মায় পাকপা পীরিবদু লৈশং যাত্রাগী খ্বাইদগী চাওবা মায় পাকপনি, মসিনা খুমহ্নেম চাওবনা মায় পাল্লবা পুন্সি অমা ফংলিবদুদগী হেল্লি।

(৪) হোৎনবনা লৌশিঙ, পাঙ্গলনচিংবা মপুঙ ফাহল্লি হায়বসি খুমহ্নেম চাওবনা উৎলবসু মদু লৈশং যাত্রানা মহাকপু মুক্লা থারমদ্রবদি চাওবনা মহাক্কী হোৎনবা অমসুং শাজেন্দু লৌখৎলমগদ্রা?

অসিনচিংবনি। অদুগা লৈশং যাত্রাসিং মহাক্কী শাগৈ-নাতৈ, মরুপ-মপাংশিংনা কাউথোকপীখ্রবা অমগুম পুন্সি পোলোয় তানখিবা মাল্লি। অদুবু মহাক তাইবংপানবা মপুনা মহাক্কী আত্মাবু শান্তি পীবীসনু।

মতেং লৌজখিবশিংগী মরী-মখোঙ উৎচবা

(ক) মৈতৈলোন অফোঙবা লাইরিকশিং—

১) চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫	=	লাইময়ুম ৺ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ ঃ চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল-২০০৫)
২) কঃমীঃথঃমঃ,	=	কৈশামপাৎ মীতৈ থৌগল মরুপ ঃ বামোন খুম্ভোকলোন (ইম্ফাল– ...)
৩) নোঃআঃ, ১৯৯৭	=	নোদিয়াচান্দ অমাইবাঃ ৱাখুন পোমিৎ (ইম্ফাল– ১৯৭৭)
৪) মঃপ্রঃ, ১৯৯৬	=	মোইরাংথেম প্রেমনন্দঃ মৈত্রবাক্কী মুক্লা (ইম্ফাল– ১৯৯৬)
৫) ওঃভঃ, ২০০১	=	ওয়নাম ভোগেশ্বরঃ চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা (ইম্ফাল– ২০০১)

৬) নিঃখঃসঃ, ১৯৮৭ = নিংঃ খেলচন্দ্র সিংহঃ ফমলোন (ইম্ফাল-- ১৯৮৭)

৭) খঃচঃসঃ ১৯৭৫ = খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহঃ লোইয়ম্বা শীনয়েন (ইম্ফাল– ১৯৭৫)

৮) রাঃকুঃসগুঃ ১৯৭০ = রাজকুমার সনাহল সিংহ; গুনেশ্বরঃ সৎজাল (ইম্ফাল– ১৯৭০)

৯) গঃশঃ,... = চহি তরেৎ খুন্তাকপা অমসুং রাজা গম্ভীর সিংহ (ইম্ফাল—...)

১০) নঃশঃ, ১৯৬০ = নন্দলাল শর্ম্মাঃ মৈত্রবাক (ইম্ফাল– ১৯৬০)

১১) ডাঃলঃ,চঃ, ১৯৭০= ডাক্তর লৈশাংথেম চন্দ্রমনি সিংহঃ মণিপুর ইতিহাস (ইম্ফাল– ১৯৭০)

১২) নঃমঃ, ১৯৯৮ = নিংঙোম্বম মনিজাওঃ মতম খোঙলৈ তাকপা পুয়াশিং (ইম্ফাল-১৯৯৮)

১৩) বঃকঃশঃ, ২০১১ = বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মাঃ জেনরেল সৌগাইজাম্বা বলরাম সিংহগী পুন্সি ৱারী (ইম্ফাল– ২০১১)

১৪) মঃসঃকঃ, ১৯৯৪ = মণিপুর ষ্টেট কলা একাডেমীঃ শাগৈ শলাইরোন (ইম্ফাল– ১৯৯৪)

(খ) মৈতৈলোনগী খুৎই লাইরিকশিং

১) বাঃখুঃ, খুৎঃলাইঃ = বামোন খুম্বোকলোন, খুৎই লাইরিক

২) বাঃমৈঃ, খুৎঃলাইঃ = বামোন মৈহৌবরোন, খুৎই লাইরিক

৩) মঃলাংঃলঃখুৎঃ, লাই = মাইচৌ লাংওন লাশৎ, খুৎই লাইরিক

৪) লাইস্রা ফঃ, খুৎঃলাইঃ= লাইস্রা ফমলোন, খুৎই লাইরিক

৫) চঃজিঃচঙঃ, খুৎঃলাইঃ = চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা, খুৎই লাইরিক

৬) শঙ্গাই ফম্মাঙ, খুৎঃলাই = শঙ্গাই ফম্মাঙ, খুৎই লাইরিক

(গ) ঈঙ্গ্রেজী লাইরিকশিং

1) M.T.L., 1992 = M.T. Laiba: Geography of Manipur (Imphal-1992)

2) Lm. I.S. 1987 = Lairenmayum Ibungohal Singh: Introduction to Manipur (Imphal-1987)

3) S.J.J. 1990 = Sir James Johnstone: Manipur And Naga Hills (Delhi-1990)

4) T.C.H., 2003 = T.C. Hodson: The Meitheis (Delhi-2003)

~~~||*||~~~
~~~

মাইব্যা তাম্র সিংহ

(খৃঃ ১৮৩৩-১৯১২)

OUR HOMAGE

to an outstanding runner

MAIBAM TAMRA SINGH

মাইব্যা তাম্রসিংহ (১৮৩৩-১৯১২)

ৱারেং-ৱাহৈদোক

খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট থাদা মণিপুর ইতিহাসকী লৈঙাকলোনগী অমসুং খুন্নাইলোনগী মপান লৈপাক্লা মণিপুরগী লৈঙাক মপুগা ৱারী-ৱাতাই শান্নবগী অমসুং শান্ন-খোৎনবগী লমশাং লমজেন পরম-পরীংশিংদা খোঙ্গুল-লীক্লম মুৎনাইদনা থন্নীরম্বা মৈতৈ অথৌবা, শমু খোঙয়াঙবা অমগী নীঙশিঙ ৱারীনি। মৈতৈ' লমজেল্লোই খোঙয়াঙবসিনা মাইল ২৬৪ (কিলোমিটর ৪২২ মিটর ৮০০) গী অশাংবা লমশাংবু অকক্লবা মতম নুমিৎ হুমনিগী (পুঙ ৬০) গী মনুংদা চীঙলক-চীঙলম্বীগী উমং-ৱামং ফাওবা অকা-অকুমগী লমশাং মাইল ২০০ (কিলোমিটর-৩২০) য়াওনা মতমগা শীঙনদুনা লমজেন চেনখিবগী অঙকপা ৱারীনি। ৱাশেম-ৱারী, শাগৎপা ৱারী-শীঙবুন (Fictional/Romantic Tale) নত্তে, ইতিহাসকী থৌদোক-ৱারী (Historical eventful story) নি। মীওইবগী হকচাং মনুংদা তুংশিন্দুনা লৈরিবা নুমিৎ-থাগী মপাঙ্গলবু অহিংবা থৱাইগী অনীঙ-অপান্বগী ওইনা অচঙবা থম্মোইগী পান্দমগী মখা পোনহনখিবনি, মদুদা তেংবানবগী মপু জগৎ শেন্বীবা মহাক্লা তেংবাংবীখিবনি, মশাবু মশানা থাজজবা অমদি ঈশ্বর (শ্রীগোবিন্দজী) বু থাজজবনা মায় পাকখিবনি, অনীঙবা, পাংথোকখিবনি মৈতৈ অথৌবসিনা।

শক্তাকপা ৱারোল

শাংলবা, মণিপুরগী কোনুংলেন কংলাদগী অসামগী কছাড় জিলাগী শিলচর মহাকুমা (Subdivision/sub-district) গী লখিপুর ফাওবগী লমশাংসি হঙ্গৎ-হন্দা অকক্লবা মতম (নুমিৎ মরিনি) গী মনুংদা লমজেন্নখিবা খোঙয়াঙবা অসিগী মমিং মাইব্যা তাম্র সিংহ কৌই অমসুং মাইব্যা হায়রিবসি মাইবম য়ুম্নাক-শাগৈগী নুপা/নুপীবু খঙনবা চৎনবী ৱাহৈনি। মাইব্যা/মাইবম তাম্র

সিংহ, পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক মণিপুরনা পল্লেম মমা লৈপাক (Mother country) ওইবা মৈতৈ জাতী (Meitei race/nation/nationality) গী খুমন য়েক্কী য়োয়থোংঙাই শল্লাই (Subclan) গী [মঃসঃকঃ, ১৯৯৪, ৩০৬] মাইবম শাগৈ/য়ুম্নাক্তা পোকখিবনি। মহাক, মহাক্কী— অপোকপা মাইবম খেলান্দো অমসুং অপোকপী চীরোম চনু থোইনুগী অনিশুবা অমসুং অতোনবা মপারীনি। মহাক্কী পোকফম-শাৎফম অমসুং নহা ওইরিঙৈগী লৈফমনা মতমদুগী খাবম পানাগী নহারুপ খুঙ্গংদনি [খাবম পানাগী লমখৈ-লমকন মনুংদা খুন অসি লৈজরবসু খুনসিগী খুঞ্জাশিংদু নহারুপ পানা ওইনা লাল্লুপ কাই, পানা থোকই, শান্নে-খোৎনৈ, মরমসিদগী মখোয়গী খুনসিগী মমিংসি কৌখিরম্বা য়াই]। অদুবু মহাক্কী লৈফমসি খাবম পানাগী থম্বালখোং খুন্দগী ঈরীন তুরেনগী ওয়থংবা তোর্ব্বানদগী খা-নোংচুপলোমদা শন্দোক্লিবা খুন অসিদগী খাবম পানা [পানাসিগা নহারুপ পানাগা ইম্ফাল তুরেন্না নোংপোক অমসুং নোংচুপ খনবনি, অদুগা লাইফম পানাগী লৈকোক লৈকায় খুরাই (Urban Commune/headquarters Khurai) গা পানাসিগী লৈকোক লৈকায় ৱাংখৈগা শঞ্জেম্থোং-নোংমৈবুঙ লম্বীনা খাইদোক্লখিবনা পোরোম্পাৎ তারগা মদুদগী নোংপোক্লোমদা চৎখিবা লম্বীগী মনাক্তা লৈবা খোংলম অমনা লৈকায় নৎত্রগা পানা অনিমক্কী লমখৈ য়াৎলম্বনি] অসিগী লৈকোক (Headquarter) ৱাংখৈগী কৈথেল অশাংবী (কৈথেলসি কাইনথংদা খৃঃ ১৯০৮ গী মতুংদা শেমখিবনি) দা মহাক্কী (তাম্রসিংহগী) মচানুপা অহন পোক্লবা মতুংদা হোংদুনা কোংবা মপানগী পুম্রি ময়ুং-মফৈ লম ১০০/১০০ পাকপা [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৮৬, ৫৫২, অসিনচিংবা] গী মনাক মপান্দা লৈখিবনি।

ৱাপুঙ ওইবা ৱারোল

নহা ওইরিৌঙগী পুন্সি

মাইব্যা তাম্র সিংহগী নহা ওইরিৌঙগী পুন্সিগী মরমদা ইবা, খঙবা নৎত্রগা ৱারী-ৱাখোঙ পীবা ঙম্বা অইবা ৱারোল নৎত্রগা মীওই অমত্তা হৌজিক লৈতে/লৈত্রে, হায়না লৌবা য়াই। মরম অসিনা মহাক্কী অঙাং ওইরিৌঙগী পুন্সিগী ৱাফমসি মহাক্না পাঙথোক্লম্লিবা থবকশিং অমসুং মহাক্কী মতম অমগী ফোটো তশবির/Picture) অসিদা তারিবা মিতমসিদগী শেমগৎ-শাবা নত্তনা উপায় লৈতে। মহাকসি খৃঃ ১৮৭৪ গী মতমগী মৈতৈ অকন-অথৌ চামগী মনুংদা অমা ওইনা শীঙথানরিবা মীশক্লি [N. Basanta, xxx, (1)]। অদুগা অহল ওইরবা মতম ফাওবসু নহা ওইবগী মওং-মতৌ, মচৎ-শাজৎ, শাবান-মূর্ত্তি, অমসুং ফিবম-ফিরেপ্তা লৈবা মীওইনি [ibid, (iv)]। মরম অসিনা মহাকসি নহা ওইরিৌঙগী মতমদুদা মশা/হকচাং মরুঙ থানা, তীক-তীক লাউনা লৈরে, মশাগী হকচাং মনুং শেংনা তীঞ্জেন-লাইচেন্দবা, মরু খীঙবা হকপান-শাবানগী ওইবা নহানি। মহাক্কী কুচু-কুমেনসি, কুলৈ কুচু, মুসু মুদবা, ঙৌসু ঙৌদবা ওইগনি, মরমদি মসিগুম্বা কুচুগী উনশাশিংসিনা নুংশাগী মৈশা খাঙবা অমসুং অঙৈংবগী শউম খাঙবদা কুচু ঙৌবদগী হেন্না মপাঙ্গল লৈ। মহাকসি মৈতৈ জাতীগী মী মখলসিদা থোইদোক্না পঙৱাংদি ৱাংদবা ফুট মঙা ইঞ্চি তরুক (মিঃ ১.৬৮ চাওরাক্না) তগীদি তাদবা, ফি শেৎপ্রগনা মশা পারপ তৌবা, ফি লৌথোক্লগা হকচাং নোয়রপ তৌবা শাবানগী মীওই ওইরমগনি।

মহাকসি খর ঙাওনা হৌজবা অঙাং, মপা-মমানা মচা অতোম্বা ওইবগী ময়ুমদদি খর কেরপ তৌবা, লম থোকশ্রগা মীকি-লাইকিদবগী মতৌ লৈবা ইনখৎলক্লবা নহা, ওক নাইতোম চৎপা, পাখং-মচা কোই তুম্নৌ হৌরকপা হায়বদুগী লমচৎ-শাজৎকী ফিবমদুদা লৈরমগদবা মাল্লি। মীমাঙদদি উত্ত-ঙাংদবা, নাইতোম নৎত্রগা মরন্নাই তারক্লগদি হন্দবা অদুগুম্বা লীংজেন চেল্লি, হায়বসি মহাক্কী নাইতোম লমশাং লমজেনসিনা থিন্দুনা তাক্লি।

মাইব্যা তাম্র সিংহ

মহৈ-মশিঙগী লমদাং

মৈতৈগীদি নুপাশিংনা শঞ্জেন-ঙাকপা ঙল্লকপগী চহি মতাং হায়বসি মহৈ-মশিঙ তম্বা হৌনবগী চপ চাবা মতম্নি, তশেংনমকসু শঞ্জেন-শনঙাকপা হায়বসি নুপামচা ওইবশিংগী মহৈ তম্বা মখল অমনি। অদুগা মহাক্কী অসিগুম্বা মতমসিদা খ্বাইনা য়াম্না পাম্নরিবা মাহৈ-মশিঙসি শা-লানগী মহৈ, থাঙ-তা, নোংমৈনচিংবা খুৎশূ-খুৎলাইশিং শীজিন্নবগী লৌশিঙ তানশিনবা হায়বসিনি। নিংথৌ ফম্বালদা কল্লক-মিহৌজবনা থল্লবা রাজা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা মতমদুদা থাঙ-তা হৈবদা মমিং লৈরবা উরুংপুরেনময়ুম ঈবুংশীজ/নিংথেমচা চপ্রান্দবু নিংথৌ সিংহাসন মুন্নবা তৌরক্কদ্রা হায়না মথন্তা চিংনজবদগী নিংথেমচা অসিনা নিংথৌ ওইগে তৌই হায়বা মরাল পীশিন্দুনা ঙবোঙ খাওদা নম্লগা লিল্লোংগী ইম্ফাল অমসুং ঈরীন তুরেন অনিগী ঈতীন্নফমসিদা হুম্বদুনা হাৎখি অমসুং মহাক্কী মনাউ অহুম্মুসু লান

হৌবা, নিংথৌ শেন্বদা য়াওই অমদি মতেং পাংঙি হায়বা মরান শীজিন্দুনা ১না অৱা/বর্মাদা তাহ্নোকপবু, অদুগা অনিবুনা কছাড়রোমদা তাহ্নোকপবু অফবা শাদুনা কনবীখি। ৱাফমসিগী ৱারোন্দিঃ—

...থোকচাও চান্দকী কুম শক ১৭৮২ ...লমদা থা ...৯নি শগোলশেন্দা (খৃঃ ১৮৬১গী মার্চ ২২) ইবুংশি চপ্রান্দনা নিংথৌ ওইগে তৌই হায়দুনা লিলোংদা লাকএ। মনাও ৩মদি ১দি ঔৱারোমদা ২মনা ময়াংলমদা থাজিনববু মহারাজনা কনবীরে [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৩৪৪]।

অসিনি। অদুবু লৈপাক-মীয়াম্নদি খঙই, সনা চপ্রান্দনা থাঙ-তা হৈরুবা মহৈদুদা কল্লক্তুনা নিংথৌ ওইগে তৌই হায়না মরান পীবনি অদুগা থাঙ-হৈ, তা-হৈ হায়বা নৎত্রগা খঙহনবা য়াদ্রে, হায়দুনা মণিপুরগী মহৈসি হৈবা ওঝা-গুরুশিং, মহৈরোইশিং পুন্নমক লোৎনখি, মনা-মনীন নাইনখিদে। অদুবু মতম খরগী মতুংদা খৃঃ ১৮৬০ দা মহারাজসিনা মহৈসি তম্নীঙলকখি, অদুনা মহাক্না পঞ্জাবকী লাহোরদগী থাঙগী ওজা পঞ্জাবী অমা চেন্দুনা কৌথোক্লগা থাঙ তম্নবা থৌরাং তৌখি। পঞ্জাবী থাঙহৈবা ওঝাদু নিংথৌনা চেহ্নোকপা অমসুং ওঝানি হায়দুনা খুরুম-খাজঙবদুদা চাওথোকপনা মথোই কাপ্নে, পোঙবা-ফনবগী ময়াই কাপ্নে। হায়রিবা মচৎ-মতৌসি উরকপদা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি নীঙঙল্লকখিদে। মহাক্না মনাই থোংঙাম চাওবদা মণিপুর থাঙ হৈবা অমত্তা লৈত্রবরা হংখি। মদুদা মনাইদুনা য়াম্না লৈ, হায়না হঙ্গৎলবদা পঞ্জাবী ওঝাসিগা লান্বা পাবা য়াবা কনা কনা লৈবগে, মহাকপু মায়থীবা পীবা ঙমগদবা কনানো হংবদা লান্বা পাবদা নোপলোয়দবা মী তরাগী মমিং-মথা— শৌগাইজান্বা বলরাম সিংহ মেজর (মৈদিংঙুগী য়েৎথাঙ খনবা), কাংঙবা চিদানন্দ সিংহ, মেজর (মৈদিংঙুগী ওয়থাঙ খনবা), নিংথৌখোংজম সিলোংতাবা, লৌক্রাকপম শামু (সনা মিৎয়েং), লিশম হাওবী, য়েংখোইবা মেজর, লৈতা মেজর, চোংথামিয়া, ৱাংখৈ মৈরাবা অমসুং পাউনম নাওলসিং (ব্রজবাসি) অসি হঙ্গৎখি। হায়রিবশিংসিগী মনুংদা ৱাংখৈ মৈরাবা অমসুং পাওনা ব্রজবাসিগী ওঝা (থাঙ-তা তম্বীবা গুরু) লোংজান্বা রোমা সিংহ, মেজর থারমদ্রিবনি, অদুবু পাউনা ব্রজবাসিগী খুৎজেংককপী থাংলোন্দা পঞ্জাবী ওঝাদুগী মখুত্তগী গদগা (গদ গদা) কহ্যদুনা লৈপাক্তা তারবদা পঞ্জাবীদুনা থাঙ নত্তদুনা খুদুম (Handguard) য়াওদবদগী তৌরিবনি হায়না ঈকাই খাঙদগী

কং কোৎপগী ৰাঙাং তৌরকপদা, ‘‘অদুদি, থাঙ পায়নসি’’ হায়বদা য়াদদুনা চোপ্তুনা মরৈপাক্তা হনখি [রাঃকুঃসগুঃ, ১৯৮৮, ২–৫]।

তাম্রসিংগী মতমদুদা চৎনরিবা মহৈ-মশিঙসি মহাকসু য়েক্লবদগী মশা কঞ্জবা ঙম্ননবা মহৈসি তম্লকখি হায়বসিদি মহাক্না খৃঃ ১৮৯১ গী মৈতৈ নীংতম লান্দা মৈতৈ/মণিপুরগী সিফাই লাম্মীগী সুবিদার অমা ওইনা অৰাং মায়কৈদগী বৃটিশকী মণিপুর ফিল্ড ফোর্স (Manipur Field Force) কী ওভর-অল কম্মাণ্ডিং ওফিসার মেজর-জেনরেল ঐচঃ কোল্লেটনা লুচিংবা লাম্মী, কোহিমাদগী এপ্রিল ২০, খৃঃ ১৮৯১ দা মণিপুরদা লান্দানবা খোঙশাল্লকপা বৃটিশ লাম্মী থিংননা মতোন ঈবুংঙো খ্বাইরাকপনা লুচিংবা, লাইশ্রবা জম্ভুবান মেজরনা মথং চৎপা লাম্মী ৮০০ গী তেঙ্গোন্দা লান চৎখ্রিবা [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪৯০] অসিনা খুদম চাংদম্মি। অদুবু মীওইবদা তাইবং মপুনা পীথোকপীরকপা গুণদা খেন্ন-খেন্নবা চাং অমসুং মাগী মাগী ওইবা লৌশিঙ অমসুং মহৈগী গুণ লৈজবনা মাইব্যা তাম্র সিংহসি খুত্তগী খোঙনা শিঙবা, খোঙগী মতীক-মঙম্না হেনবা মীওইনি। মরম অসিনা মহাকসি য়াঙনা চেন-চোংবসি হৈনৈ, হৈরকই অমসুং হেন্না হৈননবা মহৈ তম্বগী চহি মতাংশিংদা হোৎনরকখি। মহাক্না লমশাং চৎপদা চোকথদবা, শাংনা চেনবদা ৰাদবা, মশা উইনা হকচাং পুবা ঙম্বা মীওই অমা ওইনবা খর মখৈদি হোৎনরকখি অমসুং মশাগী শাজেন তৌরকখি। মহাক্কী মতমদু অকন-অথৌশিংনা পানবা মতম, মথৌনা-মরিংজেন লৈবদনা ওইজবা ফংবা, ঈকাইখুম্নবা লোকপা, অফবা মিংচৎ, মীনা থাগৎনবগী মতম্নি। মরম অদুনা মতমদুদা চৎনরিবা মচৎ অমসুং ঈরাংদুদা লুপশিন্দুনা মমান্নবগী মীথক থোংনবা হোৎনখি, মশাগী শাজেন তৌরকখি। মহাকসি খ্বাই মমান্নবশিংনা মহৈ-মশিঙগী লমদাংসিদা– ‘‘মাগী অমা লৈজবনি’’– হায়না হায়নবা মী ওইদুনা লাকখিরমগনি।

য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাবা

তেংবানববু শেম্বীবা মপুনা থৰাই পানবা পুম্নমকপু মাগী মাগী শাগৈ মুত্তনবা, মশা মশাগী ধারা/চাদা-নাউদা শমথনবা য়াথংগা লোইননা মতীক-ময়াই পীদুনা থারকপনি। অদুনা নমু তাইবংগী য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাবগী থৌ

অসি মপোক পুন্সিগী থৌরম অমা ওইনা লৌনৈ। মাইব্যা তাম্র সিংহ্ ঈঙাও-ঙাওনা হৌরকপনি, নীদুনা চাববুদি লাক-মুন্দুনা চাবসিনা খর হেন্না হাউই খঞ্জবা মীওইনি, অদুনা নৌনা যুম্বান্নীঙবগী ঈরাংসি কয়া লৈজদবা মীশক্কি। অদুবু মীনা নীঙবনা অমনি, লাইনা তম্বনা অমনি। মরম অসিনা মতমদুগী মৈতৈ সমাজদা চৎনবগী মতুংইন্না মহাক মশাগী চহি ২০ দগীনা ২৫ ফাওবগী মনুংদা যুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদারম্বা য়াই। অদুগা মহাক্না খৃঃ ১৮৭৪ দা লমশাং লমজেল চেল্লিবা মতমসি মহাক মশাগী চহি ৩০দগী ৪০ ফাওবগী চহি মতাংদনি হায়না চেৎনা থাজজে, মরমদি মতমদুদা চৎনবা লৈপাক্কী ৱায়েন্না নিংথৌ খন্দুনা মীয়াম্না শকখঙবা অমসুং মফম ফম্নাইবা অমা ওইবা হায়বসি মী মহাক অদুগী মশাগী চহি ৩০ (কুম্থা) শুদ্রবদি য়ারমদে [লাইশ্রাঃ ফমঃ, খুঃ লাইঃ অমসুং খুঃচঃসঃ, ১৯৭৫, ৭ অমদি নিংঃখঃসঃ, ১৯৮৭, ৭]।

মাইব্যা তাম্রসিংহনা যুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাবা অসিসু খ্বাইনা চৎন-তৌনরিবা অহল-লমন (মপা-মমানচিংবনা শেম্বী-শীনবীবা নৎত্রগা মশানা চেঞ্জ-লাংজদুনা ওইখিবা মওই অদুদা নৎখিদে, ভারতিয় আর্য্য/হিন্দু সমাজগী নৎত্রগা হিন্দু পৌরানিক জগৎকী অমসুং লাই-তীনগী/লাইওই-তীনওইবগী ৱারী-শীঙবুন (Mythical/Legendary tale/story) গী লক্ষ/লখ স্বয়ম্বর (Selection by self choice by putting a seen/visual mark/sign) গী মতৌদুনি, মুক্ল-শীঙনববু থেঙ্গায়নদুনা লাম্বা তৌরগা যুম্বানবা পুন্সিদা খোঙদাখিবগী মওং ওইনা তৌই অমসুং হায়রিবসিগী ৱারম-ৱাফমদিঃ— মহাক্কী মশূনুপা মাইবম গৌরো সিংহ, ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপান্দা লৈবনা অহল-লমনদগী তাহৌ-খঙহৌবা ওইনা পীবা ৱারমনি, মদুদিঃ—

মাইব্যা তাম্র সিংহনা পাখং য়ং-য়ঙ ফারকপা, থোক্লকপা অমা লাম্বা হেক্তা পানগনি হায়না লৈবগী চহি মতাং (চাওরাক্লা মশাগী চহি ১৫ দগী ২৫ ফাওবগী মতম) গী অদুৱাইদনি, হায়রিবা মতমসি চাওরাক্লা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ (খৃঃ ১৮৫০-৮৬) না পানবা হৌগৎলকপগী অহানবা চহি তরাগী মনুংদা ওইরম্বা নৎত্রগা পাবা য়াই। মহাক্লা লৈরিবা মহাক্কী পোক্লফম খুঙ্গং (Native village) নহারুপ খুন অসিদা ঙাংঙোম/ঙাঙোম (লুৱাং য়েক, নিংথৌজা অমসুং মোইরাং য়েক অনিদসু লৈ) শাগৈগী ঈমুং অমা লৈরম্মী অমসুং হায়রিবা

ঙাংঙোমগী ঈমুংসিনা য়াম্না মঙাও থিবা, লাক্ল-ফানবা ঙমদবা শল্লাবা (কাওরেন শন্দনবা) অমা লোইরম্মী। হায়রিবা শল লাবসিনা য়ুম্লোন-য়ুমথংনবগী অমসুং লৈকায়গী নৎত্রগা অতোপ্পা লৈকায়গী মীশিংগী ঈংখোল নৈখায়রম্বা, শম্বল থুদেক্লম্বা, কোম্বোঙ ফুক্তোকখিবা, য়েঙ্খাং-নাপী চাথোকখিবনচিংবগী মীৰা-মৈশা নংবদগী হেন্দোক্লুনা লৌপান পাম্বা (লৌ পানবা/উবগী মতম) দা মীগী লৌ নৈখায়রম্বা, ফৌ চাথোকখিবগী লনশিঙনবা, মীগী ৰাকৎ অমসুং মীচৈ তাবদা পুবা থাংবা ঙম্লমদে। অমরোমদা অমুক শন অদু মীনা হাত্তোকপীখিগদ্রা হায়বগীসু ৰাদবা ঙম্লমদে, অদুবু মনিপুরদা শন হাৎপদা শাথীরবা দণ্ডি পীবনা হাত্তোকপীবমক্তি তৌরোয় হায়না থাজে। মণিপুরদা/না শন হাৎপা য়াদবসিদা মশাগী মচীঞ্জাক ওইজবা ঈংলিশ/বৃটিশ মচা পোলিটিকেল এজেন্ট মিঃ/ডাঃ আরঃ ব্রাউন (খৃঃ ১৮৬৭-৭৭) না শন হাত্তুনা চাগে তৌবা ফাওবদা থিংখ্রিবনি, মসিগী খুদম-চাংদমদিঃ—

...মোইরাং চৈতন্যসিংগী কুম শক ১৭৯১ ...শজিবু থা (ওল্লকপা থা) ...৭নি ঈরাই (খৃঃ ১৮৭০ গী এপ্রিল ৮) দা ব্রুন সাহেবনা শন ১ হাত্তুনা চাগে তৌরম্ববু শ্রীযুৎ মহারাজনা তারদুনা কাংঙবা মেঞ্জোরবু শীদুনা, সাহেব! ঐখোয়গী ঈরৈপাক অসি শন হাৎপা হৌনদে হায়দুনা শনগী মমল লুপা ২০ পীরমদুনা শন্দি মহারাজদা কৎলৈ [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৩৮৩]।

অসিনি। অদুবু ঙাংঙোমগী ঈমুংসিনা, মরু ওইনা, য়ুম্নুরেন ওইরিবা অহনসিনা মখোয়গী শল্লাবা অসিগী মীৰা-মৈশা লাংবদি নোংমা-নোংমগী হেনগৎলক্লম্মী। মরম অসিনা থম্মোই শোক্লবা অহনসিনা শনসিবু ফাজিন-পুনশিন্দুনা থম্বসু ঙমদ্রবনিনা হায়রিবা শল লাবসিবু লাকপা, তেহনবা ঙম্বা নুপা অদুনা অহল ওইরবসু, নহা ওইরবসু, মমিৎ তাঙলবসু, মখুৎ-মখোঙ তেকলবসু, মহাক অদুদা মহাক্কী মচানুপী লৈশাবী ঙাংঙোম চনু তোমচাবু মনা ওইনা নৎত্রগা তৌবীমন ওইনা কৎকনি নৎত্রগা পীগনি হায়দুনা লৈপাক খঙনবা লাউথোকখিরম্মী। লৈপাক্কী মীয়াম পুম্নমক্না ঙক্লখি।

শীঙনা-থানবা নৎত্রগা মীনা ঙম্লরোয়, ৰারগনি হায়বদুগী খুদোংথীবদু মায়য়োক্লরগা, অৰাবদু মায়পুনরগা, শীঙনা-থানবা মায়রোঙ য়ারগা নুংঙাইজবা মাইব্যা তাম্র সিংহগী নহা পাখং ওইরিঙৈগী পুন্সিনি। মহাক মতমদুগী সমাজদা

চৎনবা অমসুং য়াম্না হকচিন্না পাম্নবা শগোল কাঙজৈ শান্নবগী অমসুং শগোল তোংবগী মহৈ-মশিঙ, শগোল লাকপা-তেহনবগী মহৈসিসু তম্লকপা নুপানি, মতমসিদদি শগোল কাংজৈ হৈত্রবদি চন্নদবা, কাঙখা-থাঙ ওইবা মী ওইনা লৌনবা মতম্নি, তশেংনমক হায়রবদা মৈতৈ শগোল কাঙজৈ (Manipur game of hockey on horseback, the mother of the modern polo) গী সনাগী যুগ (Golden age) গী মতম্নি [মথক্কীসিদা, ৩৮১]। মরম অসিনা মাইব্যা তাম্রসিংহ্ শগোল তোংবা নীঙথিনা হৈ অমসুং মহাক্না তোংলিবা শগোলদু মহাক্কী মখুত্তা থম্বা, মহাক্না অনীঙবা-অপাম্বা তৌহনবা ঙম্মী। মঙোন্দগী শগোন্না খক হেনখিবা ঙমদে। অদুগা মহাক্না ঙাংঙোমগী অহন্না লাউথোক্লিবা লখ/লক্ষ উৎপা/ককপগী স্বয়ম্বরদুগী লাইবক য়েংনীঙখি। ৱাফমসি মহাক্কী মপুক্লীঙদা লাক্লিবসি নুপীদু য়াম্না পাম্লুবা নৎত্রগা নুপী থিবা (য়ুম্বানবা পুন্সিদা চঙবা) নুপা অমা ওইনীঙলুবগী ৱাফম নত্তে, ময়াম্না ঙমদে-হৈনদে হায়বা শল্লাবদুগী মরীন্দু য়েংনীঙলুবদগীনি, মহাক্কী মতমসিগী মতুংদা শেম্লগদবা ৱারী-শীঙবুনগী খম্বনা ঈকোপ্তা ঙাংবা-নিংথি পামহৈবা কৌবা কাওরেন ফাখিবা, তেহনখিবা অদুগুম্না তেহন্নীঙবদগীনি। মরম অসিনা মহাক্না ঙাংঙোম শল্লাবা অঙাওবদুদা মিৎয়েং থম্বা হৌরক্লে।

মাইব্যা তাম্র সিংহগী ঈমুংসি মচীঞ্জাক চাজবা ঈমুংনি, মতমদুদদি য়ুমথোঙ অমদা শগোল অমা/অনি লোইদ্রবা/থাক্লবদি লেম্নরমদে। মরম অসিনা তাম্রসিংহ-খোয়গী ঈমুংসু শগোল লোই, লৈ। নোংমদি মাইব্যা তাম্র সিংহনা ঙাংঙোমগী শল্লাবদু ফাগে হায়না লেপ্লম্মী। মরম অদুনা নুমিত্তু অয়ুক ঙস্তা হৌগত্তুনা মহাক্কী নোংমগী তৌগদবা, পাখং অমনা তৌফম থোকপা মচৎকী মথৌশিংদু লোয়থোক্লগা শগোলশঙদা চঙদুনা মখুৎ চাবা, কাংলম চাবা শগোল অমা পুরগা ময়ুমগী কোহ্নোঙ ৱাংমদা তোংখৎখ্রে। তোংখৎলমদাইদা চীঙঙু মারজিং, থাংৱাই মার নিংথৌ, লাঙ্গোই শগোল ফাবা, কোরৌ শামদোন অয়াঙবা, শাহুম-মশা পানবা শগোনবু মমৈ-মশা কক, মকোই-মরাং ফোইনা ৱারক-থৌগায় তম্বীবা, লমশা শগোল অপাইববু লাক্কুনা তেনহনবা মৈতৈগী লাঙ্গোই শগোলগী চীঙঙু মতীক হকপবু পুক্লীঙ চেৎনা খুরুমজখি। অদুগা শগোলদু থৌরক্কুনা ঙাংঙোমগী শল্লাবদুনা মকোন কোন্দৈনা শঙ্গোন কোলী লীথুদনা লৈবা মফম থিদুনা থৌরক্লে।

শল্লাবদু হেক উবগা লাঙ্গোই শায়াঙথক্তা তোংদুনা কাওরেল শল্লাবদু তম্না থৌজিল্লে, শাজৈ তোরান হাইদুনা চঙশিল্লক্লে।

ঙাংঙোমগী শল্লাবা অঙাওবদুনা মাইব্যা তাম্র সিংহনা তৌরক্লিবা লাঙ্গোই শায়াঙথক্তা লীচৈ নৈনা হাইদুনা থৌজিল্লক্লিবদু উবা, চোংশিন্দুনা লাম্না পানরুবদা মপাঙ্গল কল্লি হায়দুনসু মহাকখক্তা চৈ চাদুনা তোক্কনি, শগোল অসিসু লানশানি, পাখং অসিসু মতা অমনি খন্দুনা মমায় মখা ওন্দুনা মমৈ ফিরান শানা হোত্তুনা চেন্থ্রে। ঙসিদি তৌরগে, হায়দুনা লাকপা মাইব্যা তাম্র সিংহনি, শন চেনখিবা মায়কৈদা শগোল শামায় থমদুনা খুর্জি মিতম থাঃরগা খুনেৎ নাকথং কাওদুনা তেঞ্জৈমুক য়াঙনা তান্নরক্লে। কাওরেল শল্লাবা ঙাংঙোম শন্দনবা অদুসু হিঃ মতৌ অমনি হায়দুনা খুনগী লমখৈ-লমকন লান্দুনা লৌরোকখ্রবা লৌবুক তম্না চেল্লক্লে। অচেনবসু লেপ্তে, অতানবসু তোক্তে। অদুদগী শন্দুনা খুল্লক-যুম্লক্তা অমুক হোৎচিল্লি, অতানবা শগোল তোংবদু লাক্লিবরা য়েংদুনা মিকুপ খরদং পল্লুববু লাঙ্গোইনা খুরুপ থৌবগী শক্তম উরকই, এহঃ! লাক্লেনা হায়দুনা অমুক নৈরক কোনশাং ফাওদুনা হোত্থি, অদুবু শগোল তোংবদুসু হেক্তা য়ৌশিল্লকই। মসিদগী চীঙখোঙ-চীঙয়াদা চেল্লি, শগোন্দুনা মতান্নরকই, তুরেল খোংলম-খোংনুংদা চেল্লি লঙ্গোই তোংবদু ময়ৌরকই। চেনফম য়ৌফম খঙদরে, মদুগী নুমিৎ চুপ্পদুমা শজীক হান্নৌদি লায়রদুনা নাপী মকা অমা ফাওবা ময়াদা তাদ্রে, অদুগীসু মথক্তা কোয়তান তান্নবা অদু ফংহন্দনবা চেনবদা মখোঙ মরি অদুনা মশা মহকচাং অমখক্তু পুবা ঙম্লক্তে। চোকথবগা, খৌরাংবগা অমসুং লামবগনা মহাক্কী মথৱাইদু অচঙ-অহিংবা নৈতবা লমদমদা থাখিগদবগুম তৌরক্লে, অদুবু তান্নবা অদুদি লেপ্পা নৈত্রি। ঙাংঙোম শন্দনবা, মকোক্তা ঙাংঙোম চনু অমা থাজবগী মমল/ মনা পুরিবদু কুন্দুনা নৈবা নত্তনা মহাক্কী উপায় নৈত্রে। চেন-চোংবগী মপাঙ্গল লোয়খরে, মহাক্কী মশাগী তোংশা পুম্নমক চীক-চীক লাউরে।

শল্লাবদুনা খুন্দগী থাপ্লপ্পা নৈবা লৌবুক অমগী মচী অমদা নুমিত্তুগী নুমিৎ য়ুংবগী মতুং অদুৱাইদা য়ামফক/য়ৈনফক তাবগুম তাদুনা নৈরিবদুগী মনাক্তা মাইব্যা তাম্র সিংহনা লাঙ্গোই শগোল থৌজিল্লক্তুনা খাল্লরে। শগোল অদুদি ঙরাংদগী অতম্না অসিগুম্বা তৌগনি হায়দুনা থৌরাং তৌরবা লানশানিনা মচীন্দা চীঙ্গাক য়াওবা (শগোলহৱাই, চানানচিংবা হাপ্পা) পাইতু/খাউ য়ান্দুনা

শগুপ শায়দুনা চারি/পীজরি। শল্লাবদুদি কুন্দুনা লৈবদু ফাওবদা অরাম-খৌরাংবা অমসুং লেপ্তুনা লমশাং (মথেক-মকোয় ওইবা মতেক-মতেক/মতুপ-মতুপ ওইরবসু পুনশিল্লকপদদি লমশাং ওই) অমা পুঙ ৬ (তরুক) তগী তাদনা চেল্লকপগী চোকথবনা ওত্তুনা অৱাবা খাঙলি। মমিত্তা মপী তরং-তরং শিন্থদুনা মাইব্যা তান্ত্র সিংহদা অকিবা মিৎয়েংনা করি তৌরক্কদবগে য়েংদুনা লৈবদু তশেংনমক নুংশিনীঙঙাই ওইবা মতৌনি। মতমদুদা মাইব্যানা শজীক খর থিরুদুনা মহাক্কী মমাঙদা থম্বীরে, হান্ননা থৌরাং তৌরকপনিনা ঈশিং খরসু পাত্র অমদা হাপ্তুনা মচীন-মনাক্তা পায়দুনা পীথকপীরে। ঙাংঙোম শন্দনবা অঙাওবদু মাইব্যাগী মতৌদুদা পেনবনসু লোয়রে, অদুগা অমুক কিবনসু থেংলে। তাঞ্জাসিদা মাইব্যা তান্ত্র সিংহনা কোষ্টৌরী কোঙ্গোয় অমনা মঙক্তা হুকপীরে অমসুং থৌরীদুগী অতোপ্পা মচীন্দু উচুপ মচা অমা য়ৈদুনা য়ুংলগা পুন্দুনা থম্লে। মতমসিদা লাক্ল-ফানবা ঙল্লমদ্রবা শল্লাবদু করিসু মোঙ-হাবা তৌদনা অতেবা শনবী অমগুম লৈরম্মী। শন্দু কোষ্টৌরী নৎত্রগা থৌরী লীশাং অমনা পুল্লবগী মতুংদুদা মাইব্যা তান্ত্রসিংহসু মহাক্কী চাবা-থকপা য়াবা চারে-থক্লে, মহাক্কী শগোন্দুদসু পীজবা য়াবা, পীথকপা য়াবা খর পীজরে, পীথক্লে। অদুগা মখোয় অনিসু ঙসাইমখৈ ৱারুবদুগী অৱাবা পোখাদুনা মশা তেকখৎলকপা ঙাইদুনা লৈরম্মী। অসুম্না মখোয়না খুঙ্গংদগী থাপ্লবা মফমদুদা চাওরাক্লা পুং অহুমলোম পোখাদুনা লৈখি।

নোংদোন কোরৌহনবনা মালেমদা লৌরাংলকপা মতম, কাওরেন শঞ্জাবুঙদা, চীঙগী উয়োক-ৱায়োক্তা অমসুং তমগী লৌবুক-লমহাঙদা চাক্তাবা কাউরেন শনবীনা মচা শন্নাউবু য়েংলকপা, পল্লেম খোল্লাং ঈহল্লিবা/থক্লিবা মুকমু শন্নাউনা মমা শনবী থিরকপা মতম, "মো-মো," "মে-মে" শনবী-শন্নাউনা কৌনা-ওক্লবা, পল্লেম-মমাশিংগা মপারী-মমোমশিংগা উন-ৱাইথুংনবগী তাঞ্জাসি য়ৌরকপদা ঙাংঙোম শন্দনবা কোনদৈবসু, কাউরেন শন্দানবা লাঙ্গোই শগোনসু, য়াঙ্গোই শায়াঙ থক্তা তোংদুনা কাউরেন শনথেম্বা মাইব্যা তান্ত্র সিংহসু অৱা'-হুরাইরাং শোল্লম্বা, হকচাং হকচোক লাংনা চোকথরম্বদু ফম্লে। চৎলসি-হল্লসি হায়দুনা মাইব্যা তান্ত্র সিংহনা লীরৌরবা কাউরেন শল্লাবা থৌরীনা মঙকশমদা পুল্লবা ঙাংঙোম শন্দনবগী থৌরী লীতোন পায়দুনা শগোন্দা অমুক তোংখৎলে। অদুগা তপ্না তপ্না কাওরেন মাগী খোঙথাংদা নুমিদাংৱাইরম

শনগারক্লে। লাক্ল-ফানা ঙমদবা, ঙাওরবা ঙাংঙোমগী শন্দু নীঙঙাই-চক্রি তৌদ্রে, অতেবা শনবীগুম অহোইবনা হোইরিবা মায়কৈদা চত্তুনা শনগারক্লে। লেপ্তুনা লাকপা খোঙথাংনা নহারুপ খুনগী পন্দোন শাবল য়ৌরক্লে, খুল্লক চঙলক্লে। অউবশিংনা খন্নে, করি মতৌনো'সিদি, ঙাংঙোম শনসি নারব্রা? য়েংনৈ, ঙাংনৈ, মুশুক মুশুক, ''মঙাও থিরবা তাম্রসিংনা অঙাওবা শনসি ফাখ্রবোইরে''। তাম্রসিংহনা লেপ্তুনা শন্দু হোইদুনা পুরক্লগা ঙাংঙোম শঙ্গোন্দা হোইজিন্দুনা শনবু ঙাংঙোন্বা তোমচা'পাদা শিন্নরে। ঙাংঙোমগী অহল অদু ঙকপা অমসুং নুংঙাইবদা থেংখ্রে। ঙক্লিবনা, অদুপ ঙাওখ্রবা শন্দুনা অতেবা শনবীগুম শঙ্গোন্দা ঈরেন্না চঙদুনা মোঙ-হাবা তৌদনা শজীক চাদুনা লৈবদুগীনি; নুংঙাইরিবনা, মীব্রা-মৈশা কোক্লগনি, মচানুপীগী লৌবা ময়া লৈরনি— হায়বশিংসিগীনি।

মাইব্যা তাম্র সিংহনা লৌশিঙনা শামু ফাখি, তেঞ্জে অমতনা হৈনৌ-হৈসু হেকখি/ককখি, লম খুনু (লংখুনু) উচেকসু ফাখি/কাপথখি। মহাক্না শন অসিবু মশাদা শুপশোক শোক্তনা মপুম থীৎপা মখৈ ৱাহনখি, হেক তুবা মখৈ মশা চোকথহনখি, মদুনা শল্লাবা অঙাওবদুদা অৱাবগী অকিবা পোকহনখি অমসুং ফাওখি। মদুনা শল্লাবদু তেখি। অসুম্না শনবু লাক্তুনা তেহনখি। মসিনি মহাক্কী মরৌশিঙ। হায়রিবা হকচাং ৱাহন-চোকথহল্লগা অমাঙ-অতাক থোকহন্দনবা, মশাগী অশাওবা ফাথব্রবা, কোকহন্নবা অসিবু পান্বে ওইনা শীজিন্নখিবসি মণিপুরী জাতী লানজিংলেন পুরেন অথৌবা (Hero) ওইনা ভারতবাসি জাতীগী নেসনেল হিরো (Indian National Hero) গী থাক্তা লেপ্লিবা খৃঃ ১৮৯১ গী মণিপুর নীঙতম-লানগী সহিদ (Martyr), যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ নৎত্রগা সেনাপতি কোইরেং (ডিসেম্বর ২৯, খৃঃ ১৮৫৫ - আগষ্ট ১৩, খৃঃ ১৮৯১) নি। মহাকপু শাওহল্লুরবা নৎত্রগা মহাক্না শাওরক্লবা মতমদা মহাক্কী আরবী শগোল (মমিং ফংজদ্রি) অদু তোংখত্তুনা হেক মশা চোকথদ্রিবা ফাওবা থৌদুনা মশাগী হকচাংবু ৱাহল্লি।

মাইব্যা তাম্রসিংহনা মী অতৈনা অমসুং মপুনা লাক্ল-ফানবা অমদি লাকপা ঙমদ্রবা ঙাংঙোম শল্লাবা, কোনথৌরী লীথুদবা অমসুং কাওরেন কোন্দৈবা (মকোন ওন্ন-তৈনবা, মকোন্দা/শঙ্গোন্দা লৈতবা) অদুবু তেহন্দুনা, হায়রিবসিগী মনা/মমল ওইনা ঙাংঙোম নিংঙোন তোমচাবু মপা ঈবুংঙোনা অওঙ-অউন

তমদুনা হায়ন-শীঙনবা লুহোংবগী থাক্তা লুহোংদুনা লৌখি অমসুং য়ুন্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাখি। মহাক্কী য়ুন্বানবগী পুন্সিসি মহৈ য়ানবা পুন্সি হায়বদু ওইখি।

মৈত্রবাক্কী মীশক-মীওই অমা ওইনা মাইব্যা তাম্র সিংহ খোঙয়াঙবা

মীওইবনা খুদুম শীঙনা লাকখিবা হিংননবগী, পান্ননবগী পুন্সিগী লানফম অসিদা খুবাম তিংদনবা মীগী মীরক তীনবা তাই, লৈপাক খ্বাইগী থবক খরদি তৌবা তাই, লৈঙাক-থৌগায় ইন্দুনা লৈপাক-নিংথৌগী, মীয়ামগী অমসুং লন্নাই থবকশিংগী থৌদাং লৌবা মহৌশানি নৎত্রবদি অয়ন্বা শীঙদা থাদুনা কাঙখথাঙ ওইনা পুন্সি পিখমন্নখিগনি। মরম অসিনা মাইব্যা তাম্র সিংহনা লুহোংলবা মতুংদা মথংগী চহিদা মচাঙ্গীবুংঙো অমা ফংজখি। মাইব্যানা ঙাংঙোম শল্লাববু তেহনখিবসিদগী মহাক্কী মিংচৎকী মঙান নাইবা, অকনবা লক্তা শীঙথাবা, অশিঙবগী মরক্তা চনবা হৌখ্রবনি অমসুং মহাক্কী মতীক-মঙান শনহনখিবনি; হায়না-শীঙনা, থিনা-হুম্নরুব্দনা পুন্সিগী লোইনবী ফংহনখিবী কাওরেন শন্দনবা অসিমক মহাক্কী নুপীগী অউনশন ওইনা ফংখিবনি। অদুগা মহাক্না মপারী নুংশিবা অমা মমিত্তা উজবা ফংবা মতম অস্ছিদা মশাগী চহি চাওরাক্না ২৫/২৬ শুরল্লগনি হায়না নীঙজে, মরমদি মহাক্কী মতম অদুৱাইদদি নুপানা মশাগী চহি ২০ দগী ২৫ ফাওবা অমসুং নুপীনা ১৪ দগী ২০ ফাওবগী মতমদা য়ুন্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাবগী চৎনবী অসি লৈবগুম তৌই। অসুম্না নৌনা য়ুম পানবগী থৌরাং অসি মৈতৈগী মীশীঙ য়ামদবগী ৱাফম অসিখক্তা [লাইহরাউবগী ফর্টেলিটি কল্ট (Fertility Cult) নচিংবা ফর্টেলিটী কল্টশিংদা মিৎয়েং থন্বীয়ু] গী নক্তে, মৈতৈগী চৎনবীদা লমচৎ-শাজৎ শেন্বা অমসুং শাথেং-লাঙ্থেংনবগী মহৈ-মশিঙগী ৱায়েন্দা, ''মায়খন-য়ুখন-মরুমদগী, ফিজঙ-ফিগন্নুংদগী (পর্দা মরূমদগী) মীগী নুপী য়েংদবা'' হায়বা ৱাখুন অমা ওইনা পোমিৎ য়াত্তুনা লৈরিবনি [রাঃকুঃসঃগঃ, ১৯৮০, ৯৪]। মহাক্না মপারী অমা ফংজবা, মশাগী চহি ২৫/২৬কী মতমসিদা মহাক্কী পোক্লফম খুঙ্গং নহারুপ খুন থাদোক্তুনা খাবম পানাগী লৈকোয়-লৈকায় ৱাংখৈ লৈয়াৎ লমতুপকী কোংবা পুখ্রি (ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি) গী খা-নোংচুপ থংবা লমদম হৌজিক্না কৈথেল অশাংবী হায়না খঙনরিবা লম অসিদা য়ুম হোংলক্তুনা লৈখিরম্মী।

(১) মাইব্যা তাম্রসিংহগী পুন্সিগী মতম পাবা

মাইব্যা তাম্রসিংহনা পোকপগী চহি, মতম খঙবা ঙমদে। অদুগা মহাক খৃঃ ১৯১২ গী সেপ্তেম্বর তারিক ১২ (শক ১৮৩৪ গী লাংবনগী নোংমা পানব) শগোলশেন নুমিত্তা পুন্সি খোয়রেন য়ৌনা অহল মতম ওইনা মালেম তাইবংপান থাদোক্কুনা তেংবানবা মপুগী লৈকোন তীনখিবনি। অদুগা মহাক খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট থা (শক ১৭৯৬ কী ১বা থৱান-২বা থৱান) দা মশক-নাইবা অকন-অথৌগী হায়বদি পাঙ্গলগী (পাঙ্গল ফবগী) থবক হায়বদি মাইল ২৬৪ (কিঃমিঃ ৪২২.৪) গী লমশাংসি নুমিৎ ৪নিদা (পুং ৮৪ রোমদা) লেপ্তবা খোঙজেন [Non-stop race/racing (মসি চাক চাবা অমসুং পুং খর তুম্বগী মতম কায়থোক্লগা পাংথোকখিবনিনা লেপ্তবা খোঙজেন হায়বা য়াই)] দা চেনখিবনিনা মতম অসিদা মহাক মশাগী চহি ৩৫ দগী ৪৫ ফাওবগী মতমদা লৈ হায়না লৌবা য়াই। হায়রিবা চহি মতাংসি চহি ৪০ দা লৌরগা, মসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা মহাক্কী পুন্সিগী হৌখ্রবা তাংককশিংগী মতম লেপ্তুনা শাগৎচবা পামজে। চহি মতাংসিদা য়ুম্ফম ওইবগী ৱাফম থমজরিবসি মতমদুগী নিংথৌ পানবা লৈপাক্কুগী লৈপাক-নিংথৌগী থবক (State/Kingdom's Government Service) চঙবদা মশাগী চহি ৩০ দগী তাবা য়াদবা হায়বদুগী ৱায়েন-ৱাখুন্দুদা মিৎয়েং থমজদুনা লেপচবনি, ৱায়েন ৱাখুন্দুদিঃ—

নিংথৌ শেনবদা কাবদি (নিংথৌ শেনগদবদি, লৈমা শেনগদবদি) পিবাগা মথংগা অনিমনা শেনগদবনে। জাৎ ফত্তবনা খুদৈ শেনাক লানফরোই। অঙম্বনা কৌশিন্দনা চঙফদে। চঙহিক্লবসুঙ নিংথৌনা ৱা হংদনবা হংগৎফদে। চহি কুন্থ্রা (৩০) শুদবা মীবু ফম হাপহৈদে, নীং মাঙগী ৱা খঙবা ৱাৎলে, মীসুঙ মহাকসুঙ মাঙনৈএ; মাগী মাগী পান্নবা শঙলাক কৈরুংবনা মী অসিদি মতীক ওইরে হায়না নিংথৌদা কৎলরবা মী অদুবু নিংথৌনা মফম হাপপিএ।...

[নিঃখঃসঃ, ১৯৮৭, ৭; খুঃচঃসঃ, ১৯৭৫, ৭; লাইঃফমঃ, খুঃলাইঃ]

অসিশিংসিনি। মাইব্যা তাম্রসিংহনা খৃঃ ১৮৭৪ দা চহি ৪০ (নিফু) ওইবসিনা চহি ৩৮ লৈরগা মশাগী চহি ৭৮-৭৯ শুবা খৃঃ ১৯১২ দা থুপখিবা হায়বসি ওইবা য়াবা ৱায়েন্নি হায়না থাজজে। মরম অসিনা মহাক খৃঃ ১৮৩৩-৩৪ দা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগা চহি ১/২ দা থংমুন-নাউমুন ওইনা পোকখিরম্বা য়াই।

(২) লাল্লুপ থৌদাং

"লাল্লুপ" হায়বসি ময়েক্কী ওইবা ৱাহন্দোক অমসুং মসি হৌদোক্লকপগী মচীনঙৈগী মতমদা পুরম্বা অর্থদি লানগী লুপ (Association/organisation for and/or of war and/or battle) হায়বনি অমসুং হায়রিবসি 'শা-লানগী ওইবা লুপ'' অর্মিগী মচৎ, মনাৎ, মশীন, মথৌ, মঙম অমসুং মশক্তা লৈরম্বনি। অদুবু লানগী লুপ(শিং) অসিনা লান লৈতবা, শা লৈতবা, শাথোক-লাম্থোক্তবা মতমদা, খর মখেনা শা-লানগী ওইনা মৈতৈ কোনুং ঙাক্লবা, মীচম-মীয়াম/মীয়াম-মীচম ঙাক্লবা, লৈম-নিংথৌ কন্নবা লৈরবসু অয়াম্বনা লৈপাক্কী ওইবা শাদা-লান্দা, শা-লান লৈতবা মতমদা অমসুং লল্লোন-ঈতীক্কী লমদাংদা শীজিন্ননবা অমসুং য়োন্ন-তাইনবা পোৎলমশিং, শেন্বা, শাবা, অমসুং পুথোকপগী পরীং অমসুং পরমদা চখরকখিবা অমদি শীজিন্নরকখিবনি। হায়রিবা লাল্লুপসি মৈতৈ সনা লৈপাক্তা মৈদিংঙু লোইয়ম্বা (খৃঃ ১০৭৪-১১২২) গী স্নাহাক্তক্তা হৌদোকখিবা ওইনা পীবীরম্মী [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৯]। অদুগা হায়রিবা মৈদিংঙু লোইয়ম্বগী লাল্লুপ অসিদা লুপ ৬ খক– (১) লুপলেন লুপ, (২) থৌচালুপ, (৩) কোংচা লুপ, (৪) লুপখুবা লুপ, (৫) চিংচারুপ অমসুং (৬) খাইচারুপ কৌদুনা লৈরম্মী অমসুং লুপ তরুকসিনা কোনবা নৎত্রগা লৈবা লমশিংদু মতমদুগী মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী লমতুপ/লৈয়াৎ (পানা হায়) ওইনা পীবীরম্মী।

লাল্লুপ অসি তশেংনমক লৈঙাক্লোনগী লৈয়াৎ/লমতুপশিংগা মরী লৈনৈ অমসুং লৈয়াৎশিংদুদা কাইদোং-পন্দোংদুনা লৈ। মৈদিংঙু ক্যাম্বা (খৃঃ ১৪৬৭-১৫০৮) গী স্না হাক্তক্তদি মণিপুর অসি লৈঙাক্লোনগী লৈয়াৎ অচৌবা অনি-অহল্লুপ অমসুং নহারুপ হায়না খৃঃ ১৪৮৭ তা শেমখি [মথক্কীসিদা, ২০]। অদুগা কংলৈ লমদম (Urban or urban domain) অসি লৈয়াৎ লমতুপ মরি– খ্বাই, য়াইস্কুল, খুরাই অমসুং ৱাংখৈ হায়না লৈকায়শিং (Divisions/sub-divisions, one of which may be termed, commune of the urban domain/realm) হায়না খায়দোকপা উরে [মথক্কীসিদা, ২১]। মসিনা মণিপুর তম্পাকসিদা খুঙ্গং/লৱাই লম (Rural region) অমসুং কংলৈ/ইম্ফাল লম (Urban region) হায়না খায়দোকপগী মশক শেংলে। মতুং তারকপা

মতমদা মৈদিংঙু ময়াম্বা নৎত্রগা গরিবনিৱাজ মহারাজ (খৃঃ ১৭০৯-৪৮) গী সনা হাক্তক্তা অহল্লুপ্তগী "লাইফম" অমসুং নহারুপ্তগী "খাবম" হায়না লমতুপ/লৈয়াৎ অনি অমগা খৃঃ ১৭১৫ দা খায়দোক্তুনা [মথক্কীসিদা, ৭৬] লৈঙাক্লোনগী লৈয়াৎসি মরি শুহনখি। হায়রিবা লমতুপ মরি অসিবু "পানা" থোল্লি, অদুগা কংলৈগী লৈয়াৎ মরিসিবু লৈকায় হায়না থোল্লি অমসুং লৈকায়শিংসিবু পানাশিং অসিগী লৈকোয় (Headquarters) শিং ওইনা



থল্লম্মী। মরম অসিনা লাল্লুপ কারিবসি পানা ৪ অমসুং লৈকায় ৪ অসিনি। মণিপুর তম্পাক্কী লমসিদা পানাশিং অমসুং লৈকায়শিংসি নত্তবা লোই খুনশিং (Tributary or tribute-payers villages) অমসুং নাই খুঙ্গংশিং (Slaves' and servants' village), কৈ খুঙ্গংশিং (Barn or Granary keepers' villages) অমসুং কৈ-রোই (Mixed groups) গী খুঙ্গংশিংসু লৈ, মখোয়শিংসু লাল্লুপ কাই।

লাল্লুপ হায়বসি তশেংনমক শূ-নোম্বগী পাঙ্গলদুনা লৈপাক্কী লম্বানমন (Text, revenue, fee, duty, etc.) লৌবনি। অদুগা শা-লানগী ওইনা তৌবা

মচৎ-মনাত্তা খুঞ্জা/লৈপাকমচা মশানা চোংথোরক্লুনা/লৈবাক্কী থবকশিং তৌরবনি অমসুং শা-লান লৈতবা মতমদা লন্বী শেন্বা, ঈথৈ-পনথিংবা, থোং শাবা, লৌনম্বান কোয়বা, লৌখোং তৌবা, যুম্ফম থোনবা, শঙ শাবা, অসিনচিংবা ময়ামগী পাঙ্গলগী থবকশিং অমসুং কংলা কোনুংগী লমখৈ মনুংদা লৈবা শীনশূ-শীম্বাফম শঙ, শঙলেন্নচিংবদা খুৎহৈবা, শীন্নাইবনচিংবগী থবক শূ-নোম্না-খুৎ-শা হৈবগী পোথোকশিং পুথোকপা; লোইশঙ, শঙলেন্নচিংবা ঙাকপা, পুবা (Official works) গী থবকশিং তৌই। মসিবু মমিৎ নামা তাঙবা, ফররোয়দবা বৃটিশ মচাশিংনা নমদুনা শীন্নবা, ফোর্স লেবর (Force Labour) হায়না হায় [D.R.B., 2001, 83]। মসি মখোয়গী লণ্ডন্দা লৈবা সিটিজন্স মিলিসিয়া [Citizens' Militia) হায়বদুগা চপ মান্নবনি, মখোয়গীদু খন্দনা মীগীদা অহৈ-অপা শারিবসি লণ্ডন মচা ওইরম্লোয় গ্রেট বৃটেনগী হাইলেণ্ডর/হাইলেনমেন (Highlander/Highlandman) ওইরমগনি হায়না খাজজৈ। লাল্লুপ অসি খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙগী নিংথৌ পানবা লৈবাক মণিপুরগী য়াঙলেন শরুনি।

লাল্লুপ কাগদবা মতম অমসুং চহি মতাং

মণিপুরগী খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙগী সরকার অদুনা চৎনরম্বা লাল্লুপকী থৌ অসি মণিপুরগী নুপা ওইবা পুম্নমক্কী মথক্তা নন্দুনা লৈবা লৈপাক-থৌগায় থৌদাংনি। লাল্লুপ কাগদবা মতমদি—

চহি অমদা নুপা অমনা নুমিৎ ৮০ লাল্লুপ কাই। চহি অমসি নুমিৎ ৪০গী মতুপ ৮ থোক্লা খাই; নুমিৎ ৪০নিগী মতুপ অসিগী মনুংদা নুপা ১না নুমিৎ ১০নি লাল্লুপ কাই। ১০নিগী লাল্লুপ পালি লোয়রগা য়ুমদা কুল্লক্লুনা থা ১ লৈনবগী খুদোংচাবা লৈ। অসুম্না থা ১ য়ুমদা লৈরবা মতুংদা মথংগী মতুপকী নুমিৎ ১০নিগী লাল্লুপ কাই। লৈপাক নিংথৌগী ১০নি, য়ুমগী থা ১ না মতুপ নিপাল অসিবু নুপা ১না ঙাকই। ''লাল্লুপসু কাবা ব্রাশাসু শাবা/চাবা'' হায়বসি থোক্তনবা হোৎনৈ [নঃশঃ, ১৯৬০, (১০) - (১১)]।

অসিনি। চহি অমসি নুমিৎ ৩৬০ (মসি থাগী খোঙচৎ, নুমিৎ ৩০নিনা থা ১ শাবদা পাবনি। মলমাস, অমাংবা থা লৈরগনা নুমিৎ ৩৯০) নিনা শাবনি, মসিনা নুমিৎ লৌথোক-লৌশিন তৌরগা চহি ৫/৫ দা মলমাস হাপ্তুনা নুমিৎকী খোঙচৎকী

চহি অমগী (নুমিৎ ৩৬৫ নিগী) নুমিৎ মশীঙগা মান্নহন্নবা শেম-শাবনি। অদুবু লাল্লুপকী ওইনদি নুমিৎ ৩২০ না শাবা চৎনৈ। অদুগা লাল্লুপ কাগদবা নুপা অমগী মশাগী চহিগী মতাংদিঃ—

নুপা অমগী মশাগী চহি ১৭ (তরাতরেৎ) তগী চহি ৬০ (হুম্ফু) ফাওবগী চহি মতাং অসিনি [মথক্কীসিদা, (১০)]।

লাল্লুপসি মশা নাবা, লংফৈ চৎখিবনচিংবদা মহুৎ লোম্না নৎত্রগা ৱাশা শাবা (ৱাকোঙশেন/Fine থীবা) নৎত্রগা অনিগী মরক্তা অমা তৌবা য়াবগী চৎনবীসু লৈরম্মী [মথক্কীসিদা, (১১)-(১২)]। অদুগা চীঙজিল লাংবন খৌকাইবা (লৌউবগী থবক চিন্নবগী মতম কাইথোকপীবা) অমসুং "পল্লেমলাং পঙ্খৌলাং কাইবা (লাল্লুপ কাবা ঙমদবগী অনিরকশুবা মতমগী অৱামল/ ৱাকোঙশেন)" অমদি "অকা-অকুম থিংবা (অথু-অকায়গী/খুদক্কী থবক্লুচিংবা লাকপদা অতৈ শঙ/লোইশঙনচিংবগী মী নেক্কুনা, মী থোমজিন্দুনা থবক লোয়নবগী খৌশীন)" ৱায়েলশিং লাল্লুপকী থৌরম-পরম অমসুং পরীংদা লৈ।

মাইব্যা তাম্রসিংহগী লাল্লুপকী থৌপু

"মাইব্যা তাম্রসিংহ" খাবম পানাগী নহারুপ খুন/খুঙ্গংদা পোকপনি অমসুং মশাগী চহি চাওরাক্লা ২৫/২৬ ফাওবা খুন্দুদা লৈরকপনি, মতুংদা খুনসিগী ৱাংখৈ লৈকোক-লৈকায়গী হৌজিক্কী কৈথেল অশাংবীগী লমদমসিদা হোংদুনা লৈরকখি অমসুং মফমসিদা নোঙ্গাখিবনি। মরম অসিনাময়েক্কী ওইনা অমসুং লৈফমগী ওইনা খাবম পানাদা (নৎত্রগা খাবম পানা লোইশঙদা) নৎত্রগা ৱাংখৈ লৈকায়দা (নৎত্রগা ৱাংখৈ লৈকোক-লৈকায়গী লোইশঙদা) লাল্লুপ কাফম থোকপনি, পানা থোকফম (Sporting club/association দা য়াওবা) থোকপনি। অদুবু মমাঙদগী য়াওরক-তৌরকপনা য়াইস্কুল লৈকায়দা লৈকোক ওইবা নহারুপ পানাদা লাল্লুপ কাই। মসিনা মরম ওইনা তাক্লিবদি হায়রিবা মাইবম শাগৈসিগী য়ুমথোঙ/ঈমুং অসি খাবম পানাগী নহারুপ খুন অসিদা লৈত্রিঙৈদা নহারুপ পানাগী খুঙ্গং অমদা নৎত্রগা মফম অমদা লৈরম্মী, হায়বসিনি।

মৈত্রবাক মণিপুরগী নিংথৌ পানবা লৈপাক্তদি মৈতৈ নুপা খুদিংমকসি লাম্মীনি, লাম্মীগী থবক (Military service) তৌদবা য়াদে; শীন্মীনি, শীনশূ-

শীন্থা (লৌউ-শীঙউ, উশূ-উশা, লীশা-লাংশা, ফিশা-লোনশা, অয়েক-অখোৎনচিংবা) গী থবক (Civil service) তৌদবা য়াদে, শেন্দান্মীনি (Economic earner), লাইনীঙলোন্দা পিবা (Priestly man), চীঙজিন-লাংবনগী লৌবুক্তা লৌমী (Cultivator/farmer) নি; লৈঙাক-খুনঙাক, লৈকন-খুনকন, লান্দা-লান্দানবগী লানফম-লানয়ায়দা লাল্লোই (Warrior/soldier) নি, অমসুং য়ুম্বুম-য়ুমথোঙদা নুংচান-নুংশিবা মচা, তাল্লোইগী থম্মোইগী লন-ওইবা মপুরোইবা অমদি থৌজান-থারোইনবা মপানি। হায়রিবা থৌগায়, থৌদাং, থৌপু, থৌপাংনচিংবসি থাদোকপা য়াদ্রবা, থাদোক-হুন্দোকহেদ্রবা মৈতৈ নুপাশিংগী মশীঞ্জাং-মশীন্নি। অদুবু খ্বাই তরামচাগী ওইনা লৈপাক-নিংথৌগী নুমিৎ ১০নি, লন্নাই-ঈরন্নাই/মরন্নাইগী ওইনা নুমিৎ ৩০ (থা অমা) গী পুন্সি থৌরম পরেং অসিদা মাইব্যা তাম্রসিংহ মশাগী চহি তরাতরেৎতগী নহারুপ লোইশঙদা লাল্লুপ কাদুনা লৈপাক থৌগায় খৃঃ ১৮৫০ গী অদুৱাইদগী তৌরকখি। মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না খৃঃ ১৮৫৮ গী অদুৱাইদা য়ুম্বানবগী পুন্সিদা খোঙদাবা হৌরকখিবগী মতুংদগীদি লৈপাক্তা শকখঙ-মায়খঙবগী মঙাল লাকপদগী নহারুপ পানাগী লাল্লুপ লান্মীগী শীঙলুপ্তা চঙদুনা লাল্লুপ লাল্লোই/লান্মী অমা ওইরকখি। মহাক অকন-অথৌশিংগী অয়াঙলোই অকনবা, লমজেল্লোই খোঙয়াঙবা, শান্নরোই অরিংবা লান্মী অমা ওইনা লৈপাক্কী থৌ পুদুনা লাকখিরম্মী।

মৈত্রবাক মণিপুরদা খৃঃ ১৮২৫ গী মতুংদা নিংথৌ পানবা লৈপাকসি মৈদিংঙু চীঙলেন-নোংদ্রেনখোম্বা নৎত্রগা রাজা গম্ভীর সিংহ (খৃঃ ১৮২৫-৩৪) না অমুক নৌহৌননা নিংথৌ পানবা লৈপাক লৈশেম-লৈশারকপা (Rebuilt/reconstruct the monarchial kingdom) অমসুং লৈপাক-লৈঙাকলোনগী য়ুম্ফম শেমগৎ-শাগৎলকপা মতমসিদা মৈত্রবাক-মণিপুরগী লান্মীসি শীঙলুপ অনি থোক্লা নৎত্রগা শুনা লৈরম্মী।

(মৈত্রবাক্কী লান্মী শীঙলুপ অনি)

অমনা মৈতৈগী থায়নদগী লৈরক-চৎনরকপা লাল্লুপ্তা য়ুম্ফম-কাইদোংফম ওইবা ''লাল্লুপ লান্মী'' নৎত্রগা '' লান্মী'' অদুগা অতোপ্পা অমনা বৃটিশ সরকার [বৃটিশ ভারতবর্ষ সরকার (British-India Government) হায়বা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনী (British East India Company established in 1599 at England and recog-

nized and repleted by an English/British Government Charter in 1600) না স্পোন্সর তৌবা] গী মতেংনা শেম্বা খৃঃ ১৮২৪-২৫ গী রাজা গম্ভীর সিংহ লেভী নৎত্রগা খৃঃ ১৮২৫-৩৫ গী মণিপুর লেভীগী য়ুম্ফমদা অমদি খৃঃ ১৮৩৫ গী মতুংগী মণিপুর লেভী (খৃঃ ১৮৩৫ দা বৃটিশ ইন্দিয়া গোভর্নমেন্টনা পীরম্বা মতেং পুম্নমক তোকখিদুনা চহিসিদগী মণিপুর গোভর্নমেন্টনা মশাগী ওইনা লৌশিন্দুনা শেমজ-শাজখি) দা কাইদোং-য়ুমলেপ ওইবা "সিফাই লাম্মী" নৎত্রগা "সিফাই" হায়না খায়দোক্লুনা লৈরম্মী। লাল্লুপ লাম্মীদি পানা মরি অমসুং লৈকায় মরিদসু লৈ অমসুং লাম্মীগী তোঙানবা লোয়শঙ লীঙদুনা লৈ অমদি সিফাই লাম্মীগীনা তোপ-গারোৎ লোইশঙ [তোপ গারোৎসিদা লাম্মীগী ৱায়েনশঙ (মিলিটরী কোর্ট = Army/Military court) খৃঃ ১৮৭১ দগী লীংখৎখি (চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৩৯২)] না য়ুম্ফম ফম্বীরেন (Headquarters) ওইরগা (আর্মী কার্টর গার্ড লীংদুনা নোংমগী মনুংদা পুং ২৪ মক শন্ত্রী তৌদুনা লৈ) মাগী মাগী তুলি (বটালিয়ান) অমসুং কম্পু (কম্পনী) শিংগী লৈফমদা মখোয়গী য়ুম্ফম-ফম্বী লোইশঙ (Offices or BN. Headquarters) ওইদুনা লৈ। হায়রিবা লাম্মীগী শীঙলুপ অনি অসিদা মাইব্যা তাম্রসিংহদি নহারুপ পানাগী লাল্লোই লুপ অকন-অথৌগী কাংলুপ্তা লৈ, হায়না লৌজৈ। অদুগা লাল্লুপ লাম্মীগী শীঙলুপসিগী মীচম-মীয়ামগী (General Class of people) ওইবা ফমথোনশিংদি— লৈকায় হজারী Commanding Officer of one thousand foot-soldiers of each urban commune), পানা হজারী (Commander of one thousand foot soldiers of each political rural division), লাল্লুপচিংবা (Manager-cum commander of the urban communal and rural divisional soldiers of each office), লাল্লোইরেন (Selected Warriors), লাল্লোই (Warrior) অমসুং লাম্মী (Soldier) নি। মসিদা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সনাহাক্তক অসিদদি হাজারী অসি সিফাই লাম্মী (Regular army) গী পোইলা (Captain) ফমগা মান্নৈ, ওহ্লাং-ওনশিন তৌনবা, থবক ওহ্লোক্লবা (Transfer) য়াই, হায়বদি মসিগী মথক্কী ফম মেঞ্জোর (মেজর- Major) দা ফম কাবা য়াই [মথক্কীসিদা, ৩০৪, ৩৪৯, ৩৫৭, ৩৬৭]। মাইব্যা তাম্রসিংহসি খৃঃ ১৮৯১ দা সুবিদার ওইনা লান

(মাইব্যা তাম্রসিংহগী লাম্মীগী শীঙলুপ)

চৎপনি [মথক্কীসিদা, ৪৯০], মহাক্না সুবিদারসিগী মখাদা লৈরিবা ফমশিং জমান্দার (জমাদার), অমদার/অওন্দার/অমোন্দার (সার্জেন্ট/Sergeant), কুট (নাইক/কোর্পোরেল or Naik/Corporal) কোথোন্দার (লান্স-নাইক/কোর্পোরেল or Lance-Naik/Corporal) গী ফমশিংসি (মসিগী মখাদা সিফাই (Sepoy /Soldier লৈরে) কানবা/চোংবা য়াদে (নিংথৌনা চাল্লবদি/পান্নবদি কানবা/চোংবা য়াই)। মরম অসিনা মহাক খৃঃ ১৮৭৪ গী মমাঙগী চহি ১৪ রোমগী মতম অসিদা লাল্লুপ লান্মীগী নৎত্রগা সিফাই লান্মীগী ফমশিংদা করি করি ফমশিং পায়রমগদবগে হায়বা খঙবা ঙম্লদে অদুবু মহাক্না লাল্লুপ লান্মী (Irregular and Voluntary army) গী শীঙলুপ্তা হৌরকপনিনা মহাকসি লাল্লুপকী/লান্মীগী লাল্লোইলেন (সিফাইগী অমোন্দার/অওন্দার নৎত্রগা সার্জেন্টকা মান্নবা) গী ফম খৃঃ ১৮৭৪ গী মমাঙদা পায়রে ওইরে, হায়না লৌজৈ। হায়রিবা খৃঃ ১৮৭৪ গী মতমসিদা মহাক্কী থবক্কী মতুংইন্না মহাকপু লাল্লুপচিংবা নৎত্রগা জমান্দারগী ফম অসিদা ফমথোন হাইগৎহনখিবা ওইরমগনি। অদুগা হায়রিবা মতম খৃঃ ১৮৭৪ সিদদি মহাক নহারুপ পানাদা পানা থোকপা, শান্ন-খোৎনবনচিংবা তৌরবসু সিফাই লান্মীগী শীঙলুপ্তা পুরক্লগদবা মাল্লি। অদুদগী মতম খর লৈরগা খৃঃ ১৮৮০ দা নৎত্রগা খৃঃ ১৮৮৬ কী মতমদা নৎত্রগা খৃঃ ১৮৯১ গী মতমদা সুবিদার ফম অসিদা ফম/থাক হাইগৎহলমগদবা মাল্লি। মহাক্কুম্বা মী অমবু খৃঃ ১৮৭৪ দগী ১৮৯১ ফাওবগী চহি ১৭ (তরাতরেৎ) কী শাংলবা মতম অসিদা সুবদার ফম অসিদা অসুম নমদুনা থম্বা হৌনদে। মরম অসিনা খৃঃ ১৮৭৪ গী মমাঙগী মতমদা নৎত্রগা ঙকয়াদা মাইব্যা তাম্রসিং, লান্মীগী ফমদা লাল্লুপ লান্মীগী লাল্লোইলেন নৎত্রগা সিফাই লান্মীগী ফমদা অওন্দার (Sergeant/Havildar) গী ফম ওই।

> *(খৃঃ ১৮৭৪ গী মমাঙগী মতমদা মাইব্যা তাম্রসিংহনা পায়রম্বা ওইরম্বা য়াবা ফম)*

মাইব্যা তাম্রসিংহগী মীচমগী ফম

মৈতৈ লৈপাক্কী থৌপুবা নুপা অমা ওইরবদি য়ামদ্রবদা লান্মীগী ফমথোন অমা অমসুং মীচম (Civil) গী ফম অমা পায়গদবা-ওইগদবনি। মীচমগী ফম হায়জরিবসি পুম্ননবা, নোংথোনবনচিংবা কেন্দ্রিয় (Central) অমসুং প্রান্তীয় (Provincial/divisional) লৈঙাক্কী ফমদৌ ৬৪, শঙলেন/লোইশঙলেন

(Departmental Office) শিং, শঙ/লোইশঙ (Sectional offices) অসিনচিংবগী লাকপা, হঞ্জবা, হিদং/লুপ্পাকপা, কৈরুংবা, শেল্লুংবা, উরুংবা, ৱারুংবা, থুমজাওরুংবা, ফৌরুংবা, ফিরুংবা, অসিনচিংবা লৈপাক-থৌগায় থৌপুবা অমসুং থৌপুরোইশিংবুনি। হায়রিবা ফমশিংসিদগী অমনা লান্মীগী ফমশিংসিদগী অমগদি শোয়দনা পায়নৈ-পুনৈ। কাংঙবা চিদানন্দ (থাঙ্গাল) না হাজারী ওইরিঙৈদা অপানবা শঙলাকপা (Chief of Cleaners and Cleaning of metal and faunal ornaments) হায়বা ফমসিসু ওই [মথক্কীসিদা, ৩৬১], মহাক্না ব্রিঃ জেনরেল (ব্রিগেদিয়ার/মেজর-জেনরেল) ওইবা মতম [L.J.S. 1995, 212] দা পুখ্রনব (Minister of Food and Civil Supply) সু ওই [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪৫২]। মরম অসিনা মাইব্যা তাম্রসিংহসিসু ফমদু পীক্লবসু চাওরবসু ফমথোন অনি থোনগদবনি। মহাক্কী লান্মীগী ফমগী লমদাংদদি মথক্তা ৱারম খর থমজবসিদা য়াওখ্রে খৃঃ ১৮৭৪ গী মমাঙ নংত্রগা ঙকয়াদা অওন্দার/লাল্লোইলেন ওইবা ওইনা থমজখ্রে; অদুবু মহাক্কী মীচমগী ফমদি মমিং-মথা থেংনদ্রে। নহারুপ পানাগী অকন-অথৌ, অয়াঙবা অরিংবা ওইনা লৈখিদুনা মীচমগী অতৈ ফমশিংসি পায়রম-ওইরমবরা হায়না খঙঁে।

লান্মী ওই হায়রবসু, কৈরুং-শেল্লুং ওই নংত্রগা অকন-অথৌ লমজেল্লোই খোঙয়াঙবা ওই হায়রবসু মহৌশা লাইরেন্বীগী মতমগী নুমিৎ অমুক থোকপা, অমুক য়ুংবা, অমুক নুমিৎ তাবা, নোংয়ায় ওইবা অমসুং নোংঙানবা হায়দুনা মতেক মতেক শমজিন্নদুনা অমম-অঙানগী কুম্মৈনা মিৎ থকহন্দুনা হৌখিবা খঙহন্দনা মীওইববু অহল-ওইশিল্লকপগী মায়কৈরোমদা পুশিল্লি। অসুম্না নহা ওইরম্বা মাইব্যা তাম্রসিংহদু মীয়ায় চনশিল্লক্লে। মসি খৃঃ ১৮৭৩ অমসুং ১৮৭৪ গী লমদাংদনি। মণিপুরগী শঙলেন অমসুং শঙ (লোইশঙলেন অমসুং লোইশঙ) শিং পুন্নমক লাংনৈ, "ভারতকী বড়লাটতগী লাইরিক-চে/চিঠি লাকই, শ্রীযুৎ মহারাজ ময়াং লৈপাক্তা জিলা দরবার লেঙগদৌরি, খর অমনা লেঙবা ফৈ হায়, খর অমনা লেঙঙুবা ফত্তেদা, সাহেবনা ফাননবা খোই থাকপনিদা হায়নৈ, করিগী শ্রীযুৎ ফাগদৌরিবা? মরম লৈরমগনিদনা", হায়না ঙাংনৈ-শক্লে। নৌনা খৃঃ ১৮৬৯ দা কৈথেল মফম হোংলক্তুনা খ্বাইরম্বন্দা কারিবা

কৈথেল অসিদনা খিৎ হেন্না ঙাংনৈ, কদায়দগী কনানা হায়রক্লিবা পাউনো, কনা অমত্তা খঙনদে, ঙাংনবদি পঙঙাংদা ঙাংনৈ, কৈথেল শীন-থুংই, মণিপুর তম্পাক থুংনা শন্দোকখি।

৩) জিলা দরবার অমসুং মাইব্যা তাম্রসিংহ

খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট তারিক ১১, লৈপাকপোকপা নুমিত্তা ভারতবর্ষগী বড়লাট (গোভর্নর-জেনরেল অমসুং ভাইসরোয়) লোর্ড নোর্থব্রুক (খৃঃ ১৮৭২-৭৬) না মহাক্কী বেঙ্গোল অমসুং অসাম য়েংবগী খোঙচত্তা মণিপুরগী মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ (খৃঃ ১৮৩৪-৪৪ অমসুং ১৮৫০-৮৬) দা পাউজেল-পাউকৎ থারক্কুনা কছাড় জিলাগী শিলচর মহাকুমাগী শিলচর সহরদা চেল্লিবা বরাক তুরেনগী খোংনুংদা মৈগী হিগী হিনুংদা লৈপাক অনিগী লৈঙাক লুচিং'পুরেনশিং উন্ন-ফম্নিন্নদুনা (Meeting তৌদুনা) লৈঙাক্লোনগী লময়েন-তুয়েন্নবা, লমখৈ-ঙমখৈ লেপ্পবা অমসুং লৈপাক অনীগী লল্লোন-ঈতীক্কী হিরম-ৰারমশিংদা ৰারী-ৰাতাই শান্নখিবা, ৰারেপ-ৰাতেম্নখিবা থৌদোক ঐতিহাসিক ঘটনা (Historical event) অদুবু মৈতে মণিপুরীশিংনা জিলা দরবার (Meeting at Jila/district) হায়না কৌই অমসুং খঙনৈ।

(জিলা দরবার করিনো কদায়দা, কৈদৌঙৈ তৌখি)

জিলা দরবার তৌবগী মরম

জিলা দরবারসি বৃটিশকী ভারতবর্ষ লৈপাক্কী জিলা কছাড়দা তৌনা-পাংথোক্কবা শীল্লক্লিবসি ভারতকী বড়লাটননি, মহাক্না প্রোগ্রামসিগী পাউসি মতমদুগী অসামগী চিফ কমিস্নার মিঃ কিটিঞ্জদা হায়রগা চিফ কম্মিস্নারসিনা মতমদুগী কছাড় জিলাগী ডিপুটী কম্মিস্নারদা শীন্ননবগী য়াথং পীরক্লগা মতমদুগী মণিপুরদা লৈবা বৃটিশকী পোলিটিকেল এজেন্ট ডাঃ রোবার্ট ব্রাউন (Dr. Robert Brown) দা অইবা চিঠি পীরক্কুনা মহাক্কী খুথাংদা শ্রীযুৎ মহারাজদা ঈ-পাউ য়ৌরকখিবনি। জিলাদা দরবার/মীটিং তৌসি হায়বগী পাউ অসি তাবদা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী থম্মোইদা অকি-অথুকপা অমসুং

(পাউ থারকপগী লীখুন)

(দরবারগী বার্ত্তনাসিদা মহারাজগী থম্মোইদা ফাওখিবা ৰাখল)

চিংনবগী শাউম অমনা কন্না য়ৈরকখিরম্মী। মহাকপু কছাড়দা মরৈপাক্কী ৱাংমদা কৌথোক-পুথোক্লগা বৃটিশশিংনা লৌ তৌদুনা শরৌ-লাং থাক্লগা ফাগদৌরিবরা হায়বা ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোনসিদা য়াম্না হকচীন্না চিংনরম্মী। অদুগা মৈতৈ লৈপাক অমসুং মলেস লৈপাক অনিসিগী মণিপুরগী অৱাংগী লমখৈ অমসুং বৃটিশকী অৱাং নোংপোক ভারতকী লমদমগী লম মচেৎ অমগী ঙমখৈগী পরীং য়াৎনবদা খৃঃ ১৮৭৩ অমসুং ১৮৭৪ দা য়াৎনবদা য়ানবা ঙমদবা লৈবা অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী লৈপাক প্রজাশিংনসু বৃটিশনা, চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ ফাননবা য়ুন্নক লুথুম্বা, লন্নক লাংয়ানবা, উরক লাংথাকপনি হায়বা তোকঙা অসি য়াম্না মপাঙ্গল কন্না শন্দোক্লম্মী অদুবু মৈদিংঙুনা থম্মোইদা কিরবসু, ৱাখন্দা চিংনরবসু মপাছোংদদি করিসু কিদি-চিংদবা শাই, হায়রিবসি ডাক্তর আর ব্রাউনগী ৱারোল্লি [M.A.R., 1874-75]। মহারাজগী থম্মোইদা ফাওরিবসিগী মরমদিঃ—

(—তেকঙা, তোকঙা! চীন উমশিল্লু, নাকোং মেনশিল্লু, মিং উইশিল্লু—)

মণিপুরগী অৱাংগী ঙমখৈগী লম অমসুং বৃটিশকী লমখৈ লেপ্লবগীদমক্তা লোংজমচা তোপ মেঞ্জোর [লোংজাম্বা রোমা সিংহ, মেজর (১৮৫৭-৫৮), জেনরেল (১৮৭৮)] নচিংদুনা খৃঃ ১৮৭৩ গী ফেব্রুৱারী থাদা চৎখি। হায়রিবা ঙমখৈ লেপ্লব (Boundary fixation/settlement) গী লমদাং অমসুং মসিগী মতুং তারকপগী থৌদোক-ৱাথোকশিংদিঃ—

...হাওরোংবা দেবগী কুম শক ১৭৯৪ ...ফাইরেন থা ...১১নি থাঙজ (খৃঃ ১৮৭৩ গী ফেব্রুৱারী ৮) দা শঙগুবমচা সুবিদারনা সিফাই ৫০ পুদুনা অৱাংলোম চৎলে। ১৪নি লৈপাকপোকপা ...লোংজমচা তোপ মেঞ্জোরসু তামাশোন সাহেব (Mr. Damant) কা অৱাংলোম লম য়েন্নবা চৎলে। হান্না লৈরম্বা সাহেব ৩মগা সিফাই ৬০ য়াওনা লম য়েন্নববু য়ানদদুনা হল্লকএ। ...১৯নি লংমাইজীঙ (তাং ১৬।২।১৮৭৪ ইং) দা নিংথেম য়াওনা লৈপাক্কী অঙম্বা পুম্নমগা সাহেব ৪ (মিঃ ডামন্ট, অমসুং অরাকপা সাহেব ৩) গা বশাইতম্ফম শঙদা দরবার তৌএ। সাহেব লাকপা ৩মগী মমিংদি পত্র সাহেব, কামপা সাহেব, শুত সাহেব অসিনে।



ভারতকী গোভর্ণর জেনেরেল
(১৮৭২-৭৬)

...লমদা থা ঈরাইনা হল্লে (তাং ২৪।২।১৮৭৪ ইং)। অদু নুমিত্তা শৌগাইজান্বা মেঞ্জোরনে, কাংঙবমচা মেঞ্জোরনে, বামোন লৈহাওথাবা থুমজাও পুরেন্নে ৩মগা মাইবা শঙলেনগী অঙোমচা কৃতিচন্দ্র য়োঙ্গরেন হিদংনে ...২মগা পাঞ্জিগী চনম্বমচা কুম্বাবা লাইরিক পায়রিবগা ...শঙ ২মক্তা থম্বা লাইরিক কুম্বাববু সাহেব ৪মক্কা য়েংনদুনা শ্রীযুৎ মপা ঈবুংঙো গম্ভীর সিংহ মহারাজ হাক্তক্তা অৱাং হাও লোই চল্লম্বা হাওখুন ১/২ ইখি। ২নি থাঙজা শ্রীযুৎ মতোন ঈবুং নরসিংহ মহারাজ হাকথক্তা নারম্বা হাওখুন ১/২ ইখি। তামাসন সাহেব [(Mr. Damant, the then Britith Political Agent (officiating) in Manipur] না নখোয়গী লাইরিক অসিদি দেবনাগরীরা হংবদা ... [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪০৭]।

অসিনি। লম য়েন্নবগী মণিপুরদা থি-হুন্বা লাক্লল্লিবা বৃটিশ মচা অহুম— পত্র সাহেব [A. Porteous?], কামপা সাহেব [Capt. H.W. Cole?] অমসুং শুত সাহেব (?)— অসিনা মণিপুরগী দরবারদা উনবসিগী মতুংদা নোংমা ফেব্রুৱারী থাসিদা

মহারাজগা কংলা উত্রাদা (ওইরম্বা য়াই অদুবু শঙ্গায়দা হায়না পীবীরম্মী [রাঃকুঃসগঃ ১৯৭০, ১১৬])। হায়রিবা উনবা অসিগী মরমদা পীরম্লিবদিঃ—

খৃঃ ১৮৭৩ শুবদা বৃটিশ ওফিসার ৩ (অহুম) লাক্কুনা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজদা মণিপুরগী অৱাংগী সীমনা (ঙমখৈ) কদায় ফাওনো, হংবদা মহারাজনা ডিমাপুর, গোলাঘাট, ডিপু, লমদিং হেন্দুনা যোরহাট, ব্রহ্মকুণ্ড ফাওবা মণিপুরগী লমনি, হায়রবদা সাহেবশিংনা নাগা পাহার— থিবোমৈ (কোহিমা) অসিদা মখোয়গী পল্টন অমা থম্লগা লল্লোন ঈতীক কারবার চত্থোক চৎশিন তৌবদা খুদোং চানবা মফমসি জিলা অমা শেম্বা তারি, হায়রে।

সাহেবশিংগী রাজনীতি য়াওদবা ৱাঙাং অসিদা শ্রীযুৎ মহারাজনা ৱা ঙাংদনা শঙ্গায় মনুংদা লেঙশিনখি। মহারাজগী ৱা ঙাংদবা, মরোন খঙহন্দবা অসিদা সাহেবশিংনা ঈকাইদুনা বড়লাট ২০শুবা লোড নোর্থব্রুক (খৃঃ ১৮৭২-৭৬) কী মফমদা অকনবা অয়াকপা ৱাহৈনা পাউ থাখি [মথক্কীসিদা, ১১৬]। অসিনি। অদুগা ওল্লকপা চহি খৃঃ ১৮৭৪ গী ফেব্রুৱারী-মার্চতা লমখৈ লেপ্পগী লমদাংসিদসু থবক লোয়শিনবা ঙম্নদনা তোক্লখি অমসুং ৱাফমদুসু গোভর্নর জেনরেলদা রিপোর্ট তৌখি [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪১৫]। অদুগা খৃঃ ১৮৭৩ গী লময়েন্নবগী থবক্কুদা মফমদুগী চীঙমী/হাওশিংনা ঙারি কৌবা, বৃটিশশিংনা নারিয়া কৌবা অমসুং মৈতৈশিংনা লাই-ঈ কৌবা, উখ্রুলগী শিরোই চীঙজাওদগী হৌরকপা তুরেন অমগা ঈতীন্নরগা নোংপোক পাংনা চেনবা তুরেনগী তাফম মায়কৈগী লমদাংদসু মায়থীদুনা [মথক্কীসিদা, ১১৬-১৭] অদুগা পতরা/পত্র সাহেব (Mr. A Porteous?) না য়েকপা মেপ অদুসু লাল্লি, নখুৎমক্লা ককথৎলু হায়দুনা মখুৎনা ককথৎহনখি [মথক্কীসিদা, ১১৭]। হায়রিবা থৌদোকশিংসিদা মচীন্দদি অফবা শারগা মৈতৈগী চেঙ চাথোকখিবা বৃটিশ মচা অহুমসিনা খোন্দা কনবা রিপোর্ট পীদুনা ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেলবু শাওহন্নবা অমসুং থবক লৌখৎহন্নবগী ৱাখলবু ঈহৌহনখি। অদুগা মখোয়না য়াম্না কন্না ইরিবা হিরমদিঃ—

ভারতবর্ষদা সমুদ্র ঈরম তরেৎকী ঈৱাংমদগী লল্লোনপোৎ কোকথোং নাদুনা লাকপা বৃটিশ মচাশিংনা চাওরাক্লা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি নিংথেম পীশক্লা পানবা মতম, মণিপুরদা মখোয়গী পোলিটিকেল এজেন্সী লীংখৎপগী

খৃঃ ১৮৩৫গী ফেব্রুৱারীগী মতুংদা মখোয়গী লল্লোন-ঈতীক্কী পোৎপৈফম, পোৎৱানফম অমসুং পোৎয়োনফম মফম (Trading/commercial depot along with godown, etc.) অমা ইম্ফাল সহরগী নোংচুপকী লমখৈ ঈরোইশেনবা চীঙগী লমখৈ-লমকন মনুংদা লীংখৎখি অমসুং লাংজীঙদা মখোয় সিফাই পল্টন অমা থম্বা লাম্মীগী মফম (Military cantonment) অমসু লীংখত্তুনা লৈরম্মী। হায়রিবা ঈরোইশেনবগী লল্লোনফম মফমসি পোৎৱান-পোৎতাই ফত্তরে, পোৎয়োন-পোৎচৎ ৱাৎলক্লে অমসুং পোৎশীৎ-শেন্দোং ৱাৎলক্লে। মরম অসিনা হায়রিবা পোৎয়োন-পোৎপৈফম অসি অতোপ্পা মফম, অসাম অমসুং মণিপুর অনিমক্কী ময়ায় ওইবা, অনিমক্তগী কান্নবা ফংগদবা মফম অমা থিরকখি। মতমদুদা মখোয়না থিবোমৈ (কোহিমা) বু খন্দুনা মফমসিদা মখোয়গী লল্লোনবগী পোৎপৈফম অমসুং পোৎৱান-পোৎয়োনফম শানবা লীংখৎনবগী লাংলৌনি। হায়রিবা ৱাফমশিং পুন্নমকসিগী মকোক-পুরেন অমসুং লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদা মকোক অমদি অশীন-অরাং-পুরেন গোভর্নর-জেনরেলগী মফমদা খঙহন্দুনা মৈতৈ নিংথৌনা থৌশা-ৱাশাদে হায়বনচিংবা হুন্দুনা ঙাংবা ৱাফমগা লোইননা ইখিবনি। হায়রিবা ৱাফমশিং, সাহেব মচা অহুমবু ঈকাইবা পীখিবা অমসুং লৈপাক অমা পানবগী মাগী মাগী গুপ্তচরশিং (Secret agents/spies, etc.) লৈনরিবা ঙাক্তনিনা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিসু ঈ-পাউ ফংই। মরম অসিনা মহারাজগী থম্মোইদা অকি-অথুকপা অমসুং চিংনবা ফাওখ্রিবনি।

(থিবোমৈ (কোহিমা) দা লল্লোনফম ফম্বী অমা শেম্মীঙ-লীংখৎনীঙবগী হাইগৎলাং লাংলৌ)

মথক্কী মরমশিং অসিদা মিৎয়েং থম্লগা জিলা দরবার তৌবগী হিরম-ৱারমগী মরু ওইরিবা ৱাফমদি মণিপুরগী নিংথৌদগী ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেলনা মখোয়গী লল্লোন-ঈতীক্কী মফম অমা লীংখৎনবা কোহিমা (থিবোমৈ) গী লম অসিদা মফম অমা পীয়ু, লৈঃজগে, হায়নবগী দরবার/মীটিংনি। অদুগা ঙমখৈ লেপ্লবা, লমখৈ য়াৎনবগী ৱাফমসিদি কোহিমা ফংনবগী শরৌ লাংদা ৱাপাং ওইনা ঙাংনবনি।

জিলা দরবারগী থৌরাং অমসুং খোঙচৎ

ভারতিয় বড়লাটনা দরবার তৌসি, কছাড় জিলাদা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজবু লেঙলকউ হায়না পীরকপা চিঠিসি মণিপুরগী নিংথৌনা খৃঃ ১৮৭৪ গী জুলাই তারিক ২৯ য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ফংখি অমসুং পাউসি হেক ফংবগা মৈদিংঙুনা লৈপাক্কী অঙম-অথৌশিং পুম্নমক কৌদুনা মমাশীজ নিংথৌপোকপীনা লৈরিবা শঙ্গায় য়ুমজাওদা দরবার/মীতীন ফমদুনা খন্ন-নৈনখি। অদুগা চেনফ-থাদোকফদ্রবা ৱারম ওইবনা চৎননবগী ৱারেপ তানখি, হায়রিবসিগী ঈ-পাউদিঃ—

...থাঙজম চাওবগী কুম শক ১৭৯৬ ...থৱান থা (থা অসি থামাং/মলমাস থানি, থৱান অনিরক লৈবগী অহানবা থানি) ...১৫নি য়ুমশকৈশ (তাং ২৯।৭।১৮৭৪ ইং) দা লাট সাহেবনা বার্ত্তোন লাইরিক খুদোন ইদুনা ...ঐসুং জিলা নুংঙাইবদা লাক্কে, শ্রীযুৎ মহারাজসু জিলাদা লেঙলক-ও, চেংলৌ শকউনসে হায়না লাইরিক থুংলৈ। চৈরাপ গারোৎকী অঙন্বা পুম্নমক তীন্দুনা শ্রীমতি মমাশীজ নিংথৌপোকপীদা দরবার তৌদুনা খন্নবদা ফৈ, চৎপা থোকই হায়না ...[মথক্কীসিদা, ৪২০]।

অসিনি। পাউ অসি হেক ফংবা অমসুং চৎননবগী ৱারেপ্পখিবা অসিদগী দরবার তৌনবগী অমসুং খোঙচৎসিগী থৌরাং শীনবা হৌখি।

অহানবা পায়খৎপা থৌশীল-থৌরাংগী লমদাংদা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা জুলাই ২৯ গী নুমিৎসিমক্তা কাংঙবা চিদানন্দ (থাঙ্গাল) মেজরদা কংলাদগী কছাড়গী লখিপুর য়ৌবগী লন্থী-থোং শেম-শাবা লময়ানবা লুপ অমা পুদুনা চৎলম্নবগী স্নায়াথং পীরম্মী। হায়রিবা স্নায়াথংসিদিঃ—

...শ্রীযুৎ স্না য়াথং কংঙবমচা থাঙ্গাল মেঞ্জোর নঙদি ৪নি হাননা লন্থী-থোং শেন্নমও [মথক্কীসিদা, ৪২০], নৎত্রগা

...ঈদাইরেম থোংনাং শোরোক য়াংদৌ লমদাংশাংবু ৱাতেল্লিবা থাঙ্গাল কাংঙবমচা মেঞ্জোর তুলি হাউশি ঙমচিংবনা য়াংদৌ লমদাং শেম, ঈরোক থোংগা শানা থোংলেন পানপায় শেমঙৈনে। ঈদাইরেমশিং-ও! অৱা হুইরাং শোল্লগনো। [ওঃভঃ, ২০০২, ৯]।

মৈতৈ কংলাগী সিটাডেলগী স্কেল য়াওদবা মমাশীজগী শঙ্গায় খণ্ডননবা তাকপা পাফল/মেপ



(১) স্নথোঙলোমদা চৎলিবা লম্বী (২) খাথোঙলোমদা (৩) অৱাংথোঙলোমদা (৪) কংলা নোংশা (৫) লাকখোং/লাখোঙ (৬) উত্রা শঙলেন (৭) নুঙ্গোইবী লাইফম (৮) কংলা ফম্বাল তোংফম (৯) মংলেন মংজনফম (১০) লাকতোন থোঙ (১১) ৱাঙ্গোন পুখ্রি (১২) শঙ্গাইরেন (নিংথৌগী য়ুম) (১৩) য়ুমজাও (মমাশীজনচিংবগী লৈফম) (১৪) লৈমকোন-নিংথৌকোনগী চঙফম, (১৫) তোপ গারোৎ, (১৬) বশাইতম্ফমশঙ নৎত্রগা দরবার হোল, (১৭) কুচুগী লৈরম্বা য়ুম্ফম



অসিনি। থাঙ্গাল চিদানন্দনা পুরিবা তুলিসি 'তুলি নহা (Third Battalion) হায়না কৌই, অদুবু মতাংসিদা লম্বী খোনবা, শেন্বা, নৌনা শেমজিন-শাজিনবা, থোং শাবা, থোং শেমজিন-শাজিনবগী হিরমসিদা অদুম্মক মথৌ পীরি। থাঙ্গাল মেঙ্গোরসিনা ইম্ফালদগী লখিপুর য়ৌবগী লম্বী লমশাংসিদা লম্বী ফত্তবা শেমজিন-শাজিল্লুনবা, থোংখোঙ-পাম্বে য়াওবা থোংশিং অমসুং লীতান থোংশিং তেক্লম-কায়রম্বা, তৎলম-তারম্বা শেমজিল-শাজিল্লুননবগীদমক্তা মৈদিংঙুগী ফয়েং-নোংফাইশঙ (য়ারেকশঙ)শিং শারুনবা মখুৎ চাবা মীওই ৫০০ (চামঙা) খনগত্তুনা মাঙথা-লময়ানবা খুৎ (Advance party) ওইনবা য়াথং পীরিবা নুমিৎসিগী মথংগী নুমিৎ জুলাই ৩০ দা খোঙশানখিরম্মী। হায়রিবা অকনবা মীওই চামঙা অসিগী মনুংদা মাইব্যা তাম্র সিংহসু য়াওখি, চেঙজেল নম্বো পোদুনা মনিংথৌ অমসুং মরৈবাক্কীদমক চৎখি। হায়রিবসিগী লমদাংসিদা থম্বীরম্বা ঈ-পাউগী ওইবা ৱারোল্দিঃ—

(মাইব্যা তাম্রসিংহনা অহানবা লময়ানবা লুপ্তা অকন-অথৌ ওইনা চৎপা)

...হয়েং কৌবা মনোং শোয়রবগা ঈদাইরেম ৱাংঙম থাঙ্গাল কাংঙবমচা, লাইফম শঙলেন তেংমাই থিনবা, তুলি হাউশি ঙমচিংবা নঙনা চিংনা ঈদাইরেম গোকুল সিংহ নোংথোনবমচা, সুবিদার বাপু শঙখুবা, সুবিদার তুলসিং য়ুম্নাবা, হেরাসিং কাংঙবমচা, তুলসিং লাইফ্রাকপা, কেশোরসিং হাওবমচা, গুনোসিং অয়েকপা, সোরুপা (শ্বরূপ) নোংথোনবমচা, থবা লাইশ্রবা, তাম্রসিং মাইবমচা, নখোয় পুম্নমনা হন্দক থোংনাং লময়েংবা অসিদা কোরৌ নোংজা মরিনিদংবু শমু মাঙচৎননা সিফাই ননাউয়োক কম্পু লানলোই মপুঙ ফাবা চাম্মঙাবু ঙাইরোইননা শমু মাঙদা চৎনা য়াংলৌ লমদাং শেম, ঈরোক থোংগা শা থোংলেন পানপাই লাক্লা ফম্বী য়াইরেকফম খুদিংদা খাঙপোক মফম তাউ, ঈল্লুম মফম শেম্না শঙলেন অতেংববু লৈনা শারমও! হায়না ৱাহমখোনগী মেনজোর তুলি হাওসি ঙমচিংবনা সুবিদার, জমান্দার কুট পুম্নমা সিফাই মনাউয়োকমবু কম্পু মপুঙ ফাবা ৫০০ দংবু ঙাইরোইননা ... খুরোই হাওরা লম্লাংতোংববু য়ৌনা খোঙশানখি-ও... পাউমেনখিএ [মথক্কীসিদা, ১৭-১৮]।

(মাইব্যা তাম্রসিংহনা চৎনবী য়াথং)

অসিনি। মথক্কী ৱারোলসিনা হৌজিক্কী মিৎয়েংদা পুরক্লিবদি মাইব্যা তাম্রসিংহ্‌সি মণিপুরগী সিফাই লাম্মী শীঙলুপ্তা লৈরে অমসুং পীক্লবসু লাম্মীগী নন-কম্মিসন ওফিসার (Non-Commissioned Officer) অমদি ওইরে,, হায়বদি মহাক অওন্দার (Havildar/Sergeant) ওইরে (ওইরম্বা য়ারে) হায়বসিনি। মহাকসি থাঙ্গাল মেঙ্গোরগী তুলি, তুলি নহাদা লৈরম্বা য়াই অমসুং মেঙ্গোর/মেজরগী থাজনীঙঙাই ওইবা ওফিসার, হায়বদি নিংথৌনা চানবা ওফিসার অমা ওইরে হায়বসিসু মথক্কী ৱারমশিংসিদগী লৌখৎ-শৎকৎপা য়াই।

কাংঙবা চিদানন্দ সিংহ মেজর অমসুং মাইব্যা তাম্রসিংহ য়াওবা মহাক্কী ওফিসারশিং (তরা) অমদি সিফাই ৫০০ (চামঙা) অসি মৈতৈ কোনুংদগী খোঙনা লাক্তুনা লম্মাংদোং/বিষ্ণুপুরদা থুংলখি। হায়রিবা তম্পাক্কী মাইল ১৮ (তরানিপান) নৎত্রগা কিঃমিঃ ২৮.৮ অসিদদি থোইদোক্লা অতেক-অকায় লৈতে অমসুং লম্মাঙদোংসিদা য়ারেক-নোংলেনশঙ শাগদবসু লৈতে। মরম অসিনা হায়রিবা মাঙথা-লময়ানপা খুৎ/কাংবু অসি কছাড় চৎননবগী মাঙলোমদা চঙশিন্দুনা চীঙ কাবা হৌখ্রে। অসুম্না মখোয়না লম্বী-থোং য়েংন-য়েংনা, দরকার লৈরগা শেমজিন-শাজিন্দুনা চৎখ্রগা মণিপুরগী লমখৈ-লমকন মনুংদা মৈদিংঙুগী অমসুং লোইনরকপা অঙম-অথৌনচিংবগী য়ারেক-পোথাশঙ তরেৎখক শাখি। মখোয়দুদি– (১) লৈমতাক তুরেনগী খোংবান, (২) খৌবুম তম্পাক, (৩) ঈরং তুরেন খোংবান, (৪) নুঙবারোক লোকচাও (হৌজিক্কী নুঙবাগী মনাক্তা লৈবা), (৫) থ্বাই/বরাক খোংবান (হৌজিক্তা নেসনেল হাইৱে নংঃ ৫৩ দা "বরাক" হায়না খঙনরিবা লমতুপতুগী মফম অমদা, (৬) মকুরোক মনাক্কী ঈথৈ মপান(মকু তুরেনগী মনাক্তনি) অমসুং (৭) জিরিগী কালিকা লাইরেম্মা/ লাইরেম্বীগী লাইকোন মনুং অমসুং মনাক্তা, অসিনচিংবনি। অদুগা কছাড় জিলাগী মনুংদা শাখিবসিনা লখিপুর খুঙ্গংদনি, অমসুং মসিনা থ্বাইদগী হেন্না পাক-চাওবা লম কনবা, শঙ মশীঙ য়াম্বা অমসুং ফজবা হেল্লি।

থৌগল ইনখিবা মীশিং

মৈদিংঙুনা জিলা দরবারগীদমক্তা স্না খোঙলেঙবদা থৌগল ইনখিবা মীশিংগী মমিং পরেংসি অখঙ-অহৈ অমনা পীবীরম্মী অমসুং জিলা দরবারসিগী

মরমদা খৃঃ ১৮৭৬ তা ইবা লাইরিক [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪২৯] তসু চোয়না চোয়না য়াওরি। অহানবদা হায়জরিবসিগী মমিং পরেংদিঃ –

(১) মচাঈবুংঙো ৱাংখৈরাকপা কুলচন্দ্র/ঙাক্রাচাবা (পার্সোনেল স্পিসিয়েল বোডী গার্ড), (২) মচাঈবুংঙো শামুহঞ্জবা ফৈজাওম্না/বালকীর্ত্তি সিংহ (পার্সোনেল স্পিসিয়েল বোডী গার্ড), (৩) ঈবুংশী ধর্ম্মসেতু সেনাপতি, (৪) শৌগাইজাম্বা বলরাম সিংহ মেজর- শ্রীযুৎকী য়েত্থাঙ খঙনবা গার্ড, (৫) কাংঙবা চিদানন্দ/থাঙ্গাল মেজর শ্রীযুৎকী ওয়থাঙ খনবা গার্ড, (৬) চনম্বা জয়, সুবিদার তুলিহন তুলি (1st Battalion- গার্ড), (৭) য়েনখোইবা সুবিদার, (৮) মিয়া সবিদার, (৯) বলরাম সুবিদার, (১০) অচোইবা সুবিদার, (১১) যোগেন্দ্র সুবিদার, (১২) অচোইবা লুৱাংবা মোইরাংনিংথৌ, শামুহঞ্জবা, (১৩) নোংমাইথেম্বা শগোলহঞ্জবা, (১৪) য়াম্বেবা অরাম্বাই হৈবা, শারুংহনবা, (১৫) শাৎপা মেজর, (১৬) নিংথৌজাম্বা পোইলা, (১৭) বলদেব পোইলা, (১৮) নোংমাইথেম্বা পোইলা, (১৯) শাৎপা লমজেন য়াঙবা, (২০) কাংঙবা ময়াংতাবা শেল্লুংবা, (২১) অঙোম তোনু শেল্লুংবা, (২২) গুলাপসিংহ শেল্লুংবা, (২৩) তোমচা সিং শেল্লুংবা, (২৪) অঙৌমচা সিং শেল্লুংবা, (২৫) থম্বৌমচা সিং শেল্লুংবা, (২৬) নিংথৌজাম্বা শেল্লুংবা, (২৭) কাংঙবা লক্ষ্মন।

(১) য়াম্বেবা যাত্রা, (২) বিনো যাত্রা, (৩) লৈশং যাত্রা, (৪) গুণ যাত্রা, (৫) থবি যাত্রা, (৬) লুসৈ যাত্রা, (৭) কাংজাম্বা যাত্রা, (৮) খৌদোন যাত্রা, (৯) মাধব যাত্রা, (১০) লুক্রাম্বা যাত্রা, (১১) মাইপাক যাত্রা, (১২) খুরাইজম অঙৌ যাত্রা, (১৩) তোনা যাত্রা, (১৪) মাইব্যা তাম্রসিং লমজেন য়াঙবা।

(১) হৈস্নাম মথং, (২) লৌপান তাবা, (৩) চনম্বা পেনা খোংবা হঞ্জবা, (৪) তোল্লেন বঝাই খোংবা, (৫) পাঙল বাসি, জমাদার, (৬) তোল্লেন ঠাকুর, (৭) ভরবর্ত্তন ঠাকুর, (৮) বামোন পূজারীদা মী ২৫, মৈতৈ সিফাই ৫০০, খোংজাই সিফাই ৫০০, কাঙজৈচাবা শগোল ৫০, শামু মোইরাংশা, শামু ধীনতার, শামু কোন্দুম্বা, শামু হেরামোৎ, শামু অরাংবচৌবা, শামু জিরিশা, শামু রাজবল্লভ অসিনচিংবনি।

অদুগা চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা লাইরিক্তা পীরিবনাঃ—

১) থাঙ্গাল কাংঙবা মেজর, ২) গোকুলসিংহ নোংথোনবা, ৩) সুবিদার বাপু শঙখুবা, (৪) সুবিদার তুলসিং য়ুম্নাবা, ৫) হেরাসিং কাংঙবমচা, ৬) তুলসিং লাইফ্রাকপা, ৭) কেশোরসিং হাওবমচা, ৮) গুনোসিং অয়েকপা, ৯) সোরুপা নোংথোনবমচা, ১০) থাবা লাইশ্রবা, ১১) তাম্রসিং মাইবমচা অমসুং সিফাই ৫০০,	*(লম্বী-থোং শেম্না, য়েংবা অমসুং য়ারেকশঙ মকম ৮-দা শারুনবা থাবা এডভান্স পার্টিনি)*
১২) জয়সিং খোইম্নামচা অমসুং হাওয়াম—	*(লৈমতাক য়ারেকশঙ শঙনবা)*
১৩) মায়পাক য়ুমখায়বা সুবিদার ১৪) পুষ্কর লোংজাম্বা,	*(খৌবুম তম্পাক্কী য়ারেকশঙ শানবা অমসুং শঙনবা)*
১৫) রামানন্দ মোইরাংথেম্বা কুট অমসুং হাওয়াম	*(ঈরং খোংবান, য়ারেকশঙ শঙনবা)*
১৬) কমলসিং থিংবাইজাম্বা জমাদার অমসুং হাওয়াম	*(নুঙবা মনাক্কী লোকচাওগী য়ারেকশঙ শঙনবা)*
(১৭) যদুনাথ খোমদ্রামচা কুট অমসুং হাওয়াম	*(থাঙ্খৈ বরাক খোঙবান্দা শাবা য়ারেকশঙ শঙনবা),*
১৮) বলসিং তোংব্রমচা সুবিদার, ১৯) তাঞ্জৌ লোকতোনবা কুট, ২০) খৌদোন পল্লিবা কুট,	*(মকুরোক্কী ঈথৈ মপানগী য়ারেকশঙ শঙনবা)*
২১) দেবসিং শঞ্জেবা সুবিদার, ২২) ওয়নামচা সুবিদার, ২৩) নামৈরাকপা কুট,	*(জিরিগী কলিকা লাইকোনগী য়ারেকশঙ শঙনবা)*
২৪) জয়ধর নিংথৌজমচা, কৈরুংহনবা, ২৫) যাদব অহছেমচা, হিদাক ফানবা হঞ্জবা,	*(শগোল, শামুশিং পুদুনা লখিপুরগী য়ারেকশঙদা ঙাইরম্নবা থাখিবা)*
২৬) ঠাকুর গুণ মেজর অমসুং মাগী তুলি	*(নুমিৎ নীনি হাম্না লম্বী-খোং ঙাকুন্না লৈনবা (Road Guard)*

66

১) কুলচন্দ্র ব্রাংখৈরাকপা, ২) বালকীর্ত্তি/ফৈজাম্না সিংহ,	*(হকথেংনবা শাগোন্নবা বোডী গার্ড)*
৩) থাকুরদাস পুরোহিত, ৪) তন্ত্রধার নোংমাইজীঙ শর্ম্মা ৫) চক্রবর্ত্তি লৈহাউথাবা,	*লাইগী সেবা পূজা তৌনবা*
৬) কবোম্বা, ৭) তেপী, ৮) খৌদোন, ৯) তোল্লেন, ১০) বঝাই খোংবা, ১১) মশানৌ অতোনবা, ১২) কৃষ্ণগোপাল,	*(পূজারী ১০নি)*
১৩) দেবকিশোর লৈমপোকপমচা, শ্রীগোবিন্দগী ব্রাংগোল কৈরুংবা, মহাক্কা মী ১০গনা	*(পালা (ঈশৈগী)পুদুনা শ্রীবিষ্ণুগী সেবা)*
(৩–১৩)	*(শ্রীবিষ্ণু ভগবান লেঙবগীনি)*
১)শাজৌ চীঙঙাখমচা, খাবম লাকপনা পানা ৪গী লাম্মী লোইদুনা চীঙখোঙ পুয়োকপা	*(মপানগী গার্ড)*
২) শৌগাইজমচা বলরাম/বোলাই, অহল্লুপ লাকপা মেজরনা লেভীগী সিফাই লোইননা	*(মাঙলোমগী তুংলোমগী গার্ড)*
৩)অঙাং অদোন (নীলমনি সিংহসু কৌই) চোংথামচা, তেৎনৌ শোজেহন	*(শেন-থুম, অতৈ লনশিং পুদুনা চৎপা)*
৪) চাওবা নোংথোনবা, ভান্দারী	*(চীঙ্গাক্কী গোদাউন পান্নবনিনা অচা-অথক্কী থবক পুবা)*
৫) ঠাকুর জগধাম, শল্লুংপুরেন	*(অকন-অথৌ লোইনদুনা ঙাক-শেনগী)*
৬) ঠাকুর গোকুল থুমজাও পুরেন, ৭) রসসিং মোইরাং সুবিদার	*(নিংথৌগী থাঙচপ্পনা নাকক য়েৎ-ওয় চত্নুনা ঙাক- শেন তৌবা)*

৮) অঙোম নিংথৌনা লৈকায় ৪, পানা ৪, তুলি ৮, কৈরোই হিন্দেন ৪, লনলোই-থুমলোই, ঝারোই-উরোইনচিংবা পুন্নমক্কা লোইননা *(থৌগল মখল পুন্নমক শুনবা থৌরাং তৌবা)*

৯) নিংথৌখোংজমচা পণ্ডিত, হৈথমচা রতনসিং য়োয়রেনহনবা, ১১) খুমল্লম্বু অঙাংজাও, *(মৈতৈগী লাইথৌ তৌনবা)*

১২) চনম্বা বাপু হঞ্জবা, ১৩) পাওম্নমচা হঞ্জবা, ১৪) য়ুমলেম্বা পেনা শকপা *(লাইগী অমসুং নিংথৌগী থৌগল তৌনবা)*

১৫) লৈশং যাত্রা, ১৬) বিনো যাত্রা, ১৭) য়াম্ব্যা মাধব যাত্রা *(অকন-অথৌ মুক্লা যাত্রাশিং)*

১৮) নোংথোনবমচা মরৈবা, অশৈহল, *(সঙ্কীর্ত্তন শৈশকপা)*

১৯) লৈমপোকপমচা থাবল *(সঙ্কীর্ত্তন পুঙয়ৈবা)*

২০) থোকচাওবা *(ৱারী লীবা)*

২১) মুতুমচা, মুক্তিয়ার ২২) চুঙখামচা লোংলা হাজারী, *(সঙ্কীর্ত্তন থৌরমশিংগী)*

২৩) মোংজমচা কালিকোব, ২৪) ঈবুংশী অবীরসিং, *(য়েকপা খোৎপগী)*

২৫) অঙোমচা তোনু, *(ম্রাকাগোক খনবা)*

২৬) নিংথৌজাম্বা *(ম্রাকাগোক খনবা)*

২৭) অতোমচা শেল্লুংবা, ২৮) থম্বৌমচা শেল্লুংবা, ২৯) তোমচা শেল্লুংবা *(কাওহাই থৌগল তৌবা)*

৩০) গুলাপসিং শেল্লুংবা, ৩১) অঙৌমচা শেল্লুংবা, *(চামোর থৌগল তৌবা)*

১) খোংজাই লাম্মী নোংমৈ পায়বা ৫০০, ২) মৈতৈ সিফাই ৫০০, ৩) শ্রীবিষ্ণু দেবতা, ৪) শামু মোইরাংশা, ৫) শামু কোন্দুম্বা, ৬) শগোল কারুবা অমসুং অতৈ শগোলশিং (কাঙজৈগী),

অসিশিংসিনি। মথক্কী মমিং পরেং অনি অসিদগী হাপতোক-হাপচিন-লৌথোক-লৌশিন তৌনরগা চাওরাক্লা অশেংবা মশক অমা ফংগদ্রা খঞ্জে।

জিলা দরবারগী খোঙচৎ

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী জিলা দরবারগী খোঙচৎ অসিগী খোঙশান-খোঙহৌদবা যাত্রা খৃঃ ১৮৭৪ গী জুলাই ৩০, শগোলশেন নুমিত্তা তৌখি, অদুগা শঙ্গায়রেন চঙদনা শঙ্গায় মচাদা লৈরকখি [ওঃভঃ, ২০০১, ২৬-২৭]। অদুগা মথংগী নুমিৎ জুলাই ৩১, ঈরাই নুমিত্তা ''ঘট'' লাক্কুনা অমুক হন্না ঈরাৎ-পূজা তৌরগা, নিংথৌ মশাগী ওইবা লক্ষ্মিনারায়নবু মায়য়োক য়ানা খুরল্লগা অমুক মমাশীজদা দণ্ডবত ৫রক তৌদুনা বর নীজরগা, লাঙ্গোই শগোল কারু খোঙতাঙবদা তোংদুনা শামু মোইরাংশাগী মনাক্তা চত্তুনা শেন্বাং মহুম হাপ্লা শামুদুদা তোংখৎলগা শ্রীবিষ্ণুবু শামু কোন্দুম্বগী মথক্তা ফিজৌ ফিশাং থাদুনা লেঙখৎলগা শ্রীবিষ্ণুনা মহারাজগী মাঙ থাদুনা নোংমৈ তোপ ৮লক কাপ্লগা বঝাই-বেঙ্গুন খোং, নাগনা-লাংদে য়ৈ, শিঙ্গা-শানৈ (শহনাই) খোং, মোইবুঙ-বাঁশি কাম, তোমাল পুঙজাও থিন্না খোঙলেঙ-খোঙথাংনা যাত্রা তৌদুনা জিলা দরবারগীদমক্তা খোঙশানখি। মৈদিংঙুনা খোঙহৌরকপা, কোনুংগী ম্নথোঙদগী থোক্লকপসি মাঙদা মৈতৈ সিফাই ৫০০ ঙাকই অমসুং তুংদা খোংজাই নোংমৈ পায়বা লাল্লোই ৫০০ তুংদা ঙাক-শেল্লি, নাক-য়েৎ ওয়দা শৌগাইজান্বা বলরাম, কাংঙবা চিদানন্দ/থাঙ্গাল অনিনা শামু অমমম তোংদুনা য়েথাঙ ওয়থাঙ খল্লি। শামু মোইরাংশা (মৈদিংঙুনা তোংলিবা) গী শাকোক্তা অচোইবা মোইরাংনিংথৌ, শামুহঞ্জবা মাহুৎকী মথৌ তৌই, শেল্লুংবা ৮না নিংথৌগীনাক য়েৎ ওয়দা কাঙহাই, চামোরনচিংবা থৌগল তৌই, অদুগা শামুগী শানীঙদা চনম্না বাপু পেনা হঞ্জবা অমসুং পাঙম্বমচা পেনা হঞ্জবগনা লময়িন পেনা খোংদুনা লময়িন শৈরোন শক্কুনা থৌগল্লি।

মৈদিংঙুনা জিলা দরবারগী খোঙলেঙ থোক্লকপা মতমসিদা কাংঙবা চিদানন্দ সিংহ, তুলি নহা মেজরনা লুচিংবা, মৈতৈগী অকন-অথৌবা চাম্মা, মখোয়গী মনুংদা

(জিলা দরবার খোঙচত্তা মাইব্যা তাম্রসিংহদি হান্ননা কছাড়গী লখিপুরদা আগষ্ট তাং ২/৩দগী য়ারেকশঙ শাবগী থবক্তুগী কছাড়দা লৈখ্রে)

মাইব্যা তাম্রসিং অমোন্দার (Havildar/Sergeant) য়াওবা, মৈতৈ সিফাই লাম্মীগী নোংমৈ পায়বা সিফাই ৫০০ গা লোইননা জুলাই তারিক ৩০ দগী চৎখিদুনা মৈদিংঙু অমসুং থৌগন ইনবশিংগী য়ারেকশঙশিং পরাউ-পরাউ নাইনা মণিপুরগী মফম ৭ (তরেৎ) তা শারম্লগা কছাড়গী লখিপুর য়ৌখিদুনা জিলা দরবার চৎলিবা খ্বাই পুম্নমক্কী য়ারেকশঙ শঙয়াম শাদুনা মফমদুদা শঙলিংদুনা শঙদুনা লৈখ্রে। মরম অসিনা মৈদিংঙুগী খোঙচৎসিদা হায়রিবা এডভান্স পার্টীগী মীওই ৫২০ লোম অদুদি য়াওদে। মৈদিংঙুনা স্না খোঙলেঙখিবা লম্বীগী পরীং নৎত্রগা মাইব্যা তাম্রসিংনা হঙ্গৎ-হন্দা চেল্লগদবা লম্বী-লমশাংগী পরম-পরীং অদুদিঃ–

(১) খৃঃ ১৮৭৪গী জুলাই ৩১, ঈরাই নুমিৎ

...কংলাদগী-খ্বাইরম্বন থোং, খোংনাং হোগায়বী– ক্বাকৈথেল, –খাবী নম্বোন – লোকপচীঙ, ওয়নাম খুন – খুরোইলাকপা পন মফম (লম্মাংদোং/বিষ্ণুপুর) দা থুংখিরম্মী। মফম অসি ফাওবদি তম্পাক্কী লম্বীনি, অশাংবনা মাইল ১৮ (কিঃমিঃ ২৮.৮) নি, অহিং লেকখি।

লম্মাংদোং/বিষ্ণুপুরদা লৈরিঙৈদা থাঙ্গা, মোইরাং, শুগু, অমসুং ৰাংঙুগী খুঞ্জাশিংনা সন্দেশ খুদোন কৎখি, শ্রীবিষ্ণু অমসুং শ্রীগোপিনাথজিগী আরতি কত্তুনা খুরুমখি। বিষ্ণুপুর থানাসু চঙলম্মী।

(২) খৃঃ ১৮৭৪ গী অগষ্ট তারিক ১, থাঙজ নুমিৎ

বিষ্ণুপুর/লম্মাংদোংদগী– থোংজাওরোক, থোংজাও চীঙজাও কাদুনা লাইমতোন ফৌরুংবা য়ৌখি, হায়রিবা চীঙদোনসিদগী কুমথরক্তুনা লৈমতাক তুরেনগী তম্পাক তারগা লৈমতাক খোংবান্দা শাবা য়ারেকশঙদা লেঙশিন্দুনা অহিং লেকখি।

মফমসিদা থুংবসি আগষ্টকী তারিক ১নি, অহিংদুদা শঙ্জী য়াম্না খোংখি, মৈদিংঙুনা চীঙঙু থাংজীঙ কোয়রেল নিংথৌবু থাগোন্নখি। মফমসিদা গুরুময়ুম নোংমাইজীঙ শর্ম্মা, তন্ত্রধার মশা নারক্তুনা খোঙচৎ য়াওবা ঙমদনা ইম্ফাললোমদা হনখি।

(৩) খৃঃ ১৮৭৪গী আগষ্ট ২, নোংমাইজীঙ নুমিৎ

লৈমতাক অসিদগী খৌবুম চীঙজাও কাদুনা খৌবুম লাইমতোন চীঙদোন লাইয়িংথৌ ফৌরুংবা (মহাকসি থাংয়ি খোংজ্রোম্বগা পেনু লৈমগা অনিনা পোকপা মচানুপা অহন চীঙজেং নারল-পাঙ্গলবা হায়বদুনি) গী চীঙদোন য়ৌনা কারুরগা কুমথরক্কুনা খৌবুম তম্পাক্কী চীংথক তারগা খৌবুম তম্পাকসিদা শাবা য়ারেকশঙদা চঙদুনা অহিং লেকখি। মফমসিদসু অহিংদা শজী শঙ্গু লাক্কুনা খোংলখি।

(৪) খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট ৩, নিংথৌকাবা নুমিৎ

খৌবুম তম্পাক্তগী খৌবুম চীঙজাওগী চীঙশা তয়াংচীঙগী চীঙজেং লান্দুনা কুমথরক্লগা ঈরং তুরেনগী খোংবান ফংখি অমসুং ঈরং খোংবান্দা শাবা য়ারেকশঙদা চঙদুনা অহিং লেনখি।

মফমদুদা লাইয়িংথৌ পাখংবা থোকই হায়দুনা অমাইবা নিংথৌখোংজমচা পণ্ডিত, হৈথমচা য়োয়রেনহনবা, খুমল্লম্বম অঙাংজাও, অশৈবা চনম্বা বাপু পেনা হঞ্জবা, পাঙম্বমচা পেনাহঞ্জবা, অসিনচিংবনা লাইথৌ তৌখি অমসুং অফবা য়াইফবা পীবীবনি হায়খি। অদুগা অহিংদুদা শজীশিং থেংখাং থেংখাং খোংখি।

(৫) খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট ৪, লৈপাকপোকপা নুমিৎ

ঈরং তুরেনগী খোংবান্দগী নুঙবাগী চীঙখোঙ-চীঙয়াগী লমশিং লাম্থোক্লগা লৈবা নুঙবারোক লোকচাও, শমজিল্লগা লোকচাও হায়না খঙনবদু য়ৌখি অমসুং মফমদুদা শাবা য়ারেক-নোংলেনশঙদা চঙদুনা ঙাইহাক পোথারমখি। অদুগা নুঙবাগী চীঙজাও কাদুনা চীঙজাওদু লাল্লগা মৈতৈনা ক্বাই (ক্বা-ঈ, ক্বাগী ঈশিং, ক্বা লৌবা চৎপগী লম্বীদা লৈবা তুরেল/ঈচেল)/খ্বাই (লোইছে) কৌবা, কছাড়ীশিংনা বরাক (বড়, অচৌবা; আক/আব, ঈশিং/ঈরম/তুরেন) কৌবা তুরেনগী তোর্ব্বান্দা থুংলখি। তুরেনসিগী তোর্ব্বান্দা শাবা মৈদিংঙুগী জিলা দরবার খোঙচৎকী য়ারেকশঙদা চঙদুনা অহিং লেকখি।

অহিং অদুদা বরাক খোঙবানগী লমতুপসি থুংনা নোং য়াম্না কন্না অঙকপা ফংনা চুখি। নোংদুনা লমদমদুগী মফম পুম্নমক ঈশিংগী ঈশিং ঙাক্তা ঙাইখি।

(৬) খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট ৫, য়ুমশকৈশ নুমিৎ

নুমিৎসি নোংঙাল্লকপদু লৈচীন অমসুং নোংনা পুমকুপ কুপশিনখিবনা পুম্মম মন্বগুম তৌরম্মী, নোংসু লেপ্পা লৈতনা চুরি, ঈঙা কুমখায়বা, ঈঙেন কুমদম্বগী নোংনিনা বরাক তুরেন মরূগী লম অমসুং তুরেনসিনা চেল্লক্লিবা লমদমশিংদসু নোংখোঙ ফূইনা নোংজুবগী খুদমদি বরাক তুরেন্না ঈহৌরক্কুনা ঈমায় পানা ঈরৈ কন্না ঈচেনগী খোঙজেন য়াঙনা চেঙ্খ্রিবদুনি। তুরেনগী লৈরায় কীঙ্খ্-নীঙখায়দুনা চীঙলৈপাক লৈমু-লৈঙাংনা ঈমায়দা তাশিনবা তোর্ব্বান অমসুং ঈপান্দা হৌরম্বা পাম্বী-শীঙবী, উপাল-ৱাপাল, নাপী-নারাং পুম্নমক তুরেন লৌনম্বান নীঙখায়বনা তুরেন্দা তাশিন্দুনা ঈচেনগী ঈরৈ পুদুনা চেঙ্খ্রম্মী। অদুগা মতমসিদা তুরেনসি লান্দুনা চৎননবা লীতান-থোং (থোংখোঙ য়াওদনা মরী/ লীরেন/য়োৎলী/থৌরী তিংদুনা তুরেন ৱাংমা অনিদা থৌরীদু উপান নৎত্রগা উয়ুঙ উখোঙ য়ৈরগা মরীনা পরিং তিংদুনা শাবা থোং) অদু তত্তুনা লৈরম্লে। মরম অসিনা খ্বাই/বরাক তুরেন্দু লান্নবগী পাম্বে লৈরমদে। চত্তবদি য়াদবা, চৎপদি য়াদ্রবা তাঞ্জা অসি লাকপদা ময়াম পুম্নমক নুংবঙনরে। হায়রিবা মতমসিদা তুরেনসি লান্নবগী পাম্বে ওইরিবা লীতান থোং অদুগী মরী অদু তুরেন লাম্বোক্কুনা চৎলগা তুরেন ৱাংমদুদা লীতান মরী উয়ুঙ অমগী উপান্দা কিরুরগা নৎত্রগা শন্নুরগা তুরেন্দু লান্নবা শেম-শাবা তারম্মী। তুরেন মচাসু নত্তবা চেল্লিবা ঈচেন মতা, চেল্লিবা ঈমায়গী মতৌ অমসুং কল্লিবা ঈরৈদুগী মওঙদুদা মৈদিংঙুনা পুক্লীঙ ৱাদবা ঙল্লমদে। অদুমকপু চত্তবা য়াদবগী ঈথক্কুনা মনাই লৈশং যাত্রাদা লীতান থোংগী মরী শন্নুনবা য়াথং পীরম্মী। অদুবু লাইবক থীবদি লৈশং যাত্রা [মহাকসি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী সনা হাক্তক্তা ব্রহ্মসভাগী বামোন হঞ্জবা ওইরম্বা, কনক/ কোনোকতা চঙলুই হায়বগী কোনোক ওইহনখিবা অমসুং পাঞ্জি শঙলাকপা ওইবা কমলাকান্ত ঠাকুরগী মচানুপা নি (মঃপ্রেঃ, ১৯৯৬, ৪৩ অমসুং চৈথোংকুমঃ, ২০০৫, ৪১৯, ৪৪৭-৪৮, ৪৫২, অসিনচিংবা) অমসুং কমলাকান্তসি কনক থেঙ্গ্রাগী ধারানি; মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী জিলা দরবারগী খোঙশান যাত্রাগী জুলাই ৩১ দা ঘট লাক্কুনা পূজা তৌরিবদু মহাক্লি (ওঃভঃ, ২০০১, ২৭)] না বরাক তুরেন্দা কুমথদুনা ঈরানগে হায়না ঈরোইরকপগী ঈয়ায় য়ৌরকপদা তোর্ব্বান-লৌনম্বাল কীঙ্খ্-নীঙখায়বদগী মপান-মউ ফুক্কুনা তুরেনগী ঈশিংদা

তাশিন্দুনা ঈচেন্না পুথরক্লিবা মশা-মরেং য়াম্না পানবা চাওরবা কেক্রু পাম্বী অমা মহাক্কী মনাক য়াম্না নক্না মঙোন তম্না চঙশিল্লকপা উখি। পাইরক্কী লৌশিঙ লৈরবা, মীরক-নারক উবা বামোন-কোনোক মচা লৈশং শর্ম্মনা মশাগী নুংশাশোর ঙমজবা মখৈ চিংশিল্লগা কেক্রু পাম্বীদুগী মশা অমতনা মহাক্কী মনাক য়ৌরক্লিঙৈদা ঈরোন্নুংদা য়ারিবমখৈ থুনা লুপথখি অমসুং য়াঙনা তুরেন-খোংনুংগী লৈখা থেংনা কুমথখি। লৈশং শর্ম্মা যাত্রানা ঈয়ায় লৈরিঙৈগী ফিবম, উদুনা য়াঙনা তাউশিল্লক্লি অমসুং মহাক্না ঈরোন্নুংদা লুপথখিবগী মপাগী ঈমায়দুদা উপান-উজাওদুনা তৌরিবা মতৌ অদু উবদা তোর্ব্বালগী কংফান্দা লৈরিবা মীশিং অদুনা বামোন লৈশং যাত্রা হিংদ্রে হায়না 'ওঃ' হায়না চপ মান্ননা শোন্নখি। থবক তৌবা মীদা লাইনসু মতেং পাংঙি, বামোন কোনোক মচা লৈশং যাত্রানা তুরেন খোংনুংগী লৈখা পক্না লুপথরগা মফমদুদা ঙাইহাক লৈবা য়ানবা হোৎনরগা কেক্রু পাম্বীদু মহাক্কী মপা লাননা তুরেন ঈচেন্না পুথরম্লগনি হায়না মপুক্লীঙনা য়ারবা মতুংদা ঈমায়দা ফাওগৎলকখি, তশেংনমক কেক্রু মপান্দু মহাক্কী মপা হেন্দোকখ্রে অমসুং মহাক্না ঈমায়দা ফাওগৎলকপা উবদা তোর্ব্বান্দা য়েংলিবা ময়ামদু ৱা-ৱা লাউনখি; হিংলে, হিংলে, হায়নখি। মসিগী মতুংদা বামোন লৈশং যাত্রানা বরাক তুরেনগী ঈপাক্তু ঈরোইদুনা লাল্লগা লীতান থোংগী মরী শমদুনা/তিংদুনা মীয়াম লানবা য়ানবা থৌরাং চথরকপদা বিনো যাত্রা অমসুং য়ান্ন্যা/য়ান্বেমচা মাধোপ/মাধব যাত্রা অনিসু ঈশিংদা কুল্লক্লুনা ঈরুপ্তুনা লীতান মরী তিংবা য়াওরখি। অসুম্না খ্বাই তুরেনগী লীতানথোং অমুক হন্না লীতান মরী তিংদুনা শারগা জিলা দরবারগী মীয়ামদু লানবা য়ানবা শেমখি। অদুগা ব্রাহ্মণ পূজারীশিং কবোম্বা, তেপি, কৃষ্ণগোপাল, তোল্লেন, অতোম্বা, খৌদোন, অসিনচিংবনা শ্রীবিষ্ণুগী অমসুং খ্বাই মীয়ামগী ৱালহৌ-চাকথোংদুনা চা-থক্লগা জিলা দরবারগী খোঙচৎ, বরাক তুরেন মপান্দগী খোঙনা লাক্লুনা মকু তুরেনগী তম্পাক তারক্লগা মকুরোক্কী মনাক্তা লৈবা ঈথৈ-খোংগী মপান্দা শারিবা পোত্থা-য়ারেকশঙদা থুংখি অমসুং মদুদা অহিং অদু লেনখি।

(কোনোক কমলাকান্ত মপারী বামোনমচা লৈশং যাত্রানা নুপামচা থৌদাং য়াদুনা বরাক্কী লীতান থোং মরী শমখিবা)

(৭) খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট ৬, শগোলশেন নুমিৎ

মকুরোক ঈথৈ খোংবানগী জিরি তুরেনগী তোর্ব্বান্দা লৈবা জিরি উমং লান্দুনা লাক্লগা জিরিদা লৈরিবা কালিকা লাইরেম্বীগী খুবম য়ারিবা লাইকোনসিদা থুংলখি। মফমসি য়ৌরবদি কছাড় জিলা য়ৌরবনি হায়না লৌনৈ, মরমদি মসিনা মণিপুরগী লমখৈনি। খৃঃ ১৮৩৩ দা তৌনখিবা মৈতৈ-মলেস য়ানা-ৱারম (Anglo-Manipuri Treaty/Agreement, 1833) দা য়াওদুনা লৈরবনি অমসুং জিরিসিদা মণিপুরগী নোংচুপকী অরোয়বা থানা (Police Outpost) লৈরিবনি। মফমসিদা অহিংদু য়ারেকখি।

(৮) খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট ৭ ঈরাই নুমিৎ

নোংঙাল্লগা মৈতৈগী লাক্লিবশিং অদুনা মৌবী ৱানা পোঙ শারগা জিরি তুরেল লাল্লম্মী, মসি জিরিঘাটতা হিরানগদবা অদুগী মহুৎনি (মাইব্যা তাম্রসিংহদি হিরাল্লগনি)। মদুদগী অহো-অরাং চীঙয়ায় শমদুনা লাক্লগা ফুলেরতোর তারগা মদুদগী ফুলেরতোর চীঙখোঙ লান্দুনা লখিপুরদা থুংখিরম্মী। মফমসিদা শারিবা ফয়েং-নোংফাইশঙদা অহিং লেকখি। মফমসিদা শারিবা য়ারেকশঙসিনা মৈতৈনা শাবা য়ারেকশঙদা অরোয়বনি অমসুং খ্বাইদগী চাওবনি।

(৯) খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট ৮, থাঙজ নুমিৎ

নোংঙাল্লগা লখিপুরদগী নুংফৌ য়ৌরগা ভাদ্রি তুরেন লাল্লগা বেরঙ্গা হেডক্বার্টর্সকী অচৌবা তুরেলদু লাল্লকপদা বৃটিশ ওফিসার অনি (অমদি কছাড় জিলাগী ডিপুটী কম্মিস্নার ওইগনি) না ওক্লম্মী। মখোয়না ওক্কুনা পুরক্লগা জিলা দরবার অসিগীদমক্তা শাবা মৈতৈশিংগী ওইবা মীথুং-য়ারেকশঙ, শিলচরদা থিঞ্জিল্লখি। অসুম্না মৈতৈ নিংথৌ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ, আগষ্ট তাং ৮ গী অয়ুক্তা (পুং ১০গী অদুৱাইদা) শিলচরদা থুংখিরম্মী। লখিপুরদগী শিলচর ফাওবসি তম্পাক্কী লম্বীনি, মাইল ১৪ (কিঃমিঃ ২২.৪) শাংবনি।

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী জিলা দরবারগীদমক্তা মণিপুরগী ইম্ফাল (কংলা) দগী কছাড়গী শিলচর ফাওবা মাইল ১৩২ (কিঃমিঃ ২১১.২) শাংবা লম্বীগী খোঙচৎসিদা লাকপদা নুমিৎ ৯ (মাপন) নি চঙখি। অদুগা হায়রিবা লম্বীসি মী খ্বাইনা সধারন ওইনা চৎনবদা নুমিৎ ৫ (মঙা) নি চঙনৈ অমসুং হঙ্গৎ-হন্দা চৎপা তারবদি নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মতম লৌনৈ।

লৈপাক থৌগায়-থৌদা, নুপামচা থৌদাং

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহদা ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেলনা কছাড় জিলাদা উনখি, লৈঙাক-লৈতাই-ৱাতাই ৱারী শানসি হায়দুনা বার্ত্তন তৌরকপদগী কছাড় জিলাদি য়ৌরক্লে, অদুবু শানগদৌরিবা হিরম-ৱারমগী অকক্নবা, করি ৱাফমদা অরানবা, করম্না, করিদা করি পুখখিবা, অসিনচিংবসি মণ্ডল-মণ্ডল শিলচরদা হেক থুংবদগী খল্লক্লবনি। বৃটিশকা মরু ওইনা নীঙথাই-শাংদানরিবা, তাইশিন্নবদা চক্রি থাংনরিবসি মণিপুরগী অৱাংগী ঙমখৈ অমসুং লমখৈগী লমদাংদনি। অদুবু হায়রিবা পুম্নমক অসিবু ৱাতেমগদৌরিবসি খৃঃ ১৮৩৩ গী মৈতৈ-মলেস ৱাতাই-য়ানৱা অদুনি। অদুবু হায়রিবা য়ান-ৱারোল ইবা চে অদুদি পুরক্লে, মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাগী তাবুনুংদা লৈহৌরে। হায়রিবা চেসি য়াওদ্রবদি ৱাঙাং খুদিংদা পুখরনি, মলেস/ফিরিঙ্গি মচাশিংনা ৱা মথক থংপ্ত্রগনি।

> *(জিলা দরবারগী মরুওইবা পোৎচঙ খৃঃ ১৮৩৩ গী য়ান-চে)*

অদুগা দরবারসি কৈদৌঙৈ তৌগনি হায়বগী অরেপ্পা নুমিৎ লৈত্রি, বড়লাট সাহেব য়ৌরক্ত্রি, হেক থুংলবগা দরবার তৌরসিদি হায়রগনি। কনাবু চৎলু হায়গনি, মতমনগা অসুপ খুৎয়ৌনবসিদা? অদুগা অদুগুম্বা চেদু লৌরু হায়দুনা মী থারুরবসু চেকশিনমন্দে, মমায় থকমল্লি, মবুধি ৱাংলি, হায়নগনি; মায়থীবা-মায়খুবদি য়াদে করম তৌগনি। অদুনদি শ্রীগোবিন্দগী নির্মল্য হায়রগে, পল্লেম অপোকপীগী খুদোল পান্না মতপ, হায়রগে, অসুম্না স্না পুক্নীঙদা লেপ্পগা শাগোন্নরিবা মনাইশিংদা ৱাফম অসি থল্লক্লে। মতমদুদা থবক্তুদি মতমগা মীওইবগী পাঙ্গল-লৌশিঙগা চায়নবা, লাম্বা তৌদুনা লমজেন তান্নবগী থবক মতৌ ওইবনিনা মৈদিংঙু মনাইশিং পুম্নমক ফুম্বংনদুনা লৈনরম্মী, তুমিন্না লেপ্পা নৎত্রগা ফম্বদগী করিসু হেনবা নৎত্রগা তৌবা ঙল্লমদে। অসিগুম্বা চিরবা মতমসিদা লৈপাক থৌগায় থৌঃদাদা নুপামচা থৌদাং য়েংগে হায়না চোংথোক্লককখিবগী মরমদা থম্বীরম্বা ঈ-পাউদিঃ—

...তনবা কনা লৈবনো, পোইরৈ ঈরম য়ৌনা চৎ, চীঙঙু গোবিন্দ থোইখোইবগী মালা পরেং নীঙথিবী নির্ম্মল্য মনম পুকহুবগা পলেম ঈমা শীজগী ...পানা কুৱাং শুংদাই মনম শুপ্রগা ঈপন পছৌ মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেনখোম্বগী লাইহিরিক চাজুম লৈবগা নিংথৌখুত্তা ৱাইথুংলবদি হন্দক থোংনাং খোঙশানথৌবু

য়াইফা ৱায়েল ফংগনিএ ...তননা কনা লৈবনো? নিংথৌ য়াইফ ফংবগা ...নিংথৌ মনা পীবীগে, ফমথোন মথং হাপঙমগে? অসুম পাউহল্লবা মৈদিংঙু মদাঙ্গীরেমশিংদি অহিং তাংলৌ লৈনা থেংলবদা থৱাই অপকমা কনাগী শব্দ খোঞ্জেন তাবীদবগুম য়াৱা ঈনীল থোক্লক্তবগী মদাইরেম তয়ুম মাইব্যা তাম্রসিং অথৌবনা নিংথৌ শামু মাঙদা চঙনা ...পোইরৈ লমদা হলৱাইঙম্ববু নিংথৌ য়াথং নীঙথিবা বর থৌজাল লনকুবী-ও, নদাইরেম লাইবক খেল্লাই য়েংলুরগে হায়না পুরুম্লবদা ... [মথক্কীসিদা, ৪০-৪১]।

> *(মাইব্যা তাম্র সিংহনা পোইরৈ মৈত্রবাক্তা চৎলুগে, নিংথৌ পুক্রীঙ থুংহনগে চোংথোক্লককপা)*

অসিনি। মহাক আগষ্ট ২/৩ দগী লখিপুরদা লৈরক্লগা নুমিৎসিদা (তাং ৮দা) মৈদিংঙুগী থৌগল তৌদুনা শিলচরগী পোত্থা-য়ারেকশঙসিদা লাকখিবনি। মৈদিংঙুনা মহাকপু থৌজানবীরবদা থীহুদনা নুমিৎসিগী নুমিৎয়ুংবগী অদুৱাইদগী শিলচরদগী মণিপুরগীদমক খোঙশাল্লকখিবনি। মহাক্কী শিলচর-ইম্ফাল খোঙচৎকী মরমদা লৈরিবদিঃ—

(১) খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট ৮ থাঙজা নুমিৎ, অয়ুক পুঙ ১২

মাইব্যা তাম্রসিংহনা শিলচরদগী লখিপুর ফাওবা তম্পাক্কী লম্বী মাইল ১৪ শাংবসি চেন্না-চেন্না লাকখিবননি, লখিপুরদগী চীঙ লম্বীমক নৎত্রবসু উমং-ৱামংগী লম্বী শরুক হৌখ্রবনি। জঙ্গলগী শা-কৈ, শামু লমশানচিংবগী অকিবসি লখিপুরদগী জিরিঘাট ফাওবগী মাইল ১২ (কিঃমিঃ ১৯.২) শাংবসি পুঙ ১গী মনুংদা লান্দুনা চেল্লকখি। জিরিঘাটতগী মহাক্না মকু তুরেনগী তোর্ব্বান্দা লৈরিবা মখোয়গী য়ারেক-পোত্থাশঙ মাইল ১৫ (কিঃমিঃ ২৪) গী লমশাংসি চেল্লকখি। লম্বীসিদা জুয়োং নৎত্রগা হানোঙগী চীঙশাং (Juyong or Hanong range) অমা লাল্লগা মকুরোক্কী ঈথৈ খোংবান্দা থুংখি। মফম অসি য়ৌবা মতমদা নুমিদাংৱাইরমগী পুঙ ৪ নৎত্রগা ৪ মিঃ ৩০ রোমদমক তারি, নুমিৎ লৈরি/ থোক্লি। মরম অসিনা মহাক্না মখোয়গী মথংগী য়ারেক-পোত্থাশঙ লৈরিবা বরাক খোংবান য়ৌনবা চেনগে খনখিরম্মী।

মকুরোক্তগীনা বরাক খোঙবান ফাওবসি মাইল ১২ (কিঃমিঃ ১৯.২) খক্তমক লাপ্পনি। মসিনা নুঙজাইবুঙ চীঙজাওগী চীঙশাং পরেং অমা লাল্লগা

চৎলি। অদুগা মকু তুরেল লাল্লগা কালানাগাগী চীঙ অৰাংবা সমুদ্রগী ঈমায়দগী ফুট ৩৪,০০ (মিঃ ১০৩৬) লোম ৰাংবা অমা কাগদবনি। অসুম্না অতোং-অকুৎ লৈবা অকা-অকুম তৌবা, চীঙথক-চীঙয়াঙগী থেল্লা-খোয়না কাবা-কুম্বগী লম্বীগী শরুকশিং য়াওবসি লাম্বোল্লুগা মহাক বরাক খোংবানগী মখোয়গী য়ারেক পোত্থাশঙদুদা নুমিদাং য়াচঙবা মতুং পুঙ ৭ তারমদায়দা থুংখি। হায়রিবা পোত্থা-য়ারেকশঙ অসি শঙলিবদি মৈদিংঙুগী য়াথং মতুংইন্না (জুলাই ২৩, খৃঃ ১৮৭৪ দা পীবা) যতুনাৎ/যদুনাথ খোমদ্রামচা কুট (Naik/Corporal) না শঙলিবনি। কুট অসিনা মাইব্যা তাম্রসিংহবু ঈকাই খুম্নবা উৎপগা লোইননা ওকখি, মাইব্যাবু লৈপাক্কী অথৌবা খোঙয়াঙবা লমজেল্লোই অমা ওইনা মথক থোংবা লান্মীগী ওফিসার অমা ওইনা অমসুং মবুংঙো মৈদিংঙুগী পাউখোললোই অমা ওইনা মহাক্কী চান-থক্লবা অমসুং য়ারেক-পোত্থানবগী থৌরাং পুম্নমক শেম-শাখি। অসুম্না মাইব্যা তাম্রসিংহ ৰানা নোংথিল অমা চুপ্না লমজেল চেল্লকপগী অৰা’ পোত্থাখি।

(মাইব্যা তাম্রসিংহনা থাই বরাক খোংবানগী য়ারেকশঙদা লেকপা)

(২) খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট ৯, নোংমাইজীঙ নুমিৎ

মাইব্যা তাম্রসিংহনা অহিং বরাক খোংবান্দা লেকপদু পুক্নীঙ থম্মোই লাইয়ুমনুংদা কিশি কিরিবা মবুংঙো মৈদিংঙুগী স্না য়াথং অদুনা তুম্বা হৌদোক্কুনা নোংঙাল্লমদায়গী পুং ৪ মখায় রোম তাবা মতমদা হৌগৎলম্মী। মহাক্লা তুম্বা হৌগৎলিবসি মীওইবগী হকচাং মনুংদা তুংশিন্দুনা লৈরিবা সব-কোনসিয়স (Subconscious) হায়বদুনা মহাকপু মথৌ চৎপগী নৎত্রগা মহাক্কী কোন্সিয়সনা (Conscious) না ঙরাং তুল্লমদায়দা সবকোন্সিয়সতা শীন্নরম্বা অদুনা তৌরিবনি। মহাক্লা অয়ুক্কী মশাগী তৌফম থোকপা হৌনবী পুম্নমক তৌরবা মতুংদা থুংলুবা নৎত্রগা থেংনরুবা মফম অমসুং মতম অমদা হেক্তমক চাবা থকপা য়াননবা ঈরু মায়থজথোক্লে। অদুগা য়ারেক-পোত্থাশঙ শঙলিবা যদুনাথবু বিদায় তৌদুনা মহাক্লা মণিপুরগী কোনুং য়ৌননবগী লাক্লিবা অথুবা খোঙচৎ অদুগী মাঙলোমদা চঙশিন্নবগী থবক লৌখৎলক্লে। মহাক্লা বরাক তম্পাক্কী য়ারেক-পোত্থাশঙ অসিদগী নুঙবাগী চীঙজাও

(মাইব্যা তাম্রসিংহনা অহিং য়ারেক্লবা মতুংদা অমুক হন্না লমজেল চেল্লকপা)

কাবা হৌরক্লে। হায়রিবসিগী লমদাংদা লমমিৎ-তুমিৎকী লৈরিবা মওঙ-মতৌগী মরমদা পীরিবদিঃ—

Barak floating and suspension bridge: Ascending steep hill by winding road to thanna (police outpost) cross one fair sized stream and reach Nungba village at 15 (24 km.) miles. There is very little camping ground and a poor supply of water. Desend a steep hill by a zig-zag road to Lengba a stream fordable at all times 3 miles further on where there is plenty of camping ground and water. There is an officer's rest house at Nungba village [E.W.D., 1981, 242].

অসিনি। বরাক্তগী নুঙবা ফাওবগী অরাপ্পসি মাইল ১৯ (কিঃমিঃ ৩০.৪) ওইগদবনি। হায়রিবা নুঙবাগী চীঙজাও মাইব্যা তাম্রসিংহনা আগষ্ট ৯সিগী অয়ুক্কী পুং ৫ মখায় অদুৱাইদগী কাবা হৌখিবনি অমসুং নুঙবাগী পোত্থাশঙদা চঙবদমক চঙলম্মী।

নুঙবাগী চীঙথক্কী য়ারেক-পোত্থাশঙ অসিদগী নুঙবালোক লোকচাওদা কুমথরকখি। হায়রিবা অসিদগী অসুম অসুম অঙম্বগী কুমথবা অঙম্বগী শরুক্কী লম্বীদা লাকখিরম্মী। মদুনা ঈরং তুরেন খোংবান ফংলম্মী। ঈরং খোঙবানসিদগী খৌবুম চীঙজাওগী তয়াং চীঙজেং লাল্লগা খৌবুম তম্পাক্তা তারকখি। হায়রিবা চীঙ লম্বীসি মাইল ১৫ (কিঃমিঃ ২৪) রোম শাংঙি। অদুগা হায়রিবা লম্বীসিগী লম্মিৎ-তুমিৎকী লমদাংদা থম্বীরল্লিবদিঃ—

From the Lengba river (mentioned precedingly) the road runs along the face on the hills on the right bank of Irang, crosses that river at a bend in its course, and zig-zag up a steep spur to a pass which leads into the Kaupum basin. The pass is commanded by the Lilonong Thanna and is closed by a line of stockade through which there is a door... [ibid, 242].

অসিনি। খৌবুমগী চীঙদোন অৱাংবসিবু মৈতৈনা লাইমতোন ফৌরুংবা হায়না কৌই। মাইব্যা তাম্রসিংহনা খৌবুমদা থুংবা মতমসি অয়ুক্কী পুং তরা মখায়রোমদগী

হেনগ্রবনি। মহাক্না খৌবুমগী য়ারেক-পোত্থাশঙদা ঙাইহাক অরাম-খৌরাংবা কোকহন্নবা চঙখি। খৌবুমগী য়ারেক-পোত্থাশঙসি শঙলিবা মীশকশিংদি—যুমখাইবম মায়পাক সুবিদারগা লোংজান্বা পুষ্করগনি। মখোয় অনিনা মাইব্যা তাম্রসিংহবু তরাম্না ওকপীরম্মী। অদুগা লমশাং লমজেল্লকপগী অরাম-খৌরাং কোক্লনবা থৌরাং তৌরম্মী, চাক থোঙ্গত্তুনা লৈরবদু হান্না মহাক্কীদমক শরুক থিদোক্কুনা পীজরম্মী। মাইব্যা তাম্রসিংহ মশাগী শাজেন চেৎচবা লমজেল্লোইনি, ফংঙে, হায়দুনা পঙচা হেক চাগনবা নত্তে, মশাগী থবক্কী মতুংইন্না মশাগী পাঙ্গন্নবা (মপাঙ্গল হাপকৎনবা) চাবা থকপা মীওইনি। খৌবুম তম্পাক্কী মফমসি ইম্ফাল-শিলচরসিদা চাবা থবক্কী মখল-মথেল অয়াম্বা মরাং কায়না ফংবা মফম অমা ওইনা পীরি [ibid, 242]।

(মাইব্যনা খৌবুম য়ারেকশঙদা চঙদুনা চরা নোংথন্নবা)

মাইব্যা তাম্রসিংহনা খৌবুম চীঙশাংগী চীঙদোন লাম্হোক্লগা খৌবুম চীঙজাওগী অঙম্বদু লোইরোই লোইরোই কুমথরক্কুনা লৈমতাক তুরেনগী তম্পাক্তা তারকখি। খৌবুমগী য়ারেকশঙ অদুদগী লৈমতাক তুরেনগী খোংবান্দা শারিবা য়ারেক-পোত্থাশঙ অসি ফাওবগী অরাপ্পসি মাইল ১৪ (কিঃমিঃ ২২.৪) নি। মসি চীঙলক্কী অকা-অকুমগী লন্বী ওইবনিনা শিলচরদগী লখিপুর ফাওবা লাকপগী মতম অদুদগী মিনিট ১৫/২০ হেন্না চঙঙি। লন্বীসিগী মরমদা থন্বীরম্বা ঈ-পাউদি—

Plenty of camping ground on flat grassy terraces above the river on either bank. Leaving the Khaupum basin the road ascends a steep range to an elevation ... and then descends to the Laimatak [ibid, 242].

অসিনি। মফমসিদা মাইব্যা তাম্রসিংহনা নুমিৎযুংবা মতুং মিঃ ১৫/২০ গী মতমদা থুংখি অমসুং লৈমতাক্তা শারিবা য়ারেক-পোত্থাশঙদা শক উৎপদমক উৎলম্লগা য়ারিবা মখৈ থুনা মথংগী পরাউগী পনথুংফমলোমদা চেনখিরম্মী।

লৈমতাক্কী খোংবান অসিদগী মাইব্যা তাম্রসিংহনা থোংজাও চীঙগী লাইমতোন ফৌরুংবা য়াওরিবা চীঙজাওগী চীঙশাং পরেংদু কাখৎলকখি। হায়রিবা চীঙশাংসিগী অৱাংবসি সমুদ্রগী ঈমায়দগী ফুট ৫,২০০ (মিটর ১৫৮৪ রোম)

ৰাংই। মসি কাখৎপা মতোন লোল্লমদায়দা নুঙ য়াম্না তাবা পরীং অমদা চীঙদোনগী অঙন্বা লোয়দ্রিবা ফাওবা কায় অদুগা অমুক পরীং অমদা চীঙ-নাপোমগী থেল অমা ফংবা ফাওবা কুন্নগা মদুদগী অমুক লৈনা-লৈনা লোইরোই লোইরোই কুমথরক্তুনা বিষ্ণুপুর/লম্মাংদোং য়ৌই। হায়রিবা লৈমতাক খোংবান্দগীনা লম্মাংদোং ফাওবসি মাইল ১৩ (কিঃমিঃ ২০.৮) লাপ্পী। লম্বী তেল্লবসু চীঙলম্বী শাথীবা মতেক অমনিনা পুঙ অমগা মখায়রোম চঙখি। লম্বীসিগী লমদাংদা থম্বীরম্লিবা ঈ-পাউদিঃ—

Ascend the Laimaton range to an elevation of 5200 feet, the last part of the ascend containing a flight of stone steeps which might be troublesome to mules when slippery with wet. Descend by a winding road to Bishenpur Thanna [ibid, 242].

অসিনি। মাইব্যা তাম্রসিংহনা লম্মাংদোংদা নুংথিলগী পুঙ ১গা মিনিট ৪৫ রোমগী মতমদা থুংলম্মী। মফমসিদদি মৈতৈ ঈশানি, মৈত্রবাক্কী থানাসু লৈরিবনি। অদুনা মহাক্না ম্নাকোনুং থুনা য়ৌনীঙবনা মশা মতোমতা খোরো-খোরো খোৎখি। অদুনা ময়াম চঙলগা শীন্নদুনা নুপা অমদগী শগোল লৈফোন [Whitish– মশা ঙৌবা, মমিৎসু ঙৌবা, পিঙ্গলা চঙবা শগোলবু লৈফোন কৌনৈ(রাঃকুঃসগঃ, ১৯৭০, ২৯১)] অমা থুনমক ৱাইদুনা মদুদা তোংদুনা মাইব্যা তাম্রসিংহনা মৈতৈ কোনুং কংলাদা থুংখি। হায়রিবা লাম্মাঙদোংদগী ইম্ফাল কংলা য়ৌবসি তম্পাক্কী লম্বী অতিংবনি, মাইল ১৮ (কিঃমিঃ ২৮.৮) গী অশাংবা অরাপ্পনি। মসি শগোন্দু খুরুপ থৌদুনা চৎলবনিনা কুইনা চঙদে, মিনিট ৪৫ রোমগী মতম লৌখিরম্মী।

মাইব্যা তাম্রসিংহনা হেক থুংবগা মমা শীজ নিংথৌপোকপীগী মফমদা পাউ পুন্বা চিংখদনা তন্নে। থৌরম খঙবী, থৌদৌ হৈবী মাইস্না কুমুদিনীনি। পুঙখায় অমগী মনুংদা দরবারগীদমক্তা কছাড়দা লৈরিবা মচাঈবুংঙো মহারাজনা তাল্লক্লিবা পোৎলমশিং,— মপাবুংঈঙো রাজা গম্ভীর সিংহগা মতমদুগী বৃটিশ সরকারগা য়ানদুনা সহি তৌনখিবা খৃঃ ১৮৩৩ গী য়ান-চে, শ্রীগোবিন্দজীগী নুংশি পুকহুরবা লৈনম চুরবা নির্মল্য-লৈমন অমসুং পলেম মমাশীজগী পান্না

(মাইব্যা তাম্রসিংহগী কছাড়দা হনবগী খোঙচৎ)

মতপ পুন্নমক শুনা মাইব্যা তাম্রসিংহগী মখুত্তা শিন্নরে। মাইব্যা তাম্রসিংহনা পুন্নমক্তু মহাক্কী লেংয়ান-ফি ইন্নফি অদুনা য়োমশিল্লগা মঙকশঙদা পোৎলমশিং য়াওবা শরুক্কা মাঙলোমদা থংলগা কিশি কিদুনা শেমজরে। মমাশীজদা ভক্তি কৎচরগা বিদায় তৌদুনা থিন্দনা লাঙ্গোই লৈফোন শয়াঙথক্তা কাখৎলে। মমায় নোংচুপ পাংদুনা বিষ্ণুপুর লম্ম্যাংদো তম্না লাঙ্গোই খুরুপ থৌরক্লে।

মাইব্যা তাম্রসিংহনা নুংথিলগী পুঙ অহুম মখায়রোমদগী মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাদগী বিষ্ণুপুর মায়কৈ তম্লকপনা ক্বাককৈথেল, চঙালকৈ/চঙাঙ্গৈ, মালোম/য়াওরৌ তুংওইনরম, ফোয়জীঙ, নম্বোল, ওয়নাম, কৈনৌ লোকপচীঙ হুন্দোক্লম, পোৎশংবম, ঙাইখোং লান্দুনা লমলেন খুরোই হাওরা

(লম্ম্যাংদোংদা থুংবা)

লম্লাংতোংবদা নুমিদাংৱাইরমগী পুঙ ৪ (মরি) তারমদায়দা থুংলগা অৱাইবা শগোন্দু মপুদা হন্দুনা শীন্নরন্নগা বিষ্ণুপুরদগী পন্দনা পুঙ মরি খর হেল্লকপদগী থোংজাওরোক্কী থোংজাও চীঙজাওগী লাইমতোন ফৌরুংবগী চীঙজাও কারকখি। চৎলিবা লম্বীসি হান্নবা কছাড়দগী চেল্লকপা অদুগী ওন্ন-তৈনবনি। অদুবু পল্লমদবা য়াদবদি মহাক্কী নুমিৎসিগী (আগষ্ট ৯ অসিগী লেকফম চাফমগী ৱাফমসিনি। মহাক হল্লকপগী খোঙফম নৎত্রগা মণিপুরদগী কছাড়রোমদা লমজেল্লকপগী খোঙফম অসিদসু লম্ম্যাংদোংদগী লৈমতাক তারগা লৈমতাক্তগী পুঙ ৫ মখায়রোমদগী খৌবুম তম্পাক্তা হাইগৎলগা খৌবুম তম্পাক্কী য়ারেকশঙদা লৈখি হায়না থাজজৈ। মরমদি চেল্লিবা মাইব্যা তাম্রসিংগী লমজেনসি মহাক্কা পুঙগা/মতমগা তান্নবা লমজেলনি। মহাক্কা ৱানা পুরক্লিবা পোৎলমশিংসি ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেলগী দরবার/মীটীংদা পুথোকপা নংদ্রবদি কান্নবা লৈতে হায়বসি মহাক মশানা তশেংনা খঙলিবনি।

(৩) খৃঃ ১৮৭৪গী আগষ্ট ১০, নিংথৌকাবা নুমিৎ

মাইব্যা তাম্রসিংহনা আগষ্ট তাং ১০ নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুঙ ৫ অদুৱাইদগী মহাক্কী লমজেন হৌরকখি। মহাক্কী হল্লকপগী খোঙচৎ অসিদদি মশা খর শোক্তুরে। মীওইবনা চেন-চোংলিবা, নোন্নি-শূরিবা, অসিনচিংবা পুন্নমক অসি চাক্কী ঈশিংগী মমলনি, তুম্বা-হীপ্পা নৎত্রগা পোখোক-পোখাবগী মতীক-ময়াইননি। হায়রিবা মমল অমসুং মতীক-ময়াইসি মহাক্কা নুমিৎ নিনীগী মতমসিদা

শোখনা ফংলে। অদুবু ৱারবসু ৱানা, চোকথরবসু চোকথনা লেপ্পুনা লৈবা, পোখাদুনা লৈথোক্লবগী মতম তাঞ্জা অদুদি থোকখিদ্রে। অদুনা খৌবুমদগী নুঙবাগী লোকচাও তারে, মফমসিদগী অমুক খাই/ বরাক মপান য়ৌরে। হায়রিবা খৌবুমদগী নুঙবা অদুদগী বরাক তাবা অসিগী লমতুপ মাইল ৩৪ (কিঃমিঃ ৫৪.৪) অসিদনি মাইব্যা তাম্রসিংহনা পাঙ্গল তেকখিবগুম তৌরিবসি। মরম অসিনা মহাক্না বরাক খোংবানগী য়ারেক-নোংফাইশঙদা চঙদুনা ঙাইহাক পুঙখায় অমরোম অৱা পোখাখিবগুম তৌই, মরমদি মহাক্কী নুমিৎ নিনী লেপ্তনা চেল্লকপা অসি হান্ননা পরীং নাইনা তৌরকপা নৎত্রগা শাজেনগী মখাদা লৈবা নত্তবনা মশা থীন্দোকপা, ফৈগন-ফৈরু, খুবোম্লচিংবগী তোংশাশিং ফিভম, মফম্লচিংবা কায়রকপনা মখোঙ লুমথরক্কুনা থাংবা ঙম্লক্তবগী ৱাফম পীরি [ওঃভঃ, ২০০১, ৪৫]।

(বরাক খোংবানগী য়ারেক-পোখাশঙদা মাইব্যা তাম্রসিংহনা অৱা পোখাখিবা)

মাইব্যা তাম্রসিংহনা চৎপগী মঙম শান্দা-শান্দনা বরাক খোংবান্দগী মকুরোক তম্না লাকপসি মতম য়াম্না হেন্না চঙখি অমসুং মকুরোক্তা মহাক্না থুংবসি নুমিৎসিগী অয়ুক পুং ১১ রোম তাবগী মতম অদুৱাইদা পাবা য়াই। অমরোমদা নীঙথিনা শেম্লবা খোঙ-লম্বী লৈতবা অদুগা চীঙ-মানগী শরুক্তা অশম্বা খিৱদা অয়াম্বা চৎপনা নুঙদুম তুম্বৌদা খোঙনা থেঙবা, খোঙদা শৌ-শাবা/ওইৱা তুমশিংনা থিনবনচিংবা থোকই হায়বদুসু পীরি, মদুদিঃ—

ROUTE FOLLOWED BY MAIBAM TAMRA SINGH IN 1874



COURTESY OF BASANTA NINGOMBAM

...মতৌ অসুম পোইরৈ চেনকা খোঙশাল্লুবনা শমু খোঙনা লুন্বনা তিংখং খোঙয়ু থোই, নানবা তুমবৌ খোঙজঙলবগী চরৈ ফিনা য়েৎ, খোঙকাপ নাউরৈ পুঙমদা হুমাঙ লৈরীক চোৎ ...[মথক্কীসিদা, ৪৫]।

অসিনি। অমরোমদা তুরেন মপানগী তম্পাক্কী অশুকপা উমং, লোইবী চীঙদুম-চীঙজাও, চীঙ নাপোম-চীঙচেপকী অমসুং চীঙয়াঙ-চীঙদোনগী চীঙগী উমং-ৱামং ঙাক্তনি, মহাক্কী অৱাবা কনানসু উবীরোয়, নমু তাইবং মীগী ঈ পান্বা শাহিং চাবা লমশাশিং থোকপী-লাকপীদ্রিবদু মহাক্কী লাইবক ফবদগীনি। অসুম্না ৱানা ৱানা লাকপনা মকুরোক্কী লোকচাও লান, ঈথৈ খোংবান হুন্দোক্লম জিরি উমং শমদুনা জিরিগী, য়ারেকশঙ শাফমদা নুমিৎযুংবা মতুংদা থুংদুনা মফমদুদা নুমিত্তুগী অয়ুক্কী চরা চারম্মী। মাগী মাগী মথৌ পুন-তৌনরিবনিনা অমসুং মহাক মশানসু মীগী মতেং কয়া পামজদবনা মতোমতা জিরিদগী জিরিঘাট লান্দুনা নুংথিলগী পুঙ অমরোমগী মতমদা লখিপুর তম্না খোঙশাল্লকখি। মাইল ১২ (কিঃমিঃ ১৯.২) শাংবা লমদু লাল্লক্তুনা লখিপুরদা পুঙ অনিগী মতমদা থুংলখি। মখোঙ থাংবদি য়াদ্রে, ফিনা য়েৎ-পুন্দুনা খরদং শাফনবা হোৎনৈ হায়বদু মঙাই, খোঙ কন্না থাংবদা ৱারক্লে, অদুবু মরীন খাবা খুম্নি, লিন্দা পানবা তাম্রসিংহনি য়ৌদবা য়াদে হায়দুনা লখিপুরদগী মাইল ১৪ (কিঃমিঃ ২২.৪) শাংবা লম্বীদু মশা-মহকচাংগী কম্থী ফুক্লগা চেল্লক্তুনা তুং-মাঙ, নাক-য়েৎ-ওয়দা লৈবা কনাসু উদনা মৈদিংঙু সনা মাঙদা শিলচরগী পোথা নোংলেনশঙদা মাইব্যা তাম্রসিংহ চেনশিল্লক্তুনা তুররে। হায়রিবা মতমদুদা ওইখিবা ফিভম অমসুং থৌদৌদুবু ৱাহৈগী তুরীগী খুৎলাইনা য়েক্তুনা থম্বীরল্লিবগী মশক্তুদিঃ—

(জিরি য়ারেকশঙদা নুমিত্তুগী চরা চাবা)

(মাইব্যা তাম্রসিংহনা মৈদিংঙুগী সনা মাঙদা শিলচরদা তুরবা)

মতৌ অসুম পোইরৈ চেনকা খোঙশাল্লুববু ...নানবা তুমবৌ খোঙজঙলবগী চরৈ ফিনা য়েৎ, খোঙকাপ নাউরৈ পুঙমদা হুম্মাং লৈরিক চোৎ, চেংলৌ মিৎথোঙ মন্না তুবী সনা মখোঙখাবু তম্না ঈনশিল্লক্লবগা তয়ম হকচাং পুঙমদরবগী মালেম ফুবাক তুনা তুবী মাঙদা তুররে। থৌরম মতৌ উরবগা মৈদিংঙু পায়মা উনকোয়নুংদা হরাউ পুক্নীঙ থোইরবগী, তয়ুম নাইনুংচান অথৌবা

মাইবমচা তাম্র অচানবা, হৌগৎলক-ও নহাকপু, ৱাহায় মরম অসুম হায়দোকপগা তুবী শমু খুৎনা ফংনা তয়ুম নাউকোন্ননা হৌগৎপীরবগা নিংথৌ মিৎকোয় লাইজ তরং হৌ, তয়ম ঙক্কা কিরিবা চীঙঙু নির্মল্য নিংথিববু শমু খুৎনা ফংননা লৌজরগা তুবী লুদা থোং, পলেম খুদোনপোৎ নীঙথিবা পান্না তপ্তাইগা মপন তুবী চঙখোনবগী লাইরিক চাজুম্মবু চেংলৌ মিৎপু থীৎনা মোইকাই শঙনা য়েংনা তুবী থাদা কোঞ্জরে [মথক্কীসিদা, ৪৫-৪৬]।

অসিনি। অসুম্না মাইব্যা তাম্রসিংহনা শিলচরদগী ইম্ফাল কংলা ফাওবগী পুন্না মাইল ১৩২ [কিঃমিঃ ২১১.২] শাংবা, তম্পাক্কী লমদা খোঙনা মাইল ১৪, শগোলনা মাইল ১৮ অমসুং চীঙলম্বীদা মাইল চামা (কিঃমিঃ ১৬০) য়াওবা নৎত্রগা ওইবসি হঙ্গৎ-হন্দা মাইল ২৬৪ (কিঃমিঃ ৪২২.৪) শাংববু নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা তুম্বগী, চাবা-থকপগীনচিংগী পুঙ ১২ কায়থোকশ্রগা পুঙ ৪৮ অসিদগী পুঙ খরসু মাঙলগা মতমগা শীঙনদুনা লমজেন চেল্লগা লৈপাক নিংথৌগী নীঙবা থুংহনখি।

খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট ১১, লৈপাকপোকপা নুমিৎ, জিলা দরবার শিলচরদা পাংথোকখিবা নুমিৎ

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা জিলা দরবারগীদমক্তা কছাড়দা থুংখিবা অসি চহিসিগী আগষ্ট ৬তা কছাড়গী লমখৈ চঙলকখি, আগষ্ট ৭তা লখিপুর, কছাড়দা থুংখি, লেকখি অমসুং আগষ্ট ৮ দা শিলচর, কছাড়গী বৃটিশকী কোনুং নৎত্রগা হেডকার্টর্সতা থুংখি অমসুং লৈখি। অদুবু মীটিং তৌমিন্নগদৌরিবা ভারতবর্ষগী বড়লাট শিলচরদা য়ৌরক্তবনা মীটিং তৌদ্রি অমসুং নুমিৎ মরিনি (আগষ্ট ৭ তগী ১০ ফাওবা) বড়লাট লাকপা ঙাইখি। অসুম্না বড়লাট ঙাইরিঙৈগী মরক অসিদা মাইব্যা তাম্রসিংহনা শিলচরদগী ইম্ফাল য়ৌনা হঙ্গৎ-হন্দা মাইল ২৬৪ (কিঃমিঃ ৪২২.৪) নুমিৎ হুমনি (আগষ্ট ৮ দগী ১০ ফাওবা) গী মনুংদা লমজেন চেন্দুনা চৎলগা মলেস-মৈতৈ য়ান-চে, ১৮৩৩ লৌরুবগী থবক পাংথোকখি।

মীটিং অসি, মসিগী মমাঙদা খৃঃ ১৮৭৩ মতম অমসুং ১৮৭৪ গী অঙনবা মতমদা মণিপুরগী অৱাংগী ঙমখৈ, বৃটিশশিংগা মখোয়গী ভারতবর্ষগী লমখৈগা

লমকন অমসুং পরীং লেপ্পবগী লমদাংদা য়ানদবা লৈবা অমদি লমখৈসি লেপ্পনবগীদমক্তা খৃঃ ১৮৭৩ অমসুং ১৮৭৪ দা থারকখিবা বৃটিশ ওফিসার অহুমবু ঈকাইবা পীখিবনা মরম ওইদুনা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ, মহাক মশাসু য়াওনা মণিপুরগী লৈঙাকলোনগী অঙম-অথৌ (ওফিসার) শিং পুন্নমক্না জিলা দরবার অসিদা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ, মণিপুরগী নিংথৌ নৎত্রগা লৈঙাক মপুবু ফাখিগনি হায়না কন্না চিংনরম্মী। ভারতবর্ষগী গভর্নর-জেনরেল (কুনশুবা, খৃঃ ১৮৭২ দগী ১৮৭৬ ফাওবা ওইখিবা) না মহাক্কী অৱাং-নোংপোক ভারতকী লমখৈ পুবা অমসুং মসিদা থবক তৌরিবা ওফিসারশিংগী ৱাকৎ অমসুং রিপোর্টতগী গোভর্নর-জেনরেলসিনা বেঙ্গোল অমসুং অসাম য়েংবগী টুরদা মণিপুরগী নিংথৌগা শিলচরদা উনদুনা ৱারী শাননবগী প্রোগ্রাম অসি হাপ্পকপনি। হায়রিবা মহাক্কী টুর অসি ঈশিং লন্বীদা মৈগী হি (য়াট/Yatch) দা কলকটাদগী ভাগীরথী গঙ্গা তুরেন্দা, মদুদগী অশেংবা গঙ্গা-ব্রহ্মপুত্রদা মদুদগী ব্রহ্মপুত্রদা, মদুদগী সুরমা নৎত্রগা বরাক তুরেন্দা লাক্লুনা শিলচরদা থুংলবগী লন্বী পরীংনি। ভারতকী গোভর্নর-জেনরেলসি অসাম চিফ কম্মিস্নারগা লোইননা লাকমিন্নে, অদুগা মীটিংসি অসামগী চিফ কম্মিস্নারগী মিংদা কছাড়গী ডিপুটী কম্মিস্নারনা শীল-লাংদুনা শেম-শাবনি। গোভর্নর-জেনরেল লোর্ড নোর্থব্রুক শিলচরদা মীটিংসিগীদমক্তা চহিসিগী আগষ্ট ১১গী অয়ুক পুং ৯ অদুৱাইদা থুংলখি, অদুগা মীটিং পাংথোক্লবগী পাউ পীরকখি। হৌনবী মতুংইন্না হায়রিবা মীটিং, জিলা দরবার অসি আগষ্ট ১১ সিগী অয়ুক পুং ১১ গী মতম অদুৱাইদগী পুঙ ২ রোম্ তাবা ফাওবা পাংথোকখি, মদুদা অমগা অমগা তরান্না ওক্লবা, অঙম-অথৌশিং শক্তাক্লবা, খুদোলপোৎশিং পীনবা অমসুং ঙাইহাক নুংঙাইবা ৱারী শামিন্নবগী প্রোগ্রামশিং পাংথোকখি।

মীটিং অসি, হায়রিবা নুমিৎসিগী নুমিদাংৱাইরম পুঙ ৬ (তরুক) লোম তারকপগী অদুৱাইদগী অমুকসু পাংথোকখি। মীটিংদুদা মণিপুরগী অৱাংলোমগী ঙমখৈ, জিরিরোমগী লমখৈ, বৃটিশকা মণিপুরীশিংগা লৈঙাক্লোনগী তেংবাংনবগী অমসুং লল্লোন-ঈতীক্কী হিরমশিংদা তৌনখি-য়ানখিবা ৱারম-ৱাফমশিংগী মরমদা ঙাংনখি। অসুন্না কুপ্না খন্নদুনা লাংদাই ৱারেপ অমা পুরক্লবগী ৱাফম মালহল্লগা গোভর্নর-জেনরেলনা— মখোয়গী মণিপুর তম্পাক্কী ঈরোইশেনবদা লৈরিবা

লল্লোন-ঈতীক্কী মফম (Trading/Commercial depot/centre) অসি মফম চাদ্রে, অসাম অমসুং মণিপুর অনিমক্কী খুদোং চাগদবা অমসুং অনিমক্কুগী খুদোংচাবা ফংগদবা মফম কোহিমা (মতমদুদা 'থিবোমৈ' হায়না খঙনবা) অদুদা হোংবা পাম্মী, অদুগা লাংজীঙদা লৈরিবা বৃটিশকী মিলিটরী, কেন্টোনমেন্ট (British Military Cantonment at Langjing) অসিসু কোহিমাদা হোংবা পাম্মী। মরম অসিনা হায়রিবা থিবোমৈ/কোহিমাসিদি মণিপুরগী নৎত্রগা মৈতৈ-নিংথৌগী লম, খৃঃ ১৮৩৩ দা মহারাজ গম্ভীর সিংহনা নৌহৌননা লোই চন্দুনা নুঙয়ুংলন্বা মহারাজগী খোঙ্গুল য়েকপা/হকপা নুঙ (পাতাশোন = পাদাসন) থল্লবা [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ২৪৩, ৪১৬] লম ওইবনিনা মসিদা মফম অমা কনবা ঙম্লবা লম মচেৎ অমা (গজ ১০০০না রেডিয়স ওইবা সার্কলগী লম/পাক-চাওবা) পীনবীয়ু, মমল কয়া লৌবীগদবগে পীবীদবদি য়াদ্রে, হায়না হায়জরম্মী। মদুদা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা অমসুং লৈপাক পুবা অঙন্বশিংনা মহারাজ ফাবগী ৱাখল, ফাখিদনবগী থৌরাং অমদি ফাখিবা ঙমদনবগী খুজীন-থৌশীন তৌনরগা কোহিমাদা লম মচেৎ অমা নীরকপগী ৱাফমদুদা পুমঙক ঙকখি, অমসুং মহারাজনা খুমখি, বৃটিশ সরকারগী লল্লোন ঈতীক্কীদমক্তা শীজিন্নবদি নীঙ-তম্না থিবোমৈ/কোহিমা শীজিন্নবীয়ু, মমল লৌবদি লৌজরোয়, য়োম্থোকপসু তৌজরোয় [রাঃকুঃসগঃ, ১৯৭০, ১১৯] অসুম্না থিবোমৈ/কোহিমাসি চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা বৃটিশ ভারতবর্ষগী গোভর্নর-জেনরেলদা পীথোকখি। মসিগীদমক্তা লোর্ড নোর্থব্রুকনা বকশিস লুপা লাখ অমগা নোংমৈ রাইফল (মার্টিনী-হেন্‌রী/Martini-Henry ওইরম্বা য়াই) ১০০ (চামা) গা পীখিরম্মী। অসুম্না কছাড় জিলাগী শিলচরগী বরাক খোংনুংদা ভাইসরোয়গী মৈগী হি (য়াট) গী হিনুংদা তৌবা মীটিং জিলা দরবারদু লোয়শিনখি।

(ভারতবর্ষগী গোভর্নর জেনরেলনা থিবোমৈ কোহিমাগী লম মচেৎ অমা নীবা, লৈগে, হায়জবা)

(থিবোমৈ কোহিমাগী লম মমল লৌদনা পীথোকপা)

খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট ১২, য়ুমশকৈশ নুমিৎ

মাইব্যা তাম্রসিংহনা ইম্ফাল কংলৈ কোনুংলেন য়ৌনা লমজেন চেল্লুরগা শিলচরদা বৃটিশনা শাদুনা থল্লিবা জিলা দরবারগী নোংলেন-য়ারেক-পোত্থাশঙদুদা

আগষ্ট ১০ গী নুংথিলগী পুঙ অহুম মখায় নৎত্রগা মরি (৪) গী মতম অদুৱাইদা থুংলখি। মহাক শাংলবা লমশাংদুগী লমজেন্দা নুমিৎ হুমনি ৱারকপা, তীংখং-তুম্বৌ, নুঙশৌ-নুঙয়া নেত্তুনা য়ৌদা য়ৌরগা লোয়রে, শিরবসু চঙলবসু থোক্লবা অমা লাক্কনি হায়না চেল্লকখিবনা মখোঙ ঈ-হৌবা, খুবোম, ফৈবাক, ফৈরূনচিংবগী তোংশা-শাফম/শবম-খুবম কায়বা, খোঙপাক-খোঙশা থিন্দৎ-খেবাৎপা, শোক-পনবা নংখি হায়বসি মথক্তা উৎচখ্রে। মরম অসিনা জিলা দরবার পাংথোকপা নুমিৎসি মহাক পোত্থাশঙগী ফমুংদা পোত্থাদুনা লৈ, দরবার থোকপা, য়াওবা নৎত্রগা য়েংবা ঙমখিদে। মথংগী নুমিৎ আগষ্ট ১২, য়ুমশকৈশ নুমিৎসিদি চৎলিবা মণিপুর মচা মণিপুরীশিং, কছাড়দা লৈবা মৈতৈ মচা মণিপুরীশিং অমসুং বৃটিশ ওফিসারশিংগী হরাউ-তয়াম্বা, নুংঙাই-কুম্মৈ তৌবা-পাংথোকপা নুমিৎনি। নুমিৎসিদা শিলচরগী বরাক তুরেন্দা অঙোম তোনু শেল্লুংবা অমসুং নিংথৌজাম্বা শেল্লুংবা অনিবু তেংমায় লেপহন্দুনা হিয়াঙ তান্নবগী কুম্মৈ তৌখি, শিলচরগী কাঙজেবুঙদা শগোল কাঙজৈ শান্নদুনা উৎখি, মুক্না, লমজেন অমসুং থাঙ-তাগী কুম্মৈশিং তৌখি [মথক্কীসিদা, ১১৮ অমসুং ওঃভঃ ২০০১, ৫৪]। হায়রিবা নুমিৎসিদদি মাইব্যা তাম্রসিংহ মশা চোকখবা ফদুনা হৌগৎ কাংখৎপা নুংঙাইরদুনা মীনা শৌদুনা চৎলম্বা তোক্লে, মশা খর কনখত্তুনা মপান-ঈপান থোক্তুনা কুম্মৈ য়েংবা ঙল্লে। মশানা শান্না-খোৎনবদু য়াওবা নত্তবা, অদুগা ময়ামগী নুংঙাইবা অদুদা য়াওবদি ঙল্লে অমসুং য়াওরি। অসুম্না শোংলবা নারক উমং, চীংনুং-মান্নুংদা ৱানা লমজেন্নরুরবা নুপাদু কংলৈ-সহরগী মীয়াম্লক্তা হরাউ মীনোক্না পুক্নীঙ অপেনবা ফোঙদোকপা ঙমখ্রে। আগষ্ট তারিক ১৩ দা ভারতকী গোভর্নর-জেনরেল মহাক্কী হিদা হনখ্রে। আগষ্ট তারিক ১৪ দা মৈদিংঙুসু কছাড়গী শিলচরদগী মণিপুরগী ইম্ফাল তম্না খোঙশাল্লক্তুনা আগষ্ট ১৬ নোংমাইজীঙ নুমিত্তা লম্মাংদোং/বিষ্ণুপুরদা থুংলখি। অদুগা জিলা দরবার চৎলুবা মহারাজ অমসুং মহাক্কী অঙম-অথৌশিং লম্মাংদোংদা নুমিৎ ৪ (মরি) নি লৈরগা আগষ্ট ২১ ঈরাই নুমিত্তা বিষ্ণুপুরদগী খোঙশাল্লক্তুনা কোনুংলেন কংলাদা অয়ুক্কী পুঙ ১১ মখায়রোম তাবা মতমদা থুংলখি। অসুম্না জিলা দরবারগী খোঙচৎ লোয়শিনখি।

(শিলচরদা মণিপুরগী কুম্মৈশিং পাংথোকপা বৃটিশশিংনা য়েংবা)

(মাইব্যা তাম্রসিংহগী ফিবম অমসুং হকচাংগী ফিরেপ, ফগৎপা মতৌ)

জিলা দরবার মতুংদা মাইব্যা তাম্রসিংহ

মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ, খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট ১১গী জিলা দরবার অসিদগী কোহিমাগী লম বৃটিশতা পীখিবা/পীথোকপা অসিদগী বৃটিশকী মিংথোল (Title), কেঃসিঃএসঃআই, নাইট কম্যাণ্ডর ওফ ষ্টার ওফ ইন্দিয়া [K.C.S.I, Knight Commander of Star of India] হায়বসি পীখি [রাঃকুঃ,সগঃ, ১৯৭০, ১১৯]। শ্রীযুৎ মহারাজনা আগষ্ট তারিক ৮ দা কছাড়দা লৈরিঙৈদা শ্রীযুৎনা জিলা দরবার অসি য়াইফরবদি কছাড়দগী মণিপুরদা হন্দুনা মপাবুং ঈবুংঙো গম্ভীর সিংহনা থম্লম্বা, মপাঈবুংঙোসিগী খুৎকী খুদম/সহি য়াওবা বৃটিশকা মিত্র রাজ্য (Friendly Kingdom) ওইনবগী অমসুং লল্লোন-ঈতীক্কী তেংবাংলবা অমসুং চৎমিন-তৌমিন্নবগী ৱারোল য়াওবা য়ান-চে/সন্ধি পত্র (Agreement/Treaty), শ্রীগোবিন্দগী নির্মল্য অমসুং মমাশীজগী খুদোল পান্না মতপ লৌবা ঙম্বদা মনা-মথুম পীগনি হায়না তাকপীখিবা স্নয়াথং [ওঃভঃ, ২০০১, ৪১ অমসুং চঃজিঃচঙঃ, খুৎঃলাইঃ] অদুগী মতুংইন্না অমসুং জিলা দরবার অসিদা ৱাজখিবা, থবক পুজখিবা অঙম-অথৌশিং, শঙ পানবা লোইশঙ মচাশিং পুম্নমক্কী মফমদা মনা-মথুম পীবীগে হায়না স্না পুক্লীঙদা নীঙবীখি। মরম অসিনা শ্রীযুৎকী অনীঙবসি থবক ওইনা পাংথোকখি। হায়রিবসি পাংথোকখিবগী মতম চপ চানা চৈথারোল কুম্বাবদা চনখৎপীরমদে। অদুবু হায়রিবসিগী লৌবা য়াবা নুমিৎকী লংলা লংজিন অমদিঃ—

কাংহজাম্বা খেমাগী কুম শক ১৭৯৮ ...শজিবু থা ...১৭নি ঈরাই (তাং ১১।৪।১৮৭৬ ইং) দা শ্রীযুৎ স্নায়াথং খুমুজাম্বা পূর্ণচন্দ্র পণ্ডিত্তা জিলা চঙবগী লাইরিক শেমও হায়না শিন্নদুনা ...কর্ফাই চেদা কাঙ্গু কোলোম পায়দুনা ইএ।...

কালেন থা ...২নি য়ুমশকৈশ (তাং ২৬।৪।১৮৭৬ ইং) দা দলান শঙ্গায়। মনুং কাঙজৈবুঙদা পালা ১৯ শক্তুনা হোঙএ। ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব পুম্নমক্তা স্না লুপা দান তৌএ। বামোন ৬০না নুমিৎ ১৫নি হৌবা তল অদু পীজৈ। অদু নুমিত্তা বৃন্দাবন, অম্বিকা (অম্বিকা), নবদ্বীপ, জগন্নাথ ক্ষেত্র, ৪দা শ্রীযুৎনা উসবকী লুপা কৎখিএ। নুমিদাং অদুদা মাঙোপতা সভাপর্ব্ব শান্নে [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪২৯-৩০]।

অসিনি। হায়রিবা খৃঃ ১৮৭৬ কী এপ্রিল ২৬ অসিদা মনা-মথুম পীবগী থৌরমসি য়াওরমগনি, হায়নদি খঞ্জে অদুবু মসিগী মমাঙদা পীরম্বসু য়াই, নিংথৌগী মনীঙনি। অদুবু মমাঙগী মতমশিংসিদা থোইদোক্লা মসিগুম্বা মরী লৈনবা থৌদোক চৈথারোল কুম্বাবদা উবা ফংখিদে। জিলা দরবারসিগী ওইনা মনা-মথুম ফংখিবশিংদি—

মশীঙ	মমিং-মথা	মনা-মথুম	পীরিবা ওথোরিটী
(১)	মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ	কেঃসিঃএসঃআইঃ	বৃটিশ ভারত সরকারনা পীবা
(২)	শাজৌ চীঙঙাখম্বা	নিংথৌফি	মণিপুর লৈঙাক মপু
(৩)	শৌগাইজাম্বা বোলাই	পজেং ফিরান	মণিপুর লৈঙাক মপু [ঙঃভঃ, ২০০১, ২৫]
(৪)	লৈশং যাত্রা (বামন হঞ্জবা কমলাকান্ত, পাঞ্জি শঙলা-কপগী মচানুপা)	ৱাইথৌ শোয়,	মণিপুরগী লৈঙাক মপু মশানা শিদ্রিবা ফাওবা শোয় ফম্বা/চাবা [মঃপ্রেঃ, ১৯৯৬, ৪৭]
(৫)	মাইব্যা তাম্রসিংহ, ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীনা মমাঙঙৈ ওইরম্বা মফম	সিফাই লাম্মীগী ফম হাইগৎপা, জমান্দার (Jamadar) ফম ওইবা	মণিপুর লৈঙাক মপু [N.B. xxx, V]

অসিশিংসিনি। অতৈ মীওইশিংগীদি রেকোর্ড ফংবা ঙমজদে। অদুগা মাইব্যা তাম্রসিংহগী মনা-মথুমসি লৌ নৎত্রগা পাৎ শোয় চাবসু য়াওরমগনি হায়বসি চেৎনা থাজজে, অদুবু অশেংবা ঈ-পাউ ফংজদ্রি।

মৈতৈ/মণিপুরী নীঙতম লান, ১৮৯১ দা মাইব্যা তাম্রসিংহ, সুবিদার

মাইব্যা তাম্রসিংহ, খৃঃ ১৮৭৪গী লমশাং-লমজেন্দা মতমবু থোইবা ঙমখিবগী মনা, খৃঃ ১৮৭৬ তা, হান্না লৈরম্বা মণিপুর লেভীগী তুলি নহা (৩শুবা তুলি = Third Battalion/Regiment) গী অওন্দার/অমোন্দার (Havildar/ Sergeant) ওইরম্বদগী জমান্দার ফম/থাক (Rank) তা কাদুনা লৈপাক্কী সেবা তৌদুনা লেল্লকখি। মতমসিদসু মহাক মীয়াম-মীচমগী থবক (Civil Service)

কী করি ফম ওইরম্বগে হায়বা খঙবা ঙমদে, লৈপাক্কী অকন-অথৌ, লমজেল-খোঙজেল্লোই ওইনা শান্ন-খোৎনবগী মরম (Sporting matters) দা লৈখিবনা অতৈ থবক থৌরমশিংদা শরুক থোইদোক্লা য়ারম্বা থেংনদে। মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী সনা হাক্তকসিদা লৈঙাক্লোন, ৰায়েল-চৈরাক্লোন অমসুং শেন্দান-শেনচৎলোনগী হিরমশিং পুম্নমক্তা মায়পুনরিবসিদি নিংথৌখোংজা প্রেমানন্দ মেজর, লোংজাম্বা রোমা সিংহ মেজর/জেনরেল, শৌগাইজাম্বা বোলাই/বলরামসিংহ মেজর/জেনরেল, কাংঙাবা চিদানন্দ (থাঙ্গাল) সিংহ মেজর/জেনরেল, মাইস্না শামু সিংহ, মেজর/কর্নেল, অসিশিংনা মরূনি, অতৈদি মশা ওইনা তৌবা ঙাক্তনি। অদুগা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মচা ঈবুংঙোশিং সুরচন্দ্র যুবরাজ, কুলচন্দ্র ৰাংখৈরাকপা, ফৈজাওস্না/বালকীর্ত্তি, শামু হঞ্জবা, টেকেন্দ্রজীৎ বীর সিংহ কত্বান, অসিনচিংবসি ফাওগৎলক্লি। অসুম্না খৃঃ ১৮৮৬ য়ৌরবদা চহিসিগী মেগী তারিক ২০ তা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ থুপখি।

মহারাজনা খাঙঙেন্দুনা লৈরিঙৈসিদা মতোন ঈবুংঙো নরসিংহ মহারাজনা পোকপা মনাউ ঈবুংঙো উগ্রালসিংহ, সনা বরাচাওবা য়াইস্কুল লাকপনা লানহৌনবা শেম শাদুনা লৈরে, হায়বসি সনা কোনুংদা পাউ য়ৌরকখ্রবনি। হায়রিবা লানসি থোক্লক্লবদা লান হৌবগী মীচঙদা নৎত্রগা লানহৌ' ঙাকপগী মীচঙদসু নাকল অমতদা মাইব্যা তাম্রসিংহ য়াওখিদে। মতম অসিদা মাইব্যাসি মশাগী চহি ৫৪ রোম শুরক্লবা-চঙলক্লবনি। অদুগা মহাক্কী

(মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ নোঙ্গাবা অমসুং লানহৌ)

মবুংঙোগী মচাঈবুংঙো সুরচন্দ্র সিংহ (খৃঃ ১৮৮৬-৯০) না নিংথৌ ওইবা অমসুং মহাক্কী সনা হাক্তকসিগী খৃঃ ১৮৮৭ কী সেপ্তেম্বর ১২, নিংথৌকাবদা মতমদুগী ৰাংখৈরাকপা ঈবুংশী দিনচন্দ্রনা লানহৌরক্তুনা কংলা য়ৌনা চঙশিল্লক্তুনা লাম্মী খোঙ, চিরাইথোঙ, কংলা (Citadel), চৈরাপ মমাঙ অসিনচিংবদা কাপ্পখিবদু পাউ লৌবদগী হেন্না মশা চৎলুদে, য়াওরুদে, অদুগা চহিসিগী

(ৰাংখৈরাকপা দিনচন্দ্রগী লানহৌ, কংলাদা কাপ্পবা)

থাসিগী ২৯ দা ঈবুংশী চিবাগী মচানুপা যোগেন্দ্রসিংহগী লানহৌ, মহাক্কা কাপ্পবসু পাউ লৌবদগী হেন্দে। অসুম্না পাউ লৌনা লৌনা অমসুং তানা তানা নিংথৌ ফম্বাল মুন্নবগী লান হৌখি মহাক্কী মবুংঙোগী মচাঈবুংঙো ৮গী মনুংদা

মমা তীন্নবা ৪ অমসুং মমা তীন্নদবা ৪ নাকপাক নাকপাক তানদুনা সুরচন্দ্র মহারাজনা পানবা মতম খৃঃ ১৮৯০ গী সেপ্তেম্বর তারিক ২২ দা লোয়শিনখি।

মৈদিংঙু কুলচন্দ্রধ্বজনা খৃঃ ১৮৯০ গী সেপ্তেম্বর ২৩ লৈপাকপোকপা নুমিত্তা নিংথৌ ওইখিরম্মী। সুরচন্দ্র মহারাজনা মণিপুরদগী, নিংথৌ সিংহাসন পামজদ্রে, লাই নীঙনবা তীর্থ চৎখ্রগে হায়দুনা শেল নীরগা চৎখিদুনা কলকটা য়ৌথ্রগা– ঐবু নিংথৌ সিংহাসন্দগী তাহোকপীরে, মাঙখ্রবা সিংহাসন হঞ্জিন্নবা মতেং পাংবীয়ু হায়না বৃটিশতা মখোয়গী মখা থাবা মৈতৈ নিংথৌগুম দরখাষ্ট থারুবদগী লল্লোনবা লাকপদগী মীগী লৈপাক নম-নমদুনা মুনবা হৈবা বৃটিশশিংনা য়োংনা হৌদোং অনিগী তল য়েনবগী খুৎয়েন্দা কৈনৌ ৰায়েন তৌনবা, কুইন-ঈম্প্রেস ভিক্তোরিয়াগীদমক্তা থল্লম্বা মণিপুরগুম বৃটিশশিংনা বীচারপতি ৰায়েনবা শারখি। মদুদা মবুদ্ধি শোয়রোল্লবা জেঃ দল্লিয়ুঃ কুইন্টনগী থৌশীলনা মৈতৈ কোনুংদা লান্দারুবদগী কুইন্টন, কর্নেল স্কেল, মিঃ গ্রীমউড, মিঃ কোসিন্স অমসুং লেফঃ সিম্পসনগী অঙৌবা মকোক মঙা কংলা শামাঙদা লোংনা তাখি, তেন্দোং থাঙনা শোয়থখি, অদুগা মণিপুরনা বৃটিশ ইন্দিয়াগী মথক্তা চহিসিগী মার্চ ২৫ দা লান তৌরে, হায়না লাউথোকখি। বৃটিশশিংনসু মসিগী লমন খুম্নবগীদমক্তা মার্চ থাসিগী ৩১ দা মণিপুরগী মথক্তা লান তৌরে হায়না লাউথোকখিরম্মী। অদুগা 'ফিল্ড ওপরেসন্স-মণিপুর' হায়বা মণিপুরদা লান্দানবগী থৌরাং লৌখত্তুনা মণিপুর ফিল্ড ফোর্স কৌবা লান্মীগী মপৈ অমা শেল্লগা কোলম অহুম (Three Columns) থোক্লা খায়দোক্তুনা মণিপুরগী মায়কৈ অহুমগী মফম অহুম (বৃটিশকী বেজ হেডকার্টর্স ওইবা/লৈবা)– নোংপোক/মৈরমগী তুম্মুদগী, নোংচুপকী শিলচরদগী অমসুং অৱাংগী কোহিমাদগী লান্মী তেঙ্গোল অহুম থাজিল্লকখি। অসুম্না কোলমশিংসিনা মণিপুরদা লান্দানবগী চঙশিল্লকপগী মরমদা পীবীরল্লিবদি– The columns moved from their respective

(কংলাশা মাঙদা অঙৌবগী মকোক লোংনা তাখিবা, খৃঃ ১৮৯১, মার্চ ২৪)

(ফিল্ড ওপরেসন্স-মণিপুর অমসুং মণিপুর ফিল্ড ফোর্স)

(বৃটিশকী কোলম অহুম্না মণিপুরগী কোনুংদা লান্দা-নবা চঙলকখিবা এপ্রিল ২৩, ৫ অমসুং ২০)

bases at Silchar, Kohima, and Tamu on the 5th, 20th and 23rd April ...[N.K.S., 1983, ...]– অসিনি। অমসুং কোলমশিংসিগী লুচিংবশিংদি– তুমু কোলমবু Major-General T. Graham, C.B. না, কোহিমা কোলমবু Major-General H. Collett, C.B. Commanding the Manipur Field Force, অমসুং শিলচর কোলমবু Lieutenant-Colonel R.H.F. Rennick না য়াথং মপুশিং ওইননি। মখোয়না চঙশিল্লকপগী ঈ-পাউসি মণিপুরগী সনা কোনুংদসু পাউ ফংলম্মী অমসুং মায়কৈ খুদিংমক্তা মতীক চাবা লান্মী তেঙ্গোনশিং, মতীক চারবা লাঞ্জিং পুরেন, লাঞ্জিংলেন অমসুং লাঞ্জিংবশিংগী মখাদা থাদুনা মায়য়োক য়াননবা থৌশীনখি।

মাইব্যা তাম্রসিংহনা নীঙতম লান্দা

মাইব্যা তাম্রসিংহনা মণিপুরগী নীঙতম-লান, ১৮৯১, এপ্রিলদা শরুক য়াদুনা লান্থেংনবা অমসুং লান ঙাকপা চৎখ্রিবসি মণিপুরগী অৱাং মায়কৈদা কোহিমাদগী চঙলক্লিবা মেজর-জেনরেল ঐচঃ কোল্লেট, সিঃবিঃ, মণিপুর ফিল্ড ফোর্সকী কমাণ্ডিং ওফিসারনা লুচিংদুনা চঙলক্লিবা লান্মী মপৈ অসিনি। হায়রিবা লান্মী মপৈসিবু শারিবদিঃ–

কোহিমা তেঙ্গোন

কমাণ্ড তৌবা	–	মেজর-জেনরেল ঐচঃ কোল্লেট সিঃবিঃ (Major-General H. Collett. C.B)
আর্ডালি ওফিসার	–	কেপ্তেন এঃইঃ জোন্স (Captain A.E. Johns) ২৩শুবা বেঙ্গল ইনফেন্ট্রী (পাইওনিয়র)
ডিপুটী-এসিষ্টেন্ট এডজুটেন্ট জেনরেল	–	মেজর এফঃ এসঃ গ্বাটকিন Major F.S. Gwatkin), ৩শুবা বেঙ্গল ল্যান্সর্স
ব্রিগেডিয়ার মেজর	–	কেপ্তেন জিঃসিঃ কিৎসন (Captain G.C. Kitson), কিংস রোয়াল রাইফলস কোর
ফিল্ড ঈঞ্জিনীয়র	–	কেপ্তেন আরঃএফঃ এলেন (Captain R.F. Allen), রোয়াল ঈঞ্জিনীয়র্স,
আর্মী সিগ্নেল সুপরিন্টেণ্ডেন্ট	–	কেপ্তেন দব্লিয়ুঃ ডিঃ থোম্পসন (Captain W.D. Thompson), ১বা বেঙ্গল কেভেলরী,

চিফ কম্মিসরিয়েট — কেপ্তেন সিঃএমঃ ফিৎজরেল্ড (Captain C.M. Fitzarald)
ষ্টাফ কোর এসিষ্টেন্ট কমিস্নার জেনরেল,

এসিষ্টেন্ট কম্মিসরি, — কেপ্তেন ডিঃ এমঃ থোম্পসন (Captain D.M. Thompson),
য়েট ওফিসার — ষ্টাফ কোর, ডিপুটী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার জেনরেল,

চিফ ট্রান্সপোর্ট — কেপ্তেন জেঃ ৱিলকোক্স (Captain J. Wilcox),
ওফিসার ডিঃএমঃওঃ লেইষ্টর রেজিমেন্ট, ষ্টেসন ষ্টাফ ওফিসার, দিল্লী,

প্রিন্সিপাল মেডিকেল — ডিপুটী সার্জন-জেনরেল সিঃপিঃ কস্টেল্লো (Deputy
ওফিসার Surgeon-General C.P. Costello), ইন্দিয়ান মেডিকেল সার্ভিস, এডমিনিষ্ট্রেটিব মেডিকেল ওফিসার, অসাম।

ভেটরিনরী সার্জন — এসঃ এমঃ স্মিথ (S.M. Smith), আর্মী ভেটরিনরী ডিপার্টমেন্ট।

লান্মী অমসুং — (১) কেপ্তেন এঃঐচঃসিঃ বীর্চ আরঃ এঃ (Captain
খুৎশূ-খুৎলাই A.H.C. Birch R.A.) গী মখাদা বেঙ্গোল মাউন্টেন বেটরীগী নোংমৈ অচৌবা (Mountain Gun) অহুম

(২) লেফটনেন্ট এঃ সিলেস (Lieutenant A. Ciles) গী মখাদা ১৩শুবা বেঙ্গোল ইনফেন্ট্রীগী রাইফল পায়বা সিফাই ১০০,

(৩) ৪৪শুবা গুর্খা রাইফলসকী কেপ্তেন ঐচঃ দব্লিয়ুঃ প্রিস্টলী (Capt ain H.W. Priestley) গী মখাদা ৪২শুবা গুর্খা রাইফলসকী সিফাই ২০০,

(৪) কর্নেল ঐচঃ এমঃ ইভান্স (Colonel H.M. Evans) কী মখাদা ৪৩শুবা গুর্খা রাইফলসকী রাইফল পায়বা সিফাই ৪০০,

(৫) মেজর আরঃ কেঃ রীজওয়ে ভিঃ সিঃ (Major R.K. Ridgeway V.C.) গী মখাদা ৪৪শুবা গুর্খা রাইফলসকী রাইফল পায়বা সিফাই ৩০০,

(৬) কেপ্তেন ভিঃসিঃএফঃ মিসিন্টায়র (Captain V.C.F. Macintyre) গী মখাদা অসাম মিলিটরী পুলিস নাগা হিল্‌স বাটালিয়নগী রাইফল পায়বা সিফাই ২০০,

অসিশিংসিনি [রাঃকুঃসঃ, ১৯৭৩, ৫৪-৫৫, ৫৮]। ওফিসার (কম্মিসণ্ড অমসুং নন-কম্মিসণ্ড) শিং থাদনা সিফাই খক্তদা ১,২০০ (১০০+২০০ +৪০০-৩০০+২০০) নি অমসুং মখোয়সি এপ্রিল ২০ দগী মণিপুরগী কোনুং তম্লক্কদৌরিবনি। অদুগা মণিপুরগী কোনুংলেন কংলাদগী মখোয়সি থিংননবা নৎত্রগা লাম্ছেংননবা থারকখিবা লাম্নীগী মরমদা পীবীরম্লিবশিংদিঃ—

(১) অহোংশাংবা দুহোবকী কুম শক ১৮১৩ ... শজিবু থা ... ১৩নি য়ুমশকৈশ (খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল ২২) দা ... শ্রীযুৎ ম্না য়াথং লান চৎলো হায়না মতোন ঈবুংঙো খ্বাইরাকপমনচিংবনা, লাইশ্রবা জম্ভুবান মেঞ্জোর, মাইব্যা তাম্র সুবিদার, হৈগ্রুজাম্বা পোইলানচিংনা সিফাই ৮০০ অৱাংলম চৎলে [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪৯০]।

(২) Hearing the news of the advance of the British troops from three directions– North, West and East, the Maharaja sent 800 sepoys under Khwairakpa, Laishraba Jambhuban Major, Heigrujamba Poila and Maibya Tamra Singh Subedar towards the north to defend the British Column coming from Kohima [N.K.S., 1983, 47].

অসিশিংসিনি। মীগীনা সিফাই ১২০০ (লীশীঙ অমগা চনি) চঙলকপদা ঐখোয়গীনা সিফাই ৮০০ (চানিপান) থারিবসি লাম্বা য়াফম থোকপরা? মীগী বৃটিশ লাম্নীগী সিফাইশিংদি নীঙথিনা তম্বী-তাকপীরবা, থকশী-খাশী (Discipline) নচিংবা মুন্না খঙলবা ঙাক্তনি, মৈতৈগী ত্রেনীং য়াওদবা জেলদগী থাদোক্লকপা মীওইশিংনা অয়াম্বা ওইনা তেঙ্গোলশিংদু শারিবনি, হায়রিবদু নিংথৌ ফম্বাল মুন্নবগী লাংলৌদগী থোরক্লিবনি, অদুবু লাল্লিবসি কনা কনানো হায়বদুদি লাল্লেমা নুঙ্গোয়বীদনা খঙখি।

(খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিলগী লান্দা অৱাং মায়কৈদা বৃটিশকী তেঙ্গোল শাফম)

খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিলগী তারিক ২০, নিংথৌকাবা নুমিত্তা বৃটিশ ইন্দিয়াগী ‘ফিল্ড ওপরেসন্স-মণিপুর’ কৌবা এক্সপিডিসন (Expidition) গী মণিপুর ফিল্ড ফোর্সকী কোহিমা কোলমগী ব্রিগেডিয়ার/মেজর-জেনরেল ঐচঃ কোল্লেট্টনা কম্মাণ্ড তৌবা লাম্নী

মপৈসি কোহিমাদগী মণিপুরগী কোনুং তম্না লাকখিরম্মী। মখোয়না থাসিগী ২২ য়ৌরকপা নুমিত্তা মাও লানশিল্লক্তুনা সেনাপতি য়ৌশিল্লক্লম্মী। অদুবু মখোয়না লেপ্তনা চঙশিল্লক্তুনা মণিপুরগী থানা লৈরিবা ময়াংখাংগী মফম (হৌজিক্তা ইম্ফালগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৬১ লাপ্না লৈবা মফম/লম) অদুদা চঙশিল্লকখি। মখোয়গী অচৌবা লান্মী তেঙ্গোন্দু উবদা নৎত্রগা মদুনা চঙশিল্লকপগী পাউ ফংবদা মণিপুরগী থানা ফল্লবা সুবিদার অমনা লুচিংবা মীওইশিংদু মফমদু থাদোক্তুনা ইম্ফাল তম্না চেনখৎনরকখি। হায়রিবা মফমসি লৌশিন্দুনা মেজর-জেনরেল কোল্লেট্টনা মফমদুদা/লমদুদা বৃটিশকী তেঙ্গোল শানবা থৌরাংখি অমসুং য়াথং পীখি। হায়রিবা থানা অসিগা ময়াংখাংগী হাওখুল্লাকপা চিরাই থাঙ্গাল অমসুং মহাক্কী খোঙবুশিংনা বৃটিশকী টেলিগ্রাম সুপরিন্টেণ্ডেন্ট মেলভিলে অমসুং টেলিগ্রাম সিগ্নেল মেন (Signal man) ওঃ ব্রাইনবু হাৎখি। মরম অসিনা মফমসি মখুত্তা থমদুনা মেজর-জেনরেল কোল্লেট্টনা মফমসিগী ঈরাং য়েংবা অমসুং শিখ্রবা বৃটিশ মচা অনিদুগী শিফম/হাৎফম খঙবা পামখি, হায়না চেৎনা থাজজে।

মণিপুরগী ময়াংখাং থানাদগী চেল্লকপা সিফাইশিংনা য়ৌরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ময়াখাংগী থাঙ্গাল চীঙমীশিংনা হান্ননা পাউ থারক্তুনা বৃটিশ লান্মীনা অৱাংলোমদা কোহিমাদগী চঙশিল্লক্লিবসিগী ঈ-পাউ এপ্রিল ১৯দা ফংখ্রবনি অমসুং ময়াংখাং থানাগী শঙফম নৎত্রগা য়ুম্ফমদা মখোয়গী তেঙ্গোল শাখ্রে, হায়বসিসু খঙলবনি। অদুবু হৌজিক্কী মতৌগুম্না মোটোর গাড়ীগী মতেং লৈত্রিবনিনা হেক্তা য়ৌশিল্লক্লোয়দবসিনা মণিপুরগী লান্মী তেঙ্গোল অমা বৃটিশকী তেঙ্গোলসি থিংলুনবা এপ্রিল ২২সিদা কোনুংদগী থারিবনি। মৈতৈ লান্মী তেঙ্গোলসু পন্থবা লৈতনা অমসুং খোঙকাপ লাওনা কান্দুনা খোঙলৈ থুনা লাকপনা এপ্রিল ২৩গী নুমিৎ য়ুংলমদায় কৈথেলমানবী (হৌজিক্কী মতমদা ইম্ফালগী অৱাংদা কিলোমিটর ৪০/নিফু চৎলগা লৈবা লম) দা থুংলম্মী। মখোয়সি অহিং লেপ্তনা লাকপনিনা মফম অসিদা মখোয় পোত্থানীঙখি। অদুগা অমুক য়েক্লবগী তেঙ্গোল/লানবনগী মনাক্তা পঙনক নকশিল্লবসু ফত্তবনিনা স্নখ্যা/ঈবুংশীজ খ্বাইরাকপনা মফম অসিদা মৈতৈগী তেঙ্গোল শাননবা য়াথং পীরম্মী অমসুং হায়রিবা নুমিৎসিমক্তা তেঙ্গোল শাবা লোয়খিরম্মী।

(খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিলগী লান্দা অৱাং মায়কৈদা মৈতৈগী তেঙ্গোল শাফম)

মেজর-জেনরেল ঐচঃ কোল্লেট্টনা কৈথেলমানবীদা মৈতৈগী তেঙ্গোল শাদুনা লৈরে হায়বসি খঙলম্মী, অদুবু থোইদোক্লা মখোয়বু থৌশারুবা নৎত্রগা কিরুবগী ৱাফম লৈতে, পুক্নীঙদা থোইনা থুকপা তৌদে। মহাক্লা ময়াংখাংসিদগী মণিপুরগী নিংথৌ ওইরিবা কুলচন্দ্রধ্বজ মহারাজদা য়াম্না চাওথোক্লা চিঠি অমখক ইদুনা মৈদিংঙুবু মশা চঙজরক্লবা ৱারোল হায়দুনা এপ্রিল ২৪ দা থারকখিরম্মী। চিঠিদুগী মরোল্দি— 'মণিপুরদা ফাদুনা থল্লিবা বৃটিশ প্রজা পুম্নমক খুদক্তা থাদোক্লবা হুকুম তৌরি। মীশিং অসিগী খুদোংথীবা থোক্তনবগী দায়ি নহাক্কী ওইগদবনি অমসুং মখোয়গী করিগুম্বা অমাঙবা থোক্লবদি নহাক্কী নথৱাই লৌগনি, অদুগা ১৮৯১ ইংগী এপ্রিল তাং ২৭ তা নশামক ঐঙোন্দা চঙজগদবনি। নহাক নশামক্লা চঙজরক্লবদি নহাকপু বিচার তৌগনি, তৌইগুম্বসুং নহাক্কী নথৱাই কনবীগনি হায়না ৱাশকপদি ঙল্লোয় [ibid,.... অমসুং রাঃকুঃসঃ ১৯৭৩, ৫৯]'— অসিনি। অদুবু মহাক্কী ৱাফমসি মৈতৈ নিংথৌনা মৱা লৌগনি নৎত্রগা লৌরোয় খন্দনা ইরিবা মেজর জেনরেলসি অপঙবা গধানি, হায়দবা ঙল্লোয়।

(কোল্লেট্টনা কুলচন্দ্র মহারাজগী মফমদা তাং ২৪ এপ্রিলদা থারকখিবা চিঠি)

মেজর-জেনরেল ঐচঃ কোল্লেট্টনা মণিপুরগী মহারাজদা ফাগী-ফারাংগী চিঠি ইদুনা থাম্লবা মতুংসিদা মহাক্কী মতীক উৎনীঙলকখি। মরম অসিনা মহাক্লা মৈতৈশিংগী লানবন/তেঙ্গোল, কৈথেলমানবীদা শারিবা অসি থুগায়ননবগী থবক লৌখৎনবা য়াথং পীখি। মরম অদুনা কর্নেল ঐচঃ এমঃ ঈভান্সনা মহাক্কী গুর্খা রাইফলসকী গুর্খা সিফাই ৪০০, মেজর আরঃ কেঃ রীজওয়ে, ভিঃসিঃ (Victoria Cross) গী গুর্খা সিফাই ৩০০ অমসুং মহাক মশা য়াওনা অমদি কেপ্তেন ঐচঃ দল্লিয়ুঃ প্রিস্টলীগী গুর্খা সিফাই ২০০গা মখোয়গী ওফিসারশিংগা লোইননা পুন্না সিফাই ৯০০ (চামাপন) অমসুং মখোয়গী ওফিসারশিং পুদুনা অয়ুক্কী পুঙ ১০ দগী ময়াংখাংদগী খোঙশানখিরম্মী। হায়রিবা তেঙ্গোল মফম অনিসি কিলোমিটর ২১ (চাওরাক্লা মাইল ১৩) লাপ্লে অমসুং চৎলিবা খোঙচৎসি সিফাইগী খোঙচৎনিনা পুঙ ১/২— অনিরোমদমক চঙখি। বৃটিশ সিফাইশিংনা চঙশিল্লক্লিবসি মৈতৈগী

(মণিপুরগী নীঙতম লান, ১৮৯১ দা অৱাং মায়কৈদা শোক্লখিবা লান)

লান্মীশিং কৈথেলমানবীদা তেঙ্গোল শারিবশিংদুনা খর লাপ্লিঙৈদগী উরবনি। অদুনা মখোয়না নারক-মোংশোংশিংদা চায়থোক্লুনা লুপ্লগা বৃটিশ লান্মীশিংগী মথক্তা নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান্দাশিল্লকখি। বৃটিশকী গুর্খা সিফাইশিংসু খুদক্তা ফিবম শেমদুনা নোংমৈ কাপ্লবা হৌখিরম্মী। অসুম্না পুঙ অমরোম নোংমৈ কাপ্লরবা মতুংদা হৈ-শিঙবা হেনবা বৃটিশ লান্মীনা লাকচরকখি অমসুং মৈতৈ লান্মীশিংদু মফমদু থাদোক্লুনা থৱাই হিংনবা চেন্নরকখি। হায়রিবা অৱাং মায়কৈগী লানসিগী মরমদা ৱারোল থন্বীরম্বদিঃ—

...লান্মীশিং অসিনা এপ্রিল তাং ২০ দা কোহিমা থাদোক্লুনা ইম্ফাল পাংলকখি।...থা অসিগী তাং ২৪ দা জেনরেল কোল্লেট্টনা ময়াংখাংদগী মহারাজ কুলচন্দ্রধ্বজ সিংহদা অসুম্না চিঠি ইরকই— ...। লান্মীশিং অসিনা মণিপুরদা চঙলকপা মতমদা এপ্রিল ২৪দা সেকমাইগী মথক্তা লৈবা কৈথেলমানবী মনাক্তা মৈতৈ সিফাইশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। অসি নত্তবা মফম অমসুং মতমদদি থোইদোকপা অপনবা লৈখিদে। মখোয়না অসুম্না চঙশিল্লকপদা কৈথেলমানবীদা কেম্প শারম্বা মৈতৈশিং অমত্তা লৈরমদ্রে, লোইনা মহৈ-মহৈ চেন্নখ্রে [মথক্কীসিদা, ৬০]।

অসিনি। অসুম্না কৈথেলমানবীদা শাবা মৈতৈগী তেঙ্গোল/কেম্প অসি বৃটিশ লান্মীনা থুগায়দুনা লৌশিনখি। অমসুং ময়াংখাংদা লৈহৌরিবা ওভর-ওল কমাণ্ডিং ওফিসারদা মৈতৈগী কেম্প থুগায়বা অমসুং লৌশিনবগী পাউ কর্নেল এ্চঃ এম ঈভান্সনা থাদুনা জেনরেল কোল্লেট্টপু কৈথেলমানবীদা য়ৌবীরক্লবা হায়জখি। অদুবু অখণ্ড-অহৈ অমনা খৃঃ ১৮৯১ গী মৈতৈ নীঙতম লানগী অৱাং মায়কৈগী লানসিগী মরমদা থন্বীরম্বা ৱারোন্দিঃ—

কোহিমারোমদগী লাকপা বৃটিশকী তেঙ্গোল অসিদি মণিপুরী লান্মীশিংনা ময়াংখাংদা তেঙ্গোল শাদুনা থিংখ্রে। মণিপুর লান অসিগী ওভর-ওল কমাণ্ডর জেনরেল কোল্লেট্ট মশামক্লা লুচিংবা বৃটিশকী তেঙ্গোল অসি মণিপুর লান্মীবু মায়থীবা পীবা ঙমদদুনা লান হন্দোক্লুনা লৈখ্রে [ডাঃলঃচঃ, ১৯৭০, ১৭২]

অসিনি। মসি তোকঙানি, মিৎ উইশিনবীয়ু, নাকোঙ মেনশিনবীয়ু অমসুং চীন উমশিনবীয়ু।

খৃঃ ১৮৯১ গী লান লোয়বা অমসুং মাইব্যা তাম্রসিংহগী লাল্লোৎ-মীরোৎ ওইবগী খোঙফম

মাইব্যা তম্রসিংহ, খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিলগী অহুমশুবা চয়োন্দা লাম্হেংনখিবা অৰাংলোমগী লাল্লম অসিদা মণিপুর লান্মীগী সুবিদার অমা ওইনা লান য়াওখ্রিবনি। মহাক্না খৃঃ ১৮৭৬ তা জমাদ্দার ফংখিবদগী সুবিদার ওইরকপগী ফম হাইগৎখিবসি করম্বা মতমদা হাইগৎখিবনো, খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙদা ফমসি কাখ্রিবরা নৎত্রগা খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল থাসিগী তারিক ১৭ তা পাউনমচা ব্রজবাসি, চোংথামচা মিয়া, হাওবমচা অঙাংহল ৩সিবু মেঙ্গোর হাপখিবা অমদি লোংজাম্বা সুবিদারবু পোইলা হাপখিবা [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৪৮৯] অসিগুম্না 'ঈমর্জেন্সী কম্মিসন' (Emergency Commission) দা এপ্রিল থাসিদা হাপখিবরা হায়বা তশেংনা খঙবা ঙমদ্রি অদুবু অহানবগী খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙগী ৰাফমসিদন্না হেন্না চেৎনা থাজবা থমজে। অৰাংগী লাল্লমসিগী কৈথেলমানবীদা শাবা তেঙ্গোল এপ্রিল ২৪ দা বৃটিশশিংনা নুংথিলগী পুঙ ২-৩ অদুৰাইদা থুগায়খিবসিদগী মায়কৈ অসোমগী লানসি লোয়বদা নত্তনা অতৈ মায়কৈশিংগীসু মথংগী নুমিত্তদি লান লোয়রে। মায়কৈ অহুম্মক্তদা লানশোক-লাম্হেংনরুবা অঙম-অথৌশিং, মেঙ্গোর-পোইলা, সাজোর-সুবিদার, জমাদ্দার-হবিল্ডারনচিংবা অমসুং লাল্লোই লান্মীশিং, সিফাইশিং পুম্নমক এপ্রিল ২৫সিগী নুমিদাং পুঙ ৫ (মঙা) ফাওবগী মনুংদা কোনুংদা লোয়নমক লানফম থাদোক্কুনা কানরক্লে [মথক্কীসিদা, ৪৯৩-৯৪]। মৈতৈ/মণিপুরনা লান মায়থীরে। অদুনা মখা তাবা থবক করি, করম্না চত্থগদবগে হায়বদু কোনুংদা লৈপাক্কী লুচিংবশিং— যুবরাজ, সেনাপতি, অসিনচিংবা পুম্নমক্না তীন্না-ফম্মিন্নদুনা খন্ন-নৈনরি, তান-তীক্লরি। মখোয় ময়াম্না তানরিবা অমসুং পুখৎ-থাঙ্গৎনরিবা ৰাফমদু মাইব্যা তাম্রসিংহ, সুবিদার তাই, খঙই। অদুবু অসিগুম্বা তাঞ্জা য়ৌরক্লবসিদদি মহাক ময়ামগা পুন্না চৎমিন্নবা, খোঙবু ওইমিন্নবা পামদে, মরমদি মী য়াল্লবদি অরোনবা, মী অতৈ খঙহন্নীঙদবা অচেৎপা-অরোনবা হায়বসি খক লোননা লৈয়ু য়াদে, অদুনা মাইব্যা তাম্রসিংহনা

(নীঙতম লান এপ্রিল ২৫ দা লোয়বা, মৈতৈ মণিপুরনা মায়থীবা)

মতোমতা তোখায় তাবনি। ময়ামদুনা হায়বদি লৈপাক-মকোক থোংবশিংদুনা খন্নরিবদুগী অরোনবদুদি, মখাদা পীজরিবা অসিদা লৈ, মদুদি—

...অহোংশাংবম দুহোবকী কুম শক ১৮১৩ ...শজিবু থা ...১৭নি লংমাইচীঙ (তাং ২৬।৪।১৮৯১ ইং) ... নুমিৎ তাবা মতুং পুঙ ১গী মনুংদা নিংথেমসুং, যুবরাজসুং, সেনাপতিসুং শামু হঞ্জবা জিলাঙম্বা, চীঙঙাখম্বা নোংথোনবা, মাইস্না লুৱাং নিংথৌ, চোংথা অয়া পুরেন মেঞ্জোর, অসিনচিংবা নিপা ২০০ মরুম নোংপোক চশাৎলম পোরোম্পাৎ লম থোক্তুনা চেনখিএ। মোইরাং তোঞ্জাও সুবিদারনা খাগী য়ৌবা লম চিংগনি হায়দুনা কবো ১গা খুলং লুপা ৩,০০০ পুদুনা ৩নি লৈরিঙৈ [তাং ২৬—৩ = তাং ২৩] চৎখিববু লৈরমদে [মথক্কীসিদা, ৪৯৪ - ৯৫]।

হায়রিবা ৱাফমসিবু অচুম্বনি হায়দুনা প্রমান তৌরিবদি বৃটিশ লান্মীগী ওভর-অল কমাণ্ডর মেজর-জেনরেল কোল্লেট্টনা বৃটিশকী সিমলাদা লৈবা ফোরেন সেক্রেটরীদা এপ্রিল ৩০ দা থাদা টেলিগ্রাম্মনি, মদুদিঃ—

Telegram from the General Officer Commanding, Assam, Manipur.

To The Foreign Secretary, Simla

Kerong, April 30, 1891

872. It has been ascertained that the Regent and his three brothers, with a following of about 50 armed men, left Manipur at 6 p.m. on 26th in a north-east direction, it is believed for Chassad in the Tonkul Naga Country. In consultation with Chief Political Officer, I have ordered the mounted infantry of General Graham's Column, numbering about 80 rifles, to follow them up. It is not probable that they will catch them but they will be able to find out the exact line of retreat, which will be of great value. The mounted infantry marched this morning. Trustworthy guides could not be procused before...

No. 4 Correspondence Relating to Manipur (Londin, 189) [মথক্কীসিদা, ৪৯৪-৯৫ F.N.]

অসিনি। মাইব্যা তাম্রসিংহ, মশাগী চহি চাওরাক্লা ৫৮/৫৯ শুরবনিনা মশানা খঙজে, মদুদি বৃটিশশিংনা লান য়াওরুরিবা মহাকপু ঈকোম কোম্না, ঈরায় লায়না খক লৌরোয়, থিরকখিগনি, ফারখিগনি, লাক্লরখিগনি। অদুনদি মহাক মতম খর মীরোৎ ওইনা মখোয় বৃটিশনা ঈ শারিঙৈ য়াম্না শাওগৎ-তাখৎনা লৈরিঙৈগী মতমসি হৌহনখিবা হায়বসি মহাক মশাগী শাফবনি হায়না খনখি। মরম অসিনা মহাক্লা এপ্রিল ২৬ কী নুংথিন্দা ময়ুমদা চঙদুনা মহাক্কী অঙাং-নুবীশিং উনরমখি অমসুং মহাক্কী মপুক্লীঙদা লৈরিবা ৱাফমশিং ফোংদোক্লমখি। মতম্না পুরকপা অৱাবগী চৈথেংদা কপ্তবা ঙমখিবা কনাসু য়াওখিদে, অদুবু 'নমালৈপাক্কীদমক্তা কপকদবগী শরুক খুত্তুম শীঙঙু, মিৎ লাউথোক্কুনা য়েক্লবগী অচেংবা য়েংঙু' হায়বা মশাগী ৱায়েনসিদা ৱানা ময়ুম থাদোকখি।

(মাইব্যা তাম্রসিংহ অন্দরগ্রাউন্দা)

খৃঃ ১৮৯১ সিগী এপ্রিল ২৭, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭ মখায়রোম তাবা মতমদা শিলচর কোলমগী ক্রুপর নোৱেলস (Trooper Knowels) না শিলেটিয়া লল্লোনবা মুস্লিম হফিজ ফতেসাগী মতেংনা মৈতৈ কোনুংদা চঙদুনা বৃটিশকী জাতিগী ফিরান য়ুনিয়ন জেক য়ুংখি অমসুং বৃটিশশিংনা মখোয়গী মরুপ মপাং ওইরম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাক মণিপুরবু নমথাক তৌদুনা মখোয়গী খা-এসিয়াগী লোইলম ভারতবর্ষদা তীনশিনখি। অদুগা কোহিমা অমসুং তম্মু কোলম অনিনা মথং মনাউ ওইনা এপ্রিল তাং ২৯ গী অয়ুক পুঙ ১০গী অদুৱাইদা কংলাদা থুংলখি অমসুং নুমিৎসিদগী হৌনা এঙ্গলো-মণিপুরী ৱার, ১৮৯১ সিদা য়াওখিবা মণিপুরগী অঙম-অথৌ, সিফাই মফম নাইবশিং পুম্নমক্কী মরমদা থিগৎলকখি। অদুদসু নত্তনা মৈতৈগী মমিং লৈবা লাল্লোইশিং অমসুং সিফাইগী ওফিসারশিংগী খুৎশূ-খুৎলাইশিং ফাওবা ময়ুম-ময়ুমদগী খোমগৎখ্রী [মথক্কীসিদা, ৪৯৬] অমসুং থুদেকখি। মৈতৈগী লাঞ্জেন্নরুবা অমদি লোৎলু-থুপ্লুবা অঙম-অথৌশিং, মরুওইবা লাঞ্জিং-লুচিংবশিং মাগী মাগী লোৎফম-থুপফমদগী থোক্লরক্তুনা খৃঃ ১৮৯১ সিগী মে থা হৌগৎলকপদগী বৃটিশ গোভর্নমেন্টতা

(মৈতৈ নিংথৌ অমসুং অঙম্বশিং সরেন্দর তৌনরকপা অমদি ফাগৎনরকপা মে থাদগী হৌরকখি, মৈত্রবাকপু বৃটিশনা শাথীনা ওৎ-নৈবা হৌখি।)

সরেন্দর তৌরবা অমদি বৃটিশশিংনা থি-হুমদুনা ফাগৎপা হৌখি। কাংঙবা চিদানন্দা সিংহ জেনরেল মে তাং ৬তা মশানা সরেন্দর তৌরখি। চশাৎ য়ৌরুবা কুলচন্দ্র মহারজ মে ৮ দা ঈয়া মপান্দগী ফাখি, অঙোম নিংথৌ (নোংমাইথেম্বা ধনি সিংহ), চোংথা অঙাংতোন (নীলমনি সিংহ) অয়াপুরেন মেজর অমসুং চীঙঙাখন্বা (মিমি) নোংথোনবা অহুম্মক মে ৯ দা ফাখি, মাইস্না শামু কর্নেল মে ১০ দা ফাখি, মনাউ ঈবুংঙো জিলাঙম্বা মে ২০ দা সরেন্দর তৌরখি। অদুগা টেকেন্দ্রজিৎ যুবরাজ মে ২৩ দা শীঙজমৈ মথক থোকচোম দেৱানগী ময়ুমদগী ফাখিরম্মী। অসুম্না য়েনখোয়বা রুদ্রসিং মেজর, খুম্বোং মেজর, হাওবম অঙাংহন মেজর, ঈবুংশী মায়পাক ৱাংখৈরাকপা, লাইশ্রবা জম্বুবান মেজর, হৈক্রুজাম্বা পোইলা, ঈবুংশী কালা শগোল হঞ্জবা, স্না ঙাংবা লৌরুং পুরেন, য়েনখোইবা পোইলা, লোংজাম্বা পোইলা, অসিনচিংবা সরেন্দর তৌবা নৎত্রগা ফাবা, অনি মরক্তা অমা তৌদুনা বৃটিশকী মখুৎ চনখ্রে। অদুগা খরনা মরাল অরুম-অয়াংগী চাংদা বৃটিশকী মী ওইহন্দুনা থাদোক্লখিবসু য়াওরে।

মাইব্যা তান্রসিংহনা মৈতৈগী নিংথৌ, যুবরাজ, সেনাপতি, জেনরেল, কর্নেল, মেজর-পোইলা, সাজোর, সুবিদারনচিংবা পুম্নমক সরেন্দর তৌবনা তৌবা, বৃটিশনা ফাবনা ফাবা তৌরিবশিং অসিগী পাউ পুম্নমক তাই, অদুবু মহাক সরেন্দর তৌবসু পামদ্রি অমসুং ফাহনখিগে হায়বসু নীঙদ্রি। মহাক নোংমাইজীঙ চীঙজাওনা কোনবা লমখৈ-লমকনগী মনুংদা লোৎলি। অদুবু মহাক্কী লোৎফমসি নোংমাইজীঙগী ৱারোকচীঙদনি, অৱাচীঙদনি, লফুপোকপীদনি, খল্লোংদনি, অসিনচিংবা অকক্লবা মফম অমদা নত্তে, মীনা হেক লাকপা, থিরকপদা মফম অমদা হেক্তা হোংখিবা য়াবা মফম খন্দুনা মহাক লেক-চাগনি, মিৎ-না শিঙনা তুম-হীপকনি। তশেংনমক মতাং অসি চহি-হুম্ফুগী চহি মতাং হায়বদুনি; হায়রিবসি মানসু মাল্লি, অদুগা ওইফম থোক্লি।

হৌখিবা মতম, উনা-উনা য়েংনা য়েংনা চৎখিবা মতম্লি; পুখ্রবা ফিঙাং (কাজাও), নিরঞ্জন সুবিদার, চিরাই থাঙ্গাল ফাঁসিদা চৎখ্রে, টেকেন্দ্রজিৎ বীর সিংহ, যুবরাজ; কাংঙবা চিদানন্দ সিংহ, জেনরেল মীনম্বা বিচারগী লৌনম্বা ৱায়েন-ৱাখুনগী নমথাক্কী রায়দা চৈরাক পীদবা য়াদে, হাত্তবা শুপয়া য়াদে, হায়বা ৱাফমদুদা চহিসিগী আগষ্ট ১৩ দা ফৈদাবুঙদা ফাঁশি তৌদুনা হাৎখি। অদুগা জিলা

খ্রস তৌগদবা, কালাপানিদা থাগদবা লৌনম্বা বিচারগী মহূ চারবা মীওইশিংসু মণিপুরগী ৱাংমদা তেজপুর জেলনচিংবদা পুথোকখ্রে। কুলচন্দ্র মহারাজগী মরান লৈজদ্রবা লৈমশিং অমসুং মচাঈবুংঙোশিং অমদি টেকেন্দ্রজিৎ যুবরাজগী করিসু খঙজদ্রবা লৈমশিং অমসুং মচা ঈবুংঙোশিং শিলেটতা লৈহনগনি হায়রগা মণিপুরগী ৱাংমদা পুথোক্লবসু য়ানখ্রে, পুথোকপদি শোয়দনা পুথোক্কনি, হৌজিকমক্তি খর ঙনমল্লি। অদুগা নাকল অমরোমদা নিংথৌ পানবা পামজবা মৈতৈশিংগী মপুক ফানবা অনৌবা নিংথৌ হাপ্পবা থৌশীন-থৌরাং তৌখরে, অনৌবা নিংথৌসু চহিসিগী সেপ্তেম্বর ১৮ দা হাপখরে। নরসিংহ্ মহারাজগী ধারাদা, মহারাজসিগী মশূ চাওবী য়াইমনা পোকপা মচানুপা মঙাগী মনুংদা খ্বাইদগী ঈতোন তোনবা সনা চুরাচান্দবু নিংথৌ হাপখরে, রাজা চুরাচান্দ ওইখরে।

(মাইব্যা তাম্রসিংহনা থা ৬ মীরোৎ ওইনা নোংমাইজীঙ চীঙদা লোৎলুরগা বৃটিশ সরকারগী পোলিটিকেল ওফিসারদা সরেন্দর তৌবা)

অসুম্না চেল্লিবা মতমগী খোঙজেন্দা মণিপুরনা লান মায়থীবগী, বৃটিশশিংনা লানঙম্বগী শাওগৎ-উঙখৎনরম্বা পুম্নমক্কু ঈংথনরক্লে। অদুবু বৃটিশ সরকারনা মাইব্যা তাম্রসিংহবু থিবদি লান লোয়খিবা মতুং থা তরুক হৌখ্রবসু লেপত্রি। মহাক্কী ৱাফমসি চীন্দা চীনফা পুবা নত্তবা চেবাংথক্তা অইবা ওইনা লৈখিবননি। অমরোমদা থা তরুক চুপ্পা মীরোৎ ওইরকপা অসিনা মহাক তুম্ফম-হীপফম মথোঙ চারক্লে, চাফম-থকফম খঙলক্লে। মরম অসিনা মহাক সরকারদা চঙজরগে হায়না ৱাখল লেপ্লক্লে। অদুগা মহাক্কী লৈজরিবা ঈমুং-মনুং অমসুং মচাশিংগা ৱাতানরে। মতুংদুদা মহাক মতমদুগী মণিপুর লৈঙাক্কী চুপলী পায়রিবা চিফ পোলিটিকেল ওফিসার মেজর ঐচঃ সেন্ট পিঃ মেক্সৱেলদা শকাব্দ ১৮১৩ গী মেরা থাদা ময়াংখাংগী খুল্লাকপা চিরাই থাঙ্গালবু ফাঁসি তৌবা নুমিৎ, মেরাগী ১০নি পানবা লৈপাকপোকপা নুমিৎকী নোংমা কোনবা য়ুমশকৈশ নুমিৎ খৃঃ ১৮৯১ গী ওক্তোবর তাং ১৪ দা চঙজখি (সরেন্দর তৌখি)। চিরাই থাঙ্গালবু ফাঁসি তৌবগী মতাংদা মহাকপু সরেন্দর তৌরিবা চিফ পোলিটিকেল ওফিসার (মহাকসি খৃঃ ১৮৯২ গী এপ্রিল অমদগী পোলিটিকেল এজেন্ট হায়বা ফমসিদা ওল্লক্কনি) অসিনা পীবা রিপোর্টতিঃ—

Telegram No. 380, dated Manipur, the 12th Oct. 1891

From– Chief Political Officer, Manipur

To– Secretary to Chief Commissioner, Assam.

The murderers of Messers Melville and O Brain of Telegram Department the sentence of death on Cherai Naga has been confirmed by Governor-General in Council, the sentence of death on Heikrujamba Subedar has been commuted to transportation for life, the sentences of transportations for life on Indujamba Jamadar, on Chingsuba Jamadar, on Phangjao Jamadar, on Mangsataba Jamadar and on Ashangba Kut have been confirmed. In case of Chapa Subedar sentenced to transportation for life, the sentence is approved, but the Governor-General in Council is pleased to exercise the prerogative of mercy, and to order that he be set at liberty.

Assam Secetariat Proceedings. Foreign A.

[মথক্কীসিদা, ৫০৪-০৫ F.N.]

অসিনি। মাইব্যা তান্ত্রসিংহনা লেফটেনেন্ট-কর্নেল/মেজর মেক্সৱেলদা সরেন্দর তৌখিবসি মৈতৈ লাইরিকশিংদা পন্দে, অহল-লমনশিংগী চীন্থাংগী পাউদগী ফংবনি। মহাক্না সরকারদা চঙজরকখিবসি মতমদুগী বৃটিশকী লৈঙাক-ৱায়েন থৌদা পুরিবশিংদুনা তরাম্না ওকপীখি অমসুং থীন্থদনা মহাক্কী মরাল ঙাকপীখি অমসুং মণিপুরদা লৈরিবা ওফিসারশিংদুগী মথক থোংবা অসামগী নৎত্রগা ভারতবর্ষগী ওফিসারশিংদা ঈ-পাউ থাদুনা খঙহনবগী ৱাফম লৈতবগুম তৌই। মহাক্না সরেন্দর তৌরবা মতুংদা ওক্তোবর থা অদুমক্তদা বিচার তৌরগা মহাকপু মরাল কোকপীদুনা মীচম প্রজা অমগুম্না থা ৫/৬ কী মতুংদা থাদোকপীখিবা অমসুং বৃটিশ সরকারগী থবক্তা পুশিনখিবা মাল্লি। হায়জরিবা ৱাফম অসিগী খুদম চাংদমদিঃ–

(মাইব্যা তান্ত্রসিংহবু অচম্না প্রজা ১ ওইনা থাদোকপা)

(১) ...সেকমাই লীলাসিংগী কুম শক ১৮১৪ ...কালেন থা ২২নি শগোলশেন (তাং ১৯।৫।১৮৯২ ইং) দা বড় সাহেবনা খুরাইদা লৈবা মোইরাং তোঞ্জাওবু কবোরমগী থবক তৌহল্লে [মথক্কীসিদা, ৫০৯]।

(২) ...সেকমাই লীলাসিংগী কুম শক ১৮১৪ ...পোইনু থা ...২৮নি থাঙজ (তাং ১৭।১২।১৮৯২ ইং) দা বড় সাহেব থুংলৈএ। চেবরাও সাহেবনে, মোইরাং তোঞ্জাওনে, মাইব্যা তাম্রসিংহনে ৩মনা কোংগাল দা পেরে নুংবৈ ৫দগী অৱাংথংবা সিমানাগী মখেদি মৈতৈগী লমনে হায়দুনা কল্লমএ। তিনলেন মরূ অদুদা মনাহী মপান ১দা থাঙনা হক্কুনা থল্লমএ। মঙশাগী থিংঙেন মনীঙদগী চিংদুনা ২মসুং মৈতৈগী লমনে হায়না থমএ [মথক্কীসিদা, ৫১২]।

অসিশিংসিনি। খৃঃ ১৮৯১গী ওক্তোবর ১৩ দা সরেন্দর তৌরগা খৃঃ ১৮৯২ গী ডিসেম্বর ১৭ তা [থা ১৩ খক্তগী মনুংদা] মণিপুরগী লমখৈ য়াৎপা অমসুং ঙমখৈ লেপ্পগী থবক্তা মোইরাং তোঞ্জাও (খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৩ দা লুপা ৩০০০ পুদুনা মৈতৈ কোনুংদগী চৎখিবা অমসুং মণিপুরগী নিংথৌ, যুবরাজ, সেনাপতি, পুখ্রনবা, নোংথোনবনচিংবা পুম্নমকপু নমথাক তৌখিবা মৈদিংঙু সুরচন্দ্রগী অশেংবা, রাজভক্তদুনি) গা লোইনদুনা কোঙ্গাল থানা (মণিপুর-বর্মা বোর্ডরদা লৈবা মমাঙগী মতমদা মণিপুরগী থানা, পুলিস আউটপোষ্ট লৈরম্বা মফম্নি) দা লৈরল্লিবা অসি মহাকপু মহাক্না সরেন্দর তৌবদুদগী মরাল ঙাকপীখ্রে, বৃটিশকী থবক-ঈনখাং, মণিপুরগী চাওখৎ-থৌরাংনচিংবগী থৌরমশিং লৌখৎপদা শীজিন্নরে, হায়বগী প্রমাননি।

মীচমগী পুন্সিদা মাইব্যা তাম্রসিংহ

মাইব্যা তাম্রসিংহনা খৃঃ ১৮৯১ গী এঙগ্লো-মণিপুরী লান য়াওরুবদগী মণিপুরীশিংনা মায়থীদুনা লান লোয়শিনখ্রবদা লানগী লানফা (War-prisoner/ captive) ওইনা ফাহন্দনবা থা ৬ (তরুক) লোম মীরোৎ-লাল্লোৎ (Ab- sconder) ওইনা নোংমাইজীঙদা লৈরুবদগী চহিসিগী ওক্তোবর থাদা মণিপুর সরকার (বৃটিশ ভারত/ইন্দিয়ান গোভর্নমেন্টনা শেম্বা) দা সরেণ্ডর তৌখি। মহাকপু ফারবা মতুংদুদা বিচার তৌরগা থা খর মপান থোকহন্দনা (Confinement)

থন্নগা মহাক্কী মরাল কোকপীদুনা, ঙাকপীদুনা অমসুং মতমদুগী মণিপুরী-বৃটিশ সরকার অদুগী শেমগৎ-শাগৎপগী, লমখৈ য়াৎপগী, লম্বী-থোং শেম্বগী, অসিনচিংবগী থবক তৌবা মী ওইনা পুশিন্দুনা থমখি। হায়রিবসিনা মাইব্যা তাম্রসিংহবু এঙ্গলো-মণিপুরী লানগী সরেণ্ডরী অমা ওইনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিনহল্লক্লবগী পরম য়াৎলকখি। অসুম্না মণিপুর সরকারদা সরেণ্ডর তৌবা থা তরুক্লোমগী মতুংদদি মীচম-মীয়ামগী পুন্সি (Civilians' life) দা খোঙদারকখি। হায়রিবা মতম অসিদদি মতমদুগী মণিপুরগী বৃটিশ সরকারদুনা মহাকপু মথৌ অমসু পালহন্নবীরে। থবক অসি মতমদুদা লৈরম্বা মণিপুরগী লমখৈ য়াৎপগী থৌ পুরিবা চেরারাও সাহেব (Mr. Cherarao, the officer?) অমসুং মোইরাং তোঞ্জাও খৃঃ ১৮৯১ গী মমাঙগী মণিপুর সরকারগী সুবিদার/শেল্লুংবা অনিগী মখাদা ওইরম্বা য়াই। হায়রিবা থবকসিগী মরমদা পীবীরম্লিবদিঃ—

A claim was made at the begining of the year 1892 by the Tsawbwa (Chief/King) of the petty State of Thaungdut to the salt-well at Kongal Thana, a post which, since the occupation of Manipur, has not been held by any force from this side. Mr. Wingate, the Sub-divisional Officer of Paungbyu was deputed by the Burmese Administration to relay the boundary fixed by Colonel Johnstone's Commission in 1882, and a Manipuri Official, named Moirang Tonjao, was sent by the Political Agent to meet him. The result of the demarcation by the surveyor who accompanied Mr. Wingate was to show that the Salt-spring was well within Manipur territory, and the pillar set up by Colonel Johnsone having been opened out, the dispute may be said to be at an end. [Administration Report of the Manipur Political Agency for year 1892-93: Page 1] [মথক্কীসিদা, ৫১২]

অসিনি। অসুম্না হিংননবগী লানফম মায়য়োক য়াদুনা মাইব্যা তাম্রসিংহ পুন্সি লেল্লকখি। অদুগা মহাক মশাগী হোৎনজমন্না মচীঞ্জাক চাজবা, য়াম্নমক ঈনাক খুনবা নৎত্রবসু চাবা থকপদি ৱাত্তবা মীশক অমদি ওইরম্মী। অদুগা মহাক মোইরাং তোঞ্জাওগা লোইননা বর্মাগী নিংথি খোংবান্দা খৃঃ ১৮৯৩ দা তোঞ্জাওনা

শেন্দান-থুমদানবা [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৫১৪], খৃঃ ১৮৯৫ দা উগী ঠিকা তৌবা [মথক্কীসিদা, ৫২৪], অসিনচিংবা শেন্দান-থুমদান খর লংফৈ চত্তুনা তৌরম্বা য়াবগী থাজবা লৈ। মদুদগী মহাক মণিপুরগী নিংথৌ খন্দুনা কোনুংগী লোইশঙদা চঙলে, অমসুং পোলিটিকেল এজেন্টকী মনাকসু নক্লে। মহাক খৃঃ ১৮৯৭ কী মতমদদি মৈতৈ সনা কোনুংগী বিজয়া গারোং, চৈরাপ অসিনচিংবদা মমিং লৈরে, মণিপুর গোভর্নমেন্টকী মেঞ্জোর ফম ওইরে। অদুগা পোলিটিকেল এজেন্ট [Captain H.W. G. Coles, I.C.S., Officiating (1896-98)] কী থাজবা মী অমসু ওইরে, মসিগী লমদাংদা থম্বীরল্লিবা ঈ-পাউদিঃ—

(মাইব্যা তাম্রসিংহনা মেঞ্জোর ফম ওইরকপা)

...সেকমাই লালসিংহগী কুম শক ১৮১৯ ... পোইনু থা ২২নি শগোলশেন (তাং ১৬।১২।১৮৯৭ ইং) দা মাইব্যা মেঞ্জোরনা অৱাংলম সাহেব ওকপা চৎলে। থাশিনোং শগোলশেন (তাং ২৩।১২।১৮৯৭ ইং) দা জর্নেল সাহেব সিফাইগা লোইননা থুংলৈএ। তোপ ১৯লক কাপএ [মথক্কীসিদা, ৫২৯]।

অসিনি। লাক্লিবা সাহেবসি অচৌবা সাহেবনি, গন সেলুট তোপ ১৯লক কাপ্তুনা পীরিবসিনি, মণিপুরগী নিংথৌ ফাওবদা তোপ ১১রক্তা কাপ্লিবনি, মদুদিঃ—

The Governor General in Council has been pleased to select you, Chura Chand, son of Chowbiyaima, to be Chief of the Manipur State; and you are hereby granted the title of Rajah of Manipur and a salute of eleven guns.

... A Collection of Treaties, Engagements and Sanads by Artchison B.C.S. Vol. XII.

অসিনি। সাহেব অসি আর্মীগী মেজর, লেফটেনেন্ট নৎত্রগা ফুল জেনরেল অমা ওইগনি। মহাকপু ওক্লুনবা মাইব্যা তাম্রসিংহবু মৈতৈ সিফাই (মণিপুর পুলিস) খরগা লোইননা থারিবনি। অদুগা জেনরেল সাহেবসিনা হনখিবগী জনুৱারী তাং ১০ নিংথৌকাবা নুমিৎসিদা সিফাই ২৫ য়াওখিবা, থিঞ্জিনবা চৎপগী খোঙচৎ [মথক্কীসিদা, ৫২৯] অসিদসু মাইব্যা তাম্রসিংহ মেজরনা কম্মাণ্ড তৌরগনি, হায়না থাজে। অদুবু মণিপুরগী বৃটিশ গোভর্নমেন্ট অসিনা খৃঃ ১৮৯২ গী সেপ্তেম্বর

তারিক ২১, য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মৈতৈমচা ৪০০ লৌদুনা লীংখৎখিবা পুলিস ডিপার্টমেন্ট [মথক্কীসিদা, ৫১০] অসিগী মেজর ওইনা খনখিবা অসিগী অরেপ্পা মতম (শোক, তারিক) দি খঙঙমদনা লৈরি।

লৈপাক্কী অঙম-অথৌগী পুন্সিদা

মাইব্যা তাম্রসিংহ মেজর/বিচারপতি

মাইব্যা তাম্রসিংহ খৃঃ ১৮৯২ গী মতমদগী মণিপুরগী বৃটিশ গোভর্নমেন্টকী থবক তৌবা, ষ্টেট গোভর্নমেন্ট এমপ্লোয়ী (State Government employee) অমা ওইনা লৈরকখিবনি অদুগা লংফৈ-তুফৈ খর চত্তুনা শেন্দান-থুমদানগী লন্দীদা খোঙদারুবদুসু গোভর্নমেন্টকী থবক্কী খুদোংচাবা লৌদুনা চত্থখিবনি। অসুম্না মীচম-মীয়ামগী পুন্সিদা লেল্লন্দদগী লৈপাক্কী অঙম-অথৌ নৎত্রগা অচৌ-অশাংগী পুন্সিদা চঙলকখিবসি মহাক্না মেজর ওইরকপা কুম চাওরাক্না খৃঃ ১৮৯৬/১৮৯৭ কী মতম অসিদগী হৌখ্রবনি। হায়রিবা মতমসিদা মহাক মশাগী চহি ৬৩/৬৪ গী মতমনি। অদুবু মশা হকচাং মনুং শেংনা লৈবা, লমজেনগী শান্নরোই, থাঙ-তাগী শাজেল্লোই ওইনা হৌরকপা অসিনচিংবগী লমচৎ-শাজৎ কয়াদগী চহি ৬০ গী মথক ওইরবা মহাক চহি ২৫গী পাখংগুম্না মশা খীংলি, হকচাংগী মঙম লৈরি। মহাক্না সরকারগী থবক তৌবসিদসু মথক থোংবা ওফিসার অমতগী থাজবা মাঙহন্দনা মখা থাবা ওফিসার অমতগী নুংশিবা হন্থহন্দনা থবক তৌরকখিবনি। অসুম্না চহি তরা চুপ্না মেজর ফম অসি পুদুনা, মতমদুগী পুলিসকী লেন [Lane:-narrow road, division of road for one line traffic or a passage through a crowd or obstruction] শারিবা মবুধৌ সনামহীগী মফম (মসিসু খৃঃ ১৮৯২গী সেপ্তেম্বর ২১দা লীংখৎখিবনি [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৫১০]) দা লৈরিবা লেনগী শঙলেন ওফিসতা লোইশঙ কাদুনা লৈরকখিবনি।

> *(মাইব্যা তাম্রসিংহগী থবক্কী মচৎ-মনাৎ অমসুং অচৌ-অশাংগী পুন্সি)*

মাইব্যা তাম্রসিংহগী অচৌ-অশাং/অঙম-অথৌগী পুন্সিগী মতম, মশাগী মপুন্সিগী তুংগী লম্বীনা শাংহৌরবা মাঙগী লম্বীনা তেল্লক্লবা তাঞ্জা অসিদদি লৈপাকসিগী বৃটিশনা খনবা থবক তৌবা ওফিসিয়েল নৎত্রগা চাকরী, মরল-মথুম ৱাত্ত-পাদনা সরকারনা পীরিবদা মহাক নত্তনা দোলাই তোংবা, শগোল-শামু তোংবা, হায়বদি শাদোংশিংসি তোংদুনা ওফিস কাবা য়াদে, চৎনদে। অদুবু মাইব্যা তাম্রসিংহদা খোঙনা চৎপগী অৱাবদি খক লৈতে। পুকচেল তিংবা, চুমচৎ চৎপা, ৱারুম-থরুম পুদবা, মলোম-ৱারৌবা তৌগন্দবা, মথৌদাং পুক্নীঙ চঙনা মীনা ৱা ঙাংদনবা তৌবা, মশাবু মশানা থাজজবা মীশক অমা ওইবনিনা মখোঙনা চৎপদু করিসু খল্লুদে, মহাকপু তাথীবা মী লৈরমগনি থাজদবনা থোইনসু চেকশিনবা তৌদে। অদুগা মমান্নবা তীন্নবদা, লৈতবনা নীজরবদা লীকশিন-তাখৎপসু তৌদে। অসুম্না চেন্থরকপা পুন্সিগী ঈচেন্দা বড় সাহেব সেক্সপীয়ার সাহেব [Colonel J. Shakespear, C.I.E., D.S.O, I.A. (1905-1908)] না পানবা, পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা লৈপাক ঙাকপগী মতমসিদা মাইব্যা তাম্রসিংহগী 'মরাইবক থম্বাল শাৎলু' হায়বগী লাইবক নোংদমদু লাকখিরম্মী। মতমসি খৃঃ ১৯০৭ তনি, মৈদিংঙু তুবী ঈশম থৌবা, সার চুড়াচান্দ মহারাজ, কেঃ সিঃ এসঃ আইঃ, সিঃ বিঃ ঈঃ [K.C.S.I., খৃঃ ১৯৩৪ দা ফংখি, C.B.E. (Commander of British Empire), খৃঃ ১৯১৮ দা ফংখি] না অঙাং ওইরিঙৈ, লৈপাক ঙাকপগী থবক পায়দ্রিঙৈগী মতমদনি।

(মণিপুর অপুন্বগী ওইবা বিচারপতি ৬কী মনুংদগা ১ ওইবা)

মতমসিদা মাইব্যা তাম্রসিংহ মেজরবু মণিপুরগী বৃটিশ সরকারনা মণিপুর অপুন্বগী ওইনা বিচার তৌননবা মেম্বর ৬ (তরুক) খক খনবদা অমা ওইনা য়াওরকখি। মসি হান্নমা চৈরাপ অমসুং পঞ্চাইগী খৃঃ ১৮৯৬ কী ডিসেম্বর তারিক ৩১ দা খনখিবা মীওই ৫/৫ না শাবা মেম্বরশিং— চৈরাপকী ঈবুংশী পুষ্কর মন্ত্রী, লংমাইথেম্বা (গীরীধারী) অঙোম নিংথৌ, চীঙঙাখম্বা নোংথোনবা, নোংমাইথেম্বা পুখ্রনবা, নিংথৌজাম্বা নহারুপ লাকপা, অমসুং পঞ্চাইগী— ৱাকনবা, সৌগাইজাম্বা, চীঙঙাখম্বা অহল্লুপ লাকপা, নোংমাইথেম্বা লাইফম লাকপা, খ্বাইরাকপা চাওবা [মথক্কীসিদা, ৫২৬] অসিগী মথক্তা লৈবা, থাক হেন্না ৱাংবা এক্সিকিয়ুটিভ, লেজিস্লেটিভ, জুদিসিয়েরীগী পৱার পীরবা মেম্বর ওইনা খনখিবনি। হায়রিবসিগী ঈ-পাউদিঃ—

...সেকমাই লৈতোনগী কুম শক ১৮২৯ ...শজিবু থা ...২৪নি নিংথৌকাবা (খৃঃ ১৯০৭কী মে তাং ৬) দা বড় সাহেবনা মণিপুরগী বিচার তৌনবা মেম্বর ৬ হাপএ, ময়ান্নুংহন্নচিংনা ষ্টেট ওফিসতা বিচার তৌবা হৌএ [মথক্কীসিদা, ৫৫৬]

অসিনি। মসিদি মণিপুর ষ্টেট দরবারগী মেম্বরনি, মখোয়না মণিপুর ষ্টেট দরবার শাগদৌরিবনি। মসিগী মরমদা তেন্না পীবীরল্লবদিঃ—

'On 15th May, 1907 the charge of the State was handed over to the Raja'. He was to manage the State in accordance with a set of rules santioned by the Government of India which was called Rules for the management of the State of Manipur. In the clause 1 of the rules the Maharajah was made responsible for the good administration. The clause reads 'His Highness, the Raja will be responsible for the administration of the State. He will be assisted by a Darbar which will consist of an officer specially selected by the Government of Assam who will be styled the president, and of at-least 3 Manipuri members who may hold charge of Departments and shall be called ordinary members. Three additional members may be appointed who while not holding charge of any department, will attend all meetings of the Darbar and speak and vote equally with the other members. These members were to be appointed by the Maharaja in consultation with the Political Agent and could not be removed without the express consent of the Political Agent in writing (clause 2) ... [Lm. I.S., 1987, 39-40]

অসিনি। হায়রিবা মৈদিংঙু চুরাচন্দদা লৈঙাক শাসন শীন্নবগী ঈ-পাউদি—

সেকমাই লৈতোনগী কুম শক ১৮২৯ ...কালেন থা ৩নি য়ুমশকৈশ (তাং ১৫।৫।১৯০৭ ইং) দা ... সাহেব পুন্নমক্লা মণিপুর পুন্বা তীন্নবদা শ্রীমহারাজদা লৈপাক শীন্নৈ, দরবার তৌএ। ...[চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৫৫৬]।

অসিনি। দরবার মেম্বরশিংগী মশক খায়দোকপদা ডিপার্টমেন্টশিং পায়বা ওর্দিনারী

মেম্বর অহুম অমসুং ডিপার্টমেন্টশিং পায়দবা এডিসনেল মেম্বর অহুম হায়রিবশিংসিদা মাইব্যা তাম্রসিংহনা ওইখিবসি অকোনবগী ডিপার্টমেন্টশিংগী চার্জ পায়দবা এডিসনেল মেম্বর ৩ হায়বসিগী মনুংদগী অমনি। অদুগা চৈরাপ অমসুং পঞ্চাইগী মেম্বরশিং অসিদি জুদিসিয়েল পৱার (Judicial power) খক্তমক পীবা, কোর্ট ওইবগী থবক্তা ৱায়েনবা ওইবগী থাক্লি। মাইব্যা তাম্রসিংহনা মেম্বর ওইরিবা দরবার অসি চুরাচান্দ মহারাজনা প্রসিডেন্ট ওইবা ময়াম্বুংহন রাজা ডুম্ব্রসিংহ য়াওবা দরবাররনি। হায়রিবা এডিসনেল/এডিস্নেল দরবার মেম্বরসি খনবা অমসুং চঙলকপা মতমসিদা মহাক মশাগী চহি ৭৪ রোম শুরে।

মৈতৈলৈমগী উফুল্লক্তা মাইব্যা তাম্রসিংহ

মাইব্যা তাম্রসিংহ, মেজর অমসুং মণিপুর ষ্টেট দরবার মেম্বর, অহল মতম ওইরক্লবা চহি ৭৫ হেল্লক্লবদসু চৈশু পাল্লোইনদুনা চৎলমগদবা মান্দে। মহাক দরবার মেম্বর ওইরকপসিদগী হেন্না কুচু-কুমেন থোকপগুম তৌই। অহলগী মতম ওইদুনা পোত্থাবগী মতম য়ৌরবা, মচা-মশূনা সেবা তৌদুনা মমৌ মৌনা থৌগন্দুনা য়াতাদুনা লৈরগদবা তাঞ্জাসিদসু মহাক্লা ঙমজবা শূরি-নোল্লি। অদুগা মহাক্কীদমক্তা খঞ্জরবী মহাক্কী ঙাংঙোম চনু/নিংঙোন তোমচা অদু মহাক্লা করম্বা মতমদা শেৎন-খায়নখিবা, মমিত্তগী পিরাং তৈথোকপীখিব্রা, অমন্ থোঙদা করম্বা মতমদা চঙখিবগে হায়বদুসু অইবনা খঙজবা ঙমজদ্রে। মীওইবগী পুন্সিগী জুরা-পোপা কায়বা নুমিত্তা লৈহৌরিবা মপাংগী থম্মোই লাইয়ুম কায়খিবগী মৈচাক্তু মাইব্যা তাম্রসিংহনা ফংলমগদ্রা খঞ্জে। অদুবু অহল ওইশিল্লক্নু হায়দুনা খাম্বা য়াবা নত্তবনিনা চহি কুমওনগী চৈথা চাদুনা মাইব্যা তাম্রসিংহ চহি ৭৮ লাল্লক্লে, চহি ৭৯ চঙলক্লে। লেপ্তনা হৌখিবগী মায়কৈরোমদা ওনশিন্দুনা চঙশিল্লিবা মতমগী কাংখোঙনা শজিবুদগী কালেন, কালেন্দগী ঈঙা, ঈঙাদগী ঈঙেন, ঈঙেন্দগী থৱান পুরকখ্রে। থৱান থাগী শিথরকপা নিপাননী (থা মশাগী ২৩নি) পানবা নুমিত্তা শ্রীকৃষ্ণ জন্মগী ময়াম্না লাংনবা, মশূশিংনা শ্রীগোবিন্দগী মাণ্ডোপ (মহাক্কী ময়ুমগী য়েনখাদা লৈরে হায়বা য়ারে) তা মহাবলী হনুমান ঠাকুরগী লাইফমদা চৎননবগী লাংনবা অমসুং চৎলুবা হল্লক্লগা নীন্নবগী কুম্মেদু য়েংদুনা মাইব্যা তাম্রসিংহ নুংঙাইহিরি। মহাকসু অথোইবা কৃষ্ণ ভক্ত অমনি, শ্রীগোবিন্দবু চেৎনা নীঙজবা মীশক্লি। অদুঙৈ জিলা দরবারগী শিলচরদগী কংলা য়ৌনা চেল্লক্লগা

শ্রীগোবিন্দজীগী লৈমন নির্মল্যবু মশাগী ইন্নফিনা য়োন্নগা শমু মঙকশমদা পুন্নগা অমুক হন্না শিলচর তান্না খোঙ-লমজেল চেল্লগা মবুংঙো নিংথৌদা কংলুবদু ঙসি কৃষ্ণ জন্ম নুমিৎসিদা মাইব্যানা নীঙশিঙলকপগুম তৌখি।

পুন্সিগী মতম্না য়াচঙলক্লবা মাইব্যা তাম্রসিংহ, সেকমাই লাবন্যগী কুম (শক ১৮৩৪) অসিদা মশাগী চহি ৭৯ (হুম্ফুতরা মাপন) মপুঙ লেপ্লবনি। ঈরাং পুবী থৱান থানা হৌখিদুনা খারী লৌবুক্কী লৌচী কোয়ঙমদবা থা, কোরৌ মৈশা কনবনা লৌরাংকানদা লৌফম লৌয়েং'ঙমদবা লোইদাম্না হৌগৎলকপদা তেৎনৌ য়োৎনা শাবনি খল্লম্না মহাক্কী শমু মহকশাং তাইবং-মপুনা তাইবং থৱাই চেক্লাবু মহনফম হন, মতেফমদা তেনা মোংবা য়ুমদা হল্লসি' হায়না পাউজেল পীরকপগুম মঙম ময়েং তানা চোকথবগুম তৌরকখি। চাক্কী-ঈশিংগী মমলনি, নোংমা নিনী লৈরগা মহঞ্জরক্কনি, পাঙ্গল মথেন ফাজরক্কনি খনবু লাংবন থাসিগী ১০নি পানবা থাঙজা নুমিৎ, লাংবনগী সংক্রান্তি (Union of planetary passages in Langban) নুমিৎসি নোংথিলগী য়ুথক মতমদা মরৈপুঙ-মরৈকায় শঙ্গায়পাৎ মরূদগী পছুক, য়োংলান লম্বী মায়য়োক লমদমগী কোল্লোই মশঙ্গায়গী শুম্মাঙ মথৌবুঙদা অরোয়বা নিংশা হেন্দোক্লুনা য়াইবী থৱাইনা শ্রীগোবিন্দগী রাসমণ্ডলদা লৈরাং লৈনম ওইনা তীনখিরম্মী। মহাক্লা নোঙ্গাখিবসিগী ঈ-পাউ ওইনা থম্বীরিবদি—

> (মাইব্যা তাম্রসিংহনা মৈতৈ লৈমগী মালেম উক্লক্লা তীন্না নোঙ্গাখিবা)

...সেকমাই লাবন্যগী কুম শক ১৮৩৪ ...লাংবন থা ...১০নি থাঙজ (খৃঃ ১৯১২ গী সেপ্তেম্বর তারিক ২১) দা লাংবনগী সংক্রান্তি হৌএ। অদু নুমিত্তা মাইব্যা মেঞ্জোর শিএ [মথক্কীসিদা, ৫৬৮]।

অসিনি। মহাক্কী থৱাইনা য়াইবীরেনগী নাক্তা হনপ্রবনা থৱাইনা হুন্দোক্লুন্নবা হকচাংদু মহাক্লা চৎচ-ইঞ্জবা ধর্ম্মগী চৎন-লোনচৎকী ৱায়েন মতুংইন্না ময়ুম-মকাইফম হিঙ্গোন/ঈংখোনসিগী মচী অমদা খাম্বী মৈদা কত্তুনা মহাক্কী মচাঙ্গীবুংঙোশিংনা মথৌ-মঙম তৌজখি। অসুন্না ইতিহাসকী মতম তাংকক অমগী থৌদোক অমদা নুপা ওইবগী মতীং ফুদোক্লুনা মমালৈপাক, মনিংথৌ অমসুং মহাক্কী মজাতীগীদমক্তা শাংলবা লমজেন চেনখিবা মাইব্যা তাম্রসিং অথৌবা

পুন্সিগী লৈরাং কেনখিদুনা লৈনা চোয়না তাখিবা, মৈতৈ লৈমগী লৈপাক লৈখোম, লৈহাউ অমদি ঈশিংনা শাবা হকচাংদু পোৎশী-পোৎখাইদোক্তুনা মহাক্না নুংশিজবা মমা মৈতৈ লৈমগী উফুল্লক্তা তীঞ্জখি। অদুবু মতমগী তোর্ব্বান্দা লেপ্তুনা হৌখ্রবগী নোংমা অমদা মহাক্না লাউরমখি– 'নহা-দে, মাইব্যা তাম্রসিংহ-দে, মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি মদাইরেম, মৈতৈ লৈমা ঈমাগী মপারীদে, নোংমদা পোকপা মচানা নিনীদা শিবা হৌনদে, হে কাল! মতম কৌবা লাই! নঙগা ঐগা চেন্নসি কনানা ঙম্বগে য়েংনসি, শ্বা'–।

ব্রাখোম-ব্রারোয়

মাইব্যা তাম্রসিং, মাইব্যা খেলান্দো অমসুং চিরোম চনু থোইনুগী অনিশুবা মচা অতোনবা, মশাগী মরাইবক মশানা শেমখিবা মৈতৈ জাতী অথৌবা মপারী অমনি। মহাক্কী পুন্সিগী মরুওইবা অতৈ ব্রাফমশিং থমখ্রগা মহাক্না মৈতৈগী মবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ (খৃঃ ১৮৫০-৮৬) গী অনীঙবা থুংনবা অমসুং মায় পাকপা ফংনবগীদমক্তা কছাড়গী শিলচরদগী মণিপুরগী ইম্ফাল কংলা ফাওবগী মাইল ১৩২ (কিঃমিঃ ২১১.২) শাংবা লমশাংবু নুমিৎ হুমনি (খৃঃ ১৮৭৪গী আগষ্ট তাং ৮ দগী ১০ ফাওবা) গী মনুংদা তুম্বা-চাবগীনচিংবা মতম কাইথোকখ্রগা পুং ৬০ রোমগী মতমদা চেনখিবা মী, মহাক্কী খোঙজেনগা মতম্না হৌজিল্লকপগী খোঙজেনগা লমজেন তান্নখিবসিগুম্বা থৌদোকসি, মালেমসিগী ইতিহাসতা তাবা ফংজদ্রি। মালেমসিদা লমশাং-লমজেনগী মতাংদা খ্বাইনা খঙনরিবসি মরাথোন (Marathon) হায়বসিনি। হায়রিবসিগী ইশিন্দুনা থমহৌবা ব্রারোন্না পীবীরিবদিঃ

MARATHON—

Long-distance footrace run on an open course of 26 miles 385 yard (42.2 km). First held at the revived Olympic Games in 1896, it commemorates the legendary feat of a Greek soldier who is said to have run from Marathon to Athens in 490 B.C., a distance about 25 miles (40 km.) to report the Greek victory at the Battle of MARATHON, after which he dropped dead. Marathon today are usually open events for both men and women, often run by thousand of

participants, including the venerable Boston Marathon (established in 1897). The women's Marathon became an Olympic event in 1984. [E.E.B., 2005, 168]

Marathon, Battle of (490 BC)—

Decisive battle on the plane of Marathon outside Athens in the PERSIAN WAR. Darius I led his enormous army against a much smaller Athenian force led by MILATIADES. The Athenians attacked with great speed while the persian cavalary was absent, devasting the Persian line and resulting in Darius's departure from Greece. The victory was overwhelming. 6400 Persians but only 192 Athenians died. It is said that a messenger ran about 25 miles (40 km) back to Athens where he announced the victory before dying of exhaustion (see Marathon). In another version, an Athenian runner was sent to Sparta before the battle to ask for help, running 150 miles (240 km.) in two days; Sparta refused, so Athens fought with help only from Plataea. [ibid, 168].

অসিনি। হায়রিবা অসিগী পীরিবা ৱাফমসিদা এথেনিয়ান (Athenian) শিংগী মারাথোন্দগী এথেন্স ফাওবা চেনবগী লমজেনসি 'Legendary Feat' হায়দুনা মাইল ২৫ (কিঃমিঃ ৪০) গী লমজেন্দু চেল্লক্লগা মশা শি হায়না পীরি। মসি ইতিহাসকী ঘটনা (Historical event) নত্তে, লাই-তীনগী নৎত্রগা লাইওই-তীনওইবগী শাগৎ'-ৱারী (Legend/myth) নি, ফিক্সন নৎত্রগা রোমান্টিক টেল (Fiction or romantic tale) নি, ৱাখলনা শুংবা ৱারী-শীঙবুননি। অদুগুমদুনা চপ মান্নবা থৌদোক্কী মমাঙগী থৌদোক অমদা মাইল ১৫০ (কিঃমিঃ ২৪০) নুমিৎ নিনি (পুঙ ৪৮) গী মনুংদা চেলহল্লিবসিসু চপ মান্নবা লিজেণ্ডরী ফীট (Legendary Feat) নি। লাই ৱারী, লাইওই-তীনওইবগী ৱারী-শীঙবুন হায়নসি/লীনসি হায়রবদি মোইরাং কংলৈ ঈশৈ শৈরোনগী খম্বা অমসুং নোংবান্দু মাইল ৫০০ (কিঃমিঃ ৮০০) গী লমজেন চেনখি হায়বা য়াই, অচুম্বদুদি কনানা খঙজগদবগে, হায়নসি হায়বদগী হায়বগী ৱানি। অদুগা লিজেণ্ডরী

এথেনিয়ান লমজেল্লোইদুদি লমথুংফম য়ৌরগা পাউ তল্লল্লগা শিখি, ঐখোয়গী ইতিহাসকী, খৃঃ ১৮৭৪ গী আগষ্ট তাং ৮-১০ গী মাইল ২৬৪ (কিঃমিঃ ৪২২.৪) গী লমজেল্লোই মাইব্যা তাম্রসিংহদি শিখিদে, থৌদোক্তুগী মতুং চহি ৩৮ (১৯১২-১৮৭৪) শাংথনা হিংলমখি।

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী ভারতবর্ষগী গোভনর-জেনরেল লোর্ড নোর্থব্রুক (খৃঃ ১৮৭২-৭৬) কা লৈঙাক্লোনগী ৱারীদা বৃটিশকী লল্লোন-ঈতীক্কী ৱাফম হাপচিন্দুনা মখোয়গী ত্রেডিং/কমর্সিয়েল ডিপোট (Trading/Commercial Depot) শানবা থিবোমৈগী লম নীবা অমসুং মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা অঙম-অরায় খঙদনা মমল লৌদনা থিবোমৈ/কোহিমাগী লম পীথোকখিবগী কছাড় জিলাদা উন্নবগী জিলা দরবার অসিদা নুপামচা থৌদাং উৎখিবসি লৈশং যাত্রানা খুৎমাবনি, মাইব্যা তাম্রসিংহনা মমৈ নৎত্রগা পোলোয় খোম্বনি। বামোন কোনোক লৈশং যাত্রাগীদি পাইরক্কী লৌশিঙ, হকচাংগী ফিবম পুবা হৈবা অমসুং মিৎকুপ নাহুম শিঙবনি; অদুগা মাইব্যা তাম্রসিংহগীনা হকচাংগী পাঙ্গলগা লাইবক নোংদমগা চাংয়েংনবা, মতমগা পুক্নীঙগী অনীঙবগা হিদান্নবা অমসুং থৌনা-লীংজেন/কষ্টীগা অখাঙ-কনবগা চায়নবনি। অদুবু মখোয়না মরু ওইনা মাইব্যানা পীরিবা ঈ-পাউদি মপু নীঙবা, মরৈপাক মজাতীগীদমক্তা শিদোকখিবদা থৱাই পামুদবা অমসুং শিবা কিরবসু শিগনি, শিবা কিদ্রবসু শিগনি, শিবা হায়বসি শুপশোয় শোয়দনা শিগনি, পোক্লকপা নুমিত্তগী লমন তোন্দুনা লৈরক্লবনি, অদুবু শিবা কিদবনা মায় পাকপা ফংবগী পাম্বৈনি— হায়বশিং অসিনি। মাইবমচা তাম্রসিংহদি শিগ্রে অদুবু মহাক্কী শিবা কিদনা কৈনা থনবা চীঙগী উমং-ৱামংদা মতোমতা চৎপা, ওন্থদুনা শিবা য়াবা অঙম্বা তোর্ব্বান্দা লেপ্তুনা মহাক্কী মমিং থাবা মায়পাক ফিরান হাইদুনা লৈরি, মতুংদসু অদুনি লৈখিগনি।

মাইব্যা তাম্রসিংহ, য়াম্না ঙাওনা মীকি-লাইকিদনা হৌরকখি, মীনা মঙোন্দগী করি অমদা থোইখিবা য়াদে, মহাক্কী তালোই থিবা ফাওবদা শীঙনবগী থৌওঙ থৌদৌদা অঙাওবা, শাথীরবা শল্লাবা অমা লাকপদগী ওইরকখি। মহাক শামী লান্মীগী ফমদা সিফাইদগী সুবিদার ফাওবা পরীং নাইনা কাখি অমসুং মৈতৈ সিফাই লান্মীগী সুবিদার অমা ওইনা মৈতৈ নীঙতম-লাঞ্জাও (Anglo-Manipuri War, 1891) দা মৈতৈ মজাতীগী মীচঙদা লান য়াওখি। অৱাং

মায়কৈগী লাল্লমদা বৃটিশকী মণিপুর ফিল্ড ফোর্সকী কোহিমা কোলমগা কৈথেলমানবী (অৱাংলমগী সপর্মৈনাগী মথক্তা লৈবা) দা মৈতৈ লান্মীগা চহিসিগী এপ্রিল ২৪ দা লান শোক্লখি, বৃটিশনা লান ঙমখি। মতুংদা মণিপুর বৃটিশনা চহিসিগী থাসিগী ২৭ তা লৌগ্রবদা লানগী লানফা/বন্দি ওইনীঙদদুনা থা ৬ লোম নোংমাইজীঙ চীঙদা লোৎখি অমসুং তুম্ফম-চাফম খঙদবমখৈ মীরোৎ ওইখি।

মৈতৈ নীঙতম লান মতুং থা ৬ লৈরগা মহাক মেজর মেক্সৱেলদা সরেন্দর তৌখি। বৃটিশনা নীঙ-মাঙ অমসুং নাক-য়েৎ-ওয় পুন্নমক য়েংলগা মখোয়গী শীন্মী ওইনা লৌশিন্দুনা থবক তৌহনখি। মসিদগী মহাক মতমদুগী মণিপুরগী পুলিশ সার্ভিস (Police Service) তা মেজর ফাওবা ওইখি। অসুম্না পুলিশ সার্ভিসসিদা চহি তরারোম থবক তৌরম্লগা মহাক পুলিশ সার্ভিস থাদোকখি।

মাইব্যা তাম্রসিংহনা খৃঃ ১৯০৭ তগী মীচম-মীয়ামগী শীল্লমদা এডিসনেল দরবার মেম্বর (Additional Darbar Member) ওইখিরম্মী। অৱাংবা থাক্কী ফম অসি মহাক্না চহি কয়া পায়রম্বগে হায়বদুগী চপ চাবা মতম খঙঙমদবগী লৈরোন্নুংদা লৈরি। ফম অসি মহাক্না মশা শিবা ফাওবা পায়খিব্রা হায়না খঞ্জে মরমদি মহাকসি বৃটিশ ওফিসারশিংনা, মরুওইনা পোলিটিকেল এজেন্টশিংনা য়াম্না চাল্লি অমসুং হায়রিবা দরবার মেম্বরগী ফম অসি দরবারসিগী প্রসিডেন্ট [মহাক্কী মতমসিদা সার চুরাচান্দ সিংহ (খৃঃ ১৯০৭-১৬) না ওই, ভাইস-প্রসিডেন্টনা W.A. Cosgrave, Esq. I.C.S. (1907-16) না ওই] না পোলিটিকেল এজেন্ট [মহাকপু হাপ্লীবা Col. J. Shakespear C.I.E, D.S.O, I.A, (1905-08 & 1909-14) অমসুং মরক্তা A.W. Davis, Esq. I.C.S. (Officiating 1908-09) না ওই] কী অইবা পুক্নীঙগী ৱাফম য়াওদনা লৌথোকপা ঙমদে [Lm. I.S., 1987, 40]। অদুবু হৌগ্রববু থাঙ থাবগী ৱাফম্নিনা শোয়ররোয় হায়নীঙাইদি লৈতে।

মাইব্যা তাম্রসিংহ পুন্সি নোংশাংনা পুন্সি খোয়রেন য়ৌনা মণিপুরগী মৈতৈ প্রজা অমা ওইনা চহি ৭৯ (হুন্ফুতরা মাপন) অহিংবা থৱাই অমসুং অচঙবা য়াইবী ওইনা হিংলম্লগা শকাব্দ ১৮৩৪ গী লাংবন ১০নি পানবা থাঙজা, গ্রীগারিয়ান কুমশীঙ ১৯১২ গী সেপ্তেম্বর তারিক ২১ দা মহাক মশাগী ময়ুম

হৌজিক্কী ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবী লৈরিবা অসিগী মনাক্তা লৈরম্বা মহাক্কী ঈংখোলদা শাবা যুমদা মহাক্কী ঈমুং-মনুং, মচা-মশূনচিংবা পুম্নমক থাদোক্তুনা নোঙ্গাখি। মহাক্কী থৱাই য়াওদ্রবা হকচাংদু মহাক্কী ঈমুং-মনুংনা শিন্দুনা মখোয়গী ঈংখোল মচী অমদা মহাক্লা চৎচরম্বা ধর্ম্মগী ৱায়েন্দা সংস্কার তৌরগা মহাক্কী হকচাং তুমখিবগী উৎ অদুনা মণিপুর ঈমাগী উফুল্লক্তা তীনখি।

~~~~~//~~~~~

ৱারী-ৱাখোঙ উৎচবা

(ক) মৈতৈলোন অফোঙবা লাইরিকশিং—

১) চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫	=	লাইময়ুম ✓ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহঃ চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল-২০০৫)
২) মঃসঃকঃ, ১৯৯৪	=	মণিপুর ষ্টেট কলা একাডেমীঃ শাগৈ শলাইরোন (ইম্ফাল— ১৯৯৪)
৩) রাঃকুঃসগুঃ ১৯৮০	=	রাজকুমার সনাহল সিংহ; গুনেশ্বরঃ সৎজাল (ইম্ফাল— ১৯৮০)
৪) খঃচঃসঃ ১৯৭৫	=	খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহঃ লোইয়ম্বা শীনয়েন (ইম্ফাল— ১৯৭৫)
৫) নিংঃখঃসঃ, ১৯৮৭	=	নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহঃ ফমলোন (ইম্ফাল— ১৯৮৭)
৬) নঃশঃ, ১৯৬০	=	নন্দলাল শর্ম্মাঃ মৈত্রবাক (ইম্ফাল— ১৯৬০)
৭) রাঃকুঃসগুঃ ১৯৭০	=	রাজকুমার সনাহল সিংহ; গুনেশ্বরঃ সৎজাল (ইম্ফাল— ১৯৭০)
~~~~~

৮) ওঃভঃ, ২০০১ = ওয়নাম ভোগেশ্বরঃ চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা (ইম্ফাল– ২০০১)

৯) রাঃকুঃসঃ ১৯৭৩ = রাজকুমার সনাহল সিংহ; বিঃকমঃ বীর টেকেন্দ্রজিৎ সিংহ (ইম্ফাল– ১৯৭৩)

১০) ডাঃলঃচঃ, ১৯৭০ = ডাক্তর লৈশাংথেম চন্দ্রমনি সিংহঃ মণিপুর ইতিহাস (ইম্ফাল– ১৯৭০)

(খ) মৈতৈলোনগী খুৎই লাইরিক

১) চঃজিঃচঙঃ, খুঃলাইঃ = চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা, খুৎই লাইরিক

২) লাইঃ ফমঃ, খুঃলাইঃ = লাইশ্রা ফমলোন, খুৎই লাইরিক

(গ) ঈঙ্গ্রেজী লাইরিকশিং

1) B.N., xxx or Basanta N. xxx = Ningombam Basanta: The Historic Run of Maibam Tamra Singh (Imphal - xxx)

2) D.R.B., 2001 = Dr. R. Brown: Statistical Account of Manipur (Delhi-2001)

3) L.J.S., 1995 = Laishram Joychandra Singh: The Lost Kingdom (Imphal 1995)

4) M.A.R., 1873-74 = Manipur Administration Report, 1874-75

5) E.W.D., 1981 = E.W. Dun: Gazetteer of Manipur (Delhi-1981)

6) N.K.S., 1983 = N. Khelchandra Singh: The Battle of Khongjom (Imphal-1983)

7) Artchison, B.C.S. = A Collection of Treaties, Engagements & Sanads by Artchison. B.C.S. Vol.-XII

8) Lm. I.S., 1987 = Lairenmayum Ibungohal Singh: Introduction to Manipur.

9) E.E.B., 2005 = Editors of Encyclopedia Britanica: Concised Encyclopedia Britanica (Delhi-2005).

এপেনডিক্স-১

মণিপুরগী নিংথৌ রাজা গম্ভীরসিংহনা বৃটিশ সরকারগা মণিপুরদা বরাক তুরেলগী নোংপোক অমসুং নোংচুপকী বন্দা লৈবা চীংশাং অনি অসি পীখিবগী মতাংদা য়ানখিবা সন্ধীগী অনুবাদ, তাং ১৮ এপ্রিল ১৮৩৩ (আইচিসন, খোমজিল্লগা সন্ধীশিং অসিনচিংবগী ভোলুম ১, পার্ট ১ লমাই ১২৩-১২৪)।

গভর্নর জেনরেল অমদি হিন্দুস্তানগী সুপ্রিম কাউন্সিলনা অসুম্না লাউথোক্লিঃ– কলানাগা অমদি নুনজাই হায়রিবা বরাক তুরেলগী নোংপোক অমদি নোংচুপ থংবা বন্দা লৈবা চীংশাং পরেং অনিসিগী মতাংদা ওনরেবল কম্পানিনা ক্লেম তৌরম্বশিং অদু থাদোক্লগনি, অদুগা হায়রিবা চীংশাংশিং অসি মণিপুরগী নিংথৌদা পীরগনি, অদুগা তুরেলগী মরিল অমদি বরাক তুরেলগী নোংচুপ থংবা বন্দ অসিনা মহাক্না মখাদা পীরক্কদৌরিবা ৱারমশিং অসি য়াবিরবদি মহাক্কী নোংচুপকী সিমানা ওইগনি।

১বা। রাজা অসিনা ৱাফম অসি হেক খংবগা পন্থবা তৌদনা চন্দ্রপুরদগী মহাক্কী থানা লৌথোকখিগদবনি অদুগা মসি জীরি তুরেলগী নোংপোকথংবা তোর্ব্বান্দা হোংগদবনি।

২বা। রাজা অসিনা বঙ্গালি নৎত্রগা মণিপুরী ললোনবা চৎপশিংবু মখোয়গী ললোনবা অদুদা অথিংবা পীরোইদবনি। মহাক্না মাসুল য়াম্না লোইরোইদবনি অদুগা ললোন পোৎশিং অমত্তসু মহাক্কী ওইরোইদবনি।

৩বা। রাজা অসিনা কলানাগা অমদি নুঙ্জাই চীংশাংদা তোংবা নাগাশিংনা লশিং, মোরোক, শিং, অদুগা লম অসিদা ফংবা পোৎ খুদিংমক মখোয়না মহৌশানা তৌবগুম্না বাঁসকান্দিদা অমদি উধারবোনগী কৈথেলশিংদা অমদি কছাড়গী তম্পাক্তা য়োনবা অমদি লৈবা মতমদা অথিংবা পীরোয়দবনি।

৪বা। জীরি তোর্ব্বান্দগী হৌরক্লগা কলানাগা অমদি খৌপুম চীংশাং ফাওরগা মণিপুর তম্পাক তাখিবা লম্বী অসি শেন্বা লোয়রবা মতুংদা নোংজু নুংশা অনিক্তা ষণ গাড়ী মপোৎ থন্না হাপ্লগা চৎপা য়াননবা মণিপুরগী নিংথৌনা শেমগদবনি। অদুগা লম্বী অসি শেন্বা মতমদা বৃটিশ ওফিসারশিংনা লম্বী অসি য়েংননবা অমদি তাক্লনবা লাক্লবদি রাজা অসিনা ওফিসারশিংনা হায়বা অদুদা য়াগদবনি।

(৩) অৱাংলোমদা কবো তম্পাক্কী ঙমখৈদা লৈবা হায়রিবা চীংশাং অসিগী চীংখোংদগী হৌরক্লগা নোংপোক পাংনা চৎখিদুনা অহানবা চীংশাং পরেং অদু ফাওবা, অদুগা চোইতর, নুংব্রি অমদি নুংঘুর হায়বা মণিপুরীশিংনা লুহুপ্পা হায়না কৌবা অদুগা বর্ম্মীজশিংনা লাগৱেনশাং হায়বা জাৎ হৌজিক্লা মণিপুরগী মখাদা লৈরবা লম অসি ফাওবা।

৫বা। বর্ম্মীজগী কম্মিস্নারশিংনা ৱাশক্লি, মদুদি হৌজিক মখোয়দা পীথোক্লবা লম অসিদা ঙাক শেন্দুনা লৈগদবা ওফিসারশিংদা মথক্তা য়াৎখিবা সিমানা অসিগী মনুংদা লৈবা মণিপুরগী প্রজা ওইখ্রবা খিয়েন্স অদুগা অতোপ্পা মীওইশিংদা ওৎ নৈহন্দনবা য়াথং পীগনি অদুগা বৃটিশকী কম্মিস্নারশিংনসু হৌজিক য়াৎখ্রবা বর্ম্মাগী মনুং চনখ্রবা লমশিং অসিদা লৈবা খিয়েন্স নৎত্রগা অতোপ্পা মীওইশিংদা ওৎ-নৈদনবা মণিপুরীশিংদা য়াথং পীগে হায়না য়াগনি।

(মুহোর) সহি/- এফঃ জেঃ গ্রান্ট, মেজোর
(মুহোর) সহি/- আরঃ বিঃ পেম্বরটন, কেপ্তেন } কম্মিস্নার

সন্যাচিল ঘাট, নিংথি, ৯ জনুৱারী ১৮৩৪।

—)O(—

APPENDAGE-1

য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ হিংলিব্রা নৎত্রগা হিংদ্রবরা?

“য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ (The Treaty of Yandaboo, 1826)” হিংলিব্রা, হিংদ্রবরা? হায়বা ৱাহংসিগী পাউখুম পীনববগী খোঙজঙদা চঙশিল্লকপগী ৱাফম অমসুং ৱারমশিংগী পরমদা লৈরিবা “য়ান্দবূ” হায়বসি মমাঙগী মতমদা বর্মা (ব্রাম্মা/ম্যান্মারদগী থৈথল্লকপা) কৌরম্বা হৌজিক (খৃঃ ১৯৬২ দগী ২০১২ ফাওবা) না ম্যান্মার কৌরিবা, মনীঙ-মখা তম্বা অমসুং মশা মতোমতা লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদা তৌজবা জাতি অমগী মরৈবাক/লৈপাক্কী মন্দলে ডিভিজনগী মনুং চন্না অৱা সহরদগী খারোমদা কিঃমিঃ ৮০ (মরিফু) রোম লাপ্পা লৈবা সহর মচা অমনি। অদুগা হায়রিবা “য়ান্দবূ ত্রিটী [য়ান্দবূ সন্ধী (য়ান্দবূগী তাইশিন-য়াশিন্নবা/তেশিন্নবা)], ১৮২৬” হায়বসিনা য়ুরোপ মহাদেশকী য়ুনাইটেড কিংদম [United Kingdom (U.K.)] নৎত্রগা বৃটিশ/বৃটান্নিক এম্পয়ার [British/Britannic Empire (B.E.)] গী লল্লোন-ঈতীক্কী লুপ বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনী [British East India Company (1599/1600-1856 A.D.)] গা এসিয়া মহাদেশকী বর্মা/ব্রাম্মা নৎত্রগা বর্মীজ/ম্যান্মা এম্পয়ার (Burmese/Mymma Empire) গা খৃঃ ১৮২৪ দগী খুৎ থোক্লদুনা চহি অনিরোম লান শোক্লরকপদগী তাইশিন-তেশিন্নদুনা বর্মা লৈপাক্তা শান্তি পুরক্লনবা অমসুং লীংননবগী ৱাফমদা য়ানবা পুরক্তুনা য়ান্দবূ সহর অসিদা অইবা ৱারোল শেম-শারগা খুৎয়েক খুদম থম্লখিবা (সহি তৌনখিবা) গী যুক্তি/সন্ধী নৎত্রগা ত্রিটী অদুবুনি। হায়রিবা চহি ১৮৬ (চামগা মরিফুতরুক, খৃঃ ২০১২ দা) হৌখ্রবা ত্রিটী অসিদা য়াওরিবা/পীরিবা ৱারোলশিংগী ৱাফম/

ৱারমশিং অসি হৌজিক্কী মতমসিদা চৎনবা য়ারিব্রা নৎত্রগা চৎনররোয়দ্রা হায়বা ৱাফমসিদা অমুক হন্না নৌনা থিজিন-হূমজিন্দুনা পাউখুম পুথোকপা অদুবুনি, ৱাহংসিনা পান্নিবসি। অদুবু পাউখুম অদুগী অপেনবা নৎত্রগা পেন্দবা অদুদি পান্নিবদুগী মরুম থুপ্পুনা লৈ, মরমদি ঙরাং হায়বদুদগী ঙসি হায়বসি পোল্লক্লিবনি হায়বসি কাউথোকপা হায়বসি মীওইবগী শাগোন্নরিবা লমচৎনি।

ত্রিটী করিনো?

"ত্রিটী করিনো" হায়বসি য়ান্দাবু ত্রিটী হিংলিব্রা-হিংদ্রবরা, হায়বা ৱাহংসিগী পাউখুম পুথোক্লবা হোৎনবদা খঙদবা য়াদ্রবা অমসুং চঙদবা য়াদ্রবা মচাক অমনি। ঈঙ্গ্রেজীগী ৱাহৈ, জুরিসপ্রুডেন্স (Jurisprudince) কী মমল য়াওবা ৱাহৈ অসিনা খঙনগদৌরিবা ওইনা পীবীরন্নিবদিঃ-

TREATY– (i) – Formal agreement between two or more nations–

or [HM. & DN., 1989, 192]

(ii) – In International law a compact made between two or more independent nations with a view to the public welfare.

[SL.S & UN, xxx, 294].

অসিনি। অদুগা মথক্কী ৱাফম অনিসিদা পল্লিবা ত্রিটী তৌনবদা চঙলিবা "নেসন/জাতি (Nation)" হায়বসি হেক্তমক ঈচম চন্না থাদোক্লম্না য়াদ্রি অমসুং মসিগীসু খ্বাইগী ওইনা ঈচম চন্না খঙনবা ৱাহন্দোক (Meaning of/in general sense) অমসুং ৱায়েল কাংলোনগী ওইবা মচৎকী ৱাহন্দোক (Formal/Legal interpretation) লৈরি। হায়রিবা অনিসিদিঃ–

1) Meaning in General Sense:–

A Community of people having mainly common descent, history, language, etc. forming State or inhabiting territory [J.B.S., 1984,637].

2) Interpretation in Formal/Legal Sense:–

A political group having a government and people distinct from all others, organised for the purpose of procuring mutual safty and advantage. — [HM. & DN., 1989, 127].

অসিশিংসিনি। মরম অসিনা বর্মীজ নৎত্রগা অৱা লৈপাক্কী মীশিং অমসুং বৃটান্নিক মচা ঈংলিশশিং অনিমক অসিনা ত্রিটী তৌনবা য়াবা জাতি অমমম ওইদুনা মখোয়গী মীহুৎশিংনা য়ান্দবূ ত্রিটী সহি তৌনখ্রিবনি।

য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ কী শক্তাক-ৱা

য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ কী শক্তাক-ৱা নৎত্রগা মশক খঙহন্নবগী ৱারম অসি ত্রিটী মশামকসিদা ৱাহৌদোক অমা ওইনা হাপ্লি। অদুবু হাপ্লিবদু নত্তবা শক্তাক-ৱা অদুদিঃ–

The Treaty of Yandaboo, Feb. 24, 1826

Treaty of peace between the Honourable East India Company on one part and His Majesty, the King of Ava on the other, settled by Major General Sir Archibald Compbells, K.C.B. & K.C.T.S., commanding the expedition, and Senior Commissioner in Pegu and Ava, Thoms Campbell Robertson, Esquire, Civil Commissioner in Pegu and Ava and Henry Ducie Chadds, Esquire, Captain Commanding His Britannic Majesty's and the Honourable Company's Naval Force on the Irrawaddy River, on the part of the Honourable Company: and by Mengyee -Mahah-Men- Hlah-Kyan-ten Woonguee, Lord of Lay-Kain and Mengyee Mahah-Hlah-Thoo-Atween-Woon, Lord of the Revenue, on the part of the King of Ava; who have each communicated to the other their full power agreed to and executed at Yandaboo in the Kingdom of Ava on this Twenty-fourth day of February, in the year of our Lord, One Thousand Eight Hundred and Twenty-six, corresponding with the Fourth day of the

decrease of the Moon, Taboung in the year, One Thousand one One Hundred and Eighty and Seven Gauda Era [N.N.A., 1983, 53-54].

অসিনি। অদুগা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ হায়বসি বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী লল্লোনবা মীওইশিংগা বর্মীজ/গ্রান্মা এম্পয়ারগী এম্পররগা নৎত্রগা মায়কৈ/কাংবু/খুৎ অনিমকসিগী ওইনা মাগী মাগী মীহুৎশিংনা অইবা ৱারোল ইবা চেদা সহি/সাইন (Sign) তৌনবা ওইরবসু মসি বৃটিশ/ঈংলিশ/ঈঙ্গ্লেজ জাতিগা অমসুং অৱা/বর্মীজ/গ্রান্মা/ম্যান্মা জাতিগা জাতি অনিসিগী মরক্তা/মনুংদা তাইশিন-তেশিন্নবগী য়ানবা ৱাফম পুরক্কুনা য়াশিন্নবা সন্ধীনি। অদুগা সন্ধীসি তৌনরিবা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনী নৎত্রগা মখোয়গী মীহুৎশিংসিনা বৃটিশ/ঈংলিশ নৎত্রগা কেল্ট (Celt/Kelt) জাতিগী মহুৎ শিনবনি, হায়না লৌগঙ্গবনি, মরমদি বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনী হায়বসি খৃঃ ১৫৯৯ দা কেল্ট মচা খরনা লীংখৎলগা মতমদুদা য়ুনাইটেড কিংদমগী লৈঙাক্লিবা কেল্ট/বৃটিশ গোভর্নমেন্ট অদুদা রেজিষ্টার তৌখিবনি, অদুগা কম্পনি অসি হায়রিবা বৃটিশ গভর্নমেন্ট অদুদগী খৃঃ ১৬০০ তা– "Right of Exclusive Trade in the East by a Royal Charter"– ফংখিরম্মী [R.C.M., 1979, 190]। মসিগী লমদাংদা লৈরিবা চাওরাকপা ৱারোন্দি–

...in 1599 John Mildenhall, a merchant of London, came to India by the overland route and spent seven years in the East. It was on the 31st December, 1600, that the first important step towards England's commercial prosperity was taken. On that memorable day the East India company received a charter from Queen Elizabeth granting it the monopoly of eastern trade for fifteen years. At first the company dispatched "seperate voyages" each fleet being sent by a group of subscribers [M.R.K., 1978, 628]।

অসিনি। মরম অসিনা কম্পনী অসিনা বৃটিশ ইম্পরিয়েল গোভর্নমেন্ট, হায়বদি, য়ুরোপকী য়ুনাইটেড কিংদমগী গোভর্নমেন্টনা য়োক্লিবা, স্পোন্সর (Sponsor) তৌরিবা অমসুং সপ্পোর্ট (Support) পীরিবনি। হায়রিবা ৱাফমসি খৃঃ ১৮২৬

কী য়ান্দবূ ত্রিটীসিদা সহি তৌনবদা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী মায়কৈদা কম্পনীসিগী মীহুৎ ওইনা য়াওরিবা– "Henery Ducie Chadds, Esquire, Captain Commanding, His Britannic Majesty's and the Honourable Company's Naval Force on the Irrawaddy River"– হায়বসিনসু সাক্ষী (Evidence/Witness) ওইরি। Henry Ducie Chadd অসি বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী লান্মীদা থবক তৌবা ওফিসার/সাহেব নত্তে, বৃটিশকী ইম্পরিয়েল/নেসনেল আর্মী/ফোর্সকী ঈশিং-লান্মী (Naval Army of the British/Britannic Imperial/National Army) গী কেপ্তেন নৎত্রগা কম্যাণ্ডিং ওফিসারনি। মরম অসিনা য়ান্দবূ ত্রিটীসি বৃটিশ/কেল্ট জাতি অমসুং বর্মীজ/ম্রাম্মা জাতি অনিসিগী মরক্তা তৌনখিবা ত্রিটীনি।

য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ কী মহৌশা (Nature)

য়ান্দবূ ত্রিটী, ফেব্রুয়ারী ২৪, খৃঃ ১৮২৬ হায়বসি লৈপাক শান্তি লীংননবগীদমক্তা তৌনখিবা শান্তিগী সন্ধী/যুক্তি (Peace-Treaty/Agreement/Negotion) অমনি। মসি, লৈপাক/জাতি অনিনা লান শোক্লবা লোয়রবা মতুংদা লৈপাক কাং-খোং চায়বগী নৎত্রগা জাতি অনিগী মরক্তা লৈনরম্বা য়েক্ল-য়েংথীনবা, মুক্লা-মুংনবা/মৌনবনচিংবদগী মহৌশাগী হান্নগী ফিবমদুদা হঞ্জিনহন্ননবা, অমুক হন্না লৈপাক মরা তপ্না পান্ননবা অমসুং হাৎন-শুনবা, থুগায়-য়ৈখায়নবনচিংবা তোক্লদুনা শান্তি লীংননবগীদমক্তা বর্মীজ অমসুং বৃটিশ কেল্ট জাতি অনিগী মরক্তা তৌনখিবা যুক্তি ওইবনিনা মসি শান্তিগী সন্ধী (Peace-treaty) মশানা ওইজরবনি। অদুগা হায়রিবা পিস-ত্রিটী অসিনা য়েক্ল-য়েংথীনদুনা, মুংনা-মুক্লদুনা অমসুং য়ৈন-খৎনদুনা লানশোক-লাছেংনবা বর্মীজ অমসুং বৃটিশ জাতি অনিমকপু তেশিন-তাইশিন্নহন্দুনা অমসুং অমগা অমগা য়ানবা পুরক্লুনা খুৎলাই থাদোক্লদুনা লান লোয়শিন্নহনখিবা অসি পৃথিবীগী, এসিয়াগী নৎত্রগা খা-নোংপোক এসিয়াগী ইতিহাসকী পরীংদা "অহানবা মলেস-ম্রাম্মা লাঞ্জাও [The First Anglo-Burmese War (March 5, 1824 to Feb. 24, 1826)]" হায়না কৌই। হায়রিবা লাঞ্জাও অসি ম্রাম্মা ইম্পরিয়েল গোভর্নমেন্ট (Imperial Government of Mramma/Burma) কা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী এডমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিল (Admin-

istrative Council of British East India Company) গা অনিগী মরক্তা ম্রাম্মা লৈপাক্কী মনুংদা লল্লোন-ঈতীক তৌনবগী লমদাংদা মুক্লবা, য়েক্ল-য়েংথীনবা অমসুং য়ানদবা থোক্লক্তুনা খুৎ থোক্লদুনা খুৎলাই পায়রকপদগী লাঞ্জাও অসি থোক্লকখিবনি [Article No. 7 of the Treaty itself]। অদুবু তশেংনমক্তি মসি য়ুরোপকী লৈপাকশিংগী লল্লোন-ঈতীক্কী ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীশিংগী মরক্তা বর্মীজশিংগী লৈপাক্কী পোত্থোক অমসুং কৈথেল মুন্নরকপদগী মাগী মাগী খুদোংচাবা লৌননবা অমসুং ফংননবা অৱা/ম্রাম্মাশিংদা তোংশিন্দুনা, মরু ওইনা ফ্রেঞ্চ, পোর্টুগীজ অমসুং স্পেনীশনা খুৎলাই পীশিনবা, খুৎশূ-খুৎলাই শীজিন্নবা তাকপী-তম্বীবা অমসুং লাম্ছেং-লানশোক্লবগী মহৈ-মশিঙশিং লান্দম্বীদুনা থোকহল্লক্লনবগী মৈফম লীংখৎখিবনি। মরমশিং অসিনা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী য়ান-ৱারোন-ৱাফম, আর্টিকল (Article) শিং অসিদা য়াওরিবা ৱারমশিং অমসুং ৱাশকশিং পুন্নমকসি মতমদুদা বৃটিশকা লল্লোন-ঈতীক্কী হিরম লমদাংশিংদা হিয়াঙ লমজেনগুম্না হিদান্নরি-লমজেন্নরিবা পৃথিবীগী লৈপাকশিং/জাতিশিং— "ফ্রান্স/ফ্রেঞ্চ, পোর্টুগাল/পোর্টুগীজ, হোলেণ্ড/হোলেণ্ডর (Holland/Hollander), নেথর্লেণ্ডস/ডৎচ (Netherlands/Dutch), ডেন্মার্ক/ডেন, নোর্মাণ্ডী/নোর্মান, স্কাণ্ডেনেবিয়া/স্কাণ্ডেনেবিয়ান, নোর্ৱে/নোর্ৱেগীয়ান, স্বিডেন/স্বিডিশ, স্পেন/স্পেনীজ, রুশিয়া/রুশিয়ান, অসিনচিংবনা অমদি বৃটিশশিংগী খোঙবু ওইনা হি হোনমিন্নদুনা লোইনা-তীন্নরিবা লৈপাকশিং/জাতিশিং— য়ুনাইটেড ষ্টেটস ওফ আমেরিকা নৎত্রগা অমেরিকান; কানাডা/কনাডিয়ান, থাইলেণ্ড (শ্যাম)/থাই(শ্যামীজ) নচিংবা; ইন্দিয়া (ভারত/হিন্দুস্থান)/ইন্দিয়ান (ভারতবাসি/হিন্দুস্থানী), অসাম/অসামী (অহোমিয়া), মনিপুর/মণিপুরী (মৈতৈ), কছাড়/কছাড়ী (প্রা-আরী/ডিমাসা),জয়ন্তীয়া/গাড়ো, ত্রিপুরা/ত্রিপুরী (জমাটিয়ানচিংবা), অসিনচিংবা; অমসুং বর্মা/বর্মীজ (ম্রাম্মা/ম্যাম্মা) শিংগী অরাপ্পা অমসুং ঈ-পাউ থাদোক-থাজীন, লৌথোক-লৌশীন তৌনরিবা লৈপাকশিং/জাতিশিং— লাউস (লাউজ/লাউটিয়ান, ভিয়েটনাম/ভিয়েটনামীজ, ইন্দোনেসিয়া/ইন্দোনেসিয়ান, মলেসিয়া/মলেসিয়ান, অষ্ট্রেলিয়া/অষ্ট্রেলিয়ান, সুমাত্রা, জাভা, বোনিওনচিংবগী ওসিনিক পীপলশিং (Oceanic people), চাইনা/চাইনীজ,টিবেট/টিবেটান, নেপাল/নেপালী, ভূটান/ভূটানীজ, সিক্কিম/সিক্কিমীজ, জাপান/জাপানীজ, অসিনচিংবনা খঙলিবনি, অদুগা মখোয়

খুদিংমক্কা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা (Directly or Indirectly) য়ান্দবূ ত্রিটীসিদা লৌখৎলিবা, য়ানখ্রিবা হিরমশিং অমসুং ৱারোল-ৱাফমশিংদুদা থল্লিবা/পীরিবশিং অদু মচা খায়না, ময়েক শেংনা অমসুং মমুৎ তানা খণ্ডনরিবনি অমদি শকখঙ-মায়খঙলিবনি। মরম অসিনা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ অসি অন্তরজাতিগী থাক্তা নৎত্রগা ইন্টর্নেসনেল লেভেল (International Level) দা অমসুং/নৎত্রগা য়ুনিভর্সেল স্তেণ্ডর্ড অমসুং ষ্টেটস (Universal Standard and Status) তা লৈবা পীস ত্রিটী অমনি।

য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ অসিবু হকথেংননা শকখঙ মায়খঙলিবসি ত্রিটীসিগী ৱারোল-ৱাফমশিং (Articles) বু অয়াবা পীদুনা সহি তৌরিবা মীওইশিংদুনা মহুৎ শিল্লিবা লৈপাকশিং/জাতিশিং অদুনি, হায়বদি ত্রিটীসি বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনী [মুৎথ্রবা, লৈখিদ্রবা নৎত্রগা মমিং হোংখ্রবদি মসিগী রেজিষ্টরিং ওথোরিটীনা রেস্পোন্সিবিলিটী লৌফম থোকই, রেজিষ্টরিং ওথোরিটী (Registerig Authority) দুনা মমিং হোংখ্রবা-ওনখ্রবসু রেস্পোন্সিবিলিটী (Responsibility) দুদি মমিং ওল্লবা ওথোরিটীদুদা লাইএবল (Liable) ওইনা অদুম লৈফম থোকই] অমসুং কম্পনীসিবু রেজিষ্টার তৌবা, চার্টর (Charter) পীবা নৎত্রগা চার্টরনা এমপাৱার তৌবা (Empower with charter) অমদি স্পোন্সর তৌখিবা য়ুনাইটেড কিংদমগী নৎত্রগা বৃটিশ এম্পয়ারগী গোভর্নমেন্ট নৎত্রগা বৃটেনগী/বৃটান্নিআ (বৃটান্ন্যা) গী হাউস ওফ লোর্ডস (House of Lords) অমসুং হাউস ওফ কম্মন্স (House of Commons) কৌবা পার্লিয়ামেন্ট অনিনা পুথোকপা/শেম্বা আইন চৎনবা নৎত্রগা আইন্না চলাইবা (Administer/govern) লৈপাক/জাতি অমসুং ত্রান্মা/ম্যান্মা গোভর্নমেন্ট নৎত্রগা বর্মীজ এম্পয়ার, অনিসিনি। অদুগা নাকোননা/হকথেংনদনা শকখঙ-মায়খঙলিবনা মথক্তা পঞ্জখিবা পৃথিবীগী লৈপাকশিং অমসুং/নৎত্রগা জাতিশিং অসিনি। অদুবু হায়রিবা অন্তরজাতিগী লৈপাকশিং অমসুং সাইন (Sign) তৌনখিবা মতমসিগী মতুং (হায়বদি, খৃঃ ১৮২৬ কী ফেব্রুয়ারী থাগী মতুং) তারকপা মতমশিংদা লৈরম্বা লৈপাকশিং/জাতিশিং অমদি মখোয়সিনা ইন্টর্নেস্নেল লেভেলদা লীংখৎখিবা ইন্টর্নেস্নেল ৱেলফিয়ার, পীস, অপলিপমেন্ট অমদি হিয়ুমেন রাইটস, লিবটীনচিংবা প্রোটেক্সন, কঞ্জার্ভেসননচিংবগী সংস্থানশিং অমসুং ফমখিবা/

পাংথোকখিবা কনভেন্সনশিং, কনভোকেসনশিং, অসিনচিংবনা অমদি য়ুঃ এনঃ ওঃ [U.N.O. (United Nations' Organisation)], কম্মনৱেলথ নেসন্স [Commonwealth Nations], য়ুনেস্কো [UNESCO (United Nations Educational, Scientific and Cultural Organisation)] নচিংবা লীংখৎলবা মতুংসি ফাওবদা সংস্থানশিং অসিদগী অমত্তনা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী মতম লোয়রে, মসি চৎনবা য়াদ্রে, চৎনদ্রে (চৎনহন্দ্রে)/চৎনররোয় অমসুং শীজিন্নবা য়াদ্রে হায়দুনা লাউথোকখিবা নৎত্রগা হায়খিবা ৱাফম অমত্তা লৈখিদ্রি। অদুগা হায়রিবা ৱার্ল্ড ওর্গনাইজেসনশিংগী মতুংদা লীংখৎলকপা অমসুং/নৎত্রগা হন্নদগী লৈরক্কুনা/লীংখৎখিদুনা হৌজিক ফাওবদা হিংলিবা/লৈরিবা লৈপাকশিং/জাতিশিং অমসুং মখোয়গী ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং ইন্টর্নেস্নেল ওর্গনাইজেসনশিং– ৱার্ল্ড কোর্ট, অসিনচিংবদগী অমত্তনসু য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিবু ইন্টর্নেস্নেল লো (International Law) না পীরিবা ত্রিটীগী ৱাহন্দোকঃ–

TREATY, an agreement between subjects of international law, primarily between States, regarding the establishment, change or termination of their mutual rights and obligations in any sphere (economic, political, scientific, technical, cultural and other cooperation). T. is a basic source of international law. T. is used as a generic term to cover agreements, pacts, covenants, charters, statutes, conventions, final acts, declarations, protocols and others. Irrespective of the name, all treaties have identical legal force. As regards the number of participants, T.s are divided into bilateral and multilateral (regional or universal, as, say, the U.N. Charter). T. is regarded to be open, if all States concerned may be take part in it. T. is regarded to be closed, if there is a restricted possibility for participating in it for some reason. T.s may be lawful (i.e. corresponding to the U.N. Charter and the basic principles of international law) and unlawful. In the latter case T.s may be recognised to be void. T. usually has a title, preamble, basic content, concluding part and signatures. Some T.s have annexes. On a political plane, T.s plays a

very important role in strengthening international order and are essential instruments of international peace and cooperation between States. [P.P., 1986, 249-50].

হায়বসিগী মনুংদা– "Annulment of Treaty", "Denunciation of Treaty", "Suspension of Treaty", "Termination of Treaty", অসিনচিংবগী থবক(শিং) পায়খৎখিবা হৌজিক ফাওবগী ওইনদ্রি লৈত্রি। মতমনা হৌখিবনা হৌখিবগী লৈরোন্নুংদুদা ফুমজিন্দুনা থমখিবদুদা কনাগুম্বা খরগী খুদোংচাবা মাঙখিবা অমদি কনাগুম্বা খর অমনা খুদোংচাবদু লৌদুনা খঙজিন্নদনা-উশিন্নদনা রাজনৈতিক লীলা শান্নখিবনি।

শেমদোক-শেমজিন তৌখিদবা ত্রিটীনিঃ– বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী লান্মী নৎত্রগা বৃটিশ ইম্পরিকেল মিলিটরি ফোর্সকা বর্মীজ/ম্যান্মা ইম্পরিকেল পৱারগা চহি অনি ফানীঙচীৎ [মার্চ ৫, খৃঃ ১৮২৪– ফেব্রুয়ারী ২৪, খৃঃ ১৮২৬] লান শোক্লরবা মতুংদা জাতি অনিসি তেশিন-তাইশিন্ননবা অমসুং লৈপাক অনি অমসুং বৃটিশ ডোমিনিয়ন ওফ কোলোনিয়েল ইন্দিয়ান নেটিব ষ্টেটস (British Dominon of Colonial Indian Native States)] দা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা তৌনখিবা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী মতুংদা জাতি অনিসি অমুক হন্না য়ানরকখিদে। মমাঙদা ত্রিটীসিদা য়ানসি হায়দুনা সহি তৌনখিবা অমসুং সন্ধী ৱারম-ৱাফমশিং চৎনবা হৌখ্রবা নৎত্রগা চৎনরবা মতুংদা হান্নগী য়ুরোপীয়ান লল্লোনবা বৃটিশ নত্তবা জাতিশিংদুনা মীশৌ (Sharp edges to pierce the sole) চঙবা হৌখ্রে। অদুগা মমাঙদা মায়থীখিবদুগী থরুম পুরিবা অমসুং মলোম (Grudge) তৌরিবা ভ্রান্মাশিংদুদা লোন্না খুৎলাই পীশিল্লকপা, লোৎনা খুৎলাইগী ত্রেনিং পীবা, নারক-মোংশোং/উমং-ৱামংদা লান্দম্বীবা অমুক হন্না হৌখ্রে। হায়রিবশিংসিনা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সহি তৌনখিবা য়ুরোপীয়ান বৃটিশ অমসুং এসিয়ান বর্মী অনিসিদা মমাঙগীগুম্না লল্লোন-ঈতীকী লমদাংশিংদা লাক্কুনা অনিশুবা ভ্রান্মা-মলেসকী লাঞ্জাও, ১৮৫১-৫২ [The Second Anglo-Burmese War, 1851-52] অমসুং অহুমশুবা ভ্রান্মা মলেসকী লাঞ্জাও, ১৮৮৫-৮৬ [The Third Anglo-Burmese War, 1885-86] থোকখিরম্মী [C.B.A., 1987, 361-75 & A.SS.K., 1985-36]।

অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা ম্রাম্মা-মলেসকী লাঞ্জাওশিং অসিদি অহানবা ম্রাম্মা-মলেসকী লাঞ্জাও ১৮২৪-২৬ কী অসিগুম্না মতম শাংনা অমসুং লানগী মৈশা কন্না থোকখিরমদে। হায়রিবা খৃঃ ১৮৫১-৫২ অমসুং খৃঃ ১৮৮৫-৮৬ কী লাঞ্জাও অনিসিসু ম্রাম্মা/বর্মীজশিংনা ফ্রান্স, পোর্টুগীজনচিংবগী মতেং ফংদুনসু মায়থীবদি অদুম নংলম্মী। অকোনবগী খৃঃ ১৮৮৫-৮৬ কী লাঞ্জাও অসি বৃটিশশিংনা লান মায় পাকখিবদা নত্তনা বর্মা/ম্রাম্মা লৈপাক (Burmese Empire) বৃটিশশিংগী এসিয়াদা লৈরিবা লোইলম (British Asiatic Colonial Dominion) দা তীনশিনখি অমসুং বর্মীজ/ম্যাম্মা জাতিগী নৎত্রগা/অমসুং বর্মীজ কোনবাউঙ নিংথৌ শাগৈ (Burmese/Myamma Konbaung Dynasty) গী অরোয়বা নিংথৌ থিবো [Emperor Thibaw (1878-85 A.D.)] বু মহাক্কী মণ্ডলে কোনুংদগী খৃঃ ১৮৮৫ দা ফাদুনা ভারততা পুরক্লগা নজরবন্ডী (House Arrest) তা কলকট (কোলকতা) দা থমখিরম্মী [ibid, 36]।

অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা ম্রাম্মা অমসুং মলেস (তেলঙ্গা/ফিরিঙ্গি/বৃটিশ), জাতি অনিসিনা খুৎলাই থাদোক্লখিবা, অমুক হন্না লান লোয়শিন্ননবগী তেশিন-তাইশিন্নখিবা অমসুং লৈপাক/জাতি অনিদুগী লৈপাক শান্তি অমুক হন্না লীংখৎনবা নৌহৌননা য়ানবা পুরকখিবা, মরু ওইনা খৃঃ ১৮৫১-৫২ সিদা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ অসিগুম্বা অতোপ্পা যুক্তি/সন্ধী (Agreement/Treaty) অমা অমুক হন্না তৌনখিবগী নৎত্রগা সন্ধী-পত্র (Document of Treaty) নৌনা শেম-শাখিবগী ঈ-পাউ লৈতে। অদুগা মতুংগী, খৃঃ ১৮৫১-৫২ অমসুং/নৎত্রগা খৃঃ ১৮৮৫-৮৬ কী তেশিন-তাইশিন্নবা নৎত্রগা য়ানবা পুরকখিবা (অকোনবগীসিদি বর্মাসি বৃটিশকী লোইলম/কোলোনী ওইরবনিনা তাইশিন্ননবগী ৱা ঙাংনবা ফাওবগী মথৌ তাদ্রে) শিংদুদা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী য়ানদুনা সহি/সাইন (Sign) তৌনখ্রবা সন্ধী পত্র অদুগী ৱারম-ৱাফমশিং (Terms/Articles) দু শেমদোক-শেমজিন, ককথোক-ককশিন, হাপতোক-হাপচিন, লৌথোক-লৌশিন, নৌনা/নৌহৌননা তোপশিন-তপশিনবনচিংবা তৌখিবগী/পায়খৎখিবগী ৱাফম অমত্তা লৈখিদে। অদুমদসু নত্তনা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিবু নৎত্রগা মসিগী ৱারম-ৱাফমশিংগী ৱারোলশিং অমসুং সবজেক মেট্রশিংবু মমাঙগী মতমগী নৎত্রগা হৌজিক চৎনরিবা [য়ুঃ এনঃ ওঃ লীংখৎলবা মতুংগী,

বিশ্ব সংস্থানসিগী ৱায়েন-ৱাখুন (Charter) শেম-শারবা অমসুং চৎনরবা মতুংগী] সন্ধী শেমদোক-শাদোকপা, চৎনহন্দবা, মতম লোয়শিনহনখিবনচিংবগী ৱায়েন মখাদা ককথৎ-খোত্তৎপা, লোয়শিন-খমজীনবা অমসুং/নৎত্রগা চৎনহন্দনবা তৌবগী ৱাফম অমত্তা লৈখিদে অমসুং লৈত্রি। মথক্কী ৱারমশিং/ ৱাফমশিং অসিনা খঙহল্লিবদি/তাক্লিবদি— "খৃঃ ১৮৮৫-৮৬ কী অহুমশুবা ব্রাম্মা-মলেসকী লাঞ্জাওগী লান"-মনুং ফাওবদি, হায়বদি, বৃটিশশিংনা ব্রাম্মা/ বর্মা লৈপাক লৌশিন্দ্রিবগী মতমদু ফাওবদি য়ান্দবৃ ত্রিটী, ১৮২৬ সি বৃটিশ অমসুং ম্যাম্মা/বর্মীজশিংগী মরক্তা অদুম চৎনরি, ত্রিটীসিদা পল্লিবা অমসুং ত্রিটীসিগা মরী লৈনরিবা অতৈ লৈপাকশিংগী ওইনসু অদুম হিংলি, অদুগা বৃটিশশিংনা ব্রাম্মা/বর্মীজ লৈপাকপু লৌশিন্দুনা মখোয়গী লৈঙাক মখাদা থল্লবা মতমদনা মখোয় (বৃটিশশিং) গী মখুত্তা থল্লি। অথেংবা হৌজিক্কী মতমগী ওইনা চৎনরিবা ত্রিটীগী আইনগী ওইবা মপুন্সি নৎত্রগা চৎনবা য়াবা (Validity) গী মরমদা থন্বীরিবদিঃ—

Treaty, Terms of Validity (Terms of Validity of Treaty),– include the correspondence of treaty to peremptory norms of international law; competence of state organs that have concluded a treaty; actions by persons who have concluded a treaty in accordence with the powers with which they have been entrusted; the absence of substantial error in a treaty; the absence of fraud, bribery and compulsion of a state representative, the absence of a threat or use of force aganist one of the parties in disregard for the principles of the UN Charter in the process of concluding a treaty. A treaty may be null and void in the absence of any of these terms. The respective provisions are to be found in Arts. 46-53 of the Vienna Convention on the Law of Treaties (1969). According to this convention the validity of a treaty or a state's consent to be bound by it may be disputed only on the basis of this convention.

Treaty, Validity of— An international treaty is considered invalid if its content runs counter to the generally

recognized principles of international law and the norms of the law of treaties. Concret circumstances rendering the international treaty invalid are listed in Arts. 46-53 of the 1969 Veinna Convention on the Law of Treaties. In particular, an international treaty is invalid if (a) it has been concluded in a blatant violation of a provision of international law regarding compentence to conclude treaties; (b) the consent to be bound by the treaty has been given by error and the error relates to a fact or situation which existed at a time, the treaty was concluded and formed an essential basis of the consent to be bound by the treaty; (c) a State has been induced to conclude a treaty by the fraudulent conduct of another negotiating party; (d) the expression of a State's consent to be bound by a treaty has been procured through the corruption of its representative directly or indirectly by another negotiating State; (e) the expression of a State's consent to be bound by a treaty has been procured by the coercion or the threat or use of force in violation of principles of international law, embodied in the UN Charter; (g) at the time of the treaty's conclusion it conflicted with perempotary norm (jus cogens) of general international law.

A treaty may be recognised void by the parties to it or by the UN International Court of Justice, provided the States concerned turned to it with the request to settle the issue. The negotiating parties are entitled to choose any other procedure for recognising a treaty invalid that may be acceptable to them [P.P. 1986, 257-58].

অসিশিংসিনি। অদুগা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সি অমুক হন্না খন্ন-নৈনদুনা শেমদোক-শাদোকপা (Revision) তৌখিদবসিগী রিভিজন ওফ ত্রিটীগী লমদাংদা থন্বীরন্নিবা ৱাফমদিঃ—

Treaty, Revision of,– making amendments or changes in a treaty. A treaty may only be revised with the consent of

all of its participants. T.R. may be effected either within the stipulated duration of the treaty or within a newly established period. The possibility of revising the whole text of a treaty or of its parts may be provided for in its text [ibid, 256].

অসিনি। অসুম্না শেমজিন-শাজিন্নবগী ৱাফমদি পীরি। অদুবু য়ান্দবূ ত্রিটীসি তৌনখিবশিংদুনা রিভিসনসিগী মতাংদা খুৎ থারম্বগী ঈ-পাউ লৈতে।

ৱারোল-ৱাপী-ৱাপুঙ
(য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬, শিরব্রা নৎত্রগা হিংলিব্রা)

মীওইবগী লোন মখল-মখা য়াম্মী, ৱাহৈশিংগী ৱাহন্দোক (Meaning), খঙনবী (Denotation) অমসুং পাকথোক-শন্দোকপা/হেন্দোক-চাওথোকপা অর্থ অমসুং খঙনবী/লৌনবী (Connotation) লৈনৈ। মরম অসিনা ৱাহৈ(শিং)দুগী লোন/অর্থ হন্দোকপা/পীবা চঙঙি। মরম অদুনা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬, শিরব্রা নৎত্রগা হিংলিব্রা? – হায়বা ৱাহংসি/ৱাফমসি থন্না তারবদি ৱাহৈ খরগী মরীক চুন্না অর্থ থিবা, খঙনবা নৎত্রগা খনবগী মথৌ চঙখি, অদুনা–

Death—	The Ceasing to live on the part of any animal applied especially to the ceasing to live of human being [HM & DN., 1989, 49].
Death, civil—	In the fullest sense, the loss of all the legal personality [ibid, 49].
Legal Personality:—	The status of a corporate body whereby it may act as a natural individual in bringing or defending law suits, acquiring property, etc. [ibid, 111].
Alive—	Living, etc.

হায়বশিংসি খুঙবগী দরকার ওই। য়ান্দবু ত্রিটী, ১৮২৬ অসি বাইলেটরেল পীস ত্রিটী (Bilateral Peace Treaty) নি অমসুং/অদুনা মসি সিভিল ত্রিটীসুনি, হায়বদি, ত্রিটীসি ঈকোনোমিক এফিয়র্স/এন্টর্প্রাইজেস (Economic Affairs/Enterprises) গী লল্লোন-ঈতীক্কী সিভিল কম্পনী অমা লৈপাক অমগা লল্লোন-ঈতীক্কী খৎনবা/ৱাখৎনবা (Dispute of/in Trade and Commerce) দগী থোক্লকপা কেসকী খুৎ-থোক্লরকপদগী তাইশিন-তেশিন্ননবা, য়ানবা পুরক্নুনা শান্তি পুরক্লবা/হঞ্জিন্নবা তৌনখিবা সিভিল পীস ত্রিটী অমনি। অদুগা বৃটিশশিংনা ত্রিটীসি সহি তৌনবদা আর্মী/মিলিটরী ওফিসারশিং— Major-General Sir Archibald Campbells, K.C.B. & K.C.I.S. অমসুং Henry Ducie Chadds, Esquire, Captain Commanding অমদি সিভিল ওফিসার-- Thoms Campbell Robertson, Esquire শীজিন্নরবসু বর্মীজশিংগী মায়কৈদগীদি সিভিল ওফিসার অনি-- Mengyee-Mahah-Hlah-Meng Hlah-Khan-ten Woonguee অমসুং Mengyee-Mahah-Hlah-Thoo Atween-Woon শীজিন্নদুনা ত্রিটীসিদা সহি তৌদুনা মসি সিভিল ত্রিটীনি, হায়বসিগী মশক শেংনা তাক্লি/ঊৎলি। সহি তৌরিবশিংসিদা মিলিটরী ওফিসারশিংসিদি অনেকপগুম্বনি, মখোয়না মহুৎ শিল্লিবসি, সিভিল ত্রেডিং কম্পনী অমগীনি। মরম অসিনা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ অসিগী শিবা-চঙবা [চৎনগদবা নৎত্রগা চৎনরোয়দবা] গী লমদাংদা মিৎয়েং থম্বা তারবদি [দেথ, সিভিল (Death, Civil i.e. Civil death)] কী ৱায়েল-ৱাখুলগী মখাদা পুশিন্দুনা পোমিৎ-পোমায় হাঙগদবনি। অদুগা হায়রিবসিনা মরম ওইদুনা ৱায়েল-কাংখুল-লীখুনসিগী কাংলোন্দা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী মশাদা তুংগী লমদাংগী ওইবা মচাক-মথুমশিং ফংবা য়াবা নৎত্রগা ফংনীঙঙাই ওইবা করি লিগেল মেরিৎ (Legal merit for future prospect/utility) লৈরিবগে, হায়বদি, হায়রিবা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী করম্বা টার্মশিংদা নৎত্রগা আর্টিকলশিংদা অসিগুম্বা তুংগী/তুংলমচৎকী লন-থুম পীরম্বগে/য়াওরিবগে হায়বসিদা চেকশিন্না অমসুং কুপ্না য়েংশিন্নবগী মথৌ পীবনি।

য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ কী মশক

অৱা/বর্মা লৈপাক্তা কোনবাউঙ নিংথৌ শাগৈগী ম্রাম্মা/ম্যাম্মা'নিংথৌ সগাইং-মেঙ নৎত্রগা ফাগ্যী/বাগ্যী-ডোআ [Sagaing-Meng or Phagyee-doa (1819-37)] না পানবা মতমদা অৱা/ম্রাম্মা লৈপাক্কী লৈঙাকপশিংগা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী থৌবুরোইশিংগা লল্লোন-ঈতীকী থৌরমশিংদা নীঙঙাই-শঙদানরক্তুনা খৃঃ ১৮২৪ গী মার্চ তারিক ৫দগী খুৎলাই থোক্লদুনা লান থেংনরকখিরম্মী। হায়রিবা লানসি চহি-অনিরোম শোক্লরক্লবা মতুংদা বর্মীজশিংনা মায়থীরবা অমসুং লানগী অমাঙ-অতাক্লা লানফম মায়য়োক্ য়াবা ঙম্লক্রবদা মায়কৈ অনিমক্লা খুৎলাই থাদোক্লনবা অমসুং তেশিন-তাইননবগী য়ানবা পুরকখিবদগী খৃঃ ১৮২৬ কী ফেব্রুয়ারী থাগী তারিক ২৪, ঈরাই নুমিত্তা অহানবা ম্রাম্মা-মলেস লান, খৃঃ ১৮২৪-২৬ অসি লোয়শিন্নবগীদমক্তা লান থেংনরিবা মায়কৈ অনিমক্লা লেপ্পরবা য়ানা'-ৱারম-ৱাফমশিংসি অইবা ওইনা চেবাংদা ৱারোল ইদুনা শেম-শারগা য়ান্দবূ সহরদা নাকল অনিক্কী মীওইশিংনা সহি তৌনখিরম্মী। হায়রিবা সহি তৌনরিবা সন্ধী/ত্রিটী অসি "য়ান্দবূ ত্রিটী, ফেব্রুয়ারী ২৪, খৃঃ ১৮২৬" হায়না মমিং থোনখিরম্মী। হায়রিবা ত্রিটী অসিদা য়ানখিবা ৱারম-ৱাফমশিং (Articles) ১১ (তরামাথোই) খক্তা অথোই-অহেন ওইনা হাপচিল্লকপা ৱারম-ৱাফম অমগা য়াওরি। হায়রিবা ত্রিটীসিগী মশক-মতৌ অমসুং য়াওরিবা য়ানা-ৱারম-ৱাফমশিং অদুদিঃ—

The Treaty of Yandaboo, Feb. 24, 1826

Treaty of peace between the Honourable East India Company on the one part, and His Majesty, the King of Ava on the other, settled by Major-General Sir Archibald, Campbells, K.C.S. & K.C.T.S., Commanding the expedition, and Senior Commissioner in Pegu and Ava: Thoms Campbell Robertson, Esquire, Civil Commissioner in Pegu and Ava and Henry Ducie Chadds, Esquire, Captain Commanding His Britannic Majesty's and the Honourable Company's Naval Force on the Irrawaddy River, on the part of the Honourable Company: and by Mengyee-Mahah-Men-Hlah-

Kyan-ten Woonguee, Lord of Lay-Kain and Mengyee-Mahah-Hlah-Atween-Woon, Lord of the Revenue, on the part of the king of Ava: who have each communicated to the other their full power agreed to and executed at Yandaboo, in the Kingdom of Ava on this Twenty-fourth day of February, in the year of our Lord One Thousand Eight Hundred and Twenty-six, corresponding with the Fourth day of the decrease of the Moon Taboung, in the year One Thousand One Hundred and Eighty and seven Gauda, Era.

Article-1 There shall be perpetual peace and friendship between the Honourable Company on the one part and His Majesty, the king of Ava on the other.

Article-2 His Majesty, the King of Ava renounces all claims upon, and will abstain from all future interference with, the principlity of Assam and its dependencies, and also with the contiguous petty Sates of Cachar and Jyntia, with regard to Mannipoor it is stipulated that should Ghumbheer Singh desire to return to that country, he shall be recognised by the King of Ava as Rajah thereof.

Article-3 To prevent all future disputes respecting the boundary line between the two great Nations, the British Government will retain the conquered Provinces of Arracan, including the four divisions of Arracan, Ramree Cheduba and Sandoway, and His Majesty the King of Ava cedes all right thereto. The Unnoupectort mien or Arakan Mountains (known in Arakan by the name of Yeomatoun or Pokhinglong Range) will hence forth form the boundary between the two great Nations, on that side. Any doubts regarding

the side line of demarcation will be settled by commissioners appointed by the respective governments for the purpose such Commissioners from both powers to be suitable and corresponding rank.

Ariticle-4 His Majesty the king of Ava cedes to the British Government the conquered provinces of Yeh, Tavoy, and Mergui and Tennasserim, with the lands and dependencies there unto appertaining, having the Salween River for the line of demarcation of the frontier; any doubts regarding their boundaries will be settled as specified in the concluding part of Article Third.

Article-5 In proof the sincere disposition of the Burmese Goernment to maintain the relations of peace and amity between the two Nations, and as part indemnification to the British Government, for the expenses of the war. His Majesty, the King of Ava agrees to pay the sum of one crore of rupees.

Article-6 No person whatever, whether native or foreign, is hereafter to be molested by either party, on account of the part which he may have taken, or to have been compelled to take in the present war.

Article-7 In order to cultivate and improve the relations of amity and peace hereby established between the two Governments, it is agreed that acredited Ministers, retaining an escort or safeguard, of fifty men from each, shall reside at the Durbar of the other shall be permitted to purchase or to

build a suitable place of residenc of permanent materials and a Commercial Treaty, upon principles of reciprocal advantage will be entered into by the two high contracting powers.

Article-8 All public and private debts contracted by either Government or by the subjects of eigher Government, with the others, previous to the war to be recognized and liquidated, upon the same principles of honour and good faith as if hostilities had not taken place between the two Nations and no advantage shall be taken by either party of the period that may have elapsed since the debts were incurred or in consequence of the war; and according to universal laws of Nations, it is further stipulated, that the property of all British subjects who may die in the dominion of His Majesty, the King of Ava, shall in the absence of legal heirs, be placed in the hands of the British Resident or Consul in the dominions who will dispose of the same according to the tenor of the British law. In the like manner the property of Burmese subjects dying under the same circumstances, in any part of the British dominions shall be made over to the Minister or other Authority delegated by His Burmese Majesty to the Supreme Government of India.

Article-9 The King of Ava will abolish all exactions upon the British ships or vessels in Burman ports, that are not required from Burman Ships or vessels in British ports, nor shall ships or vessels, the property of British subjects, whether European or Indian, entering the Rangoon River or the

Burman ports, be required to land their guns or unship their rudders, or to do any other act not required of Burmese ships or vessels in British ports.

Article-10 The good and faithful ally of the British Government, His Majesty, the King of Siam, having taken a part in the present war will, to the fullest extent, as far as regards His Majesty and his subjects, be included in the above Treaty.

Article-11 This Treaty to be ratified by the Burmese authorities competent in the like case and the ratification to be accompanied by all British, whether European or Native, American and other prisoners, who will be delivered over to the British Commissioners, on their part engaging that the said Treaty shall be ratified by the Right Honourable the Governor-General-in-Council and the Ratification shall be delivered to His Majesty, the King of Ava, in four months or sooner if possible, and all the Burmese prisoners shall in like manner, be delivered over to their own Government as soon as they arrived from Bengal.

(Signed Archibald Campbells (L.S.)

Largeen Meonja
(Woonghee, (Signed) T.C. Robertson
Captain, Royal Navy (L.S.)
(Seal of the lotoo) (Signed) Hy.D. Chadds
Captain Royal Navy (L.S.)
Shwagum Woon,
Atawoon.

ADDITIONAL ARTICLE

The British Commissioners being most anxiously desirous to manifest the sincerity of their wish for peace, and to make the immediate execution of the fifth Article of this Treaty as little irksome or inconvenient as possible to His Majesty, the king of Ava consent to the following arrangements, with respect to the division of sum total as specific in the Article before referred to, into instalments, viz. upon the payment of twenty-five lacs of Rupees or one fourth of the sum total the other Articles of the Treaty being executed the Army will retire to Rangoon. Upon the further payment of a similar sum at that place, within one hundred days from this date with the provision as above, the Army will evacuate the dominion of His Majesty, the King of Ava with the least possible delay, leaving the remaining moiety of the sum total to be paid by equal annual instalments in two years from this twenty-fourths day of February, 1826 A.D., through consul or Resident in Ava or Pegu, on the part of the Honourable, the East India Company.

Sd/- Largeen Meonja
Woonghee
(Seal of the lotoo)
Sd/- Shwagum Woon
Atawoon

Sd/- Archibald Campbell

Sd/- T.C. Robertson
Civil Commissioner (L.S.)
Sd/- Hy. D. Chads
Captain, Royal Navy (L.S.)

[N.N.A., 1983, 53-58]

অসিশিংসিনি। অদুগা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী ৫ (মঙা) শুবা য়ানা-ৱারম-ৱাফম (The 5th Article) অসি থোকখ্রবা লাঞ্জাওদুগী লানগী চাদিং, হায়বদি চঙখিবা শেন (War Expense/Expenditure) দু শীঙননবা অমসুং

শীজিন্নখ্রবা মতুংদা শেন-হঞ্জিনবগী শেনফম [ক্ষেতিপূরণ (Compensation)] পীননবগী/পীবগী ৱারম-ৱাফমনি। মসিদা য়াম্না মীনুংশি চাওবা, ৱাবীহৈবা শাদুনা অমসুং মীগীদমক অৱাবা উবীবা মালহন্দুনা শেনফমদু অমুক্তা পুন্না পীবা ঙমগদবগী মওং-মতৌ মালহন্দুনা মচীৎ-মচীৎ শীঙগৎপা শেনফমগী অকক্লবা শেনশীঙ/শেনপীগী মচৎ (Instalment basis) তা ওইহন্নবগী মওংদা খর শেমদোক-শাদোকপা নৎত্রগা শাফনবা থৌশীল-থৌরাং শীনবীবগী মওংদা অথোই-অহেন ওইনা হাপচিল্লকপা ৱারম-ৱাফম (Additional Article) অমা হাপ্তুনা অরোয়বদা থল্লি। অদুবু ৱাফমশিংসিদা শক্তি শীজিন্নদুনা মুকপগী ৱাফম অমদি ঈয়াওদা য়াওরি।

য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ কী য়ানা-ৱারম-ৱাফমশিংসিবু চৎনবা-শীজিন্নবা য়ারিব্রা নৎত্রগা য়াররোয়দ্রা?

য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ অসি ইন্টর্নেস্নেল লেভেলদা লৈরিবা য়ুনিভর্সেল লো ওফ নেসন্স [The Universal Law of Nations at the International Level] গী মরী-মখোঙ (Reference) লৌবা অমসুং মসিগী ৱায়েল-ৱাখুল পরেংগী পরমদা/মখাদা থম্বা ত্রিটীনি, হায়বসি ত্রিটীসি ৮(নিপান) শুবা য়ানা-ৱারম-ৱাফম[The Article No. 8(Eighth) of the Treaty itself] দা পাল্লিবসিনা খুদম-চাংদম [Evidence & Proof] নৎত্রগা লংলা-লংজীন (Clue) ওইজদুনা লৈজরবনি। অদুগা হায়রিবা থাক য়ুনিভর্সেল/ইন্টর্নেস্নেল লেভেল (Universal/International Level) সিদা মালেমসিগী লৈপাকশিং/জাতিশিং খর [মথক্তা থমজপ্রিবশিংদু নত্তবদা ত্রিটী মশাসিদা পল্লিবা লৈপাকশিং/জাতিশিং— অসাম/অহোম, কছাড়/কছাড়ী (ডিমাসা), মণিপুর/মৈতৈ (মণিপুরী), শ্যাম (থাইলেণ্ড)/শ্যামীজ (থাই), য়ুরোপ/য়ুরোপীয়ান (মহাদেশনিনা জাতি য়াম্মী), ইন্দিয়া/ইন্দিয়ান, অমেরিকা/অমেরিকান অসিনচিংবা] না শকখঙ-মায়খঙলবা অমসুং/নৎত্রগা ময়েক শেংনা নৎত্রগা মরীক চুম্না খঙনরবা ত্রিটীনি। অদুবু মসি হায়রিবা লো ওফ নেসন্সদুগী ওথোরিটীদা রেজিষ্ট্রেসনদি তৌখিদে, অদুগা ত্রিটীশিংবু রেজিষ্টার তৌবা হৌরকখিবসি য়ুঃ এনঃ ওঃ (U.N.O.) না খৃঃ ১৯৪৫গী জুন ২৬ তা পৃথিবী হান্না লৈরম্বা ৱার্ল্ড ওর্গনাইজেসন (World

Organisation) লীগ ওফ নেসন্স (The League of Nations) গী মহুৎ শীনহৌবা নৎত্রগা মখা শমথহৌবা অমা (Successor) ওইনা সান ফ্রান্সিস্কোদা মসিগী (য়ূঃ এনঃ ওঃ) গী চার্টরদা সহি তৌনদুনা লীংখ্রবা মতুংদগী থোক্লককখিবনি, মরমদি অসুম্না ত্রিটীশিং রেজিষ্টার তৌবসি য়ুঃ এনঃ সিঃ গী মরু ওইবা ওর্গান ৬ (Six organs)– General Assembly, Security Council, Secretariat (at New York), International Courts (at the Hague), Economic And Social Council অমসুং Trusteeship Council অসিশিংসিগী মনুংদগী য়ূঃ এনঃ সেক্রেটরিয়েট অসিদা তৌগদবনি [P.P., 1986, 255]।

য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিবু হকথেংননা শকখঙ-মায়খঙলিবসি ত্রিটীসি তৌনরিবা– বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীবু স্পোন্সর অমসুং রেজিষ্টার তৌরিবা নৎত্রগা চার্টর পীরিবা য়ুরোপ মহাদেশকী য়ুনাইটেড কিংদমগী বৃটিশ গোভর্নমেন্ট অমসুং এসিয়া মহাদেশকী ম্রাম্মা/বর্মা লৈপাক্কী বর্মীজ গোভর্নমেন্ট, অনিসিগী মথক্তা ত্রিটী মশাসিদা পন্দুনা য়াওরিবা লৈপাকশিং অমসুং/নৎত্রগা জাতিশিং অসিনি। অদুগা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিবু নাকোয়ননা শকখঙ-মায়খঙলিবা লৈপাকশিং অমসুং জাতিশিংনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা বৃটিশ গভর্নমেন্টকী প্রজা (Subject) নত্তবা/ওইদবা হিন্দু অমসুং মুসলমান নিংথৌশিংনা পানবা মনীঙ তন্বা হিন্দুস্থানী রাজ্যশিং (Indian Native States/Kingdoms ruled by the Hindu or Muslim Kings), বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক্কী মখাদা লৈরবা মখোয়গী লোইমী ওইরবা প্রজাশিং, ভারতবর্ষগী ৰাংমদা লৈরিবা লৈপাকশিং/জাতিশিং [মথক্তা থমজখ্রে, অদুমকপু অমুক হন্না নীঙশিঙজবা ওইনা]– মলেসিয়া, ভিয়েটনাম, লাউজ, ইন্দোচাইনা, অষ্ট্রেলিয়া, বোর্নিও, সুমাত্রা, জাভা, ফিলিপাইন, টিবেট, চাইনা, কোরিয়া, জাপান, রুশিয়া, নেপান, ভুটান, সিক্কিম, আরব, পার্সিয়া/ইরাক, ইরান, আফগানিস্থান, টুর্কিস্থান, ইটালী, পোলেণ্ড, সুইজর্লেণ্ড, ফ্রান্স, জর্মনী, হোলেণ্ড, ডেনমার্ক, ফিন্ডলেণ্ড, পোলেণ্ড, নোর্ৱে, সুইডেণ্ড, স্পেন, পোর্টুগাল, অসিনচিংবনি অমসুং মখোয়গী জাতিশিংনি।

বর্মা/ম্রাম্মা লৈপাক নৎত্রগা বর্মীজ/ম্রাম্মা জাতিনা খৃঃ ১৮৮৬ তগী বৃটিশ/ ঈংলিশকী মখা পোন্দুনা বৃটিশ কোলোনিয়েল গোভর্নমেন্ট লীংখত্তুনা পানখ্রবা

মতমগী মমাঙ খৃঃ ১৮২৮ দগী খৃঃ ১৮৮৫ ফাওবগী মনুং, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা এঙ্গলো-বর্মীজ ৱার [খৃঃ ১৮৫১-৫২ অমসুং খৃঃ ১৮৮৫-৮৬] থোকখিবগী মতমশিং অসিদদি য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬সিগী আর্টিকল খরগীদি মতম লোয়খ্রে, হায়বদি, থবক ওইনা পাংথোক্লখ্রে। ত্রিটীসিগী মঙা (৫)শুবা য়ান'-ৱারম-ৱাফম (Article-5) অসি অহানবা এঙ্গলো-বর্মীজ লাঞ্জাও/ৱার (মার্চ ৫, ১৮২৪-ফেব্রুঃ ২৪, ১৮২৬) গী লান্দুদা চঙখিবা লানগী চাদিং/খরচ (War expenditure) হন্দোক্লবা নৎত্রগা লানঙম' লোইপোৎ (Tribute of conquest) পীননবা, হায়বদি ৱার কম্পেনসেসন (War Compensation) পীবা/শেংদোকপগী ৱারম-ৱাফম অমসুং অথোই-অহেনগী ওইনা হাপচিল-তপশিল্লকপা ৱারম-ৱাফম (Additional Article) সিনা ত্রিটীসিগী মঙাশুবা আর্টিকল, লানগী খরচ/চাদিং হন্দোকপা/শিঙদোকপগী ৱাফমসিবু খর কোমথোকপা অমসুং বৃটিশকী লান্মী বর্মাগী লমখৈ/লম মনুংদা— লান তৌননবগীদমক্তা লৈরিবদু বর্মাগী মপান্দা পুথোকখিননবা/লৌথোকখিননবগী ৱারম-ৱাফমশিং ওইবনা অমদি আর্টিকলসি অমসুং এডিস্নেল আর্টিকল (Articles 5 and Addl. Article) সিগী চৎনবা য়াবগী মতম লৈত্রে, হায়বদি য়ান্নখিবা ৱাফমশিংদুগী থবক পাংথোক্কদবা থবক ওইবনা, শোয়বা য়াদবা থবক্কু পাংথোক্কুনা লোয়শিনখিবা অমসুং অপীবা মতমদু হৌখ্রবা-লোয়খ্রবনা মখোয় অনি (Article 5 and Addl. Article) সিগী চৎনবা য়াবগী মতম লৈত্রে, হায়বদি য়ান্নখিবা ৱাফমশিংদুগী থবক পাংথোকখ্রে, লোয়খ্রে, চৎনখ্রে অমসুং চৎনগদবা মতমদু হৌখ্রে। অদুগা তরামাথোই (১১) শুবা য়ানা ৱারম-ৱাফম (Article 11) অসিসু আর্টিকল মঙা (৫) শুবগী মরাইবক্তু চপ চানা থোক্লে। লেমহৌরিবা অতৈ য়ানা-ৱারম-ৱাফমশিং (Other Articles of agreement, viz, Articles 1, 2, 3, 4, 6, 7, 8, 9 and 10) অসিদি খৃঃ ১৮৮৬ কী মতম ফাওবদদি হায়রিবা ত্রিটী/সন্ধীসি তৌনরিবা জাতি অনিসিগী মতম-মতমগী ওইনা থোক্লক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক, শাথোক-লাম্থোক্লচিংবগী মওং-মতৌশিং অমসুং মবানিগী ওইরক-ওইরক্লিবা ফিবম-ফিরেপকী মচৎ-লমচৎকী, পোরম-পোথাংনচিংবগী মতুংইন্না অমুক হিং/হিঙ্গৎ, অমুক শি/চৎনদবা তৌদুনা লৈরকখিরন্মী। মরমদি হায়রিবসিগী মনুংদা এঙ্গলো-বর্মীজ ৱার অনিরক লৈখিবসিননি।

খৃঃ ১৮৮৬ তগীনা খৃঃ ১৯৪৭ ফাওবগী মতমসিদদি ব্রাম্মা/বর্মা লৈপাক নৎত্রগা বর্মীজ জাতিসিনা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী নৎত্রগা বৃটিশ/ঈংলিশ জাতিগী লোইলম/লোই-মী ওইনা বৃটিশশিংনা বর্মাদা পানখিবনা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ কী য়ানা-ৱারম-ৱাফম/আর্টিকল মশীঙ ১, ২, ৩, ৪, ৬, ৭, ৮, ৯ অমসুং ১০ অসিনশিংসি বৃটিশ লোগা লোইননা চৎনরিবা নৎত্রগা হিংলিবা ওইনা লৈরম্মী, মরমদি বর্মা লৈপাকসি বৃটিশকী বুট (Boot) কী মখাদা লৈবনা বর্মীজশিংসি লোইলমগী মীওই প্রজাশিং ওইবনা বৃটিশশিংগী অপাম্বা-অনিঙবগী মতুং ইন্না চৎপা, হিংবা, বৃটিশকী আইন (British Law) না মপুঙ-ময়াঙ অমসুং মরুওইবা আইন ওইনা চৎনবা অমসুং বৃটান্নিক ৱায়েন-ৱাখুন পরেং (Britannic code of laws), ৱায়েন-ৱাতাইবা (Administration of Justice), ৱায়েন-চৈরাক্কী ৱারম-ৱাফম, যুক্তি-সন্ধীনচিংবা ৱাফম-ৱারোলনচিংবা পুম্নমক মখোয় বৃটিশ জাতিগী ইন্টরেষ্ট (Interest) তা তৌবা/চৎপা অমসুং চৎনখিবনি অমদি মসিশিংসি ইন্দুনা/ঙাক্তুনা চৎপা তাবননি। অদুগা হায়রিবা ৱাফমসিগী খুদম-চাংদম ওইবা য়াবা, য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬, মশাসিদা পঙ্গারিবা ৱারোন্দিঃ—

...according to the Universal law of Nations, it is stipulated, that the property of all British subjects who may die in the dominions of His Majesty, the king of Ava, shall, in the absence of legal heirs, be placed in the hands of the British Resident or Consul in the said dominion, who will dispose of the same according to the tenor of the British Law [Ariticle 8(N.N.A., 1983, 56)].

অসিনি। মথক্কী ৱাফমসি ব্রাম্মা/বর্মীজশিংনা মীখা পোন্দ্রিঙৈ, বৃটিশকী মখা থাদ্রিঙৈগী ফিবমদুগী ৱাফম্নি। ব্রাম্মাশিংগী মনীঙ-মখা তম্বা মাঙখ্রবা অমসুং বৃটিশকী মখা পোল্লবদদি বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদাগী আইননা, হায়বদি বৃটিশ লোনা বর্মীজগী লো পুম্নমক চৎন-শীজিন্নহন্দনা নৎত্রগা খরমখৈ চৎনরবসু চৎনরিবদু সুপর্সিড (Supersede) তৌদুনা থল্লিবনি।

বৃটিশশিংনা বর্মা থাদোক্লমদায় অমসুং থাদোকখ্রবদাঃ— মালেম পৃথিবীদা ২০শুবা খৃষ্ট-শতাব্দীগী অনৌবা যুগকী অনৌবা য়াওল লাক্তুনা লোইলম লৈপাক লীংখৎপা, লীংবা অমসুং মদুগী লৈঙাক-ৱায়েন থৌদা থম্বা, চৎনবা অমসুং

চৎনহনবগী থৌদৌ-থৌওং অসি জর্মন লান নৎত্রগা অনিশুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাও [The Second Great World War (1939-45)] লোয়বা মতুংমক্তা মালেমসিগী চাওখৎলবা, চাওখৎলক্লিবা অমসুং চাওখৎত্রিবা লৈপাকশিংগী জাতিশিং অমসুং উপজাতিশিংগী ৱাখলদা মনীঙ-মখা তন্বা, পুন্না মান্নবা থাক্তা হিংমিন্নবা, হাৎন-শুনদুনা নৎত্রগা লান তৌনদুনা মীওইবা মশেন হাৎনদবা অমসুং মীওইবা অমা ওইবগী হক কনবা/লৈহনবগী ৱাফমশিংগী মঙাল লাক্কুনা য়ুনাইটেড নেসন্স ওর্গনাইজেসন (U.N.O.) খৃঃ ১৯৪৫ গী জুন ২৬ তা লীংখৎখিরম্মী। ওর্গনাইজেসন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি পৃথীবীদা শান্তি থম্নবা/লৈহন্নবা হোৎনবা অসিনি অমসুং মসিনা লোইলম শন্দোকপা থিংবা, লোইলম লৈঙাক্লোনদগী মুক্তি (Liberation) ফংনবা হোৎনবা অমদি হায়রিবশিংসিনা থোকহল্লকপা শান্তিগী খল কায়হনবা অমসুং কায়হন্নবা হোৎনরকপশিংবু তেশিন-তাইশিন্নদুনা/তাইশিন্নহন্দুনা পৃথিবীগী শান্তি কায়হন্দনবা অমসুং লৈহন্নবা হোৎনবা, হায়বসিনি। হায়রিবা মঙাল অসি তশেংনমক হায়রবদি জর্মন-লান অসিনা পীরকপা মঙান্নি। ভারতবর্ষ, ব্রহ্মদেশ/বর্মানচিংবা এসিয়াগী লৈপাক খরদা য়াম্না থৌনা ফবা শাররিবা/শারিবা বৃটিশশিং অসি জর্মনগী এরোপ্লেন পাইরকপা, লাম্মীগী পাউ তাবদদা কিবনা মকপ্লাক নীকখি, ৱা ফাওবা নীঙথিনা ঙাংজবা ঙমদনা লৈয়েং ফাইখি; এডোল্ফ হিটলর [Adolf Hitler (1898-1945)] গী মমিং পনবা তাবদদা কুইন এলিজাবেথ [Queen Elizabeth II (1921-X)] তু মফি স্কর্ট (Skirt) তাহৌবমখৈ বকিংহাম কোনুং-শঙ্গাই [Palace building at Buckingham) দা চেনশিন-পাইশিনখি, জর্মনগী অপাইবা বোম (Flying bomb/missile) ভি-ৱান অমসুং ভি-টু (V-I & V-II) পাইরক্লগনি হায়দুনা ৱিনষ্টোন স্পেন্সর চর্চিল [Winston Spencer Churchill (1940-45), the Prime Minister of U.K.] দু অন্দরগ্রাউন্দ রুমদা চোংথদুনা লোৎখিবনি। হায়রিবা লাঞ্জাওদুদা জর্মনদি মায়থীদুনা লৈপাক অনি থোক্লা খায়দোক্কুনা থমখ্রে, অদুবু লোইলম মুখৎনবগী মঙাল অমদি জর্মনগী ফুহরের [Fuhrer (Leader)] অদুনা থম্মীরম্লে।

খৃঃ ১৯৪৭ তা বৃটিশশিংনা মখোয়গী ক্লীমেন্ট রিচার্ড অট্টলী [Clement Richard Attlee (1941-51)] প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা মখোয়গী

এসিয়া মহাদেশতা লৈরিবা লোইলমগী লমদমশিং ওইরিবা নিংথৌ পানবা লৈপাকশিংং অমসুং মশাগী লৈঙাক-লুপ লীংজবা লমদমশিং পুম্নমকপু লোই-ম্নী ওইবগী মতম লোয়দুনা অমসুং মীখা-পোনবা জাতি কয়াবু মীনাই য়োংহিং ককথৎলগা মনীঙ-মখা তম্বা পীরমদুনা মরমদম য়ুরোপকী মরৈপাক গ্রেট বৃটেন (Great Britain) দা হনখিরম্মী। বৃটিশশিংনা মখোয়গী লোইলমশিং অমদি লোই লৈপাকশিং থাদোক্তুনা চৎলমদায়দা লমশিংদুগী/লৈপাকশিংদুগী লৈঙাক্লোনগী অমসুং/নৎত্রগা লৈঙাক ৱায়েন-থৌদাগী থবক-থৌরমশিং অমসুং শক্তিশিংদু লৈপাক-লৈপাক্তুগী অমসুং লম-লমদুগী মতমদুদা লৈরিবা নিংথৌশিং নৎত্রেগা নিংথৌমচাশিং অমসুং মীয়ামগী লৈঙাক-খুনঙাক্লোনগী/রাজনীতিগী নেটাশিং/লুচিংবশিংগী মফমদা/মখুত্তা মাগী মাগী লৈপাক্কী/লমগী ওইনা তোপ্পা তোপ্পা শীন্নরম্মী। মরম অসিনা লৈঙাক্লোনগী লৈপাক পানবগী অমসুং ঙাকপগী শক্তিশিং অদু মাগী মাগী লৈপাক-লৈপাক্কী ওইনা তোংঙান তোংঙান্না/তোপ্পা-তোপ্পা ফংনরিবা অমসুং লৌনরবনিনা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ অসিনা কোল্লিবা লমখৈ-লমকনগী মনুংদা লৈরিবা লৈপাক/লমদম অমসুং ত্রিটীসিদা পল্লিবা লৈপাকশিং/লমদমশিং, হায়বদি মরী লৈনবা লম/লৈপাকশিংদা হান্ননা বর্মাগুম মরুপ-মপাং ওইরম্নবসু মমৈদা/মতুংদা বৃটিশনা লৌশিন্দুনা লোইলম ওইহনখিবা লৈপাকশিং অমসুং লমদমশিংনা মাগী মাগী পাল্লিবা/পীরিবা হিরমশিং/থবকশিংদুদা ত্রিটীসিনা পীরিব(শিং)দুগী মতুং ইন্না/ইন্দুনা মসি (য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬) গী হিংদুনা (চৎনবা/শীজিন্নবা য়ানা) লৈহৌরিবা আর্টিকলশিংদুগী ৱারোল(শিং) না পীরিবা মতীক-মঙম, মপাঙ্গল-ময়াই (শক্তি) শিং অদু মাগী-মাগী অপীবা থাক্তুদা শীজিন্নবা, মরী-মখোঙ লৌবা, মতেং লৌবা অমসুং চৎনহন্নবা হোৎনবা য়াবগী হক [অধিকার (Right)] লৈ। হায়রিবা য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী হিংলিবা (চৎনবা/শীজিন্নবা য়ারিবা) ৱারম-ৱাফম (Article) শিংসি মাগী-মাগী ওইনা শীজিন্নবা য়াবগী/ঙম্বগী হক(শিং) অদু মাগী-মাগী লৈপাক-লৈপাক্কী/লম-লমগী নিংথৌশিং/লুচিংবশিংগী মফমদা বৃটিশ সরকারনা লৈপাক-লৈপাক্কী মনীঙ-মখা তম্না পীরম্না/হন্দোক্লম্না মতমদুদা পীরম্না অমসুং নিংথৌশিংদুনা/লুচিংবশিংদুনা বৃটিশশিংদুগী মপা-মপুগী স্বত্ববু উত্তরাধিকারী [Heir Apparent of ownership/proprietory right] ওইনা ফংহৌবনি। মরম অসি লৈবনা ভারতবর্ষ/ইন্দিয়ানা মণিপুরবু য়োৎশিল্লমদায়গী শাহিং চাবশিংগী

লীচত্তা ময়া লাওনা কাথোক্লবা সর্দ্দার (বল্লবভাই) পেটেল, আইরন মেন ওফ ইন্দিয়া (Iron Man of India), পণ্ডিত জৱাহরলাল নেহরু ফার্ষ্ট প্রাইম মিনিষ্টর ওফ ইন্দিয়া (The First Prime Minister of India) অনিনা বৃটিশনা হকথেংননা মণিপুরগী লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদা শীন্নরম্বা বোধচন্দ্র সিংহ [খৃঃ ১৯০৮-(১৯৪১-৪৮)–১৯৫৫] বু মণিপুর নমলৌ-লৌননবগীদমক্তা কোয়তান তানখি। হায়রিবা গধা (Donkey) অনিসিনা মণিপুরসি য়ান্দবৃ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী আর্টিকল অনিশুবনা ঙাকলি-শেল্লি অমসুং কন্দুনা থল্লি হায়বসিদি খঙখিদে, অদুগা খঙফমসু থোক্তে, মরমদি মখোয়গী পোলিটিক্স (Politics) তা নেটাজী সুভাসচন্দ্র বসু, মোহনদাস করমচান্দ গান্ধী, নাথুরাম গোসে অমসুং আচার্য্য বিনোবা ভাবেখোয়গুম্বগী পোলিটিক্স য়াওদে, ক্রুড পোলিটিক্স (Crude Politics) নি। অদুগা অসভ্য পেটেল অমসুং নেহরুসিনা হায়রিবা মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু লৈশেম চীঙখোম্বা, বোধচন্দ্র মহারাজসিনা মহাক্না বৃটিশশিংদগী লৌহৌবা/ফংহৌবা মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী/রাজনীতিগী শক্তি পুম্নমক্তু খৃঃ ১৯৪৮ গী ওক্তোবর ১৮, নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রজা মীয়ামদা নৎত্রগা মণিপুরগী প্রজা মীয়াম্না খঞ্জবা মীহুৎশিংনা শাবা/শেম্বা আইন সভা [লেজিস্লেটিব এসেমব্লী (Legislative Assembly) দা শিন্নখিবা/পীখিবসি খঙলবসু খঙশিন্নদে, অদুগা মখোয়গী মনাই অসামগী গভর্নর ওইরম্বা শ্রীপ্রকাশনা তাংখুল-হুইগুম্না মহারাজ বোধচন্দ্রবু খৃঃ ১৯৪৮-৪৯ গী ওক্তোবর ফাওবদা কোয়শঙ-শঙখ্রিবা অমসুং কোয়শেন শেন্নখ্রিবদুনি [পমঃয়ঃলঃ, ১৯৯৩, ৩৭]। অদুবু মপা-মপু পুরেনশিংগী হাক্তক্তগী লোই ওইদুনা চহি ৩০০ (চহুম) লৈরক্লবা ভারত/ইন্দিয়াগী লোইলম অমসুং লোইলম-লৈঙাক'মপু বৃটিশশিংগী উত্তরাধিকারী ভারতবাসি/হিন্দুস্থানী (ইন্দিয়ান) শিংনা মীনাই ওইবগী/ওইরকপগী লমচৎ-শাজত্তু হোংদোকপা অমসুং থাদোকপা ঙমদদুনা বৃটিশনা হুন্দোক্লম্লবা চেজেৎ খুন্দুনা খৃঃ ১৯৪১-৪৯ দগী মখোয়গী অনৌবা হিন্দুস্থান অমসুং হিন্দুস্থানগী লোইলম লীংখৎনবা অমসুং ডিমোক্রেসীগী মিংদা অৱাং-নোংপোক ভারত অমসুং মণিপুরদা লোইলম-লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদা লীংনবা, চৎনহন্নবা অমসুং থম্মনবা থৌশীল-থৌরাং তৌরকখি অমসুং পায়খৎলকখি, মরম অসিনা সর্দ্দার পেটেল, জৱাহরলাল নেহরু, করমচান্দ গান্ধী, মহম্মদ আলি জিন্নানচিংবগী মপাশিং অমসুং মপুশিং লোই-মী মীনাই ওইনা পোকখিরম্মী,

লোই-মী ওইনা হিংলমখিরম্মী অমদি লোইমী ওইনা শিখিরম্মী, মখোয়দুগী মচা-মশূশিংদু, লোইলম-লৈঙাক্তু হৈনবা, মদু লীংখৎনবা হোৎনবদা হৈ-শিঙলিবনি।

মণিপুরনা বৃটিশকী লোইলম ওইরকখিবাঃ— বৃটিশ অমসুং মৈতৈশিংনা লৈঙাক্লোনগী মরী লীংখৎনবা হোৎনখিবসি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা [রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র, জয় সিংহ, কৰ্ত্তা, নুঙনাংখোম্বা অমসুং চীঙশাংখোম্বা (খৃঃ ১৭৫৯-৬১ অমসুং খৃঃ ১৭৬৩-৯৮)] গী অহানবা নিংথৌ ওইবগী মতম অসিদগীনি। অদুগা বৃটিশ মচাশিংগী খোঙ্গুলনা মণিপুরগী লৈমায়দা অহানবা মমি তাখিবসি খৃঃ ১৭৬১ দগীনি, মদু মৈতৈ/মণিপুরী-মলেসকী মরুপ ওইনবগী মরীসি লীংখৎনবা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীনা মণিপুরগী লম্বী-থোং, লম্মিৎ-তুমিৎ, অঙ্গং-অশা, পোখোক-চৈথোক্লচিংবা থিজিল-হুমজিল্লুবা বৃটিশ ওফিসার অহুম মণিপুরদা থারকপদগীনি। অদুবু বৃটিশকী লল্লোন-লুপ অসিগী খুদোংচাদবা খর লৈরকপদগী মরীসি লীংখৎপা ঙমখিদে। অদুগা হায়রিবা মৈতৈ-মলেসকী লানগী মতেং পাংননবগী মরীসি অশেংবা য়ুম্ফমদা কাইদোং ওইদুনা লীংখৎখিবসি মৈদিংঙু নোংচুপ/ভালোক ৱারং পামহৈবা নৎত্রগা চৌরজিৎ মহারাজ (খৃঃ ১৮০৩-১৩) না নিংথৌ ফম্বাল থাদোক্লবা মতুংদা নিংথৌসিনা মশামক চত্তুনা কলকটাদা দরখাস্ত অমা বৃটিশকী মতেং লৌনবা খৃঃ ১৮১৫ দা থাখিবা অদুদগীনি।

য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬, হায়বা সন্ধী, ব্রাম্মা এম্পয়ার অমসুং বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনী নৎত্রগা বৃটিশ জাতি অনিনা চহি অনি (খৃঃ ১৮২৪-২৬) রোম লান শোক্লরবা মতুংদা ব্রাম্মা/বর্মীজশিংনা মায়থীদুনা বৃটিশকা তেশিন-তাইশিন্নবা সন্ধী তৌনবগী ৱারম-ৱাফমশিং, মরুওইনা অনিশুবা ৱারম-ৱাফম (Article No. 2) অসিদা— ব্রাম্মা/বর্মীজশিংনা বৃটিশকী ঙমখৈগী লমদম (Frontier) দা লান্দারগা তকশিল্লক্তুনা মনীঙ-মখা তম্বা অমসুং মশা-মতোমতা লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদা তৌজবা নিংথৌ পানবা লৈপাক খর লৌশিনখিবদগী হায়রিবা লৈপাকশিংদুনা মশাগী লান্মীনা বৃটিশকী মতেং লৌরগা মরৈপাক হন্দোকচবা অমা অমসুং বৃটিশশিংনা মখোয়গী লান্মী (British Army) শীজিন্নদুনা পুমহন-হন্দোকপীবা লৈপাক অহুম অমসুং মখোয়গী মখা পোনবা লমশিংগী ৱাফমসু— ময়েক শেংনা পল্লি। অদুগা বৃটিশশিংনা বর্মীজশিং মখুত্তগী হন্দোকপীবা লৈপাকশিং অমসুং লমদমশিংদু লাঞ্জাওদুগী মতুং, হায়বদি য়ান্দবূ

ত্রিটী, ১৮২৬ সি তৌনরবা মতুংদা মখোয়না (বৃটিশনা) মখোয়গী লোইলমশিং ওইনা লৌশিনখিরম্মী অমসুং মদুদা থোইদোক্লা নীঙঙাই-শঙদানবা থোকখিবগী ঈ-পাউ লৈতে [মসিগুম্বদু সিপোই ম্যুটিনীগী মতমদা অসাম অমসুং জয়ন্তিয়াদা মলোম/থরুম পোপথোক্লুরক্কনি]। অদুবু মখোয় বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী এডমিনিস্ত্রেটিব কাউন্সিলনা শেল য়াম্না তিংনা বৃটিশকী অৱাং-নোংপোক লমখৈগী মিলিটরী এফিয়ার্সকী থৌ/থবক পুবা বৃগেদিয়র/মেজর-জেনরেল শুলধাম [Brigadier/Major-General Suldham] দা শীন্নদুনা বৃটিশ লান্মী ময়াম খোমজিল্লগা মণিপুররোমদা চঙশিন্নবা হোৎনরুবদা শুলধামসিনা, "ওইথোক্লরোয়দবা থবক্লি" হায়দুনা থাদোক্লম্লবা থবক,– মণিপুরবু ত্রান্মা/অৱাশিংগী মখুত্তগী হন্দোকপা হায়বসি [ডাঃলঃচঃ, ১৯৭০, ২৩], মণিপুর মশাসিগী মীওই ৫৯৪ [চামঙা মরিফুদ্রা মরি (Foot soldier 500 and their 50 officers and 40 troopers and their 4 officers)] খক্তনা শাবা রাজা গম্ভীর সিংহ্ লেভী, ১৮২৪-২৫ [মসি খৃঃ ১৮২৫ গী ডিসেম্বর তারিক ২৩ দগী "মণিপুর লেভী, ডিসেঃ ২৩, ১৮২৫-ফেব্রুঃ ৭, ১৮৩৫" হায়না মমিং ওল্লকখি, মসিগী মতুং খৃঃ ১৮৩৫ দগী মণিপুর মশাগী খরচতা লীংজবা ওইনা খৃঃ ১৮৯১ ফাওবা লৈরম্মী] না মরন্নাইগী ওইনা (Private Business) মরৈপাক মণিপুর হন্দোকচখি। অদুবু য়ান্দবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী ৱারম-ৱাফম অহুমশুবা (Article 3) অসিদা মণিপুরসিসু বৃটিশশিংনা অৱা/বর্মীজশিং মখুত্তগী হন্দোকপীবা অমসুং মখোয়না কোননা লৌশিনবা অমসুং লোইলম ওস্থোকপা লৈপাকশিং– অসাম (খৃঃ ১৮২৬ তা লৌশিনখি), জয়ন্তিয়া (খৃঃ ১৮৩৫ সিদা লৌশিনখি) অমসুং কছাড় (খৃঃ ১৮৩২ দা লৌশিনখি), অসিগা লোইননা খৃঃ ১৮২৬ কী ফেব্রুয়ারী ২৪ সিদগী বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী লম নৎত্রগা বৃটিশ জাতিগী বৃটিশ এম্পয়ারদা তীল্লবা অমসুং মখোয়গী লৈপাক্কী মনুং চনবা লৈপাক-মচাশিং/লমশিং ওইনা পীরি/পল্লি। মসি বর্মীজশিংনা লান্দারকপদগী ঙাকথোক্লবা হান্না/মাঙজৌননা লৌখৎপা চেকশিন-থৌশীল অমসুং ঙাকশেন-থৌরাংগী মিৎয়েংদা তৌবা মালহল্লগা বৃটিশশিং হেঞ্জিন্না খুদোংচাবা লৌবা অমসুং তুংলমচত্তা লৈপাকশিংসি লৌশিনবা, নমদুনা লম মুনবা য়ানবগী পোরম-পোথাংদা মাঙজৌননা হিরম/থৌরাং য়াৎপনি, মরমদি হায়রিবা লৈপাকশিংসি মখোয়গী লৈপাক্কী/লমগী মনুংদা থম্লে হায়বসি লৈপাকশিংসিগী

লৈঙাক-লুপশিং (Governments) দা খঙহন্দে অমসুং মৈতৈশিংদি খৃঃ ১৮২৭ তগী বৃটিশ ওফিসার অহুম [কেপ্তেন/মেজর এফঃ জেঃ গ্রান্ট, লেফটেনেন্ট/কেপ্তেন আরঃ বিঃ পেম্বর্টন অমসুং লেফটেনেন্ট/কেপ্তেন জিঃ গোর্ডন) না মখোয়গী ওফিস অমসুং ক্বার্টর্স [Office-cum-Quarters] লাংথবান/কাঞ্চিপুরদা খৃঃ ১৮২৭ তগী লীংখত্তুনা খৃঃ ১৮৯১ ফাওবা লৈরবসু খক মণিপুরী/মৈতৈ নিংথৌ, অঙম-অথৌনচিংবদি লায়রদনা অঙাও-অফৈ ফাওবদা হায়দোক্তে, খঙহন্দে।

বৃটিশশিংসিনা অসাম, জয়ন্তিয়া অমসুং কছাড় লৈপাক অমসুং লৈপাকশিংসিগী জাতিশিংবু নমথাক তৌদুনা থল্লগা মমৈদা মখোয়না থাকখিবা হাইগৎলাং অদু কাইবদা লৈপাক অহুমসি বর্মীজশিংনা খৃঃ ১৮২৪-২৫ দা জয় তৌদুনা খুদুম চল্লগা থল্লম্বদগী মখোয়না বর্মীজশিংদগী হন্দোকপা লৈপাকশিংনি নৎত্রগা বৃটিশশিংনা বর্মীজশিংগী লমদগী নৌনা জয় তৌদুনা লৌবা লমদমশিংনি, হায়না খৃঃ ১৮৩২ সি লৌশিনখিবসিদগী মখোয়দি (লৈপাকশিংসিদি) খৃঃ ১৯৪৭ য়ৌদ্রিবা ফাওবা অদুম্মক বৃটিশকী লোইলম ওইদুনা লৈম্লবনি। অদুগা মণিপুরগী লমদাংদা মখোয়না থল্লিবা মিৎয়েংদি মণিপুরসি মখোয়দা কান্নরি, বর্মাসি মীশীঙ য়াম্না, মহৌশা লাইরেন্বীগী উমং-ৱামংগী, লৈনুং-খোংগী, চীঙ-লোক্কী, পাৎ-তুরেনগী পোখোক ফবা, মরাং কায়বা লৈপাক্কি অমসুং শূ-নোম্বগী খুৎ-শা হৈবগী, শীনশূ-শীহ্বাগী পোখোকসু খর মখৈ পুথোকপা লৈপাকসুনি, অদুগা য়ুরোপকী বৃটিশকা য়ানদবা লৈপাকশিংনা খুৎশূ-খুৎলাই পীশিনবা অমসুং লোন্না লান্দম্নীবসু চথরিবনিনা অমুক হন্না লান হৌনীঙলকপা য়াবগী ৱাফমসিসু নক্না লৈরি, অদুনদি মণিপুরসি বৃটিশকী লমখৈ লমদম (Frontier) গী মায়খন/য়ুখন ওইনা মতম খরদি লৈহনখিবা তারি, হায়বসিনি। অদুনা মখোয়গী বৃটিশকী মনুং চনবা লম/লৈপাক ওইনা য়ান্দাবূ ত্রিটীগী অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা আর্টিকলশিংদা পল্লবসু-য়াওরবসু মনীঙ-মখা তন্না লৈপাক অমা ওইনা ঐখোয়গী (বৃটিশকী) কান্নরিবা ওইজরিবা মখৈদি ঈকাই খুম্নবা উত্তুনা থম্নীগদবনি। অদুগা খৃঃ ১৮২৬ সিগী মতুংদা মণিপুরগী রাজনৈতিক্কী হিরম-ৱারমশিংদা খুৎ থিংজিনবা য়াননবগী লম্বী য়াত্তুনা খৃঃ ১৮৩২ দগীদি খুৎ থিংজিনবা হৌরকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ২৫-২৬, ৫১]। অদুনা খৃঃ ১৮৩৩ দদি কছাড়রোম থংবদা লৈরিবা

মণিপুরগী ঙমখৈ, নমদুনা পীকশিনহনখিরম্মী [N.N.A., 1983, 174-75], খৃঃ ১৮৩৩ সিগী খুজিন-থৌরাং তৌরগা মণিপুরগী নিংথৌ, লৈপাক পুরিবা অঙম-অথৌ অমসুং প্রজা মীয়াম্বু কনাসু খঙহল্লমদা কনা অমত্তগসু তান-খন্নরমদনা খৃঃ ১৮৩৪ গী জানুৱারী তারিক ৯, শগোলশেন নুমিত্তা কবো তম্পাক [মৈতৈ কবো নৎত্রগা কাসে শান (Kabo Village or Kase Shan)] বু অৱা/ম্রাম্মা (বর্মীজ) শিংদা পীথোকখিরম্মী অমসুং মেজর এফঃ জেঃ গ্রান্ট অমসুং কেপ্তেন আরঃ বিঃ পেম্বর্টননা নুমিৎসিমক্তদা মহারাজ গম্ভীর সিংহগী খুৎকী খুদম [সহি (Signature)] লাংথবান কোনুংদগী নমলৌ লৌখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১৭৬, ৬৯-৭০ অমসুং ডাঃ লঃ চঃ, ১৯৭০, ৪৬-৫০]। হায়রিবা এফঃ জেঃ গ্রান্ট, মেজর অমসুং আরঃ বিঃ পেম্বর্টন, কেপ্তেন অনিসি বৃটিশ অমসুং বর্মীজ জাতি অনিসিগী লৈপাক্কী লমখৈ য়াৎনবা অমসুং ঙমখৈ শেমদোক-শাদোক্লবগী কম্মিসন [Boundary Commission] গী বৃটিশনা মখোয়গী ওইনা হাপ্পা কম্মিস্নারশিংনি। হায়রিবা কম্মিসনসি শেন্না বর্মীজ অমসুং বৃটিশকী মায়কৈ/নাকল অনিসিদা মাগী মাগী কম্মিস্নার হাপ্পরিবসি য়াম্দাবু ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা আর্টিকলশিংসিগী ৱায়েল মখাদনি।

বৃটিশশিং অসিনা খৃঃ ১৮৩৫ দা মখোয়না মণিপুর লেভীদা শেল থাদরম্বা তোকখ্রে অমসুং মখোয়না মণিপুর লেভীদা থম্লম্বা কম্মিস্নার অনি অমসুং এডজুটেন্ট (Adjutant) লৌথোকখ্রে। অদুগা চহিসিগী ফেব্রুয়ারী তারিক ৭ তগী পোলিটিকেল এজেন্ট হায়বসিগী মমিংদা মখোয়গী অরোনবা পাউ লৌবা/পীবা স্পায় (Spy)/এমিশরী (Emissary) থম্মনবা পোলিটিকেল এজেন্সী (Political Agency) মণিপুরদা লীংখৎশিল্লরে। মখোয় মদুদগী মণিপুরসিবু অমসুং মৈতৈসিবু করি খঙদবা, মখোয়গী মতেং য়াওদ্রবদি লৈপাক পানবা ঙমজদবা ওইনা লৌখ্রে। অদুগা মসিদগী অসুম অসুম চঙশিল্লকপসিনা খৃঃ ১৮৫০ গী অদুৱাইদগীদি মণিপুর অমসুং মণিপুরীশিং অসি মখোয়গী মখা থাবা, মখোয়না ঙাকপী-শেনবীবা লৈপাক (Protected State/Kingdom) নৎত্রগা মখোয়গী লোইলম লৈপাক (Colonial Kingdom) অমা ওইনা ইন্দিয়া/ভারতকীগুম্বা খল্ল-লৌরবসু মখোয়না মৈত্রবাক মণিপুরবু মখোয়না তশেংনা মখুৎ চন্নবা, লৌশিন্নবা নৎত্রগা খুদুম চন্নবা খৃঃ ১৮৯১ দা হোৎনরকপা মতমদুদদি মখোয়দগী

নৎত্রগা মখোয়গী লৈপাক্তগী/মরমদমদগী তোংঙানবা মনীঙ-মখা তম্বা, মশা মতোমতা লৈঙাক ৱায়েন থৌদা তৌজবা লৈপাক অতোপ্পা অমনি হায়দুনা,– "বৃটিশনা মণিপুরগী মথক্তা লান তৌরে"– হায়দুনা খৃঃ ১৮৯১ গী মার্চ তারিক ৩১ দা ৱার ডিক্লেয়র (Declaration of War) তৌরগা মণিপুরদা লান্দারকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ১৭১ অমসুং N.K.S., 1983, 43]। হায়রিবা এঙ্গলো-মণিপুরী লাঞ্জাও, ১৮৯১ সি মণিপুরীশিংগী মায়কৈদগীসু চহিসিগী মার্চ ২৫ দা লান লাউথোকখিবনি। হায়রিবা লাঞ্জাওসি শোক্লবদা মণিপুরী/মৈতৈশিংনা মায়থীরদুনা খৃঃ ১৮৯১ সিগী এপ্রিলগী তারিখ ২৭, নিংথৌকাবা নুমিত্তা বৃটিশশিংনা মণিপুরবু মখোয়গী এসিয়াটিক লোইলম-লৈপাক (Asiatic Colony) দা তীনশিনখি [চৈথাঃ কুমঃ, ২০০৫, ৪৯৫]। অসুম্না মণিপুর খৃঃ ১৮৯১ দগী বৃটিশকী লোইলম ওইরকখি।

মণিপুরগী অনৌবা রাজনীতিগী ফিবমঃ–

বৃটিশশিংনা মণিপুরবু খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল তারিক ২৭ তা লোই চন্দুনা লৈপাক লৌশিনখিবা অসিদগী মণিপুরসি লোইলম লৈঙাক অমসুং লৈঙাক্লোনগী মখাদা পুরক্তুনা বৃটিশকী এসিয়াগী লোইলমশিংগী মনুংদা চঙখ্রে, বৃটিশ কোলোনিয়েল এডমিনিষ্ট্রেসন (British Conolial Administration) চৎনহনখ্রে। অদুবু বৃটিশ ভারত সরকারনা মণিপুরবু লৈঙাক-ৱায়েন থৌদা তৌবদা য়ারিবমখৈ ভারতবর্ষগী মীনাই নাইথাংশিংগী লৈঙাক অমসুং লৈঙাক্লোন্দুদগী তোংঙান্না তোপ্পা/তোখায়না থম্লনবা হোৎনরম্মী। মণিপুরগী লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদা তৌননবগীদমক্তা অনৌবা নিংথৌ অমা মৈতৈ নিংথৌমচা-নিংথৌ মশূশিংগী মরক্তগী খল্লগা মহাক্কী মিংদা লৈঙাক্লবা নিংথৌ হাপ্পগা মহাক্কী অনৌবা কোনুং শেমদুনা কোনুং শঙ্গাইনচিংবা শঙ, খাঙপোক-শঙ, শঙলেন, লাইশঙনচিংবা শাবীদুনা পীরগা লৌচা-থুমজা, দরকার লৈবা শেন-থুম, মহৈ-মশিঙ তম্বা অসিনচিংবা পুম্নমক ফংহল্লগা নোংমৈ তোপ ১১ (তরা মাথোই) রক কাপ্পুনা মহাকপু ঈকাই খুম্নবা উৎপগী থাক ফাওবা পীদুনা খৃঃ ১৮৯১ সিগী সেপ্তেম্বর ১৮ দা সরকারগী য়াথং, মণিপুরগী নিংথৌনি হায়দুনা 'রাজা (Raja)" হায়বা মিংফম-মিংথোনসি পীবগা লোইননা লাউথোকখিরম্মী। অদুগা মহাক্কী মিংথোলসিদা নত্তবা, মহারাজ (Maharaja/Emperor) হায়বা মিংথোলসিসু

খৃঃ ১৯১৮ দা পীরগা মহাক্কী মিংথোনশিংসি মহাক্কী চারোন-শূরোনশিং ফাওবদা ফংবগী ফিবম অমসুং থাক্তা লৈহল্লম্মী। অসুম্না হাপ্লিবা মৈতৈ নিংথৌ সার চুরাচান্দ সিংহ, মৈদিংঙু তুবী খল্লাং ঈশম থৌবা, নাইট কমাণ্ডর ওফ স্তার ওফ ইন্দিয়া (Knight Commander of Star of India (K.C.S.I.)], কম্মাণ্ডর ওফ বৃটিশ এম্পয়ার [Commander of British Empire (C.B.E.)] না নিংথৌ ওইবগী অহানবা অমসুং অনিশুবা চহিগী মতমদা চহিগী লোইপোৎ [Annual tribute] হাদুনা/কাদুনা চহি ৫০ (য়াংখৈ) চুপ্পা লোইলম ওইদুনা পাল্লম্মী [মথক্কীসিদা, ৫০৩]। খৃঃ ১৯৪১ গী নবেম্বর তারিক ৬, শগোনশেন নুমিত্তা নবদ্বীপতা মণিপুরেশ্বর মহারাজ নৃপচুড়ামনি চুরাচান্দ সিংহনা নোঙ্গাখ্রবদা মচাঈবুংঙো অহন মৈদিংঙু লৈশেম চীঙখোম্না নৎত্রগা মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহনা ফম্বাল কাদুনা চহি তরেৎ (খৃঃ ১৯৪১ দগী খৃঃ ১৯৪৭ ফাওবা) বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক্লোনগী মিৎয়েং মখাদা লৈঙাকখিরম্মী। মৈদিংঙুসিগী সনা হাক্তকসিদা ভারতবর্ষগী নীঙতম্বা ফংনবা হোৎনবগী ঈহৌগী মরু ওইবা রাজনৈতিক দল ভারত অপুম্বগী কংগ্রেস দল/লুপ [All India Congress Party] ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোনগী নোংলৈ-নোংশীৎ কন্না শীৎচিল্লকখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৬৫৩] অমদি পৃথিবীগী অমসুং ভারতকী অনৌবা রাজনৈতিকগী শাফুশিং কন্না য়ৈরকখিরম্মী।

মৈদিংঙু বোধচন্দ্র সিংহনা পানবা মতমসিদা বৃটিশশিংনা মখোয়গী এসিয়াটিক কোলোনীগী লমশিং থাদোক্তুনা চৎখিনবগী মতমদু লাক্লম্মী। মখোয়না ভারতবর্ষ, মণিপুর, বর্মা/ম্রান্মানচিংবা লৈপাকশিং থাদোক্তুনা চৎলমদায়গী মতমদুদা ভারত লৈঙাক্লোনগী ওইনা ভারতবর্ষদা লৈরিবা বৃটিশকী অরোয়বা গোভর্নর-জেনরেল লোর্ড মাউন্টবেটেন [Lord Mountbatten (March 24, 1947-August 15, 1947)] না ভারতকী অপীকপা মরমদম-মজাতিগী ওইজবা লৈপাকশিং (Indian Native States) গী লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদা মতাংদা য়াম্না খনবীবা অমসুং ৱাবীবা উত্তুনা/শাদুনা তুংলমচত্তা হিন্দু লৈপাক অমসুং বৌদ্ধিক রাজ্য (Buddhist Country/Kingdom) অনিগী মরক্তা/লোন্নবদা খৃষ্টিয়ান কন্ট্রী/স্টেট (Christian Country/State) অমা তুংলমচত্তা হৌরকপা/থোক্লকপা য়াননবগী ফৌদী/মরু হুনখিরম্মী। মদু মঙোন্দদি কান্নে, অদুবু

ভৌরক্লিব লৌদুগী মরুমদা (নাকন্দা)/মরূমদা (মমুত্তা) লৈরিবা/য়াওরিবা জেনেটিক প্রিন্সিপল (Genetic Principle) না পোলিটিকেল সাইন্সকী মায়খন/য়ুখন নৎত্রগা ফিজঙগী মতুংদা/মনুংদা লৈরিবদুদি অনৌবা শেম্বা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টতুগী কান্ননবা তৌরিবা নৎত্রগা মনীঙ-মখা তম্বা লৈপাকশিং (Independent States) শিংগী মরাইবক লেপ্পবা পাম্বৈ থিরিব্রা নৎত্রগা ইন্দিয়ান অমসুং নন-ইন্দিয়ান নেটিব ষ্টেটশিং (India and Non-Indian Native States) দুগী মনীঙ তম্বগী চাং অমসুং থাক ওল্লিব্রা নৎত্রগা লেপ্লিব্রা হায়বদুদি অনৌবা লোইনম লীংখৎনীঙলিবা সর্দ্দার পেটেলগুম্বশিংদুনা খঙজি। অদুগা মতমদুদা চৎলিবা রাজনীতিগী খোঙচৎ, ঈরাং অমসুং ফিবমশিং, খোঙথাংশিংনচিংবদুদিঃ–

The position of the Indian States in Independent India was foreshadowed by the Cabinet Mission, which used th e following words in its statement of 16th May, 1946:– "It is quite clear that, with the attainment of independence by British India, whether inside or outside the Commonwealth, the relationship which has hitherto existed between the Rulers of the States and the British Crown will no longer be possible. Paramouncy can neither be retained by the British Crown, nor transferred to the new Government .... At the same time the State are ready and willing to co-operate in the new development of India. The precised form which their co-operation will take must be a matter for negotiations during the building up of the new constitutional structure, and it by no means follows that it will identical for all the States". The Cabinet Mission recommended that– (1) There should be a Union of India, embracing both Britsh India and the States which should deal with the following subjects:– Foreign Affairs, Defence and Communications; and should have the powers necessary to raise the finances required for the above subjects, (2) The States should retain all subjects and powers other than those ceded to the Union.

The position was further elucided as follows: by the Cabinet Mission in its Memorandum on States' Treaties and Paramouncy presented to the Chancellor of the Chamber of Princes on 22nd May, 1946: "When a new fully self-governing or independent Government or Governments came into being .... His Majesty's Government will cease to exercise the powers of Paramouncy. This means that the rights of the States which flow from their relationship to the Crown will no longer exist and that all the rights surrendered by the States to the Paramount power will return to the States. Political arrangements between States on the one side and the British Crown and Britsh India on the other hand will thus be brought to an end. The void will have to be filled either by States entering into a federal relationship with the successer Government or Governments in British India or failing this entering into particular political arrangements with it or them."

The Rulers of the States agreed to accept the Cabinet Mission's plan. Their view point was shown as follows in a resolution passed by the Standing Committee in the Chamber of Princes on 29th Jan., 1947:– (1) The entry of the States into the Union shall be on no other basis than that of negotiation and final decision will rest with each State. ... (2) All rights surrendered by the States to the Paramount power will return to the States. ... Every State shall continue to retain its sovereignty and all rights and powers except those that have been expressly delegated by it ... (3) The Constitution of each State, its territorial integrity and the succession of its reigning dynasty in accordance with the law, custom and usage of the State shall not be interfered with by Union or any part, thereof."

... In a statement of 17th June, 1947, Dr. Ambedkar asserted that according to certain aspects of British

Constitutional Law and also International Law, there were some flows in the Cabinet Mission's memorendum regarding lapse of Paramouncy. His view was that the States "will be sovereign States to the extent they are but they cannot be independent States so long as they remain under the suzeraintly, as they must be either of the crown if India remains a Dominion or of the successor State if India becomes independent".

Sadar Petal took charge of the India States Department created by the Government of India on 5th July, 1947, "to deal with matters arising between the Central Government and the Indian States. Following his advice as well as that of Lord Mountbatten, all the States, with a few exception, decided on 25th July to accede to the Indian Union in accordance with an Instrument of Accession which provided that pending of promulgation of a constitution by the Constituent Assembly in which the States would be adequately represented the Dominion Parliament would legislate for acceding States in matters relating to Defence, External Affairs, Communications and other ancillary subjects.... [M.R.K., 1978, 982-84].

অসিশিংসিনি। অসিগুম্বা ফিবমশিংসিদা পীরিবশিংসিগী মতুংইন্না মণিপুর অসি য়ান্দাবূ ত্রিটী ১৮২৬ না পীরিবা— মনীঙ-মখা তম্বা নিংথৌনা হাইনা-হুম্না পানবা (Sovereign), মশা মতোমতা লৈঙাক-ৱায়েন থৌদা তৌজবা (Autonomou) অমসুং মনীঙ তম্বা (Independent) লৈপাক অমা ওইনা খৃঃ ১৮২৬ কী ফেব্রুয়ারী তাং ২৪ দগী মালেম পৃথিবীগী জাতি পুম্বগী থাক্তা (International Level) শকখঙ-মায়খঙখিবদুগী ফিবম অমসুং থাক্কুদা খৃঃ ১৯৪৭ কী অগষ্ট তারিক ১৫ দগী অমুক হন্না হঞ্জিল্লে।

বৃটিশনা মখোয়গী এসিয়াটিক কোলোনিয়েল ডোমিনিয়ন অসি থাদোক্কুনা চৎলমদায়দা ডোমিনিয়নসিবু মনীঙ-মখা তম্বা পীবগী তাঞ্জাদুদা ভারতবর্ষগী লমদম মপুমসি হিন্দুস্থান (ভারত/ইন্দিয়া), পাকিস্থান (ইস্লাম্মাবাদ), বর্মা (ব্রাম্মা/ম্যান্মা/

ম্যান্মার) অমসুং নিংথৌ পানবা লৈপাকশিং — হায়দ্রাবাদ, মহিশুর, পঞ্জাব, মণিপুর, ত্রিপুরা, নেপাল, ভুটান, সিক্কিম, অসিনচিংবা তোংঙান-তোঙান্না তোপ-তোপ্না খায়দোক্লুনা মনীঙ তন্বা পীননবগী থৌরাং য়াৎলম্মী অমসুং অসুম্না খায়দোক্লুনা পীরম্মী। অদুগা হায়রিবসিদা য়ান্দাবু ত্রিটী, ১৮২৬ সিদা পল্লিবা নিংথৌ পাল্লম্বা লৈপাকশিংগী মনীঙ তন্বা পীবগী/হঞ্জিনহনবগী পরমসিদা নিংথৌ পাল্লম্বদগী খৃঃ ১৮৩২ দা বৃটিশশিংনা লৌশিল্লগা মখোয়গী ইন্দিয়ান ডোমিনিয়নদা তীনশিন-পুনশিনখিবা লৈপাকশিংগী অমসুং/নৎত্রগা লমশিংগী মনুংদগী অসাম (অহোমগী লৈপাক্কী লেমহৌবা), কছাড় (ডিমাসা/হিরম্বদেশকী লেমহৌবা) অমসুং অনিসিগী মখা পোল্লম্বা/থারম্বা লমদমশিং অমদি জয়ন্টিয়া (মাওমরিয়া/মোনখমেরগী লেমহৌবা) অমসুং মসিগী মখা থাবা, খোঙলোই-পাল্লোইনবা লমদমশিং অসি বৃটিশনা পুশিল্লম্বা অদুনা মরম ওইদুনা হিন্দুস্থান/ভারত/ইন্দিয়াগী মনুং চনবা লৈপাকশিং/লমদমশিং ওইনা ইন্দিয়াগী মনীঙ তন্বা পীবদুদা পুনশিন্দুনা পুন্না পীবদুদা য়াওখিরম্মী। মণিপুরগীসু তোংঙান্না মশা মতোমতগী ওইনা পীরম্মী অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা য়ান্দাবু ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী ৱারম-ৱাফম ২শুবা (Second Article) গী অকোনবা শরুক্তা পীরিবা মণিপুরগী নিংথৌ অমসুং নিংথৌসিগী লৈপাক/মরৈপাক ওইবগী ষ্টেটস (Status), লিবর্টী (Liberty)/ফ্রিদম (Freedom), রাইটস (Rights), পৱার (Power), ডিগ্নিটী (Dignity) নচিংবদু অমুক হন্না ফংলম্মী; মসিনা মরম ওইদুনা হায়রিবশিংসি লৈপাক/জাতি অসিনা মশানা ঙাক্লুনা থন্বা (Protection), হিংদুনা লৈহনবা (Maintain and retain), ভার পুবা (Sustain) অমসুং শাগোন্ননা চৎপা (Associate), হায়বশিংসি তৌজবা তাবনি। অসুম্না তোপ্না মনীঙ তন্বা ফংখিবসি, হায়দ্রাবাদ (অন্ধ্র প্রদেশ), মহিশুর, পঞ্জাব, রাজপুত্রা, নেপাল, ভূটান, সিক্কিম, ত্রিপুরা, অসিনচিংবসুনি।

বৃটিশ ক্রাউন/পেরামাউন্সীনা মনীঙ-মখা তন্বা তোংঙান্না পীরবসিদা বৃটিশনা শেম্বা ইন্দিয়ান ইন্দিপেণ্ডেন্স এক্ট, ১৯৪৬ [Indian Independence Act, 1946] অমসুং মসিগী মখাদা শেম্বা কেবিনেট মিসন, ১৯৪৬ [Cabinet Mission, 1946] না ইন্দিয়ান প্রিন্সলী ষ্টেটশিং ওইনা রিকোমেন তৌবগী মতুংইন্না মণিপুর য়াওনা ইণ্ডিয়ান প্রিন্সলী ষ্টেটশিং অসি অকক্লবা য়ানবা

অমদা ষ্টেণ্ডষ্টিল এগ্রীমেন্ট (Standstill Agreement) অমসুং ইন্সক্রুমেন্ট ওফ এসেসন (Instrument of Accession) হায়বা য়ানা-ৰারোল ইবা চে অনিসিদা সহি/সাইন তৌনবা তাবনি। মরম অদুনা মৈতৈ নিংথৌ মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহনা মনীঙ তমদ্রিবা নৎত্রগা মনীঙ-মখা তন্বা ফংদ্রিবা মণিপুরগী ওইনা খৃঃ ১৯৪৭ কী আগষ্ট তারিক ১১ [আগষ্ট ১৫ দা মনীঙ-মখা তন্বা পীগদৌরিবনি/ফংগদৌরিবনি], নিংথৌকাবা নুমিত্তা মতমদুদা মনীঙ-মখা তমদ্রিবা গোভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া কৌবা মীখা পোল্লিবা ভারত/হিন্দুস্থানী মচাশিংনা শেন্বা/শাবা সরকার অমগী ইন্দিয়া ষ্টেটস ডিপার্টমেন্ট [Indian States Department] কৌবা অমগী মকোক থোংবা থৌ পুবা সর্দ্দার পেটেল কৌবা অমগা, ভারতকী লৈঙাকলোনগী হিরম-লমদাং পুম্নমক্কী মকোক ওইরিবা অমসুং শক্তি মখুত্তা লৈরিবা/পায়রিবা (শীন্নথোকখিদ্রিবা), ইন্দিয়াগী ভায়সরোয় লোর্ড মাউন্টবেট্টেনগী অপান্বা অমসুং পাউতাক্কী মতুংইন্না অমসুং সর্দ্দার পেটেলসিগী ৰাফম অমসুং থৌদাংবুসু য়াওনা ষ্টেণ্ডষ্টিল্ল এগ্রীমেন্ট (Standstill Agreement) অমসুং মনীঙ-মখা তন্বা ফংলবদা/পীরবদা ফংগদবা/লৈগদবা শক্তিশিং— ডিফেন্স, এক্সটর্নেল এফিয়ার্স অমসুং কম্যুনিকেসন (Defence, External Affairs and Communications) কী থবকশিংগী/থৌরমশিংগী মতীক-মঙমশিং (মশাগী মখুত্তসু লৈত্রিবা/পায়দ্রিবশিং)দু শীন্নথোকপা/শীন্নবগী য়ানা-ৰারোল ইবা চে, ইন্সক্রুমেন্ট ওফ এসেসন (Instrument of Accession) অনিসি সহি তৌনখি। থবকশিংসিগী শক্তি ফংদ্রিবা/পায়দ্রিবা নৎত্রগা শীন্নদ্রিবা/পীদ্রিবা অনিনা শক্তি য়াওদনা/লৈতনা অরৈবা/অয়াবা শাদুনা সহি তৌনবনি। মতমসিদা শক্তিশিংসি পায়রিবা লোর্ড মাউন্টবেট্টেনগী পোলিসী করিনো, করন্বা-করি প্লান্নো, অসিনচিংবসিদসু হৌজিক্কী আইনগী ওইবা মিৎয়েং থন্বা য়াই। লোর্ড মাউন্টবেট্টেনগী থৌদৌসি লাইথী অমসুং হংলাই অনিগী কুম্মৈ য়েংলিব্রা, মীগী অপঙ-অশিঙগী চাংয়েং তৌরিবা, অশিঙবা ভারত মচাশিংবু অপঙবা শীরিব্রা নৎত্রগা তুংলমচৎকী ক্রুসেড (Crude) কী লৌহোন হুল্লিব্রা নৎত্রগা য়ুনিভর্সেল লো ওফ নেসন্স (Universal Law of Nation) তা মিৎয়েং থমদুনা তুম্মমদায়দা পান লৌহল্লিব্রা।

খৃঃ ১৯৪৭ কী আগষ্ট তারিক ১১ নিংথৌকাবা নুমিত্তা মণিপুরগী মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহ অমসুং ইন্দিয়ান ষ্টেটস ডিপার্টমেন্ট, সেল্ফ ষ্টাইল গোভর্নমেন্ট

ওফ ইন্দিয়াগী থৌপু-মকোক সর্দ্দার পেটেলনা ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন্নি হায়বা দলিল (Bond)/জামিন (Surety) ডোকুমেন্ট/এগ্রীমেন্ট অদুদা সহি তৌনবা [সাইন তৌনরিবা মীওই অনিখকসি মখোয় লৈপাক/জাতি নৎত্রগা মশা-মশা মনীঙ তমন্ত্রিবনিনা হায়রিবা থবকসি তৌনবগী শক্তিশিং লৈত্রি, শক্তিশিং ভায়সরোয় লোর্ড মাউন্টবেট্টেনগী মখুত্তা লৈরি] সিদগী খৃঃ ১৮২৬ কী য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬না পীরিবা মনীঙ-মখা তম্বা অমসুং মশা মতোমতনা লৈঙাক-ৱায়েন থৌদা তৌজবগী থাক্কী শক্তিশিংগী মপাঙ্গন্না লৈপাক/কিংদম/ষ্টেট (মণিপুর) সিনা মশানা ঙাকচগদবা নৎত্রগা ঙাকচ-শেঞ্জগদবা মশাগী নীঙ-তম্বা অমসুং মথন্তনা ৱায়েন-থৌজবগী ষ্টেণ্ডর (Standard), ষ্টেটস (Status), প্রিষ্টেজ (Prestige), ডিগনিটী (Dignity) নচিংবগী লমদাংশিং অমদি অতৈ হিরম-ৱারমশিংগী মনুংদগী ফেদরেল গোভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া (Federal Government of India) দা শীন্নথোকপ্রে/পীখ্রে হায়রিবা হিরম-ৱারম অহুম,— ডিফেন্স, ফোরেন/এক্সটর্নেল এফিয়ার্স অমসুং কম্মুনিকেসনসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মখুত্তা লৈখ্রে, হায়না নাকল/মায়কৈ অনিমক্তা লৌনরি। মসি আইনগী মিৎয়েংদা অশোয়বা/অহোবা লৈ, ফংলিবা/লৌরিবা/শীজিন্নরিবা মায়কৈদুদগীদি ঙম্ন-ঙম্নবা পঙহায়দা হায়জিনবা হৌনশানি। মরম অসিনা এগ্রীভ (Aggrived) সাইড/পার্টীনা মখোয়গী মাঙজবদুগীদমক্তা আইনগী মিৎয়েংদা থম্বা নৎত্রগা য়েংশিনবগী মথৌ তাই।

মণিপুরনা অমুক হন্না মনীঙ তম্বা ফংবা মতমগী রাজনীতি অমসুং মসিদা মিৎয়েং থম্বাঃ— অনিশুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাও (খৃঃ ১৯৩৯-৪৫)'মতুংগী মণিপুরগী রাজনীতিনা মালেমসিগী অমসুং ভারতবর্ষগী রাজনীতিগী-মায়কৈশিংরোমদা চঙশিল্লক্লুনা অনৌবা রাজনৈতিক য়াওল অমা মণিপুরদা পুরকখিরম্মী। মাঙলমচৎকী অশোয়বা অমসুং অরানবা রাজনীতিগী খোঙফম অমসুং খোঙথাং কয়া য়াওখিদুনসু ভারতবর্ষ শীন-থুংনা শীৎলিবা নোংশীৎনা য়ৈরকপদা মণিপুরদা নিংথৌগী লৈঙাক (Monarchial Rule) অমসুং প্রজা মীয়ামগী লৈঙাক (Democratic Government) অনিগী চায়নবগী খোঙ্গুল তারকখিরম্মী। তেন, থাঙ-তানচিংবগী যুগ লোয়দুনা নোংমৈগী যুগ লাকখিবা, নোংমৈগী যুগদা কান্ত্রুক (Sulpher), নোংমৈ-হীদাক (Gunpowder)

নচিংবগী মতম হৌখিদুনা নিয়ুক্লিয়ার ৱিপন (Nuclear Weapon) শিং থোক্লকপা, অসুম্না মথং-মথং ওল্লকখিবনা মণিপুরগী রাজনীতিদা মীখা পোনবগী মতম চহি ৫৭ লোয়খিদুনা অমুক মনীঙ তম্বগী মতম লাকখিরম্মী। মদুনা পুরক্লুনা খৃঃ ১৯৪৭ কী আগষ্ট থাগী তারিক ১৪ (শগোনশেন নুমিৎ) অমসুং ১৫ (ঈরাই নুমিৎ) গী লোন্নবা অহিংগী নোংয়ায়দা খুৎশেমগী আকাশবানী (Radio) গী থোঙদা ইন্দিয়া (হিন্দুস্থান), পাকিস্থান, বর্মা (ব্রাম্মা/ম্যান্মার), হায়দ্রাবাদ (অন্দ্রা) নচিংবা লৈপাকশিংগী মনীঙ-মখা তম্বা পীরবগী ৱাফম ভারত্তা পাল্লম্বা বৃটিশ সরকারনা লাউথোক্লককপগা লোইননা মণিপুরনা মনীঙ-মখা তম্বা অমুক হন্না ফংবগী ৱাফমসু লাউথোক্লকখিরম্মী। থৌদোকসিগী অমসুং মসিগী মতুং ইনবা থৌদৌগী ওইবা ৱারোল্দিঃ—

...খাঙেম্বম চন্দ্র সিংহনা চৈথাবা কুম শক ১৮৬৯ ... থৱান থা ২৮নি শগোনশেন (আগষ্ট ১৪, ১৯৪৭ ইং) দা অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা স্নাকোনুং দরবারদা শ্রীযুক্ত স্নায়াইমা পৃয়ব্রতবু ছোটো সাহেব, অদুগা ভূবনস্না, কোঞ্জেং গৌর, কৃষ্ণমোহন, মুসলমান বশে, অসি দরবার মেম্বর হাপ্তুনা ফত্তনবা তৌরোই হায়দুনা ৱাশকহল্লি। নুমিদাং পুং ১২ তাবা মতমদা সরকারনা মণিপুর লৈপাক অসি শ্রীযুৎ মহারাজদা শিন্নে। ২৯নি ঈরাইগী অয়ুক পুং ৭ মিঃ ১০দা কংলা চঙদুনা শ্রীযুৎকা মহারানীগা ফমদুনা ঙসিমখৈ লৌরবনি হায়দুনা পূজা তৌই। অদুগা পুং ৭ মিঃ ৪০ দা ষ্টেট দরবারদা পাখংবা য়েকপা ফিরান য়ুংএ, অদুগা পুং ৮ তাবদা বড় সাহেবনা স্নাকোনুং দরবার হোলদা প্রজা পুম্নমক্কী মমাঙদা শ্রীযুৎ মহারাজদা মণিপুর পুম্নমক শিন্নে। অহোংশাংবম বিধু তোপ মেঞ্জোরনা তোপ ১৮লক কাপএ। পুং ১২ তাবদা শ্রীগোবিন্দগী পালা ৯না বেরাই কীর্ত্তন চৎলে।

[চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ৬৫২-৫৩]

অসিশিংসিনি। অসুম্না মনীঙ তম্বসি ফংলবা মতুংদা ভারতকী কংগ্রেস পার্টী কৌবা রাজনীতিগী দল অশেংবা শাবা অমনা মণিপুরদা কলচরগী মায়খুম উপ্তুনা, ‘‘নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা’’ হায়না মমিং থোঞ্জিনবা সংস্কৃতিগী সংস্থান (Cultural Organisation) ওইশিন্নদুনা লৈরম্বা লুপ্তুনা খৃঃ ১৯৪৬ কী ওক্তোবর তারিখ ৪ দা— ‘‘মণিপুর ষ্টেট কংগ্রেস পার্টী’’ হায়না মমিং ওল্লগা রাজনীতিগী সংস্থান/দল ওল্লগা [পমঃয়ঃলঃ, ১৯৯৩, ৩] মীনম-লাংথাক্কী

রাজনীতি তৌবা পাটী ওইরকখি, অদুগা হায়রিবা পাটীসি মশাগী ওইজবা তানবা মীওই নৎত্রবদি মীথক থোংবা য়াহল্লমদে। হায়রিবা মতম খৃঃ ১৯৪৬ সিগী মমাঙ অমসুং মতুংগী চহি ৫/১০ গী মনুংদা মণিপুরগী রাজনৈতিক দল (Political party) কয়া/খর শেমদুনা প্রজা মীয়ামগী মীহুৎশিংগী ওইবা দায়ীত্বশীল (Responsible conduct/behaviour/character) শাসনগী সরকার অমা শেম্নবা অন্দোলন (Swinging/movement) খৃঃ ১৯৪৭ দা হৌরকখিরম্মী অমসুং হায়রিবা ৰাফমসিদা মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহ অমসুং অন্দোলন হৌরিবশিংগী লুচিংবশিংগা য়ানবা পুরক্তুনা রেস্পোন্সিবল গোভর্নমেন্ট (Responsible Government) শেম্নবা/লীংননবগী ডিমাণ্ডগী অন্দোলন অদু চহিসিগী নবেম্বর থাগী তারিক ২৬ তা লোয়শিনখিরম্মী [পমঃয়ঃলঃ, ১৯৯৩, ১২]।

মণিপুরগী রাজনীতি দলশিং অমসুং গোভর্নমেন্ট পুরিবশিংগা য়ানদুনা খৃঃ ১৯৪৮ গী জুন থাদা মণিপুরগী অহানবা আইন সভা [লেজিস্লেটিব এসেম্বলী (Legeilative Assembly)] শেম্নবা ফ্রেঞ্চাইজড মীখল (Franchised Election) পাংথোক্তুনা [মতমসিদা ভারতবর্ষদা অসিগুম্বা নৎত্রগা অতৈ মখলগী মীখল (Election) গী মমি তাদ্রি, লোইলম লীংখৎনবগী কুবুদ্ধী (Bad/evil aspirantion/thought) তৌরি] মণিপুরদা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা লৈঙাকপগী শাসন লীংখৎখিরম্মী। হায়রিবা শাসনসি লীংখৎপা অমসুং মদুগী মতম অদুৰাইদা ওইখিবা মণিপুরগী রাজনীতিগী ফিবম-ফিরেপকী মরমদা পাউদন্লিবদিঃ—

প্রজানা য়াদবা কংগ্রেস পাটী

মণিপুরদসু তাঞ্জা অসিদা মশাগী কনষ্টিট্যুসন শেম্বা লোয়রদুনা চৎনরে। মদুগী মতুংইন্না ইং ১৮৪৮ গী আগষ্ট থাদদি মণিপুরগী চীঙ অমসুং তমগী মীখল তৌদুনা ফল হায়দোকপা লোয়রে। ওক্তোবর ১৮ দা নুমিৎ থা অফবা য়েংলগা মহারাজ বোধচন্দ্রনা মণিপুর প্রজানা খঞ্জবা মীহুৎনা শেম্বা, মতম কুইনা ঙাইরবা মতুংদা ৰানা ফংলবা আইন সভা (লেজিস্লেটিভ এসেম্বলী) হাংদোকপীরে। অহানবা নুমিৎ অসিদা রাজনীতি দলশিংনা মশা মতোম মতোমতনা মেজোরিতি তাবা য়াওদবদগী মন্ত্রী খনবা ঙল্লমদে, এসেম্বলী য়ৈথোক্লে। হান্নগী কাউন্সিলবু মতম খরগা অমুক থবক পুহল্লে। মণিপুর প্রজা মীয়াম্না কংগ্রেস দল অনিমকপু

পামদ্রে; মখোয়গী ফমতমক পান্না নীতিবু তুকচচনরে হায়বসি হৌজিক্তি ময়েক শেংনা খঙলে। কংগ্রেস পার্টী অনিমক তরক তাহৌরে। নবেম্বর ২৬ তা নুংথিল পুং ২ তাবদা, মণিপুর প্রজা শান্তি সভানা লুচিংবা মন্ত্রী মণ্ডল অমা ৱাশক লৌরে। ...মহারাজকুমার প্রিয়বর্ত্তনা অমুকসু চিফ মিনিষ্টর ওইরে। অতৈ মন্ত্রীশিংনা অরাম্বম ইবোতোমচা সিংহ, ডাক্তর লৈরেন সিংহ, মেজর খাথিং, অয়েকপম গৌরবিধু সিংহ, মিষ্টর তেব কিলোং অমসুং মহম্মদ অলিমউদ্দিন— মখোয় তরুক অসিনি। মসিগী মমাঙদা মিষ্টর টিয়ানখম অমসুং তখেল্লম্বম বোকুল অনিবু হান্ননা এসেমব্লীগী স্পিকর অমসুং ডিপুটী স্পিকর ওইনা মথং শীংনা খনখ্রবনি [মথক্কীসিদা, ২৯-৩০]।

অসিনি। অদুগা হায়রিবা মণিপুর কনষ্টিট্যুসন, ১৯৪৭ [The Manipur Constitution, 1947] অসিগী মতুংইন্না His Majesty, The King of Manipur, মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহনা কনষ্টিট্যুসন অসিগী, মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লীসিগী অমসুং মণিপুর এডমিনিষ্ট্রেসন (Manipur Administration) গীসু নোমিনেল হেড [Nominal Head] নি, নিংথৌসি মশামক্না শেমহঞ্জবগা লোইননা প্রজা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা লৈঙাকপগী শাসনসি পুরক্লবা শীঞ্জবনি [মথক্কীসিদা, ২৬]। মরমশিং অসি লৈবনা মণিপুরদা খৃঃ ১৮৯১ দগী লীংখত্তুনা লৈরক্লবা বৃটিশ গোভর্নমেন্ট অদুনা নৎত্রগা মদুগী মণিপুরদা লৈরম্বা বৃটিশকী ঈরোয়-লোয়বা/ঈকোন-কোনবা পোলিটিকেল এজেন্ট মিঃ জেঃ এফঃ পীয়র্সন [Mr. J.F. Pearson (1947), The last and latest Political Agent] না খৃঃ ১৯৪৭ কী আগষ্ট তারিক ১৫ গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা মতমদুগী মণিপুর ষ্টেট দরবার হোলদা মণিপুরগী প্রজা মীয়ামগী মমাঙদা শীন্নখিবা মণিপুর লৈপাক অমসুং মসিগী এডমিনিষ্ট্রেসনগী শক্তিশিং অমসুং মথৌ-মঙম, থৌদাং, থৌগায়নচিংবগী ভারশিং পুম্নমক মণিপুরগী দায়ীত্বশীল আইন সভা (Responsible Legislative Assembly) সি হাঙদোকপা/হৌদোকপা নুমিৎ খৃঃ ১৯৪৮ গী ওক্তোবর তারিক ১৮ অসিদা শীন্নথোকখ্রবনি।

মণিপুরবু ভারত্তা নমতীন তীনশিনহনখিবাঃ—

মণিপুরবু মনীঙ-মখা, গনতন্ত্র চৎপা লৈপাক অমা ওইনা মতোমতগী মখোঙনা লেপচদুনা লৈরম্বদগী মনীঙ তম্বা পুনশিন্নবগী মিংদা নম্ফু-হাফু/নমজা-নমথেক্লবগী পাম্বে শীজিন্নদুনা লান্মীগী পাঙ্গল উত্নুনা ভারত্তা নমতীন-তীনশিনহন্নবগী থৌরাং হকথেংননা শীজিন্নখিবসি এডোল্ফ হিটলরগী মতৌ তমজনীঙবা ডিক্তেটোরিয়েল কংগ্রেসনা সর্দ্দার পেটেলগী মীনাই শ্রীপ্রকাশ কৌবা অচুম্বগী মঙাল লৈতবনা মপুন্সিগী অচুম্বা ঙাংখিদ্রবা মীশক্নুননি। মহাক্না নাকোয়ননা হোৎনরিবা মীনুখাং কংগ্রেসমেনশিং— তোম্পোক কংগ্রেস অমসুং তোমাল কংগ্রেসকী মীওইশিং (মমিং পঞ্জররোয়) গী খুৎ চাওনা য়াওখি, হায়দবা য়ারোয়। অদুবু শ্রীপ্রকাশসিগা মহাক্কী মীনাই-নাইথাং রুস্টমজি কৌবা অমগনা কোয়চেন-চেন্দুনা সর্দ্দার পেটেলনা নাদুনা বোম্বেগী হোস্পিটাল অমদা লৈরবা ফাওবদা অসামদগী বোম্বেগী হোস্পিটালদু তাননা চেন্দুনা পাউতাক লৌরুরিবনি। পীবীরকপা পাউতাক্তি— ''নখোয়গী অদুৰাইদুবু লান্মী বেটালিয়ন অমা ফাওবা লৈজদ্রা''— হায়বসিনি। অসিগুম্বশিংসি মরৈপাক নুংশিজবনা ভারতকী ঈ-পাউ খৌরাংনা ঙাইরিবা মণিপুরদা লৈরিবা কংগ্রেস পার্টীগী অচম্বা মীওইশিংনা করিসু খঙদ্রি [মথক্কীসিদা, ৪৩]। শ্রীপ্রকাশনা মহাক্কী ওথোরিটিগী পাউতাক ফংলবদা নত্তবা কয়া হায়জিন্দুনা মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহবু শিলোংদা কৌরগা লাঙ্গোয় চনশিন্দুনা খৃঃ ১৯৪৯ গী সেপ্তেম্বর ১৭ তগী ২১ ফাওবা থম্লগা মণিপুরবু ভারত্তা তীনশিনবদা মশানা য়ারে হায়বগী সহি নমলৌ লৌখিরম্মী। হায়রিবসিগী লমদাংদা থন্বীরল্লিবা ৱারোন অমদিঃ—

...হৌজিক 'রেদ লেন্দস' তগী মপান থোকহন্দনা লান্মীনা কোয়শিন্দুনা থম্লবা ফাওবদা শ্রীপ্রকাশ অমসুং রুস্টমজিনা মহারাজবু অকিবা অমদি পোক্লি [মথক্কীসিদা, ৫২]। ...

<u>সেপ্তেম্বর ২০</u>

অয়ুক নোংঙাল্লগা ...। শক্তি পুম্নমক মঙোন্দা লৈরিঙৈদদি মহাক্না হকথেংননা শম্নবা অদু ওইথোক্লম্মী; হৌজিক্তি ভারত সরকারনসু য়াবীখ্রবা মণিপুর ষ্টেট কনষ্টিট্যুসন এক্তকি মতুংইন্না মহাক্তি প্রজানা শেম্বা এসেম্বলীগী মপুঙ ফানা

দায়িত্ব লৈরবা গভর্নমেন্ট অমগী মমিংতা ঙাইরবা মকোক্নি; লৈপাক্কী শক্তি অমসুং শাসন্দি প্রজাদা শীন্নখ্রবনি; অদুনা প্রজা মীয়ামগী খোল্লাও অদু মহাক্কীসু খোল্লাওনি; অসিগুম্বা ৱাফমশিংসিদদি অসামগী গোভর্নরমক্কা য়াবীখ্রবা মণিপুর ষ্টেট এডমিনিষ্ট্রেসন রুলসগী রুল নম্বর ২৮(২) গী মতুংইন্না মহারাজ অমসুং মন্ত্রীমণ্ডল অনিমক্কী অপুনবা দায়িনি; অমসুং নিংথৌনা শক্তি লোয়না পায়শিল্লি হায়রিবা ত্রিপুরা অমসুং কুচবিহারগী ৱাফমগা মণিপুরগীগা য়াম্না খেন্নে হায়দুনা মহারাজ বোধচন্দ্রনা শ্রীপ্রকাশতা শন্দোক্লা হায়রম্মী [মথক্কীসিদা, ৫২-৫৩]।

<u>সেপ্তেম্বর ২১</u>

য়ান-চেরোন... শেমদোক-শেমজিন পুমলোয় লোয়রবা কান্দা নুংথিল পুং ৫ রোম তাবা মতমদা মহারাজ বোধচন্দ্রনা মণিপুরগী শাসন ভারত সরকারদা ইং ১৯৪৯গী ওক্তোবর ১৫দগী লৌশিনবা য়ারগনি হায়বা চেরোন অদু সহি তৌরে। ভারত সরকারগী মায়কৈদগী ষ্টেটস মিনিস্ত্রীগী এডভাইজর শ্রী ভি, পি, মেনননা সহি তৌফম থোকপনি। ... মশা লাক্তবনিনা মাগী সহিদি নুমিৎসিদা য়াওদ্রে। শ্রীপ্রকাশনা নাকন্দা শাক্নি ওইদুনা সহি তৌরগা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা চত্থরকপা মণিপুর লৌশিনখিবগী দ্রামা অদু লোয়শিনখি [মথক্কীসিদা, ৫৭]।

অসিশিংসিনি। অসিগুম্বা থৌওং-থৌদৌ অসিবু আইনগী মিৎয়েংদা অচুম্বা অমসুং পরম চুম্না চৎলিবনি হায়না লৌগদ্রা? মমাঙগী মথোঙ চাদ্রবশিংনা লাল্লন্নবসু হৌজিক্কী মীওইশিংনা চুমথোক্লবগী থবক লৌখৎফম থোকপনি। মীবু লান্না ফাজিন্দুনা থম্বা (Wrongful confinement) অমসুং গুন্দাইজমদা মীবু কিহন্দুনা মশানা য়াদনা সহি লৌবসি দণ্ডি ফংনীঙঙাই ওইরবনি। অদুবু ৱাফমসিদা অরানবা তৌরিবা পার্টীসিনা চুমথোকপা অমসুং শেংদোকপগী থবক খক তৌখিদ্রি। হায়রিবসিগী মহুত্তা অন্দমান, নিকোবরনচিংবা ঈথৎ মচাশিং খর পাম্বগীদমক্তা মণিপুরসিগী লম কবো তম্পাক (মৈতৈ কবো নৎত্রগা কাসে শান) খৃঃ ১৯৫৩ দা বর্মা/ম্যান্মার পীথোকখিরম্মী।

য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সি মথক্কী মণিপুরবু ভারত্তা নমতীন-তীনশিনহনখিবগী পরীং অমসুং পরমদা লৈরিবা উমং-ৱামং/জঙ্গলগী আইন, 'অকনবনা অচুম্বনা শকই' হায়বনচিংবগী ফিবমশিংসিদা হিংবা/হিংদবা, শিবা/

শিদবা নৎত্রগা চৎনবা য়ারিবা/য়াদ্রবা ওইবগী ৱাহংসিদা, 'খৃঃ ১৯৪৯ গী সেপ্তেম্বর তারিক ২১ দা মণিপুরগী নিংথৌ সহস্র শ্রীযুক্ত বোধচন্দ্র মহারাজনা খৃঃ ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৫ দগী মণিপুর শাসন ভারত সরকারনা লৌশিনবা য়ারে'– হায়দুনা সহি তৌখিবা মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট [Manipur Merger Agreement] অদুগী সহি/সিগ্নেচর (Signature) অমসুং মীয়াম্না লৌনরি-খন্নরিবা ৱাফম, 'মণিপুর ভারত্তা তীনশিনহনখ্রে' হায়বশিংসিদসু মিৎয়েং থম্বগী মথৌ চঙলি অমসুং সহি তৌরিবদু তৌফম থোকপা মীওইরা, মহাক্কী করি শক্তি লৈরি, হায়বনচিংবদা অমুক হন্না য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈরি। মরমদি মণিপুর মর্জরগী ৱাফমসি ৱাখন্না পঙলৌ লৌবা (Imaginary/Presumptive Conception) গী মতৌ অমসুং মচত্তা লৈরি। রামায়নগী রত্নাকর শাবা শ্রীপ্রকাশ নৎত্রগা রুষ্টমজিনা নারদ অমসুং ব্রহ্মাগী মপোৎ মুনবগুম্বনি। অদুগা লমদাংশিংসিগী ওইনা য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সি অচঙবা নৎত্রগা শিবগী হন্না অমুক য়েংশিনবগী মথৌ চঙলিবসিগী অমসুং নৌনা মিৎয়েং থম্বগী তঙাইফদবা লৈরিবসিগী মায়কৈদা ত্রিটীসিগী ৱারম-ৱাফমগী ৱারোনশিংসিদা তারিবা লংলা-লংজীন খরদিঃ–

(১) য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ অসিগী আর্টিকল মশীঙ– ১, ৩, ৪, ৫, ৬, ৭, ৮, ৯, ১০, ১১ অমসুং অথোই-অহেন'বগী ৱারম-ৱারোনশিং অসিগীদি মতম লোয়খ্রে, বৃটিশশিংনা ভারত/ইন্দিয়া অমসুং বর্মা/ত্রাম্মা থাদোক্তুনা খৃঃ ১৯৪৭ তা চৎখিবসিদগী মখোয়গী মতম লোয়খ্রে।

[২](ক) য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ অসিগী অনিশুবা আর্টিকল অসিগী ৱাফমসি শরুক অনি থোক্লা খায়দোক্লি অমসুং মসিশিংসিগী মনুংদসু অহানবা শরুক– অসাম, জয়ন্তিয়া অমসুং কছাড় অমদি মখোয়গী মখা থাবা লমশিংগী ৱাফম থল্লল্লিবা অসিগীসু মতম লোয়খ্রে। অদুগা অনিশুবা আর্টিকলসিগী অনিশুবা/অকোনবা শরুক, হায়বদি– "With regard to Mannipoor it is stipulated that should Ghumbheer Sing desire to return to that country, he shall be recognised by the King of Ava as Raja thereof."– হায়বসিদি হিংদুনা লৈরি। য়ান্দাবূ ত্রিটীসি ককথৎপা/চৎনহন্দবা নৎত্রগা তোকহনখিবা [Annulment] গী ৱাফম অমত্তা লৈত্রি অমসুং চৎনহন্দনবা/

শিহন্নবা, মতম লোয়হনখিনবা/তোকহনখিনবা কিহন্নবা/কিহন-খংহন্নবা লাউথোকখিবা [Denunciation] সু অমত্তা লৈত্রি। লমদাংশিংসিদা হৌজিক ইন্টর্নেস্নেল লোগী মিংয়েংদা পীবীরল্লিবদিঃ–

Treaty, Annulment of, a means for discontinuing the validity of an international treaty, taking the form of the unilaterlal repundiation by a State of the treaty, by virtue of which it may lost the obligatory force for the participants. T.A. is a unilateral soverign act by a State, not based on the agreement of the subjects of the treaty, and in international law is permissible only in exceptional situations. The ground for legal T.A. are: (a) the discontinued existance of a party as a subject of international law; (b) a material violation of the treaty by a party; (c) a fundamental change of circumstance in certain situations; (d) the impossibility of implementing the treaty; (e) the invalidity of the treaty (aggressive, colonial, unequal, and other treaties). The treaty does not cease to be valid, unless the aggrieved party makes a special declaration to this effect. T.A. is applicable with respect to bilateral agreements. [P.P., 1986, 250-51].

Treaty, Denunciation of, a method of termination of treaties (bilateral) or of withdrawal from them (multilateral) in the manner and period stipulated in the treaties themselves. The notification made in advance by parties of a treaty is usually formal condition for denunciation. In the USSR, the procedure for T.D. is regulated by the 1978 Law on the Procedure Governing the Conclusion, Execution and Denunciation of International Treaties of the USSR (Arts. 27-30). Non-observence of the procedure of denunciation invokes the possibility of declaring it invalid. Art 56 of the 1969 Vienna Convention on Law of Treaties contains the rules of T.D. in broad sense. It allows for denunciation of (i) it is established that the parties intended to admit the

possibility of denunciation or withdrawal from a treaty or (2) the nature of a treaty implies the right of denunciation or withdrawal. There is a difference between the denunciation stated at any stipulated time and the denunciation stated at any time. Some treaties ban T.D., other do not mention the possibility of T.D. Denunciation of multilateral treaties is valid only for the State which declared it [ibid, 252-53].

অসিশিংসিনি। মরম অসিনা য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সি মশাগী ত্রিটী অমা ওইবগী মচৎ, পরমনচিংবগী পরীংদুদা অহিংবা ৱারম-ৱাফম্না হিংনা অমসুং অশিবা ৱারম-ৱাফম (Article) না শিনা অদুম চৎচবা, চত্থজবনি।

য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সি মণিপুরগা লৈপাক নৎত্রগা জাতি অমা (বর্মা, বৃটিশ, অসিনচিংবা) গা তৌবা সন্ধী নত্তে, বর্মা/বর্মীজ অমসুং বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনী নৎত্রগা বৃটিশকা তৌনবা শান্তিগী ত্রিটীনি। অদুবু মসিদা মণিপুর [মন্নিপূর/মুন্নিপূর/মুন্নিপোর] গী, মসি নিংথৌ/লৈঙাকপা [Raja/King or Administrator/Ruler] গী নৎত্রগা লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদা লুপ [Administrative Council/Committee or Government], প্রজা [Subjects] নচিংবগী মরমদা হকথেংননা অমসুং নাকোয়ননা পল্লম্মি/পীরম্লি। ত্রিটীসিদা সহি তৌরিবা য়ানা-ৱাফমসি থম্নখিবা লৈপাক অমসুং জাতিশিং অনিমকসি হিংলি/লৈরি; লোইননা ত্রিটীসিদা পল্লম্লিবা লৈপাক, মণিপুর, হান্নগীদগী লমখৈ খর হন্থরবসু/পীকথরবসু হিংলি/লৈরি, মসিগী মীশিংসু হান্নগী মীরোন্দুদগী শমথরকপা চাদা-নাউদাশিংসু লৈরি, মুৎত্রি; ত্রিটীসি শ্রাম্মা-মলেসনা তৌনবা মতমদুদা পাল্লম্বা মৈতৈগী/মণিপুরগী নিংথৌ রাজা গম্ভীর সিংহ (খৃঃ ১৮২৫-৩৪) সি লৈত্রে; কুইরে, চহি ১৭৫ (চামগা হুম্ফুদ্রামঙা) গী মমাঙদা নোঙ্গাখ্রে, অদুবু মহাক্তি লৈঙাকপনিনা মহাক্কী লৈঙাক মহুৎ শিলহৌবা, মতুংগী লৈঙাক পরীং শমথহৌবা লৈঙাকপশিং (Successors) না মথং-মথং লৈঙাক-থৌদাং পুনরক্তুনা খৃঃ ১৮৯১ ফাওবা [নিংথেমপীশক/চন্দ্রকীর্ত্তি (খৃঃ ১৮৩৪-৪৪), রাজা নরসিংহ (খৃঃ ১৮৪৪-৫০), রাজা দেবেন্দ্রসিংহ (খৃঃ ১৮৫০), সার/রাজা চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ (খৃঃ ১৮৫০-৮৬), রাজা সুরচন্দ্র সিংহ (খৃঃ ১৮৮৬-৯০) অমসুং রাজা কুলচন্দ্রধ্বজ সিংহ (খৃঃ ১৮৯০-৯১)] মনীঙ-মখা তন্বা অমসুং মশা-মতোমতা

লৈঙাকচবা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা ওইনা পাল্লমখিরম্মী। খৃঃ ১৮৯১ সিদগী মখা শমথরকপা লৈঙাকপশিং বৃটিশশিংনা মখোয়গী লোইলম ওইনা মখোয়গী মখা থাবা/পোনবা নিংথৌশিং হাপ্পুনা লোইলমগী নিংথৌ পানবা লৈপাক্তি ওইহল্লগা মখোয় বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক [ভারত-লোইলম লৈঙাক্লোনগী লৈঙাক] গী আইন চৎনহন্দুনা খৃঃ ১৯৪৭ কী আগষ্ট ১৫ ফাওবা পানখিরম্মী, মদুগী মখা তারকপদা মতুং শমথরকপা লৈঙাকপনা খৃঃ ১৯৪৭ সিদগী খৃঃ ১৯৪৮ গী ওক্তোবর ১৮ ফাওবা মনীঙ-মখা তম্বা নিংথৌ-লৈঙাক থমদুনা পানখি। অদুগা মখা অমুক তারকপদা প্রজা মীয়ামনা ফেগুচাইজড মীখল তৌদুনা খনবা মীহুৎশিংনা খৃঃ ১৯৪৮ গী ওক্তোবর ১৮ দগী খৃঃ ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৫ ফাওবদা ডিমোক্রেটিক ৱায়েল চথদুনা লাকখি অমসুং মতুং অমুক তারকপদা হায়রিবা ওক্তোবর ১৫ সিদগী মণিপুরবু নমফু-হাফুদা ভারতবর্ষদা তীনশিল্লে হায়দুনা ভারতকী লৈঙাক্লোনগী ফিবান্নুংদা থমখিরম্মী। খৃঃ ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৫ দগী ভারতনা মণিপুরবু মশাদা তীনশিনবা অমসুং মণিপুরগী লৈঙাকপু আইন্না য়াদবা লৌনম-নমথাক [Cheat/deception], মীবু লাননা ফাজিন-নমশিন্দুনা থম্বা [Wrongful confinement], লাম্মীগী মপাঙ্গল শীজিন্নদুনা মুকপা, কিহনবা, অসিনচিংবা [Bluffing, threatening etc. by employing force and army/military power] শরৌ (Conspiracy) অমসুং লৌতুনবা (Intrigue) নচিংবা তৌদুনা ভারত্তা নমদুনা তীনশিনহনখিবগী থৌওং-থৌদৌ, লীচৎ-শাজৎ, লমচৎ-মচৎনচিংববু মশানা য়াবা, আইন্না অয়াবা পীবা শাদুনা ভারতকী লোইলম হৌদোকখিবগী মোহনদাস করমচান্দ গান্ধী, সদ্দার পেটেল (ভারতকী য়োৎহিং-মী), জনৱার (জৱাহরলাল) নেহরুনচিংবগী নমথাক, লৌনম্নচিংববু ভারতনা হৌজিক ফাওবদা পৃথিবীগী জাতিশিংগী মমিত্তা উৎ চায়দুনা থল্লি।

(খ) য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী অনিশুবা অর্টিকলসিগী অহানবা শরুক– "His Majesty, the king of Ava renounces all the claims upon and will abstain from all future interference with the principality of Assam and its dependencies and also with the contiguous petty States of Cachar and Jyntia"– হায়বসিসু মতম খর হিংদুনা লৈরম্বনিনা ব্রাম্মা/বর্মা লৈপাক/সম্রাজ নৎত্রগা বর্মীজ

ইম্পরিয়েল গোভর্নমেন্টনা খৃঃ ১৮২৪-২৫ দা লোই চন্দুনা লৌশিল্লন্নবা লৈপাকশিং/লমদমশিং— অসাম, কছাড় অমসুং জয়ন্টিয়া [ডাঃ লঃচঃ, ১৯৭০, ২০-২৩ অমসুং C.B.A., 1987,] অসিশিংসিবু ব্রিটীসিগী মতুংদদি মখোয়গীনি হায়দুনা অমুক হন্না ক্লেম (Claim) তৌখিদ্রবনি। অদুবু মখোয়সি বৃটিশনা লৌশিন্দুনা বৃটিশকী লোইলম খৃঃ ১৮২৬, ১৮৩২ অমসুং ১৮৩৫ দগী মথংশীৎনা ওইদুনা লাকপদা বৃটিশশিংনা খৃঃ ১৯৪৭ তা মনীঙ-মখা তম্বা পীবগী মতমদা মখোয়গী মনীঙ তম্বদুদি মখোয়না ভারতবর্ষদা তীঞ্জরুবনা ইন্দিয়া গোভর্নমেন্টনা খৃঃ ১৯৪৭ সিদগী অদুম লৌখ্রে/লৌখ্রবনি। অসুম্না তৌরিবা থৌওং-থৌদৌগী মচৎ অসি বৃটিশকী লোইলম ওইরম্বদগী নৌনা স্বরাজ ফংজদুনা অনৌবা গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া লীংখৎখিবদা ইন্দিয়ান ষ্টেটস ডিপার্টমেন্টকী সুপ্রিম ডিক্টেটর, ভারতকী লোইলম লীংখৎপা, লোইলম-লৈঙাক থম্বা পামজবা কেন্নিবল (Cannibal) সর্দার পেটেলখোয়গী থৌরাংনি। ঙসি-ঙরাং অসামদা ভারত সরকারসিনা মমাঙগী থৌদোক কয়াদা উৎ চায়দুনা মনীঙ-তম্বা মৎখিবনি হায়বসি খঙনরকপা য়াওনরক্তুনা মনীঙ অমুক হন্না তম্নবগী থবক-থৌরাং লাংনরকপা, ঈরাং তৌনরকপা য়াওরে। অচুম্বগী লানহৌ খক শিখিদে, মায়থীখিদে, লেম্না মহৈ চাদনা মাঙনখিদে।

(গ) য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ কী আর্টিকল ২গী অনিশুবা শরুক্তা পীরিবসিগী মতুংইন্না মণিপুর অসি মনীঙ-মখা তম্বা অমসুং মশা মতোমতা লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদা তৌজবা লৈপাক অমা ওইরম্মী [M.L.B., 1987, 24]। অদুগা মথক্তা থমজখ্রিবা নৈন-ৱারোন/খন্ন-তান্নবগী ৱাফমশিং [২] (ক) অমসুং (খ) অনিসিগী ৱারমশিংগী মতুংইন্না মণিপুর মনীঙ তম্বা লৈপাক ওই, ওইরি অমসুং ওইগনি, হায়বসি তশেংনা উৎলি অমসুং খঙনরি। মসিদা চরক-চহিং নাইহল্লিবা, চয়েৎ-খোয়য়েৎনরিবা অমসুং মীয়াম খঙহন্দনবা শুদক্তুনা থল্লিবসি কনাননো? হায়রিবা মাঙগী অমদি মাঙদা তারিবা ৱাফমশিংসি ইন্টর্নেস্নেল লো ওফ নেসন্স নৎত্রগা য়ুনিভর্সেল লো [Internatinal law of nations or Universal Law] শূরিবা, শীজিন্নরিবা অমসুং চৎনহল্লিবা য়ুঃ এনঃ ইন্টর্নেস্নেল কোর্ট ওফ জাষ্টিস [UN International Court of Justice] কী মিৎয়েংদা য়েংলক্লবদি নমথাক তৌবা মিলিটরী/আর্মী মপাঙ্গল শীজিন্নখিবা, নমদুনা সহি লৌনবা মীবু লাননা

ফাজিন-নমশিন্দুনা থমখিবা, মমাঙদা সহি তৌমিন্নগদবদা, মতুংদা সহি তৌশিল্লবা, মীবু কিহল্লগা সহি লৌরিবা অমসুং খঙনা খঙনা লৌনম, নমথাক অমদি মীনম-থানম তৌরিবা ক্রিমিনেল্লী সেবোটেজিং গেঙ্গ (Criminally sabotaging Gang) অসিগী মকোক সর্দ্দার পেটেল, মহাক্কী হুইরোই শ্রীপ্রকাশ অমসুং অসিগী হুই রুষ্টমজিনচিংবসি শিশুবা ওইরবসু মখোয়গী মোংফমদু তৌথোক্লগা মরূ খুন্নবা থৌরাং তৌবদা হৌজিক খঙজীন-উশীন্নদনা লৈরিবশিংসিগী দণ্ডী ফংলোয়দবগী মরম লৈতে, মরমদি খঙহৌ-উহৌদনা তৌবা ক্রাইমদগী খঙনা-খঙনা, তৌগে হায়বা য়াওনা তৌবা ক্রাইম/অপরাধসিনা দণ্ডী চাওবা হেল্লি। ঈশ্বরগী/ভগবানগী ৱাসিমা খনবীরুরগনু, মাদি মনা পঙঙি, মমিৎ তাঙঙি, মরোন থোক্তে, মীনা মশাদা থেংদুনা তাকপীরবদদা খঙগদ্রা খঙদে, মরমদি মহাক্তি মীগী খুৎশেম্লি, কল্পনাগী ভগবাননি/ঈশ্বরনি।

(ঘ) বৃটিশ ভারতবর্ষগী অরোয়বা ওইবা গোভর্নর-জেনরেল/ভাইস্‌রোয় বৃটান্নিয়াগী মচা লোর্ড মাউন্ট বেট্টেননা পীবা পাউতাক্কী খুদুং ইন্দুনা নৎত্রগা মথী খুন্দুনা ইন্দিয়াগী প্রিন্সলী ষ্টেটশিংদা বেট্টেনসিনা অমুক্কা পাউতাক পীদুনা মনীঙ তমদ্রিবা ভারত/ইন্দিয়াগী মীখা-পোল্লিবা অমসুং লোই/লোই-মী ওইরিবা ভারত মচা নেহরু, পেটেল, মৌলানা আব্দুল কলাম অজাদ, সোরোজিনী নাইদু, রাজেন্দ্র প্রসাদনচিংবা পুনশিন্দুনা গোভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া কৌবা সরকার অমা শেম্লম্মী (মীওই ওইরিবশিংসি মনীঙ তম্লবশিংগুম লৌবা য়ারগদ্রা?), মদুগী ষ্টেটস ডিপার্টমেন্ট অমা শেম্লগা মনীঙ-মখা তমদ্রিবা গোভর্নমেন্টকী মহুৎ শিন্দুনা লোইগী/মীনাই য়োৎহিং থাংলিবা সর্দ্দার পেটেলনা মণিপুরগীসু মনীঙ-মখা তমদ্রিবা গোভর্নমেন্টকী লোইলমগী/মীনাইগী খুৎপুন য়োৎহিং লৌথোক্ত্রিঙৈদা, হায়বদি মনীঙ-মখা তম্বা ফংদ্রিঙৈ (মনীঙ-মখা তম্বদি আগষ্ট ১৫, খৃঃ ১৯৪৭ তা ফংগদবনি) দা ষ্টেণ্ডস্তিল এগ্রীমেন্ট অমসুং ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন সহি তৌনহল্লি, মসিবু মপুগা মনাইগা মীশক অমখক্তনি হায়রিব্রা? মনাইদুনা মপু ওইরক্লবসু মতম খেন্নবগী ফেক্তর খর লৈরোয়দ্রা? পৱার খেন্নবগী ৱাফম লৈররোয়দ্রা? মতম অমত্তদা মপুগা মনাইগা থাক মান্নরগদ্রা?

ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন সাইন তৌনবগী হিরম-লমদাংসিদা য়াম্না নীঙথিজরবা দিবেট (Debate) কী ৱাফম অমা লৈগনি। হায়রিবা ইন্সট্রুমেন্ট

ওফ এসেসনসি কনাগা কনাগা সহি তৌনরিনো, সহি তৌনরিবা মীহুৎ/মীশকশিং অদুনা লৌরিবা লোইলম লৈপাক অনীদুগী মনীঙ তম্বা মতমগী লৈপাক অনিদুগী মহুৎ শিনবা য়াফম থোকপ্রা? হায়রিবা ৱাফমসিদা মখোয় অনিদু লিগেল পোইন্ট ওফ ভিয়ুদা কদায় ফাওবা ফোর্মেল ওইরবগে নৎত্রগা ওইদবগে? মীখা পোল্লিবনা মনীঙ তম্ব (তম্নবগী ওইরবদি য়াই) গী নৎত্রগা লোইলম-লৈঙাক্কী লোই(মী) গী য়োৎহিং থাংলিবদুনা মনীঙ তম্বা তম্লবা মতমগী ওইনা সহি তৌবসি য়াব্রা, মদু তৌবা য়াবগী চীনহায় নত্তবা ওথোরাইজসেন (Authorisation) নৎত্রগা ওথেন্টিফিকেসন (Authentification) লৈব্রা/য়াওব্রা? পাউতাক পীবখক্লদি য়ারোয়, স্পিসিয়েল ইসু (Special issue) নি। মদু য়াওদনা মনীঙ তম্বা ফংদ্রিঙৈদা মনীঙ তম্বা ফংগদৌরে হায়দুনা মনীঙ তম্লবা মতমদা চৎনগদবা ৱারম-থৌরমগী সহি তৌবা য়াব্রা? য়ারবদি মদু কম্পিটেন্ট ওথোরিটীনা কাউন্টর সাইন Countersign) তৌদুনা য়াহনগদবনি। ভারতনচিংবা লৈপাকশিংবু মনীঙ-মখা তম্বগী য়াথং/ওর্দর পীননবা বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টশিংনা/ওথোরিটীনা/গোভর্ন-মেন্টনা ওথোরাইজচ তৌরক্লবা ভাইসরোয় লোর্ড মাউন্ট বেট্টেন্না মশানা সহি তৌদুনা য়াথং থোকপা নত্তনা অতোপ্পা মী/মীওই অমগা নৎত্রগা লোর্ড মাউন্ট বেট্টেন মশাগা লম-লমগী/লৈপাক-লৈপাক্কী নিংথৌশিং/নিংথৌমচাশিং [King/ Princes of different native States/Kingdom] গা সহি তৌনহনবা/ তৌনবা নত্তনা মনীঙ মখা তম্বা ফংদ্রিবা গোভর্নমেন্ট [গোভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, হায়] অমগী মীহুৎ, লোই ওইরিবা, মীখা পোল্লিবা নৎত্রগা মনীঙ তম্বা ফংদ্রিবা (Not liberated from dependency/dependence) মী অমগা সহি তৌনহল্লিবসি করিনো, করিগীনো? লৈপাক্কী মপু, গোভর্নমেন্টকী এডমিনিস্ট্রেসনগী খুর্জী/শক্তি পায়রিবা হায়বদুনা মহাক্না (মাউন্ট বেট্টেন্না) ওইরগা লৈপাক মপু ওইদ্রিবশিং, মহাক্না মনীঙ তম্বা নুমিৎ খরনীগী মতুংদা লাউথোক্লকগা মনীঙ তমগদবশিং অদুবু সহি তৌনহল্লিবসি করিগীনো? হায়রিবসিগুম্না ত্রিটী সহি তৌনবগী মরমদা পীবীল্লিবদিঃ-

Treaty, Signing of, a stage in concluding a treaty, meaning reached as to the treaty's text. T.S. also means agreement to give the treaty legal force, which comes at the moment of signing unless the treaty provide for ratification or other approved, acknowledgement or acceptance [P.P., 1986, 256].

অসিনি। অদুগা ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসনগী সহি তৌনরিবা ডোকুমেন্ট(শিং)দুনা লোর্ড মাউন্ট বেট্টেন্না সাক্ষী (Witness) নৎত্রগা ওথোন্টেকেটর (Authonticator) ওইনা মাগী সহি তৌব্রা, তৌবা লৈব্রা, লৈত্রবদি মদু তৌদ্রিবা করিগীনো? অদুগা অমুকসু, ইন্দিয়ান ইন্দিপেণ্ডেন্স এক্ট (Indian Independence Act) লৈরে হায়দুনসু ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসনসি সহি তৌরবদি নেটিব মোনার্কিয়েল ষ্টেটশিংসি মনীঙ তম্বা ফংগদবনি হায়বগী য়ুনাইটেড কিংদমগী পার্লিয়ামেন্টরী নৎত্রগা রোয়াল চার্টর[Parliamentary or Royal Character] লৈব্রা, লৈরবদি মীয়ামদা খঙহন্দ্রিবা করিগীনো নৎত্রগা য়ূঃ কেঃ গোভর্নমেন্টকী করি-করম্বা পোলিসী অমা ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসনসিগী মরুমদা লৈরিবগে, অদুগা ইন্সত্রুমেন্টসিগী প্রোস্পেক্তস করিনো? হায়বনচিংবগী হিরম-ৱারম (Topic) শিংসিদা নুংঙাইরবা ৱাফমশিং থোক্লক্কনি।

[৩] য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সি শিবা-চঙবগী ৱাফমসিদা হিংলিবা অনিশুবা আর্টিকলগী অনিশুবা শরুকসি লৈনা লৈনা মণিপুরবু ভারত্তা নমতীন তীনশিনহনবগী ৱাফমসিদা নৎত্রগা আর্টিকল ২ (অনি) শুবসিগী মরী লৈননা মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট [Manipur Merger Agreement] তা অমসুং মসিদা সহি তৌরিবসিগী লমদাংদা হন্না/হঙ্ৎনা য়েংখৎপগী তংঙাইফদবা লৈরি। হায়রিবা ৱাফমশিংসিদা মিৎয়েং থন্নকপদা ফংলিবা ফেক্তস (Facts) অমসুং সার্কমষ্টেন্সেস (Circumstances)/সিটুয়েসন্স (Situations) তিঃ– মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট, ১৯৪৯ অসিদা সহি তৌনবগী মতম খৃঃ ১৯৪৯ গী সেপ্তেম্বর অমসুং ওক্তোবরগী মতমসিদা/তাঞ্জাসিদা ভারতকী ডোমিনিয়ন গোভর্নমেন্ট (Dominion Government) না পাল্লিবা মণিপুরবু নিংথৌনা লৈঙাকপগী শাসন (Administration) অমসুং গোভর্নমেন্ট (Government) লৈত্রে, নিংথৌগী লৈঙাকপগী মতম লোয়খ্রে, অমসুং মণিপুরবু লৈঙাকপগী শক্তিশিং নিংথৌ মশানা হোন্নজদুনা প্রজা মীয়ামগী লৈঙাক, হায়বদি, প্রজাশিংনা খঞ্জবা/হাপ্পা মীয়ামগী মীহুৎ (People's Representative) না শেম্বা লৈঙাক-ৱায়েন থৌদাগী লুপলেন/সরকার [Assembly of people's representative for Manipur Administration/governance] লীংখত্তুনা লৈখ্রে। হায়রিবা প্রজা-মীয়ামগী লৈঙাক্লোনগী আইন সভা (Legislative Assembly of

Democratic Administration/Government/Rule) অসি ফ্রেঞ্চাইজড ইলেক্সন (Franchised Election) দা মীয়াম/প্রজাগী মীহুৎ/সদস্য খল্লগা অপুনবা ৱায়েন-ৱাখুন শেম্বা লুপলেন অমা শেল্লগা খৃঃ ১৯৪৮ গী আগষ্টকী তারিক ১৮ দা মৈদিংঙু বোধচন্দ্র মহারাজসিনা লৈঙাক-ৱায়েন-লুপলেনসিগী মমিংখক্তগী ওইবা মকোক [Nominal Head of State] ওইবগী ফমসি লৌরগা লুপলেনসি শঙ্গাবীদুনা, হাঙবীদুনা লৈখ্রে। অদুগা খৃঃ ১৯৪৮ সিমক্কী নবেম্বর ২৬ তা প্রজা শান্তি পার্টীনা লুচিংবা সরকার শেমদুনা মন্ত্রী মাপল (স্পিকর অমসুং ডিপুটী স্পিকর থারগা) না শাবা মন্ত্রী-মণ্ডল অমা শেমদুনা, মখোয়গী মরক্তগী মহারাজকুমার প্রিয়বর্ত্ত সিংহনা চিফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌদুনা লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদাগী থৌদাং চথখ্রে [পমঃয়ুঃলঃ, ১৯৯৩, ২৩-৩০]। হায়রিবা মণিপুরগী খ্বাইদগী ঈহান-হানবা ডিমোক্রেসীগী ফ্রেঞ্চাইজড ঈলেক্সন্না শেম্বা লেজিস্লেটিভ এসেমব্লী অসি থৌশাদনা মণিপুরবু নমদুনা সর্দ্দার পেটেল হায়বা মী হিংচাবদুগা মাগী হুইরোই শ্রীপ্রকাশ অমসুং হুইরোই নাইথাং রুস্তমজীনা মণিপুর নমদুনা ভারত্তা তীনশিনখিবনি, খৃঃ ১৯৪৯ গী ওক্তোবর তারিখ ১৫ ফাওবা হিংলম্মী অমসুং নুমিৎসিদগী ভারত লৈঙাক-লুপলেননা মনীঙ তম্বা মণিপুর মুত্থৎখি। হায়রিবসিগী ঈ-পাউদিঃ—

১) ওক্তোবর ১৫, ১৯৪৯— মণিপুরবু ভারতনা লৌশিল্লে। ...লৈপাক ৱায়েনগী শক্তি পুম্বা হান্ননা "দেৱান" কৌরম্বা, ভারত্তা তীনখ্রবা মতুংদা "চিফ কম্মিস্নার" হায়না ওহ্লোক্লবা ভারত সরকারগী মীহুৎ অসিগী মখুত্তা হাপচিনখ্রে। ভারত সরকারগী মিনিস্ত্রী ওফ ষ্টেটসকী মণিপুর (এডমিনিষ্ট্রেসন) ওর্দর, ১৯৪৯ অসিনা মণিপুরগী "লেজিসলেটিভ এসেমব্লী" মুত্থৎলে অমসুং মন্ত্রী মণ্ডল উথাইরে ("ওক্তোবর ১৫, ১৯৪৯ ইংদগী মণিপুর ষ্টেটকী মন্ত্রীশিং লৈররোয় অমসুং ষ্টেট অসিগী লেজিসলেচর ঙসিদগী মুত্থৎলে।"— মণিপুর এদমিনিষ্ট্রেসন ওর্দর, ১৯৪৯, ক্লোজ ৭শুবা)— [মথক্কীসিদা, ৭৫]

২) তেনশুবম চাওবগী কুম শক ১৮৭১ ...মেরা থা ...২৩নি থাঙজ (ওক্তোবর ১৫, ১৯৪৯) দা মণিপুরগী শাসন দেৱান্না পুখি [চৈথাঃকুম, ২০০৫, ৬৫৭]।

অসিশিংসিনি। মথক্কী ৱাফমশিংসিনা তাক্লিবদি— খৃঃ ১৯৪৮-৪৯ গী এডমিনিষ্ট্রেসন্দা করিসু ওইদবা, চুম্নতগী গোভর্নমেন্টকী/ষ্টেটকী নোমিনেল হেড অমগী সহিনা মণিপুরগী এডমিনিষ্ট্রেসনবু ভারত্তা/অমেরিকাদা/জাপান্দা/চাইনাদা পীথোকপা য়াব্রা? ষ্টেট নোমিনেল হেড অমগী সহিনা লৈপাক অমগী এডমিনিষ্ট্রেসন/গোভর্নমেন্ট মুনবা/লাকপা নৎত্রগা মৎপা য়াবা হায়বসি, ইন্দিয়াগী ব্লেক লোনি, সর্দ্দার পেটেলগী মপানা শেম্বীরম্বা ওইরমগনি।

লেজিস্লেটিভ এসেমব্লী লৈরবা, মন্ত্রী মণ্ডল লৈরবা, স্পিকর অমসুং চিফ মিনিষ্টর লৈরবা নৎত্রগা মশাগী লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদা লুপ্লেন শেম শাদুনা গোভর্নমেন্ট লীংলবা লৈপাক অমদা লৈপাক্কু পীথোকপগী, লৈপাক্কুগী গোভর্নমেন্ট কথোকপগী নৎত্রগা লৈপাক্কুগী এডমিনিষ্ট্রেসন লাম্থোকপগী লুরবা/হকচিল্লবা থবক অদুগী য়ানা-ৱারম-ৱাফমগী ডোকুমেন্ট/এগ্রীমেন্ট (Documents/Agreement) সি সহি তৌবা ঙম্বসি কনা-কনানো নৎত্রগা কনানা/কনা-কনাগা তৌফম থোকপগে? মালেমসিদা লৈরিবা মনীঙ তম্বা লৈপাকশিং অমসুং জাতিশিংগী ওইনা করম্না চৎনরিবগে হায়বা ৱাফমসিদা মিৎয়েং থম্বা তাই। ডিমোক্রেসী চৎপা লৈপাক অমদা কনানা/কনা-কনানা তৌগনি? হায়রিবা ডিমোক্রেটিক কন্ত্রী অমগী এডমিনিষ্ট্রেসন অতোপ্পা লৈপাক/জাতি অমদা নৎত্রগা কনাগুম্বা লুপ অমদা নৎত্রেগা মীশক অমদা শিন্নবা তারকপদা লৈপাক্কুগী প্রাইম/চিফ মিনিষ্টর মতোমতগী নৎত্রগা প্রসিডেন্ট মথন্তগী সহিনা য়ারোয়, মতোমতগী শক্তি লৈতে; করিগুম্বা তৌবা তারবদি লৈপাক অদুগী ঈলেক্তেড পীপল'স রিপ্রজেন্টেটিভশিং (Country Assembly of the elected People's Representative), অপুনবা মন্ত্রী মণ্ডল (Forum of Total General Ministers), নিংথৌ-পোংবা/কেবিনেট ওফ মিনিষ্টর্স (Cabinet of Senior Ministers) গী ৱারেপ, য়াওদ্রবদি য়াদে নৎত্রগা য়ারোয়। হায়রিবা মণ্ডল (Assembly/Cabinet/Forum) শিংগী ৱারেপ্পা শক্তি পীরবা মীওই/মীশকশিং খক্তনা হায়রিবা য়ানা-চে (সন্ধী পত্র, দলিলনচিংবা) দা সহি তৌরগা য়ানা-চে (Agreement or Agreed Terms/Articles) অদুগী মতীক (Power) হাপকদবনি। অদুবু ডিক্তেটোরিয়েল মায় পাল্লগা ডিমোক্রেসীগী মায়খুম উপশিল্লগা টেরোরিজম (Terrorism) গী লীলা শান্নরিবা সর্দ্দার

পেটেলনা আলি জিন্নাদা মহাক্লা করি তৌবা ঙমখি। চৎনবা য়াদ্রবা দোকুমেন্টপু চৎনহন্নবা হোৎনখিবা অমসুং চৎনহল্লিবা ভারতকী লৈঙাক, ঈকায় খঙলরোয়দবশিংগী লৈঙাক্লি। সর্দ্দার পেটেল, শ্রীপ্রকাশনচিংববু মখোয়গী নমথাক, নমফু-হাফুনচিংবা মরমচত্তুদগী মখোয়গী ঙসি মোংফমদগী চিংথোক্লগা খোঙপাক্লা নেৎনরিবনি, হায়বা ভারত মচাশিংনা খঙজিনবা চুস্মী।

[৪] হিস্টোরিকেল লেগালিটী (Historical Legality):– মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহ, খৃঃ ১৯৪১ গী নবেম্বর ৭ তগী খৃঃ ১৯৪৭ কী আগষ্ট ১৪ ফাওবদা বৃটিশকী মখা পোনবা অমসুং মখোয়না হাপ্পা নিংথৌগী উত্তরধিকারী ওইনা সত্ব (Inheritance as the Heir apperent) ফংহৌবা মণিপুরগী নিংথৌনি; খৃঃ ১৯৪৭ কী আগষ্ট ১৫ দগীনা খৃঃ ১৯৪৮ গী আগষ্ট ১৭ ফাওবনা মনীঙ-মখা তম্বা, মশা মতোমতা লৈঙাক-ৰায়েন-থৌদাজবা নিংথৌ পানবা লৈবাক মণিপুরগী সুপ্রিম হেড ওফ কিংদম ওর মোনার্কিয়েল ষ্টেট [Supreme Head of the Manipur Kingdom or Monarchial State] নি; খৃঃ ১৯৪৮গী আগষ্ট ১৮ দগী খৃঃ ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৪ ফাওবনা নোমিনেল হেড ওফ ইন্দিপেণ্ডেন্ট এণ্ড ওতোনোমস ডিমোক্রেটিক ষ্টেট ওফ মণিপুর [Nominial Head of Independent and Autonomus Democratic State of Manipur] নি অমসুং মসিগী মতুং তারকপা মতমশিং (খৃঃ ১৯৪৯ দগী খৃঃ ১৯৫৫ ফাওবা) দদি লৈপাকসিগী জাতিসিগী ধর্ম্ম-কর্ম্ম, চৎন-লোনচৎ অমসুং থায়নদগী চৎনরকপা চৎলম-লুপতীন, মচৎ-মনাৎশিংগী ওইবা ৰায়েন-ৰাখুন (Customary Law), পরম-কাংলোন (Trend and Traits), লীক্লম-লীখুন (Traditional Tract and Trace) নচিংবগী মপু ওইনা থম্বীরগা অতৈ লৈঙাকলোনগী, খুন্নাইলোনগী, শেনবা-থুম্বারোনগী অমসুং হিরমশিংসিগী মরী-লৈনবা অতৈ লমদাংশিংগী শক্তিশিংদুদি মথোঙ-মরম খঙদনা "ভারত সরকার" হায়না থোনবা ডিমোক্রেসীগী মিংদা ডিক্টেটোরিয়েল অমসুং কোলোনীয়েল রুল/এডমিনিষ্ট্রেসন (Dictatorial and Colonial Rule/ Administration) চলাইদুনা/তৌবদুনা মহারাজগী মখুত্তগী মুন্দুনা অমসুং মণিপুরগী আইন-সভা (লেজিস্লেটিব এসেমব্লী) দগী, খৃঃ ১৯৪৮-৪৯ দগী মত্তুনা লৌখিরম্মী।

খৃঃ ১৯৪৮-৪৯ গী মতমসিদা ভারতকী শাহিং-মীহিং চাবা লীচংকী মশক লেপ্লিবা সর্দ্দার পেটেল অমসুং মহাক্কী লুখাক চাবা শ্রীপ্রকাশ অনিসিনা মণিপুরগী মনীঙ তম্বা, ওটোনোমস ওইবা অমদি ডিমোক্রেটিক লো চংপা সরকার অদুবু য়াম্না কল্লক-মিকাখিরম্মী। অদুনা সর্দ্দার পেটেলগী থৌয়িনশিন্না শ্রীপ্রকাশসিনা অরোনবা খুজীন-থৌরাংগী শরৌ শীন্নবগীদমক্তা খৃঃ ১৯৪৯ সিগী মার্চকী তারিক ২১ দগীনা ২৪ ফাওবা মণিপুরদা লাঞ্জাবা লাক্লুনা লৈরখিরম্মী। মতমসিদা ভারত অমসুং পাকিস্থান খায়দোক্লুনা চহি অহুমলোম লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদা চখনরক্লবা তাঞ্জাদুদা ভারতকী প্রজা মীয়ামগী ঈলেক্সন তৌদুনা খনবসু নত্তনা নম্ফুদা ওইবা, মীয়ামগী মীহুৎনি হায়জবা মখোয় খর, খুদম ওইনা জানৱার (Beastly) নেহরু, সর্দামিজাজ [A cold (unresponsive) temperament] পেটেল, অসিনচিংবা মখোয় মশেন পঙখন্দা খন্নরগা, ফম পঙপীদা পীশিন্নদুনা, পঙহাণ্ডা হাপ্পদুনা অশাবা মীহুৎশিংনা মখোয়গী মরৈপাক ভারতবর্ষনা মনীঙ তম্বা ফংদ্রিঙৈদা শেম্বা ইন্দিয়ান ডোমিনিয়ন গোভর্নমেন্ট [Indian Dominion Government or Dominion Government of India] থোনবা/কৌবা অমনা বৃটিশশিংদগী লৈঙাকপগী চার্জ নমলৌ লৌহৌরগা সরকারনি হায়দুনা পাল্লম্মী। অসিগুম্বা লৌনম-লাংথাক, মীনম্বগী শরৌ, লৌনম্বগী ফত্ত'-লৌশিঙ, মীয়াম্বু লৌনম-নমথাক্কী খুজীন, হুরান-লান্নাগী লীচৎ-শাজৎনচিংবসিদা তুক্কচরবা রাজনৈতিক খুৎপু অসিগী লাম্বা ওইবা খুৎ অমগী মীহুৎ নাথুরাম গোসেনা দাকু রত্নাকরগী খুৎপু অসিগী লুচিংবা মোহনদাস করমচান্দ গান্ধী (M.K. Gandhi) দু খৃঃ ১৯৫০ গী জনুৱারী তারিখ ৩০ দা নোংমৈনা কাপ্পুনা লোয়শিনখি, শরৌনা মীফত্ত' খর (নেহরু, পেটেলনচিংবা) না তৌরগা মহাক্না নোংমৈ গুলী চাখি। হায়রিবা মীনুখাঙশিংগী সরকারসিনা বৃটিশশিংনা ভারত, বর্মা, মণিপুরনচিংবা থাদোক্লমদায়দা মণিপুর অমসুং মণিপুরগী লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদানচিংববু হকথেংননা শিন্নরম্বনি হায়দুনা মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহখক্তবু কোয়তান তানখি। মহারাজ মশামক্না মহাক্না ফংহৌবা শক্তিশিংদু খৃঃ ১৯৪৮ গী ওক্তোবর ১৮ দা প্রজা মীয়ামদা শিন্নথোকখ্রে, মহাক্কী হায়ববু মমিংদুখক্তা মঙাইহৌরে, হায়না হায়রবা, খঙহল্লবা, অদু ফাওবদা অমসুং মখোয়গী সরকারদুনা য়ারবা, শকখঙলবা— মণিপুর কন্সটিটুাসন, ১৯৪৭, মণিপুর এডমিনিষ্ট্রেসন রুলস, ১৯৪৭ নচিংবা পন্দুনা থিন্দুনা তাক্লবা

ফাওবদসু অমসুং পুম্নমকসি খণ্ডলবা-উরবদসু খণ্ডশিন্নদনা, তাশিন্নদনা ভারতকী অশাবা সরকারগী মীওইশিং অসিনা মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহখক্তবু মণিপুরগী ওথোরিটী (Authority of Manipur) নি হায়না লৌই/খল্লি [পমঃয়ুংলঃ, ১৯৯৩, ৩৯]। মসি করম্না লৌতুনবা নৎত্রগা লৌনম-নমথাক্কী শরৌ লাংনো?/! তশেংনমক্তি মসি নমথাক-লাং নৎত্রগা শরৌ শৌথাক অসি থাক্তুনা লৈরি অমসুং মণিপুরী/মৈতৈ পুম্নমক থুদুনা লৈরি। মরম অসিনা থাক্লিবা লাং/শৌ অসি কাইবগী মথৌ তারি। অদুগা য়াম্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সি হিংবা নৎত্রগা হিংদবগী ব্রাফম থিজিন-হুমজিনবা অমসুং মসিগী অশেংবা ফিবম-ফিরেপ খণ্ডোকপা অদুনা ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন, ১৯৪৭ অমসুং মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট, ১৯৪৯ বু হিংহন্দবা অমদি হৌজিক্কী ওইরিবা মণিপুরগী ফিবম-ফিরেপসিগী পাউখুম পীবা ঙমগনি, মরমদি মতম অমগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বী ইন্দিরা গান্ধী [Nov. 17, 1917 (Jan. 24, 1966– (1971-80)– Oct. 31, 1984)–1984] বু মহাক্কী প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসিয়েল রিসাইডেন্সতা মহাক্কী সেক্যুরিটী গার্ড অনিনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবদু গান্ধী ওইনা নত্তে, নেহরু ওইননি।

আইগী মিৎয়েংদা রাজনৈতিক আউটলো (Political outlaw) অমসুং সমাজনৈতিক/সমাজিক ক্রিমিনেল আউটফিট (Social/Socialistics Criminal outfit) ওইরবশিংনা শেম্বা বৃটিশকী রাজভক্তশিংগী সরকার— "ডোমিনিয়ন গোভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া" হায়বসিনা মখোয়খক্তগী ওইনা শেমজবা আইনশিং, —মখোয়না (ইন্দিয়া/ভারত মচাশিংনা) চৎন-ইন্নরিবা বৃটিশ-মচা(শিং) না শেম্বীবা (ইন্দিয়ান) কন্সটিট্যুসন [Constitution of India] অমসুং অতৈ মালেমগী নাইতোম-নাইতোমগী নৎত্রগা অপুনবগী থাক্কী নৎত্রগা অতোপ্পা মনীঙ-মখা তম্বা লৈপাক/জাতি অমতগী আইনশিংগী পরম-লীখুন, পরীং-কাংলোন, ৱায়েন-ৱাখুন্নচিংবদা অমসুং হায়রিবশিংসিগী ৱায়েন-পরেংগী/আইনগী লাইরিকশিং [Books on the Universal/International Codes of Law or Code of law of any independent nation of the world]– দা য়াওদে অমদি য়াদে— হায়বসি খণ্ডনা খণ্ডনা অমসুং উনা-উনা মখোয়না তত্তনা থবক পায়খৎলি। অসিগুম্বা শরৌ-খুজীন অমদা মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্র মহারাজবু খৃঃ ১৯৪৯ গী সেপ্তেম্বর তাং ১৭ তা শিলোংগী

রেদ লেণ্ডসদা কৌরগা নুমিৎ ৫ (মঙা) নি চুপ্পা মিলিটরী ফোর্সনা মপান থোকহন্দনা লাঙ্গোয় চন্দুনা থল্লগা অকি-অখং, মিপাই-থবাইবা কয়ারক পোকহন্না কিহন-খংহনবা কয়া পীদুনা ওৎ-নৈরগা নমফু-হাফুদা নমদুনা খৃঃ ১৯৪৯ সিগী সেপ্তেম্বর ২১ দা মণিপুরগী লৈঙাকলোনগী শক্তি শিন্নহনবগী মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্টতা সহি লৌখিবনি [হায়রিবা ৰাফমসি মথক্তসু পঞ্জগ্রে]। অদুবু হায়রিবা মতমদুগী চিফ মিনিষ্টরগী কেবিনেট মিনিষ্টরগী, অতৈ মন্ত্রী অমগী, এমঃএলঃএঃ (মেম্বর ওফ লেজিস্লেটিভ এসেমব্লী) গী সহি নৎত্রগা মখোয়না নোমিনেট তৌবা ওথোরাইজ/ওথেন্টিকেট তৌবা মীওই নৎত্রগা মীওইশিং [Nominated, Authorised/Authenticated person(s)] অমতগী সহি য়াওদনা অমসুং ইন্দিয়াগী সাইডতগী সহি তৌফম থোকপা মীগী সহিসু য়াওদবা কাঁচা দলিন (Crude bond) গুম্বদুনা– ‘‘মণিপুর ভারততা তীনশিল্লে’’– হায়বসিবু আইনগী মিৎয়েংদা য়ারগদ্রা? শক্তি পুন্নমক কখোকখ্রবা, মশাদা শক্তিশিংদু লৈত্রবা মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহগী অয়াবা (মদুসু নমফুদা নমদুনা, কিহন-খংহন্দুনা অমসুং লাম্মীগী শক্তি উত্তুনা য়াহনবা) অসিনা আইনগী থোঙদা চৎনবা য়াগদৌরিব্রা? অদুগা অসিগুম্বা য়ানা-চে (Document/Paper/Bond of Agreement, etc.) অসিদি মসি তৌনরিবা নাকল/মায়কৈ/খুৎ অনিগী মীওইশিং– পীরিবা অমসুং লৌরিবা অনিমক মতম অমত্তদা নৎত্রগা মিনিট ৫/১০ কাননবগী মতম ফাওবগী মনুংদা সহি তৌনগদবনি। অদুবু এগ্রীমেন্টসিগী অরোৌবগী নৎত্রগা নমদুনা মুনবগী নৎত্রগা মুন্দুনা লৌবগী মায়কৈ/খুৎ ওইরিবা ইন্দিয়াগী মীহুৎ অদুদি লাকখিদে। এগ্রীমেন্টসিদা মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহগা সহি চপ মান্ননা তৌমিন্নগদবসি ইন্দিয়া প্রিন্সলী ষ্টেটস মিনিস্ত্রীগী এডভাইজর [Advisor to the Govt. of India in the Ministry of States (Princely States/Kingdoms)] ওইরিবা বপাল পঙ্গুন্নি মেনন [Vapal Pangunni Menon] (ভিঃপিঃ মেনন) নি, মহাক মশা লাকখিদে। অদুবু থৰাই ৰাজবী শ্রীপ্রকাশনা মথৌমক ওইনা এগ্রীমেন্টতুগী নাকন্দা মহাক্না সাক্ষী ওইনা সহি তৌশিল্লগা মিষ্টর ভিঃপিঃ মেননগী সহি তৌনবা দিল্লিদা থাখিরম্মী [মথক্কীসিদা, ৫৭]। এগ্রীমেন্ট অসিদি মসিগী চৎন-তৌনরিবা মচৎ-মতৌসিনা তাক্লিবদি শ্রীপ্রকাশকী চাকথোংবী শান্নবগী চফুনি।

মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট, ১৯৪৯ [Manipur Merger Agreement, 1949] অসি সহি তৌনবদা (তৌহন্নবা হোৎনবদা) তৌনরিবা মচৎ-লাকচৎ, নীতি-নিয়ম, কৃস্তি-রুহীনচিংবগী অকুপ্পা ৱারোনশিং/মরোনশিং মিলিটরী/আর্মীগী পাৱার/ফোর্স শীজিন্নবগী ৱাফম, লান-না/শেরান্ননা মীবু ফাজীন-পুনশিনন্দুনা/নমশিন্দুনা থম্বগী ফিবম/মতৌ (State of wrongful confinement), অকি-অখং পীবা নৎত্রগা মুক্তুনা কিহনবা (Threatening), অসিনচিংবগী মচৎ-মওংসি য়ুঃএনঃগী ইন্টর্নেস্নেল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা নৎত্রগা মসিগুম্বা অতৈ য়ুনিবর্সেল/ইন্টর্নেস্নেল কোর্ট অমদা পুথোকপদা/পুখৎপদা থৌওং-থৌদৌশিংসি চুম্মী, য়াই অমসুং মর্জর এগ্রীমেন্টসি চৎনবা য়াই হায়রক্কদ্রা? সর্দ্দার পেটেল শিখ্রে, শ্রীপ্রকাশ শিপ্রে,— মখোয়না আইন কায়না করিসু তৌখিদে, মণিপুরী (মৈতৈ) শিংনা হায়জিনবনি, হায়বসি ইন্দিয়া গোভর্নমেন্টকী ফিরেপ্পা? অকনবনা অচুম্বা শকপা, আইনগী লাইরিক উরগা মমিৎ উইশিনবা অমসুং ইন্দিয়ান কোলোনাইজেনগীদমক্তদি মমিৎ লাউনা পাংথোক্লিবা ইন্দিয়া গোভর্নমেন্টনা খৃঃ ১৯৪৯ দগী থাক্তুনা থল্লিবা শৌ [চৎপদা খোঙদা য়ূনরবা মচীন-ময়া থৌবা ৱা-উগী মকক-মচাশিং (Sharp edged/pointed pieces of bamboo strips or wooden points which pierce the sole on the foot-stepping), হৌজিক্তদি লীক্লী মচেৎ, য়োৎপীনচিংবনা য়ুংদুনা/চায়থোক্তুনা থম্বা] থাক্লিবশিংসি কাইদ্রিবদি নৎত্রগা লৌথোক্তবদি য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী চৎনবা য়ারিব্রা, য়াদ্রবা নৎত্রগা হিংবা নৎত্রগা হিংদবদগী ৱাফমশিংসি পুথোকপদা চয়েৎনবা পী হায়বসি মতম পুন্নমক্তা চুল্লবনি।

য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬কী হিংবা নৎত্রগা হিংদবগী ত্রিটীসিগী আর্টিকল অমমমগী নৈনরোল

য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ অসিগী ফেব্রুৱারী ২৪দা য়ানদুনা সহি তৌনখিবা ৱারোলদুগী য়ানখিবা ৱারম-ৱাফম (Article) শিংগী মনুংদগী হিংলিবা নৎত্রগা হিংদ্রবা/শিরবা (চৎনবা য়ারিবা নৎত্রগা য়াদ্রবা, হায়বদি য়ানখিবদুগী মরমনা হৌজিক ফাওবদা ৱাফমশিংদুগী মতীক-মঙম/মপাঙ্গল-শক্তি লৈরিবা নৎত্রগা লৈত্রবা) শিংগী ৱাফম খর মথক্তা থমজখ্রে। অদুগা মথক্তা থমজখ্রিবশিংদুদা

অনৌবা মিৎয়েং থল্লগা অমসুং ব্রিটীসিগী আর্টিকলশিংসিদা পল্লিবা মরী লৈনরিবা লৈপাকশিং অমসুং/নৎত্রগা জাতিশিংসিগী ঐতিহাসিক ঘটনাশিং অমসুং দ্রবশিং (Historical events and materials) দা য়ুম্ফম ওইজরগা ব্রিটীসিগী আর্টিকলশিংদুগী মরমদা খঙজবা খরদং থমজরি অমসুং মখোয়দুগী হিংবা নৎত্রগা হিংদবগী ৱাফম লৈরিবদুদা ঈশাগী ওইবা ৱারম খরসু থমজরি।

(১) আর্টিকল ১ – There shall be perpetual peace and friendship before the Honourable Company on the one part and His Majesty, the King of Ava on the other.

ৱারম-ৱাফম অসি, সন্ধী তৌনরিবা নাকল/মায়কৈ/খুৎপু অনি [The British East India Company sponsored by United Kingdom (U.K.) or British Empire and His Majesty, the King of Ava or the Imperial dominion and power of Mramma/Burma] মল্লা থবক ওইনা খৃঃ ১৮২৬ তগী ১৮৫০-৫১ ফাওবদা পাংথোকখ্রে, লোয়খ্রে। অদুগা অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা এঙ্গলো-বর্মীজ ৱার, খৃঃ ১৮৫১-৫২ অমসুং ১৮৮৫-৮৬ থোকখ্রবা মতুংদা খৃঃ ১৮৮৫-৮৬ তগী বৃটিশনা বর্মা লৈপাক লৌশিন্দুনা খৃঃ ১৯৪৭ ফাওবা পানখিরম্মী। খৃঃ ১৯৪৭ সিদা বৃটিশনা বর্মা (Now Myanmar) থাদোক্কুনা চৎখিবদগীদি ব্রিটীসিগী আর্টিকলসিগী মতম লোয়খ্রে, হায়বদি, হিংদ্রে/শিরে।

(২) আর্টিকল ২ – His Majesty, the king of Ava renounces all the claims upon and abstain from all future interference with, the principality of Assam and its dependencies, and also with contiguous petty States of Cachar and Jyntia, with regard to Mannipoor it is stipulated, that should Ghumbheer Sing desire to return to that country, he shall be recognised by the king of Ava as Rajah thereof.

আর্টিকল অসি, অহানবা শরুক– "His Majesty the king of Ava ...Jyntia" – অমসুং অনিশুবা শরুক– "With regard to Mannipoor ... Rajah thereof." – হায়না অনি থোক্লা খায়দোক্লগা খন্ন-নৈনবদা খুদোং চাগদবনা মচৎ-মতৌদুদা লৌখৎচরিঃ–

অহানবা শরুকঃ— অহানবা শরুকসিদা পল্লিবা লৈপাকশিং— (১) অসাম অমসুং মসিগী/অসামগী মখা পোনবা লৈপাকশিং/লমদমশিংসি খৃঃ ১৮২৬ দা য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ কী মতুং ইন্না বৃটিশশিংনা মখোয়না বর্মীজ লৌশিনখিদুনা লোইলম ওইবদগী হন্দোকপা অমসুং/নৎত্রগা খৃঃ ১৮২৪-২৫ দা নৌনা জয় তৌদুনা লৌশিনবা লৈপাক নৎত্রগা লমদমশিংনি, হায়না ক্লেম তৌরগা লৌশিনখ্রে; (২) কছাড় (ময়াং লৈপাক)সু অসামগী বৃটিশকী ক্লেম অসিগা চপ মান্ননা তৌদুনা অমসুং মরম অতে পুথোক্লগা মখোয়গী ওইফম থোকই, হায়দুনা বৃটিশশিংনা খৃঃ ১৮৩৫ সিদা লৌশিনখ্রেঃ অদুগা (৩) জয়ন্টিয়াসু অসাম অমসুং কছাড়দা তৌরিবা বৃটিশকী ক্লেম অসিগা চপ মান্ননা ক্লেম তৌদুনা খৃঃ ১৮৩৫দা লৌশিনখ্রে। অদুগা হায়রিবা লৈপাক/লম অহুমসি বর্মীজ শিংনসু মখোয়না খৃঃ ১৮২৪-২৫ দা জয় তৌখিবা লৈপাক্লি, মখোয়গী ওইগদবনি হায়বা ৱাফমসি পুখৎলকখিদ্রে, মখোয়গীনি হায়বসি খৃঃ ১৮২৬ কী মতুংদগীদি হায়খিদ্রে। অসুম্না খৃঃ ১৮৩২ অমসুং ১৮৩৫ দগী বৃটিশনা লৈপাক অহুমসিদা পান্দুনা খৃঃ ১৯৪৭ ফাওবা লাকখিরম্মী। অদুগা মখোয় অহুম (অসাম, কছাড় অমসুং জয়ন্টিয়া) সি বৃটিশশিংনা ভারত থাদোক্লুনা চৎলমদায়দা লৈপাক-লৈপাকশিং মাগী-মাগী শাসন শিন্নবা মতমদা ভারততা শিন্নরম্বদগী মখোয়দি ভারতকী মনুং চনখি অমসুং চন্দুনা লৈরকখি, লৈরি। মরম অসিনা আর্টিকল অনিগী অহানবা শরুক্কী ৱাফমসি হিংদ্রে, মশা মশা য়াননা মখোয়গী মনীঙ তম্বা অমসুং লৈঙাক শাসন ভারততা খৃঃ ১৯৪৭ সিদা শিন্নথোকখ্রে নৎত্রগা ভারতকী মশা ওইখ্রে।

অনিশুবা শরুকঃ— য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ কী অনিশুবা আর্টিকলগী অনিশুবা/অকোনবা শরুক অসি হিষ্টোরিকেল ঈভেন্স, ফেক্ত, অমসুং মেটরেলশিং (মথক্তা উৎচখিবা/থমজখ্রিবশিং) না শৌগত্তুনা, খুদম-চাংদম পীদুনা/উত্তুনা, সাক্ষী-প্রমান তৌদুনা অমসুং ঈ-পাউ পীদুনা হৌজিক্কী আইনগী মিৎয়েংদা হিংলি, চৎনবা য়ারি অমসুং ফোর্সনা নৎত্রগা মীনম-লৌনম্নচিংবা তৌদুনা নমশিন্দুনা থম্বনি, হায়না লৌগনি। তশেংনমক তৌরিবা থৌদৌসি, মণিপুরগী মৈতৈশিংগা তৌনবা ত্রিটী ৱারম-ৱাফম নৎত্রবসু বৃটিশ অমসুং ব্রান্মা/বর্মীজ অনিগী মরক্তা তৌনরিবা য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী মতম লোয়খ্রবসু মখোয়না মরী লৈনবা লৈপাক/জাতিশিংদা পীরম্বা ষ্টেটস, থম্লম্বা মিৎয়েংনচিংবদুদি

লৈপাক/জাতি মশানা সরেন্দর তৌফম/থাদোকফম থোক্তে। হৌজিক্তি তৌরিবা থৌদৌসিদা য়াম্দাবু ত্রিটী, ১৮২৬ সিবু নৎত্রগা মসিগী হিংলিবা আর্টিকলবু অনলোফুল টর্মিনেসন (Unlawful Termination of Treaty) নি, হায়না ট্রীট (Treat) তৌগনি। হৌজিক্কী ওইবা ৱাফমনিনা হৌজিক্কী অনলোফুল টর্মিনেসন ওফ ত্রিটীগী মরমদা লৈরিবদিঃ–

Treaty, Termination of,– a treaty's loss of the binding force with respect to all its participants, Type of treaty termination include denouncemen, revocation, cencellation and novation. T.T. may be complete or partial, termination may be lawful or unlawful. Lawful termination is based on provisions of the treaty proper and does not contradict the rules of international law whereas unlawful T.T. is performed in violation thereof. Unlawful T.T. is an international offence and leads to international legal liability. Termination should be distinguished from withdrawal from a treaty [P.P., 1986, 257].

Treaty, Withdrawal from,– the termination of participation in a multilateral treaty by one of the parties, as a result of which, the treaty losses its binding force upon, the party. The treaty remains in force in the relations between the other parties. Some multilateral treaties provide for a certain minimum of participants, the absence of which leads to the terminations of the treaty. According to the 1969 Vienna Convention on the law of treaties legitimate withdrawal from a treaty may take place (a) in conformity with the provisions of the treaty, or (b) at any time by consent of all the parties after consultation with the other contracting States. [ibid, 258].

অসিনি। হায়রিবা ৱায়েন-ৱাখুনশিংসি চৎনগদ্রা/লৌগদ্রা নৎত্রগা চৎনররোয়দ্রা/লৌররোয়দ্রা হায়বদুদি লৈপাক মশা-মশাগী পাল্লিবা সরকারদুগী ৱাখল্লি। অদুবু আইন কায়বা তৌরক্লবদি ইন্টর্নেস্নেল লোনা/কোর্টনা ফংফম থোকপদু পীবনি/ফংহনবনি।

নমফু-হাফু চৎপা, ডিক্টেটর্শিপ পান্বা মীওইশিংগী মফমদদি আইন লৈতে, মখোয়গী অনীঙবা অপান্বদু আইন্নি, মদুনা অচুম্বনি। মশাগী হক/অধিকার (Right) অমসুং মথৌ-থৌদাং/দায়িত্ব (Responsibility) লৈতবা মীওইগী/মীশক্কী অয়াবনা নৎত্রগা সহি (Signature) তৌবা/চৎনহনবগী থবকপু অচুম্বা ওইনা লৌরবদি, মদু মীনম্বা, নমথাক নৎত্রগা লৌনম (Lie/deception) নি; আইনগী মীৎয়েংদা লাল্লি, হায়বসি অপঙ-অশিঙ পুম্নমক্না খঙনরবনি। আইনবু মমিৎ তাঙহল্লিবসি মীননি, আইনবু মখুৎনা পায়দুনা শীজিন্নরি, মচীন্না লাউথোক্কুনা চৎনহল্লিবশিং অদুননি।

ভারতবর্ষ অমসুং মণিপুরগী খৃঃ ১৯৪৬-৪৭, ১৯৪৭-৪৮ অমসুং ১৯৪৮-৪৯/১৯৪৯-৫০ গী ওইবা হিষ্টোরিকেল ঈভেন্টস, সার্কমষ্টেন্সেস অমসুং সিচুয়েসন্স (Historical events, circumstances and situations) শিংনা পীরিবা ঈ-পাউগী মতুংইন্না লৈপাক অনিসিগী মরক্তা তৌনখিবা কার্য্যশিং– খৃঃ ১৯৪৭ কী আগষ্ট ১১গী "ষ্টেণ্ডষ্টিল্ল এগ্রীমেন্ট (Standstill Agreement)" অমসুং "ইন্সক্রুমেন্ট ওফ এসেসন (Instrument of Accession)" অমদি খৃঃ ১৯৪৯ গী জুলাই ২১ দা সহি তৌরগা ওক্তোবর ১৫ দগী চৎনখিবা "মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট (Manipur Merger Agreement)" চৎনবা য়াবগী মেরিট লৈতে, চৎনফম থোক্তে; হান্নগী লৈরম্বা মণিপুরগী ষ্টেটস, ষ্টেণ্ডরনচিংববু চিংথনবা, য়ান্দাবু ত্রিটী, ১৮২৬ গী অনিশুবা আর্টিকলগী অনিশুবা/অকোনবা শরুকপু অনলোফুল টর্মিনেসন (Unlawful Termination) তৌহনবনি, মসিগী মতীক চাবা চৈরাক/দণ্ডী হৌজিক্কী ভারত সরকারসিনা য়ুঃ এনঃগী চার্টর অমসুং য়ুঃ এনঃ ইন্টর্নেস্নেল কোর্ট ওফ জষ্টিসকী ৱায়েন-বিচারদা ফংফম থোক্লি মরমদি, এগ্রীমেন্টশিং অমসুং ইন্সক্রুমেন্ট অদুদা তৌরিবা সহিশিং (মণিপুরগী মায়কৈখক্তগী ওইনা হায়জবনি) অদু আইনগী মিৎয়েংদা হক (Right) লৈবা অমসুং থৌদাং পুবা ঙম্বা দায়িত্ব (Responsibility) লৈবা মীশক (শিং) কী সহি নত্তে, অদুনা এগ্রীমেন্টশিং/ডোকুমেন্টশিংদু ফোর্মেল (Formal) নৎত্রগা লিগেল/লোফুল (Legal/Lawful) ওইদে, নমফু হাফুগী আইন চৎনহনবনি। মসি ৱাকৎ থাঙ্গৎপা চুমগনি, জেনেভা (Geneva) দা লৈরিবা য়ুঃ এনঃ সেক্রেটরিয়েট (U.N. Secretariate) তগী ঈপাউ লৌবা অমসুং তানবগী মথৌ তাই/চঙঙি।

(৩) আর্টিকল ৩– ...the British Government will retain the conqured Provinces of Arracan (Arakan) ... The unnoupectort mein or Arakan Moutains (.... Yeomatoun or Pokhinglong Range) will henceforth form the boundary between the two great Nations on that side. Any doubts regarding the side lines of demarcation will be settled by Commissioners appointed by respective governments for the purpose....

আর্টিকল অসিগী ৱাফমশিংসি বৃটিশ ইন্দিয়া অমসুং ব্রাম্মা/বর্মীজ এম্পায়ার হায়রিবা লৈপাক অনিসিগী লমখৈ য়াৎনবগী ৱাফম্নি। ৱাফমসি মণিপুরবু বৃটিশশিংনা মখোয়গী কোলোনিয়েল ডোনিনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (Colonial dominion of India) গী মনুং চনবা ওইনা পীরি। মসিসু বৃটিশশিংগী লৌ (Underhand plot/plan) অমনি। অদুগা মণিপুর/মণিপুরীশিংনা খৃঃ ১৮৯১ য়ৌদ্রিবা ফাওবদি মখোয়গী লোইলম অমসুং লোই ওইদবনা [মখোয়গী লোইলম/লোই ওইরবদি এঙ্গলো-মণিপুরগী ৱার, ১৮৯১ গী মতম্দা ৱার ডিক্লেয়ার তৌফম থোক্তে] হায়রিবা আর্টিকলসিগী অহানবা শরুক্কু খৃঃ ১৮৮৫ দা বৃটিশনা বর্মা লৌশিনখিবদগী মুৎথ্রবসু মসিগী অনিশুবা শরুকসি খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৬ ফাওবদা হিংলম্মী, মরমদি খৃঃ ১৮৯১ সিগী এপ্রিল ২৭, মথংগী নুমিৎসিদা বৃটিশনা মণিপুর লৌশিল্লগদৌরিবনি।

অচৌবা লৈপাক নৎত্রগা মীশীঙ য়াম্বা জাতি অনিসিগী লৈপাক্কী লমখৈ য়েংশিন্নবা, অচুন্বা পুথোক্লবা/লেপ্পনবা, অসি ফাওবনি হায়বা অকক্লবনচিংবসিগী থবক পায়খৎপা অমসুং মসিগী বাউণ্ডরী কম্মিসন শেম্বা অমদি কম্মিস্নার হাপ্পগী থবক খৃঃ ১৮২৭ তগী হৌখ্রবনি [চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫, ২২৭]। হায়রিবা লম্দাংসি বৃটিশশিংনা মণিপুর/মণিপুরীশিংবু খঙহন্দনা খৃঃ ১৮৭০ ফাওবদা চখ্খরকখি। মসিনা মরম ওইনা মণিপুরগী লম য়াম্না মাঙজখি হায়বসি খৃঃ ১৮৩৪ গী জনুৱারীদা কেপ্তেন/মেজর গ্রান্ট অমসুং লেফটেনেন্ট/কেপ্তেন পেম্বর্টননা মৈতৈ কবো (Kase Shan) নৎত্রগা কবো তম্পাক পীথোকখিবসিনা সাক্ষী ওইরি। অদুবু খৃঃ ১৮৭০ দগী মণিপুরী খঙহন্দবা য়ারক্তদুনা খঙহল্লকখি। অদুগা লমখৈ য়াৎনবগী বৃটিশকী অমসুং বর্মীজগী বাউণ্ডরী কম্মিসন শেম্নবদুদা মণিপুরগী

ওইবা লমখৈগী ৱাফমদা মখোয়গী কম্মিসনশিংদুদা মৈতৈ/মণিপুরী মচা অমত্তা ফাওবা য়াওহন্দে অমসুং মণিপুরগী ওইবা তোংঙানবা বাউণ্ডরী কমিম্মসন (মৈতৈ মচানা শাবা) অমত্তা শেন্নমদে। অদুগা বৃটিশকী অমসুং বর্মীজশিংগী মাগী-মাগী ওইবা বাউণ্ডরী কম্মিসন কয়া/কয়ারক শেম্নদুনা লমখৈগী ৱা ঙাংনখিবা অমদি মণিপুরগা বর্মাগগী লমখৈ লেপ্পখিবগী ঈ-পাউ মরাং কায়না ফংঙি [মথক্কীসিদা, ২৩৭, ২৪৪, ৪০৩, ৪০৫, ৪১৩-১৭, ৪৫৪, অসিনচিংবা অমসুং S.J.J., 1990, 234]।

আর্টিকল অসিদা শুপচিন্দুনা মমিংদি পন্দনা মখোয়গী লৈপাক্কী মনুং চনবা নৎত্রগা বৃটিশকী লোইলম ওইনা হায়রিবসি মণিপুর খক্তগী ৱা নৎত্রি, অসাম অমসুং মসিগী মখা পোনবা/থাবা লৈপাক-মচাশিং/লমশিং (হৌজিক্কী নাগালেণ্ডগী শরুক খর, অরুনাচল প্রদেশনচিংবসু), জয়ন্টিয়া অমসুং কছাড়বুসুনি। মসি, মতমদুগী লম করাম চাওরবা অমসুং চাকখাওগীদমক্তা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীদা থবক তৌরকপা কম্পনীসিগী ওফিসারশিংদুগী কা হেঞ্জিনবা থৌদৌনি, মখোয়না হায়রিবসি তৌগে হায়রবদি লৈপাকশিংদু মশা মশাদা খণ্ডহনফম থোকপনি, মখোয়না নমজা-নমথেক্লবদা ৱারপ থোক্লিবা মণিপুরদা ফাওবা খণ্ডহল্লমদনা হুরান-লান-না, খৃঃ ১৮৭০ ফাওবা তৌরম্বসিনা লৈপাকশিংদুদা খণ্ডহনবীদে, মখোয়গী খুসি-রাশিদা হেক্তা তৌশিনবনি হায়বসি তাক্লি। অদুগা মণিপুরগী মতাংদা অমুক লাকপদা বৃটিশশিংনা খৃঃ ১৮৩৩-৩৪ দা বর্মাদা কবো তম্পাক পীথোকখিবদু মোর্টগেজ (Mortgage) গী ৱাখন্দনি অমসুং মদুগীদমক্তা লমশানমন (Stipen- হায়)/খাজনা সিকা রুপীজ ৫০০, (Sica Rupees 500/-) পীরম্বনি অমসুং মসিগী লমশানমন্না চহিদা লুপা ৬০০০, (Rs. 6000/- per annum) সি বৃটিশশিংনা থিদুনা খৃঃ ১৮৯১ ফাওবা লৈরম্বনি [ডাঃ লঃচঃ, ১৯৭০, ৭৪-৭৫]। অদুবু বৃটিশশিংনা খৃঃ ১৯৪৭ কী আগষ্ট ১৫ দা মণিপুর অমসুং লৈপাকসিগী ঙমখৈ অমসুং লমখৈ-লমকনবু মখোয়গী মণিপুরদা লৈবা পোলিটিকেল এজেন্ট জেঃ এফঃ পীয়র্সন (J.F. Pearson (1947)] গী খুত্থাংদা শীন্নরম্বনিনা বৃটিশ ইন্দিয়াগা ব্রহ্মদেশ/বর্মাগগী লমখৈ-ঙমথৈ লৈত্রে, লমখৈ য়াৎনবা-য়েন্নবনচিংবগী ৱাফম লৈত্রে। মরম অসিনা অহুমশুবা আর্টিকলসিগী ৱাফমশিংসি হিংদ্রে, মতম লোয়প্রে।

(৪) আর্টিকল ৪– His Majesty ... cedes to the British Government the conquered Provinces of Yeh, Tavoy and Mergui and Tennasserim with the islands and dependencies thereunto appertaining taking the Salween River as the line of demarcation on that frontier; and doubts ... will be settled as specified in the concluding part of the Article third.

আর্টিকলসিদা অহানবা এঙ্গলো-বর্মীজ ৱার, ১৮২৪-২৬ তা বৃটিশশিংনা মখা থংবা বর্মাগী শরুক্তা লোই চনখিবা প্রোভিন্সশিং– য়েহ, তবোয় অমসুং মার্গুই অমদি তেন্নাসেরিম-বু মখোয়গী লম ওইনা লৌশিনবা অমসুং সালৱীন তুরেন্না লৈপাক অনিগী লমদমগী লমখৈ ওইনবগী ৱাফমসি খৃঃ ১৮২৬ তগী চৎনদুনা লাকখিবনি। অদুবু জাতি/লৈপাক অনিসিগী থৌরম-ৱারমশিংদা য়ানরক্তবদগী খৃঃ ১৮৫১-৫২ অমসুং ১৮৮৫-৮৬কী অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা এঙ্গলো-বর্মীজ ৱারমশিংগী মনুংগী মতম শিংদুখক চৎনদ্রগা মরক্কী মতম (১৮৫২-১৮৮৫) দু চৎনরম্মী। খৃঃ ১৮৮৫ গী মতমদদি অদুম চৎনখিদ্রে মরমদি খৃঃ ১৮৮৫ দগী খৃঃ ১৯৪৭ ফাওবা বৃটিশনা বর্মাদা পানখ্রে অমসুং খৃঃ ১৯৪৭তা বৃটিশশিংনা বর্মীজশিংদা মনীঙ তম্না পীরম্লগা চৎখ্রে।

(৫) আর্টিকল-৫– In proof of the sincere disposition of the Burmese Government to retain the relations of peace and amity between the two Nations and as part indemnification to British Government for the expenses of the war, His Majesty the King of Ava agrees to pay the sum of one crore of Rupees.

মসি অহানবা এঙ্গলো-বর্মীজ ৱার, ১৮২৪-২৬ গী লানগী চাদিং/খরচ (Expenses) অদু বর্মীজ নিংথৌনা বৃটিশতা শীংবা/কুপখৎপা/হঞ্জিনবা (War Compensation) গী ৱাফম্নি। হায়রিবা লান-থোক্লবগী চাদিংগী শেন কুপখৎ-থিগৎপসি মায়কৈ/নাকল অনিনা মখা তানা য়ানখিবগী মতুংইন্না খৃঃ ১৮৩০ (খৃঃ ১৮২৬ + ৪) দা লোয়নখ্রে। মখা তানা য়ানব (এদিসনেল আর্টিকলদা) দা চহি অমমমদা ইন্সটোলমেন্ট (Instalment) অমমম (লুপা লাখ ২৫/২৫) থিগত্তুনা চহি ৪ (মরি) গী মনুংদা, হায়বদি, খৃঃ ১৮৩০ দা লুপা ক্রোর অমা

(লাখ ২৫ x ৪) থিগত্তুনা চহি ৪ (মরি) গী মনুংদা, হায়বদি, খৃঃ ১৮৩০ দা লুপা ক্রোর অমা (লাখ ২৫ x ৪) শীংখ্রে। শেল তোন্দ্রে। অদুনা আর্টিকলসিগী মতম লোয়খ্রে, শিখ্রে।

(৬) আর্টিকল ৬– No person whatever, whether Native or foreign is hereafter to be molested by either party, on account of the part which he may have taken or have been compelled to take in the present war.

আর্টিকলসিগী ৱাফমসি হৌখিবা খৃঃ ১৮২৪-২৬ কী লান্দুদা বৃটিশকী নৎত্রগা বর্মীজগী মতেং পাংখিবা নৎত্রগা মখোয়গী মীচঙদা শরুক য়াখিবা বর্মা, নৎত্রগা ইন্দিয়া মনুংগী মীওই নৎত্রগা লৈপাক অনিসিগী মপাল্লমশিংগী মীওই(শিং) দা লান লোয়বসিদা লমন খুন্বগী ৱাখলদা ওৎপা নৈবনচিংবা তৌনদবগী ৱারমনি। ৱাফম অসি খৃঃ ১৮৮৫ ফাওবদা চৎনরম্মী [S.J.J., 1990,.....]। হায়রিবা মতমসিগী মতুংদগীদি চৎনদ্রে, বৃটিশনা বর্মাদা পানখ্রে। অদুগা খৃঃ ১৯৪৭ তা বৃটিশশিং চৎখ্রবনিনা মতুংদুদদি চৎনদ্রে।

(৭) আর্টিকল ৭– In order to cultivate and improve the relations of amity and peace ...it is agreed that accredited ministers ...shall reside at the Durbar of the other .... a Commercial Treaty, upon principles of reciprocal, advantage will be entered into by the two high contracting powers.

আর্টিকলসিগী ৱাফমশিংসি খৃঃ ১৮৫১-৫২ অমসুং ১৮৮৫-৮৬কী লাঞ্জাও মনুংগী মতমশিংদু নত্তনা খৃঃ ১৮৮৫ ফাওবা চৎনরম্মী, অদুগী মতুং তারকপদদি বৃটিশনা পানখ্রে। কম্মর্সিয়েল ত্রিটী অমা তৌনবগী ৱাফম লৈখি। অদুবু মসিসু ৬ (তরুক) শুবা আর্টিকলগুম চৎনখিদ্রে, কম্মর্সিয়েল ত্রিটীদুসু হিংদ্রে।

(৮) আর্টিকল ৮– All public and private debts ... to be recognised and liquidated upon the same principles ... and no advantage shall be taken ... according to the universal law of Nations, it is further stipulated that the property of all British subject who may die in the dominion of His Majesty

... shall in the absence of legal heirs be placed in the hands of the British Resident or Consul ... will dispose the same according to ... British law. In the like manner the property of Burmese subject ... shall be made over to the minister ... delegated by His Burmese Majesty to .... India.

আর্টিকলসিগী ৱাফমসি মীচম-মীয়ামগী লন-থুম মপু মপুদা ফংনহন্নবগী থৌরাং লৌখৎপগী ৱারমশিংনি অমসুং মীচম-মীয়ামদু লান অদুনা অৱাবা তাহনখিবশিংদুগীনি। মসি খৃঃ ১৮৮৫ গী মতুংদদি হিংদ্রে।

(৯) আর্টিকল ৯– The King of Ava will abolish all exactions upon British ships or vessels in the Burman ports ... nor shall ships..., the property of British subjects, whether European or Indian, entering the Rangoon River or the Burman ports ...

আর্টিকলসিদা বৃটিশ অমসুং বর্মীজ জহাজশিং অমসুং হি নৎত্রগা হিগুন্বশিং হিথাংফমদা চঙনবদা খাজনা লৌনবা, পীনবা অমসুং পীরোয়দবা/পীনদনবা নৎত্রগা/অমসুং কোমথোক্লগদবা খাজনাগী মরমদা পীরি। মসি, খৃঃ ১৮৮৫ ফাওবা চৎনরম্মী। মতমসিগী মতুং বৃটিশনা বর্মা লৌশিনখিদুনা পানগ্রবদগী চৎনখিদ্রে, অমসুং মসিগী মতুংদুদসু চৎনদ্রে। অদুনা আর্টিকল অসিগী মতম লোয়রে, হিংদ্রে।

(১০) আটিকল ১০– The good and faithful ally of the British Government, His Majesty, the king of Siam having taken part in the present war, will to the fullest extent as far as regards His Majesty and his subjects be included in the above treaty.

আর্টিকলসিগী ৱাফমসি হৌখিবা লান অদুনা শ্যাম/সিয়াম নৎত্রগা থাইলেণ্ড (Siam or Thailand) গী নিংথৌনা বৃটিশশিংগী মতেং পাংখিবগী তৌবীমল উৎপগী ৱাফমনি। মসি মতম খরদুখক্কীনি, হৌখ্রে, লোয়খ্রে, আর্টিকল অসি চৎনদ্রে।

(১১) আর্টিকল-১১– This Treaty is to be ratified by the Burmese authority ... and the ratification to be accompanied by all British, whether European or Native, American and other prisoners, who will be delivered over to the British Commissioners, on their part engaging that the said Treaty shall be ratified by the Right Honourable, the Governor-General-in Council and the Ratification shall be delivered to His Majesty, the King of Ava, in four months or sooner if possible, and all the Burmese prisoners shall in like manner, be delivered ...

আর্টিকলসি খৃঃ ১৮২৪-২৬ কী লাঞ্জাওগী লানফা (Prisoner) শিং থাদোক্লবগী অমসুং ত্রিটীসিগী য়ানা-ৱারোল (Article) শিংসি সন্ধী তৌনরিবা মায়কৈ অনিনা অয়াবা পীনবগী ৱাফমনি, ফেব্রুঃ ২৪, ১৮২৬ তগী থা ৪ (মরি) খক মতম পীবনি। মসি থবক পাংথোক্লখ্রে, লোয়খ্রে, চৎনদ্রে।

(১২) এডিসনেল আর্টিকল– The British Commissioners being most anxiously desirous to manifest the sincerity of their wish for peace, and to make the immidiate execution of fifth Article of this Treaty ... consent the following arrangements, with respect to the division of sum total as special in the Article before referred to into instalments, viz. upon the payment of twenty five lacs of Rupees, or one fourth of the sum total the other Articles of the Treaty being executed the Army will retire to Rangoon. Upon further payment of a similar sum at that place, within one hundred days from this date, ... the Army will evacuate the dominion of His Majesty ... leaving the remaining moiety of the sum total to be paid by equal annual instalments in two years....

আর্টিকলসি, য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী মথক্তা পীখিবা ৫(মঙা) শুবা আর্টিকলগী ৱার কম্পেন্সেসন (War Compensation) গী শেনফমদু অমুক্তা লোয়নবা থীগদবদু কোমথোক্তুনা খর য়াংহন্ননবা মচীৎ-মচীৎ থীহন্ননবা অমসুং লাঞ্জাওদুগী চাদিং (War Expense) কী শেনমাঙ কুপখৎপা লোয়রগা বৃটিশকী

লাম্মী বর্মাগী লমদগী লৌথোক্লবগী ৱাফম্নি। মসি খৃঃ ১৮৩০ ফাওবদা মতম লোয়খ্রে, অদুনা চৎনদ্রে।

খৃঃ ১৮২৬ তগী ঙসি (খৃঃ ২০০৯) ফাওবদা চহি ১৮৩ (চামগা মরিফুহ্মদোই) হৌখ্রবা মতমসিদা য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী য়ানা-ৱারম-ৱাফম/আর্টিকল ১২ (তরানিথোই) লৈবসিগী মনুংদা ২(অনি) শুবা আর্টিকলগী অনিশুবা/অকোনবগী শরুক অসি নত্তনা অতৈ আর্টিকলশিং (মশীঙ ১, ৩, ৪, ৫, ৬, ৭, ৮, ৯, ১০, ১১ অমসুং এডিসনেল আর্টিকল) দি অমত্তা হিংদ্রে। হিংহৌরিবা অনিশুবা আর্টিকলগী অনিশুবা/অকোনবা শরুক্কুগী ৱারম-ৱাফমগী ৱারোন্দিঃ—

"... With regards to Mannipoor it is stipulated that should Ghumbheer Sing desire to return to that country, he shall be recognised by the King of Ava as Rajah Thereof."

হায়বসিনি। মসিদা ‘‘রাজা (Rajah/Raja)" হায়বসি করিনো/কনানো, মসিগী/মহাক্কী মরন-মথুম [লৈপাক, লন-থুম অমসুং লৈপাক ঙাকপদা শীজিন্ননবা শেন-থুমগী হিরম-ৱারম, লাম্মী, মনীঙ-মখা তম্বা কন্নবা অমসুং মশাগী লমখৈ ঙাক্লবগী থৌরাংশিং অমসুং মহাক্কী প্রজা-মীয়াম্নচিংবা লৈগদবা] অমসুং মগুণ [মশা মতোমতা লৈঙাকচবা ঙম্বা, মনীঙ-মখা তম্বা ওইগদবা, লৈঙাক্লোনগী মহৈ-মশীঙ হৈবগী মতীক-মঙম, মতীক-ময়াইনচিংবা], অসিনচিংবদা মিৎয়েং থমগদবনি। অদুবু অহিংবসিবু হিংহন্দনবা, অনলোফুল টর্মিনেসন (Unlawful Termination) তৌহন্নবা হোৎনখিবনা ৱাফমসি নমশিন্দুনা থমখিবা/লৈখিবনি। মনীঙ-মখা তম্বগী মিংফমদা লোইলম লীংখৎপা পাম্বা, ডিমোক্রেসীগী মমিংদা ডিক্টেটোরিয়েল পোলিটিক্স/এডমিনিষ্ট্রেসন (Dictatorial Polictics/Administration) তৌবা হৈনরবা অমসুং নমফু, নমজা-নমথেক্লবগী ৱায়েন চৎপা খরনা লৌতুনদুনা শরৌ শীন্নবদগী হায়রিবা ইন্টর্নেস্নেল পোলিটিক্স নৎত্রগা পোলিটিকেল এফিয়ার্সতা লৈবা ৱায়েনসি ঈশিং মনুংদা লুপশিন্দুনা থল্লিবনি। অদুমকপু তৌরিবা/তৌখ্রিবা রাজনৈতিক কর্ম্ম/কার্য্যদুগী থবক পায়খৎপা অমসুং পাংথোকপদা অচুম্বা ৱায়েন-ৱাখুল, কাংলোন-কাংখুন, পরম-খোংলম্নচিংবদা অচুম্বা আইনগী খোঙথাংদা চৎখিদবা অমদি জঙ্গলগী আইন, শা-ঙাশিংগী মরক্তা

চৎনবা "অকনবনা অচুম্বা শকপা, নমদুনা মুন্দুনা চাবা, অশোনবগী মখুত্তগী লাক্কুনা লৌবা" অসিনচিংবদা মিৎয়েং থমদুনা থবক লৌখিবা অমসুং খংলাক-খংজীন অমদি নমফু-হাফুদা থবক পায়খৎখিবনা হিংদুনা লৈহল্লিবনি।

ৱারোয়শিন-ৱাখোমজীন

"য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ [The Treaty of Yandaboo, February, 24, 1826]", য়ুনাইটেড কিংদম নৎত্রগা বৃটিশ এম্পয়ার অমসুং ব্রাম্মা/বর্মীজ এম্পয়ারগী ব্রাম্মা/ম্যাম্মা/অৱা নিংথৌ বা-গ্যী/পাগ্যী/ফা-গ্যী-দোআ [Ba/Pa/Phya-gyee-doa (1819-37 A.D.)] না পানবা মতমদা লৈপাক/জাতি অনিসিনা লল্লোন-ঈতীক্কী হিরম-ৱারিমসিদগী লান থোক্লদুনা চহি অনিরোম লান শোক্লরবা মতুংদা তেশিন-তাইশিন্নদুনা শান্তি অমুক হন্না লীংখৎনবা অমসুং মরুপ-মপাং ওইনবগী লীক্লমদা চঙশিনমিন্ননবা বর্মাগী য়ান্দাবূ (Yandaboo) কৌবা সহর-মচাদা খৃঃ ১৮২৬ কী ফেব্রুৱারী তারিক ২৪ দা সহি তৌনদুনা য়ানখিবগী মীয়াম-মীচম (Civil) গী ওইবা শান্তি কারিন অমসুং মিত্রকার্য্য (Pacifying and Friendly working) যুক্তি/সন্ধী (Peace And Friendship Treaty/Agreement) অমনি। ত্রিটী অসি মালেমসিগী অন্তরজাতিগী থাক্তা লৈবা, মতমদুগী পৃথিবীগী মরুওইবা লৈপাকশিং কয়ানা হকথেংননা অমসুং/নৎত্রগা নাকোয়ননা খঙনখিবা অমসুং শকখঙ-মায়খঙনখিবা সন্ধী অমনি। ত্রিটীসি য়ুনিভর্সেল লো ওফ নেসন্স (Universal Law of Nations) কী বাইণ্ডিং (Binding) গী মখাদা লৈ।

য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী অনিশুবা আর্টিকলগী লোয়শিল্লকপা শরুক্তা, "মন্নিপূর/মণিপুর (Mannipoor/Manipur) বু মনীঙ-মখা তন্বা নিংথৌনা হাইনা-হুম্না পানবা, মশা মতোমতা লৈঙাক-ৱায়েন থৌদা তৌজবা অমসুং মনীঙ-মখা তন্বা, নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা ওইনা অমসুং লৈপাকসিগী নিংথৌ [রাজা গম্ভীর সিংহ (খৃঃ ১৮২৫-৩৪)] অমসুং মহাক্কী লৈঙাকলুপ, লৈঙাক-শাসন্নচিংববু অৱাগী নিংথৌ, বর্মাগী/বর্মীজগী নিংথৌরেন্না শকখঙ-মায়খঙগদবনি"— হায়না পল্লি অমসুং পীরি। অদুগা মণিপুরসি মনীঙ-মখা তন্বা, অমসুং মশা মতোমতা লৈঙাকচবা লৈপাক্নি— হায়বসি ত্রিটীসিগী অনিশুবা

আর্টিকলসিনা পীরিবসিগী মতুংইন্না পৃথিবীগী লৈপাকশিং— গ্রেট বৃটেন, বর্মা, থাইলেণ্ড, ইন্দিয়া, চাইনা, জাপান, রুশিয়া, অমেরিকা, ফ্রাঞ্চ, স্পেন, পোর্টুগাল, হোলেণ্ডনচিংবনা শকখঙ-মায়খঙলবা অমদি য়ানরবা লৈপাক্লি,— হায়বসি হৌজিক্কী মতমগী মালেমসিগী অখঙ-অহৈশিংগী পুক্নীঙ-ৱাখল থম্নরক্লি।

য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সি হৌজিক ফাওবদা হিংলিব্রা নৎত্রগা হিংদ্রবরা, হায়বদি, ত্রিটীসিগী ৱারম-ৱাফমশিংসি চৎনবা য়ারিব্রা নৎত্রগা য়াদ্রবরা— হায়বা ৱাহংসি মতোমতা থোকচরকই। হায়রিবা ৱারম/ৱাফমসিদা হৌজিক্কী ওইবা মিৎয়েং থম্লকপদা— ত্রিটী অসিগী ৱারম-ৱাফমশিং অসি য়ানরে, হায়দুনা ত্রিটীসিদা সহি তৌনরিবা, হায়বদি, ত্রিটীসিবু পুথোক্লক্লিবা/থোক্লক্লিবা পাটী অনি— বৃটিশ অমসুং বর্মা/ম্রাম্মা (বর্মীজ)- অসিনা নৎত্রগা অনিসিগী মরক্তগী অমনা— ত্রিটীসিগী নৎত্রগা ত্রিটীসিদা পীরিবা/য়াওরিবা ৱারম/ৱাফমশিংসি অমুক হন্না নৎত্রগা মখা তানা চৎনররোয় হায়না লাউথোকখিবা/ফোংদোকখিবা [Annulment of Treaty] লৈত্রি। অদুগা হায়রিবা ত্রিটীসি তৌনখিবগী মতম (খ-ঃ ১৮২৬) গী মমাঙদা, মতমদা অমসুং মতুংদা লৈরম্বা, লীংখৎখিবা অমসুং লীংখৎলকপা [খুদম ওইনা লিগ ওফ নেসন্স (League of Nations– 1919-39/46), য়ুনাইটেড নেসনন্স ওর্গনাইজেসন (United Nations' Organisation– i.e. U.N.O.) অসিনচিংবা] পৃথিবীগী নৎত্রগা অন্তরজাতিগী সংস্থানশিং অমসুং জাতি অমগী সংস্থান(শিং) না নৎত্রগা মখোয়দুগী মনুংদগী অমনা/অমত্তনা য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ কী মতম লোয়রে চৎনদ্রে/চৎনররোয় নৎত্রগা চৎনহন্দ্রে [Termination of Treaty], হায়বনচিংবগী লাউথোকখিবা নৎত্রগা/অমসুং ফোংদোকখিবা নৎত্রগা চেলেঞ্জ (Challenge) তৌখিবনচিংবসু অমত্তা লৈখিদ্রি, লৈতে অমসুং লৈত্রি। অদুগা য়ান্দাবূ ত্রিটীসি, লীগ ওফ নেসন্স' লীংখৎত্রিঙৈ, হায়বদি, পৃথিবীগী অপুনবা জাতিশিংগী ওর্গনাইজেসন/ইন্সটিট্যুসন অমত্তা লৈত্রিঙৈ, মালেমসিগী জাতিশিংনা নাইতোম-নাইতোম লৈপাক পান্নদুনা, মরন্নাই-মরন্নাই তৌনরিঙৈগী মতমদা লৈপাক অনিখক্কী লন্নাই ওইনা তৌনখিবা, হৌজিক্কী মিৎয়েংদা বাইলেটরেল ত্রিটী (Bilateral Treaty) ওইবা যুক্তি/সন্ধীনি। মরম অসিনা ত্রিটীসিগী ৱাফমশিংসি চৎনখিগনি নৎত্রগা চৎনররোয়, হায়বা ৱাহং/ৱাফমসিগী পাউখুম পীননবগী মায়কৈরোমদা চঙশিল্লকপদা আইনগী

মিৎয়েংগী অকুপ্পা এক্সজামিনেসন [Examination], জষ্টিফিকেসন [Justification], নচিংবা য়াম্না চঙলি, সর্দার পেটেলখোয়, জৱাহরলাল নেহরুখোয়না মণিপুরবু ইন্দিয়াদা তীনশিন্নবা শ্রীপ্রকাশ থাদোক্তুনা তৌখিবা অদুগুম্না তৌবা য়াবা নৎত্রি, মরমদি, ৱাফমসি ইন্টর্নেস্নেল/য়ুনিভর্সেল লেগেল এক্সপার্ট [International/Universal Legal Expart] শিংগী চেম্বরদা ডিবেট তৌনবা, নৈন-থিনবা, খন্ন-তান্নবনচিংবগী মথৌ চঙলি/তারি। অদুগা হায়রিবা ত্রিটীসিদা সহি তৌনখিবা নৎত্রগা ত্রিটীসিগা মরী লৈনখিবা/লৈনরিবা, মসিগী আর্টিকলশিংদা পল্লিবা লৈপাকশিং নৎত্রগা জাতিশিংগী মরক্তা মমিং ওনখিবা/ওনবা নৎত্রগা হোংখিবা/হোংবা য়াওরবসু মখোয়দুদগী শমথহৌবা লৈপাক নৎত্রগা চাদা-নাউদাশিং হৌজিক-হৌজিক লৈরি। মখোয়সিনা নৎত্রগা ত্রিটীসিদা পুক্নীঙগী খোয়দাবা নৎত্রগা ৱাখলগী অপান্বা পীদুনা/পীবদগী, অমুকসু নৎত্রগা চিংনবা অমদি চয়েৎনবা লৈবদগী নৌনা অমুক হন্না থিজিন-হুমজিল্লক্লিবা/থিগৎ-হুমগৎলক্লিবসিংগী কাংলুপ/মায়কৈ/পার্টী (Supporter and/or Opposer) অমখক্তনা ত্রিটীসি হিংলি, মসিগী ৱারম-ৱাফম খর চৎনবা য়াখিগনি নৎত্রগা চৎনগদবনি নৎত্রগা হিংদ্রে, চৎনবা য়াররোয় হায়না ক্লেম তৌরগা মদুদা হেক্তমক থবক তৌবা/পায়খৎপা অদুদি লিগেল পোইন্ট ওফ ভিয়ুদা জুদিকেচর (Judicature) নৎত্রগা লিগেলাইজেসন (Legalisation) তৌরবনি হায়দুনা নৎত্রগা তৌরে হায়না লৌদুনা জষ্টিফিকেসন (Justification) তৌবদি অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়না থাজজবা ঙমজদে, শাফবা ৱাৎকনি।

য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সি, মসিগী এডিস্নেল আর্টিকল (Additional Article) অসি থারগা পুন্না আর্টিকল ১২ (তরানিথোই) লৈরিবসিগী মনুংদা আর্টিকল অনিশুবা অসি নত্তনা অতৈদি হিংদ্রে, মতম লোয়খ্রে/হৌখ্রে, হায়বসি খ্বাই মীয়ামগী জেনরেল নোসন (General notion) দা খঙনদুনা লৈরবা, খ্বাই পুন্নমক্তা য়ানরবা/য়ারগদবা ৱাফম্নি। অদুবু জেনরেল পীপলনা য়ানরে হায়দুনসু মীয়ামগী ওইবা নৎত্রগা য়ুনিভর্সেল/ইন্টর্নেসনেল কনফরেন্স, কনভেন্সন, কনভোকেসন (Universal/International Conference, Convention, Convocation) নচিংবা অমদা লাউথোকপা অমদি চঙলি। অদুগা য়ুঃ এনঃ ওঃ অমসুং লীগ ওফ নেসন্স লীংখৎখিবগী মমাঙগী মতমশিং (খৃঃ ১৯১৯ গী

মমাঙ) দা জাতি অনিগী/খরগী মরক্তা/মনুংদা লৌনখিবা হিরম অমগী/খরগী/ পুন্নমক্কী ওইবা মরম(শিং) দা তৌনখিবা বাইলেটরেল/মল্টিলেটরেল ত্রিটী(শিং), এগ্রীমেন্ট(শিং) (Bilateral/Multilateral Treaty(ies), Agreement(s)] অমসুং জাতি অমনা জাতি অমদা পীখিবা সন্দ (Sanad) শিং, ফারমান/ফার্মান (Farman/Charter) শিং অসি চৎনররোয়/চৎনদ্রে নৎত্রগা চৎনবা য়াদ্রে হায়বনচিংবগী লাউথোকখিবা নৎত্রগা লাইরিক ওইনা ছাপা নমথোক্কুনা ফোংখিবনচিংবসু লৈত্রি। অদুগা য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ হায়বসি মালেমসিগী য়ামদ্রবদা মহাদেশ/কন্টিনেন্ট ৪(মরি)– (য়ুরোপ, এসিয়া, অৱাং থংবা অমসুং মখা থংবা অমেরিকাশিং) দি শোয়দনা কোনশিন্দুনা লৈরম্না/লৈরিবা ত্রিটীনি। পল্লিবা হেক থংনবদা লৈরিবা মরম অনিসিমক্লা য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ অসিগী মরমদা অমসুং মতাংদা লমদমশিংসিগী লৈপাকশিং/জাতিশিংগীসু মখোয় শ্বাইগী ওইবা মিৎয়েং, পুক্নীঙ-ৱাখন্নচিংবা থম্নবগী/ফোংদোক্লবগী নৎত্রগা য়ানীঙবা অমসুং/নৎত্রগা য়ানীঙদবগী ৱাফম/খোল্লাউ পীরক্লনবগী ৱাফমসু চঙলি। ত্রিটীসিগী ৱারম-ৱাফমশিংসিদা এসিয়া অমসুং য়ুরোপখক্তনা হকথেংননা থবক তৌই/য়াওই হায়দুনসু ত্রিটীসি চৎনখিগনি নৎত্রগা চৎনররোয় হায়বগী ৱাফমসিদা কন্টিনেন্ট অনিসিখক্তগী ওইনা নৎত্রগা মখোয়গী মীওইশিংখক্তগী ৱা তুপথোকপা য়াবা নৎত্রি, পৃথিবীগী ওইবা ৱাফমদা লাকখ্রবা/পুখৎখ্রবনিনা কন্টিনেন্ট অতৈশিংগী মীওইশিংগীসু হায়নীঙবা হায়বা য়াবগী হক ফংখ্রবনি হায়বা য়াই।

মনীঙ-মখা তম্বা লৈপাক নৎত্রগা জাতি অমনা মাগী মাগী লৈপাক্কী ওইবা আইন লৈজে, চৎনবী ৱায়েন-ৱাখুন অমসুং ৱায়েন কাংলোন লৈজে, হায়দনসু হৌজিক্কী মতমসিদদি ইন্টর্নেস্নেল/য়ুনিভর্সেল কোড ওফ লো [International/ Universal Code of Law] লৈরবনিনা [P.P., 1986, 264] মদুগী মখাদা জষ্টিফিকেসন তৌবনা/লৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি, নৎত্রবদি করিসু নত্তবা মরম অমদগী পৃথিবীগী শান্তিগী খল (Balance/Equilibrium of World Peace) কায়রক্লবগী মরম ওইরকপা য়াই। হায়রিবশিংসিদা মিৎয়েং থল্লিবসি য়ুঃ এনঃ জেনরেল এসেমব্লী কন্মিটিজ [U.N. General Assembly Committees) নি অমসুং মসিগী ৬শুবা কম্মীটীনা থিজিল-হূমজিল্লিবনি [ibid, 264]।

মথক্তা থমজগ্রিবা ৱাফমশিং অসিগী মচাক-মথুমশিং অমসুং মরমশিং অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা হৌজিক্কী মতমগী ওইবা আইনগী মিৎয়েংদা থল্লগা য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ হায়বসি হিংলিব্রা নৎত্রগা হিংদ্রবরা— হায়বা ৱাফম মমাঙঙৈগী অমসুং হৌজিক্কী মতমগী অন্তরজাতি/ইন্টর্নেস্নেলগী আইনগী সের-ফল্লা/সের-ফাললাং (Balance) অমসুং রাজনীতিগী খল (Weighing apparatus) তা থাঙ্গৎলগা য়ুনিভর্সেল/ইন্টর্নেস্নেল লোগী লেগালিটী (Legality) ওন্দুনা নৎত্রগা খৃঃ ১৮২৬ তা ইরম্বা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী নৎত্রগা বৃটিশ এম্পয়ারগী/জাতিগী ৱুইল [WILL] অমা ওইনা মসিগী পোষ্টমোর্টেম (Postmortem) তৌবনা য়ুনিভর্সেল লোগী পরীংদা লেগালিজম (Legalism) অমসুং ইল্লিজিটিমেসী (Illegitemacy)/ইল্লিজিটিমেসন (Illigilimation) থোকহন্দবা ঙমগনি হায়না থাজজে। অদুগা হায়রিবা থৌদৌদুনা য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী হিংলিবা অমসুং/নৎত্রগা হিংদ্রবা আর্টিকলশিং খন্দোকপদসু কনভেনস্নেল (Conventional) ওইবা মরম-ৱারমশিংগী মতুংইন্দুনা ফংলিবশিংদিঃ—

১। য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সি পৃথিবীগী জাতিশিং অসিদগী অপুনবা সংস্থান (লীগ ওফ নেসন্সনচিংবা) অমত্তা লীংখৎত্রিঙৈ/লৈত্রিঙৈদা মনীঙ তম্বা লৈপাকশিং অনিগী মরক্তা তৌনখিবা শান্তি অমুক হঞ্জিলহন্নবা অমসুং মরুপ-মপাং ওইবগী পরম হৌদোক্লবা তৌনখিবা ত্রিটীনি। ত্রিটীসি তৌনরিবা লৈপাক/জাতি অনিসিনা নৎত্রগা অনিসিগী মরক্তগী অমনা নৎত্রগা ত্রিটীসিগী আর্টিকলশিংদা পাল্লিবা জাতিশিং— য়ুরোপীয়ান (য়ুরোপকী ত্রিটীসিগা মরী লৈনবা জাতি অমা, হেক্তা য়াই), অমেরিকান (অৱাং অমসুং খা অমেরিকাগী জাতি অমা হেক্তা য়াই, অদুবু অতম্ননা হায়রিবদি য়ূঃ এসঃ এঃ মচাশিংবুনি), ইন্দিয়ান (ভারতকী জাতি অমা হেক্তমক য়াই), শ্যামীজ/থাই (Siamese/Thai), অসামীজ, জয়ন্টিয়াগী মী, কছাড়ী অমসুং মণিপুরী/মৈতৈগী মরক্তগী অমতনা ত্রিটীসি চৎনহন্দনবগী ৱাফম পুখৎনরক্তি। মরম অসিনা ত্রিটীসিগী থবক লোয়খ্রবা/পাংথোকখ্রবা নৎত্রগা মখোয়/মদুশিংদুগী মতম লোয়খ্রবশিংদুনা শিখ্রগা/হিংদ্রগা হিংহৌরিবা/চৎনরিবা নৎত্রগা চৎনবা য়ারিবদুনা (আর্টিকল অনিশুবদুগী অকোনবগী শরুক্তা) হিংদুনা লৈগনি।

২। য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সি মমাঙদা তৌনখিবা ওইদুনসু মসিগী শরুক অমা পৃথিবীগী অপুনবা আইনগী ওইবা লুপলেনশিং [লীগ ওফ নেসন্স অমসুং মসি খৃঃ ১৯৪৬ তা মুৎথ্রগা খৃঃ ১৯৪৫দা লীংখৎখিবা য়ুঃ এনঃ ওঃ (নৎত্রগা য়ুঃ এনঃ) না শক্তি পায়দুনা লৈরি] লৈরবা মতমসি ফাওবদা হিংদুনা লৈরি। মসিদা চয়েৎনবা পীরিবা আইন কায়বা নৎত্রগা আইননা য়াদবা ৱাফম খরদিঃ—

(১) খৃঃ ১৯৪৭ কী আগষ্ট ১১ দা মনীঙ মখা তম্বা ফংদ্রিঙৈদা মনীঙ-মখা তম্বা ফংলবা লৈপাক্কী ওথোরিটী শাদুনা মনীঙ মখা তম্লবা মতম (খৃঃ ১৯৪৭কী আগষ্ট ১৫ দগী মনীঙ মখা তম্বা ফংগদৌরিবনি) দা চৎনগদবা হিরম-থৌরমশিংগী ৱারম-ৱাফম ইন্দুনা "ষ্টেণ্ডষ্টিল্ল এগ্রীমেন্ট (Standstill Agreement)" অমসুং "ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন (Instrument of Accession) হায়না থোন্দুনা গোভর্নমেন্টকী ওথোরিটীগী মীহুৎ শাবা সর্দ্দার পেটেলগা মণিপুরগী বোধচন্দ্র সিংহ, মহারাজগা সহি তৌনখি। তৌনরিবা সহিশিংসিগী মীওইশিংসি মীখা পোল্লিবনিনা মতমদুদা লৈরিবা য়ুনাইটেড নেসন্স (য়ুঃ এনঃ) গী আইননা য়াদে। মতমদুদা ভারতসি য়ুঃ এনঃ য়াওদ্রিবনিনা অমসুং মণিপুরসু য়ুঃ এনঃদা মিং চন্দ্রিবনিনা লৈপাক অনিগী আইনগী ওইনা মরন্নাইগী তৌনজবনি, হায়রবসু মতমদুনা চৎনরিবা বৃটিশ লো অমসুং খৃঃ ১৯৫০ দগী চৎনরিবা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন নৎত্রগা কন্সটিট্যুসনেল লো অমসুং মসিগী মখাদা শেম্বা ইন্দিয়ান পেনাল কোড (Indian Penal Code), ক্রিমিনেল প্রোসিড্যুয়র কোড (Criminal Procedure Code = Cr. P.C.) নচিংবনা য়াদে। অদুবু জর্মনগী নাজি পার্টি [Naze (Nazionale Sozialisten (Ger) or German National Socialist Party] গী এডোল্ফ হিটলরগী আইন চৎকে হায়না ফিরেপ লৌরবদি খঙদ্রে, অদুবু হিটলরদি মশানা শেম্বা আইন থুগায়খিদে। হায়রিবা ৱাফম অসি নৎত্রবদি ইন্দিয়ান লিগেল সিস্তেমখক্তগী য়েংলবসু য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সি হিংলি। মণিপুর মনীঙ-মখা তম্বগী শরুক অমা ওইরিবা, মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহনা ইন্দিয়াদা লাম্থোকখি/পীথোকখি/শিন্নথোকখি হায়রিবা— ডিফেন্স, এক্সটর্নেল এফিয়ার্স অমসুং কম্যুনিকেসন মণিপুর/মণিপুরী গোভর্নমেন্টকী মখুত্তা লৈগদবনি। ঈকাই খঙদদুনা মখোয়গী মহুৎ শিনবা লৈঙাকপগা হাপচিল্লিবসি থুনা লৌথোকপা ফৈ, মণিপুরগী পোলিটিকেল

বিয়ুজিনেস (Political business of Manipur) সি ৱার্ল্ড পোলিটিক্স (World Politics) তা চঙগদবনি।

(২) খৃঃ ১৯৪৯ গী সেপ্তেম্বর তারিক ২১ দা মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহবু শিলোংগী রেদ-লেন্সতা মিলিটরী/পেরামিলিটরীগী সিফাইশিংনা কোয়শিন্দুনা থম্লগা কিহন্দুনা নমদুনা, 'মণিপুরগী শাসন পীথোকলে' হায়বগী সহি লৌখিবসি চৎনবা য়ারোয় 'ষ্টেণ্ডষ্টিল্ল এগ্রীমেন্ট' অমসুং 'ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন' অনিসি চৎনবা য়াদবগী মথক্তা থংননা পীজরিবসিগী মরাইবক্তু হঞ্জিন্দুনা অদুম থোকই। হায়রিবসিগী মরমশিংদিঃ—

(ক) মীবু লান্দা ফাজিন-পুনশিন্দুনা থম্বসি, য়ুনিভর্সেল/ইন্টর্নেস্নেল আইনশিং থৈদোক্কুনা থম্লম্লগা ভারত মশানা শেমজবা আইঃপিঃসিগী ধারা ৩৪০না য়াদে। অদুবু মতম অদুদা কন্সটিট্যুসন চৎনদ্রি, আইঃ পিঃ সিঃ লৈত্রি হায়না খুম্লবসু মতমদুদা চৎনরিবা বৃটিশনা শেন্বা ইন্দিয়ান লো নৎত্রগা পেনাল কোড, ক্রিমিনেল প্রোসিড্যুয়র কোডনচিংবনসু য়ারমলোয়/য়াদে। তৌগে হায়দুনা তৌবা; চৎনহনগে, য়াহল্লগে হায়দুনা হেক্তমক তৌবগী আইন ওইরবদি মদু "জঙ্গলগী আইন" কৌগনি। মসি ভারত্তা হৌদোকখিবসি হায়রিবা তাঞ্জাসিদনি, সর্দ্দার পেটেলনা হৌদোকহনখিবনি।

(খ) মীবু কিহন্দুনা অয়াবা লৌবা শাদুনা নমদুনা ডোকুমেন্টতা সহি লৌবসি আইঃ পিঃ সিগী ধারা ৩৮৩ অমসুং ৩৮৫ না য়াদে। অদুগা হায়রিবসিগী অতৈ আর্গুমেন্টতি মথক্কী (ক) দা পীরিবসিগা মান্নে।

৩। মণিপুরবু ভারত্তা তীনশিন্নবগী/তীনশিনহন্নবগী মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট (Manipur Merger Agreement) তা সহি তৌহল্লিবা/তৌরিবা ওফিসিয়েল/মীশকসি মণিপুর ষ্টেটকী এপ্রোপ্রিয়েট পার্সন/ওথোরিটী (Appropriate person/Authority) নত্তে, চুম্নগী ষ্টেটকী নোমিনেল কন্সটিট্যুসনেল হেড (Constitutional Head of Manipur State) নি। ৱাফমশিংসিদা ফংলিবদিঃ—

(ক) মণিপুরনা মনীঙ-মখা তম্লবদা মণিপুরী প্রজাশিংনা নিংথৌগী লৈঙাক ৱায়েন-থৌদাবা (Monarchial Rule) পাম্লক্তদুনা মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকপা

লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদাবা (Democratic Rule) পাল্লক্কুনা হিংসা য়াওদবা ঈহৌ (Nonviolence Movement) খৃঃ ১৯৪৭ সিগী ওক্তোবর থাদগী হৌরক্কুনা হায়রিবা লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদাসি ফংহন্নবা মৈতৈ নিংথৌগা য়ানদুনা চহিসিগী নবেম্বর ২৬ তগী ঈহৌগী খোঙজঙ হন্দোকখিরম্মী। হায়রিবা লৈঙাকসি পুরকপা য়াননবা মৈদিংঙু মশামক্না থবক-থৌরমশিং তৌদুনা খৃঃ ১৯৪৮ দা মীয়ামগী মীহুৎ খন্ননবা ফ্রেঞ্চাইজ ঈলেক্সন (Franchised Election) পাংথোকখি অমসুং মীহুৎশিংদুনা শেন্বা আইন সভা অমা চহিসিগী ওক্তোবর ১৮ দা মৈদিংঙু বোধচন্দ্র মহারাজ মশামক্না হাঙদোকপীখিরম্মী। হায়রিবা মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেম্ব্লী (Legislative Assembly) নৎত্রগা আইন সভা হাঙদোকপা নুমিৎ (খৃঃ ১৯৪৮ গী ওক্তোবর ১৮) সিদা মহারাজ বোধচন্দ্রনা খৃঃ ১৯৪৭ কী আগষ্ট ১৫ দা বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট জেঃ এফঃ পিয়ার্সননা মঙোন্দা শিন্নরবা মণিপুর অমসুং মণিপুর লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদা/শাসনগী শক্তি (Power) অমসুং ভার (Burdan) পুন্নমক মীয়াম মীহুৎ ৫৩ (য়াংখৈহুমদোই) [পমঃয়ঃলঃ, ১৯৯৩, ১৭] গী মফমদা লান্থোকখি অমসুং শিন্নখি। অদুগা মহারাজসিনা নুমিৎসিদগী লৈপাকসিগী নোমিনেল হেড (Nominal Head of State) ওইনা লৈখিরম্মী।

(গ) মণিপুরবু ভারত্তা তীনহন্নবগী খৃঃ ১৯৪৯গী লাংলৌ অমসুং শরৌদা মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহবু শিলোংদা কৌরগা নুমিৎ ৫(মঙা) নি রেদ লেন্সদা য়ুমদগী মপান থোকহন্দনা অরানবা মচৎতা ফাজিন্দুনা থন্নগা কিহন্দুনা অমসুং নমদুনা, ''মণিপুর লৈপাক অমসুং লৈপাকসিগী লৈঙাক-শাসন ভারত্তা পীথোক্লে'' হায়দুনা শ্রীপ্রকাশনা ইশিল্লগা সহি তৌহনখি অমসুং লৌখি।

(ঘ) সহি লৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহ মশামক্না শ্রীপ্রকাশতা মহাক মর্জর এগ্রীমেন্টতুদা সহি তৌগদবা এপ্রোপ্রিয়েট ওথোরিটী (Appropriate Authority) নত্তে, মহাক্তি মমিংখক্তগী ওইবা ষ্টেট হেডনি, মহাক্কী লৈঙাক-ৱায়েন-থৌদাগী শক্তি, বৃটিশনা মঙোন্দা শীন্নরম্বদু মীয়ামগী মীহুৎশিংদা খৃঃ ১৯৪৮গী আগষ্ট ১৮ দা শিন্নখ্রে হায়বসি, ময়েক শেংনা খঙহনখি। অদুবু শ্রীপ্রকাশনা য়াবা লৈখিদে। নমদুনা সহি তৌহনখি।

(ঙ) মণিপুরবু ভারত্তা তীনশিনহন্নবগী মর্জর এগ্রীমেন্টতু সহি তৌনবগী মতমদুদা খুদক্কুদা সহি তৌমিন্নগদবা ভারতকী মায়কৈদগী ভিঃ পিঃ মেনন,

এডভাইজর টু ডি গোভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া ইন মিনিষ্ট্রী ওফ ষ্টেটস [V.P. Menon, Advisor to the Government of India in Ministry of States) লাকখিদে। মসিসু এগ্রীমেন্ট অসি চৎনবা য়াদনবগী মচাক অমনি।

মথক্কী ফেক্তশিং অমসুং সার্কমষ্টেন্সশিং অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট, ১৯৪৯ সি চৎনবা য়াবা এগ্রীমেন্ট নত্তে। অদুবু মসি ইন্দিয়ানা নমফুদা চৎনহল্লি। অদুবু মসি ইন্টর্নেস্নেল লোগী লেভেলদা লৈরিবা ফোর্মেল্লী এক্সপ্রেসড এগ্রীমেন্ট (Formally Expressed Agreement) অদুদি নৎত্রে। অদুগা এগ্রীমেন্ট অমসুং ফোর্মেল্লী এক্সপ্রেসড এগ্রীমেন্টকী মরমদা পীরল্লিবদিঃ—

Agreement, the approval of a diplomatic representative as the head of the diplomatic mission of a foreign State. The proposal of A and the reply to it usually remain confidential. In accordance with the rules of international courtesy, a reply must be given as soon as possible [P.P., 1986, 7].

Agreement, Foamally Expressed, concurrence of the wills of parties to treaty, confirming its binding force upon them. It is a phase in the conclusion of a treaty and is achieved in different ways, such as the signing of a treaty, the exchange of documents constituting a treaty, a treaty's ratification, confirmation or adoption. A.F.E. may take place with regard to part of a treaty or to diferent articles thereof [ibid, 7].

অসিনি। অদুগা ''ত্রিটী'' ৱাহৈসিগীদি মথক্তা য়েংবীরো। অদুনা হায়রিবা মর্জর এগ্রীমেন্টসি অনলোফুল ত্রিটী/এগ্রীমেন্ট ওইরক্তনি/ওইনি অমসুং মসি ওইবসিনা মর্জর ত্রিটী/এগ্রীমেন্টসি ভোইড (Void) ওই।

মথক্তা থমজল্লিবা ৱাফমশিং অসিদগী য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ সিগী মণিপুরগী মরমদা পল্লিবা অনিশুবা আর্টিকলগী অকোনবগী শরুক অসি হিংদুনা লৈরি। মসিগী অহিংবসিবু মাঙহন্ননবা থেংখাঙ কয়ারক ভারতকী রাজনীতিৱালাশিং খরনা য়াম্না কন্না হোৎনখি। খৃঃ ১৯৪৭তা ষ্টেণ্ডষ্টিল এগ্রীমেন্ট অমসুং ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসনবু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরকখি,

খৃঃ ১৯৪৯ দনা মর্জর এগ্রীমেন্ট তেন কাপ্লকখি অমসুং খৃঃ ১৯৫৩ দনা জৱাহরলাল নেহরুনা মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহগী সহিনা মণিপুরগী কবো তম্পাক বর্মাদা পীরগা মদুগী মহুৎ ওইনা বঙ্গোবসাগরগী আন্দমান অমসুং নিকোবরনচিংবা অপীকপা ঈথৎ/দ্বীপ-মচাশিং বর্মাদগী লৌরম্মী। মীগী মাঙবা-তোংবা খঙদে, ঐগী কান্নরগা লোয়রে, ঈবেম্মা সোনিয়া! কন্না য়াল্লু। অদুবু খ্বাইগী ওইবা আইন্না ৱাতেম্বনা পুম্নমক্কী অফবা ওইগনি, মদুনা য়ান্দাবূ ত্রিটী, ১৮২৬ কী অহিংবা আর্টিকলবু মপাঙ্গল কনখৎহনগনি।

—)O(—

মরী-মখোঙ উৎচবা

(ক) ঈংলিশকী অফোঙবা লাইরিক

1) H.M. & D.N., 1989 = Hari Mohon Sinha And Dheeraj Narula; Legal Dictionary (Delhi-1989)

2) SL.S.&U.N.,xxx = SL. Salwan & U. Narang: Dictionary of Legal Terms (New Delhi-xxx)

3) J.B.S., 1984 = J.B. Sykes: The Concise Oxford Dictionary (Delhi-1940/8thP.)

4) R.C.M., 1979 = R.C. Majumdar: A Brief History of India (Calcutta-1979)

5) M.R.K., 1978 = R.C. Majumdar, C. Raychaudhuri And Kalikinkar Datta: An Advance History of India (Delhi-1978).

6) C.B.A., 1987 = Compiled By Authority: Gazatteer of Burma, Vol. I (Delhi-1987)

7) N.N.A., 1983 = N.N. Acharya: Assam And Neighbouring States Historical Documents (New Delhi-1983)

8) A.SS.K., 1985 = Aung San Suu Kyi: Let's Visit Burma (London-1985)

9) S.J.J., 1990 = Sir James Johnstone: Naga Hills And Manipur (Delhi-1990)

10) P.P., 1986 = Progress Publishers: A Dictionary of International Law (Moscow-1986)

(খ) মৈতৈলোনগী অফোঙবা লাইরিক

১) চৈথাঃকুমঃ, ২০০৫ = লাইময়ুম ৺ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ ঃ চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল-২০০৫)

২) পমঃয়ঃলঃ, ১৯৯৩ = পান মণিপুর য়ুথ লীগঃ ভারতকী লোইলম মণিপুর (ইম্ফাল-১৯৯৩),

৩) ডাঃলঃ,চঃ, ১৯৭০ = ডাক্তর লৈশাংথেম চন্দ্রমনি সিংহঃ মণিপুর ইতিহাস (বৃটিশকা মরী লৈনরকপা) (ইম্ফাল - ১৯৭০)।

~~~~()~~~~
~~~~

303

Name	:	**SAPAM GHANASHYAM SINGH**
S/o	:	Sapam Nodiachand Singh
Address	:	Thangmeiband Lourung Purel Leikai,
PO/PS	:	Lamphel, Imphal
District	:	Imphal West

Alternative Phone No. : 9856679948
Near by : Thangmeiband Youth Centre / Konsam Damu Dukan

OR

Aroobaa Printer's, Paona Bazar
Hotel Embassy Building, Imphal.

Shri B. Kulachandra Sharma

Name	:	B. Kulachandra @ Nimai Sharma
Date of Birth	:	7th February, 1948
Permanent Address	:	Yaiskul Hiruhanba Leikai, Imphal.
Present Address	:	Brahmapur Thangapat Mapal, Imphal - 795 001, Manipur
Educational Qualification	:	B.Sc. in the year 1970
At present	:	Retired from the post of Deputy Registrar, Co-operative Department, Manipur.
Research Work	:	Since 1971 original research work in terms of first learning the old Meitei scripts and collecting books and rare manuscripts of which has a sizable stock of over 1,435 manuscripts on date. Alongside, interviewed almost the living experts of old records and ancient history. The fields of his in-depth research and fresh investigation have covered, in particular, Meitei legends, origin of sylvan deities, history society, polity, art and architecture and last not but the least, Meitei religions.
As a guide	:	During the last few years, guided of over 60 scholars working for M. Phil and Ph. D. in the broad field of ancient history, literature, linguistics and culture in the Manipur University and elsewhere.
As a consultant	:	Consultancy services on comparative study of the Meitei-Japanese Linguistics through the good office of Dr. Ms. Deborah Anderson, Department of Linguistics, University of California, Berkeley. Currently working as a Consultant for the Unicode Proposal of California, Berkeley. Currently working as a Consultant for the Unicode Proposal for Meitei and Saurashtra linguistic project, sponsored by the same Department of Linguistics, University of California, Berkeley (Dr. Ms. Deborah Anderson).
Achievements	:	Since 1985, publications in the form of novels, seminar papers and research articles began to surface for the benefit of those thirsting for the ancient regime of Manipur. In particular, 35 published research works show the multi-faceted personality of this upcoming academic in Manipur.
Participated	:	Participated in various seminars and/or contributed learned articles mainly on the following broad fields: * Ancient Ethnic Groups; * Meitei Scripts; * Clan histories of ancient Manipur (sponsored by State Archives, Manipur State Museum, Manipur University, etc.) and * Origin of Sylvan Deities in Manipur.

B. Kulachandra Sharma

B. KULACHANDRA SHARMA